নিংথৌরোল-লমবুবা

(অহানবা শরুক)

A Detailed History of the Kings in Manipur.

মৈতৈ ময়েক অম্বিবদগী শিন্দোকচবা

শ্রীওইনাম ভোগেশ্বর সিংহ

চিংঙামথা লিবা মাইবম লৈকাই।

মূল্য অইবগীনি মবন লুঃ ১০০ রুনি

অকোঙ্বা

ইথোকচবা



অহানবা নম্বা

কোপি ১০০০ ইং ১৯৬৭

নম্ফম

জে এম প্রিন্টিং ৱার্কস
অম্বম্মান, মোইরাংখোম।

Foreward

মৈতৈ পুরানগী ময়ুংদা থোইদোক হেন্দোক্লা 'নিংথৌরোল লম্বুবা' অমসুং 'চৈথারোল কুম্বাবা' মসিং চংপা লাইরিক্নি। শ্রীওইনাম ভোগেশ্বর সিংহনা সম্পাদন তৌরিবা 'নিংথৌরোল লম্বুবা' মকোক্কী লোইবা ফাওবা পাজরে। ভদ্রলোক অসিনা লাইরিক অসিদা করি করি য়াওবগে হায়বদু মথক্তা ইরিবা 'ব্রাহৈ খরদং' হায়ব অসিদা শুগায়না উৎলে। লাইরিক অসিগী মরমদা ঐহাক্কী থোইনা হায়জনিংঙাই লৈজদে। লাইরিক অসি লৈবাক্লা খংনরবা অহৎগুম্বা লাইরিক্নি। ভদ্রলোক অসিনা নিথৌগী পন্দুপ কক্তুনা পাবদা মুংঙাইগদবা মওংদা লাইরিক অসি পুথোকপিরকপা অসি থাগৎনিংঙাইনি। মৈতৈ ইপা ইপুশিংনা অসিগুম্বা লাইরিকশিং অসি ইবিদুনা থম্মিরম্বা অসি মৈতৈ ঐখোয়গী চাওথোকচনিংঙাইনি। লাইরিক অসি হৌজিক ফাওবা ছাপা নমদত্তুনা লৈরম্লিবা অসি মৈতৈ সমাজগী ময়েং তাবনি। জাতিগী লন ওইরবা লাইরিক অসিবু মণিপুর সরকারগী শিক্ষা বিভাগকী কর্তৃপক্ষনা অতৈ অতৈ লাইরিক্তা শেনগী মতেং পিবিরগুম পিবিদুনা ছাপা নমথোকহল্লবদি মণিপুরীশিংগী, থোই-দোক্লা রিসার্চ্চ তৌবা স্কোলারশিংগী কান্নবা ওইগনি হায়বদা থোইনা চিংনবা লৈজদে। শ্রীভোগেশ্বর সিংহ মৈতৈ সাহিত্য চাওখৎনবা হোৎ-রিবা মীওই অমনি মহাক্কী 'নিংথৌরোল শৈরেং' মৈতৈ সমাজদা ছাপা তৌদুনা লাম্থোকচখে। 'নিংথৌরোল লম্বুবা' মৈতৈ সাহিত্যগী পুক্কৈদা মমল নাইদ্রবা দাননি। ভদ্রলোক অসিনা মথং মথং অসিগুম্বা লাইরিক কয়া পুথোকপিদুনা সাহিত্য সেবা তৌরকনি হায়না আশা তৌই।

রাজকুমার শ্রীস্নাহল সিংহ, বি-কোম
এডমিনিষ্ট্রেটিভ ওফিসার,
সিভিল হোস্পিতাল, ইম্ফাল
৫।৭।৬৬ ইং

ৱাহৈ খরদং

জাতি খুদিংগী মশা মশাগী সংস্কৃতি লৈনৈ। মৈতৈ জাতিগীসু মশাগী লোন, সংস্কৃতি, ময়েক অমসুং ইতিহাস অসি নিংশিংবা ঙমদ্রবা মতমদগী হৌনা থায়্নগী ইপা ইপুশিংনা ইজাতিগী ওইবা ময়েক্না ইহুনা থম্বিরমই। অহুবু মতমগী ঈথিল অমনা ইজাতি অসিগী লোন অমসুং ময়েক পুন্বা মাঙখিবা য়াবা খোঙফমদা পুন্না‌প লুপ্ন‌রে। হৌজিক মণিপুর ভারতকী নোংপোক চিদাইদা লৈবা ভারতকী মন্নুংচনবা লম ওইনা লৈরবনা ইজাতিগী লম্হু‌ম-পুম্বা মনিঙ-তম্বা য়াবগী ফিভম লাক্লবদা ইজাতিগী ময়েক্তা লৈরম্বা নিংথৌরোলশিংগী মতিক মথৌনাগী মরমদা অমদি লৈমা-ওইবি মহারাণীশিঙ্গী ১দি তম্পাকয়ুমলোমগী অকল-অথৌগী মরমদা নিংথিনা ইহুনা থম্বিরম্বা লিটেরেরি ইতিহাসনি। লাইরিক অসিদা য়াউরিবা নিংথৌরেলশিং অসি কম্বাল তোংখিবা নিংথৌশিংতগীনি অমদি নিংথৌ পোকপি মমা ইবেম্মা মহারাণীশিঙ্গী মপাম লমগী মতিক্ত নত্তনা হৌরকফমসু তাক্লি। অসিগুম্বা লাইরিক অসিদা মতম মতম অহুগী থৌদোক ৱাথোক শাথেং-লাম্থেংনবদা ওইখিবা থৌরমগা চান-চান্নবা লমগী মমিং থোনবা য়াউরি। মরম অহুনা পুয়া অসিগী মমিং "নিংথৌলোন লমপুবা" অমুম্‌ মিংথোক্লম্মি। পুয়া অসিদা চুম্নদগী লৈবাক ঙাকখিবা, কম্বাল তোংখিনবা নিংথৌশিঙ্গী মিংদি পল্লমজে।

ঙসি পাঙদ্রবা ঐনা জাতিগী খুত্তা লাম্থোকচরিবা "নিংথৌরেল লম্বুবা" কৌবা লারিক অসি শ্রীহেরাসিং অদ্রোদা লৈবগী মফমদগী ফংজখি। মাসিগী লুরবা ৱাহৈ ৱাতাগী অর্থনা শ্রীমাইবম গৌড়াচান্দ সিংহ কংলা সিফাইদা লৈবা ওঝানা অন্নাবা শরুক য়াবিখি। ওঝাগী মোত্তদি অর্থ হনবা য়ান্না কি অহুমকপু করিগুম্বা মতমদা অরান অহুই

য়াউরবস্থ মতুং খুৎনমদা চুমথোক্কদবা ওইরবদি অথংবা থরদংদি ঐস্থু পাংলগে তাকপিবদগী অর্থ অসি হঙ্গবনি মাসিনা মৈতৈ ইজাতিগী থোইদোক্লা সাহিত্য প্রেমী রিসার্চরশিঙ্গী মফমদা থজিক্কং তেংবাংবা য়াগত্রা থনবদগী লাহ্মোকচবনি। অহানবদা পুয়া অসি মৈতৈ ময়েক্তা লৈরম্ব-নি। মনিপুরী সমাজগী খুত্তা লাহ্মোকচবদা পাবদা থরদং নুংঙাইন-বগী থঙ্গহনা হৌজিক্কী বাঙ্গালি ময়েক অসিদা মাগী মাগী য়াহৈ খোহ্মোক মতাং চানা পগী মহুত্তা ব, চগী মহুত্তা জ, লগী মহুত্তা র, রগী মহুত্তা ল নচিংবা ময়েক থরা শিজিন্নজখে। পুন্নমক অসি-গীদমক ঙাকপিবা-হৈবা লৈবাক্লা ঙাকপিগনি। অতুগা ইজাতিগী চাউ-রবা পোৎ অসিবু ইরায় লায়না পিনবিরকপা অমদি হৌজিক্কী চৎন-রিবা লোন্দাদা মতেং পিবিরিবা ওঝা অনিগী মফমদা ঐনা তৌবি-মল খঙবা উচ্চরি।

অরোইবদা ঐনা হায়জনিংবদি লাইরিক অসি ছাপা :তৌনবা হোৎ-নবদা মণিপুর সরকারগী শিক্ষা বিভাগনা লুঃ ৮৫০.০০ মতেং পিনবি। মাতুমক নংলমত্রবদি পাঙথোকপা ঙম্মগনি নিঙজদে। অতুগা ছাপা নম্বগী অরাৎপা থৌদাংদা শ্রীচিংঙাখম পিশকসিংহ প্রিন্সিপল মণি-পুর কলেজনা অরাৎপা পূম্বা মেনখৎপিহুনা অমদি জে, এম প্রেসকী মেনেজরনা অরাবা ভার লৌবিহুনা মপুং ফানবা তেংবাংবিবসিদা পুন-সিগী তোনশিনখ্রবা লম্মনগীদমক তৌবিমল খঙবা উচ্চরি।

শ্রীভোগেশ্বর সিংহ

য়াউফম তাকপা

নিংথৌরোন্-লম্বুবা



লৈনুং য়াপিরোক।

হয়াহে লিকলাইও ইপুংথৌ নোংথৌরেল পুমাবও, তুবি মীরাংচান লাইরেন লাই পাখং অতেংবও নদাইরেম তয়ন চিংকোয় ইন্নাকমানা হয়িঙৈগী নপি য়োইরেনকম সনা লাংবকোইফম্নাংচান্বু মীংথোংলকে॥ লাইরেল সনা নতেংথা তোংচেং খমলৌ নায়াৎপবু হোল্লকে। লাইরেন নঙল্ থাংথববু শৈথিরকে॥ নয়ু নিংথৌচা নমাংগী তুবি চুংশেল মক্কোল য়ম্মবা ন্নায়বা শামিং হকপা হুয়েল মীংয়াম্ববু তেংথারকে॥ ন্নায়রা শাশিংমাবু শেনদা হুয়েল্ লান্শিংমাবু হাঙদনা হয়া লাউনা তেংথারকে॥ লাইরেল নংগী কংলৈ পুংময়োল্ পুঙলেন্ য়াইফ মপুং-য়াই ময়াই শুমখোংপাল, লাংকোই শারোকপুং নয়ু তুপি য়োইনোংদা নোংদা লাইরেল পাখং অতেংবনা অন্নাং কোরৌ নোংলাংপান্গী মৈপুল্ হায়চৌ-থাল, চাকুথাং য়াইরোংফাল্ সনা চোংলেন ইনচমখাল্ হন্চিং চীংমৈ ইম্না খুন্দাপুং নোংথৌ সরালেন অরীবা অহুম্মনা লৈকুৎ লৈরাই-ফুংদা মরাল হান্না ইন্তম্বনা চাইবিপুং, চাইবি খুন্দাপুং মমা লৈনুং-য়াবিরোকচা চীংখোং পোইরৈত্তোন খোংফাং অতোনবানা পুংথিব্রাই মৈতৈ লৈমা লাইনাউতাবি চৈরৈ লাকাপানবি খোংলৈনবিনা পুংখংব্রাই মান্বি হৈরোমকাউ কাউরেন নোংতম-থন নোংপোক কসোম-থন চীবংবা চীংখং মল্লাই মানবা লাইরেন খোয়চি কাংচহৈতবা চীনপাল লৈত্তোল খংচা হৈতরান্না থৌদ্রু ফুংঙাচা চেংঙা ফুংলাইখোম শাকাবধু

সুংখংবাপুং কংলৈ পুংময়োল পুংলেন ময়াইলেন্ লাংকোই শারোকপুং চোয়নৌ সনা মঙাল্লাই রুপা থেনমাইরাংনা সনা চংলৈরেম্বাপুং অসিদা নোংথৌরেল তাইবং চীংঙু ইরানব্রা কোরৌ ইনোংথৌ রাংপল ইকা শাদবু য়াওরৈ নকাইফম অসিদা থৌহু তুগুমবব্ লেপ্পা য়ুংখিনবা খনচাম নারৈনেং চেংচা তুগুমবব্ লেপ্পা য়ুংবদি কনানো ? নয়োল মৈতৈ লৈমা লৈনুং য়াপিরোক চাখা মুরোন পীলোনয়ামবী য়োইবু মুয়াম শাফাবী লৈমু শেকৃথাকপা লৈহৌ শেংওইবাচনু চাখা মুরোনবী চাখা নোংলেনবী মুয়াম শাফাবী লৈমা অহুমলকপু শানওনবী সলাই খুলমাবী চাখানুরোল পীরোল য়াম্বীও তৌনা কৌয়ে। নয়োল মৈতৈ লৈমা, লৈনুং য়াবীরোক শাফাবী সনা লিকলাই কোইগী।

১। মৈদিংঙু নোংদা লাইরেন পাখংবা।

নয়ু মৈদিংঙু তুবি য়োইনোংদা নোংদা লাইরেন পাখংবও তৌনা কৌয়ে হায়দবরা। তুবি অহিং মী ওইবা নোংথিল খোইমোম লাইওইবদি মশানৌ লাইস্না খোইমোম লাই নশাবীগী লেমলৈ ঙাতাকোন চীনুং লাথমপোক পুরুম চীংথোং নেমদা শানথুপ্পধু মদাইরেম লৈনুং থরুক অশৈবা মোইকাই থাবু লীবা লীকলাংথাবু শীবা থবা ঙাংকোয়নবনা চীংথোং য়াকৈনরকলে। মদাইরেম শীনৌ নোংথোন ইব্রাল তেংমাইগী পুদোংশেমবা-য়িদা তাওদনবনা মৈপুল হাইচাও-থাল চাকথাং য়াওরোং ফান্না চীংথোং য়াওহৌররে। তুবি য়োইনোংদা নোংদা লাইরেন পাখংবন, লৈনুং লোনচা পাখংবা, নোংদা লাইরেন পাখং অতেংবা অহিং মীওইবা মুংথিল খোইমোম লাইওইবও! কৌবা চীংমুংশোই শরা তৈমা ওল্লক্লে। য়োইময়াই তাওতনবা নঙাইরোইনা অঙানবা খোংনিংকা লৈমু লাবা মশোংচাও লৈহাউ লাবা মঙাল নাইরকয়ে। অরাং চীংখৈ-লৈনা-থোং শতু চীংলাইঙাল থৌবি লোকমাই হেল্লক্লে। চীংথোং য়াহৌরো মুংথিল খোইমোম লাইওইররো তুবি

নাপাকলোই পাকলোই ঙাংচ থেমতাইয়েৎনা মুইমু তোমশোন চিল্লরো। নোংদা লাইরেন পাখংবা নংগী য়াকারৈ লাইরেল সনা লাংচৈ চৈসিংথেক্লা পচেংশময়া খোমলরো। ওইতোন কোনৈ নাশিনা লোই-রেন খুনপিরোক্তা য়াতাররো হায়না চীংখোং য়াওহৌবধু মশানৌনা থৌখামখিয়ে। মশানৌ খোইমোম লাইস্লানা মশাবিদা ব্রাওইরক্লে। লাইরেন ইনেম্মচা তুবি য়োইনোংদা লাইরেন লাই পাখং অতেংবাও কৌবা সোইয়ুম শোয়দা চীংলেন ঙানউম ঙাস্তরিঙৈগী নদাইরেম লৈফং থরুক অশৈবানা চীংখোং য়াকৈ শক্লক্লে। শীনৌ নোংথোল ইব্রাল তেংমাইকীনা চীংখোং য়াহৌরকলে। খোমলেন তুমকনফদে মিৎয়েং নাউশুমফদে লাইরেন ইশাবিও অহিং মীওইবদি ইবিংঙা ওইমননৈয়ে নোংথিল খোইমোম লাইওইবস্থুং ইবিংঙা ওইমন্নসে হায়দে মৈদিংঙু নংদি সোইখোংববু লৈমন্নয়ে। শোইখোং তাইথেংপা মন্নুং থোংখা পরৈবা লমলক লুথ্‌মববু লৈরিঙৈনে হায়না মশানৌ লাইসনা লাইরেন সনাব্রাইনা থৌখামখিয়ে। সনালাংচৈ ব্রায়না ইন্নুংসোইয়াইমাদা লাইরেন মনেম্মচাবু অস্থুম ব্রাওইববু তুবি য়োইনোংদা নোংদা লাইরেন পাখংবনা পাউখুমখিয়ে ইশানৌ লাইসনা খোইমোম লাই ইশাবীও লাইরেন নশাবী ঐদি কদেবা শোইখোং তাইথেংকবনো মন্নুংথোংগা পরৈদে। লমলক লুথ্‌মব্ধু পুম্না লৈতে। তুবি য়োইনোংদা লাইরেন পাখংবা ঐদি কোরৌ নোংনাংপালগী খুক্তারকপা মীকীনিনা অহিং মীওইবস্থ ওইফৈয়ে। নোংথিল খোইমোম লাইওইবস্থ ওইঙময়ে ইশানৌ নংদি চীংখোং পোইরৈতোন খোংফাং অতোনবগী সনা মমৈরাই হৈনা মতুং ইন্না থমলৈ মীন্নুংকোল শব্রা মীখুরোনগী মালেম খুনফাওমন্নরকপনিকিনা অহিং মীওইবদি ওইঙম্মে। নোংথিল খোইমোম লাইওইবদি অত্নগীবু ওইফদবনে অস্থুম পাউখুমখিয়ে। অতু নোংগী তুবি য়োইনোংদা নোংদা লাইরেন পাখংবা অহিং মীওই-বদি ওইঙমলে নোংথিল খোইমোম লাইওইবদি অত্নগীবু ওইফদবনে।

অস্থুম পাউখুমখিয়ে । অদুনোংগীবু তুবি য়োইনোংদা লাইরেন পাখংবা অহিং মীওইবা সুংখিল থোইমোম লাইওইবা তৌনা কৌয়ে হায়দবনা ! তুবি য়োইনোংদা লাইরেন পাখংবদি লোইরেন লোক্তা য়াকাকদবনে। লোইরেন খুনপীরোক মাছৌ লমলেন কোই, লমলেন ইল্লাংকাই খুনবি নারেংচীং খুংখুং নানৌরোক লাইখা চারাংলৌ নিংথৌং মাওবী-লোক মাঙ্কক্ থায়াইলোন খানিংলোমবাচীং লমলেন খাংলাকাই খুনবি তরাকাই লাইজা ইকুমবী ইকুমখুম লোইরেন খুমবিরোক্তা য়াকাকবা তুবি য়োইনোংদা নোংদা লাইরেন পাখংবাও তৌনা কৌয়ে হায়দবনা তুবি য়োইনোংদা লাইরেন পাখংবদি সনা ঈ-মতনা চোয়নৌ সনা মিংহুনগীবু চুনবনে ॥

নয়োন মৈতৈ লৈমা লাইমা হৈরোং নিংথৌচম্বু হৈরোং লোং-লিবনা পোকপি লৈচিক চিক্লিবনা পোকপী লৈচিক চীক্লীবা লৈথম থমলীবনা য়েনবি পোইরৈ মনুং ওইদরিঙৈ তৌরাং থাংপক-শা চানা ইহৌননা পোইরৈ হান্না মনুং ওইরকপী মৈতৈ লৈমা লাইমাও তৌনা কৌএ । লাইসনা লিনকোইগী ॥

২। মৈদিংঙু খুইয়োই তোমপোক।

(২) নয়ু মৈদিংঙু খুইয়োইতোমপোকও তৌনা কৌএ । নয়ু মৈদিংঙু খুইয়োই তোমপোক্তি হাওরে নোংচুপলা পাংবরমদা মালং মথোংচিন্দা থমকোল মরকচীনদগী মদাইরেম কোন্দে মাইবনা হোইথেমএ । শনথোং মাইবনা হোইয়াল্লে। খুনবী লৌমল্লাংবু হোইয়াল্লে। খুনবী লৌমনবাং শতু মানতে-ব্রাং ব্রাংগু নমব্রাং নেমথকপু শীংচং লৈতোইচল পামেল উরু তুপ্না হোইয়াল্লে। অব্রাং কৌবা লম্মাহনগী য়াউরৌ শজি কুরাংতানা কুরাং মউল লয়না হুনা ব্রাংলেন পুংতমববু ব্রাংলেন পুংলোন থোক্তখিয়ে । য়াউরৌ শজি কুরাংলোনবু লোনথোকখিয়ে কোরৌ সুমিংমাদি অব্রাং লমদম-থি লোনলোই লম্মহনগী পামবা

কৈরাং তামা কৈরেন মউন লৈনা হুনা রাংলেন পুংতমববু রাংলেন পুংলোন খোক্তখিয়ে। কোরৌ নুমিৎমাদি মানবি চকলৈ কাউ কাউ-রেন মন মচলশিন্না কোদিংনু কামন মুকমু হাইমৈচোনবু মানবি কুরাং মউল লৈনা হুনা কোংয়াং চকো মীতম কোন লেরা থারোই-শেম শউন খুরৈ-তিং থাংরাই লিপুনশি কাচেং লিয়াথৌনা লিরেনবাগা কন্না রাংলেন পুংতিংববু রাংলেন পুংলোন খোক্লকলে অচু নোংগীবু মৈতিংগু খুইয়োই তোমপোক শন্‌থোংপুং পুখোকপাও তৌনা কৌয়ে হায়দবরা। লাই পাখং মঙাইরোইবু য়াউহৌখিয়ে, লাইরুরা মঙাইরোইবু থৌনেক-খিয়ে। নুংবী মনাচুং উনৌ খোংচা-শম্ থৈরি লিরাই-নোপ খোংফাং তরেং-থেৎ পুংবু ৬ য়ান্না উন্না পামচিংহৌবা পুং ৬ য়াল খোংকাং ৭ না শনথোংপুং পুখোকপও তৌনা কৌয়ে হায়দবরা। মৈতিংগু খুইয়োই তোমপোক্তি চোয়নৌ সনা মিংহুনগীবু চূনবনে॥

নয়োন মৈতৈ লৈমা নোংবাললোন নোংমোইনু অহোংবীও তৌনা কৌএ। নোংবাললোল নোংমাইনু অহোংবী কোরৌ অরাংবদগী কাউ-চন্নবী কোরৌ অসুম থাপ্তরিঙৈ রাংবল অসুম তামদরিঙৈ মালেম তমপাক লয়নেম অনেমবা অসিনা রাংলমঙৈ কোরৌ অরাংবনা নেমলমঙৈ পামেল উরুপাং লাংলেন কোংয়াংরানা মতোল-কোন তৌরাং খাংপক শানা পালমঙৈদা কোরৌ নকৃথননা পালহনিকৌনা শুকমু লৈতম ফেনফদা চেংচা মাইঙৌ তানফদা চৈরৈ ফিঙৌ অংঙৌবসু ফৌফদা কায়রৈ চেংজা অঙৌবা মেন্নাং তন্‌বা তুরেংকায় অঙৌবসু লোইফদ-রিঙৈ কোরৌনা রাইখৎখরিঙৈ রাংবল অরাংবনা হুমখৎখিঙৈ কোরৌ নোংলাওখোনগা মালেম তমপাক লৈরাওখোনগা তানা তানা পান্নৈ মৈতিংগু খুইয়োই তোম্পোক্না নোংমোইনু অহোংবীবু কাচেং নাইফা থাংনা কাউ-কৌএ। নুংবা থায়াংবনা মলহোললে, অরাং পাখং য়োই-রেনবনা নুংবা থায়াংবদা চৈরৈ পরৈ-থেৎ মালৌ কোইচা-য়েকপু

লনকুণ্ডমন্নে। সেনচা হাইহৈবনা মলচৎলে। চীংঙু নোংথৌ সরারেন্না সেনচা হাইহৈবনা শাংভিং লোনভাংবগু লনকুবিওমলে। মৈতৈ লৈমা নোংমোইস্ন অহোংবি চীংঙু অৱাংবা মমোমলোনবু মুংবা থায়াংবনা মনচৎঙৈ সেনচা হাইহৈবনা মলহোল্লকঙৈ কোরৌ মচিরৈ ৱাংবল থাদরৈবু নেমথরকপি লিলি চিলেকপা অনং কিহাইবা খোইনিং শেলোইনাই মুংনাং শাকুরাকপগা কোরৌ নোংথাংকোনগী শাশা পুনাকা কোনঙৌ মুংতোংকা শয়ি তোংলৈ তরেংগা মনথাং মনতাকা ৱায়রৌপামবা লুখাম-থাং কোকচরাইবা শিনয়াংথাঙবু মোংবা য়োইশা কাইদা নেমথ-রকপি লৈরেন লৈচাওবু লাংমৈ পুংলেন্মন খুতোল খুৎতাং হাপ্পা শমৈ শমতোন-য়োম্ শমচি হুকতুং থাংনা থবাকঙৈথোংনা চীংশোং ফালংথক্তা খোংশিৎ মান্পন্হৌ লাংমৈ তোননেম নোয়ৱু নোয়্না ঙমহৌবি নোংবাললোন নোংমোইস্ন অহোংবীও তৌনা কৌএ॥ নোংবালাল্লান নোংমোইস্ন অহোংবী সনালিনকোইগী॥

৩। মৈদিংঙু তাওথিংমাং।

নয়ু মৈদিংঙু য়োইহৈতোন তাওথিংমাংও তৌনা কৌএ। মৈদি ঙু য়োইহৈতোন তাওথিংমাংদি খোয়মা তোনকুমবনে। খোয়মা লিরেনতোন লিরেন য়াইথমপোং ময়েং য়েংনস্নু মতোন তোনপুংবা লিগুমবনে পোইরৈ শীঙবীতোম্না হৌনা খুনথিনবনে। মৈদিংঙু তাওথিংমাং য়োই-হৈতোনদি হাউরৈ লাইনা পাংবরম লিলরাই য়িমরুদা থৌনাবনে। লিনৱাই য়িমরু ফাৎলৌ লাইমকোল লিলৱাই খারংপোক কাক্লেন শীনাং শংকোন, মীরা পোংথোকলম ঔরি শমৈথাং লমলেন কোমবিরা লিলৱাই য়িমরুও কৌপদি কদৌনোংগীনো? হয়িঙৈ তাংচা লিলা পাখংবগা হংঙোই কোনথিং নুরাবীগা হয়রাং ৱাইচৎহৌঙৈ ৱাইনৈ চৎনদনা কোংলৌ লমখৈবদা হয়রাং নাপাকপা তাউচিং লোংচুমবা খমনুং

শিননবী মহৈখং নাব্রা চিনখুহৈ পলেন পিনিনহয়বু তাওচিং হয়চেন্নৈদা নখংলেন তাংজলিলা পাখংবনা মরুম হংঙোই কোনথিং নুরাবীবু ব্রা ওইখিয়ে। মোমন্ তাংলোই মরুমীও! ইখোইনা কোংলৌ লম্‌খৈববু নখংলেন ঐঙোন্দা কুমচিং কায়েংলি। পাখং নামবা শমবানথোং পদাং তিন্নাং য়াম্বু লনকুবিদে হায়না ব্রাওইখিয়ে। তাংজ লিলা পাখংবনা হঙোই কোনথিং মুরাবিবু ফৈরা মতান ব্রায়না য়াউজরে। অহু নোংগীবু লিনব্রাই য়িমরুও তাংজ লিলা পাখংবা ব্রাইচংলম হঙোই কোনথিং মুরাবি ব্রাইকোইরমও তৌনা কৌরে। ফাংলৌ লাইমাকোনও কৌবদি কদোনোংগীনো। কৌবরোন অঙাংঙানা কোংলৌলমখৈগে হায়নৈদা হান্না ওইনম মুরাবিনা কম্বি ফুগা ফৈরে। লোলাং পাখংবনা লেমলৈ ঙাগা কায়রে। কৌবা অঙাংঙানা কোংলৌ লমখৈগে শাবল লমদাগে হায়নবা লম চংথোক্লকপদা তুবি য়োইনোংদা নোংদা লাইরেন পাখংববু লমওক্লরে। হয়িঙৈদা তুবি য়োইনোংদাব লৈনুং লোনজা পাখংবও তৌনা কৌয়ে। লৈনুং লোনজা পাখংবা চাংয়া ফৈথিংবনা কৌবা অঙাংঙাও কোংলৌ-খৈগুনো শাবল লমতাকুনো ব্রাইনৈ চংনা তাগুনো পনম্ কদৌবা হেকমাই কাগে হায়বনো হয়রাং ব্রাইচং হোগুন্ হায়না তুবি মৈনা কোন্না থোখামঙমরে। অহু নোংগিবু ফাংলৌ লাইমাকোলও তৌনা কৌয়ে। অব্রাং ফাংলৌ লাইমকোল মীরা পোংথোকলম ঔরী শামৈথাং লমলেন কোমবিরা লিনব্রাই য়িমরুদা থোনাবা মৈদিংগু য়োইহৈতোন তাওথিং-মাংও তৌনা কৌয়ে। য়োইহৈতোন তাউথিংমাংদি চোয়নৌ সনা মিংহুনগীগী চুনবনে।

নয়োন মৈত লৈমা হাউনখুও তৌনা কৌয়ে। মৈতৈ লৈমা হাউনখুদি লৈমা মমাংগিনা য়েনয়োম খোমহানদগ্নিঙৈ হান্না য়েনয়োম খোমহানবি শিংপাক মাইতৈগা চহুম চঙানগা ভেমহৈবি নয়োন মৈতৈ লৈমা হাউনখু সনা লিনকোইগি।

৪। মৈদিংঙু খুই-নিংঙোনবা।

নয়ু মৈদিংঙু খুইনিংঙোনবাও তৌনা কৌয়ে। মৈদিংঙু খুইনিংঙোনবদি তুবি নতেহৈ লাইরেন মৱোন হকপনে। মৈদিংঙু খুই-নিংঙোনবদি চোয়নৌ সনা মিংহুনগীবু চুনবনে।

নয়োন মৈতৈ লৈমা হাউনহূলও তৌনা কৌয়ে। মৈতৈ লৈমা হাউনহূল শাচুং লান্নং-কা মেরা মেন্-তোংগা তমহৈবি নয়োন মৈতৈ লৈমা হাউনহূল সনা লিনকোইগী।

৫। মৈদিংঙু পেংশিবা।

নয়ু মৈদিংঙু পেংশিবা তৌনা কৌয়ে। মৈদিংঙু পেংশিবদি চোয়নৌ সনা মিংহুনগীবু চুনবনে।

নয়োন মৈতৈ লৈমা লাইতোংখুও তৌনা কৌয়ে। মৈতৈ লৈমা লাইতোংখুদি হাউরৈ খানা পাংবরমদা লোইবি হাউয়াম স্নিয়াক ১০০ তাবদা খোমহানবি মৈতৈ লৈমা লাইতোংখু সনা লিনকোইগী।

৬। মৈদিংঙু কাউখংবা।

নয়ু মৈদিংঙু কাউখংবাও তৌনা কৌয়ে। মৈদিংঙু কাউখংবদি শচিকতুগুম্ববু মথল্লা নীওনা তেবনে। মৈদিংঙু কাউখংবদি চোয়নৌ সনা মিংহুনগীবু চুনবনে।

নয়োন মৈতৈ লৈমা লাইতোংহলও তৌনা কৌয়ে। মৈতৈ লৈমা লাইতোংহল সনা লিনকোইগী।

৭। মৈদিংঙু নাউখমবা।

নয়ু মৈদিংঙু নাউখম্বও তৌনা কৌয়ে। থবাতুগুম্ববু মথন্না হনজিন্‌বনে। মৈদিংঙু নাউখমবদি চোয়নৌ সনা মিংছুনগিবু চু-নবনে। নয়োল মৈতৈ লৈমা য়াউরৈবা-চম্বও তৌনা কৌয়ে। মপাম য়াউরৈ লায়াথি খুনকাম লৈনামুংবু অছেনবা-চম্ব য়াউরৈ লায়াথি খুনকাম লৈনামুংও কৌবদি কদৌ-নোংগিনো। হয়িঙৈগী য়াউরৈ মচিকা খুনকাম মশানৌগী লৈকাই য়িল্লুম্না মাংগোন শাইনোম্ননা পাম্লমঙৈদা য়াউরৈ মশাবিগী তেকপি মঙকচা কায়রৈ ময়েনচা মমা লৈঙোই লৈফোম্ন্‌না পোকপা ঙাম্নু খেরেচাস্নুং কংলৈ লৈপুৎথোক লৈয়ালাংনা য়াউচিল য়াউমন্‌খিয়ে। খুনকাম মশানৌগি মেনাংতনবা শানামুং কোরৌ নোংফান মানবি তুরেংকাই অঙৌবস্নুং কংলৈ লৈপুৎথোক লৈয়ালাংনা য়াউমন্‌খিয়ে। য়াউরৈ মশাবিনা খুনকাম ইশানৌও! ঐগী তেকপি ইঙকচা কায়রৈ ইয়েনচা ঙাম্নু খেরেচাস্নুং শানৌ নংনা হৈরপরা পাউহংববু খুনকাম মশানোনা য়াউরৈ ইশাবিও ঐগী মেননাংতন্‌বা-শানামুং অঙৌবা ঙাইরৌ নোংফান মাতুম শাবি নঙ্‌না ফানরবরা! চেংচা লান্‌নংনা হ্রাবা খুনথি-ননা হ্রারে নখিয়ে। য়াউরৌ মশাবিগা খুনকাম মশানোগা তাজা লমফম্না লিপা নথেংনববু কংলৈ লৈপুংথোক লৈয়ালাংনা তেক্‌পি মঙক্‌চা কায়রৈ ময়েনচা

লৈম্নুং য়াবিরোক।

লামায় ১ ঃ— হয়া হায়না শৈহৌজে। লিক্লাই মিংশেনগুম্না নঙাল শন্‌বা ইপু অথোবা নোংথৌ থক্কী মপা-ও! মরোল অহুম তুনা পিবিবা তাইবং মীশিংবু চান্‌বিবা, লাই পুম্নমক্কী মকোক ওইবা, নাহালক্কগীম্নু তেংলবা নহাকপু ননাই ইচিল্ল কোইরবনা থাইনা হয়ি কৌবা যুগগী নবেলনা নাহা ওইনা লাংঙন কোয়্‌নরকপবু মিংথাজরক্কে। লাইরেল সনা নহাক্কী মরম্নু তেংথানা নহাক্কী অপোক অশি তম্না য়াখরকপবু হি-হোন্‌গুম হোঞ্জরক্কে। লাইরেল নংগী নত্রিক্কা অসুম থংথরকৃপবু ননাইনা শৈথিরক্কে॥

ঙাম্ন খেরেচাম্নুং মেনাংতনবা তুরেংকাই অঙৌবম্নুং কংলৈ লৈপুংথোক লৈয়ালাংমা য়াউচিন্‌খিববু মিৎয়েং শান্‌খৈরা চেংলৌ মিংথিংলবগী য়াউরৈ মশাবিনা খুন্‌কাম্‌ ইশানৌও ইবিংঙা লৈরাং অতিংঙাবু ব্বাশোংনৈয়ে। কংলৈ অসিনা লমনামুংখু ওইরে কংলৈ লম্‌তাইসে য়াউরৈ লমলাৎ-কেসে হায়না য়াহৌনখিয়ে। কোরৌ ন্নুমিংমাদি মান্‌বি চকলৈ-কাউ কাউরেন্‌ লেংবা-ষন তুবি য়োইনোংদা নোংদা লাইরেন পাখংবা মচন শিরা কোংটিংম্ন ফামল্‌ মুকমু্‌ হাইমৈচোল থাংচি য়াতোই-লেন শারেল লৈতোয়-য়াৎ শংগাই চাখোং-চেং শাকু ব্বালোং-থন ব্বাংলেন খোয়দৌ শুংনা কংলৈ লম্‌তাইবব্‌ শাকু ব্বালোং-ম্নুং ব্বালোং নিংকোই থক্কী থাংচি মশেন তিন্নরক্‌য়ে। শারেন মশেন পক্করক্‌য়ে। নানচি পোনশিন তুহাউ লৈনা-লী চীরেন য়েৎকোই লয়্‌না-হৌ কাউরেন নাঙুম লয়্‌না-হৌ মমৈ হৈনা য়াংম্ন-চোন লোনা থাংশুনো। মাইতিং থৌচাশং লয়না-খপ্‌ আশাংবম লৈরিক কোনসাং মরিন কান্না-চোং অরামশম য়িমলেন শাইকং-চেন্না খোংথৈখিয়ে। কোরৌ ন্নুমিংনাদি শংলৌ য়েনসি-পোৎয়েন মাইরেন খামিংচোল খামাইরেনব্‌ লপলি কৌশা-খক উপাল-কৌউরোং-থক্কা ব্বারীথবব্‌

নপ্ন নিংথৌমচা, মাঙ্‌দা ওইখিবা মরোল অক্রম পিবিবা শা-লান্দা লৌশিং থোকপা, লান্দা খুদিং মীংথোল ব্বান্নগী মবম্ন ভায়ঙরক্কে. শাশিং ব্বাৎহন্দ, লানশিং অমনু নিখন্না হম. লাউনা লেংথারক্কে লাইরেল নংগী নরৈবাক কংলৈ পুংমন্নোল, পুঙ পুন্নগী মথোক ওইবা. অক্রবা মপুং ওইনা, মন্নাই শুমথো. পাল, লাঙ্গোই শা লোক্লবা পুঙদা, নখুধৌ তুবি য়োইনোংদা নোংদা লাইরেল পাখংবনা অব্বাংবা কোরৌ নোংপক্কগী কোরৌ ন্নুমিৎনা মঙাল মৈশা শন্‌বঙম লাইরেল নঙনা মঙাল শান্‌দোকপা সনা চোংলেন থান্দুনা * হন্‌চিং চিংমৈ ইন্না খুন্‌ তারকপা, মমাংগী নিংথৌ কয়ানা লাই ওইবা তাইবং শন্‌না থোইমুম অহন্না লৈকুৎ লৈরাইন্নুংদা হান্না তারম্নগা, মতুংদা মথং মথং চাউথোকপিবা

* হনচিং চিংমৈ ইন্না = হৈঙাং চীংনা চীংমৈ হুইথরকপা মতুংইন্‌।

ঋরী শংলো মরা লেকয়ে। য়েল্লাং মতা লাম্না লপ্‌লি কৌশাং ইন্না ফকলাং লোনচা-চং উরা হুমফুরোই চাইনা ইরু মতাইকাংনা পাক্ত্‌ ইতাইথক্তা নানৈখিয়ে। অদু নোংগিবু নোংবাল য়াউরৈবন্না থৌরৈরা কম্পোং চৌঙ্‌ নোংগোবি ফুংগা লাইরু হুমথাবর ফুংগা লাইরুদুং মৈবি তাংগোইখক চেক্লা পোনশিন তুহাউ লয়্‌না-হৌ শাকন তুফাং লয়্‌ন-লিং লিক্লা তোনকোই লয়্‌নলেক থিংকারু ঋাংথক য়িমচিন চকো নারেং তোংনা খোংখৈখিয়ে। অদু নোংগীবু য়াউরৈ লৈয়াথি খুনকাম লৈনামুংও তৌনা কৌয়ে। য়োইরুমলোন য়াউরৈবা-চন্দু য়াউরৈ লৈয়াথি খুনকাম লৈনামুংবু অছৈনবা চন্দু সনা লিনকোইকী॥

৮। মৈদিংঙু নাউফংবা।

নযু মৈদিংঙু লাইরেন নাউফংবও তৌনা কৌয়ে। মৈদিংঙু লাইরেন নাউফংবদি হাউরৈ নোংপোক-লা পাংবরম লমলেন ফেনম্‌তাক ঙারং-য়ান্দা খৌশাবনে। লমলেন্‌ ফেনম্‌তাক ঙারং য়ানও কৌবগি কদৌনোংগিনো? লাংমাই কোক্‌পা তেম্তোংথান্না লাবা খুমনবু য়াংদৌ শারম লীবদা য়াউরৌ শারম্‌ য়ান্‌লমলে। ময়িম শেলোই

পুঙ্‌দা মমা লৈন্নুং য়াবিরোককী মচা পোইরৈতোন খোংফাং অতোনবনা পুঙ থিরকপা মতম্‌দা মৈতৈ লৈমা লাইনাউ তাবি ফিশেং ফিংৌন পান্‌বি থোংলোয় ওইবিনা পুঙবু থঙ্‌বা মতম, নোংপোক মাইকৈদা থোকপা মুমিৎনা মচি পানবা, কাউরেল ষন মচীন্দু মপংবা চৌংথাং খুদিং মঙাল শন্‌বা নংগী নরম্বু নতিক নগুন হায়জ-হৈতবা ঐগী চিনবালনা, লৈতোলনা বা হায়দোকপা ঙমদবনা নংগী লৈপুংময়োল পুংলেন য়াইকবা অসিদা সনাগী মঙালনাইবগুম লুপাগী মশেকনা

মীকৌনা লংমাই তেংথাননা শারমবু ঙারং-য়ানও কৌয়ে। অদু নোংগিধু লমলেন ফেনমতাক ঙারং-য়ানও তৌনা কৌয়ে। শঙাই নম্বিচানা খংনং উনবি চক্রম-লেং খোল্লাং টাগা চেন্না খোয়মা নারোম্লুংদা য়াউরৌ শাচেন্নম তাউজিং হৈরুচীক লোইয়ামবা পাল্লিরাই কা থৌখল্লবা ওক্লিরাই অতে মোইকাইলোক শেলোই শুমখুল নাতারম লংমাই মোইকোই কুম্নরম লাবা মৈরোমবা তাম্নরমও কৌবদি কদৌনোংগিনো; ময়িম শেলোই মীকৌনা লংমাই তেংথাননা মাইববুদি মোইবও মাইবিবুদি মোইবিও অচুমববুদি অতেবাও কৌয়ে। লংমাই কতৌয়াং ৬ মানা খোয়নৌ মানজা মন্না ওইবি কমপোং হৈরাইদ্র শাফাবি ৬ মাপু তাউজিং হৈচেন্নগে হায়না হৈপোক সৌতি য়ানবা লৈমচেং লিহৈ পোকপধু লৈয়ে। পোনচেং লাইচমখন হয়রাং লুথোং শেন্না তাউজিং হয়চেন্নগে হায়বগী মরান থৌচংলকপদা শেলোই মমাইবি অতে মোইকোইন্নুনা থৌখামঙময়ে। ময়িম লংমাই লাইশ্রাবা কতৌয়াং ৬ মাও! অসি ঐগী খোমলেন ইমঙচানবু শেলোই নাকপাকমা ফকথবা লংমাই নাকপাকমা ফকথবা লংমাই চীংশামা ফকথবা মঙবু মঙলময়ে। নখোইধু লালোই মীঙাথোক শারেন মীশুংলাংধু পনম চংথোক্লুনো হায়না থৌখামখিয়ে। লংমাই কতৌয়াং ৬ মাদি মরাল

থেনগুন্না লৈরবা পুঙসিদা, নঙগী লৈকমদা নুংনা ঝাংনা খিনবগুন্না শাগৈ শলাই লেপ্পা য়ুংববু কনানো? নবেল মৈতৈ লৈমা লৈন্নুং য়াবিরোক লৈহৌ নিংথৌ চন্নু লৈমা অহল্লক শাইওন ঙম্বি শাকবী খুনগী মপী মপা ওইবা শলাই শনবীও তৌনা কৌই। নবেল মৈতৈ লৈমা লৈনুং য়াবিরোক শাকবীগী অশেংবা গর্ভল্লুংগী॥

১। মৈদিংঙু নোংদা লাইরেল শাথংবা।

(খুঃ গী শোক ৩৩/৩৪—১৫৪)

নবুধৌসিগী মমিংদি ময়োল অহুম তুনা পিবিবা লাই পুম্বগী মকোক ওইবা পাথংবা কৌই হায়খরে। নবুধৌদি অহিংদনা তাইবং মীগী ঝাখল তৌবা (লমচৎ

থৌচংতনা হুলল্লাইরকলে, মমান্ মচা কমবোং হৈল্লাইন্নু শাফাবী ৬ মাবু হৈপোক শৌতিয়াল্ লেমচেং লিহৈপোক্তা মানচা মল্লা ওইববু নোংহামববু খুমন পুনশিবা খোইমোম অথোবনা মোমন্নু ভাংজ মশমসিবু কল্লা খোল্লাং পামহাই শরুখিয়ে। লংমাই ক্তোয়াং ৬ মানা শেলোই ইমাবিও! করম চংলুবনো? লালোই মীভাথোক শারেল মশুংলাংব ওইদা অনা ওইয়ে। অদু নোংগিবু লংমাই মোইকোইলোকও তৌনা কৌয়ে। শেলোই ফুরোইসিও কৌবদি শেলোই লংমাই নিংথৌচহ লংমাই থাংহল অহনবনা পোকপি লংমাই ফুরোইন্নু থাংভা কমবোং ওংবিনা মপাম শেলোই চীংবু কাগে মদু লংমাইচীংবু য়োগে হায়না কমবোং মরান্য়াইগি মরান্ থোচংলকপদা য়াংলো লমথাংমাদা লাংলেন কোংয়াং রাশা-শো লোকলো শৌরাইতাংনা খুয়া য়োরুম্মেন ইমু ফিরাক শানা ভম্পল্লে। লংমাই ফুরোইন্নুদি মপাম চীংবু কাগে কাঙমদে মদু লংমাই চীংবু তন্গে তম্ভমদনা * নোংমল্লে। অদু নোংগিবু লংমাই ফুরোই নৌশিবি মন্নরাই, লংমাই ফুরোশিও তৌনা কৌয়ে। লংমাই ফুরোইন্নু নৌশিবি মমোম য়াল্লা মপাউ চাউদবি চিংগোই মীরোন থোক্তবিবু নমদা পোনা মপাম শেলোই চীংবু ইন্দাল্লকপনিগীনা

চংপা) নোংথিলদনা লাইগুম্না অচুম্বা অফবা লম্বী চংপদি মৈতৈলৈমা লাইস্নাগী ভা-কাকম্ পুরুম চীংথোং নেম্বদা থুপ্লবু, (অহিং নোংথিল অনিদা চংপা শাজং থংহন্দববু) অহিং মশক উদবা কোরৌ মুমিৎনা মঙাল মশানা লিকথাং নাইনা শিনা ভানবগুম্ মঙাল মশেল্লা চীংথোংদা মৈরকলে। অস্নুম্না নোংদা লাইরেল পাথংবম্নু অহিং মীংহইনা নোংথিল লাই ওইনা অমম্বলক্তগী মুমিৎনা মঙাল শরা শনগুম্না ওল্লক্লে। নোংপোক মাইকৈদা য়োইময়াই কোরৌ মুমিৎনা শুক্ল মম্নবা অহিংবু মাঙহনবা মালেম. লৈমাইদগী নিংথিবা পোৎনা লৈহো চাউনা হৌবগুম মঙাল য়েল্লকলে। অরাং চিংথৈদা উ-রা নাপি-শিংবীনা থল্লা হৌরবা চীংদা লোক্তুৎ নাইবা অমম্ব মকম ফাউবা মঙাল শল্লক্লে। মতৌ অস্নুম কোরৌ

*নোংমল্লে — শিরে।

মমোম্ চেপলৈ কাদবি লৈখাং তন্দরিনিনা পলেম মমা অকেম চাকমোম লাংগা ওইবিব, মমোম্মা কোমপেৎ খুত্তা-শু ফু নিন নাসি-ননা মপলব্, শঙ য়ে শঙ্দেবি পলেম অমনবিব্ ভাইয়ে হাইবগীব্ ভাইন্ বিও হায়দবরা। শংদে ভাইন্বি মরমখে লংমাই ফুরোইসি অচন্বনে নোংয়াই অরিক-খুবা খুমন পাংখাইচাম্বনা মমোম ওইনগে হায়না লাংগোই শয়াং থক্তা ফৈরা তান্দা থোংনা য়োইচান-চীং নোংয়াই অরিকখুবা খুমন পাংখাইচামবানা † য়াউরৌ শা-নাবদা য়াংলৈ তাউবা মহুইচাম্লং মাঙ্লময়ে। ব্রায়রং মনাশিস্নু মাঙ্লময়ে। অহু নোংগিব্ তাউবা হুইমাং-লোক ব্রায়রং নাশি মাঙ্ও তৌনা কৌয়ে। অতে মোইকোই-লোক শেলোই ফুরোইশি ব্রায়রং নাশিমাং লমলেন ফেনমতাক ভারংয়াইদা খৌশাবদি মৈদিংঙু লাইরেন নাউফংবা থংচিং মখোকলাং খোল্লাং মনুং-চঙ্ অরাং নোংনেমংদা খুনখোক চীংদাইয়ি অরোন শৌপোন লোইকেনখোক নুরা পাউতোংচৈয়ি ফবা খোয়মা লাইয়েক খিংফবা খোকপু মৈদিংঙুনা মালং মখিনাই খমকোন মরাঙ্ হৌবদা খোয়না নারোম্নুংদা পংনা ফেনচিনখিবব্ ওকলেন লাবা খারোনবা খিংলৌ কোংহনবা থক্তী য়ারেন মরি পানবা খাগি য়ারেন মরি পানবা পুম্না

কুমিং মঙাল শনববু অতোং অকুং নাইদনা শন্গুম্না নোংদা লাইরেন পাখংবা নঙনা লৈবাক্তী মপি মপা গুইচুনা নোংশিংনা নিংশিবা নুমিংকী মঙাসনা শন্বগুম্না চৈশিং খেক্কা নোংদম্নরো হায়না লৈবাক ভাকপা মশানৌ লাইনানা ইশাবি নাংবা লাইরেন পাখংবও! নহাক্তি লমচৎসিদি ওন্থোকপনি অহিং মী ওইবদি ঐখোই অনি ওইমিয়ৈ, নোংখিল নঙনা লাই ওইবদি ঐখোই অনি ওইমিন্নসি হায়রে। নহাক্তি নপুক চুমদরে। মহুং মপাল নাইনা চংলে। অতোপ্পা মরুদী অমা থন্নমাল্লে হায়না ব্রারৌরে। অমুম্না ব্রারৌরবদা নোংদা লাইরেন পাপংবনা পাউখুমখি। ইশাবী লাইনাও! ঐদি করিগী মরুদী থম্নগবনো? মহুং মপাল নাইনা চত্তুনা মরুদী করিগী থমগদগে? ঐদি য়োইমল্লাই লাইরেন তাউদনবনা

† য়ারৌ শা-নাবদা—শা-তানবদা।

ত্রিল্লবদি ১৮ শুবা পলেম মমা লৈনুং পিশিম্নুচা মালেম লৈথোং-ঙক পালেম পিবুকনুংদগী কোরৌ নোংশিং শুদরিঙৈ খামবি তৌকোন চংদরিঙৈ থিংলৌ খুচুম কেনরুম কেন্দরিঙৈবু পুন্-লৈ য়াথোং শেংনা থিংলৌ মথিনাইবা-কাউ ওকলেন নমলি লোক্তরিঙৈবু থিংলৌ খুচুম কেন্দরিঙৈ লোক্লৈ শিরৈ তুনা ওকলেন মথম্না কাচক হৌবা কাউথিং লৌকাউ তমথ-যণ ওকলেন য়াপংবধু মৈদিংঙুগী থংচিং মথোকলাং খোকলাং মখুৎশুনা ফেনথরোয়ে। লাইরেন মৈদিংঙুনা ইদাইবেম শমফা য়াংখুবও! ওকলেন অসিবু শাশম-পু লাবা শাপোং-শেম থিংলৌ থারোনপুনা মোংবা য়োইশা কয়মাংদা ব্লাইখুঙমও। ওকলেন অসিধু শাপুক ফাংঙমগুনো হায়না থৌশিনখবে। লাইরেন মৈদিংঙুদি মশানৌ খয়োইরোন থৌবাল নিংথৌ চন্থু কাইরৈমাদা তাংখিয়ে। হয়েং কৌবা ইঙ্গুং শোইরবগা লাইরেন মরান ওন্দেবক্রবদা অরাং লমলেন ফেনমতাক ঙারলয়ান্দগি লাইরেন [illegible] মখোক্লাংনা হৈরৌবা শাম্ব ময়ু নোংবাল কাদেম শমফা য়াংখুবনা য়াউরৌ শচি-রাৎপু হৈনা য়াউচরম্নবগী লাইরেন মৈদিংঙুনা ব্লাওইখিয়ে। ময়ু নোংবাল শমফা য়াংখুবগী লাবা খদাং কোইবেন য়াইবু পোংসিন

মঙাল য়েনবধু অতোং অকুৎ নাইদবগুম ময়াই শুমখোংপালগী মিংথৌ [illegible], অহিং মী ওইবা নোংপিলনা লাইগী মথৌশুম্না অচুম্বা মিংয়েং, অফবা থনক তৌবনি। নঙদি চীংথোং পোইরৈতোন খোংকং অংেঙবগী [illegible] মীয়ম তাদবা লমদা লাকমিন্নরকপনিনা অহিং মী ওইবদি য়াই, নোংপিল লাই ওইবদি 'অতুগীবু ওইফদবনি। 'অসুম্না পাউখুম্নবগীদু তুবি য়োইনোংদা নোংদা লাইরেন পাখংবা অহিং মী ওইবা নোংখিল লাই হৈব. [illegible] [illegible] হায়নৈদে। অতুনা তুবি য়োইনোংদা নোংদা লাইরেন [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। অমম্বগী মশক ওইবা ফত্তবা লম্বিদা চংফদবনি। অতুনা তুবি য়োইনোংদা নোংদা লাইরেন পাখংবদি সনা ঈ অমত্তনা চেম্বরকপা শেংলবা মিংগা চুনরবা পাখংবনি॥

তুহাউ লৈনা ফোয়না য়াইন্‌ল থৌবা মৈদিংঙু লাইরেল নাউফংবা লমলেন ফেনম্‌তাক ঙারংয়ান্দা থৌশাবা ওকলেন লাবা খারোনবা থিংলৌ কোংহান্‌ববু কায়ন-হুনবা লমথক শারোনবা নিংথৌচা মমাংগিনা কংলা থোন ৭ পু তানফংদরিঙৈ তিংয়ি ৱাফোংলাক্লবা নোংলৈফম ওকলেন লাবা খারোনবা ফানা-শং কংলা থোন ৭ পু হান্না তানফংবা মৈদিংঙু লাইরেন নাউফংবা লমথক শারোনবও তৌনা কৌয়ে। মৈদিংঙু লাইরেন নাউফংবদি চোয়নৌ সনা মীংহুনগীবু চুনবনে।

নয়োন মৈতৈ লৈমা থৌপান নিংথৌ চন্নু খয়োইরোন কাইরৈমা থৌপান নিংথৌ য়োইরাংপোক পুনশিবা মশানৌ য়াইমবা ৱাকলেন তোংয়াইগি কাচেং খুয়ি-য়াবনা পোকপি ককচীক মুপীনা শৱ্ন খুত্তা-শ লুকলেন পান্না-হানা য়োইনা নিংথৌ চন্নু তোংচেং মুবিনা লালু পোলেম হালনা য়োইনা নিংথৌ চন্নু মপাম থৌপাল পুন্ন-হুপ্‌ নোংপোক পাক্লা তাইনা অশৈ লমলেন শকপমচন্নু থৌপাল কৈমাখাল খাবি লেংনাও মোনবি য়েনপোং হিনোই-য়ি মশাবি নোংপোক মালং হুমওইবা অঙৌবা কোরৌ খোংচামবা কায়নৌ অরুরা পানবা কৈশা-য়ি ঙানবা তুচোংৱাই নেমবি উশাং-তাউও কৌবদি কদোনোংগিনো। ঙানবা কাচেং তেন্‌বগা ঙানবা কাচেং শাংবগা লাইজা য়িচোঙ্‌নববু ঙানবা কাচেং শাংবদি অচৌবা য়িবু লোনবা অশাংলমবু ফাবানিকীনা লাইজা তাংশক্ক য়িমু মীথাদনা য়িচোংখিববু মরম থৌবাল লম্না চুমবনিগীনা

নবেল মৈতৈ লৈমা লাইন্নাদি হৈরোং নিংথৌগী মচান্নুপী হৈরোং লোংলিবা লৈচিক চীক্লিবা লৈথম থম্লিবনা য়েন্‌থরক্‌পিনি। পোইরৈ লৈবাক্লা মী তাঙলিঙৈ য়ুম-কৈ নিংথিনা শাদবনা থাংপোক ওইনা শান্থনা লৈনরক্‌পা মীওইশিংগা লোয়নরকপনা পোইরৈ অসিদা লৈমালেন ওইবনা লৈমশিংগী মকোক ওইবী লাইরৈমনি। নবেনথৌগী মমিংবু লাইমক ওইরবসু মাগুম্না তরংবিনি। মাগী গর্ভমুংদগী অশেংবা শন্থাখবগী।

লাইজা য়িদা ভারে। ঙানবা কাদেং তেনবগী চেংলৌ হক্লা পিকপনিগীনা কনপু মুংবু শংনা লাইজ শিচোংপপু লৈরাই মোংবি থক্তা পাল্লে। মমিং মমাইস্মু করম পানবনো থৌবালও তৌনা কৌয়ে। নোংয়াই মীকৌনা খুমন তেংথাননা খিকলোইবু উশাংও শীংনাংবু নেমবিও তৌনা কৌয়ে। ঙানবা কাজেং শাংবদি শীংনাং নেম্বি উশাংনা তাউবগুম তাউথরে। অদু নোংগীবু নেমবি উশাংতাউও থৌবাল কৈমাইপাক কাচেং-লৌ থৌবালও তৌনা কৌয়ে। মপাম লমলেন মদাইমা হুইপুং লমল্লুংশি ঙাংচীং চীংলুকোক থৌবাল য়াইরু-তাউ থৌদু মুংকারো পানবা কৌরানচীং লাইজা মহিংথেল নোংয়াই মথিং শোইথিবিচা অতালে য়াউরা শোইচেপ-পিচা মরোপাল, পোইরৈ মৈতে শেরা মাইরেনবা মকাইফম নাব্বা থিচামপাৎ থৌবাল শোইথুপমাং নোংপোক য়াইরুং চীংঙামাং খুমন পোংখুপাৎ য়োইরুমলোন মপাম লৌশি খোংদৌবি খোংদৌরাই মদু তোমফাং য়িথেমবি য়িথেমলমধু অছেনবা চন্দু মপাম লমলেন মদাইমা অঙৌবা লাইরেন হিখামবা চুংশেনকোনও কৌবদি কদৌনোংগীনো। নোংয়াই খাবম্ শিংগুহন্‌বা কাউথু হিঙম্‌বম্ পিবাগা লাইফম শিংগুহন্‌বা শেনবা নমথংচাগা নাইবা শীংকমবা থৌবাল উঙাম্ থাবগা হয়ি মখোয়্-ফোয়্ হৈচাং মখোয়লেম্না থৌবাল লাইজা

২। মৈদিংঙু খুইয়োই তোম্পোক।

(খৃঃ ১৫৪—২৬৩ ফাউবা)

নয়ুথৌ মৈদিংঙু খুয়োইতোম্পোক হায়না কৌই। নপু মৈদিংঙু তোম্পোক্তি নোংচুপ মাইকৈ পাংবা মুংশিংলম (কৌব্রু মাইকৈ) দা মাগা লোয়নবা মাইবশিংনা লমজিংদুনা হোই হোই লাউনা হোই থেমদুনা উ-বা নাপি-শিঙ্বিনা গুরুবা উমুং চংদুনা উজাউ উরু ফুরা শীঙজং পায়দুনা য়ানখি। অবাং কৌবা লমদগী (কৌব্রু-লমদগী) শজি ফাদুনা মউল লৌরগা পুঙ্মায় শেমদুনা পুঙ শামবু মরোল (মখোল) থোকখিদে। মতুংদা পাম্বা কৈগী মউল লৌদুনা অমুক পুঙ শেমদু পুঙলোন থোকখিদে। কোরৌ নোংজা অমদি কাউরেল যনগী অমোম হাতম নিংথিববু মউল

য়িরম ইন্না থৌথারকপবু অঙৌবা কোরৌ নোংনিংথৌনা হৃয়ি মথোয়-লেন হৈচাং মমাই-কোয়বরমবু ইন্না অতোল ব্রাকয়ে মখুনেংপু খান্না ফারে। অদু নোংগীবু অঙৌবা লাইরেন হিখামবা চুংশেলকোলও তৌনা কৌয়ে। মপাম্ থৌবাল মদাইমা ককচিং তোংচিংলম্‌ও কৌবদি কদৌনোংগিনো। থৌবাল য়িরুম্‌লাই তুবি কোকনিলোংবা লাইরেন মৈমা তোনবা লুথ্রূপ পানফোইবা খানৌ য়োইহনবা তুবি মকোক পাংমানা ব্রাইথৌ থমপুৎ লান্না চোক্তবা লাইরেন মকোক পাংমানা ককচিং তোংচীং লান্না চাক্তাবা ঙানবা তেকচা পামবা শন্না লাইহৎ-থৌবনা থাংলেন মখুৎতুনা তুবি মকোক পাংমা ককলে। ককচিংও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন মকোক্ পাংমানা চোংথোকখিয়ে। চোংচীংও তৌনা কৌয়ে। ককচিং থোন মরক্তি য়োইবু খোইমোম লাইরেম্মা লোইমোম ফৌওইবি খোয়নৌ মতা ৫ মা চীৎনু লৈমা চীৎমিংনবি হৈহু লৈমা হাইমিংনবি ব্রাকচিং হাউকোনবা চনু লোইনু থুম-ওইবি তোইবি-কোন মিংনাইবি কোলাংনু কোলাং নাশিনবি খোয়নৌ মতা ৫ মানা থোংখোং পোত্থাগে কারল্ লমপুবদা তাংথগে ইনতাল্লকপবু তুবি অঙন্‌বা লাইরেন্ অরেম্‌বনা তুবিকোননিংনবী কোলাংনুবু তাংজ মশম কন্না থামলোয়ে। অদু নোংগীবু ককচিংও তৌনা কৌয়ে। ককচিং তোংচীংলম্ থৌবাল লাইজা অন্নবা-লম্ অশৈ লমলেন্

লোরগা কোংয়াং ব্রানা চগো কোম্দুনা মন্ডল তিংলগা কন্না থোৎনা নৌবি লীনা য়েৎতুনা ব্রাংলেন অমুক পুঙতিংববু পুঙগী পুঙলোন থোকথরে। কোরৌ অদু তুমিত্তগী মৈদিংঙু খুইয়োই তোম্পোক ব্রাংলেন পুঙবু পুথোকপা হায়না মিজৌনৈয়ে। মশানৌ লাই পাখং মরূপশিংসু য়াউহৌখি। মশাবী লাইনুরা ইবেম্মশিংবুসু য়াউনা লাইনুরা, লাই পাখং পুখনা থোংকাং লেংনা পুংজাউ ও য়ান্না হরাউ অায়ানা ব্রাংলেন পুংজাউ পুথোকপা কৌরে হায়না থংনরে। মৈদিংঙু সিগী মিংথোনবু মাগী মিংলেন অসিগা তৌরকপা থবক খুদিংগা ফুদোংলবা সনাগুম মিংলেন অসি চুনবনি।

শকৃপম্ চমু কাচেং খুম্রি য়াবনা পোকপি মদাইরেম শয়াবনা মন্চংপি য়াংখুবনা মলহোন্বি রাইথৌ খমপুং লান্না মরান মুহোং শোংভোং-লকপি থৌবাল নিংথৌচমু খয়োইরোল কাইরৈমাও তৌনা কৌয়ে। নয়োল মৈতৈ লৈমা কাইরৈমা সনা লিনকোইকি ॥

৯। মৈদিংঙু শমৈরাং।

নয়ু মৈদিংঙু শমৈরাংও তৌনা কৌয়ে। মৈদিংঙু শমৈরাং য়োইরেন্বদি হাউরৈ নোংপোক্লা পাংবরম্দা খৌশাবনে। লমলেন শেলোই মদাইমা লংমাই মখন্মা কুম্বা উশাদা লাংচল লিরৌ ল্যোক্ও কৌবদি কদৌনোংগীনো ? ময়িম শেলোই মীকৌনা লংমাই তেংথাননা ইন্ববুদি উশা-ও ইলুমবুদি তুকপু-ও নোংখু কুমবা-ও কৌয়ে। পাংপুদি থেপা-ও কৌয়ে। ময়িম শেলোই লংমাইনা থেবা ভানৈবদি মালং মথিনাই খমকোন মরাঙ হৌববু লমওক্লরে। লংমাই কুপ্পা চেপ্পা হৈরকলে। উরা মরু তুববু থেবা ভানৈবদা হুমথরে। অতু নোংগিবু লংমাইকুমবা উশাত-ও তৌনা কৌয়ে। কুমবা নিংথৌ শোইফম্বনা

নবেল মৈতৈ লৈমদি নোংবাললোল্ (অঙোম রেক ওইবা) নোংমোইমু অহোংবী হায়না কৌই। নোংবাললোল্ নোংমোইমু অহোংবীদি কোয়ৌ নোংম-দোম্দগী তাথরকপী লাইওবীনি, হৌজিকী নোংথৌ থকী রাথলবু থাপখরবা অমুম্না থাপ্লদরিঙৈ তেংবানবা মপুগী রাথলবু ভামদরিঙৈগী অতুগা মালেম লৈবাক অসিনা লৈথগী, জীব পুম্বা পোক্লকপনি পলেম ইমামক্লি হায়না রাংম্না খয়রঙৈদা উ-রা-না শূরু কুংনা হৌবগী মতোল কোনবনা থাংপোক্কী মওং ওইনা লৈনরিঙৈগী মতমদা কৌত-চেংশ্ লৈতনা চৈরৈ কিডৌ কৌদনা কোয়ৌ অম্লাংবা অতিয়াগা মালেম লৈবাক অনেৎগা নক্ননা নোংথি নোংলাউখোন ভানা ভানা পাম্লরঙৈদা মৈদিংঙু খুইয়োই তোম্পোক্লা লৈমলেন নোংমোইমু অহোংবীবু মচা' মনাই

শোইশেন্বদা লাংচনলীগা লৌরে। অদু লোংগীবু লাংচল লীরো লোক্ও তৌনা কৌয়ে। সুংশল য়ি-মরু ওকণ্ড লম্মখৈ-ও কৌবদি কদোনোং-গিনো। নোংবাল কাংবা সুংশল তানবনা মশল মানবি লীহেপ্পা কাউরেল কোন্দৈববু ইন্তাল্লকপদা মানবি মমৈ ব্রায়্না কাউরেন মতুং ইল্লকপবু শেল্লোই মদাইমদা মশল মানবি লিহেপ্পা কাউরেল কোন্দৈবনা থৌদু নুংধু ওল্লে। কাংবা নাহা সুংশল তান্বনা অনৌবা মানবি থোংখুল ইল্লকপদা মশল মানবি লিহেপ্পদি তেকপি ওকপু ওল্লবব্ লমওক্লরে। অদু নোংগিব্ সুংশল য়ি-মরু ওকসু লম্মখৈও তৌনা কৌয়ে। লমলেন সুংশল য়ি-মরু ওকণ্ড লম্মহল খানপোক ছেকচুম-য়ি ছেকচুম লম্মহল-ও তৌনা কৌয়ে। লমলেন লোথোং-খোং থোংখোং লাইবনা ব্রা থাইয়ে। ব্রাথা-চীং কারাং লাইবনা ব্রারিঙ্ঙৈ ব্রারীঙ্-চীঙ্, হাউন্দু শোন্মোই তাওবিনা ব্রাঙাকয়ে ব্রাঙাকচীং, লুব্রাং পুরেংমু মান্বনা ব্রানি-চীং, কারল নিংথৌ শোকপাম্বা মচিংলেন কারল লাকপা থৌমন তাউবা মচীংশাং লংমাই কারাং য়োংখংচীংও কৌবদি কদোনোংগীনো! নোংবাল সুংকাংপাম্বগা মপারী হাওবা তেকপাগা লোইবি থোংঙাই থেংগে হায়না মরান থৌচৎলকপদা চীংয়াইখু য়োং-নাউ শাথিবা মমা নোংবাল য়ৌয়েংবিচা কৌবা লিহৈবা পামেন

কাণ্ডম লোয়নতুনা লৈমৈরে। মতৌ অম্মুম তৌরবদা অথং অহৈ লৌশিংবা কয়ানা চৈরৈ ফিশা ভমতুনা শেৎলগা ফিরোল কোয়না কোয়না য়েকপবু ওল্লরে। মতৌ অম্মুম মথং মথং শেল হয়্বা থঙ্নরে। থোইমুম লাইগুম অথং-অহৈ ওইবশিংনা ফি অঙাংবা শাববু হৈহনবিরে। অসিগুম্বা মৈতৈ লৈমা নোংবালরোল্ নোংমোইমু অহোংবীদি কোরৌ থক্কী অশেংবা মচী বাংবলসিদা তাকদবা তাদরৈবু লেমথরকপিনা লংমাইচীং চীংয়া তাবা থোইনিং থোইরুগী থবক তৌবনা অওং অউন অরেংগা মাউরৌ পাম্বাশিংগা থাং মকোক অচৌবা শিনন্ত খুদিং চঙ্ফবগা লৈরেন লৈচাউ শেমতুনা লাংগী মভোলনা পুঙবগুম লৈচাউ হাপ্না খুৎতোন খুদাংদা শমৈ শমদোন্ শেমতুনা লুতুং শমজি অশাংবনা থবাক্তী নিংথিবা মতা ফবদা

চেনকুম্বা তলা চেনকাবনা খংসু খঙঙম্মে লানথুং লাল্লময়ে। নোংপাল শুংকাংপাম্বনা মপান্নী হাউরা তেকপদা পাউহংখিয়ে। পান্নী হাউবা তেকপও ! রায়রা শান্না হুয়েন লাল্লা পাউহংববু খিপল পম্মৌ নিংথোও ! রায়রা শাম্মুং নত্তে হুয়েন লান্দ, নত্তে। চীংয়াইখু য়োংনাউ শাথিবনে পাউথুমখিয়ে। মপল নোংখ্রাল শুংকাংপাম্বনা পান্নী-ও ! অমলেন শেম্লোই মখলমা অসিম্মুং কারল য়োংখংচীং কোসে। নপল খ্রেগী কোলোই ইমিংথোংস্মুং নোংবাল য়োংখবা কৌবদি কম্দৌনগনো তাংজা ইকাইয়ে। অদু নোংগীবু নোংবাল শুংকাংপাম্বরা মীংহোংচীং লংমাই কারল য়োংখং চীংও তৌনা কোয়ে। লংমাই ফুংকা লাইরুলেন পেশু থুময়োম-চীং রাংবন কা-নবা কাউকো-চীং কোংরম চনু কালামবী সনা খোমহাল্লম খোয়নৌ লাংমৈ চোইকেন-চীংবু ঙমথংনবা থেবা ঙানৈপাত্তা খৌশাখবদি কুমবা নিংথৌ শোইকমবা শাফু তম্না য়েক্লবা লাংহৈ তম্না ফিবা-নরা চীংকা-পাকপা খোংথৈনবা চীংথ্রাউ পানবা তুংথংনবা ঙাংচেং ঙংলিনবধু কায়না হুল্লে। লাইরেন সনা মচুংশেল, চুংশেল মরাল ওনপিবু মিংথৈখিয়ে। মৈদিংঙু য়োইরেনবা কুমপা নিংথৌ শোইকমববু কায়না হুনবও তৌনা কোয়ে। মৈদিংঙু শমৈরাং য়োইরেনবদি চোয়নৌ সনা মিংহুনগীবু চুনবনে।

তাহন্না অশোঙবা চীংশাংনা মালং হুংশিংনা হুন্নবদা হাইনা হন্না তৌবগুম নোম্বনা ঙমহৌবি অঙোম য়েক্কগী শহবি নোংবাললোস্ নোংমোইচু অহোংবী হায়না মীজৌবগি অশেংবা সনা গর্ভচুংগী ॥

৩। মৈদিংঙু তাউথিংমাং।

(খৃঃ ২৬৩—৩৬৩)

নপু মৈদিংঙু য়োইহৈ অতোনববু তাউথিংমাং হায়না মিদোই। মৈদিংঙু তাউথিংমাংদি নাহা ওইনা মম্নাই লেম্নগুবনি। তাউথিংমাংদি লীগী লীতোন ওইরবস্থ মতোন শুংবা পোইরৈ মৈতৈ হৌনা লৈবাক মীয়াম চঙনা থুল্লেপহনবনি।

নয়োন মৈতৈ লৈমা কমপোং নিংথৌচন্থু কমপোং নিংথৌ থিংকমপোং য়াম্লাবনা পোকপি মপাম থাংভা মদাইমা লমলেন কায়িংকা য়াংলৈ-ও কৌবদি কদৌনোংগিনো। অতোন নোংয়াই খুমন লৈমা কমপোংথেম চন্থু শাংতিংঙানবি নারুম কাংবিনা লাইরেন মনেম্মচা হোংনেম য়োইখুনজাউবু লমওক্লগে ইস্তাম্লকঙৈদা থিংলৌ নিঙ্না তেনা মরাল ওন্দেরকপদা ইপল থাংভা অমুকোয় ইহু কমপোং অঙৌকোইও ! করি কোইনো চুনদে। অয়ুক থাংভা মৈরৈতববু মৈচেল্লে। খুমিদাং কমপোং লালৈতববু লানচেল্লে। কমপোং নরানয়াইদা লিকোই য়াইশং পুক্কাদে, হয়ি চৈল্লোলকদে হায়না মপল ব্লাইরকপা মহু থৌতিংবধু মপল থাংভা অমুকোয় মহু কমপোং অঙৌকোইনা পাউখুমথিয়ে। ইমোম নোংয়াই খুমল লৈমা শাংতিংঙানবি নারুম কাংবিও ! নংবুহুম নোংয়াই চাউবপুং অতোন শাংব য়াইদা য়েস্তাক তোংথিয়ে। ঙখা খুৎতময়ে। খমনিং থোকচৈ ব্লামা হায়য়ে। খমমাং থোকয়ে পাউমা তময়ে হায়না নোংয়াই নপুংয়াইদা হায়নৈয়ে। হায়ন-ব্লাবু লানবু থানা হায়্নরম্ য়ে অহুনোংগিবু ব্লারেল থারম লান-ও তোনা কৌয়ে। মপল ব্লারকলা মহু থৌতিংলম্লবগা য়োইময়াই তাউদনবনা মতাং তেল্লবদা মদাইরেম হাউচা তোরেন ব্লাথোন ক্ষাবাগা ঙাইরোইনরকপদা

মৈদিংঙু তাউথিংমাং অতোনবদি ইরিল তুরেল মক্কদা থৌনা কনা তুদেংবা নিংথৌনি। লিনবাই য়িমক্ক কাৎলৌ লাইমকোল লিলবাই থারংপোক কাকলেন শীনাং শংকোন, মীরা পোংথোক্লম ঙরি শমৈথাং লমলেন কোনবিরা লিলব্লাই য়িমক্ক কৌথিবদি হয়িচক্কী মতমদা তাংজা লিলা পাথংবগা হংঙোই কোম্বিং ম্বুরাবীগা হয়রাং ব্রায়না চৎনঙৈ বায়নৈ চৎনহুনা কোংলৌ লমথৈবদা হয়রাং মনা পাক্লবা তাউজিং ময়োংনা চুম্না পাক্লবা শিদ-নাদগী মহৈ থংনা অঙাং নাবা ওইনবা মশাবীবু নাবা অমগী পলেম ওইনা হয়বু তাউজিং হয়্চেম্নঙৈদা মথংলেন তাংজ-লিলা পাথংবনা মতালোই হংঙোই কোম্বিং ম্বুরাবীবু হায়থিয়ে। মোয়্ ঐগী ইভালোই ! ঐথোইনা লমগী লমতুপ লমথৈবু নথংলেন ঐঙোম্দা থুরৌ থাংলে। পাথং

ইশং লৈনা শারম শংলৈ নাখম্না কৌবা য়াইরেক্লয়ে। মপাম থাংঙা তেংথানা মহু কমপোং মীকৌনা ইশং লৈনা শংববু কাম্লিংলেও কৌয়ে। লমশং লৈনা শাববুদি কোয়াংলৈও খোননৈয়ে। অহুনোংগিবু লমলেন কায়িং কোয়াংলৈ-ও তৌনা কৌয়ে। লমলেন কায়িং কোয়াং-লৈ হাউকু য়াংনমপুম্হ ময়িম্নাক কমপোং মোইচা লৌধু অছেনবা চম্হ অতোন নোংয়াই থুমন লৈমা শাংতিং ঙানবি নারুম কাংবিনা মদাইরেম নোংয়াই হাউচা তৌরেলম্নাক খোনফাংবগু শমু ঙাইরোইননা মপল থাংঙা অমুকোই কমপোং অঙৌকোইনা পানবপুং থাংঙা উপুল-শি তেরা কাংলম মৈনা ইম্নুং শোইয়াইমাদা থাংঙা লালৈতাববু লানচেল-রাই কমপোং মৈলৈতববু মৈচেলপুংদা মপাম কমপোং য়িমদি চাকপা হাউশম-শা মনিং নিঙ্গশুম ময়া য়াগা-ফাক কমপোং থারম পাৎপু-ইচাথংবা থাংঙা লাইরম-পাৎ য়ুনাইনবা চম্হ য়োইরুমলোন কমপোং নিংথৌ চম্হ মপল মরানয়াইদা মিংথোংথবদি ফুময়াই লিমচামলো হোঙাংলোই শোয়মোম খোক্তা য়াইফুরোলও তৌনা কৌয়ে। রাইশেল খমপাং লান্না মরাল গুহোং খোংথোংলকপদা লাইস্না থাইরককোন অথূবী নোংদা লাইরেন পাথংবা ফমতোনখোং অচৌবধু কাইরক্লবদা

ঐগী থম্মোইম্লুংদা হুংশি ঈথক হৌবনা য়াইবী তিল্লাং য়াম্লকপবু চানবিদে হায়না ওইনরিঙৈ তাংজ লিলা পাথংবনা হঙোই কোম্হিং হুরাবীবু কৈরা তান্দা পমহুনা বায়চৎনৈ। হুমিৎ অহুদগী লিনবাই য়িমরু তাংজ লিলা পাথংবা বাইচৎলম হঙোই কোম্হিং হুরাবী বায়না কোয়্নরমও কৌথি। ফাৎলৌ লৈমাকোন কৌবদি কৌক্রু মচা অঙাংঙা কৌবনা কংলৈ লম্বু থৈনগে হায়নঙৈ হায়া ওইনম হুরাবীনা কম্বি চক্ কৈয়ে। লোলাং পাথংবনা লেমলৈ ঙাগা ফারে। কৌবা অঙাংঙানা লমথৈহুনা অতোংবা মফম য়েংনা থুন্দাগে চৎথোক্লকপদা তুবি য়োইনোংদা নোংদা লাইরেন পাথংববু লম্মথাংদা ওক্লয়ে। হয়িচক্তী মতমদা থোইয়ুম শাইওন তৌবদা তুবি য়োইনোংদাবু লৈহুং লোঙ্গা পাথংবা কৌই। লৈহুং লোঙ্গা পাথংবনা কৌবা অঙাংঙা! লমথৈ থোপ্কনো অতোংবদা থুন্দাগনো! করিগী

লাইরেন মশাখিনা মিংথোংবদি থোয়মৌ য়েককাবোল লাংচেং কোংয়িরোন সনাচারীরোনও তৌনা কৌয়ে। মৈতৈ লৈমা কমপোং নিংথৌ চন্দ্র লাইরৈমা মা লিনকোইকী ॥

১০। উরা কোম্থৌবা।

নখু মৈদিংঙু উরা কোম্থৌবও তৌনা কৌয়ে। মৈদিংঙু উরা কোম্থৌবা কৌদবিঙৈদি পনম মুমিৎ থোকপু চুনব-ও তৌনা কৌয়ে! তুবি তাংজা-তোনগী মিংওনবা তাংজা মশম তোনখু নোংয়াই থমনোংখোং অতোল লানচেনবম লয়হুনবদা লাইজা ইনৌ কারকপা হুপনৌ থাংতপ রায়রক-পদা চাক্তাবা পোংনু মচল কুবাউ তাউবি শানওন-চেক উরাপোং মত্থ থৌবাল উফোং ফোংলাং মৈগুম শরা উফোং মৈথোং ফবগী মিংথোন কাবা মৈদিংঙু লাইবেন উরা কোম্থৌবদি হাউরৈ লাইনা পাংবম নাগা য়ি-মরুগা খোশাবনে। মখিম শেলোই লংমাইনা থাংঙা য়োখানগে খুনফম ঙাংচেং নেংকে হাউকপ চীংশাং থেংগে হায়না শেলোই হুইবিল থংনা লংমাই খোংশাল্লকপদা মৈদিংঙু মদাইবেম

চেকমায় কাতুন হৰরাং রায়চংনগবনো হায়না অঙাংঙাবু থামলমখি। মুমিৎ অতুদগী কাংলৌ লাইমাকোন কৌথি। অরাং কাংলৌ লাইমাকোন তাইবং মী-শিং থোক্লককম লংলেন কোখিরা লিনরাই য়িমরুদা মথৌ মঙম পাংথোকপা য়োইবু বোইহৈ অংতানবা তাউথিংমাং হায়না মিজৌথি। য়োইহৈতোন তাউথিংমাং কৌবদি অশেংবা ফদোংলবা সনাগুম মিংহুন অসি চুনবনি ॥

নবেল মৈতৈ লৈমা হাউমুখু-ও তৌনা কৌই। মৈতৈ লৈমা হাউমুখুদি লৈমা কয়া, মমাংদা হৌথিবা য়েনয়োম খোমহান্নদরিঙৈদা হান্না খোমহানবি চতুম চঙান চাবা তমহনবি নবেল মৈতৈ লৈমা হাউমুখুগী অশেংবা গর্ভমুংগী।

নোংবাল কাদেম শোইশেম্বনা তোনচেং শোইখাপৈবু শোইথিংলৈ। মলৌ কারামবি খানলৈ মলৌরেনবু নাতৈননা অথোং তোৎনবি শীংপৈ-থেল অরাই কংদবি ঙাপৈথেনবু নাতৈননা য়াম্না খোংকৈ চিরোল-চলনা শীংঙুৎ নাচুং-য়ৈ খরাই চাংদোল খলনা লুফুই লুথুমবদা ময়িম শেলোই মনিললনাই লংমাই মরাঙু হৌববু শোংকিবগি নোংবাল কাদেম শোইশেমবদি খোয়বুং মরৌ চাউনা লেমলৈ ঙাপুম তৈনা পায়মা নিংশা শৎহোলননা শিশন্নখিয়ে। ময়িম শেলোই লংমাইনা লেমলৈ ঙাপুম তৈনা পায়মা মনিংশা শৎহোলননা শিশন্নখিয়ে। ময়িম শেলোইনা শমু মখুৎতোম্না তানা তানা য়েংলময়ে। ময়িম শেলোই মীকৌনা লংমাই তেংথাননা অশিববুদি অতোৎপাও কৌয়ে। হল্লকপবুদি তেরকপা কৌয়ে। মৈদিংঙু মদাইরেম নোংবাল শোইশেমবা অসিদি তোৎলে। হোরেল তেরকপদা লুরক কাংদৈ থিরসে হায়না হুল্লাল্লমলে। অহু নোংগিবু লমলেন খোমপিতোৎ উঙাম-কৈও তোনা কৌয়ে। ময়িম'

৪। মৈদিংঙু খুই নিংঙোনবা

(খৃঃ ৩৬৩—৩৭৮)

নপু মৈদিংঙু খুই নিংঙোনবা হায়না মীঙ্গৌনৈ। মৈদিংঙু খুই নিংঙোনবদি মংরাল অহুম তুনা (লোন অহুম লোনবা লথু তুনা) পানবিবা লাইরেন মঙল ভহকপনি। মৈদিংঙু খুই নিংঙোনবা কৌবদি শেংলবা সনানা ফুদোংবগুম্না মিংহুন অসি চনৈদো॥

নবেল মৈতৈ লৈমা হাউংহল কৌই। মৈতৈ লৈমা হাউংহলদি মেরা মেন্দোং য়াউরকপী শাফা য়ায়রা লাল্লংবী নবেল মৈতৈ লৈমা হাউহুহলগী শেংলবা গর্ভহুংগী॥

৫। মৈদিংঙু পেংশিবা

(খৃঃ ৩৭৯—৩৯৩)

নপু মৈদিংঙু পেংশিবা কৌই। মৈদিংঙু পেংশিবদি মিঙ্গৌ অসি চুনবনি॥

শেলোই লংমাইদি কৌবা য়িরোং তুপ্না নাপা খোংয়ৈ লানথিরে। নোংবাল শোয়্শেমবদি ইনুং শোইয়াইমদা অচেন খংলে হৌনা লাইরেন সনা মখোংখাবু ইন্দাল্লকয়ে। মদাইরেম কৈদা নাইক্না খোংথেগী ঙাইনু থোংচিন ঙাকপশিংদা য়াহৌচিনখি। থোংলেন নাতৈ কাংচ লম্মখোংবু হাংলরো ! মৈদিংঙু লাইরেন উরা কোম্থোবা ইবুংঙো তাউও ! খোমলেন তুনথুল্লগুনো য়াহৌরো। ময়িম শেলোই লংমাইদি থাংঙা য়ৌখানগে খুনফম ঙাংচেং নেংকে হাউকপ চীংশাং থেংগে হায়না শেলোই লালহৌখিরে। নদাইরেম ঐদি পায়মা নিংশাবু শংহোল্ননা শিশন্নরকয়ে হায়না হুয়েল লালপাউ তন্নবা রাগী নয়ু মৈদিংঙুনা কংলা য়াইবুং য়েনা থিন্না মদাইরেম পোইরৈ অথৌ লিচা হেপ্পা রাঙম থায়াং কোন্দাই লোন্বশিংবু পুন্ন তিন্না য়াকারক্লবদা লাইরেন মৈদিংঙুনা ইদাইরেম তনবা থায়াংকোন্দাই লোনবা নখোই পুন্ন তাউও। ময়িম শেলোই লংমাইদি থাংঙা য়ৌখান থেংগে হায়না তুরেন খামবা লানথিরে

নবেল মৈতৈ লৈমা লাইতোংখু হায়না কৌই। মৈতৈ লৈমা লাইতোংখুদি খা পাংবা মাইকৈদা লোইবি হাউয়াম য়ুমাক ১০০ তাবদা খোমহনবি মৈতৈ লৈমগী অশেংবা সনা গর্ভমুংগী॥

৬। মৈদিংঙু কাউথংবা।

(খৃঃ ৩৯৩—৪১১)

নপু মৈদিংঙু কাউথংবা হায়না কৌই। মৈদিংঙু কাউথংবদি শক্তিক থবা ঙানবগুম্না মথন্না মনিঙতম্না পানবনে। মৈদিংঙু কাউথংবদি অশেংবা সনা ফুদোংবগুম্না মিংহুন অসি চুনবনি।

নবেল মৈতৈ লৈমা লাইতোংহল হায়না কৌই। মৈতৈ লৈমা লাইতোংহলগী অশেংবা সনা গর্ভমুংগী॥

৭। মৈদিংঙু—নাউথখ্বা।

(খৃঃ ৪১১—৪২৮)

নপু মৈদিংঙুদি নাউথখ্বা হায়না মিঙ্গৌই। নোংঙাল ইচিক হুনবদা ক্নোরৌ নোংথৌ থক্কী থবানা কোরৌ মশেক য়েন্নমদাইদা (নোংঙাল্লমদাইদা) মতোমদা

হায়য়ে। ইন্নুংমানে হায়ফরোই তয়মশিংও! ইখোইদি ব্রায়রা খোংহৌসে হুয়েল লান্দানসে হায়না অহিং ইমুং শোইয়াইমাদা তুবি লাংগোই মখুৎনেৎ কোরৌ পিথ-শা ব্রাংবল থুয়ৌ-কৌ অরাং নোংথি মণ্ডাউ হৌবধু লাংগোই শাপোৎ লৈনা-শেম কোনচল লুরুপ লৈনা তাউনা লাংগোই খোংওইননা মদাইরেম পোইরৈ অথৌলিচা হেপ্পা ব্রাঙম থায়াং কোন্দাইলোনবশিংগা চূঙলেন থাকূপ হৌনা খেরে মাঙয়িন্নবা খোকলাং তুংলোম্নবা লমলেন কৌবা মদাইমা নোংবাল নাউখোংচামবা চান্‌কোনথোংধু নাতৈননা হুয়েল লাম্তান্‌খিয়ে। নোংবাল নাউখোংচামবা চান্‌কোনথোংও কৌবদি কদৌনোংগিনো। লুব্রাং নাউখোংচামবনা অরাং কৌবা য়িরোংখোং কোঙৌ পু-য়োমথোং কোরি পনচৎথোংবু থোংশাইয়ে। চাকথাং নারেংথোংবু থোংহোঙ্‌লে। নোংবালচানা চৎকে চৎহনদে। লুব্রাং ময়েল্লুনা লানগে লাল্‌হন্‌দে। হৈরেম পোনবি লোক-লৌথোং লৈতাং শেকুরেক অঙৌবনা থোংলেন পানপাই নেৎনা·

মুংথিবশুম থোইয়ুম শাইওন লোইবনা মথৎতা হঙ্গিনদ্‌বনি। নপু মৈদিংঙুগী মমিংদি সনাবু ফুদোংলবা অহুশুম মিংথোল অসি থোনবদি চূনবনে।

নবেল মৈতৈ লৈমা য়াউরৈবা চন্নু (ময়েংবম নিঙোল) হায়না কৌই। মপাম ময়েংবধু য়াউরৈ লৈয়াথি খুনকাম লৈনাম্মুংও কৌবদি করিগীনো। থাইনা মমাংঙৈ ময়েংবম শাগে চাউরবদা খুনগী খুনশানা লৈকোক লৈকাইনা মাঙ্গোন নাইনা মুংঙাই য়াইফনা পাল্লরুবদা ময়েংবম শাগৈগী ওকনাউ মচা য়েম্নাউ-মচা অহুগা ঙান্নু খুমুনচিংবনা মশাং য়ান্না য়ামশিল্লকলে। খুনশাদা লৈবশিংনা হামেং অঙৌবনা মশাং হেন্নসু লৈরক্লে। মতম অসিদা ময়েংবম ময়াম্বনা খুনকাম ইশানৌও! ঐগী ইওক্‌চা ইয়েনচা ঙান্নুনচিংববু নংনা হৈনথরবরা হংববু খুনকাম মশানৌনা ইরাম্বা ঐগী হামেং লাবা অঙৌবমুম নংনা ফারবরা অমুম্না অওক অথোং তৌনা ঙাংনরে। অমুম্না ময়েংবম মপামগা খুনকামগা অনিনা মাগী মওকচাগা ময়েনচাগা ঙান্নু খুন্নগা হামেং লাবা অঙৌবগবু কংলৈ লমদা লোইশিনখিবা য়াউবরা হায়না লোম্না থপ্পা য়েংনরবদা য়াউরৈ মশাবীনা খুনকাম ইনাউও! ঐথোই অনিনা তৌরিবসি কান্নদরে। কোরৌ অতিয়াদা লৈরাং শাৎপগুমই। কংলৈ লমদম অসি

য়াকাবধু নোংবাল মপাচানা হোংগে হোইহনদে লুরাং ময়েল্লুনা তাইগে তাইহনদে। লুরাং নাউখোংচামবও! নোংপাল নপাচাবুদি করম লায়বনো, লৈতাং শেকুরেক অঙৌববুদি করম চানবনো হায়খিয়ে! অহনোংগীবু নোংবাল নাউখোংচামবা চানকোনথোংও তৌনা কৌয়ে। নোংবাল নাউখোংচামবা চাকোনথোংবু নাতৈননা মৈদিংঙুনা তাংজা লমফমখিয়ে। লিলা নথেংলে। লাংকম ফম্না শিংনা ঙাইখম্নবদা অসাইঙৈগী ময়িম শেলোই লংমাইনা হাউকপ চীংশাং খুনফম ঙাংচেং থাংঙা য়ৌখান থেংলুবগী মরান ওন্দেরকপদা লাইরেন মৈদিংঙু উরা কোম্থৌবনা থিংলৌ তম্না পনচিল্লে। লাবা তুগুম্বু পনকোইরে। ময়িম শেলোই লংমাইনা চীংদা কানা চেল্লবদি মৌপি পোংশং য়ানগুল্লা মেম্তাক লমশংওই য়েনদেম থরাম শোইগুমলে। লৈরক লাম্না য়ানগুম্না য়াম্নরে। লংমাইনা তমদা তানা চেল্লবদি থুমনাউ কোকপাকপিচা ফাগুম য়েন্নাউ য়াংশংপিচা তানকুম তাম্নরে। শেলোইনা খোয়মা নারোম্ংদা চঙনা

লৈহৈদরে। ইরাংসে হায়নরে। নোংমদি কংলৈ লমু ইরাংপদা বন হাতম নিংথিবু থাংজি মতুপ শাবা কক্তুনা য়াংতুনা ইরালদা হাপ্তুনা মুম্না থোংবু মুন্মন্থিবনা ইতোই তোইরে। কংলৈ লমগী মীয়াম হৌন অশাংবম য়ুম্নাক তাবা লৈরক কোনশাং পুম্বা অরাবম য়ুম্নক থায়দুনা পুংজাউ থিম্না য়ৈহনা য়ুমদাবা ম্নাবা লম্বু থিংদা নোংমদি অশং অমালনা থনবা লমহাং মতা ফবদা মীয়াম চঙনা নানৈরে। কোরৌ হুমিং অহুদগী মৈহৌ কৈহৌহনা ফুংগা নাইনা লিংহনা উচেক বায়া য়োক্না হরাউ তরাম্না মরান য়ুমদাখিরে। হুমিং অহু য়াউরি লৈয়াথি (লমথিবা) খুনকাম লৈনামুংও হায়না কৌনখি। লুবাং য়েক ওইবী ময়েংবম চমু ময়েংবম লমথিবা খুনকাম লৈনামুং হায়না শৈথা-নবা নিংঙোলগী অশেংবা সনাগুম্বা গর্ভহুংগী॥

৮। মৈদিংঙু নাউকংবা

(খুঃ ৪২৮-৫১৮)

মম্নু মৈদিংঙু লাইরেন নাউকংবা হায়না কৌই। মৈদিংঙু লাইরেন নাউকংবদি নোংপোক মাইকৈরোমদা কেনমৃতাক ঙারংয়ান্দা থৌচংপনে। কেনমৃতাক ঙারংয়ান

শানথুপ্লবদি লাংবন কাউরেলঘণ লৌচংবা লোইমোম পোমশং শায়বা য়ৈগুম্বা য়ৈনরে। লংমাইনা লাইজা য়িদা কুম্না চেন্‌বদি লাংবন ইকা-ঙা লেমলৈ অহুনবা ব্লানচেং অহানবা ফাঙুমলে। শেলোই শিফানিক লংমাই নাফানিকলে। ময়িম শেলোই লংমাইগী ঈনা থক্কুম থক্লা চেল্লে। ইমু থকপা লৌনমশংকোলও থোমৈয়ে। শেলোই অমন্‌বা লংমাই অকেমবশিংগী শমু মথুত্তোন মশেল কারল কারল তিন্নরে। খুরোইবা তিল্লাংখমও তৌনা কৌয়ে। শেলোই য়াব্রা শুজানম্ লংমাই-তিক্কা লাইকোই থোংলবগী মপুমনাইনা নাত্তা শীংদা কারে নাকা-ও হায়্দবরা। ময়িম শেলোই অমন্‌বগী তাংজা লুরেনত্তোন শিনৌ লাকা মোইমাইত্তোনবু লালু চোমাই হান্‌বধু পোনচেং লাইচমলুংদা চেংলৌ মীশা ওল্লে লেমচেং মৈরা মুংলে। অত্থনোংগীর মৈবা পোনচেংলমও তৌনা কৌয়ে। শেলোই থিংলৌত্তাবা লংমাই মরৌ চৈচেনবা য়েনবা তুগুম শৈনাইবনা খোয়মা নাকা থংনা ঈ তৈথোকখিয়ে। থংনা ঈতৈরোও থোমৈয়ে। মৈদিংঙু উরা কোম্বোবনা কারুকিচৈ হেৎবা খোইগোমপোক্কী

কৌবতু করিদগী কাদৌৈদেগী ঝৌবনো ? লংমাইচীং চীংখোংলোমদা তাবা তেন্দোং পোত্তুনা শাগী শারম থিবদা লম্বী য়াল্লমলে। মাসিু লংমাইলমগী মীনা শারম ঙারংয়ান হায়না কৌই। মুমিং অত্থুদগী লমলেন কেনত্তোক ঙারংয়ান হায়না কৌই। মৈরোম্বা তান্নরম শৌবদি শিংনাংলক্কা লৈংনবি য়াউবৈ শঙাইনা মপুক্কা টানা লেংলববু টাগা কোম্নবা ময়াদা হয়গী হন্‌ টীক্কা শেলোই লংমাই লমগী শোঙল নারক্কা চেঞ্জবু শেলোই লমদা তাবা মীশিংনা মাইবু মোবা মাইবিু মোইবি অচুম্ববু অত্তেব হায়না কৌই। লংমাই লমগী শা-কা ঙা-ফা ফবা ৬ মকুমাংল্লা হয়বাইনবা য়াবী শাকবী ৬ মকপু তাউঙ্গিং হয়চেল্লগে হায়না মরম্ লমদা কোয়রকপবু শেলোই লমগী অপৌবশিংগী হুপিশিংনা খামজখি। মঙ্গিম লংমাই লাইশ্রবা অথৌবা ৬ মকও। ঙসি ঐগী ইমঙদা শেলোই লংমাই চীংজাউদি নাকপাক অমা কিন্থরঘা লোকমাই অমবু ফকথরঘা মঙবু মঙলমই। নখোয়না হয়েল লানশংনবা য়াউরৌ শাদানবা চৎপবু নরম শেলোই লালুংনো নরাল

চৈথাবা খুরোইবদি লাংখম ঈমু থৎপা লৌনম শংকোন থৎমা ঈতৈরৌ মৈরা পোনচেংলম লেমলৈ ঙামিংনবা শরোং থোইনুচা মন্নরাই, কৌবা লম্মহন্দা খোশাথবদি হুয়েন লান্নিগীদি লংমাই থিকলেং মাইরেংশুমবা নাউশংব্রা হোংচান তৌলিক তোপ থৌরাং অথৌববু কায়ন হুনবা নাকা লাম্থাবাও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন মৈদিংঙু উরা কোম্থৌবদি চোয়নৌ সনা নিংহুনগিবু চূনবনে ॥

নয়োল মৈতৈ লৈমা খাবরোন নোংচেংশুও তৌনা কৌয়ে। খাবা খাংহন চামবনা পোকপি নোংপোক মহৌ লৈরাই পাংগা নিংথৌ চনু হাউরৈ খানা পাংবরম মপাম লমলেন মদাইমা খাবা শনশেন-থোংও কৌবদি কদৌনোংগীনো। ঙানবা নাহা থোংশাদরিঙৈ খাবা নাহা শনশেনবনা হান্না শীঙনাং-নেমবিনা থোংখোং-ওই খিকলোই উশাংনা থোংপাক ওইনা থোংশাইয়ে। অদু নোংগীবু খাবা শনশেন-থোংও তৌনা কৌয়ে। লেমথোং থিংকোল থূবা-লৌ শল্লান চীঙু

থৌচংকনু হায়না খামজখি। অদুনা লংমাই অথৌবা ৬ মঙ্গি মথৌ মঙম চত্তনা হল্লকলে। মশুং মমান্নবী থাঙঙা কম্বোং নিঙোন হয়ব্রাইবী শাফবী ৬ মকপু হয়ব্রায়-ননা লৈববু খুমন পুনশিবা থোইমোমশুম অথৌবনা শাফবী ৬ মক্কী মশম ককুপনা লোইবী থক্তা পাম্ হাইশুম ককখিয়ে। অদু মুমিত্তগী লংমাই মোইকোইলোক কৌথি। শেলোই কূরোইসিও কৌবদি শেলোই লংমাই নিংথৌগী মচা লংমাই থাংহন অহন্বনা পোকপি থাঙঙা কম্বোং ওংবিনা মপাম শেলোই লংমাই লমগী শেলোই চীংবু কাগে থোক্লকপবু লমথাংদা ব্রা য়ান্থিবগী থাঙগম্মা শৌ-শাবনা খুম্মাদা য়ুরবগী ঈহং নাইহং শাবনা পন্দুনা লৈরে। লংমাই কূরোইনু নিংঙোম্দি মপাম চীংদা কাগে কাঙমদরে মতু লংমাই লমদা য়োনা নোংলেনুগে থনববু য়োবা ঙমদনা শিখরে। মুমিৎ অতুদগী লংমাই ফুরোই নৌশিবি মন্নব্রাই লংমাই কূরৌশিও কৌই। লংমাই কূরোই নৌশিবিগী মচামুপী লোম্বোক্তরিবীবু পলেম মমানা মনজন্দা পোনা লাকপা মরম্মা লৈশাবী মপুং ফাদরিবী ওইবনা পলেম মমা চাক্তান্দরিবীবু কোমপেৎ মতোল পায়না কূনিন নাশি য়াম্না শামতুনা মমাবুং শঙয়ে শংদেবি, মমা অশিববু ঙাইয়ে হায়বগীবু ঙাইমুবিও হায়নৈ। খুমন

লৈমা তাকশোনপুং লংমাই নিংথৌ চন্দ্র কায়রৈমা খুনথুংদবি লৎনগুং লালোই ইচিকশিখোমদরাই মৈদিংঙু তরুংবগী চীংশোং লালু তুমলিরাই তৌরা লমথরাই ঙারি তোংচংরাই রাইখু খুৎলোংরাই চীঙু খোংবাল তেরা খোইমোম খোংবাল শাংজা খোংবাল অপিশানা নমু মীরৌ-জবা মরমথে লালোই লিক ৬ পোক অচন্‌বব পুন্ন-চন্না অশৈনবা চন্দ্র মপাম লমলেন মদাইমা হাউরৈ লায়না পাংবরম কংলৈ মখনমা খাবা নোংচেং-থক অশে তেরাল হৈতরাই খাবা কপ্ন-লৌ নোংচেং হুন্নরমও কৌবদি কদোনোংগীনো ? খাবা নোংচেংবগা কেগে মোইরাং চাউবা মেলৈবগা লেমলৈ অকুমশোয় রাইচেং অকাশোয়বু শোয়মুন্নডৈদা চাউবা শৌপোন ঙম্বা মপারী লোকপা লায়বনা কৌবা লম্মহন্দা লাইয়েংঙে। মশানৌ চাউবা শৌপোন্না নোংদা চিংখল লাইমরুনা হু ঈ-তৈ তেন-শাখিয়ে। চাউবা শৌপোল ঙমবনা লিরি থম্মোই-তিং লকা তেনমৈ লাক্কা রায়রা তেম্বারবদি মালেম লয়দা পাল্লবদি লৈকু

পাংথাইচাম্বনা য়াউরৌ শাদানবা লাকপদা শংদেঙাইমুবী লমদমদা লৈরিবীবু খুমন পাংথাইচাম্বা অঙাং লিক্কা ফংবনা মচানুপী ওইনতম য়োক্লগে থল্লবগী শগোল মথক্তা পুখৎনা কাব-চীংদা খুমন পাংথাইচাম্বগী হুইবু মাঙ্‌লময়ে। অঙগা মনাদা য়ানবা নাশিম্বু মাঙলময়ে। কোরৌ মুমিৎ অসিদগী তাউবা হুইমাংলোক রায়রং নাশিমাঙ্‌ হায়না কৌই। মৈদিংঙু লাইরেন নাউফংবনা অরাং মাইকৈগী কোরৌ নোংগা ঙমথংনবা চীংদাই লমদা তাবশিংবু হুয়েন লাল্লোইনবদা খোক্লাং টাবু থুম্না খোংমা খোয়রুং থিংনা লাইরেন কঞ্জাউ হোনা হুনখিববু ওক্লেন লাবা অচৌবা থক্কী য়ারেন ৪ থাগী য়ারেন ৮ অতৈগা থারগা য়াশিং ১৮ শুববু থিনথুঙম্বা টানা রায়রং নাশিমাং লমঙেন ফেনমতাক ঙারংয়াইদা লান্দাববু ওক্লেন মচা মুমিৎ শুদরিবা থাম্বী মৈহৌ খোক্লবম্ব য়াঙ্‌না চেনবা ঙমজদরিবা ওক্লেন মথন্না কঞ্জাউরবপ্ন কাউরেন অরাক তম্বা মনশুম্বব মৈদিংঙুগী খুৎশু টানা থিলহোরে। মৈদিংঙুনা তয়ম অচানবা শমকা য়াংখুবও! ওক্লেন অসি মখোং পুন্না থরক রাশাং লেংনা শাজম পুত্নুনা ইরম কয় মাঙ্‌দা থুংনুও! ওক্লেন অসিবু মপুক থাংথারমগমু হায়না থৌরম শীনথরে। লাইরেন মৈদিংঙু নাউফংবদি খুমন য়েকওইবী পৌবাল

লৈরাই কিম্থরে। ব্রায়রা তেন্থা অমরক্তা কোংয়াং ব্রাদা পাল্লবদি কোংয়াং কংলাংথাং লাংলেন মপান তুমলে। ব্রায়রা তেন্থা অমরক্তা পামেল উদা পাল্লবদি তলা উরাই কংনা পামেল উচুং তংলে। ব্রায়রা তেনথা অমরক্তা খাবা নোংচেংবধু লুতুরে। মপারী শংগাই তেলহৈবস্থং মমোম কাম্কম ইচুমবিস্থং মাখোই ও মাবু ফংগা লোংচুম-ওই খমকোন কারোং ওইনা নোংমনথয়ে। খাবা কপ্পরম নোংচেং হুম্ররমও তেনা কৌয়ে। খাবা নোংচেংথক অশে তেরান হৈতব্রাই কংলে ইচিফৈ খোইবি নারম লম্মব্রাই হৈচেং লোইনাই চাক্কম্ ব্রাই তাংলম লোইনাই য়ুশিনব্রাই নচেং কায়রৈ মুমানবনা শারেল শাশিলব্রাই, লেমলৈ ঙানা অব্রাং কোরৌ নোংবু পাংন্না য়েংঙে। ঙমু পাংলং-মৈও তৌনা কৌয়ে। লাইস্না ঈ মথৈ থোংপম মনাউ তিনবা চামবা পানবাননা পানবা থুৎ-কুমশংবু অশেনবি কেগে মোইরাং চাউবা মেলৈবা শাপোৎ শানৌ-ঙমবগা

নিংথৌগী মচান্থপী কাইরৈমবু লৌখিয়ে। নোংঙাল্লগা মৈদিংঙুনা কোন্থং কারক্লগা ঙরাং কেনম্তাক ঙারংয়াইদা টানা থিন্দুনা কাখিবা ওক্লেনবু মপু নোংবাল কাদেম শবফা য়াংখুবনা হৈনথোক্লম্নবগী মৈদিংঙুনা ব্রায়োখিবনা মপু য়াংখুবগী খদাংকোই অশাংববু ফোয়দুনা লম্মন থৌবা ওক্লেন অমা অমুক কোংহন্‌বা লমথক শারোনবা কংলা মথোন ৭ পু ফংদরিঙৈ ওক্লেন লাবা খারোনবা ফানা-শং কংলা মথোন ৭ পু মফংবা, মৈদিংঙু লাইরেন নাউফংবা লমথক শারোনবও কৌয়ে। মৈদিংঙু লাইরেন নাউফংবগী মতিক মথৌনাবু কুদোংলবা সনাগুম মিংহুন অসি চুনবনি।

নবেল মৈতৈ লৈমা থৌবাল নিংথৌ মচান্থপী খুমন য়েকওইবী থৌবাল নিংথৌ য়োইরাংপোক পুনশিবগী মনাউ য়াইমবাগী কাচেং থুম্নি য়াবনা পোকপিনি। নেন্বী উশাংতাউও কৌবদি করিদগীনো? মপাম থৌবাল পুন্নমক্লা হোৎনা নোংপোক মাইকৈদা লৈবা পুন্নমক্লা ইশৈ শুক্লবা মযুমগী চম্থ পুম্বা হোৎনা ঙানবা কাচেং তেনবগা ঙানবা কাচেং শাংবগা নোংপোক মাইকৈ কোরৌ হুমিৎনা থোক্লকপা মাইকৈদগী চেম্বরকপা তুরেল লাইজ ঈশিংবু চোংনবদা ঙানবা কাচেং শাংবদি

মপা নোংচেংবগা লেমলৈ অকুমশোয় ঋানচেং অকাশোয়বু শোয়মুন্নবা মরমখৈ থাবা কাপ্পরম নোংচেং হুন্নরম থাবা নোংচেংবগা মপারী শংগাই তেনহনবগা মখোই ও মাধু ফংগা লোংচুম-ওই থমকোন কারোং ওইনা নোংমলব্রাই থাবা নোংচেংথকপু শাইয়োনবি লমনেম অনি থন্নদা তুনেম অনি চৈরেপ্তুনা অশৈ তেংথানবা-চন্থু য়োইরুমলোন লৈমা মমাংগীনবু চংবি শক্তুরিডৈ চংবি শকপি শংকল মফেল লোইননা লায়োন থাদরিঙৈ লায়োন থাবি য়োইবু হুইচীক লাকুমবি তমবা হুইতৌ লাকুমবি পুন্নুং-ল। ময়োনগুমবি লৈমা মমাংগিনা লাইশ্না থোংলেন থিন্দ্রিঙৈ থোংলেন লাকলেন থিংহনবি শনকল মফেল লোইনা শন্নাং মাইঙৌ তান্দ্ররিঙৈ শন্নাং মাইঙৌ তানবি নয়োল মৈতৈ লৈমা খাবরোল নোংচেংগুও তৌনা কৌয়ে। মৈতৈ লৈমা খাবরোন নোংচেংগু সনা লিনকোইকি ॥

১০ লান্ চুঙলেপ ৬০ চোংহুনা লান্নাবদি লৈহৌ লমদি মাইথিরে। মৈদিংঙুগী মমাংদা লানমী অমাম্বা থাংবা ঙমদনা য়াইবি থরাই থারে। মং থন্না শিনরে। মৈদিংঙুনা মন্নোইগী লাঞ্জেনকমদম্বু তকশিন তকশিন্না ফারে হায়বগী খোনথা-লোক হায়না কৌই। মৈদিংঙুনা লোকশা অমদম্বু নম্না নম্না ফাই হায়বগী নম্বালোক হায়না কৌই। লাইরেন মৈদিংঙুনা নোংফৌ চীংলুখুম মন্নোই খুনগী লোকশা য়ানখুলোক্তা লান্দাবদি লৈহৌ নিংথৌ হাউথাং হাউয়েনববু লানঙম্লে। অম্মুম তৌরগা মৈদিংঙুনা শঙ্গাইদা হন্নকপদা চাক অথাকপা য়াংলৈ থন্নিববু চাহুনা থক্তুনা লৈখি। তয়োন থাংদপুং কৌখিবদি করিদগীনো? চীংঙু সয়ারেন্না মাগী থাঙ খুৎশুবু অভিয়াদগী থাদয়কখি মুমিৎ অহুদগী থাংদপুং হায়না কৌখি। লাইরেন মৈদিংঙুনা তয়োন থাংদপুংদা অমুক লান্দাবদা য়োংমু য়োংশেল নমু মীশক মানবা পুম্ববু লানঙমখি। লান অসিদা য়াই-ওইবা নুঙ শা-য়াই, লানয়াই চেনবা য়াইওইবা নুংবু লোক্লকখি। অম্মুম্না মৈদিংঙুনা পুক্লিং ঈঙনা হন্নক্তুনা লাক্লগা চেংজা নুজোইবীম্বু থিন্নরে। মনাই অথৌবা অঙৌবা হাউখৈ লাম্বাবম্বু মৈদিংঙুগী লোইকম্ শেক্তাবুম্বু ঙমলে। চকপা লমগী অকেম তাউবগা হাউহুতৈ ক্লাকপিগা ২ মকপুম্বু লানঙম্নকখি।

হাউরৈ নোংচুপ খানা পাংবরম লমলেন ইরান মৈচারাউদা য়াউরৌ শানা-ঙাই লাইরেন থংচিং মখোকলাং টিমেন মখুংশু য়াউরৌশা শঙাই, শঙাই লামপাচা, য়াউরৌ শায়ামপাইদা ফেল্লবঙ্কু খোল্লাং টাগা চেল্লা লমলেন লৈতাং য়ুমোইকোন লালোই পাউবিতেক্তা লুতুরবনু নোংয়াই য়িশিৎপা খুমন ঙাখিবা অতোনশিংচা ব্রাইকোয়বা য়েনলাং থৌচৎপনা থংলকয়ে। নোংয়াই মনিংথৌ অতোন পুনশিবদা কৎলরে। অতোন পুন-শিবনা ইতাইরেমশিংও! খোল্লাং অসিবু কনাগী মখুৎশুনো টিমেন কনাগী মনুংচঙনো নোংয়াই শিংচা ব্রাইকোইবা অতোন য়েনলাং থৌচৎপনা থংলকয়ে। টিমেন টাশক খনলোও হাইথরবদা নোংয়াই খাথানা টিমেন অসিবু টাশক খংদে হায়না মদোম মদোম পাউখুমখিয়ে। নোংয়াই য়োইরেনহনবা মাকপালাংহৈ চুমবনা য়াম্মা নিংথৌ অতোন পুনশিবও! টিমেন অসিবু ঐনা টাশক খংয়ে। লাইরেন মৈদিংঙু হেমতৌ লোইয়মবনা

মৈদিংঙু মমাতোন অপাম্বীগী মচা থমলাং পামশাবসু লোইফম হাউকু খুনবু ঙম্রকখি। হাউকু খুনগী নাপৎ, লাংশন খিনবমুসু ফারকই। মুমিৎ অসিদগী মৈদিংঙু লোয়য়ুম্বা তয়োন থংয়া ইনবা থাংদপুং ব্রাহুইনবা লোইফম পুম্বা লানঙম্বা নেৎচৎ য়ানবা অব্রাং লোকলেন ব্রানখুরোক্কী হাউথাং হাউয়েন ফাবা হায়না মিংহুন তমখি। মদাইরেম কাইরোরেম অঙোবা হাউখৈ লাম্বাবা নঙসু অঙোবা কমপোং ফাবা শেক্তা লান্দা থৌবা খোংঙাইরাবা মিংচৎপবু ফাবা হায়না কৌরসি হায়হুনা মমিং ঙনখি। ইয়াম্বা থমলাং পামশাবা নঙসু নাপৎ লেনবা শানল্ চাংবা হাউদুরাং শম্বিংবু লানঙম্বা কৌরসে হায়না মিংহুন অমা অমুক থোনখি। লাইরেন মৈদিংঙু লোয়য়ুম্বা লোকলেন ব্রানখুঙম্বা হাউথাং হাউয়েন ফাবা হায়না মিংহুন তম্বা নিংথৌদি ফুদোংলবা সনাগুম মিংহুন অসি চুনবনি।

মবেল মৈতৈ লৈমা শেলোই লংমাই নিংথৌ চমু (চেংলৈ নিংথৌ মচাসুপী) লংমাই থাংহন অহনবনা পোকপি নোংবাললোন শুমলৈমা হায়না কৌই। মৈতৈ লৈমা নোংবাললোন শুমলৈমনা মপাম চীংদা শাইওল্লকপদি (পোক্লকপদি) মপাম চীংনা অমুম ব্রাং লোক খুদিং চিক্লা লৈবা য়াবা থোহাং অমা লাউরগা

নোংয়াই য়িমকাইডদা য়াংমিং শাংমিংমাবু ঐনা লোন্‌পিখিয়ে। খুরেন য়াইফু-মাবু ঐনা খুবিখিবনে হায়না পাউচুম্‌ভময়ে। নোংয়াই খুমন নিংথৌ অতোন পুনশিবনা লাইরেন মৈদিংঙু হেমতৌ লোইয়মবদি য়ায়রা শাতান চৎলবসুং শায়াই কনগুনো ছুয়েন লান্দা তারবসুং লানয়াই কনগুনো হায়না য়াউরৌ শায়াই কোংচংনরবগী নোংয়াই মচলমৈমা হৈপোকওমবা মনিংলৈমা পোনচেংভম্বীনা নোংয়াই মরমপুনা অতোন মথোংপুদা পাউমেনখৎলকপা-য়াকী মৈদিংঙু মদাইরেম নোংয়াই মরমপুনা লাইরেন মৈদিংঙু ইবুংঙু তাউও। লহান লাইরেন মৈদিংঙু নংনা ইরান মৈচারাউদা য়াউরৌ শানাইডে লাইরেন টিমেন নখুংশু য়াউরৌ শায়াম পাইদা খোল্লাং টাগা চেনখিবা অত্থবু লৈতাং য়ুমোইকোন্দা লুতুরবগী নোংয়াই সিংচা য়াইকোইবা য়েনলাং থৌচৎপনা খংলকপগী নোংয়াই খুমন নিংথৌ অতোন পুনশিবনা য়াউরৌ শায়াই

খোল্লাং মথং মৈবচৌং উন্‌লি (হান্না তাবা উন্‌) মকসু কোক্তরিঙৈদা কোন্না অমুক তাশিনবা-চৌং চৌংখোং কোম্বদা পুমখোকপা চৌংনি। নোংবাললোন খুমন খোম্বীনা সনা চারী হাখফম ইয়োং শাংতিং (ফি) ফিশাকম পামেল উচান হৌবা লম, শেলোই লংমাই চৌংদি তগুপ তরেংনা ঙানবা চৌংনি হায়না মতিক মগুণ থানা শৈশকবা লমদা পোকপি মৈতৈ লৈমা নোংবাললোন গুমলৈমা হায়না মিঙ্গৌই। মৈতৈ লৈমা লংমাই নিংথৌগী মচানুপী গুমলৈমগী শেংলবা সনা গর্ভমুংগী।

২১। মৈদিংঙু লোইতোংবা।

(খৃঃ ১১২১—১১৪৯)

নপু মৈদিংঙুগী মমিংদি লাইরেল লোইতোংবা হায়না কৌই। মৈদিংঙু লাইরেন লোইতোংবদি পলেম মমা গুমলৈমগী খোয়জি মিহুল লাংনা গর্ভমুংদা লৈরিঙৈ য়াবা খোঞ্জেল খোক্তরিঙৈদা পম্বৌ মপা লোয়ঙবা পলেম মমা গুমলৈমগা অনিনা কন্বাল তোংবদা অঙম অথৌ কমথৌ পুম্বনা মৈতৈ লৈমগা মৈদিংঙুগা অনিবু কন্বাল থক্তগী তাগনি, শোয়গনি হায়বগী কন্বাল কাকমবু থাক শানা পাথে শেমতুনা তোংখিবদা য়াউখিবনি। মৈদিংঙুগী মতমদা

কোৎচংনরে হায়না পাউমেনলবগী লাইরেন মৈদিংঙু হেমতৌ লোই-য়মবনা ইদাইরেম নোংয়াই মথোংপু অতোন মরমপুশিংও! য়াউরো শায়াই কোৎচংনরে হাইয়ে। নোংয়াই শেনলৈপাক অতোন পাইরৈ-পাক্‌নে। টিমেন ইখুংশুদি করিকী য়াউরো শায়াই কোৎচংনবনো হলরাইবিরকলো হায়না থৌশীরকয়ে। নোংয়াই খুমন নিংথৌ অতোন পুনশিবনা মৈদিংঙুগি টিমেন মখুংশুবু হলরাইবিরক্লবদা লাইরেন মৈদিংঙুনা ব্রাওইখিয়ে। টিমেন ইখুংশু য়াংমিৎ শিঙমিৎ তৎতববু তৎলকয়ে। খুরেল য়াইফু মহুম কেন্দববু কেল্লকলে। থোক্লাং মরুং কুমদববু মরুং কুমলে। টিমেন টাচিন কায়দববু টিমেন টাচিন কায়রকলে হায়না ব্রাওইথোনগী লাইরেন ব্রাকয়ৈ মখুনেৎ ককচিং ঙমবা চোনখু ফাববু কুরাক শিতং মহুমশিৎ শেন্দাং য়েনখি লৈনা তেংনা লাইরেন ব্রাকয়ৈ খোংওইননা হিয়াং কংতং-য়ে তনমু নাকন-ফু লাইজা থাথিন-পেক

নোংমদি নোংথোল তেংমাই থিনবনা মনাই মশন পুন্নগা নিংথৌ মশামক্কা লোয়মনা লংমাই চীংদা হোৱা কাংলিদা পানবঃ কাংবু লৌহল্লগা কাং-থরো ওন্না চিংহুনা হুন্দুনা শান্নখি। কোরৌ হুমিং অমদি নোংচুপ মাইকৈদা লৈবা পাঙল খুলদা শান্নবা খুংঙ পোইরৈ মৈতৈ নাহা ময়াম থাহুনা লৌরুরগা খুং অহুবু লংনা য়েন্তুনা চিংলগা শান্নখি। কোরৌ হুমিং অমদি উপাক ময়াইদা হল্লগা লংঙুং মথাং কিহুনা দোরীদা য়েৎনা চিংলগা শান্নখি। মমা মৈতৈ লৈমা নোংবাললোন শুমলৈমনা মৈদিংঙু ইনোংথৌ! লাইরেন নংগী নপারী অসিবু মপুং ফানা চাউনবা মরেপ য়ৌনা ব্রাংনবা শেলোই লমদা ইরাৎসি হায়না ইরাৎচরক্লবা লংমাইচীং মতোম্না ব্রাংবগুম ব্রাংনবা নিতি খুদিং পেৎনা মেৎপা চাক্লা চাকুইন্না য়োরক্‌পা মৈদিংঙুনি। চীংলোন তমলোন খুদিং মশীং ওনা চীংঙু লাইগী মকমদা পুনশি বৌনিজরক্লবদা মৈদিংঙুদি মপুং মরৈ ফানা চাউরক্লে। মরেপ মঙাল চাউরবদা নোংপোক মাইকৈ পাংবদা থৌনাখি। নোংপোক মাইকৈ পাংবগী ইদ্রিল মপান্দা তাংজা লিলা পাখংবনা মতালোই হঙোই কোম্বিং হুরাবীগা লোয়ননা কোইথোক্লম্বা শিনাম লংকোন তেংমারেঙবগী শঙকমদা লান্দাখিবনি। মকম অহুবু তিংাব ব্রাইকৌপাৎ মুংবি লমথোনপান

ইমু নমদা হুম্না হাউরৈ খানা পাংবরম মোংপা খুনলম ইম্না হুয়েল লান্দাখিয়ে। লমলেন মদাইমা নোংয়াই উচিন্না খোইতোংপান্দা খৌশাখিয়ে। লমলেন উচিন্না-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো। হুইতৌ খোংতেন লাকাপিচানা মরান পামেন উহোংগে হায়ভৈদা পামেন উথুম-ঙারৌবি তনলা উকালোংববু পামেন হোইয়ানয়ে। খোংচি নারেং হুৎনা উনাউ খোংচা-শম উরি লিয়াই নোপ্না পামেন হোইয়ানলকপদা হিরি খোংচি নারেং তৎলে, লাইচা ইরেনপুংদা তুমখিরে। হুইতৌ খোংতেন লাকাপিচানা ইদাইরেম খোংনিংবা থুমন লাইগুচা চৈরৈ ফিতুং থাউওম্নমা পামেন মিংথ। লাউনা তলা থানচেপ-পিও। লাইজা ইরোম্মুংদা খোংচি নারেং লোল্লুও অতোন লাইগুচাদি কোংয়াং মচৈগু উরাউ চৈবু লৈরাই মুংবিথক্কা য়ুংলময়ে। পামেন তুংয়িম্নমা খোংচি নারেং লোনগে লোন্মন্খিববু হলব্রাইরক্করে। হয়েং

কৌথিবদি করিদগীনো? অয়াংচাম্বা লৈথাম ফাবনা পোইরৈ লমদা তারকপদা শেংলাই লংমাইগী মীশিংনা লম্বিবুদি মুংবি, ইনপাকপুদি ৱাইকৌ, খোংবুদি তিংবি হায়না কৌনৈ। ৱাইকৌ মরূদা খোংলেন তিংবি হাল্লকপদা (খোং তিংহুনা শাবদা) ঈশিংদা তারে অহুগীদমকপু তিংবি ৱাইকৌপাৎ মুংবি লমখোনপান হায়না কৌনৈ। মুংবি লমখোনপান তিংবি ৱাইকৌপাত্তা লাইরেন মৈদিংঙুনা লান্দাবদি কেগে মোইরাং খোয়বা নাউথোমচা তলমু নাউথোংমু অতোল য়াইথিংবা হিনাউবনা তেকপি ওক শাবা কাউরেন মন শেনববু লানঙম্বা হায়না কৌই। লাইরেন মৈদিংঙু মুংচি হিথাবা হাউশিঙম্বা য়েলহিং লাংফাবা মৈদিংঙু লোইতোংবদি ফুদোংলবা সনাগুম মিংহুন অসি চুনবনে।

নবেগ মৈতৈ লৈমা নোংবাললোন থুয়োনথেম চহু (নিংতোল) দি লোইমুগু হায়না কৌই। শংলৈমা লোইমুগু মৈতৈ লৈমদি মওক লোইনেনবনা পোকপিনি। তানপলদা লাম্নাবনা পোকপিনি। মপল (মপা) মওক লোইনেনবদি লনহাং লম্বু লোইচনঙম্বা লান্দা য়েং ওই ফবগী মচাহুপিনি। পলেম মমাগী পোক্কফম্বু কোংবম আদা কোংয়াম্বা শোইহোংবাই কৌথিবদি করিদগীনো? আদা কোংয়াম্বনা তুংরন লাংমৈপুংদা লেমলৈ ঙাবা ফানবা শোয়শেমহুবা লু থুবদা মোইকু

খোংনামখিনা তবা চায়োম্বা য়াংলৈ খোমহানববু তবা চাযোম থোকপদা তবা চকেমতোন য়াংলৈ তাউবা হুইথৌথিবু ওইওময়ে। য়াংলৈ খোমহানবস্মুং লাংবন ককয়ি য়িঙৌবু হানওময়ে। কোবৌ হুইমু লৈমা স্নুংচেৎয়ামবি মপাবী থৎক্রি লেরাতোন্না হোবেন মবাল ওস্তেরকপদা য়াওইকইয়ে। ইশাবি ইতে লৈমা তাইতিংমু খোং-নামবি-ও! নশানৌ ঐনা কোবৌ নোংদামদনা থুমনাউ চাবোকপদি নংঙোন্দা য়াইথুংলৈযে। তবা চাপুকলাম উন্‌বি চফম হোংবনা থোইব-ঙৈনে। তবা নৎনা চয়োমলকপদি তরা চকেমতোন য়াংলৈ তাউবা হুইথৌথিবু তরা চায়োময়ে। য়াৎলৈ খোমহানবস্মুং লাংবন ককয়ি য়িঙৌ-যিবু খোমহনয়ে। শংলৌ যেনযোমবস্মুং থুম্নাউ মথুত্তোন য়েনাউ মশাতোন বাংববু যেনয়োমযে হাযথবদা শানৌ থৎক্রি লেবাতোনও নতে লৈমা ঐনা চায়োমবদি তবা চেং মচং য়াংলৈ

শোম্নববগী হাযবরা হাবনা হংববু, হাঝমা! ফংইবেন মৈদিংঙুচা নঙদি কোবৌ নোংথক্কগীর তারকপরা মালেম লৈথাদনীবু লিৎলকপবা মোমম্ন এগী য়াফমবু কবম্নস্থ তাখিবনো হাঝববদা লাইরেন মৈদিংঙুগা হমু নাবেংশগা অনিমক্তি অবোনব থবক্তা মুবা হিকোক মচু থাউনা থুমচিং পরে থোক্লবে (পুক্লিং অনি শেংনরে) মুমিং অতুদগী হোতুনা লমদম অসিবু কোংবা লুহেনপাৎ হাযনা কৌথি। হমু নারেংশূনা লাইরেন মৈদিংঙু হেমতৌ ইমানুমচা-ও! মুমিৎ ৎনি হেক শুবগা পোইরৈ লমদা কাবিও। লোইদাম থৎনা কারকপদা কংলা চাবচারবা মুমিঙ্কী অহিং অতুমত্তদা নপু নোংথোল তেংমাই থিনবগী যুমরা লম্মাং মচিদা লাকপিযো। নঙাই ওইবিমু থোরাং তৌনা লৈবমগে অস্য়া পাউমেম্নরগা মৈদিংঙুস্থ নোংমাই চাউবা পুংদা হনথি। হমু নারেংশূমু মযুমদা থুংখি। মুমিং ৎনি শুবগা পোইবৈ লমদা খুনগারকলে। মপু অহন ওইবা নোংথোল তেংমাইথিনবগী যুমজিদা অহিংদা যেম্না যাইরেকপশুম্না লৈররে। নোংথোল তেংমাই খিনবনা তারক্লহুনা হমু নারেংশূ। যুমগী যুমজি ফক্লাং মম্নাদা যেম্না য়াইরেক্লবশুম্না লেক্লবিবা অসিবু থুরাই লমথকবন বাংথৈ লমথাবন যঙোল চঙদব কন্নথবু লৈরবনো? ঐগী ইথুংশূ টানা হন্দুনা লেংলংগ হায়রক্লবদা নারেংশূনা নোংথোল তেংমাই থিনুব-ও

তাউবা হুইয়া মানুব-না তরা চায়োমবনে। শংলৌ য়েনয়োমখিবনে। য়াংলৈ খোমহানবস্মুং য়াংলৈ অয়াকপা হাউদৈ অথুমবনা য়াংলৈ খোমহানখিবনে হাইথরবদা হয়েং কৌবা নোংশোয়রবদা শানৌ থংক্রি লেয়াতোন-ও নতৈ লৈমা এনা চকপা হাউরা ঙানতোংচাক্সা তরা চায়োমবা থুম্নাউ শেৎতুম-শেৎ য়েম্নাউ খায়হুম খায়না শংলৌ য়েনয়োমবনে। য়াংলৈ অথুমবা হাউদৈ অয়াকপনা য়াংলৈ খোমহানববু নং মিংয়েং শানথৈরা-ও হায়না চেংলৌ মিৎথিৎহল্লবদা থংক্রি লেয়াতোননা অনৌবা থুম্নাউ চায়োককে য়েম্নাউ চাহনকে হায়না মরান থৌচংখিবদা হাউয়ি তরা চায়োম থোকচবদা তরা চকেমতোন য়াংলৈ তাউবা হুইথৌখিবু ওইঙময়ে। শংলৌ য়েনয়োমবস্মুং থুমনাউ মথুতোন য়েম্নাউ মশাতোন য়াংঙা পুনা ঙাইঙময়ে। য়াংলৈ খোমহানবিস্মুং লাংবন ককয়ি য়িঙৌয়িবু শানয়োনঙময়ে। থংক্রি

ঙাইবিখো। নক্সম ঐ অঙুক্তং য়েংজক্লখিগে হায়না খামজখি। অস্সা নায়েংশূনা খোং পৌ শৎন হাংদোক্লুনা খোক্লবদা লাইরেন মৈদিংগুপা ওম্মাংদা উনয়ে। নায়েংশূও লহাল নংনা হায়খিবা বাগী মতুংইম্না ঐদি হৌজিক লাক্লবনি হায়রক্লবদা মৈদিংগু মচাও! ওম্মাং অসিদা ঙাইরমখো হায়না পাউমেন্নরগ। হমু তেংমাই খিনবগী নাক্তা চংখরে। থংলেন নোংখোন তেংমাই খিনবও লেংথখলো। ঐখোই য়ুমজি শাইপং মমাদা তাউবা হইনা তৌবগুম তৌবদি কাউয়েন য়ুমজংদবা মনবু ওইরমত্রে থংলেনও! নকুংঙো মৈদিংগু লাইরেন হেমতৌ লোইরবনা খুমন নংগী নয়মদা পোইরৈ খুনগায়কপহুম ওইরয়ে। অহুম হায়না হায়বদা লাইরেন মৈদিংগুচানি হায়রবদি তেংমাইখিনবা ঐগী অয়াময়াংবা ইয়ুম অসিদা পুশিন্নকউ হায়রখি। নায়েংশূনা লাইরেন মৈদিংগুচা! নপু নোংখোল তেংমাইখিনবগী চৈরৈ হোংনা নমহুনা কয়য়ো হায়না পাউকৌজখি। অস্সা নোংখোল তেংমাইখিনবগী মকি মরোল হোংনা ফমকমদা কয়বদা নায়েংশূনা চাক ইনশাং থুনা খোংহুনা লুকলেন শেমলে। অস্সা নোংখোল তেংমাইখিনবগী থৌয়াংদগী লাইরেন মৈদিংগু হেমতৌ লোইরবগা শকথংননা ফমহুনা খুকুং লমগী চাবা হৌনবা চাক্তা অশংবা বানা মচু মানবা তোনখাং লৈনা পুথম নাক্তা হাপ, লুক কোয়না শেমহুনা চাকঙৌ মথক্তা হাম য়াবা হাপুনা ফুদা লাইক ময়াদা

লেরাতোন্না য়াওইখিরে। য়াকয়ৈ ইখুংনেং পান্না ওনবরা থমংলো য়িচৈ ঙাক্লম্না ওনবরা ? মোংবা চাচনখোক মচি চিমা য়ুপামান্ নানিরোংবা নংনা ওনবরা য়াকয়ৈ ইখুনেং নংঙু ওল্লিরোই মোংবা চাচনখোক নংঙুং ওল্লিরোই। ইরম লমলেন মদাইমা লমলা পাকেন মতোন্না য়াউবগী তৌশিকপনে হায়রময়ে। অহুনোংগীবু য়াউরো-ও তৌনা কৌয়ে। য়াউরো থোনমারকতি থাংডা শোকচোমবিগা মতু কমপোং ঙাউতৌবগা খুন্ন মাম্থিক তোঙবু চেন্নরকপদা পানবা মাংখানা কৈরেন তুংয়িন্নরকপনা থাংডা শোকচোনবি কমপোং ঙাউতৌববু পানবা চিনকোই চন্না য়াউচরে। লমলেন মদাইমা অসিগী শাদি করম য়াউবনো য়াউরো-ও থোন্নেয়ে। মমোম থাংডা শোকচোমবিগী খিকলেন মথা ফোয়না চারে, ফোইচিং-ও কৌয়ে। মপুক তৈনা চারে ; তৈতুপান-ও হায়দবরা। ময়িম নোংয়াই খুমন্না লাইরেন

চাক চাখি। মতুংদা কংনৈপুংদা কারসি হায়রহনা কারকলে। লাইরেন মৈদিংঙুদি ফমাল থক্তা মনাই মশনশিংনা খোগন তৌদুনা মপু লাইরেন নাউকংবনা ফমখিবা ফমাল খোংদা ফমদা ফমখৌ অঙবা মঙাইরোই পুন্নমতঙ্গ তনা তিন্নে। মতম অসিদা মন্নাবা অতোম য়োইরেম্বনা ইদাইরেম অনং কিশাইরোই কান্নৈ য়েনখোং তমশুন্না যন্ত্র খোংবশিংও ! মৈদিংঙুবু ফমাল থক্তা কারবরা য়েংঙুচো হায়না থাখিববু অনং ফিহাইরোইনা লাইরেন মৈদিংঙু ইংঙো তাবিয়ু। ননাইশিং অচম অখোপুম্বা কংলা য়াকারে। লাইরেন নংবু নতিক নঙল উৎকনো ? নপু লাইরেন নাউকংবদি ফগাং ফমাল থক্ত তাংখিবনি হায়রক্লবদা অহুদি অচানবশা ! লাইরেন ঐন্থু ফলাং থক্তা কাহৈরোই। ইনাউ হেমতো লোইয়বনা খুমন লৈকোইপুংদা লৈথরি। মাহুম্থ নোংখোন ভেংমাইখিনবগী মখোন্নাংদগীনি। অহুবু ইপু লাইরেন নাউকংবা লমথক শারোনপুংদি (মন্নাবগী মথক থোংবদি) নিংথৌ অনি পান্দুনা লাইরেন অনি থাব্রাংনকয়োই অহুনা খুমন লমদা চৎলগে হায়রবদা মখোক কাবি নিংথেমহুবীশিংনা মমাম হৌনা মখুৎ থবাক য়েনা কয়রে। মৈদিংঙুনা হংঙখি। হে নিংথেমহুবীশিংও ! সনা কোম্নং অসিগী মমাই ঙাক্লা ইপি (লোন্নবী) ওইনা লৈবিশিংও ! নখোই কনা কনানা

মৈদিংঙুবু ভাইখমলিডৈ মৈদিংঙু হেমতৌ লোইয়মববু তালকৃকবরা অতৌবা থাংরাই লিকশিংগুচাবু কুম্নকপরা খমলাং অশেংখুবা অশেংহনবা লংমাইথেমবা লুকোক রাহেংগুচাবু তালক্রবরা হায়না তৌরাংনা-গা থংনবা তম্লময়ে। ময়িম নোংয়াই খুমন্না লাংনাবুদি তৈরাং-এ কৌয়ে। অহুনোংগীবু তৈরাং নাকম-পোংও থোম্নেয়ে। চিনক্ষু লোইনাই কোনথৌস্নু রাংপন লৈমা নাহুইস্নু য়োইরেনবিনা নারা মখুতৈদা খানলে লৌতারাই তিনহন হাতা-হৌ ত্রিনলাই নোংচেম-হৌ চারাং খমলাই তংপোক্তা মরোঙ চুঙকনা চিমেন টাচাইনসে লমলেম য়াউরৌ তৈতুশাস্তা কুমলকও হায়না লাইরেন মৈদিংঙুবু য়াহৌলৈয়ে। মৈদিংঙুনা তুবি মরৌ লৌনা হৈনা পাউথুমখিয়ে। ইদাইরেম নোংখোন তেংমাইথিনবা খাকম শিংগুহনববু কোরৌ নোংগারে। য়াংলৌ থানথোক্তরিয়ে। রাংলেন পুংহৌদা হাউশি ম.থিন্দা খুম্নং

খুমন লমদা চংলুদ্রিবা ঐগা চংমিন্নসি হায়বনো। নোংয়াই লমদা তারুববু তামিন্নরুসি হায়বনো হায়না হংবা য়োইবু চারনতানা তারুহনা খুমন চম্নু রাঙ্গোন কৈকনহনবীনা লাইরেন ইতুংঙো তাবিয়ু। নোংয়াই লমদা লেঙববু লেঙহন্নু। রাংলৈ অয়াকপা হাউদৈ য়ু অতিঙবা অথুববু থরদং থৌরাংজগিগে হায়হনা য়ু অতিঙবা অথুববু থোম্রাং (খুম) অমা থম্না, চাক নিংথিবনা শেমহনা মনিঙগী মচি অকববু চিংনা খুমদা হানখিয়ে। মুমিৎ অহুগীবু খুমন চম্নু লিক্লাং থোমহানবি হায়না কৌই। মৈদিংঙুগী থোংনেৎ হি নিংথিবা থরাই তাজববু কুরাক মহম শাবা য়েনগী রেনথি কাইজিনববু শেংদোক্লবদা খুমন চম্নু লিক্লাং থোমহানবিগা মৈদিংঙু লাইরেন অতোম য়োইরেবগ মচাইবুংঙো তাউরেন হনবগা হিদা লোয়নহনা খুমন লমদা হোম্নথরে। নোংয়াই লমদা মৌরবদা মনাই থোকলেনবনা খারজখি। মৈদিংঙু ইঁদুংঙো তাবিয়ু! খুমন লম অসিবু খুমন মীনা য়াম্বা নোংয়াই য়ুম্না য়াম্বা লমনি হায়ববু তাবিদ্রিবরা? অস্নুরা হায়রবদা তয়মশিংও! নোংথোল তেংমাই থিনবগী মথৌরাংদগী ইনাউ ইকুংঙো হেমতৌ লোইয়রনা কংলা কম্বাল তোংহৌরে। অহুনা নিংথৌ অনিবু করম্নবু লৈগদগে খারাংননা পানকরোই হান্নবগী খুমন লমদা চংকে তৌবনি।

কৌরা চীংগুং শোয়্‌রবদা খুমন লাইগুচাদি লৌরাই য়ুপুং কোইয়ুনরে। চিরা মাইশাংবা ফল্লাং থেংকোই নীকপধু ওইনা তাউথোকলকয়ে। কোংয়াংমাগী উয়াউচৈস্থং লাংলেন রাপান ফানা লোকলৌ শোয়্‌রেন হুনগুময়ে। অহুনোংগীবু নোংয়াই উচিন্নাও তৌনা কৌরে। হুইতৌ খোংদেন লাকাপিচানা পামেন উতুমকোন নোংথিল থাংলা অকংবনা তেকশোংলৌ লেমলৈ শারোংখোইবি অকংবনা চামলৌ লুকপানথক্কী চোংথন্নাই নিংগোল মিৎলাউচম খায়োং হুইরৌ হাউশিয়াং অরাই থুনপু-চন্তু খোংলৈতাবি খোংতৌরাই, নোংয়াই খোইতোংপানও কৌবদি কদোনোংগিনো। থিংমাই নোংমাংবনা মযোম খয়োইরোন লাইতোংথু শাফবীবু শায়বা ফিয়ান্নমা চিংথৈ খোংচংনব-রাগী পানবা মাঙ্‌থা-ননা কৈরেন তুংয়িন্নরকলে। নোংয়াই নিংগোল থংবচানা পানবা থঙুং থিৎনা চৈপিরে। মোংবা থুনলম্‌ ইন্না তাউথরকপবু

মরিল কাৎতবা মানবা লৃদ। নিকোল মশক মানবনা ভাচগু্‌কম ওইতুনা লৈখাদা কৈহন্না লেমলৈ ভাবু কাবদা কাউরেন যনগী নাকোং মানবনা লেমলৈ অতুবু কোৎনা কোংনা কাহুনা শোয়হোংখি। মুমিৎ অতদগী আদা কোংয়াখা শোয়হোংরাই কৌই। মপাম লমনা লনহাং লমদা লান্নাংবদা (লোইচনবদা) হুয়েল লান্না অথৌবনু কাবগী নিংঙোলনি। অঙাম নিংথৌ শমশাংবা লিকোল থাউগুন ওনবগী মিৎতাগা মান্নেয়ে। হৈরেম থুনচানগী অমাং হাউবগী মচা লাংগা পুংকৈতোংববু শেনয়ান্নহল্লি। তাইপোং নিংথৌ চকমোম অঙৱা মিংচংপনা হুয়েল লান্দা ফাইবগুম (লেপপগুম) তৌবনু মোইরাং লমদা লোই থাথি। নোংবাল থাংঙা য়িম্নাক ৪ মঙা লোইবী লমগী অথৌবনা হুয়েল লাল্লাউববু মাগী লালোই চিংথা নোংথা খুদিংগী লান্দা থোবু মুপী অঙাং পুঘনা থক থক নিক্লা পোইরৈ মাইকৈ তম্না চেন্নরে। মোইরাং পারাকশুগা অযো শময়োকচাগবু কংলৈ লমদা ফাহুনা মীয়াম মাংদা য়ুনচিংবা থক্কুনা থুঙোইননা টাথোক্লা চিঙনবগী মচানুপী মৈতৈ লৈমা নোইমুশু থোঙলেন ফম্বাল লাম্বাবদি খা পাংবা মাইকৈদা শেনবা মীনাবু তয়া চাকপু শান্না ইনথিবা-চীং, কাপি লাইমন থোংন্দা থোমহনবিগি লমদমনি। লমদম অসিবু চাবি লম্মহল কৌবদি করিদগীনো? থুমন চমু ঙাম্ব থুধীনা লুরাং ময়ুমদগী মপামদা হন্নকপদা মচা শেনবা

খৌবাল কাংথুচা অচানবনা ব্রাতাথিখিয়ে। চীংখোং পোইরৈতোমা খুনথোক্লকওঙ্ক হাউম্নু শোনমোইতাউবি মরা-লীং খোংবান চিখেক লাদা-লেং ককলু লুহেংলা নমকৌবদা য়োম্লকখোই খোইয়া খোংদাংবা হয়িং পেংলোই নাইবুদি নোংয়াই তেংথা-ননা খোষ্ট-ও কৌরে। খোইয়া পানবা মনম্-তোংনা খোইয়া লোংচুম্লমগে হাথননা তাউচঙমরে অচ্চনোংগীবু নোংয়াই খোইতোংপান-ও থোননৈরে। নোংয়াই উচিন্না খোইতোংপান নিংঙোন মিংলাউ চনু খাচোং হুইলৌ, খানলৈ লৌতাবি নোংয়াই নৈমা অঙনবি অরাইনৈমা মচন হোংনেমচম নিংঙোনবি য়াউশোনবম নৈমা নোংয়াই য়োষ্টগা শফপি থুমন লেমগা থাবি, খোমবা ইনলেন থানবি, হুমাই খোকথাং শুবি পোনবি উয়েক ফায়ান-লৌদা চোয়নৌ সনা শেনতেংকোং লূদা খোংনা খানলৈ লৌকুমবি নোংয়াই থিংকোন মুবিয়াচা থানলৈ লৌতা ঙমবিবু লাইরেন মৈদিংঙুনা

মীমাববু চাকপুম শায়হ্ননা ইন্না নাউথেমখি। হুমিং অত্নদগী তরা চাকশায়চীং হায়না কৌখি। থোঙলেন তাইবি লাংথাপান কৌবনা করিদগীনা? শেলোই লংমাইনা লোইচনগে লাকপদা চুংলোং মমথাংবু নৈবাক্তা তাখি। শেলোই লংমাইনা চুংলোং মনম থাংবু লাং-ও কৌই। অহুগী হুমিত্তগী থোঙলেন তাইবি লাংথাপান হায়না কৌই। কুব্রাপি লাইমন খোং কৌবদি থুমন মচা খোয়বা তেনহৈবনা ঙা ফাবা চংনুবদা ঙা মচা অপিকপা অচৌবা মথল ওনা হায়া হাউগী পাইবু নাকন্দা য়াম্নুনা মবুমদা হন্নকপদা বায়রে হায়না শোন্নমই। পোইরৈ লমগী মীওইনা অপি কৌববু বাংঙম হাইমন তানবনা (অঙবশিংনা) কুব্রাপি লাইমনখোংও হায়না মিংথোরৈ। তরা চাকশায়চীং থোঙলেন তাইবি লাংথাপান কুব্রাপি লাইমন খোংদা হয়েন লানশোক্লবদি খোইবা হনবা নৈচোন পাখ কাউতং নামুন চাববু শগোল মথক্তা টাগী তে-ন্না অনি লোংবা মানবনা মপুক্তা লেংফাং ঙবি মৈতৈ নৈমা থোঙলেন কধাল লাইবি হায়না মিংথৌখি। মৈতৈ নৈমদি মপান থাংঙা লমগী মমায়বিশিংগা লোইনবীনি। মৈতৈ নৈমা লোইহুওগী অশেংবা সনা গর্ভহুংগী।

থংবিগদবা:— ময়কী চাহ ১৩দি অতোন য়োইরেবনা নৈবাক ঙাকই। কধালদি তোংখিদে।

দুরক কাংদৈ-থি থৌনাউ লোনথোংলেন তৌথোপ থনথাং-ননা লালু পোলেম হাল্লে। লাইরেন মৈদিংগুদি খ্রাকঁয়ে মরাংহৌ তোংচেং মথি নাইনা অরাং লায়না পাংববম পোইহ্ৰ সনা পুংলোমদা লাইরেন মরান ওন্দেরকপদা নোংয়াই থা-থানা অতোন লাইথা পুন্না হৌনা লাইরেন মৈদিংগুবু হুয়েন লাস্তানখংলকয়ে। লৈরাই-মুংবিথক্তা লা-ম্না পাউমেনখিয়ে। লাইরেন মৈদিংগু হেমতৌ লোইয়মব-ও! নবেন অরাই লৈমা মচন নোংয়াই হোংনেম্চম নিংজোলবিগী তাংজা লুরেন তোনবু হুলব্রাইবিরমও! লাপহাইননা তিনমেন্ববু লাইরেন মৈদিংগুনা নাতাদে। রাকয়ে অনৌবহুম মরাংহৌ তোংচেং মথিনাইনা হৌখিয়ে। ময়িম নোংয়াই থা-থা খুমন লাইথানা লাইরেন মৈদিংগু হেমতৌ লোইয়মব-ও নংবু নাতা-ও! লহান নোংয়াই ইচাকচানা হুইক্রুগুম্ নপোপ-চাউ অতোন ইয়ু থক্না তিংকোইকুম্না নাহেকথিবা নংতবরা

২১। মৈদিংগু হেমতৌ ইরাঙ্গবা।

(খৃঃ ১১৬২—১১৯৪)

নপু মৈদিংগুদি লাইরেন হেমতৌ ইরাঙ্গাব হায়না মিঙ্গৌই। মৈদিংগু হেমতৌ ইরাঙ্গাবা কৌদরিতৈদদি লাইরেন লোইয়ম্বা হায়না কৌনৈ। লাইরেন মৈদিংগু হেমতৌ লোইয়ম্বা কৌবদি করিদগীনো? মৈদিংগু লোইয়মনা খুমনগী লমদা লাকপদা খুমন নিংগোল নিংখিবীশিংনা লাইরেন মৈদিংগু লোইয়মগী কিজেৎ অসিবু পুয়মক্নগী হেল্লে মৈদিংগুগী নিংথম কি, ফুরিৎ অমম্বং ইন্নফিম্ হেনয়ে কয়ম্নবু অম্বক নিংথিবা ফিশক থন্দুনা তুবি কোরৌ ইনোংথৌদবু চুননা থোনবানা নিংখিদা। অদুনা মৈদিংগুবু হেমতৌ লোইয়ম্বা হায়না মমিং হোংসে হায়না মিংহোংখি। নোংমদি মৈদিংগু হেমতৌ লোইয়মনা খুনন চম্ব হৈগোকগুখি মনিংলৈমা পোনচেং গুখিনা হুখিদাং থাবন্দা গুবন্দা থোং নাম্মা নেৎনা শূক কেন্ডরা পায়দুনা কৌ গুবদা গুকথা মায়শি হায়না মতারোইশিংগী কোগু ঊচে শকপগী থোনবু মৈদিংগুনা তাদুনা পেনবিরবগী থা ওইমা গুাংনখি। লাইরেন ইনোংথৌ! নচল ওইবি হৈগোক গুখি মনিংলৈমা পোনচেং গুখি ঐথোইনা পায়ম্বা শূকি লাইরেন ইনোংথৌগী খুংগু টাগুম কেনবদে। অদুনা কেন্না

কল্লকয়ে। কোরৌ মুমিৎ ৫ নি শুরবগা লমলেন য়াউরৌ তৈতুপাল তৈরাং নাকমপোংদা চায়না খোংফেননা মরোং চুঙক্নসে হায়না পাউমেল্লম্লবগা নোংয়াই তকলৌ শিদং শোম্না হলল্লাইখি হায়লবরা। লাইরেন মৈদিংঙুস্নুং কংলৈপুং ময়োন্দা রাইথুলরে। কোরৌ মুমিৎ ৫ নি স্নুরবগা ময়িম নোংয়াই খা-থা পুম্নহুপ অতোন লাইথা পাক্লা তাইনা চুঙলেন থাকুপ-হো টিমেন হুংশোন লৈ, নোংয়াই মরাংহো অতোন মথি নাইনা লমলেন য়াউয়ৌ তৈতুপান্দা লাইরেন মৈদিংঙুবু তেম্শিংখিয়ে। লাইরেন মৈদিংঙু হেনত্তৌ লোইয়মপ-ও লমলেন য়াউরৌ তৈতুপাল তৈরাং নাকমপোংদা কুম্লকও মরোও চুঙক্ননা টিমেন টাচাইনসে হায়না থৌশিখিয়ে। লমলেন য়াউরৌ তৈতুপাল-ও কৌবদি কদৌনোংগিনো? থংক্রি লেরা তোনবনা কোরৌ নোংদাম্দনা খুমনাউ চারোকপা য়েননাউ চাহুন্বদা মৈতৈ লৈমা তাইতিংম্ন

ফেন্না শুবদি ইহৌশা নত্তবনিনা শুজরোই। কদৌবগীদমক তন্না চেংঙৌ ফংনবা ফৌবু শুরুম্নবনো হায়না ভাংনবা তারবদা মৈদিংঙুনা ইকাইজখি। নোংভাম্লগা লাইরেন মৈদিংঙুদি শেংপা য়াবা ফিরোলদা লৈজবমথৈ থোন্দুনা কোক্কা লাংমৈ পুংলেন চীম্লগা কুমচিং ফিনা লোননিং য়েত্তুনা ওক্কা চুঙবু শিজিম্লগা টানা মাংলোমদা ইন্দুনা চিংথৈ মাইকৈ তন্না বাংথৈ কোংবা হিকুথোং অচনবদা খোংশানখিবমু নাশোন থোক্তনা লিনওম্না তুমিন্না লোংনা ফমহনা লৈখি। মতম অসিদা নোংথোল তেংমাইথিনবগী অচানবী মুপি হম্নবীগী থবক তৌবিনা তম্নাং তশোইবি ঈন অমমু ঈন্কুই মাইরংশোন হঙ্গেল তাইথাং লাক্তনা ভা ফানবা হোংনরম্বদা মৈদিংঙুনা লোম্না থুপ্পা লৈবমু তাম্না উজখি। মৈদিংঙু মচা হেমতৌ লোইয়ম্ব-ও! পোইরৈ খুঙ্গংনা পাম্নবা, ননাইনা হেন্না নিঙনবা নঙমু খুমন কনাগী লমদা চাক্তাংখিবনো, নোংমাই কদাইদমু মুমদাংখিবনো? লাইরেন নংগী নম্নাম্বা অতোম য়োইরেম্বদি কংলা লম্বু থাদোকওমদে চৎথোক্তে হায়না পোইরৈ নিংত্তোল-শিংনা শোম্নেয়ে। ননাইশিংনা হায়নৈয়ে হায়না বাহনখিবমু হম্নুনারেংম্নুগী মাবা মপাউবু, মৈদিংঙুনা তারবদা অয়োনবা মকমদগী হাম্নকয়ে। হাদা নায়েংওও! নংগী মাবা নপাউ অসিবু পোইরৈ মৈতৈ খুম্নাশিংনা হায়নবগী হায়বম্না ঈনাইশিংনা

প্যুউত্তাকতরিয়ে। অয়িম পোইরৈ মৈতৈদি শীংচা রাইকোইহৈদে য়েনলাং থৌচংহৈদে কোরৌ হুমিৎ ৫নিধু ঙাইথমও হায়্না পাউখুমখিয়ে। লাইরেন মৈদিংঙুনা ইদাইরেম লংমাইথেমবা লুকোক রাহেংগুচা থমলাং অশেংখুবা অশেংহনবা অঙৌবা থাংরাই লিকশিংগুচা নংনা হাউশি-ঙমগাচিংনা তয়ম নথোই ৪ মাদি হাউরৈ থানা পাংবরম্ হৈরাংখোং পামপা খোংতৌরাই, খোংচা পুমপামবদি পুংথোনরাই, নোংয়াই হাউচা লাপমবদি লাথারাই, ইংঙেন তৌপামবদি তৌরিংকোন অরাং লায়না পাংবরমদা নোংয়াই নীঙদা থৌনা খোপথৎলকও। লাইরেন ঐদি রাইশেন পুনলৈপান ঙাংচা চৈহুল্লমবু হুয়েল লান্দারক্কে হায়না হুয়েন লানথোং শীন্থিয়ে। রাইশেন পুনলৈপান ঙাংচা চৈহুনলমবু হুয়েন লান্দাখিয়ে। মখিম নোংয়াই থুমনদি তৈরাং নাকমপোংদা চৃঙলেন নাকৃথৎলোন টিমেন্ টাপুন-শা লাইঙ্গা পাশা-ননা রাংলৈ

জঙনা রাংলৈ অয়াকপা (লয়্-য়্) অমদি অতিঙ্বা অথুম্বা য়ু-তুম থকহৌরয়ো ·াঙ্গরবদগী অতিঙ্বা অমসুং অয়াকপা য়ুবু থকহৌই। লাইরেন মৈদিংঙুদি অস্তম্না থুমন লমদা থুংখরে। থুমন অদোন নিংথৌ পুনশিবনা হংলকই। মৈদিংঙু নংদি করিগী থুমন ঐগী ইবমদা লাকপনো? মৈদিংঙু অতোম ে·িংমেখনা হোইদা ইপা হাকথক্কী অচান্বা থুমন নিংথৌ পুনশিব-ও! নোংয়াই নংগী নথৌরাংদগী ইনাউ ইংংগো হেমতৌ লোইযখনা কংলা ফম্বাল থক্কা কাহৌরে। অতুগীদমক থুমন নঙগী নরমদা নোংয়াই নিংথৌ নংগী নফমদা দুমদাং-চা ·াংগে, থুন্দাংগে হাযহুনা লাকপনি হায়না থুমখি। মৈদিংঙুমচা-ও! ·নাউ ইবুংঙো হেমতৌ লোইযখনা ফম্বাল থক্কা ··দি থুমন ঐগী ইথৌরাংদগী ·ও। অতবু লাইরেন মৈদিংঙু-ও! ঐথোই অনি লিতিম্না পুকচেল হোংনদনা চাংঙু লাইবু পন্না লেপ্পসি। মৈদিংঙু হেমতৌ লোইযখগী মফমদা য়ৌরসি হাযবযু হাযদোক্কনু। বা অসি তাবদা মৈদিংঙু মচানা অতোন পুনশিব-ও! ইনাউ ইবুংঙোগী নাক্তা চৎনা খোঙ্গুল লিঙ্গরোই, মখিমদসু চংবা ঙম্মরোই হায়রবদা মৈদিংঙুগী·মপু নোংয়াই থুমন-মচা পুম্বা-তিম্না নোংয়াই লমদা মচা মও পোক্লা মঙম হুংশাংনা পানমিয়্যখি। মৈদিংঙুসিগী বাসিবু লৈ·সনু।

খোমহান য়েংনা তরা চায়োম থোক্‌ভম্‌বদা লাইরেন মৈদিংঙু্‌না খিংজৌ পন্‌চল্‌লে। লাবাক্তুগুম্‌ববু পনকোইরে। নোংয়াই শিফানীক অত্তোন নাফা নীকলে। ময়িমনোংয়াইনা খোয়মা নারোম্নুংদা চংলবদি থুমনাউ কোক্‌পাকপিচা ফাগুম য়েন্নাউ য়া.শা বি তানকুমলে। থুমন্না লাইজা য়িদা কুম্না চেল্লবদি লাংবন য়িকা-ঙা, ঙাশিং খমত্তে বি য়াইকুম ফা-নরে। ময়িম নোংয়াইনা শাবন য়াংবি কান' শানথ্‌প্লবদি শবি লৈত্তোবি হাৎকুম হাংনরে। ময়িম নোংয়াইবু লা বন কাউরেন মনলৌচংবা লোইমোম পোমশং শায়বা তান্‌গুম তাম্নরে। য়াউরৌ লানয়াম থারে। লাইরেন মৈদিংঙু হেমত্তৌ লোইয়ম্‌বদি য়াউরৌ তৈতুপান তৈরাং নাকমপোং চায়াংখম লৈতংপোক চিনফ্‌রোন নত্থইন্নুনা নান্না মখুত্তেদা খানলৈ লৌতান্নাই, য়াউরৌ তৈতুপান তৈরাং নাকমপোংদা খৌশাখবদি হুয়েন লাম্নিগীদি নোংয়াই খোয়বুং লৌখাংচা লৌখা লৌখাংচা খিংবাই

মৈদিংঙু হেমত্তৌ লোইয়বদি নোংচুপ মাইক পাংবগী ইরান-মৈন্নাউদা শজি শঙাই য়াম্না লৈববু মৈদিংঙুগী টানা হুনখিবদা টাবু চেন্দুনা লৈতাং য়ুমোইকোন লালোই পাউবিত্তেক্তা তুক্নে। থুমন ইশিংপা নোংয়াই ঙা কাবশিংনা চংলুবদা খংলকয়ে। নোংয়াই থুমন নিংথৌ পুনশিবদা কৎলরে। পুনশিবনা তয়ম্‌শা ! টা অসিবু কনাগী টানো ? থুমন শিঙখিবা-চংপা নোংয়াই য়েনলাং থৌচংপনা খংলকয়ে হায়বা টাসিবু টাগী টাশক খংনবা য়েংহৌও হায়রবদা মখোইপুন্না কনাগী টানো টাশক খংদে হায়না মইং মইং থুরখি। থুমন য়োইরেন্‌হন্‌বা (পাখংলাকপা) না য়াম্বা নিংথৌ পুনসিব-ও! টা অসিগুদি ঐনা খংই। লাইরেন মৈদিংঙু হেমত্তৌ লোইয়খনা থুমন লমদা লৈরত্তদা য়াংম্নিং শিঙমিং অমবু ঐনা লোনবিখিয়ে। থুরেন (কোন্থাংগুম্বা) অমবু চনবিখি হায়ববু অচুম্বনে। থুমন পুনশিবনা লাইরেন মৈদিংঙু হেমত্তৌ লোইয়বদি শা তানবা চংলবসু শা য়াই কনগুনো হুয়েন লান্দাবসু লানয়াই কনুগনো হায়না য়াউরৌয়ু কোংকী ঈড়াংনয়বদা থুমন লৈমা হৈপোকভবী মনিংলৈমা পোনচেংঙবীনা পাউমেক্লখিয়ে। মৈদিংঙু ইকুংত্তো তাখিয়ো। লহাল নংনা থুমন ইরম ওইবা মৈন্নাউদা য়াউরৌ শা তানবদা লাইরেন নংগী চিমেন নখুংগু টানা

অমাকৃচামবা তোল্লা য়েনশিন্পামবা কাইরৈমা-চা পোনচেংঙচাবু কায়না-হল্লে। নোংয়াই খুরাইজম্চা টিমেন টাচেনখাক্লা অচেন খ্ৱলৈ য়াঙ্না লাপ্পা পাউমেনঙময়ে। হেমতৌ লোইয়ম্বা নশাবি লাইরেন অতোম য়োইরেম্বগী মপারী তৌরেন খূবা তৌরেন হনববু লুরক কাংদৈথি খৌনাউ লোনথোং লেল্লবনে। তুবি নপা-চা লাইরেন নয়েল্লুনে। য়েনবং হিরোই মচক্লরুও! লাকথা লানমিংমাবু থানা-রুও হায়না লাউরম্লয়ে। লাইরেন মৈদিংঙুনা তৌইকিদি ইদাইরেম নোংয়াই মলমবু অতোন মথোংপুশিং-ও! তুবি ঐগী ইপাচা লাইরেন ইয়েন্লুনে হায়রবদি য়েনবং হিরোই চন্করোই। লাকথা লানমিং থাকরোই। লালু পোনচেংম্নুংগীবু চেংলৌ শকখংলাউ-ও হাইথরবগী মদাইরেম নোংয়াই মলমবু অতোন মথোংপুশিংনা চেংলৌ শকখংলবদা লাইরেন মৈদিংঙুনা মপারী তৌরেনখূবা তৌরেনহন্বগী তাংজা লুরেনতোনবু চৈরৈ ফিনা

শোকখিবা য়াউরৌ শাহুবু খোক্লাং টাগা চেল্লা চেনখ্রগা লৈতাং য়ুমোইকোন্দা তুক্লরবগী খুমন মচা শিংজনবা নোংয়াই মচা থোচংপশিংনা পাউদম্নবা খুমন নিংথৌ অতোন পুনশিবনা য়াউরোহুবু বয়গানরে (কয়গী ঈড়াংনরে) হায়না পাউমেল্লবদা লাইরেন মৈদিংঙুনা তয়ম্ নোংয়াই থোঙলেন পুবা অতোন লমগী লমবুশিংও! য়াউরোহুবু শায়াই কোংচংনরে হায়। টিমেন ইখুংশূদি করিগী শায়াই কোংচংনবদা য়াউরবনো হনবিরকও হায়না পাথোন শীরকই। নোংয়াই খুমন নিংথৌ অতোন পুনশিবনা মৈদিংঙুগী টাবু হনবিরকলে। মসিদা মৈদিংঙুনা তাখিখি। ঐগী টিমেন টা ইখুংশু য়াংমিং শাঙমিং তম্ভবম্নুং তংলে। খুরেল য়াইক মহুম কেন্দবম্ন কেল্লকলে। মকং কুমদবা মখোকম্ন কুল্লকলে টাজিন শোক্রবম্ন শোক্লকলে, কায়রকলে হায়জুনা তাখিরবগী মৈদিংঙুগী খোংনেং হি ককচিংঙবা কৌববু কুরাক মহুম শারি শিংতোক্লা শেন্দাং মখি কায়জিনববু শিতোক্লা তেংথোক্লগা মৈদিংঙুনা হি পুহুনা নৌ-না নাকন্দা কৃহুনা হিগী ফিবান্দা মখোল থোক্লা য়ৈহুনা ঈশিংবু থুম্পেক পেকনা ঈশিং কোংখং-লকপনা তুংলোমদা কয়া হনখিহুনা থা পাংবা লম মোংবা থুনলম মতুংইয়া হয়েল লান্দাখরে। খুমন লমগী উচিবাদা থুংহুনা খৌনাখিবনি। লমলেন

য়োম্বা পামেন উরাই হক্কা য়াল্লময়ে। অহুনোংগীবু চাথা উহকচীং-ও থোম্নেয়ে। মৈদিংঙু হেমতৌ লোইয়মবদি লাইরেন সনা মচুংশেন তুবি চুংশেন মরানওনগিবু মিংওনখিয়ে। লাইরেন মৈদিংঙু লোইয়মবা কৌবদি কদৌনকো। মৈদিংঙু হেমতৌ ইরানথাবা থোয়বুং লৌথাং চাফাবা তৌনা কৌয়ে। অভৌবা থাংরাই লিকশিন্নুং ইরাম্বাবা লৌখোই লৌথাং চাফাবা-ও মিংওনখিয়ে। লংমাইথেমপা লুকোক-রাহেংন্নচান্নুং লংমাইথেমবা ইরাম্বাবা তোম্নায়েনশিন পামবা কাবা-ও মিংথোংখিয়ে। খন্নাং অশেংহনবন্নুং অশেংহনবা ইরাম্বাবা কাইরৈমা-চা পোনচেংন্নু চাফাবা মিংওনখিয়ে। লাইরেন মৈদিংঙু হেমতৌ ইরাম্বাবদি ইনলাই নোংচেনলোদা থৌশাবা য়াউরো পুম্না কোম্না মিংথোংফাবা লৌখাই লৌথাং চাফাবদি চোয়নৌ সনা মিংহনগিবু চুনবনে॥

উচিবা কৌবদি করিদগীনো? হুইতৌনা কপিচানা মখুম (মথুক্কংবু) পামেল উহাংগে হায়বা মতমদা উথুমডারোবী উকা অরোওবু য়ানখি। খোংজি নারেং হত্তুনা নারেং থাংনা চিংবদা উ মচা কমাবু শন্না লাকপদা হিরি খোংজি নারেং তংখরে। লাইজ ঈশিংয়াইদা নুপগরে। মসিদা মনাই খোংনিংবা খুমন লাইগুচাবু চৈরৈ ফিবু কিশি তাখত্তুনা অমুকুং হৌই লাউনা থাঙ্গংপিয়ু। অদুগা ঈশিং মন্নুংদা নুপ্তুনা খোংজি নারেং অমুকুং লোনবিরু হায়খি। অতোন লাইগুচানা মাগী বাগী চৈত্ত উরাউচি (চৈডাক) পু লৈরাইদা য়ুংলমলে। অদুগা লুপখিবা উগী তুংইন্না খিতুনা পামেলহুগী খোংজি নারেং লোনগে চংখিববু অদুম হন্নক্করে। নোং ঙালগা খুমন লাইগুচাদি লৌবাই লেমকুনা য়ুংনা তাউথংলকুনা মশাদু উশা কিহ্নবগুয়া তাউংলকখি। কোংয়াং চৈডাক বাহুন্নু মমিং মনৌ চোংহুনা হৌরমরে। হুমিং অহুদগী নোংয়াই উচিবা হায়না কৌনখি। নোংয়াই হুইতৌ লাকপিচা খুমন লাইগুচানা উগী উতুম কোম্না ফাউরকপবু থাংনা অকংবা মথক্কা শরোংখোইবা কৌবা ঙানা ক্রং ক্রং চোংবা অমদি লোকমাই মথক্কগী চোংথবগুমনা নিংঙোল মিংলাউ চমু হাউশিয়াং খোংলৈতাবিনা খোয়মা পুকচেলধু কানা থাংখি। নোংয়াই

নয়োন মৈতৈ লৈমা লিনগুরোন খুরোইঙমবি-ও ত্তৌনা কৌয়ে। মৈতৈ লৈমা লিনগুরোন খুরোইঙম্বি লিনগু লাইবা ৱাথাবা চনু কারাং লায়বা ৱারিংবনা য়েনবি, নোংবাল-খাউ খুনু মানবা কারাং নুংখংবগী মমোমলোন, মপাম লমলেন মদাইমা কাপা পুরাং নিংথৌবা মচিংলেন মনশা লৈমা চাউনু-চনু লংহাই থোইবি, কারাং মপিথেন হুয়েন লামিগীদি হাউৱা থেননু-সু নমপোক চৈথংগী কমপোং মৈরা চাউগুমবা ফানা-থেন থাংখা-ও কৌবদি কদৌনোংগিনো। খুংখু ৱায়াং কেনদোংবা কবো ৱাহৌথিবনা থাংলেন মখুৎশুবু থৌহু নুংমাইশিং লাইজা খিকফেন তৈনা থাংলেন মথৌ হেন্না ফেংলময়ে। ময়িম কেগে তেংথানা মোইরাং মিকোননা থাংলেন মখুৎশু অথৌবদি অখাবা-ও হায়না কৌয়ে। অহুনোংগিবু থাংখা-ও ত্তৌনা কৌয়ে। থাংখা লায়বা ৱাথাবা-চীং কারাং লায়বা ৱারিংবা ৱারীং-চীং নোংবাল খাউ খুনু

থোইত্তোংপান কৌবদি কৱিগীনো? থিংমাই নোংমাংবনা মচানুপী খুমন চনু লাইত্তোংখু শাকবীবু পুহুনা চীংথৈ চীংবু খুরুম্বা চৎপদা কৈনা মতুং ইন্নরকখি। মসিদা খুমন চনুনা মপাগী ফিজি য়ান্দুনা কিহুনা চৎলবদা মপানা কৈরেনহুবু থমুং খিংনা হাৎলে। মতুংদা খুন্দা কুমকপদা থৌবাল কাংখুচা অচানবনা ত্তাখিখি (খিনা ঙাংখি)। চীংথোং পোহরৈত্তোমা খুনথোরুকপ মতমদা হাউন্ন শোনমোই তাউবিনা মমুম লিংগে (শাগে) হায়বগী থোংবান লুক্লাংদা হৌবা পুখবু মরক খায়না শেংবদা হম্বিং মথোং তাঙববু লৈরমই। হম্বিং পেংলোই নাইবু খুমন্না থোই হায়না কৌনৈ। অমুম্না হম্বিং থোংদাংবা থোইনু লোংজনগে হায়বগী তৌথোকচখি। হুম্বিং অসিদগী নোংয়াই থোইত্তোংপান হায়না থোন্নে।

নোংয়াই উচিৱা থোইত্তোংপান, নিংঙোল মিলাউ চনু থাচোং হুইলৌদা লৌত্তাবি নোংয়াই লৈমা অঙনবি, অরাই লৈম হোংনেমজম নিংঙোল, য়াউ-শোনবম লৈমা, নোংয়াই পুংদা মথোক কাবি খুমন শাগৈবু চিংখৎপি, মথক্তা ইনলেন থাথন খানবি, হমাই মথোক শাংনা পায়বীনা পোনবী উরেকশেক য়ান্না ত্তাবা লৌদা শেনগী তেঙ্গাৎপু কোক্তা থোংনা পুহুনা লৌকুম্বী খুমন লমদা ওক্লেম্না লৌচংবগুম লৌত্তাবিবু লাইরেন মৈদিংঙুনা মকোক্তা কাংদেন্না থোমহুনা

মানবা কারাং মুংখংবা-চীং হো কারাং শনলাইমান, কারাং চিংতোমপোক কেংগে কারাং লায়বা মচীংয়োন নোংয়াই মঙাং হাউতম্‌চানা মশন-পুংবু নারেং পামবগী খানলো-চীং লোইমোম ফৌরুকৃথোং শাকং পরেংচীং থাঙ্গা লোকলেন-থোং। টিমেন টায়ায় চীং থুয়োন খাংখারুংবা থাংলেন লূচংশোয় রাবা অয়ামথোং মুকাপ অশৈ তেরানরাই যাংমোম লৈমা খাংতেক অচাবা-চনু ঙমশোইথোং কেগে চিংকাংবম নিঙোনদি মোইরাং থোইবি অশৈবি থাঙ্গা খুলহোং-চীং, মন্থু য়োইবা কানাম্‌চামবা মরমখৈ খাংখা চিংলেন পল্লংলাবু পূম্না-চম্না অশৈ লমলেন্ শক্‌পম্ চনু লৈমনা, হুয়েন লাম্নিগীদি থুমন চুমবা লেংবাউ থৌবনু অহোং য়োই-থোম্নবা-চনু মৈতৈ লৈমা লিনগুরোন খুরোইঙমবি লমলেন খুরোই লৌশোয়লেন শোয়রেন চাবিলোক্তা খোমহানবি খুরোই লৌশোয়্‌লেন চাবিলোক-ও কৌবদি কদৌনোংগিনো। পুরাং নাকাবা মপারী হংকেন

থৌরিদা থাংনা লেন্দুনা মকোক লৌথি। মতুংদা মৈদিংঙুনা হি তোংহুনা অরাং মাইকৈ পাংনা কংলৈ সনা পূ লোমদা হম্নকপদা থুমন মচা পূম্নকা হৌত্রনা মৈদিংঙুনু তাম্নকলে। রাংমা লাম্না লৈরাইথক্তা কাহ্ননা হায়জম্নকই। লাইরেন মৈদিংঙু হেম্‌তৌ লোইয়ম্বা! নখেক্তৌ অরাই লৈমগী মচল থুমন চনু হোংনেমজ্রম নিংঙোলবিগী তাংজা নুরেন অহ্নবু হনবিরমউ হায়না লাপথায় ননা লাউজ্ববু মৈদিংঙুনা তাবিথিদে। হাম্নদগী হেম্না হেম্না হি হোনগৎপি। মহু উবদা থুমন মচা পূথনা লোঙ রাইহ কয়ানা লাইরেন মৈদিংঙু হেমতৌ লোইয়ম্বা নংবু অহুক্তদি তাবিখো। লহালঙৌ থুমন ইরমদা থুমন চাক চাহ্ননা লৈরম্বনি! হইক্রুগুম্না নপোপ চাউনা থুমন ইয়ু থক্তুনা নাপিগুম্না লেমথনা থুমন থাদা লৈরম্বা নত্তরা, ওয়োকয়ে। মুমিং ৫ নি ওবদা য়াউরৌ তৈতুপান তৈরাং নাকমপোংদা নিপা থৌদাং চাংয়েংননা টা চায়্‌নসি হায়রম্নগা তকশি শোম্না হনখিবা নত্তবরা? অম্নুম হায়না হায়না মৈদিংঙুদি কংমৈপহ্ননা থুংখরে। মুমিং ৫ নি ওরগা থুমন লানলোই পূরমক হৌরক্‌নুনা মথুত্তা টাবাক পায়হ্ননা টানা খেরাং থাংনা থুমন কহি থোক্না লাক্তুনা য়াউরৌ তেতুপান্দা মৈদিংঙুবু শীঙহ্ননা লৌথি। অতুগা মৈদিংঙুগী মকমদা তেতুপান্দা লাকউ মরোঙ চুঙ কুনসি নিপা থৌদাং য়েংনা টা চায়নসি হায়না

লোংনা থাবগুমবা তেনাগাংবা লৌনংয়াইমবা শিংনাউ অতোনবগনা খোংশাং ১০০ য়ান তরা চিপুংপৈ য়াংলৈ লৌখোং তৈনা হোংনেমগী হাউদৈ কোক্তা-কা অরাং লৈতোন গুম্ররবগী শামু মখোং লোয়্রে। অদু নোংগিবু খুরোই-ও তৌনা কৌয়ে। খুমু মনাউরোংবু লাকয়োনরি তৌরা লামবু লাময়োনবিনা য়িমু খৌহক্লা নোংমনরাই মদু চিংচেং নারল-পান্‌কন্‌বনা লনশিংরাই মহুতেক-ও মররাই লাইকম মপি শি-নলোক উইতে লানু-ক্নৌ খুয়োই লৌশোয়লেন, শোয়লেন চাপিলোক্তা সনা খোমহান্ কবদি হুয়েন লাগ্রিঙ্গীদি খুরোই নাউশাবি নাউশাবা য়াক্রে মথুনেংপু তানফংদরিগী খুমু মনাউলোংবু হান্‌না তানফংবি তিংয়ি খারা পান্‌থক্লা হোন্‌তমবি হোন্‌তমবা তোন্‌বি লাক্‌পমু য়াংজৈ মীচাক-চা কায়না হুনবি মৈতৈ লৈমা লিনগুরোন খুরোই গুমবি সনা লিনকোইগি।

মী থাখরে। লমলেন তেতুপান কৌবদি কবিদম্রীনা! থংগ্রি লেরা তোনবনা মুমিৎ অমত্তা লেপ্তনা (নোংমত্তা লেপ্তনা) মচা মগুগীদমক অচা অথক থিবা চৎপদা মৈতৈ লৈমা তাইতিংমু খোংনাথিনা য়োমবা চাকপু খোক্রুবদা চগেম মত্তোন ওইরম্লে। য়াংলৈ তাউবা হুইগী মথিগুনমলে। খুম অনা হাপ্না মুমু মুদি হাক্রহনা ককপ্নি মৈশিং অংগৌবু হানলম্লে। অহুম্নীদমক থংগ্রি লেরা তোনবনা হোরেল মথুম হন্নকপদা মাহুনা মরম ওইহনা বাখোক ওইরম্লে। তাইতিংমু খোংনাথি! নৌপা ঐনা মুমিং খুদিংগী অচা অথক থিরম্লা নফমদা হেক হেক থুংলবনি। তরা চাক লামথিবনা চনিং অসি তংথববু অমুম অমুম হেল্লকবনি। অহুমু নগুনা য়োথা চয়োমদি চংগমগী তরাচাক্লা য়াংলৈ তাউবা হুইথিগুম্না য়োমলকই। বাংলৈ মুমু হান্‌বিবমু লাংবন থাগী ককপ্নি মৈশিং অংগৌবা ওইনা হানবিরে। অহুম হাম্নরবদা ইবুংঙো! থংগ্রি লেরাতোন! নতৈ লৈমা ঐনা য়োথদি তরা চেঙ মচং ফজবা হুইগী হুইমা মানবনা খোংবা চাকপু য়োথনি। তগং-তগৎ তেকপা মেনশা অংথোংবমু য়োথনি। বাংলৈ মুমু হাউদৈ অথুপা বাংলৈ অয়াকপা (লৈমু) না হানবিরনি হাম্নরবদা নোংঙাললগমু মতৈ লৈমনা থংগ্রি লেরাতোন্‌-ও! নতৈমা ঐনা য়োথা চাক ইনশাং মু অসি

২৩। মৈদিংঙু থরাম্বাবা।

নম্বু মৈদিংঙু লোইনাই থরাম্বাব-ও ভৌনা কৌয়ে। মৈদিংঙু লোইনাই থরাম্বাবা কৌদরিঙৈদি মপুমিংবু মিংনাবা লাইরেন মৈদিংঙু অয়াংবা শরিচোংব-ও ভৌনা কৌয়ে। মৈদিংঙু অয়াংবা শরি চোংবা তেনলোং তেকপা থাকাউদবনা হাউরৈ লায়না পাংবরম লানহাং কুয়ানলোক্তা খৌশাবনে। লানহাং কুয়ানলোক মকু খোঙাইবা-চম্বু চিনহারোক। পোনবি থাতুংথাং চীংমুং সুয়াবি উনৌ কোন্দে তুংথাংনবিনা পাউ-চুমলকও কৌবদি কদৌনোংগিনো ? লয়াই মকু ভেংপোনবি চিন্‌পি চেল্লা নাত্রাংবিনা চিনহাখিয়ে। হয়েং ইমোম অমা ক্‌ইরবদি থাংম্বি চেংলৈ পামবদা কাউচানগে ইমোম অমা ক্‌ইরবদি অঙৌবা তুরেল থাংমা নিংথৌ কংলা ফানভোংতৈনা থাবদা কাউচানগে চিনহাখিয়ে।

য়েংলো লাউ হায়দা য়েংহন্নবদা থংগ্রি লেয়াতোম্না অন্নুক মচা মগু য়োক্র থাক্লবা খিগে হায়না চংথিবদা লমথাংদা চয়োম কাক্লবু তয়া চাকম্বু থাংলৈ ভাউবা হুইখিগুম থাংলৈ য়ুম্বু লাংবন ককয়ি য়ৈশিংগুয়া ওয়া লৈয়মলে। অহুনা লেয়াতোম্না থারৌখি। হি নগুনা ওনবয়া, খুম্বু নৌ নগুনা ওনবয়া, ঙাক্লৌ চৈঙাক নঙুনা ওনবয়া ? হি নগুম্বু ওম্লিয়োই ঙাক্লৌ চৈঙাক নগুম্বু ওনলিয়োই। ইয়ম লমলেন লমলা পাফেন মতোম্না য়াউবগী তৌরিবনি হায়রমরে। হুমিং অত্রদগী য়াউরৌ ও হায়না কৌথি। য়াউরৌ হায়না অমুক খোনথিবা অমদি থাংঙা শোকচোক্পিগা মহু কমবোং ঙাউঙৌবগা লংখুম্বু তাম্নরকপদা কৈগী শারম-মাং ওইরুবনা কৈনা তুংম্মিয়রক্লনা থাংঙা শোকচোনবি কমবোং ঙাউঙৌববু কৈগী ময়াদা য়োঙরে (ভাথরে) অহুনা লমদম অসিগী শাদি করমম্বু অম্বুক য়াউবনো হায়বগী য়াউরৌ হায়না খোয়ৈ। মমোম থাংঙা শোকচোবীগী মথবাক শেগাইনা কোয়হুনা চারে কোয়জিং কৌয়ে। মপুক তৈনা (থম্না) চারে হায়বগী তৈতুপান কৌই।

খুমননা মৈদিংঙুবু ঙাইমিঙৈদা মৈদিংঙু হেমতৌ লোইয়মবু ভাচকবয়া অঙোম নিংথৌ থাংথাই লিকশিংগু চাবু কুমকবয়া থম্নাং অশেংথুবা, অশেংহনবা

খোয়নৌ মতা পোনপি ৱাতুংথাং চিংঙুং সুরাবিনা পাউচুমখিয়ে। ইতা মকু থোঙাইবা চন্নুও! পোনপি চিননেনবি চেক্লা নাৱাংবিও! হয়েং নপারী অমওম্নুং শাংলোইকনরাম্নুং খংদে। নমোম অমা ফ়ুইরবম্নুং পোনবি নমিৎ-কুৎ চেক্লানা পাচোমবনা কৌবিরোই হাইনা পাউচুমপিখিয়ে। অহুনোংগিবু লনহাং কুয়ানলোক মকু থোঙাইবা চন্নু চিনহালোক পোনবি ৱাতুংথাং চীংনুং সুরাবী উনৌ কোন্দে তুংথাংনবিনা পাউচুম-লোকও ভৌনা কৌয়ে। লনহাং কুয়ানলোকপু নাতৈননা লনহাং মপুংয়াইদা লাইরেন মৈদিংঙুনা চুংলেপ ৬০ চোং কাউরেন শনখাং ১০ লান্ থংনং লাইতং লেংনা খৌশাথৈয়ে। লনহাং য়াকা চায়রে। মরান থুমপি মৈমাচন হুয়েন য়াইশিংমুং মৈবি তাংগোই পাই, মৈখু নোংদা-কা শায়পু মৈতান্-পক চীংশোং ফলাং থুম্না পনথেং-থবদি হুয়েল লাম্নিগীদি মাইমু পায়াং শংবু কায়না হুল্লকলে।

লংমাইথেম্বা লুকোকত্ত-চাবু তাল্লক্কবরা হায়তুনা ভৌ মনা থংনা * লাংনা পাদমখি। থুমম্না লাংনাবু তৈরাং কৌই। মুমিং অতুদগী তৈনাং নাকমবোং হায়না থোল্লি। চিনফু লোইনাই কোহৌশ্ বাংবন লৈমা নাহুইনু মথোক-কাবীনা নাহা ওইরিদৈদা লৌদা কুম্বা মতমদা কফুং-করাং চৌবা তিলহল লাইহল লৈবা থম্লাই তংপোক্পা টিমেন টাবু চায়নসি হায়না য়াউরৌ তৈতুপাক্ষ কুল্লকউ হায়না মৈদিংঙুবু হায়রৈয়ে। অতুদা মৈদিংঙুনা হৈনা শিংনা থুমখি। ইদাইরেম্ নোংথোল তেংমাই থিনবা থাকমলাকপা শিরে। মপান থোকপা য়াদরি। মথৌ অঙম তৌহুনা পুঙ্গং শীম্না পাউজঙ্গনদরি। পোইরৈ মৈতৈদি শীংভ্রমান ইফান চৎহৈনরি মপৌ-লঙম শুইনদরি। তুমিং ৫ নি হাইও হায়না খুমখি। লাইরেন মৈদিংঙুনা ইদাইরেম লংমাইথেম্বা লুকোক থাহেংশুচা থম্লাং অশেংখুদা অশেং-হনবা অভৌবা থাংরাই লিকশিংশুচা নঙনা হাউশিংগী লম্বূগা লোমননা তয়ম নথোই ৮ মক্তি খা পাংবা মাইকৈগী হৈরাংশোং পাম্বা থোংদা, থোংচা পুমপাম্বানা পূঙ ওইনা থোনবা লমদা, অতুগা খুমন হাউচা লাপাম্বা নঙদি লা থাবা লমদা

* লাংনা পাদম্বা=থান্নদৈঙ্দদি চরোং মনা থংলগা নোংমগা তোগদবা থবক, চৎকদবা থবক অতু ফগনি ফম্নোই হেক থঙবা ঙম্বা চাংঙেং তৌনরমই

তুবি সনা মচুংশেনগিবু মিংওনখিয়ে। লাইরেন মৈদিংঙু লোইবি চৈংশোংঙমবা মাইমুয়াং শাফাব-ও তৌনা মিংথোনখিয়ে। লাইরেন সনা মচুংশেনদি অহুম্বুং মদোমদে। হাউরৈ নোংপোক খানা পাংবলম থরা তিনচেং তাংচেং-চীং থরা য়াউরোংচীং কোইচীংকোইমহৌ-ও কৌবদি কদৌনোংগিনো? কমবোং চেংখু চেংয়ামবি মপারী-চিংলাই তোনহৌথিবা খমলৈতোন শাফাবনু নোংয়াই লিক্মন্ লাম্থাবনা কোয়না কোয়না তান্নরে। লমলেন কোইচীং কোইমহৌও থোংন্নয়ে। লোইয়ম ঙানবা নাহা শরা লাইহাং-কোন মচন লৈমা মচীংচিন মনিংলৈমা শোনমোইতাক-ও কৌবদি কদৌনোংগিনো। মৈদিংঙু নাউকন অহনবা-চম্মু রাঙমলোন খোংঙাইথোংনা নোংয়াই চাউবা-পুংদা মরান মুহোং খোংথোংলকউ লোইবি চিংচরোই মলৈমাবিনা ইনিং লৈয়োন-ও হায়না কৌঙময়ে। রাংঙমলোন থোংঙাই থোংনা লোইবি

ইংপন তৌপাম্বা মহুনা তৌরিঙ্কোন্দা অনাং মাইকৈদনা খুমনবু তুংলোমদা খোংগৎলকউ। লাইরেন ঐনা রাইংশন পুলৈপান ঙাংচা চৈহুমদা লান্দারক্কে হায়না লাখোং শিনখিয়ে। অরম্ব রাইংশন পুলৈপান ঙাংচা চৈহুমদা লান্দাখ্রে! খুমনদি তৈরাং নাকমবোংদা চূঙ নাক্ক যেপ্ তিমন টাবু ঈশিংদা চাম্না মতম খোঙলৈ নেংহুনা চাক চয়াম খোংক্রিংইরা লাইরেন মৈদিংঙুনা কোম্নশিন্দুনা লাঙ্গোই চল্লে। খুমন মাদি চেনফম লৈতনা মশা নীক্না লৈরে। নোংয়াই খুমন মচাসিনা মিরং মায়ুং য়েংনা চেনবদি য়েন্নাউ মচা তানগুম তান্নরে। খুমন মচাসিনা ঈশিংদা চেনবহ লাংবন থাদা কাখৎপা ঙাশিং কৌবা ঙানা য়াই থারবদা ফাবগুম ফানরে। নোংয়াই খুমনসিনা অতৈংবা লম্বী কাহুনা লোৎলবদম্ শবি হাংকুম তৌরে। খুমন মচা অসিদি লাংবন থাদা লৌদা চঙবা যম্না ফৌ পোমশাংনরবা অতুবু শায়বদা তানবা অহুগুম্না তান্নরে। য়াউরৌ শা তানবদা মীয়াম চংনা তানবগুম তৌখি। লাইরেন মৈদিংঙু হেমতৌ লোইমবদি য়াউরা তৈতুপান তৈরাং নাকমবোংদা হাউরোক কোম্বৌ-চম্মু নাহইহুনা অঙাং ওইরিংঙদা লৌ তাবা মতমদা লান্দাবদি থিংবাই অমাকচাম্বা তোম্ন-য়েনশিনপাম্বা কাইরৈমাগী মচা পোনচেং-শুচাবু লানঙমখি। খুমন খুরাইজম-চানা

অশোয়বি হেমবা অমাংবি নংনা করিগী ইনিং লৈয়োন-ও কৌরকো হায়না শোনমোইরম্‌য়ে। অদুনোংগীবু মচন লৈমা মচিংচিন মনিংলৈমা সোনমোইতাক্‌-ও তৌনা কৌয়ে। মচন লৈমা মচিংচিন মনিংলৈমা শোনমোইতাকপু নাতৈননা থৱা য়াউরোং চীংদা খৌশাথবদি থৱা লাংচেংপোই অপোইবা লাংবন কাউরেল শনশেনথিবা চীংঙু নোংথৌ সরারেনগী খাকপা মত্তেনচা কোরৌ চীংরাংমৈ রাংপন নোংরাং মৈনা নোংহাম্‌লববু খাকপা তেনমৈ রায়না হুয়েন লানহৌরকয়ে। লাইরেন মৈদিংঙু অয়াংবা শরি চোংবও কৌবদি কদৌনকো মুরা কারে শেনখোই তোংলে। মৈদিংঙু লোইনাই থৱাম্বাবা থৱাচীংমৈ খৌশাবা থৱা লাংচেংপোই অপোইববু কায়না হুন্‌বও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন মৈদিংঙুদি তুবি সনা মচুংসেন চুংশেন মরান ওন্দি অহুমুং মদোমদে।

টা মখোক পায়না য়াঙনা চেন্দুনা লাউজরকই। হেমতৌ লোইয়ম্বা নঙগী নয়াম্বা লাইরেন অতোম য়োইম্বেগি মচাহুপা তোরেন খুবা তোরেন-হনবু মকোক থুগাইদুনা মঙক করুবনি। তুবি নঙগী নচা নগুনি লাইরেন নঙগী নয়েল্লুনে (ধারানে)। হৌনবি লোইনরকপগী পাউবু তমদুনা লানফমদা শিবগী মমিং থানরুরে। হায়দুনা লাউরময়ে। মৈদিংঙুনা অদুদি ইদাইরেম্ খুমন লমবু অতোন লমগী মথোংপুশিংও (থৌবু রাপুবশিংও)! তুবি ঐগী ইচা ইনাউনি হায়রবদি ফুমখি থাদা চনফরোই। লুখা থাবমু থাফরোই মকোক অদুবু য়েংদুনা মশক খঙলখো হায়বগী মনাই খুমন লম, অতোন মথোংপুশিংনা য়েংদুনা শকখঙলবদা মৈদিংঙুনা মচানিপা তোরেনখুবা তোরেন হনবগী মকোকপু ফিনা য়োমদুনা উদা থাংফম হক্কা য়াংমই। মুমিং অদুদগী চাংথা উংকচীং হায়না থৌরে। মতৌ অসুম্না মৈদিংঙু হেমতৌ লোইয়ম্বগী মতিক মথৌনা কয়াদগী মমিং ওনখিয়ে। অদুবু লাইরেন মৈদিংঙু লোইয়ম্বা কৌখিবদি কদৌরুগবনো? মৈদিংঙু হেমতৌ ইবাম্বাবা খোয়াংং লৌথাং চাফাবা তৌনা কৌই। থাংরাই লম্মহনগী অঙোম নিংপৌগী মমিংমু ইরাম্বাবা লৌথাই লৌথাং চাফাবা হায়না মমিং ওনখি। লংমাইথেম্বা লুকোক রাহেংগুচামু লংমাইথেম্বা ইরাম্বাবা তোন্না-হাউরৈ লায়না পাংবরম অরাং কৌবা ইরোংথোংদা খৌশাবনে।

ইয়ৈবি অনচি নোংলাইকোন ভাংখুল লৈহৌপোক্তা খোঁশাবনে। ইরোং লান্দা-য়িও কৌবদি কদৌনোংগীনো। নোংবান চীংখোং কোয়-মনাউগা লুবাং লোইনাই য়াউশা তানবগা য়াইয়ৌ খোং-খুমনবু য়াংদৌ শারম লিবদা লুবাং লোইনাই য়াউশা তানবনা টিমেন মখুংশূনা ফেল্লবদি য়াউরৌ শানম খোংলে। চীংখোং কোয়্মনাউগী ফৈরা মতানপোমবু তুরে। চীংখোং কোয়মনাউদি হুয়েন লান্না তাবগুম লোংনা তাখিরে। ইরোং লান্দায়ি-ও থোন্নেয়ে। অন্নাং হনফুপোক ইরোংখোং ইরোং লান্দা-য়িদা খোঁশাবদি হুয়েন লান্নিগীদি মরুরাবা নাউখোংশূ নাউখোংচাসবা কোস্থৈগুচাবু কায়না হুল্লে। লাইরেন মৈদিংঙু লোইনাই থন্নাস্থাবা অন্নাং কৌবা ইরোংখোং ইরোং লান্দা-য়িদা খোঁশাবা মরুরাবা নাউশু কৌবা ইরোং লাম্থাবগী তুবি চুংশেন মরান-ওন্দি অহুসুং মদোমদে। হাউরৈ নোংচূপ-লা পাংবলম লম্লেন্ লোনলোই

য়েনশিন পাম্বা ফাবা হায়না মিংথোনখি। থন্নাং অশেংহনবম্ব অশেংহনবা ইন্নাস্থাবা কাইরৈম-চা পোনচেংশূ চাফবা হায়না মমিং ওনখিয়ে। লাইরেন মৈদিংঙু হেমন্তৌ ইন্নাস্থবদি ঈনলাই নোংচেং লৌদা লান্নাবা য়াউরৌ কোন্না পূন্না মমিং থোনখিবা লৌথাই লৌথাং চাফাবা হায়না কৌবদি ফদোংলবা সনাগুম মিংহুন অসি চুনবনি।

নবেন মৈতৈ লৈমা লিনগুয়োন (নিংঙোম্বম নব্রগা লাইতোঙ্গম নব্রগা বাংখেম) অঙোম য়েক্তা তাংজবী খুরাইঙম্বী হায়না মিংগৌই। মৈতৈ লৈমা লিনগুয়োন খুরাইঙম্বীদি লিনগুলাইবা বা-থাবগী মচাম্নপী কারাং লায়্ব বা-রিংবনা য়েম্বরকপি কারাং মুংথংবগী মচাম্নপীনি। মপাম লমদম কাবা পুরাং নিংথৌবগী চীংদা মনশা লৈমা চাউমুগী মচাম্নপীনা লাং হাইবদা থোইনা হাইবা ওম্বী কারাং চীংদা লান্নাবনি। অহুগুম্বা কথোং মৈরা চাউনা ফানবা-থেনবু থাঙ্গ হায়না কৌথিবদি কয়িদগীনো? খুৎখু বাংং কেন্দোংবা কথো বাহৌথিবনা মাগী থাংবু নূংপাকথক্তা ঊশিং চাইনা মথৌ হাপ্না ফেংলমই। মোইরাংনা থাং অথৌববু অথাবা কৌই। অহুদগী থাংখা (থাংঙ্গ) হায়না কৌথি। থাঙ্গ লায়বা বাথা-চীং, কারাং লায়বা বারিংবা বারিং-চীং, কারাং

লমলেন লাইজ ইয়ৈবিও কৌবদি কদৌনোংগীনো। য়োইবু খোইমোম লাইরেম্মা লোইমোম ফৌওইবি মতা ৬ মানা থোংনাং কারোং লৈময়াংগ ফাইলৈবু তাংথগে য়িন্দানখিববু অন্‌চি নোংলাইকোম্না লাইজ মথিনাই ইমু মরাংহৌ মেনাং তনবা খুয়ৌ ঙামচাউ হুল্লবগী খোয়নৌ মতা খোংচি হুংলাইবম-চম্নু লেমলৈ ঙারা ঙাকোইবিদি লাইজ য়িদা হৈরব-নিকীনা য়িমু খোংকাউনা য়িঙৌ শন্নাইননা লাইজ য়িরানখিরে। য়োইবু খোইমোম লাইরেম্মা লোইমোম ফৌওইবিদি লাইজয়িদা হৈতব-নিকীনা লাইজ ইরান ঙমদরে। খোইমোম লাইরেম্মনা লাইজ নংদি করিগী নথিনাই য়িমু নরাং হৌঙমবনো হায়না লাংলেন কোংয়াং মচৈ-শূনা লাইজ য়িপুক খায়না য়ৈরময়ে। লোনলোই ইয়ৈবি-ও কৌয়ে। লাইরেন মৈদিংঙুনা লমলেন লোনলোই ইয়ৈবিদা লেমলৈ ঙাথৌ তানবদা লোইবি চীংদা কানা খৌশাখিয়ে। লোনলোই মদাইমা

মুংথংবা-চীং কারাং চীংদোমপোক কেগে কারাং লায়বগী চীং অসিদা নোংয়াই মঙাং হাউতমচানা লৌ হনবা চীং, লৌনা মপুং ফাহনা মহৈ লোকপদা ফৌগী ফৌরুক থোংনা শাশম শেমহনা পরেং পুবা-চীং থাঙ্গ লোকলেন থোংনি। কেগে চিঙ্গাংবম নিঙোল মোইরাং মাইবি তেংথা নাউওই হৈবীনা খুল হোংলকপা খুয়োন থাংথারুংবনা লু থুমহনা শোয়শেম্বা মহ কানামচাবগী লমথৈ থাংথা চিংলেন পলংলা পূম্নমক্কা মতিক মগুণ শৈশানবগী মমোমনি। লমদমসিদা মীয়াম তিন্না অহোং অচাউ থোকহনবগী নিংঙান মৈতৈ লৈমা অঙোম য়েক্তাংবী খুয়োইঙখি লমলেম খুরাই লৌশোয়লেন শোয়রেন চাবিরোক্তা খুন্দাবিনি। খুরোই লৌশোয়লেন চাবিলোক কৌবদি করিদগীনো? পুয়াং নাকাবগী মচানিপা হংকেন লোংবা থাবনা ঙাংব লৌনং য়াইমবগা মনাউ অতোন্‌বগনা লৌফমদা লৌয়ানববু থোংকাপ ১০০ গী লমু য়ান্না লৌ উবদা ফৌনা-চোন্না চীংগুম পৈনবা লৌথোং শেমঙৈদা লৈয়ু য়ায়া থরুহনা লুতোন য়োনা ঙাউনা অঙবা চীংবু কা-গুম্না মথোং কম্নাক চোক্লরে। হুমিং অহৃদগী খুরোই হায়না কৌই। খুমু মনাউরোংবু লাময়োধীনা ঈমু নাইনু তানা শিথিবা মতমদা মহ চীংজেং নারল পাঙ্গলবনা লথন শিংনবা উই বাদা মংকোক লু-বু ফৌথি। মতম অসিদা খুরোই লৌশোয়লেন

তোনবা লমফেন তৌরেম থোমববু মচীংলেন, মরোং মপুংয়াইদা ত্তুবি মৈনা-ব্রোং লাইরেন থিংকু মথি নাইনা চুংলেপ ৬০ চোং কাউরেন যনথাং ১০ লান থংনং লাইতং লেংনা পম্বেংথবদি মরোং য়াকা চায়নরে। হুয়েন লাম্নিকীদি মুখুবীনা খুপা মোইকাই মচন ফেনলোংতাউবি হাউবা থিকপা লাম্থৌয়াংবু কায়না হুম্লে। মরোং মীকোক চানশিনহৈবা মেৎপা শেমবা হুইরোং তাউবা অহিংশুবা শন্‌মা ফংবা নোংথিল শুবা নাইমা ফংববু লুরক কাংদে থিদা খোনাউ লোমথোং লেন্দনা পনম কাইথাং লৈনা শানা ঙারা পৌতোং য়াম্না লেমলৈ পোৎতম-পু মরোং কাইবু শানা হলরাইরকলে। অচুনোংগীবু নোংচুপ মরোং কাইপু লমথোংথোক ঙাপ্রুমলমও তৌনা কৌয়ে। লমলেন লোইচিং ফৌওই-চিংও কৌবদি কদৌনোংগীনো য়োইবু খোইমোম লাইরেম্মা লোইমোম ফৌওইবি মতা ৬ মানা থোংনাং

শোয়্রেন চাম্বিরোক্তা খুরোই নাউশাবি নাউশাবানা হি তোংনা তান্নরকপা ফংদরিঙৈদা খুমু মনাউরোংবু হান্না ফংলকপি তিংয়ি খান্না পম্বক্তা হোনবা তথি, হোনবা তথা পুয়মকপুয় লানঙম্নকপগী মমোম মৈতৈ লৈমা অঙোম য়েক্তা তাংজবি খুরোইঙম্বিগী অশেংবা সনা গর্ভমুংদগী॥

২৩। মৈদিংঙু থবান্থাবা।

(খুঃ ১১২৮-১১৩০)

নপু মৈদিংঙুগী মিংদি লোইনাই থবান্থাবা হায়না কৌই। মৈদিংঙু লোইনাই থবান্থাবা কৌদ্রিঙৈদা মপু মিংবু লৌনা মিংথোনবা লাইরেন মৈদিংঙু অয়াংবা শরিচোংবা হায়না কৌই। মৈদিংঙু অয়াংবা শরিচোংবা * তেনলোং তেকপা বাকাউদবনা অবাং মাইকৈগী লানহাং কুয়োন-লোক্তা লাম্নাবনি। লানহাং কুয়ানলোক্কী মকু থোঙঙাইবগী নিংঙোল চিনফেং ফবীনি। লানহাং কুয়ানলোক্কী মকু থোঙঙাইবা চম্মু চিনহালোক পোনবি বাতুংথাং চীংমুং মুয়াবী উনৌ কোন্দে তুংথাংনবিনা পাউচুমলোক কৌবদি করিগীনো? লবাই মকু তেংপোনবিনা চিনফেং ফনা হায়খি। হয়েং ইচামুগী অমা পোক্লবদি

* তেনলোং = তেঞ্জিন ৭ পান্‌বা লোঙ।

মন্নাং পাংসে হায়না লোয়না শুনা হাইনরময়ে। অহনোংগীবু লোইচিং ফৌওই-চীংও থোনবৈয়ে। লাইরেন মৈদিংঙুনা লোইজীং ফৌওই-চীংদা থংচিং নায়েংপোক্তা কতাং থাংয়ৈনরকলে। হুয়েন লাম্নিকীদি খোংথোকপা ফুরামবা কতাংসু ফৌওই মাঙবু কায়না হুন্নকলে। লাইরেন মৈদিংঙু নোংচুপ মরোং ঙমবা কতাং থাংয়ৈনবা থাউচাউবি থাউচাউবা ফাব-ও তৌনা কৌয়ে। তুবি সনা মচুংশেনদি অহুমুং মদোমদে। হাউরৈ নোংনেম থানা পাংবরম লমপুন ব্রাংমা-শি হেক্পন-শি হেসোন্পাল কুমবা লাইয়িংলকশি ঙাসেপ লাইকং-য়িদা খোশাবনে। লমলেন লমবুন ব্রাইয়েপশি হেংশোন পাল-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো। মচি পংথংলমবু মশানৌ য়োইহৈ কামু অতোনবনা য়িন্নুং শোইয়াইমাদা পরিং য়েং-ওই-তিং হামুন চারা লেপ্তম নৈনা লম্মুন্নখিয়ে। মচি চেংলৈ য়োইহৈ পাখং অহন্বনা শানৌ কামু

চেংলৈ পান্দা থাজগে। ইমোম অমামুক পোক্লবনু তুরেল বাংমগী (অঙোমদা) অঙোম নিংথৌদা থাজগে হায়না চিন্‌ফং ফনা হায়খি। মতায়োই পোনবি বাতুংথাং চীংনুং মুয়াবীনা চুয়া পাউয়ুখি। ইতা মচু থোঙজাইবী মত্তাহুনীও! পোনবি চিনবেন্বী চেক্লা। নাবাংবিও! হয়েং নচানিপা অমত্তমু পোক্লোইগবরা থংগ্রি। ঙুপী ওইনা পোক্লবনু মমিং ইকুং-কুং মথা ইংচোম-চোম্বনা কৌবু কৌবিরম্লোইদা হায়না থুমখি। মুমিং অহনগী লনহাং কুয়ানলোক মচু থোঙজাইবা চম্ চিনহালোক পোনবি বাতুংথাং চীংনুং মুয়াবী উনৌ কোন্দে তুংথাংনবিনা পাউচুমলোক হায়না কৌখি। অসিগুম্বা লনহাং কুয়ানলোকমু থম্নগা লনহাং লমদা লাইরেন মৈদিংঙুনা চুঙলেপ (চুঙগী মমুং) ৬০ চোংবা ঙম্না কাউরেন থনগী মরেপপু ১০ লান্না চোংবা ঙম্না পুক্লিং কন্নাউ হৌনা লান্নাখি। অহুদা লনহাং লম্বু ঙমখি। লমদম অসিদা হুয়েন লান্নাবদা মৈ থাহ্নুনা মৈথুনা অতিয়া পকহনবা তাংগোইনা পুংমু মুনা তাহনবা হুয়েন লান্দা, লান্নাশিংবু মুথহন্না লান্নাবদা মাইমু পায়াং শংববু লান্ঙমখি। অহুদগী মৈদিংঙুগী মমিং ওনখি। লাইরেন মৈদিংঙু লোইহবি চীংশাং ঙম্বা মাইনু পায়াং শাক্লাব-ও হায়না মিংথোনখি। মৈদিংঙুসিগী মতিক মথৌনাদি অসিনমু লোইবা নত্তে। মৈরম মাইকৈদা থরা

অতোনব-ও নচি পংথং লমধু করিগী লম্মুন্নবনো হায়রবদা শাবি চেংলৈ য়োইহৈ পাংথং অহনব-ও ? নংদি পলেম পামদবি মচানে, নশানৌ ঐদি পলেম অপামবি মচানে। শানৌ কামু অতোনব-ও! ইবিংঙাবু পলেমপিমাচা পম্বোপামাচা নত্তবরা ? নংদি কদৌনোং পলেম অপামবি মচা ওইখিরবনো হাইথরবদা ইচি পংথং অহনবদি পলেম ওন্দেবি মহু হলরাইবি মপারীনে। নশানৌ ঐদি পলেম ইমা অপামবী মচানিকীনা নোংপাল লোইচা য়াংবনা লোইমোম ফৌরম চেন্‌বরম ঙাসেপ লৈকং য়িবু অশৈনৌও হায়না পলেম থৌতিক-খোনগীবু লম্মুন্নবনে হায়রবদা মশাবি চেংলৈ য়োইহৈপাংথাংনা ইন্নুংমাদা ইশানৌ কামু অতোন্‌ব-ও! নচি পনথৌলমবু করিগী লম্মুন্নবনো কল্লকয়ে হায়না হীক্লা হাইনা কপ্লময়ে। অহুনোংগীবু লমপুন ব্রাম্নেন-পাশি হেকপ্‌শি হেশোনপাল কুমবা লাইরক-শি ঙাসেপ লাইকং-য়িও

ভিনচেং তাংজেং-চীং থরা য়াউরোং-চীং কোইচীং কোইমাংহৌ হায়না কৌবমা লৈবহু করিদগীনো! থাঙ্গ কমবোংগী চেংখু চেংয়াম্বিগী মচানিপা চিংলাই তোনহৌ-খিবা থমলৈতোন শাকবু খুমন মচা লিক্‌মন্‌ লাম্থাবনা কোনা কোয়না তামখি হায়বগী কোইচীং কোয়্‌মহৌ হায়না থোনখি। লোয়্‌য়ম্‌ নাহা ঙানবা, শরা লাইহাৎকোন্‌ মচল লৈমা মচীংজিন মনিংলৈমা শোন্‌মোইতাক হায়না কৌখিবদি করিদগীনো ? মৈদিংঙু নাউকন্‌ অহনবগী মচাম্নুপী ৱাঙমলোন খোংঙাইথোংনা খুমন চাউবা পুংদা লুহোংথরকভৈদা লোইবী চিংজরোইগী লৈমাবীনা (নিংথৌগী মুপিনা) ইনিং লৈয়োন হায়না কৌরম্মী। ৱাঙমলোন খোংঙাইথোংনা চীংদা, লমদা অরাক তম্বী লৈমাবী নঙনা করিগী ইনিং লৈয়োন হায়না কৌরিবনো হায়না শোল্লম্ই। মুমিৎ অহুদগী মচল লৈমা মচীংজিন মনিংলৈমা শোনমোইতাক হায়না কৌখি। মচন লৈমা মচীংজিন মনিংলৈমা শোনমোইতাক্কী লম্বু নাতৈননা (তুংওইননা) লৈবা থরা য়াউরোং চীংদা কাউরেন কোন্দৈগন্‌বা ষনবু শেনবদা কোয়ৌ থক্কী বজ্র তাহুনা বজ্র তাবগী মৈনা চাক্লা শিথিবগুম হুয়েল লালহৌ থৌরক্‌মমে। লাইরেন মৈদিংঙু শরিচোংবা হায়না কৌখিবদি কদৌভৈদগীনো ? য়োইবু য়োইহৈ পুয়মকপু মিথয়েং চংয়ে। মৈদিংঙু লোইনাই থরাম্বাবা থরা

তৌনা কৌয়ে। লাইরেন মৈদিংঙুনা অয়ুক চামৈলাংনা তুবি য়াকয়ে মথুনেৎ কবুই ভর্মবা শা-জন ফাবা সনা শাজন খোংতাংববু কায়ন হনবা হিবু য়াকয়ে খোংওইননা হুয়েন লাত্তাখিয়ে। নোংয়াই হাউদা কৌয়বা অতোন হাউরেবাক্ ভোংচেং নাউমৈশী অয়োল লিক্নমবা য়াইথিং কাউরোংস্থ নিংতোল কোম্‌সূব লাইরেন মৈদিংঙুনা য়াকয়ে তেংমাই থক্তা পুম্না পূরকয়ে। লমপুন্-ও কৌয়ে। লাইরেন থাঙ্‌লেন মথুৎশুনা নোংয়াই তাংজ লুরেনতোন শোইরময়ে। ইশোয় রোক্‌ও খোয়েরে। লাইজা ইপাকথক্তা মহি ভাংনা তারম্‌য়ে য়িহাং-ও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন মৈদিংঙু লমলেন লমপুন য়াইপাশি হেকপ্‌শি হেনশোন্‌পার্ল্ কুমবা হৈরকসি ঙাশেপ লাইকং-য়ি নোংবাল লোইচা য়াংবনা লোইমোম ফৌরম চেনবনা য়িসোইলোক য়িহাংলাদা খোশাবা য়াইথিং কৌরোংস্থ নিংতোল কোনক্সূবু কায়না হুনক-ও তৌনা

চীংমৈদা খোনাবা থরা লাংচেংপোই অপোইববু (থরা থুনগী হায়ঙম ভোঙবা মতিক লৈববু লানঙবা হাঙনা কৌই। লাইরেন মৈদিংঙুসিগী মতিক মখোনাদি অসিনস্থ লোইবা নত্তে। অরাং মাইকৈগী কৌবা ইরোংখোংদা লাম্নবনি। ইরোং লান্দারি হায়না কৌবদি করিদগীনো? নোংবাল চীংখোংকোয় মনাউগা লুরাং লোইনাই য়াউশা তানবগা শাগী খোঙ্গুল অহুগা শাগী শারম লীবদা লুরাং লোইনাই য়াউশা তানবনা মাগী টানা হুরকপবু শাগী মনমগন্দা খোৎখি। অহুগা চীংখোংকোয় মনাউগী মকৈগন্দা পান্দুনা ভুরে চীংখোংকোয় মনাউদি হুয়েন লানা শোকপঙম লোংনা তাখে। অহুদগী ইরোং লান্দা-য়ি হায়না খোয়ে। অরাং হনক্‌পোক ইরোংখোং ইরোং লান্দা-য়িদা লায়্নবদি মরুয়াবা নাউখোংশু নাউখোংচাম্বা কোৎলোশূ-চাবু লানঙমলে। লাইরেন মৈদিংঙু লোইনাই থরাম্বাবনা অরাং লমগী ইরোংখোং ইরোং লান্দা-য়িদা লায়্নবা মরুয়াবা নাউও কৌবা ইরোং লাম্বাবগী লমদা মৈদিংঙুনা লায়্নবদি অসিনস্থ লোইদে। নোংচুপ মাইকৈগী লোমলোই (মরোল থয়বা লোই)·ইয়েবি অমুচি নোংলাইকোন তাংখুল লৈহৌপোক্তা লায়্নখি। লমলেন লাইজ·ইয়েবি কৌবিবদি করিদগীনো? খোইমোম লাইরেমা ফৌওইবি মতা ও মক্না ময়াংগী কারোং লৈময়াংদা কাইহুনা লৈবগে হায়না চৎখিববু অমুচি নোংলাইকোয়া (তোবানবী মপু মচি ওইবনা

কৌয়ে। লাইরেন মৈদিংগু পয়াউ হিথাবা লমল্লাং লৌরেম্বুপশী তুবি মচুংশেন্দী অহুস্নুং মদোমদে। হাউরৈ লোংপোকপা প্যাংবরম শেন্নোই মথলমাদা খোইমোম লাইরেম্মা শয়িবী উকাবি উকাবা খোল্লাং মচৈশুনা পামহৈ-থেন্দা নোংয়াই শুমমু লাংশুম মনাউ অতোন য়াহেং-খোং অমা মৈস্ভাংবা নোংয়াই থোংপুও। লেম্জনা ককলৌ চুমাংপানবু তাউজিং হৈশুম থাচিল্লবগীবু লোইম্নু থুমদি শুক্তা শূনা তাউজিং হৈচা কেল্লকপবু মৈদিংগু লোইনাই থল্লান থাম্বল লাইরেল থাংলেন মখুৎশূনা মনপ মতিন খোক্লা য়ানথুরে। অল্লুনোংগিবু শেন্নোই নপথোকপা-খোংও তৌনা তৌয়ে। লাইরেন মৈদিংগু শেন্নোই নপথোকপাখোংগী স্নুমু লাংশুম মনাউ, অতোন য়াহেপখোং অমোম মায়তাংববু কায়না হুনব-ও তৌনা কৌয়ে! লাইরেন সনা মচুংশেন্দি অহুস্নুং মদোমদে। হাউরৈ থানা পাংবলম লমজেন মদাইমা অতোন

নোং ওইনা তেংবানবদা কোহনা) লাইজ ঈশিং ঈরৌনহুনা তাবনা হামেং য়াউ কাউবা তাউথরবদা থোংজি চুংলাইবম নিংগোল মতানা লেমলৈ গুনা ঈশিংদা হৈনরবগী মতৌশুম মুনা চেল্লকপা অমদি তৌনা চেল্লকপা ঈশিংদা শউম পিহুনা লানখি। য়োইবু খোইমোম কৌওইবীদি ঈশিং হৈনদরবগী ঈশিং লানবা শুঙ্গদয়ে। খোইমোম লাইরেম্মনা লাইজ নংবু কল্লিগী অহুমা মথুম-মরাও হৌরবনো হায়হুনা মাগী চৈশূনা লাইজ ঈশিংবু থায়হুনা য়ৈরমই অহুদগী লোনলোই ইরৈবী হায়না কৌখি। মৈদিংগুনা লোনলোই ইরৈবীদা গু থোবদা চীংদা কাহুনা থৌনাখি। মৈদিংগুনা কল্লিখোল্লা চুঙ্গী চুঙলেপ ৬০ চোং বনগী থনথাং ১০ লাম্না চোংনা মরোং কৌবা খুঙ্গা লায়াবদা মরোং খুনগা লানশোক্লে। লান অসিদা হাউবা থিকপা কৌবা লাম্দা থৌববু লানগুমখি। লান অসিদা হুইরোং তাউবা মাইবা মরোং খুনগী খুনবুবদি অহিং অমা পুবদা শা অমা মকংবা লোংখিল অমা পুবদা নাই অমা কংবু মংকোক্তা থাদনা মুক লেনবিদনা লেমলৈ তাপোং পুহুনা মরোং কাইবু শাহুনা হুক্কখি। তুবিং অহুদগী লোংচুপ মরোং কাইবু লমখোংথোক তাপ্রম লম হায়না কৌখি। লোইখিং কৌওই-চীং কৌখিবদি কল্লিদগীনো? য়োইবু খোইমোম লাইরেম্মা কৌওইবী মক্তা ও মক্লা

তাইবংজম লোকলু-খুম খুমন তোনবা লোকলু-য়ান পাশি তোনবা ঙাপা-য়ান খোয়নৌ লাংমৈথেৎ শাম্নল্ কাচেংলম্ লংমাই হেন্‌মোইরম্ তাউজিং হৈপোং-পোক নোংখন্ চায়োম খোকপু নাতৈননা পাশি ঙমলোম্বনা থরা মপুংয়াইদা খৌশাবনে। লমলেন খোয়নৌ লাংমৈথেৎ-ও কৌবদি কদৌনোংগিনো? নোংয়াই খুমন নিংথৌ অতোন থিংকোন্-হন্‌বনা পাশি মপুংয়াইদা লোইদাম থাবু শিনা পনথেংঙৈ পাশি য়াগা চায়রে। নোংপোক পাশি মপন্-খোংদা নোংখন্ চায়োম খোক্‌পদা খোয়নৌ মলাংমৈবু শমু খুৎশা শুনা য়িন্দাল্লকলে য়িমান মচা নোংয়াই খোংবু হন্‌ব-ও! নংবু ঙাইরখিও! খোয়নৌ নলাংমৈ লাংচেং চারা নাক্লথেৎপু নোংপোক পাশি ইপম্ভোংদা তাউজিং হৈপোংপোক্তা নংনা নোংখন চায়োম খোকপদা খৌকাউলম্‌য়ে হায়না পাউমেল্লবদা নোংয়াই খুমন নিংথৌ অতোন থিংকোন

ময়াং কাছাড় মাইকৈরোমদা চংলসে হয়েহ্লনা হাথ্নরম্‌য়ে মুমিৎ অহৃদগী লোইজিং কৌওই চীং হায়না খোয়ৈ। লাইরেন মৈদিংগুনা লোইজিং কৌওই চীংগী থংচিং নারেংপোক্তা মথং মথং য়োয়কলে। লানফম অসিদা খোংখোকপা ফুয়াবা কদাংসুবু লানঙমখি অহৃগা মৈদিংগু নোংচুপ মরোংঙবা কতাং থাংয়েনববু থাউচাউবি থাউচাউবা ফাবা হায়না কৌনখি। মৈদিংগুগী মতিক্তি অসিনম্নু লোইবা নত্তে। থা মাইকৈরোমদা লম্নুন্ বাংমা ঙাসেপ লাইকং-য়িদা খৌনা-খি। লমবুল বাইয়েপশি হেশোনপাল কৌখিবদি করিদগীনো! মচি পংথং লমদা কামু অতোনবনা অহিং অমদা পরিং তিংল্লনা চরোৎ লাংনা মনাবু হামুন লমহ্লনা লম মুয়খি। চেংলৈ নিংথৌ থাংয়ি খোংজ্রোংবগী মচা পাংথং অহন্না ইবুংঙো কামু অতোনবা! নঙনা ইয়াম্বগী লমবু করিগী মুল্লরিবনো হায়য়বদা মনাউ কামুনা ইয়াম্বা পাংথং-ও! নঙদি ইপানা পামজ্রবি ইমাহ্লনা পোকপনি। ননাউ ঐদি পহৌ ইপাগী পলেম ইমা অপাম্বিনা পোকপনি। ইবুংঙো কামু অতোনবা! ঐখোই অনিদি পলেম অমত্তগী ইপা অমত্তনা পোকপা মচা নত্রা? নঙনা কমবা মতমদা ইমা অপাম্বিগী মচাবু ওইখিব্রনো হায়রবদা ইয়াম্বা পাংথং অহনবা নঙদি ইমানা পোক্লল্লগা মপাম লমদা নঙবু হন্দোক্লম্‌হ্লনা

হনবনা য়োইখুনাই পাশী খুনবু নৈঙং নিংথৌ চপু হাউদু থকি-থুমবিও! খোয়নৌ ইলাংমৈ লাংচে চারা ইকথেংপু শমু মথুং থোক্না কুমচিং লোনমাইখক্তা থেৎপিরম্ও হায়না পাউমেনখোনবী মখান-মচা নোংম্নাই খিংকোন হনবগী কুমজিং লোনমাইখক্তা শমু মথুংতোম্না খেৎপিরময়ে। অহুনোংপিদু খোয়নৌ লাংমৈথেং শামন্ কাচেংলম্ লংমাই হেনমোইলম্-ও তৌনা কৌয়ে। খোয়নৌ লাংমৈথেং শামন্ কাচেং লম্বু নাতৈননা পাশি ঙমলোম্না থরা মপুংয়াই, লাইরেন মৈদিংঙ্না তুবি থিংকু মথিনাই লাইরেন মৈবু-য়োং চুংলেপ ৬০ কোং কাণ্টরেন মনথাং ভরা লান্ থংনং লাইজং লেংনা পনথেংথবদি থরা য়াইগা চারয়ে! মরান থুববি মৈমাংচন শায়পু মৈভান পক্না পনথেংলে। হুয়েন লাম্নিগীদি থরা লিনজু মচা কাকলেন থাংশা মচন থয়োই মেন্দে কৌবি মনিংকোংতিংহনবি ইয়োং শাংতিং থক্তা মেননৈ

চংথ্ংবা মচানি। ননাউ ঐদি পংৌ ইপানা অংক পাম্নকপগী পলেম ইবা অপান্দিগী মচানিপা নুবাংগী লোইকমসিন্দিনা ঙাসেপ নৈকং-ঙ্গিবু ইয়মনি অহুনা পরিং তিংনা লমথাংমবনে হায়রবদা ময়াথা চেংনৈগী য়োইহৈ পাংথংনা অহিং অহুনা ইকুমো কাযু অতোনবা! নঙগী পংৌগী নম্নি হায়না করিগী মুমবনো ওংগোকইদা হায়না হীক্না হীক্না কম্নকই। মুমিং অহুদগী লমপুন্ বায়েন্ পাশি হেকপ্শি হেশোন্পাল কুপা লাইরক-শি ঙাসেপ লাইকং-ঙ্গি হায়না কৌনখি। লাইরেন মৈদিংঙ্না, কদুই ঙমা শাজন্ কাবা সনা শাজন্ থোংদাঙ্বু লানঙ্গকপদা তোংনবা হিবু তোংহুনা অবুক চাকুঙন্ চারমা লাম্বাখি। খুমন লমদা অতোন হাউরেবা তোংচে নাউমৈগী মাইখিং কোয়োংন্হ নিংতোল কোয়্হবু মৈদিংঙ্না মাগী হিগী হিরুবাক মথক: পুন্নুনা পুমকখি হায়বগী লমপুন হায়না কৌখি। মৈদিংঙ্গী থুংপু থাঙ্না খুমন মকোক পোইরমই হায়বগী ইপোইরোক হায়না পোয়ে। ঙীশিং মথক্তা ঙ্ঙ ঙাঙ্না তাবমই হায়বগী মিহাং হায়না কৌই। মৈদিংঙ্না লমখুন বাইরেন পাশি হেকপ্-শি হেশোন্পাল্ কুপা টেবকাশি ঙাসেপ লাইকং-ঙ্গি লোংবাল লোইচা থাংবনা ইপোইরোক (লোক) ইহাংলাবা লোইরোম কৌবু পুমনা মাইখিং কোয়োংন্হ নিংতোল কোয়্হবু পোনাহুনা অকপা হায়না কৌই।

নাপিনবিবু কায়না হুন্নকলে হায়দবরা। তুবি থয়াং মথৌমনগীবু খ্যিংওনখিরে। লাইরেন মৈদিংঙু লোইবি থরা ওমবা খারোই মেনয়ে কাবা-ও তৌনা কৌরে। তুবি সনা মচুংশেন, চুংশেন ময়ান ওন্দি অহুমুং মদোমদে। নোংপোক ওমথংনা ব্রায়রং মদাইমা লেংখু লম্মাপাক লেংলেন লমচুম ব্রায়রং ককনয়াই-ও কৌবদি কদোনোংগিনো। য়োইবু খোইমোম লাইরেম্মা। লোইমোম কৌওইবি মতা ও মানা খোংথোং পুংথাকপা কায়ল লমপুবদা তাংথগে য়িন্দাল্লকওে খোয়নৌ মতা ও মকা লাংলেন কোয়াং মচৈশু কনানা হেনবনো য়েংনরম্‌ববু লোইমোম কৌওইবিগী কোংয়াংমচৈশূনা তাংমা হেনয়ে হায়না কোংয়াং মতাংমাধু কক্‌লময়ে। অহুনোংগীবু ককমায়াই-ও খোনবৈয়ে। লেংলেন লম্মচুম-ও কৌবদি খোয়নৌ মতা ও মানা লেংনা ফাইনা চৎলময়ে। লেংলেন্‌-ও তৌনা কৌরে। অসাইওেগী তুবি অওনবা লাইরেন অরেমবনা

অহয়া মৈদিংঙুনা পোখা মাইবা হি থাহুনা লম্রাং (লমদম) লৌয়কপগী মওংদি অসিনমুং লোইবা নত্তে। নোংপোক মাইকৈগী শেলোই লমগী মাংমদা খোইমোম লাইরেখাগী পামগা হৈংকাম্বা শয়ি উকা লোংবা মথোক শাংবা চৈশুনা হেক্কনা খুমবু খুত্তা হাপ্না চাববু য়াম্মুংগী থঙ্গাই চৌক্লা য়াকুথবু মৈদিংঙু লোইনাই থবাহাবনা খুংশু খাওশাং পায়না মনপ মতিন চোনা য়াহ্নখি। হুমিং অহুমগী শেলোই নপথোকপা-খোং হায়না কৌই। মৈদিংঙুনা শেলোই নপথোক খোংগী তমু লাংগুম মনাউ অতোনবা মাহেপখোং মায়তাদ্‌ববু লানওবা হায়না কৌখি। মৈদিংঙুগী মতিক্কি অসিনমু লোইবা নত্তে। খা পাংবা মাইকৈদা খুমন ভুাইবংলমগী লমদা খুমন তোনবা লোকসুখান পাশিতোনবা ওাপা-য়াব খোয়নৌ লাংমৈথেৎ শামন্‌ কাচেংলমদা লংমাইশিংনা নাউখি শাজবা তাউজিং হৈবোং হৌবদা তরা চাকয়োম খোক্ল্বা মকথু তুংওই নাওে থম্নগা থবা কৌবা লমদা নায়াখি। লাংমৈথেৎ কৌবদি কয়িদগীনো? খুমন নিংথৌ অতোন থিংকোন্‌ হনবনা পাশি খুম্বা লায়াবদা পাশি খুম্রামচাদি মাইখিরে। নোংপোক পাশিগী পহোংঙা নোংমগী চয়া নোংথম্বা পুরকপা চয়োম্ব খোকপদা খোয়নৌ লাংমৈবু থমু খোংলোয় তনা তায়রকয়ে। ইমান্নচা নোংয়াই খোংবুহন্‌ব-ও!

উরগনে হায়না খুনা লোন্‌না চৎলময়ে। লেংখু লমপাক-ও থোক্লেয়ে। লেংখু লম্মপাক লেংলেং লম্মচুম য়ায়রং কক্‌নয়াইদা মদাইরেম খাংখা মুংহক্‌পনা য়ায়রং থরাই-কেন তেংবৈ পনরোম লায়াক খাংতৈথোম মাইহোৎ নোংলোনকা মৈরি পোয়া-থেম চিনলেন মকোইলেন খাংলা পোনথিং য়েনা নোইদ্ম চাও তানবদ লহানলোং লাইরেন মৈদিংগুনা অন্নাং কৌবা ইরোংপাত্তা লেমলৈ ওাতানোং লাইরেন তেনলোং মথুৎন্নু ওাতেন লোংয়াই থুববু কন্না নোইথেক-য়াগীবু য়াকাউদনা ইদাইরেম অনং ফিহাইরোই মচেং কায়রে য়েন্দায়োইশিংও। তয়ম খাংখা মুংহক্‌পপু রায়রং থরাইকেন তেংবৈ পন্দাইওন্‌থিবনে। পাউকৌথৎলু-ও হায়না থৌশীথিয়ে। মৈদিংগু মদাইরেম মচেং কায়রে য়েনতানলোই অনং ফিহাইরোইনা য়ামমা খাংখা মুংহক্‌প-ও! নওবু লাইরেন মৈদিংগুনা শাবন্‌ লান্‌থোং-শিন

নওবু ওাইরমথো। থোয়নৌ নওগী লাংমৈ, লাংচেং চান্না নক্কথেৎ অসিবু পাশি ঐগী নোংপোক পম্বোঙগী তাউজিং হৈবোং হোবদা নঙনা চন্না নোংথন্নবা চয়োম থোকপদা কাউরময়ে হায়না পাউমেল্লকপদা খুমন নিংথৌ অতোন থিংকোন-হন্‌বনা য়োইবুনাই পাশি খুন মপু লৈতং নিংথৌগী মমোম হাউদ্ন মরি থুবি-ও! থোয়নৌ ঐগী লাংমৈ লাংচেং চান্না ইক্কথেৎপু নওগী নথুৎমক্কা ঐগী কোকয়েৎ তোলোক মথক্তা থেৎপিরমও হায়না পাউমেচমই। অচ্ছনা মমাম্নচা খুমন থিংকোন হনবগী কুমজিং লোনমাইথক্তা মথুৎনা থেৎপিথি। ছুমিৎ অচ্ছগী থোয়নৌ লাংমৈথেৎ শামন কাচেংলম্‌ লংমাই হেনমোইরম হায়না কৌই। লাংমৈথেৎ কাচেং লম্বু তুংওই নাতৈ থম্নগা পাশিগা তাইনবা থন্না খুলা মৈদিংগুনা মতিক উৎনা চুঙগী মরেপ ৬০ চোং যনগী থোংথাং ১০ লান্না চোংচ্ছনা লান্নাবদি থন্না খুন্দি কায়রে। থন্না খুনবু মৈ থাক্কনা মৈতান ওইনবা লান্দাথি। লানকম অসিদা থন্না খুনগী কাকলেন থাংশাগী মচন থরোই মেন্দে কৌব্বিনা মেলৈ কৌবা লৈবু নাদা চিন্দুনা খ্বাংগী ফি শাক্কনা লৈবীবু কায়কয়ে। মৈদিংগুগী মতিক মথৌনা অসিদগী মমিং ওনথি। লাইরেন মৈদিংগু লোইবি থন্না ওবা থরোই মেন্দে কাবা হায়না কৌথি। মৈদিংগুসিগী মতিক মথৌনাদি

লাইরা পরিং তন্মম্নসে, নরান য়াংনা রাইরোংলকও হায়্রকয়ে হায়খরবদা মৈদিংঙ্গী মদাইরেম থাংথা নুংহকপনা রাখনখিয়ে। লাইরেন মৈদিংঙুনা পাউকৌখৎপা অসিবু লহান কৌবা ইরোং পান্না লেমলৈ ঙাভা-নোংদা লাইরেন তেনলোং মথূৎশু ঙাতেন লোংয়াই খূববু কয় নোইথেকনোংগীবু নারীঙেনে অস্ত্রম নিংথম্নবদা মরৌ লৌনা হৈনা পাউখুমখিয়ে। মৈদিংঙুগী মদাইরেম অনং ফিহাইরোই মচেং কান্নরৈ য়েন্দাললোইশিং-ও। লাইরেন মৈদিংঙুদা পাউমেনবিরকও। নদাইরেম খুমন নাউগুম হকচাউচা লেংলেন খুৎলুম হনববু শেংকম ঙাকলোই য়ুংনা পরৈ লানশা ঙমগে। কৌরো নুমিৎ ৫ নি গুরবগা লাইরেন মৈদিংঙুবু হুয়েন তানখুবিরকও হাইরুও হায়না নৌতু খুৎপাইশা থুমমুক মাইরোং শেপ্না থোনরোনখৎখিয়ে। থাংথা নুংহকপদি খোয়বুং মরৌ চাউনা শংলৌ থৌরাংখিয়ে।

অসিনস্থ লোইবা নত্তে। নোংপোক মাইকৈদা লৈবা কংলৈগা হেক থংনবা বায়রং লমগী লেংখু লম্পাক লেংলেন লম অচুবগী লমদা লৈবা বায়রং ককময়াই কৌখিবদি করিদগীনো? খোইমোম লাইরেম্মা কৌওইবি মতা ৬ মরা থোংথোং পুখোকপা কারল লমুবদা (খ্বাই হুংজেং পিবাগী মকুবোকা); লৈরংগে হায়না লাকপদা লোর্নবী মতা ৬ কী বাগী চৈশূবু কনাগী চৈশূনা হেনবনো হায়না য়েংনরববু লোইমোম কৌওইবিগী বাগী চৈশূনা তাং অমা হেন্নে হায়না মতাং অমবু ককখি। তুমিৎ অচুবগী ককময়াই হায়না থোয়খি। লেংলেন লম্মচুম কৌখিবনা লোয়নবি মতা ৬ অসিনা লেংনা ফাইনা চৎখি হায়বগী লেংলেন হায়না কৌই। হায়গী মতুংডা লাইরেন অরেম্বনা উররগনি হায়রুনা য়ায়া চপশিন্না লোয়া চৎখি। অচুবগী লেংখু লম্মপাক হায়না থোরৈ। লেংখু লমপাক লেংলেং লম্মচুম বায়রং ককময়াইদা মৈদিংঙুগী মনাই লমপাক থাংথা কৌবা নুংহকপনা বায়রং লমদা য়োৎপাক পায়রুনা য়োৎলৈনা লোংথাং কুপশুম লোংথৌখত্তা হাইগৎনা তৌরগা থাংলানা থিংরুনা থুমথোং তৌহ্নুনা থুম কংনবা হোৎনরিবা অমা লৈ। অচুবু লাইরেন মৈদিংঙুনা হৌখিবা মুমিৎ অমদা অরাং কৌবা ইরোং পান্না ঙা কাবা মুমিন্তা লোঙ্মু লোংয়াই মচাহু লোইনা নোইথেরুব-গীদমক্ কাউখিদবনা, ইদাই অচানবা অনং কিহাইরোই লান্দা থৌবশিং। তম্মম

পাখৌ খুমন নাউণ্ডম হকচাউচা-ও ইকিংঙা তরা চাকৌনসে, য়াংলৈ য়ুকৌনসে ! ঐবু অসি কোয়ৌমাদি য়াইরা নশা-শা হয়েন নরাল্ ওইনা শেংকম ঙাকলৌ-য়ুং পরৈ লানকা শানা ঐবু তরা চাকৌজৌও হায়না পরৈ লানকা শানা তরা চাকৌখিয়ে। হক্নে কোয়ৌ য়ুমিং ৫ নি ওরবদা পাখৌ নংধু শেংকম ঙাকলৌয়ুং পরৈ লানকাশা হয়েন ইরাল ওইনা ঐ তরা চাকৌজগে হায়না লাইরেন মৈদিংঙুবু নোংহামলিঙেদা লাইরেন মৈদিংঙুসুং মদাইরেম অনং ফিহায়রোই মচেং কাইরৈ য়েন্তাললোইনা য়াকৎখোনগী কোয়ৌ য়ুমিং ৫ নি ওরবদা লৈংলৈং ককমল্লাইদা হয়েন লান্দাখিয়ে। মদাইরেম খাংখা সুংহক্পনা খুমন নাউণ্ডম হকচাউচাবু শেংকম ঙাকলৌ য়ুংনা নোংহামববু মৈদিংঙুনা লুরক কাংতৈ খি, খৌনাউ লোনথোং লেনলে। মারোই অহেঙারাসু য়াইরা শিংকম হনবগা মরোই অতেঙারাস্নুনা য়াম্মা খুমন নাউণ্ডম হকচাউচা-ও লেংলেন খুৎলম হক্প-ও

খাংখা সুংহক্পবু য়ায়রং খরাই কেম্না লৈপাক তৌরিবনে। কৌথৎলুচা হায়না পাউখোন শীখি। মৈদিংঙুগী মনাই অচানবা অনং ফিহাইরোইনা য়াম্মা খাংখা সুংহক্প-ও ! নংবু মৈদিংঙুনা শাবন লাহোং-শিম লাইরা পঙ্গিং তম্ময়েসে খুনা কাক্কউ হায়রকয়ে হায়রবদা মৈদিংঙুগী মনাই খাংখা সুংহকপনা য়াফম তৌখি। মৈদিংঙুনা ঐবু কৌরিবা অসিব নহান কৌবা ইরোংপাতা লেমলৈ ঙা কাবা হমিত্তা মৈদিংঙুগী মখুৎনু ভেলোং (লোঙ) অশিকপবু খুদেঙ্কী ওইরক্পনি হায়না খন্নরহনা মরৌ তৌনা পাউথুম পিখি। মৈদিংঙুগী মনাই অচানবা অনং ফিহাইরোইশিংও ! মৈদিংঙুদা নদাইরেম্ খুমনমচা নাউণ্ডম হকচাউচা লেংলেন্ খুৎলম হক্পবু উগী শেঙম শাহনা ঙাকলৌ ওইনা য়ুংলমখিগে। য়ুমিং ৫ নি হেক ওবগী মৈদিংঙুবু হয়েন লানবু খুনা লান্দাবিরকউ হায়না পাউজরীক হায়রহনা পোৎ থম্না হাম্না খুমুকপু মমাই লোংনা; নুম্না মৌজৎখে। অহুম্না খাংখা সুংহক্পনা মপুক মরৌ তৌনা খৌরাংখে। অহুগা পাখৌ খুমন নাউণ্ডম হকচাউচা ! ঐখোই অনি তরা চাকৌনসি, য়াংলৈ য়ুখৌনসি। ঐবু ওসি হুমিং অসিমদি নংগী অকাবা শাওম হয়েন লান্দা কারকপা মীওম ঐবু চাকৌজৌ-ও হায়হনা চাক কৌখি। মতুং য়ুমিং ৫ নি ওবদা পাখৌ নংবু শেঙম ঙাকলৌ-য়ুং পরৈ

করম পঙ্না শিবনো হায়না খোয়মা নারোম্নুংদা কোরৌ নোংবু-য়েং মালেম লৈবু য়েংনা মিকপ্লম্লে। অহুনোংগীবু লেংলেন তাপংয়ি-ও তৌনা কৌয়ে। বাইরং অরেমথেন-ও তৌনা কৌয়ে। মরোই অতেঙারাস্থু হাউরে মুংতেকচাক্না মিকপলম্ লেংলেন তাপং-য়ি থাংখা মুংহক্পা মুশিন্-থোং খুমন নাউগুম হকচাউচাস্থু থোকথোংদা খোঁশাবা লেংলেন লান্থাবা খুমন নাউগুম হকচাউচাবু কায়না হুন্বা-ও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন সনা মচুংসেনদি অহুস্থুং মদোমদে। নোংয়াই খুমন নিংথৌ অতোন পুনশিবা পুয়াম য়িমলেনবা তনহু লাম্থাবনা লাইরেন মৈদিংঙুবু হুশেল লান নৈক্লেয়ে। মাকলোরেম লোইনাই থৱাম্থাবা-ও! নোংয়াই ঐধু তাংশক্তা অতোন মীথাদববু লৈয়ে। নোংয়াইনা পুঙমা থোল্লবগা হৈরেমস্থুং পুঙমা থোনয়ে। খুময়া থেন্-মা খেংলবগা খুনচানস্থুং খেনমা খেংয়ে। হৈরেম খোংঙা খোংতেকচা খুনচান খোংঙা খোংতেকচা

লানগা শানা ঐ অমুক চাক কোরগে হায়হুনা মৈদিংঙুবু অম্বয়া ঙাইরিঙৈদা মৈদিংঙুস্থু মনাই লান্দা থোবশিংনা মুমিং ৫ নি গুরে হায়না বাকচ্চবগী মতুংইন্না লেংলেং কক্থয়াইদা লান্দারক্নে। মনাই থাংখা মুংহক্পনা খুমন নাউগুম হকচাউ-চাবু নুমহুনা কাংদেন্না মকোক্তা থারে অহুগা মঙক ককলে। মাগা লোয়ননা অতে ঙারা শিংকমহনবগা অতে ঙারাস্থনা য়াম্বা! খুমন নাউগুম হকচাউচা! করম অম্বুক পঙ্নবু শিবনো হায়হুনা তেংবানবগী মপুবু অমুক শোন, মমায় লৈবাক্তা অমুক লুকথ তৌহুনা কপ্লমই। মুমিং অহুদগী লেংলেন তাপং-য়ি হায়না কৌয়ে। অহুগা বাইরং অরেম-থেন হায়নস্থু কৌই। অহুগা লোয়ননা মরুপ অতে ঙারাস্থু হাউরে মুংতেক চাক্লা কপ্লবা লেংলেন তাপং-য়ি থাংখা মুংহক্প মুশিনথোং, খুমন নাউগুম হকচাউচাস্থ থোকথোংদা লাম্নাবা, লেংলেন্দা লাম্থাবদা হকচাউচাবু লানঙবা হায়না কৌই। মৈদিংঙুগী মতিক মথৌনাদি মহুনস্থু লোইবা নত্তে। খুমন নিংথৌ অতোন পুনশিবা পু পুবগী মকোক ওইবা তন্দু লাম্থাবনা মৈদিংঙুবু লান পাংথিবু লেকচরে। ইমাক ইবুংঙো লোইনাই থৱাম্থাবা! নকু খুমন নিংথৌ ঐহাকপু থওই ঊশিত্তনা মীথা-নদবা লৈ। নোংয়াই ঐথোইনা পুঙ অমা থোন্বগা হৈরেমস্থু পুঙমা হেক্তা থোক্লি। খুমন ঐথোইনা থেন্ অমা হেক

চৈঙু-পানমা তোপ্‌পা য়িমলক লাম্তান থৌবা মপনলোন লৈকাই য়ুখুম্না নাখুম্না নাইকা পিচা কেকাম নাশি য়াইরিকপিচানা হৈরেম ইপন্‌লমবু কনা কারকপনো কাকরোই হায়না হুয়েল লানথ্রেম্বু লৈয়ে। হৈরেম নমান্না খুনচান থোংমাম্‌সে হায়না য়াহৌথোনবী লাইরেন মৈদিংঙুনা ইদাইরেম হিয়াংলোই য়িমাংলোইশিংও! লাইরেন ব্রাকয়ে ইখুনেৎ কবুই ঙমবা শাচনঙ্কাবা সনা শাজন থোংদোংববু কায়না হুনবা হিবু কুরাক শিতং মচুম লৈনা-শিৎ শেন্দাং য়েনথি লৈনা তেংলরো হায়না পাউমেল্লবদা মৈদিংঙু মদাইরেমশিংনা লাইরেন ব্রাকয়ে মখুনেৎপু কুরাক শিতং মচুম লৈনা-শিৎ সেম্বাং য়েনথি লৈনা শেংলবদা মদাইরেম অতোম নাহা শংকাইপান-বনা চোয়নৌ সনা মউচাউ; খুরাই নাহা য়াইরংবনা নমপোক চৈথং য়েংলম থিন্‌ থিনবি লাইরেনচামবনা নমপোক ওইরম-থিন্‌ তারিয়া য়েনলাংবা তনবা চিংগোই মিৎথকপনা খুমু নৌচাউশু তোংচেং হিনাউ শানা লাইরেন মৈদিংঙুদি ব্রাকয়ে থোংওইননা মোংবা খুন্‌লম্‌-য়িন নোংয়াই য়িম্‌য়াই

শেম্বগা খুনজান মথোইসু পেন 'অমা হেক্তা মশেমই। হৈরেম খুম্নান খুজংদি খুমন ঐগী লমদা তঙনা খুজং মথুং চঙনা হয়ান লাম্না তোচ্ছনা থৌওই উশিঙনা খুমন ঐথোইবু লানগ্রেম্নরে, মখুজংদা চংকরোই হায়রা লৈরে। অদুনা হৈরেম খুম্নান লমবু লাম্নামিম্নসে হায়না হায়রবদা মৈদিংঙুনা মনাই হিয়াংলোইশিংদা হায়খি। তম্নম অচানবা য়িমাংলোইশিং! মৈদিংঙু ঐগী ব্রাকয়ে ইখুনেৎ কবুই লমদা সনা শাজন থোংদোংববু কাবা শ্রেকপদা তোংনবা কবুই ঙবা শাজল কাবা হিদু চেন্দাং মথি কাইজিনবা কুরাক মচুম থুজিনবা লৈরবসু শেংদোকউ হায়রদুনা শেংহল্লগা শজাই শেনবা অতোম য়াহানা লানজিংনা, খুরাই নাহালাকপনা খুৎলাই য়েংলম-থন, থেনবি লাইরেম্নাবনা ওইরম্‌-থন্‌, তারিয়া য়েন্নাংবা মিৎলৈ মাৱে থঙবনা খুমু নৌ অচৌবা পায়দুনা হিনাউ শানা মৈদিংঙুবু হিদা তোংনা পুয়ল্লগা খুমন্‌ লম মখুংইম্না নোংয়াই খুনলক থারনা চঙলকনা তাউবা হুই অথোবনা য়ুমরাদা নর্মা লৈবঙম্না তোরৈ

খায়না ছুইথো য়িময়া-হেপ্‌না মোংবা ভরৈমদা মমান নোংয়াই খুমন নিংথৌবু ঙাইখমবদা লাইরেন হৈরাংমতাখকপু য়েনলময়ে। অচু-নোংগীবু হৈয়েন্‌-ও তৌনা কৌয়ে। মোংবা ভরৈমাদা নোংয়াই খুমন নিংথৌনা তানকংলবদা য়াকয়ে মথুনেৎ অনিমাকা সনা খাউচাউববু অনিমাক মাথোই নিপালমাকী কোংলোয় মিংথোংবু হংনরম্‌য়ে। অচু-নোংগীবু হংকুনও থোম্নরময়ে। শেংয়াই ভরৈ কানা হৈরেম কিরি খুনচান লালুমচীংদা হুয়েন লাম্তাখিয়ে। লাইরেন মৈদিংঙুনা তুবি খিংকু মথিনাই হৈরেম মৈবু ওংনা থোশাখবদি হৈরেম য়াকা চায়রে। খুনচান থুমবি মৈমাংচম্না হুয়েন য়াইশিং মুৎলে। হৈরেম খোংঙা খোংতেকচা চৈশু পানমা তোপ্‌পা য়িমলক লাম্তান থৌপুববু কায়না হুয়ে। লাইরেন মৈদিংঙুনা থিংলৌ নীঙনা তেরকপদা হৈরেম খোংঙা খোংতেক খুনচান খোংঙা খোংতেকচাগি তাংচা লুরেন্‌তোনবু মমোম তমকা য়াংঙমলোন কায়নৌ চীংখৈথানবিদা হুনখৎলম্‌য়ে। অচুনোংগীবু নোংয়াই তাংজা লুহন্‌পুং-ও থোম্নরম্‌য়ে। তুবি থয়াং মথৌমন লাইরেন

অমদা মকু খুমন নিংথৌবু ঙাইখি। ঙাইবা মতম অসিদা মৈদিংঙুনা হৈ খারছুনা মীয়ামদা য়েংমই। হুমিৎ অচুদগী হৈয়েন হায়না কৌনখি। খুমন নিংথৌনসু হি অমদা লাক্লগা মৈদিংঙুগী হিদা তোংবা কাংলুপকা তুরেলগী তোরৈবদা থেংনরে। হি অনিদা তোংলিবা মথোইগী মমিংবু হংনরমই। হুমিৎ অচুদগী হংঙন হায়না থোম্নখি। অমুম্না তুরেলগী শেকচাই তোরৈছুদগী কা-ছুনা হৈরেম খুঙ্গালগী লালুমচীংদা লান্দারে। লানফম অসিদা মৈদিংঙুনা কম্বি থোক্না লাম্নাবদা হৈরেম খুন্দি লাংগেল্লে। খুঙ্গাল খুনসু লান্দা মাইথিবা কংনা লানমী অয়াবা শিরে! হৈরেম খোংঙা খোংতেকচা চৈশু পালোইনবা য়ুমক চঙনা লাম্নাছুনা লানগ্রেথবু লান্দা মাইথিবা পিনা লানঙয়ে। অমুম্না মৈদিংঙুনা পুক্লিং ঈংথনা হম্লকবদা হৈরেম খোংঙা খোংতেক, খুঙ্গাল খোংঙা খোংতেকচানা ককখিবা মকোক লুরেল অচুবু মৈদিংঙু চমু কায়নৌ চিংথৈ-থানবিদা হুনকৎখি। হুমিৎ অচুদগী নোংয়াই তাংজ-লুহনপুং হায়না থোম্নখি।

চুংশেল মরালহৌগীবু মিংওনখিয়ে। লমংলেন হৈরেম কিরি-চীং খুনচান লানলুমথেন্দা খোশাবা হৈরেম খোংঙা-খোং খোংজেকচা কার-ও তৌনা কৌয়ে। তুবি সনা মচুংসেন লাইরেন চুংশেন মরানহৌদি অহুম্নুং মদোমদে। তুবি সনা মচুংশেলবু হাঙদবনে। লাইরেন হৌরাইমু হাউখোইগুমবা হৌরাই মুরাউখোই হাউখোই হাম্‌লমবি-চা হাউশিং হামপোইবা হামুন চারা তোংবা কোরৌ মুমিংমাদা হামুন চারা লেপুম নৈবা চামা তোংদরিবদি ইচিং হনরাইরোইনা তেনশিংবাচেক থুরাউ কোকপাকপি-চা চামা কাদরিবদি ইরান ওন্দেরোই। ককচেং লুচাউবি-চা মণীং চামা লৈতরিবদি ইচিং হনরাইরোই তেনশিংবা চেকখুমবা তাংখক খোমথন্দা তেরাউ নিংকোইদবা হানগুমবা অনৌবা হাপকুমবনে। খাইজ খোপ্‌থন্দা রাকয়ে হিথন্দবা হাপকুমবা কাইরেং নোংচং খিবা য়াইগুমবা ময়ুম হিচা লোৎকুমবা কুমলং লোৎচা খিবা লোৎকুমবা হিকোক কুমচীংখিবা রাইগুমবা লোইমোম তোংশংনাইবা য়াইগুমবা লাইরেন থয়াং মথৌমনবু লোইবি য়িমলৈকাইবু হাংদবা হেমবা তমলৈকাইবু শেন্দবনে। লাইরেন মৈদিংঙুনা মমোম তমক্কা রাংঙমলোন

অহুদগী মৈদিংঙুগী মতিক মথৌনাসিদগী মিং ওনখিয়ে। হৈরেম কিরিচীং খুঙ্গাল লালুমথেন্দা লানাবা হৈরেম খোংঙাখোং খোংজেকচাবু কাবা হায়না কৌখি। মৈদিংঙুগী মতিক মথৌনাদি অসিনমু লোইবা নত্তে। মৈদিংঙুগী মতিক উৎপদি নোংমন্ত্রা কাওবা হাঙদবনি। লাইরেন মৈদিংঙুগি মকখিদি লোইবী হাউখুন নক্কা শাবা খোইগুম্না অকাউবা লৈতবা ওইবনা নোংমদি নাপী শীঙবিরক্কা লৈবা উযুদু মণীঙ চাম্না গুনা কাদরিবমখৈ য়ুমদা হন্নোই, ককচেং কোকচাউবি চাম্না গুরিবমখৈ হায়না তেনশিঙনবা উচেকুম্না মৈদিংঙুনা হন্না থৌনা হাপকুমলে। হি পুনা পোৎখায় চংপদা হিবু থন্দবা মপুক হাপ্না, নিঙথৌরবা হনবা নাইবা লোইমোম ফৌনা পোন্না পোন্না তোংশং নাইনা নিংখিবগুম্না মৈদিংঙুগী মতিক মথৌনাবু লোইবী য়ুমথোং হাঙদনা তমপাক লৈকাই চিংথদনা লান্নাবনি। মৈদিংঙুনা রাঙম তমকা কায়নৌ চিংখৈ থানবিবু খুমন লমদা হাৎখিবগী রাবু

কায়নৌ চিংখৈ থানবিবু নোংয়াই মপুংয়াইদা নোংমনবা রাগীবু নোংয়াই লমওকে অত্তোন লমচনগে হায়বগীবু মদাইরেম্ মৈকাম্বা খুমিৎস্থ মোরিবা নৌচাউশূবু ভানখম্ শংথা হনবা রাগীবু ময়িম নোংয়াই খুময়া লমলেন কায়বি শওম্পাল্ থোংলেন লম করমববু করিগী হেনখয়কো হায়না ময়িম নোংয়াই পুয়া হৃপ্লা হুয়েন লাস্তানখৎলকয়ে। নোংয়াই অয়াং-তোম্না মু-ন খামবগা মোরিবা নৌচাউস্ফুগা রাংলৈয়াং খোংঙাইবস্থগা মৈকাম্না খুমিৎশূগা হাউ মূক্না লেংকাই চল্লরবদা নোংয়াই লানয়াম কোয়না ভানখম মরানথোংদা নোংমল্লে। লাইরেন মৈদিংঙুনা মযোম তমফা রাঙমলোনবু নোংয়াই মপুংয়াইদা নোংমনব রাগী পোইরৈ রাকাউদরিঙৈ মদাইরেম মৈকামবা খুমিৎস্থ মোরিবা নৌচাউস্থবু ভানখম্ মরান-থোংদা নোংমল্লবগী তুবি কলহৌ-নীক্না রাভাখিখিয়ে। ইদাইরেম পোইরৈ অথোলিচা হেপ্পা রাংঙম খয়াং কোন্দাই লোন্‌বশিংও! নোংয়াই য়িল্লকচং হুইথৌ য়িময়া হেপ্পা হুয়েল কনা লানথেমলুগবনো হায়না পাউহংববু মদাইরেম মুতু য়োইমাচেং অথৌবনা লাইরেন মৈদিংঙু ইবুংঙু তাউও। নদাইরেম ঐদি নোংয়াই য়িল্লক-চং হুইথৌ

লমদা চৎনা নৈহনবগীদমক খুমন্না কাইবি শওম্পাল খুঙ্গান লমগী লম্‌থৈদা মৈদিংঙুগী মনাইশিংনা করম্ববু হেন্দোকখ্রবনা হায়না খুমন পুথা হৌত্রনা তানখৎলকই। খুমন অয়াংতোম্না মুনখাম্বগা মোরিবা নৌচাউশূগা রাংলৈয়াং থোংঙাইবগা মৈকাম্বা খুমিংশূগা মপা মপা হকথেংননা মুক্লা লোংখ্রৌ য়েৎনল্লনা পাঙ্গল মতিক উৎনা থেংনরবদা ভান্‌খম্ মরানথোঙদা থরাই মাঙনরে। লাইরেন মৈদিংঙুনা মযোম তমফা রাঙমলোন চিংথৈ থানবীবু খুমন লৈকোয়পুঙদা হাৎখিবগী কাউতমদনা নৈরিঙৈদা মদাই মৈকাম্বা খুমিৎশূ, মোরিবা নৌচাউশূবু ভানখম মরানথোংদা হাৎখিবগী মৈদিংঙুনা কত্থি কঞ্জাউ থোক্না মপুক হুংঙাইখিদে। অহুনা পোইরৈ ঐগী অকল অথৌ শাদা লাম্বা থৌবশিং! খুমন লমদা চঙহুনা তাউবা হইনা য়ুময়াদা নক্লা নাথৈবগুম চত্তুনা হুয়েন লাম্লেম্লগদবা কনা লৈবগে হংখি। মাহু তাবদা মনাই অচানবা মুতু য়োইমাচেং অথৌবনা

য়িময়া হেপ্পবু পোংকিরোইএ। ঐ হুয়েন লানথেমলুগে হায়না পাউয়রাবদা মুতু কোইরেমব। থামবি-ঙমবা খোংনা য়াংবনা খেৎতাং চারিথম শাংতি লালৈথেম টিমেন হুংশোন্লয়্ খোকলাং তুংশোয়না চুংলোং ঙক্তা হুক্ মরোং চেপ্য়ায়না শয়ি তোংগা হান্না নোংয়াই য়িম্লক্-চং হুইতৌ য়িময়া হেপ্পা হুয়েল লানথেমখিয়ে। ময়িম নোংয়াই মনিল নাইবদি নান্না কোম্হৌথোং মঙাং নিংথৌ চম্বু য়ুকোনবা থাংশান্নাই মঙাং লৈমা য়ুনানবা খোংশেম্লম্ হাউরোক নান্বা শাকাবা খোংচৎলম কোনঙৌ পুময়োমথোং কোরি পন্চন্ খোংবু খোংলেন পানপাই শেমগে হায়না নোংয়াই পূম্র-হপ. অতোন পাক্সা তাইনা তোকমু লৈতম-ফেন মালেম লৈকম লৌঙমবদা মুতু য়োইমাচেং অথৌবনা য়েনখি শৈনাইবালম্ চৎনা শেকচৎননা মেনলাং তনপা শয়িলৈদা তানা হুয়েন লানথেম্লক্য়ে। মুতু কোইরেমবা শয়িলৈদা তাববু নোংয়াই লানপামবনা চেংলৌ মিংথিংলবগী ময়োংচুংস্নূদ টিমেন টাস্নূদনা থৌরি খুৎতা-শূ্ তোকমু লেংথোংননা হুক্নেন লাস্তানলকয়ে। লাইরেন মৈদিংঙু্ লোইনাই থৱানথাবদি হাউরৈ খানা পাংবরম্ লমলেন

মৈদিংঙু্ লাইনিংথৌ! ননাই ঐ খুমন য়ুম্লক চঙ্না তাউবা হুইথৌ মতৌ লৌনা লানথেমজক্কগে কিজদে হায়না সনা য়াথংবু কিগাউ শায়বদা মুতু কোইরেম্বা খাম্বিঙম্বা লমজেন য়াঙ্বনা শাক্তি লানকি শেৎ টিমেন হুংশোল লয়হুনা টাথোক্লা তুংদা-থং চুঙ্লোংনা ঙক্তা-হুক মশা থ্প্পা চংহুনা হুয়েল লাম্থেম্লগে। খুমন মচা লমহেনবা নোংয়াই মচা মিংচৎপাশিংদি মঙাং নিংথৌ মচাম্নুপিনা লাকপদা লাম্লনবা কোরি কোনঙৌ চম্বা শাবা খোংগী পামবৈ শেমগে হায়না খুমন পূম্রমক হৌহুনা ময়াম চঙ্না মখুৎ য়োৎপাক পায়হুনা লৈবাক লৈকন তৌনা শেম্নিঙৈদা মুতু য়োইমাচেং অথৌবনা য়েনখিনা মক্লম থ্প্পা চৎপগুম হায়েংনা শয়িরৈদা কানা তৌবগুম লানথেমখি। অম্নুম তৌরিঙৈদা খুমন লানছৌ পাষশিংনা উবহুনা চুঙস্থ টাম্থ য়াউদনা য়োৎপাক লেংথোং নাহুনা লান্দাঙ্কয়ে। মৈদিংঙুদি খা মাইকৈদা কংলৌ অফ থোংদা

মদাইমা কংলৌ অক্ষম খোংদা হুয়েল্ লান্দাখিয়ে। মৈদিংঙু লোইনাই খরাম্বাববু মদাইরেম পোইরৈ অথৌ লিচা হেপ্ ব্রাংঙম থয়াং কোন্দাই লোনববু পুম্না তিল্লবদা লাইরেন মৈদিংঙুনা ব্রাহমখিয়ে। ইশানৌ হেপি লৈমাখুবী অমো মাইতাংফাবিচা হেপু খুলৈ শা-পামবা নংদি য়েৎলম লাংফম্হল্ও। খুংগু নাহা শরক কোনথৌ নংদি ওইরমলাংফম্হলও। উশুক লাংয়াহৌ খোয়মা লাংখোং লেংগনো হায়না হুয়েন লানখোং শিল্লবদা নোংয়াই লানপামবদি মুতু য়োইমাচেং অথৌববু থিংলৌ য়াইদা তারে। মরোং চৈচেল্লে হায়না নোংয়াই পুম্ন-হুপ্প হুয়েন লাস্তানখৎলকয়ে। মুতু য়োইমাচেং অথৌবনা কংলৌ অক্ষমখোংবু নাতৈনরক্লবদা পাউমেনখিয়ে। মৈদিংঙু মশানৌ হেপু খুলৈ শাপামবা তৌকাইঙমবা য়েৎলম লাংফম্হন্বও! উশুক লাংয়া হৌবিগুনো। খোয়মা লাংখোং লেংহুনা লাংফম অমা কাইহিগুনো। মৈদিংঙুগী মদাইরেম ওইরম লাংফম্হন্বা লোইনাই ঙাশীংবা খাংস্থ নাহা শারম্কনবও! নংখোইস্থ উস্থক লাংয়া-হৌ খোয়মা লাংখোং লেংবিগুনো। ময়িম নোংয়াই লানপামবদি লাংবন য়িকা ঙাগুম্না হাখৎলকপনে। খুমন কায়বি খোংকনয়াংদি মদোম খোংকাপ নৌরৈমবু হল্লকপনে।

লান্দাখি। অন্থম্না মৈতৈগী অকল অথৌশিং পুম্নমক তিল্লবদা মৈদিংঙুনা হায়খি। ইনাউ মাইতাং ফাবিচা খুলৈ শাপামবা নংনা য়েৎলোমদা লাঙ্গংও। খুংগু নাহা কোম্বোবা নঙনা ওইরোমদা লাঙ্গংও! অন্থম্না তৌহুনা ইকোম কোম্বনা লাল অসি হৌহুনা পুকনিং অনি লোংদনা লাঙ্গংও হায়না লাম্বোং শীল্লে। লান অসিদা খুমন লান পাম্বাশিংনা মুতু য়োইমাচেংবু চেনখরে হায়না খুমন পুম্নমক্না হৌহুনা তাম্নরকয়ে। মুতু য়োইমাচেংনা অকমখোংবু হেন্দোক্লক্লবদা হায়জরকই। মৈদিংঙুগী মনাউ ইবুংঙো! খুলৈ তৌকাইঙবা য়েৎলম লাংনা ফম্বও! লানফম নমাই লৈগুনো। পুক্লিং তানা হোৎনহুনা খুমন লান পাম্বশিংদি লাংবন থাদা কাবা ঙাওম্না পুল্লপ পুল্লপ লাক্পনে। খুমন কাইবি খোংকনয়াংদদি মথম্তা ওইরবস্থ খোংকাপ অমা হন্দবনি। হুয়েনগীস্থ লান্দোমপোক রায়রাগীস্থ শাতোম-

হুয়েন লানদোমপোক ৱায়েরা শাংতোমপোকনে। মপু-ম্রি ৱাইশেনপাব্ ঙাংচা চৈহুল্লমদা থৈথরো হায়না হুয়েল লানপাউ চেল্লময়ে। মরিম নোংয়াইনা হুয়েল লান্তান থুরক্লবদা খুমন কাইপি-ম্রি খোংকনরাংদি ৱাইশেন পুলৈপান ঙাংঙা চৈহুল্লমদা থৈথরে। মরিম নোংয়াই লান-পামববু লাইরেন মৈদিংঙ্বা খিংলৌ পনচল্লে। অতোন নাকা নীকলে। নোংয়াই শিকানীকলে। মৌবি পোংশংয়াল য়েনদেম থারাম শোইগুমলে। মেন্তাক্ লমশনওই মংলক লান্না য়ানগুম য়ামরে। নোংয়াই লানয়াম তুরে। খোংলেন লানয়াম থারে। কংলৌ নাখে মাংলে। হুয়েল লান্নীগীদি অতোন তারামবা ৱাংদৈয়াং খোংঙাইববু পোংম্নু লৈমচা খিংলাই খুৎম্নু চম্নু লিনকোইগি অতোন নামুন থামবগা খিংলাই খুৎম্নু চম্নু খিংবাইজম নিংঙোনবি লৈমা কুচু কোইবি মপারী কোরৌ-ৱকী থম্নাং কাবা, শিংঙেনলকী তাইবংক্সামববু কায়না হুল্লে। নোংয়াই থায়াই য়াইরংচান সৌবোন য়াইরংয়াইস্নুং কায়বি খোংকন য়াংনা খোয়মা নারোয়্ংদা ফেনচিল্লমববু নোংয়াই সৌবোন য়াইরেনস্নুং লোকলকুয়ে। অতুনোংগীবু মৈদিংঙ্ লোইনাই থৱাম্বাবা কংলৌ নাথেংমাংবা খোংলেন লানয়াম থাবা ৱাংদৈয়াং খোংঙাইকস্নুং কায়না

পোকনে। লুৱাং নিংথৌ মপারী নাবা নাইঙৌবা হনখিবা বাইশেল পুলৈপান, অঙাংবু হনখিরা লমদা থৈথরো হায়না লানবাউ চেল্লকই। অসুম তৌরিঙৈ খুমম্না খুনা লান্দাবরুবদা খুমন কাইবি খোংগনয়াংদি বাইশেল পুলৈপান ঙাংচা চৈল্লমদা থৈথরে। অসুম তৌরিঙৈরা মৈবৃংঙ্না খুমন লানপাবশিংবু লান্দা পনকোয় চনলে। খুমন কয়ামদি মৌবি পোংশং য়ানঙম্না য়েন্দেম থয়াম শোইঙম্না মথবাই লৌরে। খুমন লানমী অয়াবা তুরে। খুমম্না অসুম মাইথিবা কংনা খুদোং থিরবদা পোংম্নু লৈমচা খিংলাই খুৎম্নু চম্নুগী মচাম্নুগী খিংবাইজম নিংঙোল লৈমা নিংথিরীগী মচা ইবুংঙো থমাংকাবা তাইবংজামগবু কারণা খুমনগী শৌগোন য়াইম্নু মুমক্নু্না থুনা যাঙনা কংলৈ মাইকৈ তমকথি। হুকিং অসিদগী মৈদিংঙ্ লোইনাই থবাম্বারা কংলৌ নাথেং মাঙবা, খোংলেন লানয়াম্

হুনবা হেঙাই সৌবোন-লোকপ-ও তৌনা নিংখৈখিয়ে। মৈদিংঙু লোইনাই থবাম্বাবা কংলৌ নাথেৎ মাংবা থোংলেন লানয়াম থাবা নোংয়াই অরবা অতোন তরামবা বাংদৈয়াং থোংঙাইব-সুবু কায়না হুনবা হেঙাই সৌবোন লোকপদি চোয়নৌ সনা মিংহুনগিবু চুনবনে।

নয়োন মৈতৈ লৈমা তৌঙাইঙমবীও তৌনা কৌয়ে। মৈতৈ লৈমা নোংবাললোন তৌকাইঙমবি সেনবি লোইনেনবা কবো লোইকেনবা চম্ভু চকুপরমবু নাউদা য়ামবা কোনখাং লাইচাউবনা য়েনবি, শেনবি য়িংথি খলোংলোই তুম্বুং লংপানলোই, শেনপানলোই রাংকোন পুকৈ লোয়পু লোইহাবাচম্ভু ময়িম অঙৌবা তেংলাই শিকোং লাম্বাবা সনা য়িবু মীরৌফবি মপাম হুয়েন লান্নিগীদি নোংয়াই রাহেং নাহা হংগেন পামবগা ঙাতেন লাংকনবম চম্ভু লোইমোম লাংবি ফৌশং হোনবিগা লালু থরোন নীক্সা উরেপ চাখিননৈয়ে। তাংখুন নিংথৌ উতেপ্পু মোইমিং লৈচুনবা চম্ভু মৈতৈ লৈমা নোংবাল-- লোন তৌকাইঙমবী হাউরৈ লায়না পাংবরম নিংথৌ রাংঙা, অমা

থবা বাংদৈয়াং থোঙাইবসু লানঙবা শৌপোন য়াইসু লোকপ-ও হায়না মিংথৈথি। মৈদিংঙু লোইনাই থবাম্বাবা কংলৌ নাথেৎ মাংবা থোংলেন লানমী থাবা নোংয়াই অরবা অদোন তবা বাংদৈয়াং থোঙঙাইবু লানঙবা শৌপোনয়াই লোকপদি ফুদোংলবা সনাগুম মিংহুন অসি চুনবনি।

মবেল (নবেক্কৌ) মৈতৈ লৈমগী মিংদি তৌকাইঙবী হায়না মিংথোন্নি। মৈতৈ লৈমা নোংবাললোন তৌকাইঙবীদি শেনবি কবো লোইচনবগী মচাম্বুপি চকপ্রম নাউদা য়াথা কোনখাং লাইচাউবনা য়েম্বকপি কবো ইংখি খলোংলোই, লংলোই, শেনপান-লোই, পুকৈ লোইবু লোইহাবগী মচাম্বুপি অঙোম তেংলাই শিকোং লাম্বাবগী সনা, ঈ, মীয়োক মীচান কবিকী মপাম য়ুমদি হুয়েন লান্নাবদা নোংয়াই রাহেং মহা হুজেনপামগা ঙাতেন লাংগথম চম্ভু ফৌনৌ অশংবা হোনবিগা লালু থরোন নীক্সা যুবায়রকই। তাংখুন নিংথৌ উতেপ্পুসু লানঙমা

লাংঙা লমলোই কৌবা লম্মহল নুব্রাং শিমরীং নোংকাবি মথংলেন নুব্রাংশিংচা নুমলেন হন্‌বনা য়িস্তানবব্‌ কংদরাই কৌবা ময়েপ্‌পি লিক্লাই কেৎপুং মরমথৈ মমা অখোং কৈনমত্ত য়েনবা থম্ভোমবা মহি-সিল থমলাং নাউরেম পামবা লাংগোই শান্তিকুলম মরেম তৌকাই অকায়বা মচিংশাংদা খোমহানখিরে। কৌবা মদাইমাক অব্রাং কৌবা ময়েপ্‌পিও কৌবদি কদৌনোংগীনো ? নুব্রাং শিমরীং নোংগাবিবু মথংলেন নুব্রাং শীংচা নুমলেন হনবা পোনবি হুইকাউ নীকপা শব্রা শিথাই হোবা ব্রানচেং ভেলোং কামরোৎনবনা থন্‌মন্‌ চেংমন্‌বগী কৌবা লোক্লুং চঙ্‌না উচেক লাংমৈ ওইখিবগী তাংজা মশমশিবু পামেন উকারক্তা য়েপ্‌লমরে। অদু নোংশিবু কৌবা ময়েপ্‌পি-ও তৌনা কৌয়ে। তৌকাই অকায়বা মচীংশাং লিক্লাই ফাৎপুং-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো ? নিংথৌ রাংঙা লিক্লাং পুক্তা য়েপ্পা মরান ওন্দেরকপদা ময়িম লোইবি মরেম্মা লিক্লাং পুক্তা য়েম্নবু থাংলেন মথুৎশুনা ফাৎন লৌখিয়ে। ময়িম লোইবি মরেম অসিদি হুয়েন করম লান্দা কায়বনো ? অদুনোংগীবু মরেম তৌকাই অকায়বা

মোইবিৎ লৈচুনবগী মযোম মৈতৈ লৈমা নোংবানলোন ভোকাইঙবী কৌখিনি। মৈতৈ লৈমশিবু হাউরে কংলৈ লমগী নিংথৌরাংঙা, অনালাংঙানা লমলোই লম্মহল কৌবদা নুব্রাং শিমরীং নোঙাবিগী মপুরোইবা নুব্রাংশিংচা নুমলেনহনবনা তানজবদা ফংদবা মতমদা কৌবা ময়েপপি লিক্লাই কেৎপুংগী লমথৈদা মমা অখোং কৈনম্‌শূনা য়েন্থরকপা নাউরেম পাম্বনা শগোল শান্তিরবা লম, তৌকাই অকায়বা মচীংশাংদা খোমহনখি। কৌবা লমদম্‌সিবু অব্রাং কৌবা ময়েপপি কৌবদি কল্লিদলীনো ? নুব্রাং শিমরীং নোঙাবিবু মপুরোইবা নুব্রাংশিংচা নুমলেন হনবনা কৌবা লোক্লুং চঙনা উচেক লাংমৈ ওইখিবগী তাংজা মশমশিবু উগী উকাদা য়েপ্লমরে। চুমিং অদুদগী কৌবা ময়েপ্‌পি হাল্লনা কৌনখি। তৌকাই অকায়বা মচীংশাং লিক্লাই কেৎপুং কৌবদি কল্লিদলীনো ? নিংথৌ রাংঙানা লিক্লাং অমা পুক্তা য়েপ্পা মমুম হল্লকপদা লোইবি লমদা পানবা হাউশিংনা থাংলেন মথুৎশুনা লেপ্পুনা লৌখি। লোইবী লমগী মীশিং অসিদি হুয়েন করমা

মচীংশাংও তৌনা কৌয়ে। ময়েম তৌকাই অকায়বা মচীংশাংদা খোমহানবি হয়েন লাম্ভিগীদি লোইবি তৌকাই মনিংথৌ থেবা লিকনম্বা মীশুনচাগা থোইববু কায়না হনবা নয়োন মৈতৈ লৈমা তৌকাই ঙমবি সনা লিনকোইকী।

২৪। মৈদিংঙু চীংথাং লাম্বাবা

নয়ু মৈদিংঙু চীংথাং লাম্বাবা-ও তৌনা কৌয়ে। মৈদিংঙু চীংথাং লাম্বাবা কৌদরিঙৈদি লাইরেংন কাউবা মীয়োমব-ও তৌনা কৌয়ে। মৈদিংঙু কৌবা মীয়োমবদি লোনলোই লৌচিংথাংদা খৌশাবনে। লমলেন লোনলোই লৌচিংথাং চিংথাং থাংলাংমৈ য়োইবু খোইমোম লাইপুনশি থাংবি চীংমাবি ময়মথে মপন কাপিয়ম লিন্না পুবি-চীং লোংঙা তাউবিচীংবু মাতৈননা লোংচুপ কোংয়াং অথৌবা কা-নয়ৌ

লান্দা কায়বনো হায়খি। চুনিং অচুদগী ময়েম তৌকাই অকায়বা মচীংশাং হায়না কৌখি। ময়েম তৌকাই অকায়বা মচীংশাংদা লায়বদা লোইবি তৌকাই নিংথৌ থেব লিকনবা মীথুন-চা থোইববু লানঙবদগী নবেম্বোসিগী মনিংবু তৌকাইঙবী হায়না থিংহনখি। নবেম্বোসিগী শেংলবা সনা পর্ভঙ্গুরদগী॥

২৪। মৈদিংঙু চীংথাং লাম্বাবা।

(খৃঃ ১২৩১—১২৬৩)

মপু (নবুথৌ) মৈদিংঙুগী মিংদি চীংথাং লাম্বাবা হায়না কৌই। মৈদিংঙুগী মিংনা চীংথাং লাম্বাবা কৌদরিঙৈদি লাইরেন কাউবা মীয়োবা হায়না কৌই। মৈদিংঙু কাউবা মীয়োবদি লোনলোই লৌচিংথোংদা লাম্লাবনি। লোনলোই লৌচিংথোং চিংথাং থংলাংমৈ, খোইমোম লাইমায় পুনকমচীং, চীংপুম্বগী মপি ওইবা অম, লিবা-লোংঙা য়োবা-চীংগী লোংচুম্বা য়োবা কোংয়াং অথৌববু কায়া শেবা লৌদা হাউদ্র পান্দোইদ্র লৌয়ানখিনা উথাদা কমহুনা হনবা

হাউন্নু পানদোইন্নু লৌয়ামবীনা উখা ফম্না হুন্না তেনহৈরো-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো ? মথংলেন হাউরা লাংপোকচা অয়মবগা তালোই মরুমবি হাউন্নু পানদোইন্নু লৌয়ামবিগা শানলে লৌতাবদা মথংলেন হাওরা অয়মবদি হৈতাউ মোংখালানা থন্না শান-থুপখিয়ে। নোংচুপ কোংয়াং অথৌববু হাউন্নু পানদোইন্নু লৌয়ামবিগা চেংলৌ মমিৎ থুম্বদা উখা ফম্না হুল লম্লে। মতুনোংগীবু নোংচুপ কোংয়াং অথৌবা লাম্নং-হৌ হাউন্নু পানদোইন্নু লৌয়ামবিনা উখা ফম্না হুন্না তেনহৈরো-ও তৌনা কৌয়ে। ৱাংঙমলোন পানথোইবিনা লিকলাই মনা থাংনা শান্ওন্লম্য়ে। অঙৌবা পুরৈরোমবা চীংখাং খুৎয়োন থাবা মরমথে লোনলোই লৌচিংথাং চীংথাং থাংলাংমৈগী খাবি চারন থাবা মেৎপা অশৈবা ওক্কনবা কুরাং শুমবা তেকপি খুয়ৌববু খোম্লেন নাথং লোন্না চীংথাং লমতাইরববু কায়না হুলল্লে। অতুনোংগীবু লাইরেন মৈদিংঙু চীংথাং লাম্থাবা মেৎপা অশৈব-ও তৌনা কৌয়ে। মৈদিংঙু চিংথাং লানথাবা সনা মচুংশেনদি অতুম্নং মদোমদে। নোংয়াই হাউবা পাখ্রা তোমপোকপা খুমন অতোন চালাংকন্কন্বা থাংলেন

লৌকন্নি। মকমসিবু তেনহৈরো কৌবদি কারিদগীনো ? মথংলেন হাউরা লাংপোকচা অয়মবগা মতালোই হাউন্নু পান্দোইন্নু লৌয়াম্বীগা লোতাবদা মথংলেন হাউরা অয়মবদি হৈতাউ মোংখা-লা-না থন্দুনা নোংশা থনখি। নোংচুপ মাইকৈদা কোরৌ মশেক থাংলববু নোংশা থন্নবা উখাদা ফমহুনা ফৌ হুন্নমই। মুমিৎ অতুদগী নোংচুপ কোংয়াং অথৌবা লাম্নং-হৌ হাউন্নু পান্দোইন্নু লৌয়াম্বিনা উখা ফম্না হুন্না তেনহৈরো হায়না কৌনখি। ৱাংঙমলোন পান্থোইবীনা লিক্লাই মা মনাদা য়ান্না শানওল্লময়ে। অঙৌবা পুরৈরোম্বা চীংথাং খুয়োন্থবা লমথৈগী লোনলোই (মরোল লোনবা, লোন্দিনদবা লোই) লৌচীংথাং চীংথাং নাইবা থাংলাংমৈগী লমদা মাইবা মাইবা অসিনচিংবনা ওক শরেন চন্না চীংথাং লম্বু লমদাইখিবা লমদা লাম্নাবদা লানওখিখি। মুমিং অসিদগী লাইরেন মৈদিংঙুবু চীংথাং লাম্থাবা মেৎপা অহুবা কৌখি। মৈদিংঙু চীংথাং লাম্থাবগী মতিক মথৌনাদি অসিনমু লোইদে। খুনন হাউবা পাখ্রা তোম্পোকপা অদোন

হাইমারক্না পাখং পাক্লু য়িতাইওকপা তন্না চাথোপ মাবু মতোম চাগে তৌগুমবা তেকপি ওকপুমমাগী শারেন শাথোপ মাবু মতোম চাগে তৌগুমবা খোয়মা লাংচেং খোমবু মতোময়োংবা পাথৌ ত্তাংশক্তববু কায়না ছুনব-ও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন মৈদিংঙু চীথাং লাম্বাবা মেৎচা অশৈবা ফাবা তুরি মনা মচুংশেনদি অতুম্বুং মদোমদে। হাউরে নোংপোকলা পাংবরম সেনবি লোই মপিথেন্দা খোশাবনে। লমলেন শেনলোই মপিথেন-ও কৌবদি কদোনোংগিনো? হেপি খুচেংলাইস্নুনা ব্লাকচিং থুমথোরঙে মদাইরেম লেংখু খুৎলুমহন্‌বনা পানবা কৈশাঙে লেংখু পুরেন হনবি থাংয়ি চেংলৈস্নুনা মিকপ খিয়ে। মদাইরেম নাকশেন্ তোম্না য়াহৌরকয়ে। অতুনোংগীবু শেলোই মপিথেন, মপি চিনফুরোন নামপ কপ চিং নাকশোন তোনবা য়াহৌ-চীং শেলোই মপিথেলও তৌনা কৌয়ে। শেলোই মপিথেন কামু মপুংয়াইদা খোশাথবদি কামু য়াগা চায়রে। চকপা খারা খেনচংকিন শরিক লাইথন থুমলে। হুয়েন লান্নিগীদি কামু নিংথৌ য়েকচম্ পুলৈরোংবু

চালাংফন্‌কন্‌বা মাগী থাংহাই অমুক্তা খোংবাল পাংথোক কেনগুম্বা তন্না চাকথোং অপূনবা অমনু মদোম চাগে তৌগুম্বা ওকপুম অমগী শারেন পূন্না থোংবন্নু মদোম চাগে তৌগুম্বা মরূপ মপিঙ্গা শকখংদবৰুস্নু লানঙম্না হায়না কোথি। লাইরেন মৈদিংঙু চীংথাং লাম্থাবা মেৎচা অছৈবা কাবা লাইনিংথৌগী মতিক মগুন্দি অসিনস্নু লোইদে। নোংপোক মাইকৈগী কবো লমগী লোই মপিথেন্দা লাম্নাখি। লমলেন শেনলোই মপিথেন কৌবদি কন্নিঙগীনো? নিংথৌশেনবি খুচেং লাইগুনা ব্রাকচিংগেদা থুম লোই থোরুঙেদা মনাই লেংখু খুলুমহনবনা পানবা কৈবু শারিঙৈ লেংখু পুরেনহনবি থাংয়ি চেংলৈগুনা কপচখিবদা মদাই নাকশোনতোম্না লাউরকই। হুন্নিং অতুদগী শেনলোই মপিথেন, মপি চিনফুরোল (শাম্লাং-ম্লেকওইবী) নাম কপ চিং নাকশোন তোনবা য়াহৌচীং শেনলোই মপিথেল হায়না কৌই। শেনলোই মপিথেন কামু খুঙংয়াইদা লাম্নাবদা কামু খুনবু কায়রে। চকপা খুনং মাইথিনা হুয়েন লাজেমথরে। লানফমসিদা কামু নিংথৌ য়েকচম পুলৈরোং অথোববু লাবুঙমখি।

অথৌববু কায়না হুনলে। লাইরেন মৈদিংঙু চকপা কাম্বু ওম্বা চীংথাং লাম্বাবদি চোয়নৌ সনা মিংহুনগীবু চুনবনে॥

নয়োন মৈতৈ লৈমা নোংপাললোন নিংথৌ পোকপিও ত্তৌনা কৌয়ে। মৈতৈ লৈমা নোংপাল-লোন নিংথৌ পোকপি হাউমি মংশাত্তাবনা য়েনবি মপাম হয়েন লাম্লিগীদি পাশি য়োইথোয়চা থুমন মিংথাংপামবগী থাংলেন মথুংশু চারোমবগী কায়না হুনবা চম্বু মৈতৈ লৈমা লিলোং হিথাবি, ভাপৈ লোয়োকপি থুমন চাংথু চাংহনচা হাউমনয়াংকাং কোয়বা মাত্তং য়াংথেক ওইবিবু কায়না হুনবি নয়োন মৈতৈ লৈমা নোংপাললোন নিংথৌ পোকপি সন লিনকোইগী।

২৫। মৈদিংঙু পুরানথাবা।

নম্বু মৈদিংঙু পুরান থাবা-ও ত্তৌনা কৌয়ে। মৈদিংঙু পুরানথাব-ও কৌদরিত্তৈদি পোইরৈ নিংথৌ হনব-ও ত্তৌনা কৌয়ে। মৈদিংঙু

লাইরেন মৈদিংঙু চকপা কাম্বুওবা চীংথাং লাম্বাবা হায়না মিয়োবদি কুলোংলবা সনাওম মিংহুন অসি চুনবনি।

নবেল (নবেম্বৌ) মৈতৈ লৈমা নোংবাললোন নিংথৌ পোকপি হায়না মিয়োই। মৈতৈ লৈমা নোংবাললোন নিংথৌ পোকপি হাউমি মংশা ত্তাবনা য়েনবরকপিনি। মপাম লম্না লাম্লাবদা পাশি য়োইথোমচা থুমন মিংথাং-পাবগী থুংশু থাংলোন নাইরুবা লাম্নাবদা লানওবগী মযোম মৈতৈ লৈমা লিলোংদা হিথাবি ত্তায়ম পৈবনু লোয়কপি থুমন চাংথু চাংহনচা হাউমন য়াংকাং কোয়বা মাত্তং য়াংথেক ওইবিবু লানওবী নবেম্বৌ মৈতৈ লৈমা অত্তোম য়েকওইবী নোংবাললোন নিংথৌ পোকপিগী লেংলবা সনা গর্ভতুগী॥

২৫। মৈদিংঙু পুরাম্বাবা।

(খৃঃ ১২৪৭—১২৬৩)

নম্বু (নমুথৌ) মৈদিংঙুগী মিংদি পুরাম্বাবা হায়না কৌই। মৈদিংঙু পুরাম্বাবা কৌদরিত্তৈদি পোইরৈ নিংথৌহনবা হায়না মিয়োনৈ। মৈদিংঙু

পোইরৈ নিংথৌহন্‌বনা নোংয়াই শিদবা অতোন নাদববু য়ায়িন শোকতোং লৈনা থন্‌ চৈরৈ ক্বিপুন শানা তেৎনৌ য়োংপুন শানা অমন্‌ শিয়েংনুও হায়না থৌশীখিয়ে। নোংয়াই মরমপু মকোং সেলাম্‌-খিচা শেনচা লাইরোং অতেরাচানা য়াম্মা নিংথৌ অতোন পুনশিনবাও নোংয়াই নংধু শিয়ে অতোন নংবু মলুলে হায়রে। অহুগীবু লাইরেন ননোংয়াইনা অমন শিয়েংনুও হায়না থৌশিরকয়ে হায়থরবদা নোংয়াই খুমন নিংথৌ অতোন পুনশিবনা য়াতাখিওমুয়ে। নোংয়াই ঐবু শিদববু করিগী শিয়ে হায়রকপনো অতোন মন্দববু করিগী মললে হায়রকপনো। অমন কদৌবা শিয়েং লাকপনো হায়না য়ায়ৎনওমরে। নোংয়াই মরমপু শেনচা লাইরোং অতেরাচা পায়না লিস্তাং শাংবনা পাউথুমখিয়ে। য়াম্মা নিংথৌ অতোন পুনশিব-ও নোংয়াই নংধু শিদববু শিরে হাইরবদি অতোন মন্দববু মল্লে হাইরবদি ময়ুম লংমাইলবু হাইরেয়ে। লংমাই খুনখুনা য়াউরো শাম্নিংনবা কৌক্রক কাংনাউ তোংবনা হাইরেয়ে। অহুগীবু মৈদিংঙু পোইরৈ নিংথৌ হনবনা নোংয়াই নংবু শেনলোইপাক্‌ অতোন পাইরৈপাকনে

পোইরৈ নিংথৌহনবনা নোয়াই শিদবা অতোন নাদববু চৈরৈ ক্বিনা থা য়োং থোংনেং থানা থিরুও হায়না পাউথোল শীখিয়ে। খুমন লমগী লম্‌ মকোং সেরাম্‌চা শেনজা লাইরোং অতেরাচানা য়াম্বা নিংথৌ অতোন পুনশিবা নোংয়াই নজবু শিরে অতোন নংবু মল্লে হায়। অহুগীবু লাইরেন নংগী ননোংয়াইনা শিরবরা য়েংউ হায়না পাউথোল শিরকয়ে হায়রবদা খুমন নিংথৌ অতোন পুনশিবনা মলুক তাখিখি। নোংয়াই শিদবা ঐবু করিগী শিরে হাইরকপনো করিগী মল্লে হায়রকপনো করিগী য়েংবা লাকপনো হায়না য়ারৎলরমই। অহুনা খুমন লম্‌ শেজা লাইরোং অতেরাচা লিংজেল কত্তবনা খুবখি। য়াম্বা নিংথৌ অতোন পুনশিবা। নোংয়াই নংবু শিদববু শিরে অতোন মন্দববু মল্লে হায়রবদি লংমাই লমগী মীনবু হায়রবনি। য়াউরো শায়াম লৈবা লংমাই খুরুং অপিশক কৌক্রক কাংনাউ তোংবনা হায়রৈ। খুমন নওদি মৈদিংঙু পোইরৈ নিংথৌহনবগী শেন পিনা লোইহাবা, অতোন নওদি মাগী মথা পোনবা

হাইবগীদমকপু অমন শিংয়েংলু-ও থৌশিরকয়ে হায়না পাউখুম্লকপা নোংয়াই খুমন নিংথৌ অতোন পুনশিবনা য়াইবি মন্নুং-হৌ তিক্তাং মথোয় শাউনা য়াতাথিখিয়ে। নোংয়াই লোম্ন-লাং অতোন য়াম্বায়নলা লংমাই খুনখু নাগে কৌক্রুক কাংনাউ থেংগে উপোং মাইশা তানগে য়াইকোকপা লমলেন চেনগে চীংখম্ য়ামৈ শম্না থৌবান য়িয়া হেপাকে হাইখিয়ে। লৈমা তরানা য়েনয়োম খোমহানখিয়ে। নিংথৌ তায়ানা শালাং লানলাংখিয়ে। থাংশাবা য়াংকেন সূচানা থাংশা টী-শাখিয়ে। শিনাইবা থোংবম সু-চানা খোকখু য়াইখুরে। য়োইরেন নৈমবিবা শোইভোংসূ-চানা চায়ন-পুং কাখরে। নোংয়াই মরমপু শৈনচা লৈরোং অতেরাচা চেংপোন লোয়ামবা নোংয়াই য়িময়া হেপা নাতাক্লববু ইরেম নাম্না কোনথোংথোং মণ্ডাং লৈমচা য়ুকোনবা থোংশাম্নাই মণ্ডাং লৈমা য়ুনান্বা থোংশেম্নন হাউরোক নানবা শাফবা মমান য়াইথিং হকচাউববু লাক্কবা লেপ্পা নোংহামথোংদা তারী নামোই মচম্না নাম্না চেংচামণ্ডাময়ে। ইমোন তারি নামোই মচল-ও নংনা — তরা চেং-চামবদি কদৌগে চামবনো হায়না পাউহংববু ইন্থু নিংথৌ

লৈবাক্তি, খুমন নংবু শিরবরা য়েংলু-ও হায়না পারকপানি খুম্নবদা খুমন নিংথৌ পুনশিবনা মপুক থিৎনা মুংঙাইথিদে। অদুনা খুমন নিংথৌনা লংমাই খুন্দা লাম্নাগে কৌক্রুক কাংনাউ লান্দাগে, উপোং মাইশা তায়া বাইকোকপা লমলেন চেনগে, চীংখম বামৈ শমদুনা পৌবাল তুরেল থেক্লে হায়খিয়ে। অদুগীদমক খুমন লৈমা তরা চংনা চায়োম শেম্নহনখি। নিংথৌ পোংবা (লুচিংবা) তরা চঙনা শাপোং লানপোং পৌরাংখি। থাংজবা য়াজেনশূচানা থাংসু টাসু শাখি। থোংবমশূ-চা শিল্লাইদুনা খোক্লাং য়াইখু চম্না মথোক পানখি। অমুম্না মথোক কারকপা শোইভোংশূচানা চায়ন-পুংদা লাক্লে। নোংয়াই লম্, শেম্নবা অতেরাচা চেংপোন লোয়াম্বনা খুমন য়ুম্নশিংগী য়ুময়া নক্লা চত্নুনা তাক্কবু মণ্ডাং নিংথৌ (মৈদিংঙু চমু) ইবেম্মানা খুমন লমদা লারবগীদমক থোং শাদুনা শেম্নবা মফমদা হাউরোক নানবা শাফবা য়াইথিং হকচাউববু লাক্কবা হায়দুনা ঙাইনবথোংদা তারী নামোইগী মচম্না চেং

নোংয়াই ইরমপুঙও ! নংদি নাত্তাদরিব্বা। অদ্মিম নোংয়াই খুমনদি হয়েং কৌবা ইমুং শোয়রবদা লংমাই খুনথু নাগে কৌক্রক কাংনাউ থেংয়ে উপোং মাইশা তানগে রাইকোকপা লমলেন চেনগে। চীংখম রাবৈ শয়া খোবান য়িয়া হেপকে শিনাইবা থোংকমসূ-চানা খোকথু য়াইখুবে। থাংশাবা য়াংকেনসু থাংশা টাশা লোইরে। য়োইরেন নেমবি-শোয়তোংশূ-চানা চারনপুং কাইতোঙলে। নোংয়াই চীংশোং অছৈবনা য়াকৈ মতোল লোমলে হায়না পাউত্তাক্লবদা মৈদিংঙুগী মদাইরেম মকোং সেরামবিচানা নাত্তারবদু লাইরেন মৈদিংঙুদা হুয়েন লানপাউ লাকপায়াগী মৈদিংঙু পোইরৈ নিংথৌহনব-না মদাইরেম পোইরৈ খুনচা-হৌ তয়ম্ নাইচা-হুপ মরোঙ ঙংতা হুক্লা হাউরৈ নোংপোক্লা পাংবরম লমলেম কেনপোইরৌ, পোইরৌ লমঙুংশিদা হুয়েন লাস্তাখিয়ে। লমলেন পোইরৌ লমুংশি-ও কৌবদি কদোনোংগিনো শেলোই অতাং-ভাবিগা লংমাই অতাংভাবাগা ২ মানা শেলোই ইপনলম্ লংমাই ইচু লমবু চংলগঙুসে, শিরবসুং শিমম্নসে নারবসুং নামম্নসে হায়না পোইনা হামনা

চায়মই। ইমোম তারি নামোই মচল-ও! নঙনা তরাগী চেং চাখবু করিগী চাখনো হায়না হংবদা ইচু নিংথৌ খুমন লম্-ও! নংদি তাত্রিবরা? ঐখোয়গী খুমন লমসিদা হয়েং নোংঙাম্নগা লংমাই খুজং মচাদা চংকে, কৌক্রক কাংনাউ য়োংগে, উপোং মাইশা তানগে, রাইকোকপা লমলেন্দা চেনগে চীংখম রামৈ শমতুনা খোবাল ভুরেল থেংনা লায়াগে হায়বগী থোঙমশূ-চানা থাংগী টাগী মথোক পানখরে। থাংলবা য়াজেনশূনা থাং টা শাবা লোইরে। য়োইরেন নেম্বী শোয়তোংশূ-চানা চায়ন-পুংদা কাখংলে। খুমন চীংশোং ছৈশকপনা ছৈরাউনরক্লে হায়না মৈদিংঙুগী মনাই সেরাম মচানা তাবগা মৈদিংঙুদা হুয়েন লান তারকপগী খাবু ভাক্লরবদা পোইরৈ নিংথৌহনবনা মনাই পোইরৈ খুজা-হৌনা মরোঙ চুঙবু ঙক্লা হুক্লা হাউরৈ নোংপোক পাংবদা লৈবা কেনপোইলৌ, পোইরৌ লমুংশিদা লাস্তাখি। লমলেন পোইরৌ লমুংশি কৌখিবদি করিদগীনো? শেলোই অতাংভাবিগা লংমাই অতাংভাবগা ২ মক্লা লংমাই লমদি ইপা ইচাগী লদ্মি, চংলগঙুসি, শিরবসু শিমিম্নসি নারবসু নামিম্নসি হায়না পোইনা

চৎলময়ে। অহনোংগীবু পোইরৌ লমহুংশি-ও তৌনা কৌয়ে। শিন্না উনম্‌কোন থোননৈয়ে। য়াইরং কোকে পাৎ-ও কৌবদি কয়ৌ-নোংগীনো। লংমাই অতাংঙাবিনা লাংবন চরুথোক শেকচুম-য়িনা শানজেংববু তাংজা নুয়েনতোন শেংথোইয়ে। ময়িম শেলোই ঙিংগৌনা লংমাই তেংথানা তাংজা নুবাইয়েনবুদি কোকেও কৌয়ে। শেংলববুদি পান্‌লবা কৌয়ে। অহু নোংগীবু য়াইরং কোকে পাৎ-ও থোননৈয়ে। ময়িম নোংয়াই থুময়া লংমাই থুনথু নাগে কৌক্রক কাংনাউ থেংগে হয়েন লানহৌরকপদা লাইয়েন মৈদিংঙুনা পোইরৌ লমহুংশিদা মযিম নোংয়াই মনিল নাইববু থিংলৌ পনচল্‌লে। ওকলেনহুঙমববু কোন্‌লোল্‌লে। নোংয়াই শিকানীক অতোন নাফা নীকলে। পোইরৌ লানয়াম তুরে। হয়েন লায়িগীদি অতোন থারোবা থোংবু থারোবা মরোইলমবা পোংপু থোমশিবা পা-চা নাইদবা তোংয়াই থুবা তোংয়াই হন্‌বগা নোংয়াই শাইপক্‌পা নোংবাল তান্দে-মান্দেবগা নোংয়াই মীয়োংখল কংলা মীমরু থোংচোমবিবা লৈমা ময়া, নিংথৌ মমাক

হায়া (তুয়োই ঙায়োইনা) চৎলমই। তুমিং অহুদগী পোইরৈ লমহুংশি হায়না কৌথি। শিন্না উনম্‌কোন হায়নহু থোইয়ি। বায়রং কোকেপাৎ কৌবথি কয়িদগীনো? লংমাই অতাংঙাবীনা লাংবন থাগী থাউদোকথ্রবা কোগী মথোক চরুথোকগী তারকপা চুমথরকপা মহিনা ঊকববু মমাই, মকোক শেংবদা নিংথিনা থোইনা শেংথি। শেলোই লংমাইনা তাংজা নুবাইলেনবু কোকে হায়না কৌই। শেংবরু পানবা কৌই। তুমিং অহুদগী মাইবং কোকেপাৎ হায়না থোইয়ে। থুময়া লংমাই থুন মচাদা লায়াগে কৌক্রক কাংনাউ থেজে হায়না হয়েন লানহৌরকপদা লাইয়েন মৈদিংঙুনা পোইরৌ লমহুংশিদা থুমন্ লালহৌ মিংচৎপবু পনকোইথি। ওকলেন তোমচৎপবু পনকোইবগুম্মা কোয়শিনথি অহুয়া থুমন মচাবু য়ায়া শাথিনা মাইথিবা পিরে, মাহুদা পোইরৌ লমগী লানমী ময়াম তুরে। লানকম অসিদা থুমন থারোবা থোংবু থারোবানচিংনা মরুপ মপাং পুবা থোয়া মপা মচা নাইদবা তোংয়াই থুবা তোংয়াই হনবগা নোংয়াই শাইপকপা নোংবাল তান্দে মান্দেবা নোংয়াই মী অচংবা কংনা লমগী অকন

খোংজিন রুমবা লালুম থৈবা লাংলেন কোংয়াং য়াখায় শকপব কায়না হুক্লে। অহুনোংগীবু শিমলৌ নমকোনথিনপি লয়ামুং লংমাই অতাংঙাবি শানদেং-রি য়াইরং কোকেপাৎ হৈয়েম কোকেবনা য়াংবরম্ তাংজা তুম্হন্কোন য়াইরং হিতুমপাৎ খম্বা উশিং অথৌবা লান্দারম খুমন মিংথাং পামবা থাংলেন মখুৎশু চারোনবনা নোংয়াই মথয়া ময়ৱাইবু নাতৈননা পোইরৈ লমনুংশিদা খোশাবা মৈদিংঙু পুরানথাবা ইরম থৌবান থংতেক খোমব-ও তৌনা কৌয়ে। তুবি সনা মচুংশেনদি অহুনুং মদোমদে। হাউরৈ লায়না পাংবরম লনলোই কৌবা য়িমরু ফিপোৎ মুংথং শুবি ভরৌ-চীং কমবি ফপান লোইবি লাইরৌ-চীং মুংবি পোনয়ানববু নাতৈননা য়োইরুমলোন কোরৌ খোংচোমনুবী খোইনৌ মতা ৬ মানা কোরৌ নোংগারম কৌবা লৈখামপোক্তা লাইয়েন মৈদিংঙুনা য়োইবু খোইমোম লাইরেম্মা খোংলেন য়াকৈরৈমা কৈরুংবসুং হুইয়াই খনবি তাংকোৎ চৈনা ওৎনা খোমহনখিবু হুয়েন লানলোইননা কৌবা লৈখামপোক্তা হুয়েন লান্দাখিয়ে। কৌবা লৈখামপোক-ও কৌবদি কদোনোংগীনো? চীংলেন

অথৌ মকোক ওইবা লৈম ময়া নিংথৌ মমাক খোঙজিল কব্বা বায়েন ঙম্বুম্ লানঙমখি। হুমিং অহুদগী শিমলৌ নমকোন থিনবি লয়ামুং লংমাই অতাংঙাবি শান্দংরি য়াইরং কোকেপাৎ হৈয়েম কোকেবনা য়াংবালম তাংজা তুম্হন্কোন য়াইরং হিতুমপাৎ খম্বা উশিং অথৌবনা লান্দাবলম্ খুমন মিংথাং পাম্বগী থাঙলেন খুৎশু অহেনবনা নোংয়াই মথয়তা শিখিব লম্বু তুংওই নাতৈননা পোইরৌ লমুংশিদা লায়াবা মৈদিংঙু পুরাখাবা ইরম থৌবান থাংতেক খোম্বা হায়না কৌখি। মৈদিংঙুগী মতিক মথৌনাদি অসিনমু লোইবা নত্তে। খা পাংবা য়াইকৈগী লমলোই কৌবা য়ি-মরু ফিপোৎ মুংথং শুবি ভরৌ-চীং কম্বি চক্লুনচিংবা লোইহাবা লমগী লোইরৌচীং নুংবি পোনয়ানবা লমবু তুংওইননা য়োইরুমলোন নুরাংয়েকওইবিগী হুমিং খুদিংগী খোংজোম ওইনা লোয়নবী খোয়নৌ মতা ৬ মক্কা নোঙ্গাখিবা লৈখামপোক্তা লাইয়েন মৈদিংঙুনা য়োইবু খোইমোম লাইয়েম্মা খোঙলেন য়াকৈ লৈমা কয়রুংবসু হুইয়াই খনবি তাংকোৎ চৈনা ওৎনা খোমহনবিবু হুয়েনলান-লোইননা কৌবা লৈখামপোক্তা লান্দাখি। কৌবা লৈখামপোক কৌবদি করিদগীনো?

হুয়ারি লৈমা য়াংদৌ অতৌবিনা মখোয়্ : ময়াং ঙোংপারনা নাক্তংপংবু মপারী কোনশুম লিকুকুমবা কৌবা লৈখায়্মন্‌বা থাংনৌবকু পোক্‌নমরে হায়না মতা ৫ মাদ' পাউতাকেখিরে। অহানাংগীবু কৌবা লৈখাম্পোকও তৌনা কৌরে। কোবা লৈখামপোক্তা ভুবি থিংকু মথিনাই অাইরেন মৈবু-রোং কুয়াউ পনদাই-শং শায়দা পনাখন-য়াম চুংলেপ ৬০ চোং কাউরেন মনথাং ১০ লান শংনং অাইতং লেংবা পমথেংথরবদি কোইরেং য়াপা চারে। ময়ান থুমবি মৈমাংচম হুয়েন য়াইশিং মুংনা পনথেংথরে। ভংগাং লৈরালোই শাক্ হুকাপ্লোই লাংহে ফিপালেলাই কৌবা কোতাই লোইবু লোইচন্নকরে। হুয়েন শায়িশীদি কাপে পিলান শমশাংবু কায়না হুন্নকলে। ভুবি থয়াং মখৌ-মনগীবু মিংওনখিরে। লাইরেন মৈদিংঙ্ লোইবি কোইরেং শমবা কাপে-পিলান শমশাংপু কায়না হুনব-ও তৌনা কৌরে। ভুবি সনা মচুংশেনদি অহুমুং মদোমদে। হাউরে নোংপোক্লা পাংবরম মৈদিংঙ্ হোংরেম য়োইথুনজাউনা শেংলোই লিক্ল্ লৌথিবি লংমাই পিতাংঙা হুয়াম

লোইবি চৌংগী লৈমা বিংখিবী লম্বী শেরা য়াউবৌনা মপুক মুংশাউনা মপুক মেৎথরবদা লিকুবা কৌবা লৈখাম্নবা থাংনৌবা মপারী অমবু পোকলে হায়হনা মতারোই ৫ মক্তা তাকচখি। হুমিং অহনগী কৌবা লৈখামপোক হায়না কৌখি। অসিগুম্বা কৌবা লৈখামপোক্তা মৈদিংঙ্না মথয়াই পোক্লা মুংঙাইহন্নহনা মনাইশিংগা লোয়ননা চত্তুনা চুংগী মরেপ ৬০ চোং মনগী মমু ১০ লাম্বুনা লাংহৌরবদা কোইরেং থুম্বি কায়থরে। মাগী মাগী মচিবু মৈতাক্লা য়াইবা থবাই মাঙ্‌ননা লাংহেলরে। উশোং লৈরাগোই হু তৈবা শাহু কনবা তেনবু লোইহাবা চহিগী কি ওইবা লোইহাবা কৌবা কৌতাই লোইবুম লোই চন্নকলে। লানকম অসিদা কাপে পিলান শমশাংবু লানচন্নকরে। হিরম অসিদগী মৈদিংঙ্গী মতিক মখোনাদগী মিংওনখি। অহনা মৈদিংঙ্‌বু লাইরেন মৈদিংঙ্ লোইবি কোইরেং শুবা কাপে পিলান শমশাংগুবু সানচবা হায়না কৌখি। মৈদিংঙ্গী মতিক মখোনাবি অসিনম লোইবা নত্তে। লোংপোক মাইকৈ পাংবা মৈদিংঙ্ হোংনেম য়োইথুনজাউনা (নাউথিং খোংনা) শেংলোই লংমাই চমু লিক্ল্ লৌথিবী পিতাংঙা

শাকাবীদা হুয়িনবা চিংখোং চিংয়াই নারোকও কৌবদি কদোনোংগীনো। লাইরেন মৈদিংঙু লুকয়ি শেলোইনাইনা মনেম্বচা নোংপাললোন পিভাংঙা লিক্ক্ লৌথিবীদা হুমনডৈদা লাইরেন মৈদিংঙু উরা কোনথোবা মঙংলাংগী মরিম শেলোই লংমাইনা চীংশাং খোকলোই হোনা য়াভাখিরবগী মৈদিংঙু হোংনেম য়োইখুঙ্গাউনা ফল্লাং লোনৃজা মতাইকাং পরৈ হোংলা থংনা শেলোই পনচোংলকয়ে। লংমাই পনলিংলকডৈদা শেলোই মরাংহৌ লংমাই মথিনাইনা ভানরকৃয়ে। শেলোই মীকোনা লংমাই তেংথানা পুংবু খোংও, মৈবু য়াইও কৌয়ে। ইমুং শোয়মাদা পুংখোং পুখিন মৈয়াইবু থা-না লাকয়ে। অহুনোংগীবু খোংচি য়াইন-লোকও ভোনা কৌয়ে। লাইরেন মৈদিংঙুদি খোংচি য়াইনলোক্তা হুয়েন লায়াখিয়ে। থায়া মোইচৌং চকপা খোংমী মপুংয়াইদা ভুবি থিকু মথিনাই লাইবেন মৈবু ওংনা পনখোংখবদি হুয়েন লায়িগীদি চকপা খোংমী মনিংথৌ অরোক অথু অথিং অরাং অথোববু কায়না হুয়ে। লাইরেন মৈদিংঙু পুবানথাবা

শাকবীগী ময়ুমদা লৈরুবা (মুপি-মতুংইগ্রা লৈরুবা!) চীংখোং চীংয়াই ন-লোক হায়না কৌনখি। চীংখোং চীংয়াই ন-লোক কৌখিবদি করিদগীদনো? লাইরেন মৈদিংঙুনা চীংগী লোক্তগী ভায়রুপা ঈশিং মপান্দ ভাবা শেলোইগী নাই ওইশিন্না মনেমচা অঙাম য়েকওইবি পিভাংঙা লিক্ক্ লৌথিবীগী মফমদা য়াওং ইরা লৈডৈদা মপাবুং মৈদিংঙু উয়া কোহৌবগী ময়মগী শেলোই লংমাইগী খুনং পুখনা হৌরক্তুনা মৈদিংঙু য়োইখুঙ্গাউদা লমন শিংবা ভায়বগী মৈদিংঙু হোংনেম য়োখুঙ্গাউনা লোয়া ফল্লাং মচী কাংখৎতুনা পয়া পরৈ থত্তুনা শেলোই লমদগী চেনখোকখি। লংমাই লমদগী অহুমা লিংখোকলিডৈদা শেলোই লংমাই পুখনা কহি কয়াউ খোক্লা নাউনা খোংনা ভানবকলে। শেলোই খুনগী মীনা লংমাই খুয়াগী মীশিংনা পুঙবু খোং অহুপা মৈবু য়াই হায়না কৌনৈ। অহিং অহুদা পুঙখোং পুখিন মৈয়াই থাহুনা (মৈয়া চমহুনা) লাকই। মুখিং অহুদগী খোংচি য়াইন-লোক হায়না কৌই। লাইরেন মৈদিংঙুদি খোংচি য়াইন-লোক্তা হয়েন লান্থাখি। চকপশিংনা খুন্থাবা থয়া

ইরম থৌবাল থংজেক খোমবা অরোক অখু অয়াং কাবদি চোয়নৌ শনা মিংহনগিবু চুনবনে।

নয়োন মৈতৈ লৈমা নোংবাললোন নিংথৌ পোকপি-ও তৌনা কৌয়ে। মৈতৈ লৈমা নোংবাললোন নিংথৌ পোকপি হাউশি তাবনা য়েনবি লোইয়ম মংশা তাবনা পোকপি লিলোং হিথাবি ঙাপৈ লৌরোকপি খুমন চাংখু চাংহনচা হাউমন্ য়াংগং কোইবম্ং মতাং য়াংথেকহাইববু কায়না হনবি, মদাইরেম লেমথোং লিনশাং নিংথৌ অহনবনা য়াহৌখোনগী হৈপোক শৌতিয়ান লেমচেং লিহৈ-পোক্তা তাউজিং হৈচেয়সে হায়না য়াহৌববু পাউয়াদবি, কোয়ৌ মুমিংমাদি মদাইরেম লেমথোং লিনশাংথৌ অখুবনা য়াহৌখোনগী লমলেন মদাইমা হাউরে থানা পাংবরম থোংজু লিয়া থারম লমলেন ফেনপায়া পায়া অচনবা মুতু চমু শিকচেনলম মৈদিংঙু থোংনাং ময়ামবা কোকতোক হৈচেনপুংখু নাতৈননা অতৌবা শেকুকু কায়নৌ চিংশোমবা খোংলেন হেমতৌ য়াইবু ঙমলোয়না য়িথোংলেন্ থোঙলেন

মোইচাং খুলংদা মৈদিংঙুনা কহি কয়াউ থোক্না লাম্বাথিবদি লানকম অহুদা চকপা থোংমৌগী লুচিংবা অরোক অখু, অথিং অয়াং লাম্বা থৌববু লান্‌-ঙমথি। লাইরেন মৈদিংঙু পুয়াম্বাবা, থৌবাল তুশাংদা তাবা খুলংশিংদা লাম্বাহুনা অরোক অখু, অথিং অয়াং কায়কপদি হুদোংলবা সনাওম মিহন অসি চুনখনি।

নবেল (মবেম্বো) মৈতৈ লৈমগী থিংলেন্দি অতোম য়েকওইবী নিংথৌ-পোকপি হায়না মিঙৌই। মৈতৈ লৈমা নোংবাললোন্ নিংথৌ পোকপিদি হাউশিতাবনা পোকপি লোইয়ম মংশা তাকগী মচাহুশীনি। লিলোং তুয়েলদা হি থাহুনা ঙাগাম পৈববু লৌবিনি। খুমনগী চাংখু চাংহনচানা হাউমন য়াঙং কোবা মতাংয়াং থেকবাইবনু কায়না হনবীনি। মনাই অচানবা লুচিং অহনবনা লেমচেং লিহৈপোক্তা তাইবং থোংচৎ থোংদামিয়নবা তাউজিং হৈচেন্সি হায়না হায়জববু য়াথিদবিনি। নোংমদি মনাই অচানবা লেমথোং-লিনশাংথৌ অখুবনা থা মাইগৈদা লৈবা থোংজু, লিবা লমু লম থাইবয়া। মকমতুদা মৈদিংঙু থোংনাং ময়াম্বনা মুতুম নিংঙোল শিকচেনবা লম কোক্তোক হৈচেন্বা লমু

তাইবি লাংথাপান খোইমোম লাইরেম্বা। লিব্রালৈমা তেংগোন চায়বি খোংনাং তাজেমবি শেনবি কাবোমবা মরমথে তেকপি ওক্লাকোন্দা পানবা-হৈ তুরেনচং লৈঙোইনা খোকশোমহৈ হৈরাং মপানৃতা অহুদি চায়াই লমফেন মানবা মনা থমকোন লৈচুং মানবা মহৈবু থাগোই মানবা তাউজিং হৈনৌজোম হৈরাং তমবু-হৈ কুব্রাং নহা মুব্রাংমুবু পামবা চিনলোনহৈ নোংয়াই থোংকম পামব্রাইতাদা তাউজিং পোৎতম-শা পোনচেং লৈচম্থন্ হৈরাং লুংথোংপুনা হাউরে থানা পাংবরম লমলেন মদাইম। লায়বা থারা মচৌংচিন খোইমোম ইঙা কুমচেন্বগা মদাইরেম শোংকারিক অশিংবগা তাউবা মহুইচাগা য়াউরো শা তরাগা শানথ্পচাং লমলেন শানথুপ চৌংনামুংবু ঙমলোয়না থিংবাই নোংমাংবা থানলৈ লৌতারাই ইরান লোইথারো খোইমোম লাইলানচৌং থুমন লানবা হিরাংথাং লানংলোই থাংকোকতাউ ইরেম লায়বা থারা মচৌংজিন লমলেন মদাইনা। থিংবাই নোংমাংবা থানলৈ লৌতারাই ইরান লোইথালোও কৌবদি কদৌনোংগীনো। অতোন থিংবাই

তুংওইননা খোঙলেন তাইবি লংথবান চৌংঙু মহাদেবগী থোংদাফম খোইমোম লিব্রা লৈম। লাইরেমগী লমথৈনা লোইরিবা, শেনবি কবোথাগী লমথৈ ওইবা ওকলেন তোমচৎশিংনদা লৈনবা মফমদা পানব-হৈ মথোংদা তুরেলগী লৈঙোইনা হৈ পাবীগী মখোং শোমগুবা, পাবীগী মপান মওং অহুদি চা অয়াইবা মচুনা লমথৈ খোপকুবা পামেন মাগী মনাদা মালং নোংশিং হয়গা লৈরাংনা চুগুগী মওং মানবা, হৈরাং মহৈ য়েংলগ। থাগোই মানবা (হৈথাগোক মানবা) হৈনৌজোম কৌবা হৈরাংবু তমজবা, কুবাং নাহা মুবাংমুবু পানবা কৈনা উমগুব-হৈবু থুমন লমদা হৈরাং চাউপোৎ-শেম, চাউপোৎ থক্তা লানা-থুম হৈরাং লোকমাই কোক্তা থোংনা পুতুনা থা মাইকৈ পাংবলম্ লায়বা থারা মচৌংজিন্না, ইঙা কুমজেনবগা মনাই শোংকারিক অশিংবগা তাউবা হইগা শা-তানবদা কারকপা। শা তরাগা লোয়ননা থ্প্রম-চৌংবু ঙমলোয়বা, থিংবাই নোংমাংবগী লৌতাকম, মরান লৈবশিংগী লোইথা-লো চৌংঙু, পোইয়ুমশিংনা লায়বা-চৌং থুমন মচাশিংনা লায়বা হিয়াংথাং, লানগী লাম্মী লোইশিংনা তাবা

নোংমাংবনা খানলে লৌতারাইদা মদাইরেম পাশি খুরাই বাংনা পাশিবা নোং হামেং শেনবনা হাউমন খোইপানূশা ঙাইরোং পোৎতম পুরবু লোইথারকয়ে। অহুনোংগীবু ইরান লোইথালোও থোননেয়ে। ইরান-ও কৌবদি হাউরে নোংপোক্লা পাংবরমগী লাইজা ইরিক্লাইনা হাউরে নোংচুপ্পা পাংবরম চেম্বরকয়ে। অহুনোংগীবু য়িরানও তৌনা কৌয়ে। লমলেন য়িরান লোইথালো হাউতং পুংদোইলো পাশি কম্‌তম্‌লো খোইমোম লাইওইচীং খুমন লানবা হিয়াংথাং লানলোই খাকোবৃতাউ ইরেম লায়বা খারা মচীংজিনদা মদোম খানলে লৌতাবা থমবা ময়াং নাহা হেমচেং লোইরং অতোয়ববু মদাইরেম চেংলে লৈশংবা অথুবনা লুরক কাংদৈ-থি খোনাউ লোনথোং-লেন হকচেংসম মমানলো লালু পোলেম হাল্লকপবু মৈতৈ লৈমা নোংবাললোন নিংথৌ পোকপিনা য়োইবু চারনতাবি লেংন-তিন য়োইহৈ খোংফাং লেংবিনা কোরৌ শীননা লৈরাং অরৈববু লূদা থোংনা লালু অচনবদি খুঙা শূনা থমবা ফাবি চারালোইবু পাংথি লমতম্না থোংজু য়াইরেকপা

খাগোকতাউ ইরেম লায়বা খারা কৌবা চিংজিন্নি। লমদম অসিদা থিংবাই নোংমাংবানা লৌতারকপা মতমদা মরান লৈবশিংবু লোইথা-লো-ও কৌথিব্বু করিদগীনো? অতোন থিংবাই নোংমাংবনা লৌতাবা মতমদা মনাই পাশি খুরাইবাংনা শিবা হুমিৎ, হামেং শেনবনা হাউমন্ খোইপান্-শাহুনা পোৎলুম চৈক্কম পুনা লোই থারকথি। হুমিৎ অহুদগী ইরান লোইথা-লো হায়না কৌথি। ইরান হায়না কৌথিবদি নোংপোক পাংবা মাইকৈরোমগী ঈশিংগী মরিক লিক্লাই মানবনা নোংচুপ মাইকৈরোমদা চেহ্রকই। হুমিৎ অহুদগী য়িরান হায়না কৌনথি। অসিগুম্বা য়িরান লোইথা-লো হাউতং পুংদাই-লো পাশি কমদম-লো চীংগু, লাইওই চীং খুমন খুন্নংনা লাম্না হিয়াংথাং, কংলৈ লৈবাক অসিগী লাক্ষহৌ খুদিংদা কাগদবা লানগী লোই খাগোকতাউগী ইরেম লায়বা খারা মচীংজিন্দা মথমতা লৌতাবা থবা ময়াং নাহা হেমচেং লোইরং অতোইববু মনাই চেংলে লৈশংবা অথুবনা লবাই লিনকু্গা কাংদেম্না থারগা মঙক কুকু্না মশা হন্দোক্লগা মকোকী শম পায়দুনা গুরকপবু মৈতৈ লৈমা অতোম্‌ রেকওইবি

মক্তমাং পাৎয়াই চনম্বা মরমথে মথিং থাংখাবা ময়িমনাক্কী লানলোই লমতাং-শাং খোঙলেন মীকৌবয়মদা লালু খুণ্ডা-শূ হৈরাং লুদা খোংনা তাউজিং হৈয়েন্নরকয়ে। অহুনোংগীবু খমবাফাবী চারালোই খোঙলেন নিংখৌকোন শাকাব-ও ভৌনা কৌয়ে। মৈতৈ লৈমা নোংবালনোন হাউশি মংশাভাবা-চন্দ্র লোইয়ম মংশা তাবনা য়েনবি, খমবাফাবি, ময়াংচৌংগী হেমচেং লোইরং অভোইববু কায়না হনবি-ও ভৌনা কৌয়ে। মৈতৈ লৈমা খমবাফাবি নোংবালনোন সনা লিনকোইকি॥

২৬। মৈদিংগু খুনমোম্বা।

নমু মৈদিংগু লোইনাই খুনমোমব-ও ভৌনা কৌয়ে। মৈদিংগু লোইনাই খুনমোমবা কৌদবিঙৈদি কাউবা মীয়োমবু-ও ভৌনা কৌয়ে।

নিংথৌ পোকপিনা মখোক কায়কপি পুন্নমকপু তিলহন্না, নিংথিরবীশিংনা গুমিং চুম্না শিংঙেল লৈরাং অরৈবমথৈবু কোঙা খোংনা মকোক অহুবু খুত্তা পায়হনা থবা কাবি চারা লোইবু পাৎথি কোমথি লৈববু শেয়া য়ুমদাবা খোংজু বাইরোকপগী মরম্, চনথ শাগেনা খুন্দাবা মথিং থাংখাবগী ময়ুমনাক্তা লানগী লানলোইশিংনা পয়েং শানা চৎপদা অসাইগী মকোক অককপনা খুত্তা-পায় হৈরাং নিংথিবনা কোকা খোংনা পুনা পুনা হৈ য়েন্নরক্ই। গুমিং অহুনগী থবাকাবী চারালোই খোঙলেন নিংখৌকোন শাকাবা হায়না কৌনথি। মৈতৈ লৈমা নোংবালনোন হাউশি মংশা তাবা নিংভোল, লোইয়ম মংশা তাবনা য়েন্থরকপি থবা ময়াংচৌংগী হেমচেং লোইরং অভোইববু কায়না হনবি হায়না কৌই। মৈতৈ লৈমা থবাকাবি নোংবালনোনগী শেংলবা সনা গর্ভমুংগী—

২৬। মৈদিংগু খুনবোম্বা
(খৃঃ ১২৬৩—১২৭৮)

নমু (নমুথৌ) মৈদিংগুগী মিংলেন্দি লোইনাই খুনবোম্বা হায়না কৌই। মৈদিংগু লোইনাই খুনবোম্বা হায়বা মিং অসি কৌদবিঙৈদবি কাউবা মীয়োম্বা হায়না কৌই। মৈদিংগু কাউবা মীয়োম্বদি থা পাংবা মাইকৈদা লৈবা লিশিংলোক্তা

মৈদিংঙু কাউবা মীয়োমবদি লমলেন মদাইমা হাউরৈ থানা পাংবরম মদাইরেম মীৱোংখূবা মীয়োংহনূবা মনুনৱাই মথমথূবা মৱাই লাংগোই লিশিংলোক্তা খোশাবা কোবা লাথুপলেন্‌বা তিনপানবা কাউবা মীয়োমব-ও তৌনা কৌয়ে। মৈদিংঙু কাউবা মীয়োমবা সনা মচুংশেনদি অঙ্কুসং মদোমদে। হাউরৈ লায়না পাংবরম হেমবা চীংশাং খুনলেনলৈদা থংগন লৈদা অয়াম্বা মৈহন্‌চৌং মরাম খোংয়াংবা লান্দাচীংদা খোশাবনে। হেমবা চীংশাং খুনলেনলৈ-ও কৌবদি কদোনোংগীনো? খোয়নৌ নুংবাল চহু য়োইক্লনগান কোয়ৌ খোংচোমনুবি মতা ৬ মানা মমাম্নচা হাউকু শোয়-শেনবা অংতান শোইরৌবা চাহুই ওকৱানবা হাউকু লোইনাই শাকাবা ৬ মাবু চীংবু নোংবু শাংনা ঙাইরময়ে। অছু-নোংগিথু হেমবা চীংশাং খুনলেনলৈ-ও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন মৈদিংঙু লোইনাই খুনমোমবা অতোনবনা হেমবা চীংশাং খুনলেন-য়াই থংকন অয়ামবা মৈহনচৌং মরাম খোংয়াংবা মৈহনচৌং তুবি থিংকু মথিনাই লাইরেন মৈবু য়োংনা খৌশাথরবদি লোইবি চীংশোং

মনাই মীৱোংখূবা মীৱোংহনবনা শিংথিবা মকম, মথমথুবা মথমহনবনা লাঙোই লিশিংলোক্কা খৌনাবদা মতিক মগুন উংনা খৌনাথিবনা কাউবা লাথুপলেনবা মৱা মৈদৈংঙুবু কাউবা মীয়োম্বা হায়না কৌথি। মৈদিংঙু কাউবা মীয়োম্বগী মতিক মখৌনাদি অসিনগু লোইবা নত্তে। অবাং মাইকদা লৈবা চীংশাং নিংথিবদা তাবা থঙাল খুদং লমদা মরাম খোংয়াংবা কৌবনা লাম্বাবা চীংদা লাম্বাথি। হেবা চীংশাং খুনলেন-লৈ হায়না কৌথিবনু করিদগীনো? চীংশাঙ্গিদা নুবাং য়েক ওইবা অৱাবম নৱগা লাইরেমম নিংঙোন ওইবি লোইনবী মচা ৬ মচা মাগী মাগী মপুয়োইবা হাউকু শোয়শেনবা অংতান শোয়রৌবা চাহুই ওকৱানবা হাউকু লোইনাই ওইবা শাকবা ৬ মকপু মতম কুইনা নোংশাংনা ঙাইজরমই। তুশিং অহংগী হেবা চীংশাং খুনলেন-লৈ হায়না কৌনথি। লাইরেন মৈদিংঙু লোইনাই খুনখোবা অশেনবনা হেবা চীংশাং খুনলেনলৈগী খুনথাইদা তাবা থঙাল খুদং অয়াবা, মরাম খাংযাংবা মৈহনচৌংদা মৈদিংঙুনা লাইরেন করি কজাউনা মতিক মখৌনা উংনা লাম্বাবদি চীংশোং নিংথৌ মাইরুবা শগলোইবু লানজখি।

মনিংথৌ মাইমুবা শন্লোইববু কায়ন হল্লে। মৈদিংগু কৌবা মীয়োমবা মাইমুবা শনলোইববু কায়না হুনব-ও মিংহোংখিয়ে। মৈদিংগু কাউবা মীয়োমবা তুবি সনা মচু শেনদি অহুম্নুং মদোমদে। লাইরেন মীয়োমবদু মমোম তম্পা রাংগম লময়াই কোইরেন লানথিবিনা মদাইরেম খুমন চুমব্রেংবগা মমা অখোং ফৈদেকপিচাদা নোংয়াই তাবম্বম মশেনচাবু শেনচাউ নমদা পোনা থাংয়ি উথুমপিচা লৈতাং কোনখম অশৈবা শাংশা ঙাইখোং খোলরোনচেকপু পোনচেং লৈচম্ থন্না ইদাইরেম খুমন চুমপরেংবা নমা অখোং ফৈদেকপিচা লোইবি তারাউ লমপুব-ও নংবু লাউ-ও লাইরেন ইপা মৈদিংগুদা হুয়েন লাননেক-লুও। ময়িম শেনবি তাইপোং মনিল নাইবদি লমলেন ফেনচিকোপ্-ইকোপ্ লাইপনশোয়দা চানা ভেংগোন ৭ শুনা হুয়েন লানকাবকলে। অয়িম নোংয়াই মচেং-মাদি কবুই লমমণ ওইগে হায়রে। নোংয়াই মচেং মাদি হাউখা চাইরেন ওইগে হায়রে। ৰুনবি লোনলাং ওইগে হায়রে। খুমন মচেংমাদি তারাউ ত্বাবা ওইগে হায়রে। নো য়াই মচেং মানা মরিং

খোংকম অসিদগী মৈদিংগুগী কাউবা মীয়োম মাইসবা শনলোইববু লানগুবা হায়না মমিং হোংখিয়ে। মৈদিংগু কাউবা মীয়োমগী মতিক মখৌনাদি অসিনম্ন লোইবা নত্তে। লাইরেন মৈদিংগু মীয়োমবু মচা ইবেম্মা লময়াই কোইরেন লাম্থিবীনা মনাই চুমব্রেংবা অখোং ফৈদেকপিনা পোকপা মনাই খুমন মচা চুমব্রেংবগা নোংয়াই তারবমগী মশেল শেংতাউবু মনমন্দা পোত্নুনা নোংমাইজিং মাইকৈদ পানবা থাংবিগী লম অবুংপদা উখুম কৌবি চেন্নানা খোংবগুম্না মখৌ পোঙলা হায়রকই। ইদাইরেম অচানবা খুমন চুমব্রেংবা অখোং কৈদেনবীগী মচা লোইবি তারাউ লমুবা নগবু লাউনে, মৈদিংগু ইপাগী মফমদা হুয়েন লালপাংবিমু হায়না নেরুও। শেনবি কবোগী তাইপোং লাম্দা থৌবশিংদি ফেনচিকোপ ইকোপ লাইপন শোয়দা ভেঙোন ৭ শুনা হুয়েন লানগায়কলে। খুমন লম মচেং অমদি কবুইগী লমশন কাঙ্গা ময়ম ওইগে হায়রে। নোংয়াইগী লম মচেং অমনা হাউখা চাইরেন লমহু ময়ম ওইগে হায়রি। খুঙ্গা অপুবদু মখা পোন্না থমংগ হায়রি। খুমন লম মচেং অমদি তারাউ তারাং ওইগে হায়না হায়রি। অতুগা নোংয়াইগী লম মচেং অমনা

নাশেন ওইগে হায়রে। খুমনমচেৎ মানা ভাংখুন চাকোৎ খুংখিন ওইগে হায়রে। লাইরেন ইপা মৈদিংঙু-ও! নোংয়াই শেনলৈপাকনে অতোন পাইরৈপাকনে। হুয়েল লালুমবিয়রো হায়না হুয়েন লাননেকয়াগী নযু মৈদিংঙু লাইরেন কাউবা মীয়োমবদি হাউরৈ নোংপোক খানা পাংবরম লমলেন ফেনচিকোপ লাইপনশোয়দা খৌশাবনে। লমলেন ফেনচিকোপ য়িকোপ লাইপনশোয়-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো। নোংয়াই খুমন নিংখৌ চিংখোং খোঙ্গাইবা কাউরেন মঘনচা ভাংবা পামহাইবগা হুইতৌ নিংখৌ য়েনকাবা কাউরেন মঘণ-চা মানবি চীংলোইবগা কাউরেন অনিমা লাইখেংনা মানবি অনি চিরৈনগে তেনশিংববু ভাংবা পামহাইবনা মানবি খুমাংহোৎ হামুন পানবি লেপ্তম হাইনা তেনশিংববু মমানবি চিংলোইবনা ভাকবরা ভাকৃঙমদে। ভাংবা পামহাইবনা হামুন পানবি লেপ্তম হাইববু মানবি লিহেপ্পা কাউরেন কোন্দেবনিগীনা পানবি লেপ্তম হাইগুম হাইখোকলে। ভাংবা চিশাংবদি মানবি মচী কোল্লে। অহুনোংগীবু লমলেন ফেনচিকোপ লাইপনশোয়-ও খোয়ৈয়ে। নোংপোক

মরিংগী নাই মশেনগুম ওইগে হায়রে। খুমন মচেৎ অমনা ভাংখুন চাকোৎলমগী মীনা শিরগা নুং খুংবগুম খুংনকম ওইগে হায়রে। লাইরেন ইপা মৈদিংঙুগী লোইহাবা খুমন লমনি অহুনা হয়েল লাল্লুখিরো হায়না লায়েক্লবা বাদগী নবুখৌ মৈদিংঙু কাউবা মীয়োম্বনা নোংপোক খানা পাংবদা (মৈয়মলোমদা) লমলেন ফেনচিকোপ লাইপনশোয়দা লাম্বাখিবনি। লমলেন ফেনচিকোপ ইকোপ লাই-পনশোয় হায়না কৌখিবদি করিব্দগীনো? খুমন নিংখৌ চীংখোং খোঙ্গাইবগী মল্লাবা কাউরেল অভাংবা পামহাইবগা হুইতৌ নিংখৌ য়েনকাবগী কাউরেল মল্লাবা চীংখক্তা লোইবগা বণ অনিনা হেক খেংনবদা বাইনগে হায়না শীঙলববু ভাংবা পামহাইবনা খুমাং হোত্তুনা নাপি শীজনো—লক্তা মচী মশা হাইনা শীঙজনা লৈববু মমানবা বণ চিংলোইবনা ভাকবরা নিঙববু ভাকপা ওমখিদে। ভাংবা পামহাইবনা কাউরেন মনিং ভগ্না মলোল চঙদনা চানিংবদা চাহুনা লৈবা মরমা পাজল হেনবনা নাপী শীঙবী হাইগুম হাইদখলে। ভাংবা চীশাংবদি নাপী মচী কোয়া লৈখি। হুমিং অহুনগী লমলেন ফেনচিকোপ লাইপনশোয় হায়না খোয়খি। নোংপোক

হাউরংশি লাইমন্ লাংবুয়াংবা থোংঙাইশুগা হাউরা লুংতেকচাগা হয়েন লান্দারম হৈরেম অকাংয়াং খুনচান অকু য়াংহৈনরয়ে। লমলেন হৈরেম মরকশি কোনয়া থৈত্তিংপান-ও কৌবদি কদোনোংগীনো। নোংয়াই খুমন নিংথৌ অতোন পুনশিবনা য়াউরৌ শানাবদা মশানৌ লোনয়ামবদি তালোই খাচিক্লবাগ্রাগী লমলেন খনপল্লবনা তরা চায়োম্দা য়াংলৈ খোমহানদবগী নোংয়াই লোনয়ামবদি তরা চা-পুকলাম পায়মা খোয়নীঙ ত্তিংলবগী তাংজা ইকাইরাগী হুপ্লেন নমঙাননা খেংকোইখিয়ে।ময়িম নোংয়াই তেংথানা খুমন মীকোনা পাংপু কোনও, পাংপানপু য়া-ও কৌয়ে। নোংয়াই লোনয়াম্বদি পাংপান কোনয়া অচন্বদা মরক ওইনা থৈনা ঙান্শিরে। অহুনোংগীবু হৈরেম মরকশি কোনয়া থৈত্তিংপান-ও তৌনা কৌয়ে। লমলেন হৈরেম লৌথম্-লান থম্লান লয়্ংশিও কৌবদি কদোনোংগীনো। হৈরেমও লাইশংলৌ য়েনপুন নিংথৌ চন্নুগা নোংয়াই খৌনাউ খুমবা অতোন ঙাইখোমবা শরিক তাউফাবা চন্নুগা লেমলৈ ঙাতাবদা নোংয়াই

হাউরং মাইকৈগী লাইমন লাংবুয়াংবা থোংঙাইশুগা হাউরা লুংতেকচাগা অনিনা লান্দাখিবা লম, হৈরেম অকাংয়াং খুল্লান অকু য়াংহৈনবা লম্নি। লমলেন হৈরেম মরকশি কোনয়া থৈত্তিংপান কৌখিবদি করিদগীনো? খুমন নিংথৌ অতোন পুনশিবনা য়াউরৌ শাদানবদা মশানৌ লোনয়াম্বনা তালোই (ছুপী) লোম্নবগী খবল্লবনা তরা চাকয়োম যৌখিদ বাংলৈ (য়ু) সু উতোংদা হানবিদবগী নোংয়াই লোনয়াম্বা (খুমন-নিংথৌগী মনাউ) দি তরা চাক লায়রুনা চহুই চঙংনরবগী মীঙোন্দা হায়ল্লবসু ইকাইবনা হুপ কৌবা নাপিদা হিপথহুনা থৈহুনা খাঙখি। নোংয়াই লমগী মীনা পাংপু কোন্, অহুগা পাংপানবু য়া হায়না কৌ'নৈ। খুমন মচা লোনয়াম্বদি পাংপান্ কোন্য়া অপুকপদা মরক ওইনা থৈহুনা লৈবদগী শিরে। মুখিং অহুমী হৈরেম মরকশি কোনয়া থৈত্তিংপান্ হায়না কৌনৈ। লমলেন হৈরেম লোথয়ান থয়ান লয়্ংশি হায়না কৌখিবদি করিদগীনো? হৈরেম লাইশংলৌ য়েনবুন নিংথৌগী মচাহুপিগা খুমন খৌনাউ খুবা অতোন ঙাইখোয়া শরিক তাউফাবাগী নিংঙোলগা অনিনা ঙা ফাবা চংশদা নোংয়াই খৌনাউ খুবা চন্নুনা ইভা ঐগী চায়খোইবী লোয়নবী। লৈকাইগী

খোঁনাউ থুমবা চন্থনা হে খোয়নৌ ইতা লোয়্নবি লৈকাই য়িরুবা মাংকোন শাইনোম্নবি নোংয়াই খোঁনাউ থুমবা চম্থু-ও। নতা ঐদি মবেনশেন্দা অয়াংকাবি ময়িমখাংবু ঈনফুই মায়রংশোন হংগেন তাইখাং-লাক পৌরা লুরুক্চন্না তিলাং হায়শিংননা লেমলৈ ঙাচোপ্-থেম্বিনীগীনা ঙাতোন তোনখালাবু হায়রক্নে। মপাম হৈরেম তেংখানা থমলাবু থম্-ও তৌনা কোয়ে। থমলা লাকোয় লুরোই থংনা লেমলৈ ঙাশিং ৬ য়োম্না লান্জখিয়ে। খোয়নৌ ইতা-ও! লেম্লৈ ঙাপুম ৬ মাসিবু নহু নিংথৌ নোংয়াই খোঁনাউথুমবদা লমওরুক-ও হায়রবদা, খোয়নৌ ইতা ঙাইখোমবা শরিক তৌকাবা চম্থনা নতা ঐদি লাইসনা ঙাতালোং, নোংদা লাইরেন পাখংবা খোনখংলোং লাইজ চেপকোংলোংবু লোংকানবিনীগীনা লৈতাং কাউবি-চন ব্রাংম্বরোন শমকাবি লক্মন্নরকলবদি লেমলৈ ঙাশিং য়াম্না লাকপা ঙাচিং চিংলোয় নাইবু হাইয়ে হায়না ময়িম নোংয়াই তেংখানা থুমন মীকোননা থম্নাবু লাইরা-ও কোয়ে। লাইরা লাকোই থংনা ঙাচিং

ইরূপ ইপাংনা পঙ্খৌ মাঙ্গোল থম্না লোয়নবী, নোংম্বাই খোঁনাউ থুম্বগী নিংঙোল-ও! নতা ঐদি মবেল শেন্দা অয়াংকবিগী ঈনথাংবু ঈনফুই মাইরংশোন হঙ্গেন তাইথাং লাক্‌না পৌরা লুরক চম্না মতিন্ থু' লাউনা শিংনা লেমলৈ ঙাবু চঙলকবা হোংলবীনিনা ঙাতোন তোনলাববু লরুকলে! মপাম হৈরেম লমগী মীনা থম্নাবু থম হায়না কৌই। অসিঙবা থমলা লাকোয়বু থক্‌না (হেক্ক্‌না:) ঙা মশীঙ ৬ য়োম্না লানজখি। ইতা চাম্নবী- লেমলৈ ঙাপুম ৬ অসিবু নোংপুরা নিংথৌ নোংম্বাই খোঁনাউ থুমদা লমওক্লোকো হায়রবদা, খোইনৌ ইতা! ঙাইখোবা শরিক তৌকাবা চম্থনা নতা ঐদি লাইম্নানা লেমলৈ ঙাবু কাবা লোং নোংদা লাইরেন পাখংববু খোনগংপা লোং লাইজ ঈশিংঙাক্তা চেপ্না কোংপা লোংবু পায়রম্নবনিঙ্গীনা লৈতাং লমদা চাবা কাউরেন মশা শিংবা বনওম্না মশম ইকা কাবি লেমলৈ ঙাশিং য়াম্না লরুবম্ ঙাচিং ঙাক্তা মকায়দো। অহুবু থুমনগী মীশিংনা নোংম্বাই লমগী মীওইনদি থম্নাবু লায়রা-ও কৌই। লায়রা লাকোয়্ থংনা ঙাচিং চিংলোই নাইবু (ঙাচিং অচৌববু) থম্না ১২ দং য়োম্নগা পাউরেনখি। হে ইতা

চিংলোই নাইবু লেমলৈ ঙাপুম ১২ য়োয়া পাউমেনখিয়ে। হে খোয়নৌ ইতা! অরাই শংলৌ য়েনবুম নিংথৌ চন্ন-ও। নংগী লেমলৈ ঙাপুম ৬ মাকী মথক্তা ঐগী লেমলৈ ঙাপুম ৬ মা খোনবিরবনে। নপন অরাইদা নয়ু শংলোদা লমওক্লক-ও হায়না লানজখিয়ে। অহুনোংগীবু হৈরেম লৌথম্লান থম্লান লমহুংশি--ও তৌনা কৌয়ে। চীংনৌগীদি চীংমাইখু কাউরেল যণ ওন্থখেন ময়িম যনলৌ-চীং লেয়া ওনপাইচীং কাককৈ লুমরেংচীং শময়োং তোন্নানচীং লুংলাই খোমলেনচীংখু নাতৈননা শেনবি তাইবোং মনিল নাইবনা নোংয়াই য়িমলক অতোন য়িময়া কংগে হায়না চানা তেংগোন ৭ মানা লাংবন খোইরেন পাইশুম শেনবি ময়াং হৌনা পনখেলগা লাইরেন মৈদিংঙুনা মদাইরেম পোইরৈ অথৌলিচা হেম্পাশিংগা হুয়েন লানথোং অমা লেপলে। ময়িম কেগে মনিল নাইবনা হুয়েল লানথোং অমা লেপলে। ময়িম নোংয়াই মনিল নাইবনা হুয়েল লানথোং অমা লেপ্লবদা শেনবি নোংমাইদি কোয়ৌ থমনাংখোং য়াংবন লাউনা নোংখোংগুমলকলে।

চায়বী! অরাই শংলৌ য়েনুম নিংথৌগী মচা-ও! নংগী লেমলৈ ঙাপুম ৬ মকী মথক্তা ঐগী লেমলৈ ঙাপুম ৬ অমগা অহুক খোনকৎনা পিরবনি। পন্থৌ অরাইগী মকমদা নযুথৌ শংলোগী মকমদা লমওক্লকো হায়না লাগ্লখি। মুশিং অহুদগী হৈরেম লৌথম্লান থম্লান লমহুংশি হায়না কৌখি। চীং অমনি হায়না লৌয়বন্থ চীংগী লোকমাইদি অপিকপা কাউরেন যগ্না ওহবা খেল ময়ুম যনলৌ-চীং লেয়া ওনপাই-চীং কাককৈ লুমথেংবা-চীং য়োংথা খুদিং নাম্থোক চীং নুংজাউ মায়া তাবা চীংবু তুংওই নাতৈননা শেনবি তাইবোং মনিল নাইবনা খুমন য়ুম্লক অদোন য়ুময়া কংগে হায়না খুংচাবা তেঙ্গোন ৭ মক্না লাংবন থাদা পাইবা খোইরেম্না পাইওয়া শেনবি কবো মইথনা ময়াও হৌহনা লান্থারবদা লাইরেন মৈদিংঙুনা মনাইশিং মৈতৈ অকনবা অথৌবশিংনা হয়েন লাম্থোং অমা লেপলে। মোইরাং লান্দা থৌবনা হয়েন লাম্থোং অমা লেপলে। খুমন লান্দা থৌবনা হয়েন লাম্থোং অমা লেপ্লবদা শেনবি নোংমাই লানথোইশিংদি কোয়ৌ থঙ্কা থোংবা নোংগী অথাক অরাউ খোয়েলগুম্না শালাউ লালাউ লাউহনা লারে। লিরুং মনম পোনবগী কাপকপা

পোন্নকন্ মতেনচাবু লাংবন থোইরেন পাইওয়া কাপলকুলে। কেগে মরানথোংদা হা ইপন মনাউপু শেনবি নোংমাইনা কাপকৎলকয়ে। নোংমাই মরানথোংদসুং ঙানবা হাওরুকোকপু নোংমলুলে। পোইরৈ মরানথোংদসুং তাইপোংবা নোংমাইনা মচী চাউবা চাউপোক ঙমজবু নোম্‌হাংলবগী লাইরেন মৈদিংঙুনা তুবি কলুহৌনিক লাইরেন থাংশা মতম পায়া লাংগোই শাথৌ থোইনা হুয়েন লাক্তানচিনখিয়ে। শেনবিচানা তেংগোন ৭ চায়রে। তাইপোং লানগা মাঙলে। হুয়েন লাননিক্কীদি শেনবি-ও পাত্তাউবা পামিংনবা চাংথরুং চংনিংশিং-পোনথুরাং লাইরবা সনা চিনবান থোংনা চা শায়বা লুপা চিনপাল-থোংনা লিয়োংবা সনা কোনমিংনবা লাথম কৌবসুং কায়না হুয়ে। লাইরেন মৈদিংঙুনা থংচিং মথোক্লাংনা মৈবা য়াইগাচনজনা চুপলেন থাগা-থা মৈয়েং থক্তা-থোন খুংপি য়াউরাইচীং খামবি মৈগা খুনা নোংমাই শিংচালোক্কী কারকুও। অতোন ঙাংচরকপু তিময়ো হায়না নোংমাই শীংচালকীবু থোমজিনখিয়ে। মৈদিংঙু লোইনাই খুনমোমবা

তেন্না লাংবন থাদা পাইবা থোইরেন্না পাইওয়া কাপ্নকলে। মোইরাং লমগী লমথোঙবা হা ইপন মনাউপু! শেনবি নোংমাই লালোইশিংনা তেন কাপলকলে। খুমনগী পহোংদসু ঙানবা হাউরুকোকসু শিরে। পোইরৈ লমগী খুনগী পহোংদসু তাইপোং লমগী লাঙাবা নোংমাই লমগী লালোইশিংন্না মখৈ কংনা লান্দারবগীদমক লাইরেন মৈদিংঙুনা পায়না কহি কপ্পাউ হৌরা মৈদিংঙুনা থাঙশাং পায়তুনা লাজোই শগোল থৌহুনা থোয়না য়াংনা হুয়েন লান তানশিন্নকখিবদা শেনবি মচা খুৎচাবা তেজোল ৭ পু কায়খি। তাইপোং লালহৌবা লানগায়কপশিং মাঙখি। লানকম অসিগী শেনখি লালোইগী লানপাউ তাবা পামিংনবা চাংথরং চংনিংবনা পোনথুরাং লাইরবা মকুৎতোগী সনা য়াখং হিক্তোকপা, কোলোয় য়াহৈবু ফিগাউনবা, শেনবি অচানবশিংগী মরক্তা মিংথাজকমুহ লানজখি। লাইরেন মৈদিংঙুনা খুৎশু চাগী মথোক্তা মৈবা ময়াই-চন্ চাগী চুক্লো থাবা থাহুনা মৈয়েং থক্তা থোন খুংপি য়াউয়াই চীংদা থাবী মৈথু খুয়া নোংমাই শিংথারকপী কারকও। অতোন ঙাংজরকপু তিময়ো

লোংয়াই শীংজালকী খোমজিনবা অতোন ঙাংজলকপু তিনচিন্‌ব-ও তৌনা কৌয়ে। মমোম তমপা য়াঙমলোনবুসুং লময়াই কোইরেন লাম্বি লাংগোই মারামবা ফাবি মীংহোংখিয়ে। লাইরেন মৈদিংঙু লোইনাই খুনমোমবা নোংয়াই লাইকোইপুংদা-তা মিংথোং ফবনা তুম্বি মরান ওন্দেরক্লবদা নোংয়াই থিংনেমখোং খুমন য়াংদৌ অচেন-খোংদা মচন লৈমা হৈপোকঙমবি মনিংলৈমা পোনচেং ঙমবী অতোম্বী য়োইরেন্‌বা খুরামবা লোইচাঙমবনা পোকপি শম্লা লংমাই নিংথৌ চক্লবু কায়না হুল্লকলে। মৈদিংঙু কাউবা মীয়োমবা কৌবদি কদৌনকো। মুরা কারে শেনখোই তোংলে। মৈদিংঙু লোইনাই খুনমোমবা ইকোপ খোংফেন থৌবা নোংয়াই শীংচালকী খোমচিনবা অতোন ঙাংচলকী তিনচিনবা-ও হায়না মিংথৈখিয়ে। মৈদিংঙু লোইনাই খুনমোম্বদি চোয়নৌ সনা মিংহুনগীবু চুনবনে।

নয়োন মৈতৈ লৈমা য়াংলৈঙমবি-ও তৌনা কৌয়ে। মৈতৈ

হায়না নোংয়াই শীংচালকপু খোমজিনখি। মৈদিংঙু লোইনাই খুনমোম্ববু লোংয়াই শিংজালকী খোমজিনবা অতোন ঙাংজলকপু তিনশিনবা হায়না কৌনখি। মচা ইবেম্মা অহল তম্ফা য়াঙমলোনবুসু লময়াই কোইরেন্ লাংবি লাজোই শগোল মরাম্ববু ফাবি হায়না মিংহোংখি। লাইরেন মৈদিংঙু লোইনাই খুনমোম্বনা খুমনগী লাইকোইপুঙদা মতম থরা লৈরুবনা মৈদিংঙুগী মমিংবু মীয়ামা নিংথিনা হায়নরবগী মতুংদা মৈদিংঙুনা মযুম কংলৈপুংদা হুল্লকপদা খুমন লমগী লম্বী অচেন্‌খোংদা লৈবা য়োইরেনবা খুরাম্বা লোইচা ঙম্বনা পোকপি শম্লা লংমাই নিংথৌগী মচানুপি হৈপোকঙম্বি মনিংলৈমা পোনচেং ঙম্বী অতোম্বীবু লৌরকই। মৈদিংঙু কাউবা মীয়োম্বদি মতৌ অহুম্লা লৈমা কয়াগী মরকগী অহেনবিশিংগা লৌয়নহুনা লৈরকই। মৈদিংঙু লোইনাই খুনমোম্বা ইকোপ খোংফেন থৌবা খুমনগী লুচিংবশিংবু খোমজিনবা অতোন ঙাংচলকগীসু তিনশিনবা হায়না মমিং অথিনা থৈমখি। মৈদিংঙু লোইনাই খুনমোম্বদি কুদোংলবা সনাগুম মিংহুন অসি চুনবনি।

নবেজ (মবেক্কৌ) মৈতৈ লৈমগী মিংদি য়াংলৈঙবী হায়না মিজোই ; মৈতৈ

লৈমা খয়োইরোন য়াংলৈঙমবি কৌদরিংঙৈদি খয়োইরোন চাখা খোংচোমবি উতোই লাম্বাবি ষণলম তেনহৈবি মাকপা পানচুমবি, কোইরেং ঙাশালেং কংচ য়িব্রাংথোই চিননেনবা কোলোই মিংথা থিবা অয়ামবা য়াংকোইস্নুবু কায়না-হুনবি খয়োইরোন তনাবি-ও তৌনা কৌয়ে। লমলেন মদাইমা হাউরৈ লায়না পাংবরম ময়াংলাইকোই-চীংও কৌবদি কদৌনোংগীনো। লাইরেন ঙাংঙোই য়োইমোংবনা মোংবা শানান্ তান্ঙৈ য়াউরৌ শা তোকপগা মোংবা চোইচিংলেনগা কোয়না কোয়না তাম্লরে। লাইকোই-ও কৌয়ে। শমু মথু-তোনবু য়াংলে। ময়াং-ও কৌয়ে। নিংথৌ ময়াং লাইকোয়চীং তোংচেং শারু-কোয়্ লমলেন লাইনারোক্তা খানলৈ লৌতাবি হাউরৈ নোংপোকলা পাংবরম মোংবা শাখুনপুৎ অব্রাং লাংথাপান তেনলৌ লমদাইথেং য়াউরৌ শঙাইলান অব্রাং চারু তাংশোয় য়ামবা শন্দংলোকশা হকুপলম্বু নাতৈননা য়াংলৈ শিংনাদনা হনথোইবা খানুনাদনা লনথোইবা খান্না লমলেপ্পা পামেন উ-খুদেং খোয়দোংববু তরা চায়ানবা

লৈমা থুমন মেক ওইবীনা (নিংঙোলনা) য়াংলৈঙবি হায়না কৌদরিঙৈদি খয়োইরোন চাখা খোংজোম্বি উতোই লাম্বি ষনলম তেনহৈবি মাকপা পানজুম্বি, কোইরেং ঙাশালেং কংজ ইব্রাংথোই বাহৈ বাতা অতম্পি হায়না মিংথোন থিহুনা মিংহনবি, অয়াম্বা য়াঙ্গোইস্নু ওমজবি খয়োইরোন তনাবি হায়না কৌই। অব্রাং মাইকৈদা লৈবা ময়াং লাইকোই-চীংবু ময়াং লাইকোইচীং হায়না কৌথিবদি করিদগীনো? মঙাং নিংথৌজা শলাইগী সনা ঈ য়োইমোংবনা মোংবা শাদানঙৈদা তোকপগা মোংবা চোইচিংলেনগা কোয়না কোয়না তামথি। অতুদগী লাইকোই হায়না কৌথি। শাদানবদা মথোং য়াঙনা তাদ্রৈ হায়বগী ময়াং হায়না কৌথি। ময়াং লাইকোয়চীংদা নাপী শীঙবী মরু কোয়হুনা ময়াং লাইকোয় লমগী লোক্তা লৌকম শেন্না লৌতাবদা, শাগী শাথোং পুৎথবা অব্রাং লাংথবান, তেনলৌ লমদাইথেং শঙাই শানা শান্নানকম, অব্রাং মাইকৈদা চরুথোক্না য়াবা, শন্দং শানা য়ান্না লৈব লোকপু তুংওই নাতৈননা লম্বি তুখুন লৈতবগী চৎনুবা খুদিংন লম্বরম অহু য়োনা চংনদহুনা হন্নবা, পামেল খান পান্নীদনা য়ান্না হোথা পামেল

ঙাউরৌ শাপেং চিনদোন নৌববু লিয়োংবা চংবি লুক্থানববু হেকনদা পুম্লুং নক্লা হৌববু য়াম্নদবা লাংলেন কোংয়াং ৱাশালি নাৱা খোইচু-ত্তেন হংঙোই তাউকাপলিধু লিরি থমোই-তিং ৱায়রা শেংগমথোং লাকা তেনমাই-লাক লাইরকপানগা তম্না তেনৱাইরবদি হংঙোই কৈরা তানগা তুরবদা থাংয়ি মরোং-শাম লোইমোম চাহে কৌয়ে। লুৱাই কোইরেনতোনদা শিনৌ লুৱাই থায়না পানবা কুমদি ইঙা চায়বি-হাঙ্ ইঙেন কুমগাংনিকয়ে। হংঙোই উন্বি চক্মলেংনা পাল্লবদি থাংয়ি ফৌরিকচোন লোইমোম চাহে চোনয়ে হায়না ইঙা কুমচেন্না ইঙেল কুমথাইনব-পুং য়াংলৈ চাকলিকপোক্তা নোংপোক সনা কোনলাং-চান কাবা মকা তৌহাইরবা মকোনখং চোয়নৌ সনা খাউনিংগী চিথোই পাউরাকপা ফরা হাথম্ তাউবা মকোন্খং শেনবি কিয়াং কোন্মাচং খাউথোম পন-মরু তনৌবা কোম্না চোয়নৌ সনা খোমহানবি খয়োইরোন য়াংলৈঙমবি হুয়েন লাননিগীদি য়াংলৈ য়াচুবি য়াচুবা নোংপোক থায়েংবি থায়েংবা কোনঙৌবি কোনঙৌবা য়াংলৈ কুমতমবি

উনা শাবা থুদেং মথোয় তোংববু শেমজুনা তন্না চাক চানববু য়ানবা শবেং কোবা শানা লক্ লগোন নিংথিবদা খন্দুনা চাবা, মী চঙহুনা হেক্রদরবা, লিৱা মচা য়াম্না হোবা-লমদা নাৱা খোইজু ত্তেন হঙোই তাউকাপ লীনা থম্মোই লকা তিংনা তেঞ্জে শেঙ্গম শানা তেনগী তেনমাই মপা য়েংনা তেনকাপ্লদি হঙোইগী কৈগন্দা পাল্লগা চহিগী চাহৈ চরোং ৱাৎলি। লৱাই লুতোন্দা লৱাই থায়না পাল্লবা কুমদি ইঙা থাদা তাগদবা নোংবু তাদনা ইঙেল থাদস্থু কুমথি কুমগাং ওইনৈয়ে। হঙোইগী মপুক্তা তেঞ্জেনা লেংনা পাল্লগদি লোইমোম ফৌগী কৌরীক চোনবা চাহৈ চরোং চুম্না পাল্লে হায়না ইঙা কুমজেম্না ইঙেল কুমথাইনবা-পুঙ্ য়াংলৈ চাকলিকপোক্তা নোংপোক মাইকৈদা থোকপা হুমিংনা সনাগী মচু মশেক্লা অকুং অতোং খুদিংদা মঙাল শম্না শন্দোক্লকপবু কবো কিয়াংগী সনা খোমহনফমগী পনমরু ওইবা লমদা খোমহানবি খুমন নিংঙোল য়াংলৈঙবিদি হুয়েন লান্দারবস্থ য়াংলৈ য়াচুবি য়াচুবা নোংপোক মাইকৈগী থায়েংবি থায়েংবা, কোনঙৌবি কোনঙৌবা য়াংলৈ কুমদথি কুমদথবু মাইথিহনবি হায়না

কুমতমবধু কায়না হুন্বি-ও ভৌনা মিংহোংখিয়ে। মৈতৈ লৈমা অতোন নোংয়াই খুমনথেম চন্থু খয়োইরোন য়াংলৈঙমবি সনা লিনকোইগি।

২৭। মৈদিংঙু মোইরাম্বা

নয়ু মৈদিংঙু মোইরামবা-ও ভৌনা কৌয়ে। মৈদিংঙু মোইরামবা কৌদরিইভেদি খুনমা লানয়াম্বা-ও ভৌনা কৌয়ে। মৈদিংঙু খুনমা লানয়ামবদি হাউরৈ খানা পাংবরম লৈতাং য়ুমোইকোল লানলোই পাউবিভেক নোংয়াই পানচংপুং খুমন কংদ-থোং মচন পোংমুখম নোংয়াই খাংশাখম থাংশা নুমাই তেনশা ফাবা ফান-শোয় নোংয়াই খুমনথোং শরা রাইরৌপামবা মন্নশোয় হনবা-চা কারামবনা লূকচি শেংসৌননা লমভাইরাই লৈতাং য়ুমোইকোন ঙাতেন লাংকমবম চন্থু ময়িমকমদা খোঁশাবা খুমন থংচি নাউখোং মচন লাংসুম মতৈ মনাউনা হুপ্পা-তোনগা চিংনা লৈতাংঙাবিবু কায়না হুন্ব-ও ভৌনা

মনিং হোংখি। মৈতৈ লৈমা খুমন লমগী খুমন নিংঙোল, খুমন্থেম চন্থু য়াংলৈঙখিগী শেংলবা সনা গর্ভফুংগী॥

২৭। মৈদিংঙু মোইরাম্বা।

(খৃঃ ১২৭৮—১৩০২)

নপু (নবুথৌ) মৈদিংঙুগী মিথলেন্দি মোইরাম্বা হায়না মিলোই। মৈদিংঙু মোইরাম্বা কৌদরিইভেদদি খুনমা লানরাম্বা হায়না কৌই। মৈদিংঙু খুনমা লানরাম্বদি খা পাংবলমগী লৈতাং য়ুমোইকোন, লানগী লানলোইশিংনা লৈবা পাউবিভেক নোংরাই পানজংপুঙু খুমন কংদথোং মচন পোংথু অথম্বি নোংরাই খাংশাম্বা নুমাই তেনশা কবনু কাবা-শোয় নোংরাই খুমনথোং শরা রাইরৌ পাম্বা শিকমশোয় হনব-চা কারাম্বনা লোক্তী মচি ময়াদা লমভাইবদা লৈতাং য়ুমোইকোন ঙাতেন লাম্বম চন্থুগী য়ুমকমদা থৌনাবা খুমন থংচি নাউখোংগী মচন লাংজম মতৈ মনাউনা হুপ্পা হুপতোন পাম্না চিংথুনা লৈতাং

কৌরে। মৈদিংঙুগী সনা মচুংশেনদি অহুম্মুং মদোমদে। হাউরে নোংচুপ খানা পাংবরন কেগে ওক্করম খুয়োন মেনমৃতাক খোইনাই তাইবিলোদা খৌশাবনে। কেগে ওক্করেন-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো? কৌবা অঙাংঙা মপারী ৫ মা খোইনাই য়িমথংবা, য়ুকোকথোং য়াইমবা, য়িরু লৌথিবা পিবা নাউরুম অতোনবগা কেগে খুনগুমলক মোইরাং খুন্দারকপদা মেত্তে লিশিংতা মেনতোং মুংগাইচিংগী খুয়োন য়োইথোকচাউ থোকচাউ অহনবগা লমওক্করে। অহুনোংগীবু কেগে ওক্করেল ঙাংঙোই থংনরেল-ও তৌনা কৌয়ে। খুয়োন য়াংবা মশীংকাইবা মশেনবু মেন্না তাইনা হায়নরময়ে। খোইনাই তাইবিরৌ-ও তৌনা কৌয়ে। ব্রায়রা শাবুন হুয়েন লানবু ওক্লগবরা হায়না তেকপি শাপৈয়েং কায়রৈ য়েনথা শেংনা পাদমলময়ে। অহুনোংগীবু পুকফাৎ শারৈলো কায়রৈ য়েনখালো-ও তৌনা কৌয়ে। কেগে হৈব্রাইলোক্কী মপন নিংথৌ, উমিরক্কী থংদা নিংথৌ মালেম লৈদা তারবদি ব্রাতা নিংথৌ চৈরৈ ফিনা য়ারবদি থংবা নিংথৌ মোইরাং

ঙাবিবু ফাবগী থৌনা ঙম্বা হায়না মিঙ্গৌই। মৈদিংঙুগী মতিক মথৌনাদি অসিনমু লোইবা নত্তে। মোইরাং মাইকৈরোমগী কেগে ওক্করম খুয়োন মেনমতাক খোইনাই তাইবি-লোদমু লান্নাবনি। কেগে ওক্করেন কৌথিবদি কন্নিদগীনো? কৌক্রুগী মচানিপা কৌবা অঙাংঙাগী মচানিপা খোইনাই য়ুমথংবা, য়ুমকোকথোং য়াইমবা, ঈরু লৌথিবা পিবা, নাউরুম অতোনবা ৫ মক্সা মোইরাংগী লমদা কুম্রক্কুনা মোইরাংদা খুন তারকপদা মেন্দোং মুঙ্গাইচৌংগী খুয়োন য়োইথোকচাউ থোকচাউ অহনবগী মেত্তে লিশিং লমদা ওক্করে। মুমিৎ অহুদগী কেগে ওক্করেল ঙাঙোই থংনরেল হায়না কৌথি। খুয়োন য়াংবা মশীং কায়বা মশেনবু য়াঙাং নিংথিবনা য়াহৈ কায়ল চনববু মেন্না তাইনা হায়নরমই। খোইনাই তাইবিলৌ হায়না কৌথি। লমখাংদা শারেল শাবু থেংনগবরা হুয়েন লানবু ওক্লগবরা হায়না ওক্কী ওকপা থায়ন-য়েং, য়েনগী য়েনথা শেত্তুনা নোংদম য়াইক মঙং য়েংলমই। মুমিৎ অহুদগী পুকফাৎ শারৈলো কায়রৈ য়েনখালো হায়না কৌনুথি। কেগে হৈব্রাইলোক্কী নিংথৌগা উমিরক্কী নিংথৌ

ইথাই কাইরেমবনা ঙাইখোং পোৎলেন লোইবু লোইথৌখিয়ে। ঙাইখোং নিংথৌ খোংঙাবমসুং কুমলকও। মপারী নিংথৌবসুং তারকও পৌনবাকমসুং ফারকও। ৱাকয়ৈ হিমসুং থারকও হায়ববু ঙাইখোং নিংথৌ খোংঙাবদি কুম্লকতে। মপারী নিংথৌবা ৱাংঙমবু কুমলকয়ে। পানবা কৈমসুং ফারকয়ে, ৱাকয়ৈ হিমসুং থারকয়ে। মোইরাং ইথাই কাইরেমব-না ৱাতাথিখিয়ে। ঙাইখোং নিংথৌ খোংঙাবদি কুম্লক্তে। পানবা কৈরাং খোং-ও তৌনা কৌয়ে। কেগে নিংথৌখোংবু নাতৈননা কেগে মোইরাং খোয়বা লাংমাইরেমবা অথৌবগা নোংয়াই হৈয়েন অথৌবগা চায়না খোংফেন্নবঙে নোংয়াই হৈয়েন অথৌবগী টিমেন মথুৎশূনা ফেল্লবদি পানবি লূমায় লেংনা শোয়রেন ফুমবি তুরে। খোয়বা লাংমাইরেমবগী টিমেন মথুৎশূনা কেল্লবদি উন্‌বি চকম লেংলে। ময়িম কেগে ৱাহায়না মোইরাং তেংথানা য়িশিংবু লোকলৌ-ও, কংফানবু কোংকি-ও কৌয়ে। নোংয়াই হৈয়েন অথৌবদি কংফান কোংকিথক্তা লোকলৌ নমঙাননা লুতুরে অদু নোংগীবু লোকলৌ

তমপাক লমদা পানবগা কুমজা লোইহা পোৎপু ফিনা লোইহা পিগনি হায়না য়া-নবা মোইরাংগী নিংথৌশিংগী হেক মথংদা মনিংতম্না পাল্লিবা ইথাই কাইরেম্বনা চৈরৈ ফিগী লোইপোৎ থৌখি। ঙাইখোং নিংথৌ খোংঙাবা নংসু কুমলকউ। নচা ইবুংঙো নিংথৌবসু ৱাউম্লকউ, পানবা কৈ অমসু ফারকউ অদুগা হি অমসু থারকউ হায়ববু ঙাইখোং নিংথৌবদি কুম্লক্তরে। মচা ইবুংঙো ৱাংঙম নিংথৌবনা কুম্লর্কখি। পানবা কৈ অমসু ফারকই হি অমসু থারকই অদুনা ইথাই কাইরেম্বনা মপুক তাখিখি। ঙাইখোং নিংথৌবদি কুম্লক্তে অদুনা পানবা কৈরাংখোং হায়না কৌখি। কেগে নিংথৌখোংবু তুংওইনা থম্লগা মোইরাং খোয়বা লাংমাইরেম্বা অথৌবগা খুমন লমগী হৈয়েন অথৌবগা চায়ন-খোংফেন্নবঙে (মায়োকচুনা লানশিঙনবঙে) দা হৈয়েন অথৌবগী মথুৎশূ টানা হুন্নকপদি শোয়রেন ফুম্বি থক্তা হৌবা নাপীথক্তা লেংবনা শোয়রেন তুনা লেংলে। খোয়বা লাংমাইরেম্বগী মথুৎশূ টানা হুন্নকপদি হৈয়েন অথৌবগী মপুক্তা লেংলে। মোইরাংনা য়িশিংবু লোকলৌ হায়না কৌরে। কংফানবু কোংকি হায়না কৌরে।

হৈয়েনতু কোংকি চৈথাপান-ও তৌনা কৌয়ে। কেগে রানিংথৌ মোইরাং তুশেনবা শংনরাই মশেম তোংতোইপুং মোইরাং কামিয়া অথৌবনা হুয়েন লান্দারম নোংপাল থাংতেক লালোই ৫ মাবু তাংজ মশম কক্লা খোক্লাং পামহাই শক্লরম্ হাউন্নু কৈশিতোনবি তাংজা লুথোকরাই কক্লা শমজি লমদাই-থেৎ কেগে লৌরাইচাউ মোইরাং পুপানরাবু ঙমলোম্লনা ঙানখা লমদাংশাং মেনতাক লমথোনপাল কেগে মোইরাং লৈমা য়োইরেনবি খোইনৌ মতা ৭ মা ঙানখা লৈমা য়োইরেনবি খানবি লৈমা কোংয়ামবি শামন লৈমা নামোইনু লোনফু লৈমা মৈতৈনু উরা ওক্রুক্ল লাইজিং লৈমা তোননুমু নিংথৌ উমাই চপু লৈমা হামজৌবি খোয়নৌ মতা ৭ মানা চোয়নৌ সনা শেনতেংকোৎ শিনাইবা অপানববু লু-দা থোংনা অয়ুক চামাই লাংনা ঙাংখা লৈহোন্লম্ মেস্তাক লমথোংপান্দা হুয়েন লাম্নিগীদি কেগেলক্তীতিন লৌথাচা লাংথোংলক্তী রাপানাউচা উরা লাংমাইরেমবা ঙাংখা নমপোক্তী অখোং নিংনোম্বা অথিং অচাংচাবু কায়না হুনবা মৈদিংঙু মোইরামব-ও

খুমন অথৌবা হৈয়েন অথৌবদি কংফান কোংকিথক্তা :লোকলৌ (ইশিং) দা ঙাত্নুনা (তাত্নুনা) তুরে। হুমিং অত্নুদগী লোকলৌ হৈয়েনতু কোংকি চৈথাপান হায়না কৌনৈ। কেগে রানিংথৌ মোইরাং লমঙাকপনা তোয়না তোংবা-পুং, মোইরাং কামিয়া অথৌবনা লান্দাথিবা লম, নোংবাল থাংতেক লান্মী ৫ মকপু মকোক কক্লা মশম পায়হুনা পাম হাইবা মতৌঙম হাইনবা লম হাউন্নু কৈশিতোনবিগী তাংজা মশমবু লুথোকথিবা মতমদা কক্লা মপালনা শমজিদা থেৎথিবা লম কেগে লৌরাইচাউ মোইরাং পুপানবাবু মাংওইনরহুনা ঙানখা লমদাংশাং মেস্তাক লমথোনপাল কেগে মোইরাংগী মথোক কাবি চাম্নজবী মতা ৭ মক্তা, ঙানখা খুনগী লৈমা নিংথিবী খানবিলৈমা কোংয়াম্বি, শামন লৈমা নামোইহু, লোনফু লৈমা মৈতৈহু, উরা ওক্রুক, লাইজিং লৈমা তোমুম্নু, নিংথৌ উমাই চমু, লৈমা হামজৌবি খোয়নৌ চারজবী মতা ৭ মক্তা নিংথিনা কেংদোক্লবা শেনতেকোৎ শিনাইবগী মপোৎ অয়ংববু কোক্তা হাপ্তুনা অয়ুক্তী চায়া চারগা ঙাংখা খুনগী লম অহোক্তা মেস্তাক খুনগী পথোং ময়াদা হুয়েন

তৌনা কৌয়ে। মৈদিংঙু মোইরাংমবা মেনুতাক লাম্বাবা-ও তৌনা কৌয়ে। তুবি মরান হৌদি অহুম্সুং মদোমদে। হাউরে লায়না পাংবরম মকু আইবিলোক খৈচেপ মপুংয়াইদা খোশাবনে। মকু আইবিলোক্কী খৈচেপ মনিংথৌ হাউত্রাক লানমিংনাই হুয়েন করিরোং অথৌববু কায়না হুল্লে। লাইরেন মৈদিংঙু মোইরামবা মকু খৈচেপ ঙমবা হুয়েন করিরোং ফাব-ও তৌনা কৌয়ে। মৈদিংঙু মোইরামবা হুয়েন করিরোং ফাব-দি চোয়নৌ সনা মিংহুনগীবু চূনবনে।

নয়োন মৈতৈ লৈমা নোংপাললোন খুমন খোমবি-ও তৌনা কৌয়ে। অঙৌবা হুথা কোংয়ামবা-চম্নু মপাম হুয়েন লাম্নিগীদি য়াংঙম থিংবা-ফাবি মাইরংয়ানগী মষণ ঙৌবা মরিকপা মাঙববু য়াওইদবি, খোংবান নায়া তোংকাইরোইবু য়াওইবিনা থিংবা মাইরং মমাইবা লিতোন পামবা কুখূবা কুরুহনবা তোনতিয়াচা, নেনথাংচা, অরাই নোংশিং মচন শিংমিং মুরাবিবু মপাম চেংলৈ মশুম্মাংদা উহক শেংগম-শা উই পৌতোংলোন, তনমু য়াংতেকনা তনহাউ

লান্দারুবদা কেগে লমগী মীয়াম তিন্দুনা লোকম, লাংথোং শেম্বশিংগী লুচিংবা ময়োই মনাউশিং অহুগা উয়া লাংমাইরেম ভাংথা খুনগী অথোং নিংনোম্বা অখিং অচাংচানচিংবা পূয়নকপু লানঙম্নকপা মৈদিংঙু মোইরাম্বা হায়না মিজৌথি। মৈদিংঙু মোইরাম্বা মেত্তাক লাম্বাবা হায়নস্থু কৌনৈ। মৈদিংঙুগী মতিক মথৌনাদি অসিনস্থু লোইবা নত্তে। হুংশিং লম মাইকৈ (কৌব্রু মাইকৈ) য়োমদা লৈবা মকু আইবিলোক্কী লমদা পানবা খৈচেপ খুঙংদা লাম্নাখিবনি। অসিগুম্বা মকু তুয়েল খোংবান্দা ভাবা আইবিলোক্কী খৈচেপ নিংথৌ হাউত্রাক কৌবা লান্দা খৌবা মমিং চৎপা হুয়েন লান্দা-ফবা করিরোং কৌবা অথৌববু লানজকই। লাইরেন মৈদিংঙু মোইরাম্বা মকু খৈচেপ-ঙম্বা হুয়েন করিরোং কাবা হায়না মিজৌথি। মৈদিংঙু মোইরাম্বা হুয়েন করিরোং কাবা হায়না মিজৌবদি হুদোংলবা শনাঙম মিংহুন অসি চূনবনে।

নবেজ (নবেজৌ) মৈতৈ লৈমগী মিংদি নোংখাললোন খুমন খোথি হায়না মিদোই। অঙোম শনাইগী অথা কোংয়ামবা নিংজোবনি, মপাম অঙোম

শায়ইতাননা লিরেন পাকা-ফন য়ুতিং মতাংদুতোয় থোংকম মনাংসক থয়্রাম লামথাননা অহোং লালু তৌনা খুংবা-চম্ন তাইপোং নিংথৌ চক্রথোম মাইমিংনবা হুয়েন কৈকম তাউববু লাকথ কোন্নাননা অত্তাম নিংথৌ শমলোয়বা লিককোন থাওমবু মোইমিং লৈছুনবা চম্ন লোইবি কোইচায়েক লাইরেন ম্নাংয়ি শোনত্তমনা থাংডা য়িমলাই থিংনা খুনবি নোংলৈশংনা কৈথিংনা লৈথাম তরৈ ম্নান্না হেনমোইবা চম্ন নোংবাললোন খুমন থোমবি মুংলাং তেলহৈবি থমকোন লৌয়োকপি। চিংঙ্ নোংথৌ শরারেন অম্রাং পাথং য়োইরেনবা থংবা নিংথৌ কোনথৈ অতাম্বনা লৈমা ৫ না তানফংববু

হুয়েন লান্দা থৌনা লান্নাবদি বাংওম থিংবা ফাবিগী অউনবণ ঙোবা মরিকপনা মাঙথিববু থোইদোক্লা লুনা থল্লদবিনি। থিংবা মাইরংগী অমাইবা লিতোন পাবা কুথুবা কুরুহবনা তোনতিয়াগী মচা নেমথাংচ্ম, অরাই নোংশিংগী মচন শিঙমিং মুরাবী থোংবাল নবা তোঙাইয়োইবু মপাম চেংলৈগী মপান্নংগী ওবাংদা উদা হক্কুনা শেঙ্গম-শারগা উই বা-না পৌতোং ওইনা লোন্লগা তলহাউ উনা শাবা নীরুংদা লিংেন্না নীরী থোংজিচন তাইপোং নিংথৌ থাবী মৈবু উড়াং পাবগী মিংচংনা হুয়েন লান্দা কৈকম তাউববু লাকথ কোন্নান্না অত্তাম খুলংগী নিংথৌ শয়োইবা লিককোলনা থাবোন নাইনা শিববু মোইমিং লৈছুনছুনা পুকয়ুনা মীয়াম মপুক পেন্না থকহন্নবগী ইন্ন কোক্তা কাবনা পুন্দুনা অহোং অচাউ থোক্লা কৈথেলওম কানবা লোইবি চৌংদা পানবশিংনা পুন্ন তিন্দুনা মৈদিংঙুনা কনা অমত্তবু মপান থোকহন্দনা থাংডা খুনগংমচা অমত্তবু থোকহন্দনা খুনবি মিথশেন থাঙ্না লৈথাম তরৈ য়াম্না হেনমোই শোনমোইনবগী মচাম্নুপী নোংবাললোন খুমন থোম্বি মীপুম খুদিংদা লাং থাকপওম মীপুন খুদিংগী থম্বোইদা তেনকাপহৈংবি মালং নোংশিং লাংবিনি। অবাংবা কোয়োথকী থোইয়ুন সরারেন মতম লৈবা থিবিক্তা নাহাতা ওইবা মুংও পান্ত ফুনা থঙবা পাথং নিংথৌ মালেম লৈয়বু কোনশিন্না ওমথৈ অতাম্বু ওইথনা লৈমা ৫ না কোয়ৌ মাগী মকয়াম্বু কৈংজবা মাগী মিংলৈ মাইরৈ মদা (থৌজালবিবদা) হুম্ন মরাই কাদনা তেম্বোনবী মপু ওইবা মাগী মচা ঃ মক

মিংমৈ মচুথৌদা হন্নু ময়াই কাদনা মপু-মচাদি ২ মা মপা-মচাদি ৬ মাবু নানমবি মহু অখিং ঙারেনববু চোঙ্শূ ঈনশু-খান ব্লাকয়ৈ তেংমাইথক্তা তোংচেং মেনতোপ্পদা চুংচি লাইশমথাং সনা শেনকোই-তোপ্ লুপা কোনথাং য়াই তরংনা ব্লাকয়ৈ হি-খৌশাবা মথৌ কোংঙাবনা ব্রায়রা তেলহৈ শকপূবা চীংঙু থবা য়োইরেন্‌বনা খোইয়ম মাইমৈ চিনরোল্দা লিক্লাং পাউহোংদনা লনকুথোইবি নোংবাললোন খুমন খোমবি ওক্কন তোনবা ইরাকলৌদা চোইবি-মচা চোইবি তাউবা য়াইথোম-মচা য়াইথোম তাউবি হাউকু অকনবি তোইবি নিংঙোনশুবু খোংগন লৌতাব-হোং লাংবন নাউরৈ থাংনা লৈহৌ হিগা-নবি নোংবাললোন খুমন খোমবি সনা লিনকোইগি।

২৮। মৈদিংঙু থংবি লাম্বাবা

নয়ু মৈদিংঙু থংবি লানথাবা-ও তৌনা কোয়ে। তুবি শাপিরাই লাইরেন শানৌরাইবু শাংনদবা মমোম তমপা ব্লাংঙমলোনস্থং

মপা মচা পূব্লগা ৬ মকপু নানম্বিগী মৌপুরা ওইনা তরং থক অসিদা লৈচিন নোংলোন্ ঙারেনববু চোং খাননা ঈন খানগুম্না ব্রাকয়ৈ হিগী মথক্তা তেংমাই লেপকুম্বদা তোংচেং মেনতোপ্পা চুংগী মচৌদা চীংঙু লাইগী লাইশম থাং, সনা শেনকোই তোপ্পা লুপাগী কোনথাং য়াই অয়ংবনা ব্রাকয়ৈ হিবু থৌগ্রনা খৌশাবা মথৌ কোংঙাবনা ব্রায়রা তেনকাপ হৈগুম্না শকপূবা চীংঙু থংবা য়োইরেনবনা খোইয়ুম মমাই লৈবিদনা য়াথং ব্রাহৈ হোংদনা থৌজাল খোইনা পিবিবা নোংবাললোন খুমন খোম্বী ওক্কন তোনবা ইয়াকলৌদা চোইবিমচা, চোইবী তাউবা, য়াইথোম-মচা য়াইথোম তাউবি, হাউকু অকনবি তোইবি নিংঙোনশুবু খোজন লৌতাক তোর্‌না হোংবী লাংবন থাদা ব্রাকয়ৈ হিদামবদা য়েলহৌনবি খোজন লৌতাক থুনা হোংবি নোংবাললোন খুমন খোম্বীগী শেংলবা সন্না গর্জম্মুংগী

২৮। মৈদিংঙু থংবি লাম্বাবা

([illegible]—[illegible])

নপু (মবুথৌ) মৈদিংঙুগী নিংলেম্বি থংবি লাম্বাবা হায়না মিজোই।

কুইনখিদে। লাংবন তৌত্রিগুম মদোম্ তোমশাংনবগীবু নিংথৌ য়োইরেন তোমপোকপা তৌনা কৌয়ে। মৈদিংঙু য়োইরেন তোমপোকপদি হাউরে নোংপোকলা পাংথরম মরান খনতোময়া চাখা য়াবিবোক খুনবি ময়েংচীং চক্‌থা নম্‌থম্ মপুংয়াইদা খোশাবনে। মরিং খমতোম য়া-ও কৌবদি কদোনোংগিনো? নয়ুবা চীংখোং পোইরৈতোননা লোইবি শিদবা হেমবা নাদববু খুনথিরকপদা ময়িম লোইবি মরেম্বা চকমোম খামবি মৈবু লাংনা ঙাইঙময়ে। মৈরিংও কৌববু পোইরৈ তাফা থিবনা মরিংও কৌয়ে। খুনবি মৈয়েংচীং কৌবদি চীংখোং পোইবৈতোনগী মদাইরেম চকমোম খামবি মৈপুববু নোংমল্লে। খুনবি মৈয়েংচীংও খোননৈয়ে। মরিং খনতোময়া-ও কৌবদি ময়িম লোইবিমনা চীংখোং পোইরৈতোনগী মরন মথুমথু মুংনা য়ানা খান্না য়ান্‌লে। খনতোময়-ও খোন্নরময়ে। লাইরেন মৈদিংঙু য়োইরেন তোমপোকপদি মরিং খুনবিরোক্তা কানা পনথেংখিয়ে। তুবি থিংকু মথিনাই লাইবেন মৈবু রোংনা পনথেংলে। শায়বা

মৈদিংঙু লাইরেন থংবি লান্থাবদি ময়াথম্ মনাউস্থ পোকচদবা অমদি মপানুংনা মমোম তমপা রাংঙমলোন অমত্তম্ পোকচখিদে। লাংবন থাদা লম্বাংদা তৌত্রি অমত্তং থোংবগুম্বা মৈদিংঙু মথয়তা নাইতোম ওইনা শাংপগী (পোকপগী) মখম্বা নিংথৌ যোইরেন তোম্পোকপা হায়না মিঙ্গোনরকই। মৈদিংঙু য়োইরেন তোম্পোকপনা নোংপোক মাইকৈরমদা মরান খনতোময়াদা, লৈনুং য়াবিরোবনা খুনদাবিগে হায়বগী যেংলম্ব-চীং চকথা নম্‌থন্ মপুংয়াইদা লান্নাবনি। মরিং খনতোময়, হায়না কৌথিবদি করিদগীনো? নহুথৌ চীংখোং পোইরৈতোন্না মৈতৈ কংলৈপুংদা অমকহল্লা থোক্লক্ত্‌না করম্বা অনা অয়েক লৈবোইদবা মুংশিং লোংথম ফনা মথম পিনকপদা লোইবী চীংদা পানবশিংনা মৈরিঙহুনা মহাকপু ঙাইরমই। অতৌপগী মৈবীং হাযনা কৌনখিববু পোইরৈ লমদা তাবশিংনা মরিং-ও হায়না কৌনখি। খুমবি মৈয়েং চীং হায়না কৌখিবদি চীংখোং পোইরৈতোনগী মনাই অচানব থাবী মৈরীং মৈপুবদি শিথরে। অতুপগী খুনবি মৈয়েংচীং হায়না খোয়থি। মরিং খনতোম-য়া কৌখিবগী মরমদি লৌইবি চীংদা পানবা থরনা

পালেনয়ান কুবাউ পন্দাই শংনা চূংলেপ ৬০ চোং কাউরেন যনথাং ১০ লান থংনংলাইতং লেংনা থৌশাবদি মবান থুমবি মৈমাংচন হুয়েন য়াইশিং মুৎলে। হুয়েন ল্যাম্নিগীদি মবি-মনা তোনথাং শাবু থিংজ্ৰি হুমানবা হাউন্নু লৈহৌবি থান্লক্ লানথৌয়াং কায়না হুললে। অহুনোংগীবু লাইরেন মৈদিংঙু য়োইরেন তোম্পোকপা কৌবদি কদৌনকো ? মরিং খুনবিঙবা মৈদিংঙু নোংপোক চাখা খোংজোমবা-ও তৌনা কৌয়ে। মৈদিঙু নোংপোক চাখা খো জোমদা চাখা নমখুনে ঙমবা হুয়েন থাংলকফাবা তুবি সনা মচুংশেনদি অহুম্নুং মদোমদে। নয়ু মৈদিংঙু চাখা খোংজোমবনা বেগে পোংলেন হন্বা মোইরাং লাইচিংখু তেলহৈবা চকপ্পু পুননেন কমবা অপেন কৈথেন চায়বা আকা খুনকং ৫ চায়বা অকুম খুনকং ৬ নেনবা অমে থাংশাববু কায়না হুনবা মমোমলোন কেগে মোইরাং লৈমা য়োইরেন তোম্পোকপি লোক্লাউত্যাচি-শা লাইরা পামি লৌবনা হোইথি ফাবিবু পিয়ো হায়না লাইরেন মৈদিংঙুনা মদাইরেম হাউবা লমলাং খমলো

চীংথোং পোইরৈতোনগী মরল মথুম হেক অরৈবমথৈ দুৎপা য়ানা থামা মুজে। অহুদগী থনতোম-য়া হায়না থোম্নমই। লাইরেন মৈদিংঙু য়োইরেন তোম্পোকপদি মরীং খুনবিক্লোক্তা চঙুনা চেংলৈগী লমথৈ য়ৌনা লাম্লাখি। মৈদিংঙুনা কহি কংলাউ থোক্লা লান্দারে। নিংথৌগী শাপোৎ লানপোৎ মতিক চানা শেৎ-চাহনা চুঙগী চুঙলেপ ৬০ চোং যণগী মরেপ ১০ লাম্না চোংনা অঙম-অথৌ লান্দা থৌবশিংগা লোয়ননা লান্দাবদি মরিং খুনবি লমদি অয়াবা লানগাইহুনা চেম্নবদা নত্তনা মথবাই মাঙুবনা খুনবি দ মুৎথরে। লানকম অসিদা মরিং-অমনা-তোনথাং শাবা থিজি হুমনবা হাউন্থু লৈহৌবি লান্দা থৌববু লানঙমথি। হুমিং অহুদগী লাইরেন মৈদিংঙু য়োইরেন তোম্পোকপা কৌথিববু কদৌরৈগী-নোকো হায়রবদা মরিং খুনবি ঙবা, মৈদিংঙু নোংপোক চাখা খোংজোবা, চাখা নমখুন ঙবা ; হুয়েন থাংলকফাবা হায়না থংনথিবনি। মৈদিংঙুগী মতিক মথৌনাসি মহিদমুহ লোইবা মরে। মতুংদৌ মৈদিংঙু চাখা খোংজোমবনা কেগে মোইরাং নিংথৌ (পোংলেন হনবা—মীগী মকোক ওইবা) মোইরাং লাইচিংখু

লাইতোন, য়াংখৈ লৌরেমবম পিবাবু পাউমেনখিয়ে। ইদাইরেমশিংও! ইমান কেগে মোইবাং নিংথৌ লাইচিংথু তেলহৈব-দা পাউমেনলু-ও। লাইরেন ঐস্নুং তুবি শাপিদৈ লাইরেন শানৌ লৈশাংমম্লদে। ইমোম তমপা য়াঙমলোনস্নুং ফুইমম্লদে নমোম কেগে মোইরামবা-চম্নু লৈমা য়োইরেন তোমপোকপিস্নুং মহু ঙাংঙোই কম্লেন য়ুতোমবস্নু শাংমম্লদে। কেগে শানৌ লৈস্নুং ফুইমম্লদে নোংকাং কৌথাঙম তোমশাংনৈয়ে। লাইরেন ঐগা কোলোয় মিংমাননৈয়ে। কোনলোয় মিংলেনথোংবু করম মিংমাম্লবনো লাইরেন ঐঙোন্দা পিনৌও। কেগে শেনচংনসে হায়রুও হায়না থৌশীখিয়ে। মৈদিংগু মদাইরেমশিংনা কেগে নিংথৌ মোইরাং লাইচিংথু তেলহৈবদা পাউমেল্লুরে। কেগে মোইরাং নিংথৌ লাইচিংথু তেলহৈব-ও মাকলৈরেম, লাইরেন মৈদিংগুগী কোলোয় মতিনমেনবু তাউনে। নমোম লৈমা য়োইরেন তোমপোকপিবু লাইবেন ঐঙোন্দা কৌজনা পিরকও হায়রে হায়না য়াহম্লবদু কেগে মোইরাং নিংথৌ লাইচিংথু তেলহৈবনা পাউথুম ঙময়ে। মৈদিংগুগী মদাইবেমশিং-ও!

তেলহৈবা চক্‌পা পন্‌নেন্ কথা অপেন কৈথেল থুগাই ঙথা আকাবদা থুজং ৫ ঙথা অকুথদা থুজং ৬ পু চাইথাইঙথা, অমে কৌবা থাংশাববু লানঙথগী মচা ইবেম্মা মোইরাং লৈমা য়োইরেল তোম্পোকপি লোক্লাউ তচি শাবা (লোক্লে মনাউ থিজোককুথা) লৈ-বা পামি লৌবা নিংথিবিবু মৈদিংগু ঐঙোন্দা পিনরো হায়ঙ্গনা লাইরেন মৈদিংগুনা মনাই হাউবা লমলাং থমলৌ লাইতোনগা, য়াংখৈ লৌরেম্বম পিবাগা ২ মক্তা পাউমেনথি। ইদাইরেম অচানবশা! মামা ইবুংঙো কেগে মোইরাং নিংথৌ লাইচিংথু তেলহৈবদা মৈদিংগু ঐগী ইপাউবু মেম্নবিরু-ও! মৈদিংগু ঐহাকস্নু ইয়াম্বা অমা অঙ্গপা ইনাও অমকাউবা পোকম্মিন্নবা লৈজদে। পথৌ ইপাগী মমোম তমন্দা য়াঙমলোন অমস্নু পোকম্মিন্নদে অঙ্গপা নজা ইবেম্মা কেগে মোইরাম্বা চম্নু (মোইরাং নিংথৌগী মচা ইবেম্মা) লৈমা য়োইরেন তোম্পোকপিস্নু কেগে ঙাংঙোই কমলেন য়ুতোমবা মস্নুং অমা পোকম্মিন্নদে; মোইরাং লৈমা মনাউ ইবেম্মা অরুম্নু মথা তান্নবা নোংকাং কৌথা অমতা পানগুম্মা মমোম পোকপনি। লাইরেন ঐগী ইমিংগা মিংমাবে। করম্নু অহক মিংমাম্লবনো

লাইরেন মৈদিংঙুদা হায়রকও। ইমোম কেগে মোইরাম্ববা-চম্ম লৈমা, য়োইরেন তোমপোকপিন্নং ফুইদে। ইপারী কমলেন য়ুতোমবন্নং শাৎতে কনানা পাউমেল্লকপনো হায়না৷ ৱাকন্‌-ঙমবগী মৈদিংঙু মদাইরেম ৱাংখৈ লৌরেমবম পিবাদি থিংলো ‌ীওনা হুলব়াইকরক্লবদা কেগে লৌৱাইলো তাউথোং লৌরেনবা লৈরাং চাউহুই পোক্তা শানথুপ-ঙমবি লৈমা য়োইরেন তোমপোকপিনা পাউমেনঙাময়ে। মৈদিংঙুগী মদাইরেম হাউবা লমলাং খমলৌ লাইতোন-ও। ইপন পনথৌ নিংথৌ লাইচিংখু তেলহৈবনা লাইরেন মৈদিংঙুগা চেংলৌ শকখংনদবা পুন্নুং লেপখংনদবা মরমখু ৱাওইয়ে। লাইরেন মৈদিংঙু মশুংলাংগীবু তাউথোং লৌরেনবা অসিদা কাংবি মৈথাননা ঐবু নোংথোইরিয়ে। অয়িম কেগে মনিননাই মোইরাং তানা তাবদি (বারৌ কুমিৎ ৫ নি শুরবগা হেন্নুচম খুৎলংলোই খোইনাইজম যনপোৎলোই উতোইজম য়াংখংলোই পাখং থাংকোক চুমপুন-.লাই পুরা তাউচেং কমহাইরোইখু পুন্না হোনা কেগে লয়েন মদাইমা চিংহৌ লমতাই-থেৎ থংবি

লাইরেন ঐঙোন্দা পিনরো। কেগে লমগা চেংলৈ ঐগা শেনচংনরসি হায়না হায়রুও হাযহুনা পাউথোল শীখিয়ে। মৈদিংঙুগী মনাইশিংনা কেগে মোইরাং নিংথৌ লাইচিংখু তেলহৈবদা মৈদিংঙুগী মপাউ অসিবু অফ-কত্ত মেন্দুনা হায়রুরে। কেগে মোইরাং নিংথৌ লাইচিংখু তেলহৈব-ও। নমাক ইবুংঙো লাইরেন মৈদিংঙুনা হাযজরকপা মপাউবু তাবিয়ুনে। নমোম ইবেম্মা লৈমা য়োইরেন তোম্পোকপিবু মৈদিংঙু ঐঙোন্দা খৌজানবিহুনা পিরকও হায়রে হায়না ৱাহৈ লৈশি লৈথোল্লবদা কেগে মোইরাং নিংথৌ লাইচিংখু তেলহৈবনা খুমলবথি। মৈদিংঙুগী মনাই অচান-বশি‌ও! লাইরেন মৈদিংঙুদা হায়বও! মোইরাং নিংথৌ ঐহাকী মোইরাং নিংঙোল লৈমা য়োইরেন তোম্পাকপিদি পোকচদে। ইপারী কমলেন য়ুতোখা ইহুৎ শিনবসু পো‌ঙে, কনানা পোকই হায়রবনো হায়হুনা ৱাফম অহুবু কম্মোরুবদা মৈদিংঙুগী মনাই ৱাংথৈ লৌরেমবম পিবাদি পুক্লিং ঈওনা চদিং কাহুনা হল্লরুবদা, কেগে লবাইলৌ তাউথোং লৌরেনব লৈরাং চাউহুই পোক্তা লোয়া থুপ্না ঙাইজরবী লৈমা য়োইরেন তোম্পোকপিনা পাউমেল্লখি। মৈদিংঙুগী মনাই অচানবা হাউবা

য়োইনৌকোন শোংলেন হানলম্ পানখোক পোকয়িহৌদা থাংবি তাউ-জেন্নগে হায়রে। লাইরেন মৈদিংঙু চাখা খোমচোমবগু হুয়েন লান-হৌরকও হায়না পাউমেনখোনগী ম্রাকয়ৈ খোংওইননা হাউরৈ নোংচুপ খানা পাংবরম লোক্তাক ম্রাংবরেন খোংকাং নৌরোইতাক কেগে হেন্নু-চামবা মরমথৈ থাংবি য়োইনৌ কোন্দা খৌশাবনে। লমলেন লোক্তাক ম্রাংবরেন-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো কেগে মোইরাং তোইয়া থোইডিং-জামবগী কাউরেন মখনচা মানবি লাংগুবিনা লাইজ ইরেনপুংবু কৈনা শন্নকপদা তংনা-ম্রান্না লানখিয়ে। অচুনোংগীবু লোক্তাক ম্রাংবরেন-ও তৌনা কৌয়ে। খোংকাং নৌরোই-তাক কেগে হেন্নুজামবা মরমথৈ থাংতেক কাংবা-নৌ মতুয়া থুরোইবা ইরাকাক্ মানলৈ হনচিন্কোন খৌরেন নিংথৌ চন্দ্র লোকলৌ লুমাইজম শাকবী লৈমা নিংথি তরেংবি লেমলৈ ঙাতাকোনবু নাতৈননা শোংলেন হা-নম্বাই। ম্নাইথিং কাপ্পরমও কৌবদি কদৌনোংগিনো। কেগে শোংলেন অথৌবগা নোংয়াই ম্নাইথিং অচুম্বগা চায়না খোংকেম্নঙৈদা কেগে শোংলেন্ অথৌবদি নোংয়াই

লম্নাং থমলৌ লাইতোন-ও! ইপন পম্খৌ নিংথৌ লাইচিংখু তেলহৈবনা লাইরেন মৈদিংঙুগা শক্থঙনদবা অচুগা পুকচেল খোয়জেল থঙনদবা মরয়া রাফম অসিবু ওইখিবনি। লাইরেন মৈদিংঙু মাগী মণ্ডংলাংগীদমক তাউথোং লোয়েম্বা অসিদা কাঙমৈ খুনা মৈ থাক্কনা ঙাইখরে। মুমিৎ ৫ নি শুথুবদি হেন্নজম খুৎলংলোই খোইনাইজম বনপোৎলোই, উতোইজম ম্নাংথংলোই নাহা মথোক কান্নকপা পাথং থাংখোক্ চুমপুনলোই মুন্না তাউচেং ফমহাইরোই পুন্নমক হৌরক্কুনা কেগে মোইরাং লম চৌংহৌ লমতাই-থেৎ থংবি য়োইনৌকোন লমহেন তুহেন লাক্ক-লম পাংখোক হৌবা লমদা থংবি তাউজেন্নগে হায়রে। (হুয়েন লান্নুম্নগে হায়রে)। লাইরেন মৈদিংঙু চাখা খোংজোম্বু হুয়েন লানহৌরকও হায়না পাউ অসি তথিক হায়জবগী মৈদিংঙুদা হায়রগা নোংচুপ খা পাংবা (মোইরাং লাইজি পাংবা) লম, লোক্তাক বাংবরেন তাবা খোংবা কেগে হেন্নজাবগী লমথৈ থংবি য়োইনৌ কোন্দা লাম্বাথিবনি। লমলেন লোক্তাক বাংবরেন কৌবিবদি কল্লিগীনো? কেগে মোইরাং তোইয়া থোইদিংজাবগী বগ

মীশ্রা-দা, অতোন মীশ্রাদা ত্তাংশকতবগী মরোং চুংশূদনা, হয়েন লাক্কালকয়ে। অত্তোন য়াইথিং অয়ামবদি নোংপোক থেপাল্ল থোংনার তৈবা কমপোং অতেরা শিলহৈবা মথুংশাবু চুঙলোং ঙংদা হক্রা লিরি থমোই-ত্তিং ল্যক্কা ত্তেনমৈ লাক্লা ধ্রায়বা মতেনচা য়াইকৌ নানিয়োংবনা কেগে শোংলেন অথৌববু উনবি থদুং থিংনা ত্তেনপাগে। অছুনোংগীবু শোংলেন পাম্নরাই য়াইথিং কায়বম নামবা চুংশেনকোন-ও তৌনা কৌয়ে। লমলেন চাংহৌ লমত্তাইথেং থংবি য়োইনৌ কোন-ও কৌবদি কদৌনোংগিনো? থোইমোম লাইপুনশি থংবি চাংমাবিনা অরাং কোয়ৌ নোংলোনথকি, মালেম লৈদা। ত্তানা অরা লমদনঙৈ নপন কুবি-চাং মছু কাবি-চাং লোঙা ত্তাউবিচৌ বু থোয়মোম লাইনা থাংথিয়ে। অছুনোংগীবু থাংবি-ও তৌনা কেয়ে। চাংলেন মপাল হৌথিয়ে। চাংহৌ-ও থোননৈয়ে। লমলেন থংবি য়োইনৌকোন চাংহৌ লমত্তাইথেং হাওচেং পনত্তোংথাদা থৌশাথবদি হয়েন লাম্নিগীদি পোকপি মচন থিংকুসু অরাই নোংদাচানা য়ামবি মচন লৈয়োং

মানবি লাংহুবিনা লাইজা ইরেনপুংবু কৈনা শন্নকপদা য়াম্না থানা মথমাই ভংকলৌঙম লানথি য়ুমিং অসিদগী লোক্তাক থাংবয়েন হায়না কৌথি। থোংকাং নৌয়োইত্তাক কেগে হেজুজাদগী লমথৈ নৌ-না হিহোনবদা কাংব-লম চৈঙাক থানা হোনবা ম্যনরৈ হনচিনকোন্দা পানবা থৌরেন নিংথৌ চম্থ লোকলৌ লুমাইজম শাকবি ত্নৈমা নিংথিবী ত্তরেংবিন' লেমলৈ ঙাত্তাবা মকমদা হয়েন কয়া লানশোক্লব মকয়ি। য়াইথিং কাপ্পরম কৌবদি কয়িদগীনো? কেগে শোংলেন অথৌবগা থুমন মুচা য়াইথিং অচুবগা মায়োক্কবা লাহেংনবদা কেগে শোংলেন অথৌবদি থুমন য়াবু মীনি হায়রহুনা মীথা-নদা নোংমাই মচানি হায়-থাই মীথানদবনী মমরা থুংনু থুংলাই য়াউদনা লান্দাহক্কে। থুমনমচা য়াইথিং অয়ামবদি নোংপোক থাইরেংথদা শিজিমবা থেনা নাম্না মপান্দা তৈবা, কম্পোং অতেবা শিলহৈবশিংগী মথুংশাবু চুঙলোং ঙক্কা হক্কনা লিরি থমোই-ত্তিং (থংকিং চম্ব হুনা) ত্তেনায়ী ত্তেনবৈ চিংখুনা ম্যাগী ত্তেনবি ত্তেজিন অনি লোকখু কায়কপনা কেগে শোংলেন অথৌববু থাজোই মপা লোকা পান্দুনা

তাঁউবি হুইচিনলাকী হুইয়ান্ লোইনাই থাংখোন লার্মমিং লাইববু কায়না হুরে। লাইরেন মৈদিংঙুনা কমপোং য়ারোয়ুংদা থংবি তৌপুন-মগা লানু পোনচেং-মাগা থাংবমু থংবি তৌপুন-মাকা খোইরে'। লালুম পোয়া থাখলে। মৈদিংঙুনা খোয়ম। মারোমুংদা হুয়েন আনথিববু কমোং য়িয়মেরবম পিবা লেরা অতোনবা কমপোং মারোমুংদা শানথংগবু আনকংলুরে। কমোং য়িমলেমবম পিয়ানা লাইরেন ইফুঙ্ তাউও! লাইরেম ঐদি থানবে খৌমা তারবহু খেংনৌ য়োমখোমলোই অতোনবনে। শমু খোংলম চংলবহু ইবৈ কিপাইলোই অতোনবমে। লাইরেম ঐবু লুরক কাংবৈ-দি খোমাউ জোনপোং লেনবিগনে হায়না চাংজো চেপ্পা লোয়া পুরকলবা লাইরেন মৈদিংঙুনা তরম

মপুক থজুংখিংনা তেন্না পানথরে। থুখিং অচুপী শোংলেন পায়বাই য়াইখিং কাপ্পবা নাবা চুংশেনখোন হায়না কৌনখি। লমলেন চীংলৌ লমদাইথেং থংখি য়োইনৌ-কোন হায়না কৌখিবদি করিদগীনো? খোইয়ুম চীংঙু শিদথা শংখি চীংলোনশিংগী মপীন। অথাংবা কোয়ৌ নোংথকী লমদগী মালেম লৈবাক্তা তানা অমা পোখারিডো চীংঙু লাইনা খোজানবিবা-চীং মরোয় মনাউ লাইশিংনা কাব-চীং লোঙা লমদা তাউনা লৈবা-চীংবু চীংঙু খোইমোম লাইশিংনা থাংখি। থুখিং অচুপী থাংখি হায়না কৌয়ে। চীং পুরমকপী হেনবা ওইবনা মপাল মরা তানা হৌখি। অচুন! চীংহৌ হায়না খোনুখি। অসিগুম্বা লমলেন থংবি য়োইনৌকোন, চীংহৌ লমদাইথেং হাউরকেং পনতোংদা লাম্নাবদি লমদম অশিথী লমদা শানবগী মচন খিংকুম অমাইমোংদা মচানা য়াম্নবি মচন লৈরোং তাঁউবি হুইচিনলাকী হুইনাইলোই লাই ওইরবসু নাইথাং মথং ওইবা হুয়েন লাম্দা খোনা-বিরতখবু লানথখি। লাইরেন মৈদিংঙুনা কম্পোং নানৌ মরকা লায়াকদা তৌরী মপুল পুনগা থীনী থকোক থবগা লোংপবু তৌগী তৌপুন্না হেন্না চাউখি। থীনী থকোক্তা থাংজাদা অচুনা লাইরেন মৈদিংঙুনা কনাসু থংহন্দনা লোম্না বিরকখ্রু, কমোং য়ুমলেম্বা পিবা লেয়া অতোনবনা কমখোং নানৌদা হু। লোম্না থুরু খোনুরকই। কমাং লাইমৈ পিবীমা লাইরেন মৈদিংঙু ইনিংখৌ

করোং য়িমলেন পিবা লেয়া অতোনবা তাংজা নরৈতোন অসিমি করম শিংবনো হায়না লুরক কাংদৈ থিদনা লাইশেংজথিরে ? অহুনোংগিবু নোংয়াই হাউশেংপন-ও তৌনা কৌয়ে। হেয়ুজম থুংলংলোই, কেগে উতোইজম য়াথাংলোই, থোইনাইজম যনপোৎলোই, পাথং থাংখোক চোমপুনলোই মুমা তাউচেং কমহাইলোই কোংয়াং য়াতং চোমপুনলোইবু থংবি তৌয়ান মাংববু মৈদিংঙু থংবি লাম্বাকা সনা মচুংশেনদি অহুস্কু মলোমদে। হাউরে লাইনা পাংবরম লোইবি শেকুচৌংদা থৌশাবনে। লোইবী শেকুচৌং-ও কৌবদি কদৌনোংগিনো ? লুরাং থোইতোম অতোনবগা মানদোম অহনবগা য়াউরো শা-নাবদা টিমেন মথুংগু থোক্লাং মঙুংচংবু থুরেন য়াইথুমাবু থুরময়ে। অহুনোংগিবু

তাবিয়ু। ননাই ওইবা ঐহাক্তি লৌ উরকপু য়োৎতনা তৌহুনা উজবা অতোনবনি। শমু থোংনা চংনা থোংগারবমু চৈরে ফিপাইলোই অতোনবনি। ননাই ওইবা ঐহাকপু লুরক কাংদৈ থিবিদ থৌনাউ লোম্যোং লেনবিগুনো (ইঙক ককপিগনো) হায়দুনা উপ্রাক্কনা লৈবাক্তা চৈশাং তাওয়া থুরুমজরবদা মৈদিংঙুনা অসমু করোং য়ুমলেম্বা পিবা লেয়া অতোনবা নওদি কররমু চিন্দোল লৈতোল অস্পপ শিংনা তাংবনো হায়দুনা মথবাই হাৎপিদনা পুক্রিং শেংনা শাকপিথরে। তুমিৎ অহুদগী নোংয়াই হাউশেংপন হায়না কৌথি। থোইরাং থুনা পানবা উতোইজম শাগৈ য়াহিদাক থাবা লোইনে, হেয়ুজম শাগৈ থুংলং লোইনে, থোইনাইজম শাগৈ যনপোৎলোইনে, মথোক কারকপশিংনা থাংগী থাংখোক য়োৎখোক তমা লোই মথোক কাউবীশিংনা কিবা কমপা তৌবা-লোই য়াতং চোমপুনলোই পুয়মরা থৌগাদরবা লাইরেন মৈদিংঙু থংবি লাম্বাকনা কহি কবাউ থোকপথিবদি অসিনমু লোইবা নত্তে। কৌরু য়াইরৈ পাংবলনগী শেকু-চৌংদা লাম্বাথি। লোইবি শেকুচৌং কৌথিবদি করিদনীনো ? লুরাং থোইতোম অতোনবগা মানদোম অহনবগা য়াউরো শাতারবদা মথুংশু টাপী মথাক মচুং চংপাবা অহুবু থুরেন অমা হাপথি। তুমিং অহুনবী লোইবি শেকুচৌং হায়না থোনথি। অসিগুম্বা লোইবি শেকুচৌং কৌবা সমদা মৈদিংঙুনা কহি কবাউ

লোইবি শেককুচীং-ও খোননৈয়ে। লোইবি শেককুচীং কৌবা মপুংম্নাইদা তুবি থিংকু মথিনাই লাইরেন মৈথু ঙ্গোংনা খৌশাবদি ছয়েন কোংবি মালেম নমঙাবথু কাইন-ছয়ে। লাইরেন মৈদিংগু থংবি লাম্বাবা পুয়া কাবা-ও মিংথৈখিয়ে। লাইবেন মৈদিংগু থংবি লাম্বাবদি চোয়নৌ সনা মিংছনশীথু চুনবনে।

নয়োন মৈতৈ লৈমা নোংবাললোন ম্নাউশোমবী-ও তৌনা কৌয়ে; মৈতৈ লৈমা অঙৌবা চন্থু অঙৌবা লৈতাং লাম্বাবনা পোকপি লোইবি অশোং অতামচাবু উরেপ চাখিন্নবা-চন্থু নোংবাললোন ম্নাউশোমবি চকপা মেনূনম মেন্তাংচাথু কায়না-ছনবি হাউরৈ নোংনেম খানা পাংবরম কেগে য়োইচারোনথু কৈনা-শম মোইরাং চাউবা-পুং লোন্তাক পনমরুগী থাংজা লোংলেন মথুংশূনা মারেম শারুংবা ম্নাইশিবু খনথা অশোং হৌমনূচা লিন্দু শাকবিবু খিংকাবি মৈতৈ লৈমা

হৌনা শাউরছনা লাম্বাবদি লানকম মাইয়োক ম্নারিবা কোংবি কৌবা নম অতোংথবু (চীংগুম্না লোইয়োই ভাববু) লানঙমখি। লাইরেন মৈদিংগু থংবি লাম্বাবা পুয়া কাবা হায়না মিংথৈখি। লাইরেন মৈদিংগু থংবি লাম্বাবা হায়না মিঙৌবদি ফুদোংলবা সনাগুম মিংছন অদি চুনখনি।

নথেল (নখেন্দৌ) মৈতৈ লৈমগী মিংদি লোংখাললোন ম্নাউশোথী হায়না মিঙৌই। মৈতৈ লৈমদি অঙোম নিংঙোলমি, অঙোমগী অঙৌবা লৈতাং লাম্বাবনা পোকপি, মহাকথক্তা লোইখি চীংবী শোংলবা ম্নায়া লাপ্না মফমদগী লৌবা উনা যাত্রা চুনখিবা মভমগী নিংঙোল, মেক গুইখি ম্নাউশোখি কৌখিনি। চকপা খুনগী মেনূনম্ মেন্তাংচা কোথবু লাজঙম্‌খিখীনি। অবাংবা কোয়ৌ থকী নোংনা অচুম লেমখিবা খা থাংবা মাইকেয়োমদা মোইরাংগী য়োইচারোনবু কৈনা শমছনা খোইমাংনা খোইনা মশীং হেন্না ম্নাউনা পানবা পুং, লোন্তাক পনমরুগী থাংজা মথুংথু লোক নিংখিববু পাখনা ময়েক শারুংবা ম্নাইশিবু খনবা অশোংবা হাউনা পাথীগী মচা মাপীরক্তা লৈবী লিন্দুবু শাকাবগুম কাবদা লিন্দু মশা খিৎন

নোংবাললোন য়াউশোয়বি কেগে খারা লাইচোন লৈমাং [illegible]
খোংভৌরমদা খোয়হানৰিমেত্তাক লাম্বাবি-ও তৌনা কৌরে। [illegible]
লৈমা নোংবালেলোন য়াউশোয়বি সনা লিনকোইগী॥

২৯। মৈদিংঙু কোংয়ামবা।

নম্বু মৈদিংঙু কোংয়ামবা-ও ত্রৌনা কৌয়ে। মৈদিংঙু লমইরেন কোংয়ামবা কৌদরিঙৈদি চোয়নৌ সনা অহোংবা-ও তৌনা কৌরে হাউরে নোংচুপ খানা পাংবরম লমলেন নোংচুপ কোংয়াংফাই-ও কৌবদি কদৌনোংগিনো। মক্লিম লোইবি মারেম্না তমপাকপুম্বি ফাই-ও কৌয়ে। অহ্নোংগিবু নোংচুপ কোংয়াং ফাই-ও তৌনা কৌরে। লমলেন নোংচুপ কোংয়াংফাইদা কেগে মোইরাং নিংথৌ উম্না ভাংভোইবগা নোংয়াই খুমন নিংথৌ খোংবু শামুকম্বু-চাগা হয়েল লাম্দারম হাউম্বু তোমশোন লাংমাইম্বু শমতে ঙাইম্বুবি হৈনারম

ফা-ঙবী মৈতৈ লৈমা নোংবাললোন য়াউশোয়বিদি, মোইরাংগী লমদা খারা লাইতোন লৈমবু ইতৌ খোংদৌবা লমদা খোমহনবি মেত্তাক লাম্বাবী হায়না মিদোই। মৈতৈ লৈমা নোংবালেলোন য়াউশোবীগী শেংলবা সনা গর্ভমুংগী।

২৯। মৈদিংঙু কোংয়াম্বা

(খৃঃ ১০[illegible]—১০[illegible])

নপু (নমুথৌ) মৈদিংঙু [illegible] হায়না কৌই। মৈদিংঙু লাইরেন কোংয়াম্বা হায়না কৌদরিঙৈ[illegible] চোয়নৌ সনা অহোংবা হায়না কৌই। নোংচুপ মাইকৈদা লৈবা নোংচুপ কোংয়াংফাই অমিদা কৌবিগিদি [illegible] লোইবি চাংদা ভাবনিংনবি [illegible] কৌই। [illegible] কোংয়াংফাই হায়না কৌনৈ [illegible] কোংয়াংফাইদা [illegible] নিংথৌ উম্না [illegible] নিংথৌ [illegible] লম হাউম্বু [illegible] [illegible]

কেপে পুরাং চৈনবা শায়তুমেক মোংয়াই হাউবা কোকচাউমু ময়োই কাচেং নমখোংঙাই খোংঙাই অতোনবনা শৈখংলোক-ও খোননৈয়ে। লোইবি খাতালোক মালেম মৌইতারোক কৌবদি ময়িম লোইবি মায়েবা' মুমিংপু' মোইও কৌয়ে। অচ্চনোংগিবু লৌইবি মোইতারোক মালেমী মোইতালোক-ও খোমৈয়ে। লোইবি মৌইতালোক মালেম খাতালোক উনপু খনফে য়ামবা চিংলাই' ব্রাবৌংমবা ওংলিয়াই; য়াউয়ৌ শাজন খোংদাংবা শেনলিয়াই, নিংখৌ মফাম কানা ওইখি-শা চেকপ ২ শূবা খুংলাই ২ লোইবা, নৈমুংবা য়োংশু য়োংশুবা নৈকু কাউমাবা নৈয়াই ভাংবা স্নিময়া হেকপা নৈমু মমতানমা য়ার্তাবা পাখং খাংখোক মতাং তেনবদি কংদ-ঙা ব্রাইখু খুনয়াবিচা, য়াউয়ৌ শামিগীমুং শা ময়ক, য়াউয়ৌ মমান শাখুন-লোকপমা হাথয়াই, অয়েং লেকাইচাং নোংচুপ তুয়াংলা তুয়াংআই ওমপাকফাইয়া ফাইমুংখি,' ঙায়াবা খোংখিনলোক, লোইখি ইহালোক মালেম লানপুম-চাং লোইবি চাউরেন-চাংদা তুবি মৈনা' মৌং' খনং লাইতং

হাউবা কোকচাউমু কাচেং নমখোংঙাই খোংঙাই' অতোনবমা খিখংথিবা লোক হায়না খংনখি। লোইবি খাতালোক মালেম মোইতালোক পৌখিবদি কর্মিগীনো লোইবী চাথা পানবনা মুমিংপু মোই হায়না কৌই। মুমিং অহনগী লোইখি মোইতালোক মালেম মোইতালোক হায়না খোয়খি। লোইখি মোইতালোক মালেম খাতালোক, পায়েল উনপা খয়া কৈনা য়ায়া হোৌবা, চিংলাইখকা থা পাখীনা মহোৌশাগী ওইনা হৌকম খোয়া হোৌমবা য়াউয়ৌ শাজব মখোং ভাংবনা হেয়া মৈবা মতম্দা নিংথৌ মপুথিবনা কাইনা ওইখিবনা চেকপ ২ শাবা খুংলাই-২ লোইবা নৈনুংগী য়োংশু য়োংশুবা নৈকুং কোইমুং' জোঙা খিবা, নৈয়াই অংবা 'মুখওইবা নৈকু' নৈমাইদা মাতাখিবু' মখোংকী কাবা "পাখিংগী মখোক তেনবা। খাংজোনা কংবাঙা; বাইখু' চায়াথ" লোকপচাঙকী' শাক হাথখি" শা-মখোক 'ওইবনা' মমান য়াউয়ৌ শান শাখোক্ মমা" লেংপা' মমু ইঙাং হাখবা মতমদা, "অয়েং লেংশাইচাং" নোংচুপ" বাইকপা"অবাংব' চাংলা চাংবকা তম্পাক" কাইবা" কাইহুনখিবা" নথ" লোকোং" হনবদা পাখুংগাইক' "লোইখি।

লোনা পনথেংথরবদি কোংয়াং য়াগা চারয়ে। হয়েন লাম্নিগীদি নোংচুপ কোংয়াং মনিংথৌ মমা পাংথাং লৈম-চা কোংকোইবি কোংকোইবা-চা পানবিচা, পানবা মচেং চাকথাকপা লংজ লোইবা খোয়মা লাংমৈ মন্নুম শিংপা কোয়ৌ সুমিংমদি শোংকয় লৈমা য়াহিপা কায়নাকমদা য়াত্তাবনু কায়না হয়ে। লাইরেন সনা মচুংশেনগিবু মিংহোংখিয়ে। মৈদিংঙু সনা হোংব-ও কৌবদি কদৌনকো হুরা কারে শেনখোই তোংলে লাইরেন মৈদিংঙু নোংচুপ কোংয়াং শুমবা মৈদিংঙু কোংয়াম্বা-ও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন সনা মচুংশেন তুবি চুংশেল মমানহৌদি অহুম্রং মদোমদে। হাউরৈ লাইনা পাংবরম মুংবাল য়িমলেনচীং হোংনেম নুরাং নিংথৌ পুনশিবা মুংবাল তেনতোংয়ান মথাম লাইজা ইপুংশোক, ওকত লমহন মুংপাল ইঙেলচীংদা খোশাবনে। মুংবাল ইঙেলচীং কৌবদি কদৌনোংগিনো? নয়ুরা চীংখোং পোইরৈতোনবী মপারী তাউপুং শিমিংনবনু লোইদাম থাবুম ৬ শুরবগা থমলৈ মীনুংকোল শন্না মীথুরোনবীবু হিংলকয়ে। অহুনোংগীবু হিংলেন-ও কৌববু পোইরৈ

মিহালোক যাজেম লমদা পানবশিংগী থবাই পুবগী পুনকমচীং লোইবি চাউরেন চীংদা মৈদিংঙু তুবি কোংয়াকনা পুক্লিং কহি কল্লাউনা হয়েন লাংথেংথরবদা কোংয়াং থুখি মাইথিনা কায়রে। নানকম অসিদা নোংচুপ কোংয়াংগী নিংথৌ মমানা পোকথরকপা লৈমা কোংগোইবি কোজোইবগী মপা মচাশিংনা পায়কপগী মচাশিংনা পানবা মচেং থারা শনু পাজল য়োকা ঊঙনা মুংঙাইনা পানবা লম, নোংমনা শোকয় লৈমা য়াহিমা কায়নকমদা হিমা লৈববু লানঙমখি। মৈদিংঙু লাইরেন অসিগী মতিক মথৌনাসিদগী লাইরেন মমিং হোংখিয়ে। মৈদিংঙু সনাহোংবা কৌবদি কদোবগী কৌবনো? মৈদিংঙুনা মুংঙাই য়াইকনা লৈমা ইপি নিংথৌ-লেনবীশিংগা অমগনমা পুক্লিং ঊঙনা অয়াক খোথনা পান্দুনা মনিং মথা তম্না পাকমানী লোংচুপ কোংয়াং তম্না মৈদিংঙু কোংমাবা হায়না কৌনখি। মৈদিংঙুগী মতিক মথৌনাবি অসিনহু লোইখা মন্দে। কৌক্ক মাইকৈবোকা লৈমা নুরাং শাউরেনা মুমাবা-চীং হোংনেম নুরাং নিংথৌ পুনশিবগী লম মুংবাল তেনতোংয়ান মথাম লাইজা ইপুংশোক, ওকত লমহন মুংবাল ইঙেলচীংদা লাজাখি। মুংবাল

তাকা থিবনা য়িংলেনচীংও তৌনা কৌয়ে। য়িংলেন খোনমায়কত্তি য়োইরুমলোন খোয়নৌ সুংবালচন্দ্র কোয়ৌ খোংজোমনুবি মতা ৬ মানা অয়াং কোয়ৌ নোংগারকপদা মপাম লুয়াংলম মচু মুংবালবু খুপাক লাইখন-শা চেংলৌ মিংপু লুম্না য়েংলময়ে। অচু নোংগীবু মুংবাল লময়েংচীং কৌববু পোইরৈ তাকাথিবনা মুংবাল য়িংলেন-চীংও খোনরৈয়ে। মুংবাল তেনদোংয়ালও কৌবদি হোংনেম লুয়াং পুনশিবনা য়াউরৌ শানাবদা লিরি তেনদোং মখুংগুবু পামেন উকারোংদা য়াল্লময়ে। অচু নোংগীব মুংবাল তেনদোংয়াল-ও তৌনা কৌয়ে। মাথাম লাইজা ইপুংশোক চোংখু য়াকমা তাথিবা নানবা খমতং তুথিবা-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো। খোইমোম ইঙা কুমচেনবা ইঙেল কুমথাইবনা হাউরৈ খনা পাংবরমগী ইঙা কুমচেল্লবদা কৌবা মদাইমা থাংলময়ে। মথাং-ও তৌনা কৌয়ে। খোইয়ম লাইখিংথৌনা লেমলৈ ইমাই য়ায়বা য়ানচেং য়িতুং ইন্‌বশিংও! নংখোইদি কৌবা মদাইমা অসিদগী হলয়াইখিও হায়খিয়ে। লেমলৈ ওন্দেরক য়ানচেং হলয়াইখিবদা

ইঙেলচীং কৌবদি করিদগীনো? নয়য়া চীংখোং পোইরৈজোনগী মচানিপা তাউপুং শিংমিংনববু লোইদাম থাবুম ৬ হেক গুবগা কয়া নায়চুনা থরাইনা হকচাংবু থাইজোয়বা তাইবং মীনা তাদয়বা লমদা চৎথিগদৌগুয়বদগী হিংলকথি। মুমিৎ অচুদগী হিংলেন হায়না কৌনববু পোইরৈ লমদা তাবনা য়িংলেন-চীং হায়না কৌনৈ। ক্লিংলেন (ইঙেল) চীং হায়না অমুক খোয়খিবা মঙ্গিংদি লুয়াং য়েক ওইবি মখোক কাবি খোংলোয় ওইবি মতা ৬ মক্কা অয়াংবা কোয়ৌ থক্কা নোজায়বদা মপাম লুয়াং লম মৌপা মুংবালবু খুবাক লাইখল শাহনা যমিৎ লুমশিয়া য়েংলময়ে। মুমিৎ অচুদগী মুংবাল লময়েংচীং হায়না কৌববু পোইরৈ লমদা পানবশিংনা মুংবাল য়িংলেন চীং হায়না খোয়খি। মুংবাল তেন্দোংয়ান হায়না কৌনখিবদি হোংনেম লুয়াং পুনশিবনা য়াউরৌ শাদানবদা মখুংগু লিপ্পি তেন্দোং অচুবু উগী উকা অয়োংবদা য়াল্লমই। মুমিৎ অচুদগী মুংবাল তেন্দোংয়ান হায়না কৌনখি। মথাম লাইজ ইপুংশোক চোংখু য়াকমা তাথিবা নানবা খমতেং তুথিব-ও কৌবদি করিদগীনো? খোইমোম চীংঙু শিমবা ইঙা

[illegible] নুংবা [illegible] নাম্না চোংলযরে। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] তাবিবা মানবা মমতেং ভুখিবদুম-এ কৌনা কৌরে। [illegible] ইঙা কুমচেনবা [illegible] মমাং-ও কৌব্ধ পোইরে তানা [illegible] [illegible] [illegible] ইমুংশোক-ও [illegible] কৌরে। [illegible]-ও [illegible] মমান মচা হাউদু [illegible] ৬ মানা তেকপিখুনাউ পুমা [illegible] [illegible] কোমৌ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] কৌরবু পোইরে তাকা [illegible] [illegible]-ও [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] শাকংপুং [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। হয়েন লাম্নিপীনি মমাং মাইবা শমজোইবা [illegible] [illegible] তিংখুলাবা [illegible] লকা [illegible] [illegible] মরাং [illegible] [illegible] হয়ে। খোংনাং [illegible] ২০০ [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] চাখুনলোক-ও [illegible]। [illegible] মৈমিংও [illegible] ইংজেন চাখুনলোকা [illegible] মমাং মাইবা শমজোমবা কাবা-ও [illegible] কৌয়ে। তুবি [illegible] অহুমুং মদোমদে। [illegible] নেংচুপা [illegible]

[illegible] নাইজ [illegible] ইতেন থাদা কুম [illegible] হাউরে বা [illegible] [illegible] [illegible] শিতম [illegible] কৌবা লমদা [illegible] ([illegible]) [illegible] মমাং হায়না [illegible]। পোইদুনে নাইবিংখোনা চীংও ঐরী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হোরগা [illegible] [illegible]। [illegible] কৌরু [illegible] [illegible] [illegible]। বা অসি তাবদা [illegible] তুংইনবা লেমাবে [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] নুংনা [illegible] [illegible] চোংলমই। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] তাবিবা মানবা [illegible] তুখিবা লম হায়না কৌই। [illegible] চীংও ইঙা কুমচেনবা [illegible] মমাং হায়না কৌববু পোইরে [illegible] [illegible] [illegible] নাইবা ইমুংশোক হায়না কৌনখি। [illegible] হায়না [illegible] [illegible]? হাউদু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মচা ([illegible] মচা) [illegible] ৬ না ওক মচা পুমা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

পাংবলমদা খোইমোম লাইমিং কুম্নরম নপু নপা লৌ থোংচাউ লোনলোই মুমমাথেংমদা খৌশাবনে। নপু নপা লৌথোংচাউ থোংচাউ লাইরোকলেন লোনলোই য়িম্মথেংদা খুরোই হাউরা লমলাং-তোংও কৌবদি কদৌনো গিনো। নোংয়াই ঙাম থুমবি চন্নুমা শিংথারাই অত্তোন ঙান্নু নমবা চন্নুনা শীঙ লিংরাই মমানমচা নোংয়াই হাউ-কোকথোং খুমন ঙাউহুইয়াংনা পামেন উয়ুং খাংচেং-ঙা শীঙবি লোইরনথে পান্না কৈরোন-শীঙ খোইমুম লাইকন শীঙবু পামেন তান্নথাইলৌ শীঙবি ঙামচৌ পৈনা শীঙ চেন রাই-ও তৌনা কৌয়ে। সুংবাল ফানতেক শোক্লাইবন থমলোই মনিলনাই লোনলোই মরাঙ হৌনা হোংনেমঙে লোইচিং নিনতুম নিন্ লোইয়া ঙান্দুম ঙান চৈরে হৌলাংকৈবু য়িমকুপ্পা শেরি য়াংতেক্ক খুয়াই নারৈননা থাংয়িয়াম

খোরৈ। অসিগুম্বা ওকগু লমহল সুংবাল ইংঙেল-চীং য়াউরৌ শা কৎনবা-পুংদা হুরেন লান্দাবদি থোংনাংগা (ময়াংগা) লায়া লায়া য়ায়রে। লানফম অসিদা মরাং মাইবা শমথাকপা (শমশাংবা) অকেয়া-চা থাংয়ান কনপা, তিংকুলাবা রাভাং হকপা, লাকা গুমকাতাউ, অরিং অয়া তাউনচিংববু লানঙমথি। থোংনাং (ময়াং) লমবা মাইখিবা বন্দি ২০০ সু ফারকই। সুমিৎ অত্তদগী ইংঙেল চাথুনল্লোক হায়না থোরিথি। লাইরেন মৈদিংঙু কোংয়াম্বা ইংঙেল চাথু-লোক্তা লায়াবা, মরাং মাইবা শমশাংবা ফাবা হায়না কৌথি। মৈদিংঙু তুবি নিংথৌ অসিগী মতিক্তি অসিনসু লোইবা-নত্তে। হাউরৈ নোংচুপ খানা পাংবলমদা (মোইরাং লাইচিদা) খোইমোম লাইশিংনা কুম্নবালম মপা মপুশিং অহল্লা শেম্বা লৌ থোংজাউগী লম মরোল থৈবা লোইগী মুম অমা হেক থেংনবদা লাল্লাখিবনি। মপা মপু অহলশিংনা শেম্বা লৌকম নাক্তা লৈবা থোংজাউ লাইরোকলেন মরোন থৈবা মুমথেংনবা লমু খুরোই হাউরা লয়াং-তোক হায়না কৌনবদি কল্লিগীনো? নোংয়াই খুমন চমু ঙামু থুবি কৌবি অয়া মতালকী নিংথিবদা শিংথানয়কপা মতমদা খুমন চমু ঙামু নথা নিংঙোলনা, শৈরেনা থরা শীঙবু শঙবদা খুমন ঙাউহুইয়াং কৌবা মমামচা নোংয়াই

তরেৎ লোইমোইশৌ তরেৎ নরিমচিন শাইকংশাইদা কৌচেং খুকোং তানবনা সন্না লাইচেং যস্নাহন লাংগোই শগোল নাক্তাংবনা হুইমু তন্না য়ুমতাইনা ঙাস্থু কাংঙাচানা য়িমু তন্না নাহাইনা পুবাল কংলৈ মণ্ডম্মাংগা শরিক খিং খিং খিঙ্ খামবি মাইথৌ তানা হোংনেময়ে। অহনোংগিধু লোনলোই হাউরা লমলাংতোং-ও তৌনা কৌয়ে। লাইশিং থুংকুমনরম্না পুবালা থোংচাউ লাইরোকলেন লোনলোই য়িমাশেংদা থৌশাবদি হুয়েন লাম্নিগীদি চকপা খোইদোম লুখ্রাবি খোয়নৌ মীয়ান্থু শাকবি লানলোই য়িমখৈতাবি কোন্দে য়িমতোন ঙাকপিবু কায়না হুল্লে। লাইরেল মৈদিংঙু কোংয়ামবা চকপা থোংচাউ লানথাবা খোয়নৌ মীয়াম্বু ফাবা-ও তৌনা মিংথৈখিয়ে।

হাউকোকথোংনা পাবেল উমংবু শীঙ ওইনা থামহুনা পানবা কৈবল শাওন্না মরোল মরোল পৈনা থবুবু শাংচেন বাই হায়না কৌনখি। নুবাং শলাই মচা কানতেক শোক্লাইদনা মরোল থৱনা ঙাংব-লম্ অমদা তমগী লমথৈদা তাবা পুরমন্না পুক্লিং হকচাং থরাই য়াউনা হৌহুনা হয়াউ তম্নামঙৈদা লোইজিং চীংথক্তা ইয়াং-লাঙ্ চীংথোং চীংন্না পুমথন থন্না চৈরৈ ফি নিংখিবা হোংহুনা কৌথেং হায়ৌ তানবদি নিংখিদবা মচু ফজরবা ই-না য়ুম কুমঙম য়াংতেক নিংখিনা তেক্পওন্না লৌবুক্তা কৌনা থন্না লৈবৰু মীয়াম চঙনা হোন্দুনা লাকপদি লাঙ্গোই শগোল নাক্তাংবনা হুই থোংচৎ মতৌওম, ঙাস্থু কাংঙাশিংনা লাইথ উশিংথক্তা চেন্না পাইনা শান্নবওন্না নুবাং শাগৈগী তমাংদা শরিক থোক্লেন থোক্ল-খিঙ্হুনা চেংঙৌ তানা কৌওনা হয়াউ মথোই কানখি। ঙুবিৎ অহুনগী লোনলোই হাউন্না লম্লাংতোং হায়না কৌনখি। মাইবা মাইবীশিংনা তেংথানবা অমলেন পুবালা থোংজাউ লাইরোকলেনগী লোনথৈবগী য়ুম অমদা মৈদিংঙুনা লামাক্নবদি চকপা থোইদোম লুখ্রাবী খোয়নৌ মীয়াম্বু শাকবি কৌবী লানগী লানলোই চৎপগী য়ুমলোমশোক ওইনা তাবি, য়ুমংগী মীয়াম তাবশিংগী মথৈ ওইনা হুন্ডাকপিবু লানঙমখি। অসিদগী লাইরেন মৈদিংঙু কোংয়াবা চকপা থোংজাউ লাহাবা খোয়নৌ মীয়াম শাকাবা হায়না মিংথৈ অসি থোন্নখি।

লাইরেন মৈদিংগু কোংয়ামবা থোংনাং কময়ান্নবদি চোয়নৌ সনা সিংহনগীবু চুনবনে।

মন্নোন মৈতৈ লৈমা খমবা-কাবিও তৌনা কৌয়ে। মৈতৈ লৈমা খমবা-কাবি নোংবাললোন অঙৌবা তুরেল য়াংমা নিংথৌ কংলা কাজতোং লৈনা থাবা অঙৌবা পুরান-থাবা মমোমলোন মপাম য়িমবু অশৈনবা চত্নু মখিম অঙৌবা থাংগ্রাই লিশিঙম য়াউরো লানচাইবুম লৌথাই লৌথাংচা কানায়িম্ মাইনুং লাইলেমবি হুয়েন তাংশা-লাই ময়াং কোনবি তখেন নিংথৌ লোইনেনবিদ্ ঙাইথোং নিংথৌ সনা থোনবা, মুম্নু লৈমা সনা পুবিদি কায়রৈ মোংখু মচন লৌশি থোংতৌবি তোংকাং য়িথেমবি মুমিৎ থাদা পগবি লাইরেন নমদা পোৱি চিংথোং সুমাংচান থাবা তৌরৈ-সুম্বিগা লানু ও থোননিল্লা হুয়েল লানচন্নমবু অশৈনবি মচু অঙৌবা নিংথৌ তোরা খুরাই পনম্ মুমিৎ থোকপু চুনবা লিকথা মোইখাই শাকাবা মুচিং হিথাবা হাউতক্ লমকমবা খুথা লমলোকপনা তাংখুন লৌতাই চীংলু-থুম থৌরাই

লাইরেন মৈদিংগু কোংয়াম্বা থোংনাং (ময়াং) কময়ান্নবদি ফদোংলবা সনাগুম সিংহন অসি চুনবনি।

নবেল (নবেন্দ্রৌ) মৈতৈ লৈমগী মিংলেন্দি খম্বা-কাবি হায়না মিয়ৌই। নবেন্দ্রৌ মৈতৈ লৈমা খম্বা-কাবিদি ইন্দাল তুরেল থাংমদা পানবা অঙোম নিংথৌ কংলা মেনগী কালুদা হাননা কম্বা অঙৌবা পুরা-থাবা হায়না খঙনবা অঙোম শাগৈবু মীনা হায়নশীঙনন' তেংথা শৈশরুবা ময়মগী নিংঙোলনি! মপায় অঙোম শাগৈনা থাংবাই (লমশাং পাৎশোইগী অয়াং থংবা শরুক মথৈ) গী লমু লোই চন্দুনা শাদানবদা পোৎথানবা হুম লৌথায় লৌথাং চাবশিংবু কানবা-হুম কোয়ৌ নোংশা থাংনা হুম, হুয়েন লাক্কা পোথানবা-হুমদা ময়াং লমগী মপু তখেন নিংথৌগী লোয়নবীবু ঙাইথোং নিংথৌ সনা থোনবা মচু লৈমা সনা-পুবি কায়রৈ মোংখুগী মচনমুপি. লৌশিদা থোংদৌবি তোংকাং হিদেল্লা কৈকুবি মুমিৎ থাদা পম্বি লাইরেন নমদা পোবি (মৈদিংগু ওইবগী মমু

লমন্নুংশি মরৌ লোকলেনবা মচীংশাংদা পানবা-হৈ হৈরাং মখোকক্তুং ৫ ফাংবা তাউচীং শুংদাই মশুং ৫ য়াম্বর পোনচেং লাইচম থন্না হৈরাং পোন্দাই লাক্লা তাউচিং হৈচেন য়াংবিও কৌবদি কদৌনোংগিনো নোংবাললোন খমবা ফাবিবু মত্থু অঙোবা নিংথৌ তোরানা য়াহৌখিন্রে। ইমোম মৈতৈ লৈমা য়িশোইলোক্কী খমবা ফাবি য়িহাংলাগী শাদা কৈরেন ফাবি পানবা পৌনম্ থোইবি কৈরেন হিংক্কোইনবি-ও! লোইদাম মন্নুং ওইরক্লে। হাউরৈ লাইনা পাংবরগ লৌতাই চীংন্নুংশি থৌব্রাই লম্মহল তাংখুল মরাউ লোকলেনবা মচাংলেন্দা পানবা-হৈ হৈরাং মাখোক্তুং ৫ লোনবা তাউচিং শুংদাই ৫ য়াংপা লৌতাই হৈনৌ-জোম্বু লৈরে। হৈরাং পোন্তাই লাক্লা তাউচিং লুথোং শেন্না চেন্নকসে হায়না য়াহৌববু ইত্থু অঙোবা! নিংথৌ তোরা! মুচিং হিখাবা হাউতক

নঙন্দা পোবি, তম্পাক্তা পথি) কোরৌ হুমিৎনা চীংখোং চীংন্না থুংনা মণ্ডাল য়েনবগুবগা থবা তোরৈ লুখিগা মমা মচা ও না হুয়েন লান-চল্লবু তেংথা শৈশক্লবি, মৌপ্‌া অঙোম নিংথৌ তোন্না থুরাই লমদা লমঙাকপা কোরৌ হুমিৎ থোক্কুন্না মিংহন তবম্থ চুনবা তৌগদবা থবক থুদিং চৎকদবা শাজৎ পুম্বা নিংথিনা লুচিংনা চৎপা শাকবা, হাউতক লমদা কম্নগা থুগা লম্বু লোকপনা তাংখুন লৌতাই চীংনুখুম তাংখুন থৌব্রাই লমন্নুংশিগী লোকম লোকলেনবা চীংশাংদা পানবা-হৈ মখোকম্থ ৫ ফাংবা হৈরাং মশুংম্থ ৫ পানববু পোনচেপ থন্না পোন্দাই লাক্‌না শেমখিববু তাউজিং হৈচেন-য়াংবি হায়না কৌখিবদি কন্নিদগীনো? অঙোম শাগৈদা পোকপি নোংবাললোন থবা-ফাবিবু মৌপ্‌া অঙোম নিংথৌ তোরানা হায়জখি। ইচেমও! মৈতৈ লৈমা! ইপাগী ঈনা শোইথখিবী থবাফাবি! ইহাংলাদা, পানবা কৈনা থোইববু পৌনা নন্না কাওবি, পানবা মাবু হিংনা থেংনবিও! মতম অসি ওইরক্লে। কৌব্র লাইজি মাইকৈদা লৈবা লৌতাই চিংন্নুংশি, থৌব্রাই লম্মহল তাংখুল মরাউলোক্কী চীংশাংদা পানবা-হৈ, হৈরাং মাদি মখোক ১।৷ ৫ লোন্না পানবা-হৈ হৈরাং মাগী মতৌনা মশুং শুংদাই ৫ য়াংপা হৈনৌজোম্বু থৌরিবনি। হৈরাং অম্বু পোনচেন্না

লমকময়বা-ও। তাউজিং নাহৈথং অসিদি লৌতাই লম্ম-তাম থৌরাই লায়া থাবিদি কদৌনকো হায়না য়োইবু চূপপূ-থোই তমকা লাইরু লাংনা রাখনৃথিয়ে। ইমোম মৈতৈ লৈমা নোংবালম্লোন থময়বা কাবি তাংখুন চল্লাই তোননেমগুমবি হুয়েল অয়োমতু সুমনৃবা কাবিও লৌতাই লম্মা-তাম থৌরাই লম্মা থাপয়ে হায়রবদি হৈরাং পোনৃতাই-লাক পোনচেং লাইচম থল্লুগে। নপাম শেনলোই চীংলাংমৈ নহু লংমাই লংবা-চীং নোংবাল কাইবি রাশৌবা লোইমোম রারোই-চীংদা তাউজিং হৈচেম্নসে হায়না অঙৌবা য়াহৌরবদা তৌইগিদি ইহু অঙৌবা নিংথৌ তোয়া-ও। ইপাম শেলোই য়াহৈনা লংমাই তেংথানা লমবিবু মুংবি-ও কৌয়ে। থুরাই নঙাইয়োইগা থোংলেন তিংবি অমা নেম্মা শাবদি পোইরৈ খুনচম্ম তয়ম নাই চম্মুনা লামগুনো। মুংবি

হাপ্পা তাউজিং মাবু কোক্তা পুবা য়ানবা লুথোং শেমহুনা হেক্ক্সি হায়না হায়রুববু অঙৌবা নিংথৌ তোয়া। মুচীংদা হিথাবা হাউতক্তা লমকম্ম-ও। নহাক্লা থংলক্না হায়রিবা তাউজিং হৈয়াং অসিনা হৌরিবহুগী লৌতাই চীংদি, লম অহুনা য়ায়া তামথিবনা চংলুবদা অহুক য়াগদৌবা অহুবু কৈদৌরুগবনো হায়হুনা খদাং চিক্কনা পুক্লিং চপ য়ুংনা রাখল তৌথি। ইবেম্মা মৈতৈ লৈমা অঙোম চম্মু থম্মা-কাবি, তাংখুন্ চল্লাইতোনবু নেমথহনবা ওবী হুয়েল লাহুক অকুংবদা শিরগদববু কনবাওথি। লৌতাই লম্মা য়ায়া থাপলে থৌরাই লম্মা য়ায়া তামলে হায়রবদি তাউজিং হৈয়াং অহুবু পোনচেপ শাহুনা পুরক্লবা হোংলগে। নপাম শেলোই চীং নহু লংমাইজিং নোংগী ঈরিক্লা তত্তবনা কোয়াং য়াবু য়ায়া হৌবা লোইমোম ফৌগুম বারোম বানা নেম্মা হৌবা চীংদা তাউজিং হেক্ক্সি হায়না অমুক নৌনা হায়রবদা ইহু নিংথৌ অঙৌবা তোয়া-ও। ইপাম শেলোই লমগী মীশিংনা লংমাই লমদা তাবশিংনা লমবিবু মুংবি হায়না হায়রৈ। থুরাই লমগী নঙাই নশনগা থোং অমা নেম্মা তিংহুনা শাবদি পোইরৈ খুলং চম্মু তয়ম্ নাই চম্মু নিংখিবীশিংনা লামগুনো। অহুগা লমী পাক্লা কানথবি মথোক কাবি কাবশিংগা ইহু নিংথৌ মংগা ঐথোই অনি চংমিয়সি হায়হনা

লমলেন্ পাক্লা কান্‌বদি য়োইবু ইণ্ডাইরোই য়োইহে ইহিশাংগা ইহু নিংথৌ ইকিংডা চৎমন্নসে হায়না য়ুংবি লমলেন পাক্ল-কান্ খোংলেন ঙিংবি য়াংনা শাথিয়ে। অহু নোংপীবু খুরোই লম্পাক-ও তৌনা কৌরে। অণ্ডোবা নিংথৌ ভোরাগা মমোম নোংবাললোন খম্বা কাখিগ লংমাই লোইখোং য়ারোই-চীংগী হৈয়াং পোন্দাইলাক পোনচেং লাইকম থম্না তাউজিং হৈচেম্নরকপবু চীংগুম কুমনিংদা তাউপুক কোইনিংদবগী লোকলম -ইম্না কুম্নকরে। লোকলম অচন্‌ব-ও থোম্নয়ে। নোংবাল্লোন খম্বা কাবি মপাম শেলোই-চীং লংমাই লংবাচীং লোইখোং য়ারোইচীংগী তাউজীং হৈচেন য়াংবি য়াইকোক তাংখম য়ামবি য়াইচিন চিন্দানবি ইশোয়রোকী য়িহাংকবি ইমুরোকী খমবা কাবি য়িহাংলাগী শাদা কৈরেন হৌবি পানবা পৌনম থোইবি কৈরেন হিংকোয়্নবি কোয়্নৌ হুমিংমানা য়াংলৌ শায়াং লমতুপ তানকংবি শায়াং লানচাইরম পানবা কৈরাংলম তোননেম খুনগুমলম অয়োম্তু য়ুমন্‌বা কানরম্বু তানকংবি মৈতৈ লৈমা নোংবাললোন খম্বা কাবি সনা লিন্‌কোইকি।

লম্বী পাক্লা কান্ খোং অতিংবা য়াংনা শাথি। হুমিৎ অহুদগী খুরোই লমপাক হায়না কৌই। অণ্ডোম নিংথৌ ভোরাগা মচা ইবেম্মা নোংবাললোন খম্বা কাবিগা লংমাই লোইখোং য়ারোই চীংগী হৈয়াংবু হৈয়াং পোনচেণ্ডা হাণ্ডুনা পোন্দাই লাক্লা পুরকপবু অণ্ডবা চীং ওইবগী কুমনিংদবনা অমদি কোইনা শাংনা চৎনিংদবনা লোকী খুজুং ইম্না কুম্নকই। অহুদগী লোক্লম অচনবা হায়না থোম্নৈ। নোংবাল্লোন খম্বা কাবিগী মপাম শেলোই-চীং লংমাই লংব-চীং লোইখোং (লোইশিংনা চীংখোংদা তাবলম) য়ারোইচীংগী তাউজিং হৈচেন্ য়াংবি য়াইকোক তাংখম য়াখি য়াইচিন চিন্দা-নবি ইশোয় লোকী ইহাং কাবি ইমুলোকী খম্বা কাবি ইহাংলাগী শাদা কৈরেন হৌবি কৈবু পৌনা নম্বদা কিদবি কৈরেন হিংকোয়্নবি অহুগা হুমিংমা কোয়্নৌ অমদনা লম্বী লমশাং ইম্না শায়াং লানকম চাইবলমদা পানবা কৈ-চুম্নম লৈবা লম তোয়্নেম খুনবু ঙম-লম অয়োমতু শিথিবু কানবা য়ুমু তানকংবি মৈতৈ লৈমা নোংবাললোন খম্বা কাবিগী শেংলবা সনা গর্ভজুংগী॥

৩০। মৈদিংঙু তেলহৈবা।

নয়ু মৈদিংঙু তেলহৈব-ও তৌনা কৌয়ে। মরোই লিনা তেলহৈবা মরোই কোইশলি চিনবা পাখুনলি মেনাংতনবা শাপিমাগী খানলৌলি রেন-হৈবা চেকচিনলিতোন তরৈবা কোইথ-লি রাইকোক শাতা-লি ফুমুং শানালিনা তেলহৈবদি হাউরৈ লায়না পাংবরম হৈরেম নিনহুম নিনবা খুনজান তানা তাবা মপুংয়াইদা তুবি তোংচেং থমলো নম্বুংচং রাকয়ৈ কাদামবা শোরু থিববু রাকয়ৈ থোংওইনা হৈরেম পুং তু-মচা লাইনচিংবা মরশোই হৈরেম মচিশোয় খুনচান মনাউ শোয়বু কাননা চোংনা লমলেন নৈতাং ১০ থং লরাই পোনবিথোক চাইরেন থৈচংপুংদ হয়েন লান্দাথিয়ে। লমলেন লরাই পোনবিথোক হৈরেম নৈমত্তাক খুনচান তরাথং চাইরেন থৈচংপুং-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো? হৈরেম চম্বুম্না অতেংবি লাইজা ম্নিদা-শিবিবু মপান্না কোরৌ হুমিৎ ৯ নি ভুনা

৩০। মৈদিংঙু তেলহৈবা।

(খৃঃ ১৩৩৫—১৩৫৫)

নপু (নবুথৌ) মৈদিংঙুগী মমিংদি তেলহৈবা হায়না মিদোই। মমাংবা মরক্তগীহ্ অহেনবা তেলহৈবা, মরুপ পুম্না কোয়শিন্দুনা চাংদয়বদা হাসেং মপি অমগী পুন্নবা-লিবু ইয়েং য়েংদনা তরৈনবা অকনবা লিবু কোয়দংতবা-লি রাইকোক শাতা-লি ফুমুং সনা লিনা তেলহৈবদি থা নোংচুপ প্যাংবা মোইরাং লাইথি মাইকৈয়োমদা লৈবা হৈরেম খুদং মনিংতম্না পানবা খুজাম্না খুদং ওইনা অবা নমদা মৈদিংঙুনা পুক্নিং কহি কমাউনা লোয়ন থৌগন মাউনা রাকয়ৈ হি অশাংবদা তোংহনা হৈরেমপুংগী মুপী অতাং মাইবা মাইবানচিংবা শি-নকম হৈরেম মুচিংবশিংগী শোয়কম খুজান খুনগী নাহা অহলশিংগী শোয়কপু লাহোতনা লমলেন লৈতাং তরা-থং লরাই পোনবিথোক চাইরেন থৈচংপুংদা হয়েন লান্দাথি। লমলেন লরাই পোনবিথোক হৈরেম লৈমত্তাক খুজান তরা-থং চাইরেন থৈচংপু

থিবৰু থিথংদৰে। হয়েং কৌবা নোংগা শোয়ৰবদা থোয়নৌ মতা ঙাইরোইহনা ঙাক্লময়ে। অঙনোংগীবু হৈয়েম লৈমতাক-ও কৌয়ে। মনোম লাইজা য়িদা শিবিনা চৈরৈ ময়িনফিগা ঙৌতুম ঙৌনা কোবা য়েনলাংচাইগুম মমাই লৈতাং থরোখোককুম মপনলোইনা নোংমন-ঙময়ে। অঙনোংগিবু লৱাই পোনবিথোক-ও থোরৈয়ে। মপাল কোয়ৌ মুমিৎ ১০ নিদা করম থংলুবনো খুনজান ভরা থং-ও ঙৌনা কৌয়ে। চাইরেন থৈচংপুং হৈয়েম লৈমতাক খুনচান ভরা-থং লৱাই পোনবিথোক্তা খৌশাথবদি হয়েন লাম্লিগীদি থরক য়োইথোংঙৈ হনবা কোনথুনাউ হনু কোনথোংঙাইবু কায়না হল্লে। লাইরেন খিংলৌ মীঙনা তেরক্লবদা হৈরেম ম্রাংয়েননা খুনজান ম্রাইহুইনরকলে। হৈরেম মদাইমাবু খুনজান নিংথৌ চেংলৈ লাম্বাবা ময়িমকম্ মোমনু তালোই মরুমবি ম্রাংনু নোংদমচানা খুন্দাপুং মমাইবা খুনজান অয়াং হোবা চানা চৈরৈ চকফি চোনচোন লৈনা খম ম্রাইশেং ফাম্না-হুন তেকপি ওক্লম ইন্না খুন্দাপুংবু হৈরেম শেংজা-মাং খুনজান মুংবিতুং

কৌথিবদি করিদগীনো? হৈরেম খুঙং মুপিশিংদগী অহেনবী নিংথিবীনা ঈশিংদা তাহনা শিথিববু মপানা মুমিৎ শিংবুম ৯ গুনা থিবৰু থিবা থংদরে। নোং-ঙাল্লগা মাগী লোয়নবী মতা ঙাইরোইহনা তাক্লমই। মুমিৎ অঙদগী হৈরেম লৈমতাক হায়না কৌথি। মচা ইবেমা ঈশিংদা তাহনা শিবিনা মাগী চৈরৈ ইমফিগা লোইননা ইঙৌ ঙৌবা মমাই অহনা লৈতাং পাম্লা হোবা থরোবু মকু খোকুম্না খোকুনা মশম মনা ইচাই চাইনা শিরময়ে। অহু মুমিত্তগী লৱাই পোনবিথোক হায়না থোন্নথি। মপানা কোয়ৌ মুমিৎ ১০ নিদা করমবু থংলুবনো হায়বগী খুজান ভরা-থংও হায়না কৌথি। চাইরেন থৈচংপুং হৈরেম লৈমতাক খুজান ভরা-থং লৱাই পোনবিথোক্তা লায়াথদি হয়েন লানকম অসিগীদি মাইয়োক্না লানকমদা হনবা কোনথুনাউ, হনু কোনথোংঙাই কৌথবু লানঙমদে অম্লা লাইরেন মৈমিংওনা গুক্লিং নেমথরহনা হম্লকপদা হৈরেম খুজানা ম্রাংনবা খুজান মচাশিংগা লাবাংলাববু লেপ্পকথি। হৈরেমগী লমদম অমদা খুজান নিংথৌ চেংলৈ লাম্বাবী মুমেৰ ওইবা মতালোই মরুমবি ম্রাংনু (ম্রাংঙু) নিংতোল নোংদমচানা

হৈরেমতাউওমাং-ও কৌবদি কদোনোংগীনো। ময়িম হৈরেম অশৈনা খুনজান তেংথাননা লাইজা ইশিং পুংলকপবুদি তমলেন চাউবা-ও তৌনা কৌয়ে। ইশিং তমলেন চাউবনা হৈরেম মচেৎমাবু তাউথোকখিয়ে। তাউওমাং-ও কৌয়ে। মুংবি মচেৎপাংবু শেংচরোয়ে হৈরেম মনিল নাইববু করম য়াংনা শিরবনো য়াংতেকশি-ও কৌয়ে। ময়িম হৈরেম খোংনিঙ্গীদি লেমলৈ ঙাখা-খোং কাউরেন যননা লাল্লবস্তুং শনমাইয়োৎ-হাপ-খোং য়াংলে তাউবা হুইনা লাল্লবস্তু তাউবা হুইপুক থুমদবা, তেকপি লোকল্লা লামলবস্তুং লোকনম থুমদবা-খোং লাইজ ইল্লাংমদাস্তুং চোইনৌ সন্না হোইতোয় মানস্তুং পোকয়ে। লাইজা ইপাকথক্তা শংলৌ মাই-পোকপিচাস্তুং পানয়ে। হৈরেম মপন্থোক্ত তাউজিং হৈচুপেৎ হৈমাই-

---

খুঙ্গাজবা নম, খুঙ্গান খুনগী মাইবা অয়াং হোব-চানা চৈ:র কিবু চোয়া ইয়া নমশেং তুশেংবা তেকপি ওক্তা চৎপ নমবী ইমা খুন্দাবা নখু হৈরেম শেংজমাং খুঙ্গান মুংবিতুং হৈরেম তাউওমাং হায়না কোখিবদি করিদগীনো? হৈরেম খুন্না পানবশিংনা হায়নবা খুঙ্গান খুন্দা লৈবশিংবা তেংথানবদা লাইজ ঈশিংনা পুংবা (চাউবা) অ:সবু তমলেন চাউবা হায়না কৌই। ঈশিং তমলেন চাউবনা হৈরেম খুরুং মচেৎ অমবু তাউথোকখিয়ে। তাউওমাং হায়না কৌই। মুংবি (নখি) মচেৎ অমবু শেংদোকথরে (তাউ-থোকথরে) অসিওবা হৈরেম খুঙ্গান মনিল নাইববু করম হায়না শিরবনো হায়বগী য়াংতেকশি হায়না কৌই। হৈরেম খুঙ্গংগী মঙ্গুংদা লৈবা খোং লেমলৈ ঙাখা য়াম্না লৈবা খোং কাউরেন যম্না লাল্লবস্তু যনগী যনমাই চোৎতবা-খোং মখোং য়াংবা তাউবা হুইনা লাল্লবস্তু হুইগী মপুক থুমদবা তেকপি ওক্তা লাল্লবস্তু ওক্তী ওক্লম য়োনা থুমদবা খোংগী ল্লাংমদা কৃদোংলবা সনাগুণী হোইদোম নিংগ্নোনবিস্তু পোকই। লাইজ ঈশিং অসিগী মথক্তা কোম্পেল্লা ইশং শংল্লা থৌরি। অসিওবা হৈরেম নম অসিদা তাউজিং হৈরাং নিংথিবা হৈরাং মমাই পোয়া নিংথিববু পাম্নি। পায়মেল উ মচা মগু অহুগা মতম কুইনা পুনাশিররা কয়াস্তু হোরবা নম অসিদা মৈদিংগুনা অহিং লেক্লা লায়াবদি লানফম অসিদা হৈরেম কাদাবা হয়বা নাউদায়াবা থয়াং মাখিজাবা লাজোই শগোল লোইরা

পোমম্লু পানয়ে। পামেন উনাউরোই অনলা তাইকমপান্নুং য়োংবা-পুংদা তুবি য়ারেকনা পনথেংথবদি হুয়েন লান্নীগিদি হৈরেম কাভান্না হনবা নাউয়েক য়াম্বা থমলাং মাখিক্তানবা লাংগোই শগোন লোইবা খুনজান থেরেরোংবা মচন খুনজান লৈমা থমশাং তাউবি লিনগুরোন লাকহিমোম চৈরে লিকলু পানবা তুংথাংনাৰিবু কায়ন হুন্বা তুশাং হিনম থাবা তুশাং ভাক্লপুংদোই তানকংবিবা মৈদিংগু তেলহৈবা হৈরেম খুনজান্ ঙমবও তৌনা কৌরে। মৈদিংগু তেলহৈবগী লাইরেন সনা মচুংসেনদি অচুম্বুং মদোমদে। অল্লাং লাইনা পাংবরম কৌবা চীংশান্না চাকলিক নোংথৈ পোকপাচিং তৈকোং মচিংলেন তৈয়াং মপুংয়াইদা মৈদিংগু তুবি থিংকু মথিনাই লাইরেন মৈবু রোংনা পনথেংথবদি মরান থুমবি মৈমাংচন শাইপু মৈতানপক্লা হুইয়েল য়াইশিং মুংলে। হুরেল লাননিকীদি মারেম সনলংবা লানথৌয়াংবু কায়ন হুনবা লাইরেন মৈদিংগু তেল্হৈবা তুশাং হিনম থাবদি চোইনৌ সনা মীংহুনগীবু চুনবনে।

নয়োন মৈতৈ লৈমা নোংবাললোন সনারেম্বীও তৌনা কৌরে।

খুঞ্জান থেরেলোংবগী মচন খুঞ্জান লৈমা থম্লাং তাউবি লিনগুয়োন (অঙোম য়েকওইবী হিথাম নিংঙোল) লাকহিমোম চৈরৈ ফি-দা লিকলু অপানবা য়ানবনা তুংদা থাংবিবু লানওস্নকপা (লোরকপা) তুরেল তুশাংদা হিবু থাবা তুশাং ভাক্লবা লমবু কংখিবা মৈদিংগু তেলহৈবা হৈরেম খুঞ্জান ঙবা হায়না কৌনখি। মৈদিংগু তেলহৈবগী মতিক মথৌনাদি অসিনমু লোইবা নত্তে। অল্লাং মাইকৈদা লৈবা কৌব্রু চীংশাংগী চাকলিক নোংথৈ পোকপ-চীং তাইকোং কৌবা নাপোমগী তৈম্নাং হায়না থংনবা লমদা মৈদিংগুনা কম্বি কঙ্গাউ থোক্লা সনা পুক্লিং হুংতাইতবগা লোয়ননা লাম্ভাবদা শাইপু খুনবু মৈ থাবদা অয়াম্বা শাইপু খুনগী মীশিংমু থবাই মাংখি। লানকম অসিদা খুদং অসিগী মপু সনলংবা লাম্বা থৌববু লানঙ্বা লাইরেন মৈদিংগু তেলহৈবা তুশাং হিনম থাবা হায়না মিংথোনবদি ক্দোংলবা সনাঙম মিংজন অসি চুনবনি।

নবেল (নবেন্দ্রো) মৈতৈ লৈমা নোংবাললোন অঙোম য়েকওইবিগী মিংলেন্দ্র সনাবেবী হায়না মিলোই। মৈতৈ লৈমা সনারেম্বীদি কাউবা লাইরেন

মৈতৈ লৈমা সনারেম্বীও কাউবা লাইরেন হিখামবা নোংয়াই কোকচা হিক্রবনা কোইবারম অতোন লাংয়েন সিনাইবগা ভাকৃপাব্রাই লৈমা পিথোইলাংবি মরমথৈ অথৌ তোংকনশা শামতুয়া থৌবান লাইচা অরুবা লমদা থৌশাবা লাইফম লৌশিহনবা সেনবা নমথাংচাবু কায়না হুনবা মমোমলোন লোকলেন য়াংফং খুনঙম-য়ুম মরোং য়ুমতমবা ফান য়িমথি অশেনবা চম্বু নোংবাললোন সনারেমবি সনা লনগৈ শাদরিঙৈ. সনা লনগৈ শাবি রুপা লনগৈ সাদরিঙৈ লুপা লনগৈরেম্বী। কংলৈ লম্মাখা লানলোই লম মরু লমলাই শারাক্-পাম্ খুব্রাই তাথোংমাথোংবু নাতৈননা চৈরৈ ফিরান-থন চোইনৌ সনা মপাল-শা রুপা মহৈ য়ান্ খোংলেন মরীন ঙাননা খোং-হোংবি ফিচিনখোংবু তানফংবি। হাউরৈ লাইনা পাংবরম মকেং চীংগী মপাও-ঙমবী হঙোই পাংকী কারাং-ফাবি নোংনেম অতেরা-চা

হিখাম্বা খুমন খুঙ্গা হি হৈবনা কোইবা লম অদোন লাংয়েন শিন্নাইবশিংনা ঙাক্লবা মতমদা. খুমন নিংঙোলশিংনা থোইনা হেন্না থৌরাংবি অকন অথৌশিংনা লমঙাক্লবা লম শামতুয়া কৌবা থৌবালগী ঈশিং অরুবনা তাবা-লমদা থৌনাবা লাইফম লাকপা শেনবা কৌবা নিংঙোল মচাবু লানঙম্বগী মচা ইবেম্মা খুঙ্গা নাইজা পুম্বগী নিংথিবী নিংঙোলশিংনা য়াকাফম ওইনা মতিক মগুন তেংথানবগী মচাম্বুপি নোংবাললোন অঙোম য়েকওইবি হিখাম চম্বু সনা লনগৈ শাদরিঙৈদা ইবেম্মানা সনা লনগৈ ওইবি লুপা লনগৈ শাদরিঙৈদা লুপা লনগৈ ওইবদা লেমজবীনি। কংলৈ মৈতৈ লৈবাকী থাদা লৈবা লানমীশিংনা লৈবা মফমগী অথৌবশিংনা খ্বাই চঙনা শাবা শারাকপনা কৌবা মফমগী থোংবু তুংওই নাতৈনহুনা চৈরৈ ফিরান থন্না ফুদোংলবা সনাগুম্না মপাল শাবা লুপানা মহয় য়ানবগুম মীয়াম তিন্না খোংলেন মরীন থন্না খোংহোঙখিবগী খোংজিন কংবি লুচিংবীনি। অবাং মাইকৈগী মকেং লোইবি চীংগী মপাউ খুনবু ঙখি হঙোইপাংকী কারাং কৌববু কাখিঙবীনি। লম্না অম্বুম বাংখিবনা কোরৌ থকী নোংগ্রা পক্লগদোরবা অবাংবা লম ওইবনা নোংনদি নেমথরবা লমদা লৈবা

ভেনমৌ পানপাই চৈশৌনবি সমলা য়ুমলোম লোমবী চৈরৈ কিশান-খমবিবু কায়ন হনবি থংদা নোংবাললোন অতৌবা চনু সনারেনবী সনা লিনকোইগী।

৩১। মৈদিংঙু তবুংবা।

নয়ু মৈদিংঙু তবুংব-ও তৌনা কৌয়ে। মৈদিংঙু তবুংবদি হাওরৈ নোংপোক লাইনা পাংবরম য়াংকাং চাকলিক-পোক লুংবি খনকাই য়ামবরম কোংলৌতোন লৌথিবগা সামাদোন অয়াংবগা পুলুং হরাই থাবগী হাও মুক্রা নোংকাইচন্ মোংবা তাচিন খুরৌ য়েংনবৈগী থাংয়াই মারাহননা হুননা কোংকোই-থু লাংচন লিতোন য়াইনা থৌখাম-চীং লৈশংচীংলাংমৈ শারা তুকেনবা-চীং থৌচু লুংবি পোকতা তবুং চীংয়াই থাইনা থৌশাথবদি হয়েন লাননিগীদি লোইবি য়াংকং মনিংথৌ শোংলৌ

য়োথনা চৈশু মতোম্বা হাপ্পগা পাবৈ ওইনা শৌরবি শয়া য়ুমলোম লোথি চৈরৈ কি নিংথিবনু লোইহা ওইনা থরুথিবু লানওথিনী মখংদা নোংবাললোন অতোম য়েকওইবি নিংথোল সনারেম্বী কৌথিগী শেংলবা সবা পর্জসংশী।।

৩১। মৈদিংঙু তবুংবা।

(খৃঃ ১৩৫৯—১৩৯৪)

নপু (নয়ুথৌ) মৈদিংঙুগী মিংলেম্বি তবুংবা হায়বা মিজোই। মৈদিংঙু তবুংবনা নোংপোক মাইকৈ পাংবলম য়াংকাং কৌবা চাকলিক পোকপা নুগী নুংবি নুংজাউ য়ায়া থয়া লৈবা নমবা কোংলৌতোন লৌথিবগা শামদোন অয়াংবগা পুলুং হরাই থাবগী (মচা থায়া লৈনবা থবরকী) হমকু হকচাং অনি শাগোয়া মুক্রা লোংথেংবা য়েংনবৈগী মতমদা থাংয়াই (হৈজাংগী অবাংলোমগী লম) দা পানবা চীংঙু মারহনবানা হুয়া কোলোয় থৌয়ী খুড়না শাংচন থৌয়ী লিতোন পায়না খামথিবা লৈশন-চীং নাগী-শীঙবি থোইনা হোৎবা চীং থৌচু লুগী নুংবি যায়া লৈথা চীংদা চীংয়াই থায়না লায়াথিবদি লানকম অসিগী

কৈকৈ লানথৌরাংবু কাইহন হন্দে। লাইরেন মৈদিংঙু তবুংবা লোংলো কৈকৈ কৈকাবা-ও তৌমা মীংথোনখিয়ে! মৈদিংঙু তবুংবা লোংলো কৈকৈ কাবা লাইরেন মনা মচুংসেনদি অঙ্কুং মদোমদে। হাওরৈ লাইরা পাংবরম অমু লোইতামবনা রানা কাতংলোই শয়ি থোইমরোই থিংকুরক য়াংকুক লোইশনবাম্ব লোংতৈয়ে মরাম থাপুং লোইপুং লোইথু লোইকারম চীংশোং লোইকেনলম হাওরা ময়ুম য়াইসংলিবু লোইচনবা লম্নদ মারাম থাম্পুং তাক্লা পনথেংগে হায়না হয়েন লানহৌখিণ্ডে লাইরেন মৈদিংঙুনা চীংশোং মপুংয়াইদা য়াইথুংলবাদা লোইবি চীংশোং মলৈমারি হাওয়ু লাসংমু শাকথীবু শাইবা কীয়ানমা তীংখং থোংচংনা চীংগোট পাউরাননবা রাগীবু মরাম থাবুং মতোল লোমদা থিংপা মথে কয়না হনয়াইরক্লে। লাইরেল মৈদিংঙুদা মারাম নিংথৌ চীংকোনবাগা থিংপা নিংথৌ য়াহকপগা হাওরা মুয়ুম য়াইশংলিবু ময়ুম থোইপাক পোংতমগু ফিথোং চৈয়ে ফিবুন-শা চিংশোং য়িঙেল খুত্তা-শু মেনাংতনবা চিঁয়ে চিংনা পুক্নমলৈয়ে। লাইরেন মৈদিংঙু ইথুংঙো তাউও! মদাইরেম

লোইবি য়াংকংগী নিংথৌ শোংলো কৈকৈ কোবা লাম্মা থোবমু লানঙাকখি। মতাং অসিদা লাইরেন মৈদিংঙু তবুংবা শোংলো কৈকৈবু কাবা-ও হায়বা মিংথোনখি। মৈদিংঙু তবুংবা শোংলো কৈকৈ-কাবা লাইনিংথৌগী মতিক মঙল্দি অগিনমু লোইবা নত্তে। অবাং মাইকৈগোমগী গুরু মুবা তাম্বা লৈথিবা উমং বানা শগ্নি উপালনা থোইনা হেন্না হোৎনবা মৈদিংঙুগী চৈয়ে কিপোং লোইহা ওইনা মরাম থাপুং লোইমু ওইনবা লোইপোং কারকদবা চীংশোং পুনংগী হাউবা মমুন পুননা লোইচনবা লমদা মরাম থাবুং লমমু তাক্লা (মুংবা) লাম্বাগে হায়না লানহৌখিউৈদা লাইরেন মৈদিংঙুনা চীংশোং লমদা পুংলকহনা চীংশোং খুনগী লৈবাবি হাউমু লাসংমু শাকথি কৌথিবু মৈদিংঙুনা চৈয়ে কিয়ামগে হুংশি পহেং তানথিয়গে হায়না য়াথং কোলোম য়াতানবগী অরানবা পাউবু তারবগী মরাম থাবুং লাথেংনমবু লোইদমা লানগী লানহৌ থিংগদববু লোইতবনা হনকখি। লাইরেন মৈদিংঙুনা মরাম নিংথৌ চিংগোনবগা থিংবা নিংথৌ য়াহকপগা হাউবা খুনংশিনা লোইহা চৈাইশোং হেক হেক

ঐখোইবু লোইবি ইচিং কাবিগুনো থিংবা মখৈ কংসীগুনো। মারাম মত্তোল লোমবীগুনো হায়না পুক্নমলেয়ে। লানলোই কাউচেংপা কানাখোং য়াংমু লৈমা চীন্ওন্খোং খোংকাপাক লানচনবাই চকপা পুমসাইখোং খাবি লেংনাউ মোমবি চৈরৈ ফিগুখোং খুন্না য়োংম্নানখমতা খোঙ্থ লেপনখিন মেননাং তনপা শাখৌ থৎনা শদ্রি নুংদা। তৈনা য়ারেপনখিয়ে। মদাইরেম থিংপা নিংথৌ য়াহকপগা মারাম নিংথৌ থিংকোনবস্থং লোইবি মচীং কানা হলয়াইখিরে। মৈদিংগু তবুংবা মদাইরেম চীংশোং নিংথৌ খমলাংবনা তানলোই মরুম খনপনবাগী হেমবা খোয়বুং মরৌচাওনা লোইবি মচেৎ নাইদববু মচেৎ নাইরে। হেমবা পাংসোই নিকতবন্তু পাংসোই নিকলে। হাওমন খনকৈরোই কারাং খনয়োইলোই ময়ুম য়াইশংলোই ফিবোং চামিরোই য়াংকোন্ পূকৈ লোইবু লোইকা পিররোই হায়না চীংশোং নিংথৌ খমলাংবনা মেন্নাংতনপা চিলাইচীংনা লাইরেন মৈদিংগুদা লমওক্নরৈয়ে। মৈদিংগু ইবুংঙো তাউও। নদাইরেম য়িখোইবু লোইবি মচেৎনাই

তন্নবু ফিবোং ফিনা মপুল ওইনা অমদি চীংশোং খুন্দা শাৎপা লৈরাং ঈঙেলবু পুরগা হামেংনা মচী নুন্না তৌবগুন্না খুক্নমজরৈ। লাইরেন মৈদিংগু ইবুংঙো তাবিয়ু। ননাই ঐখোইগী লোইবি চীংদা কাখিরক্লগদু থিংন্না খুন্দা য়ৌবিরক্লগদু মরাম খুদং মত্তোল লোয়া লেংখিরক্লগদু হায়না খুক্নমজরে। চীংগী চীঙমীনা কৌচেং কানবা-খোং অবাংবা চীংদোন্দা লৈবী ছুপিশিংনা চীনহু মাইতাবা খোং খোংপাক শানা লৈবা হুয়েন লানজনকম, চকপা পুরশাইখোং কৌবা খোংদা ছুপি অঙাং পুন্না তিন্দুনা চৈরৈ ফি শূনবা খোং চীংদা লৈবা য়োংমু য়োংজাউশিংনা লান্নদবা (চংদ্রবা) খোংদা নুংজাউ য়ুংনা লেপ্ন খিন্দুনা হামেং মঙক থৎনা শাগী ঈ তৈদুনা য়ারেপন্নহৌরে। চীংশোং খুন্নাকপগী ননাই অচানবা থিংকোনবগা লোইবি চীংজাউদা কান্নুনা হন্নখরে। মৈদিংগু লাইরেন তবুংবগী ননাই চীংশোং নিংথৌ খন্নাংবনা য়াগী খুন্নাকপিগী মগুংলাংগী খন্নবা মরমদগী পুক্নৌ পাউয়োন্নুনা লোইবি চীংশাংগা মৈদিংগুগী তমপাক্তা পুন্না লৈরববু মচেৎ তাহন্নে। তোঙান তাদববু তাহন্নে।

হেমবা পাংসোই নিকলে। খোইফু তুগুম মচীনতুম সাইবা তুগুম ময়া শারে। ফিপোং চামিলোই য়াংকোন পুকৈ লোইবু লোইহায়োই হায়রে। লোইবি লৈকাই পনশাংমাপু খোম্নখিরা-ও হায়না খোম্নবুং ময়েচাওনা পাওথেমখোনগী লাইরেন মৈদিংগুদি মদাইরেম পোইরৈ খুনচা-হৌ ভয়ম নাইজা হুপ্পা চীংশোং মপুংয়াইদা হুয়েন লান্দানখিয়ে! চীংশোং মলৈমাবি হাওমু লাশংমু শাফাবীনা মথংলেন চীংশোং নিংথৌ খমলাংবা শংলো মথৌরাংগী থৌখামডাময়ে। লাইরেন মৈদিংগু ইবুংঙো তাউও। নদাইরেম ঐখোয়দি তেকপি য়োকচাও-হাৎ য়াংলৈ খরুং থিংনা নোংহামলিয়ে। শায়েন শানৈখিসে কয়েং নোংকায়্রম্ও হায়না থৌখামবা-য়াগী লাইরেন মৈদিংগু ভবুংবদি মদাইরেম সনাখোমবুরোই অকাংজম তোনখৈবগা লোইবি মতিক নম্ববা হেমবা মপা ওইদবমু মানবি চীয়েনা কাউরেন লাইথেংনরবদা মদাইরেম অহিং কৌবা খোংনা য়াংবা খুরাই নাহা চোমগাং পাম্বগা শেনলোই মাপাতাউ ২ মাদি চীংশোং নিংথৌ

চীংগী লমদা কংবা লশিং য়াইঙং ফিবোংনচিংলা লোইপোৎ হেক হেক পিয়ববু পিয়রোই হায়গুনা চীংশোং নিংথৌ খয়াংবনা হামেংনা তৌবওয়া মকোক লোয়া লাইরেন মৈদিংগু ইবুংঙো তাবিয়ু। লোইবি চীংদা পানবা ননাই ঐখোইদি পুক্লিং তিন্নদয়ে খুজং মচেৎ তা-নয়ে। চীংশাং খোইয়েন মহুমদা লৈবা খোইশিংদা কাইহৌরগা খোইশিংনা ময়াও হৌবগুম খুজা হুপ্পা মনিল নাইনখয়ে অহুনা কুমজা খুদিংগী লোইপোৎ হাজবা ফিবোংদ য়াক্লোন- শঙ- কুথদা শিজিন্নবা লোইহা-ফিনচিংবা পুন্নমক লোইপোৎ পিয়রোই হায়নহৌয়ে। লোইবি চীংশাং অসিবু খোমজিনবিহৌরয়ো হায়না হায়রবদা লাইরেন মৈদিংগুনা ননাই অচানবা পোইরৈ লমগী অকন অথৌশিং খুজা নাইজা পুন্নমক হৌহুনা চীংশোং খুজংদা লান্দারয়ে! চীংশোং খুজাকপি হাওমু লাশংমু শাফবিনা মপুয়োইবা চীংশোং খুজাকপা খয়াংবনা মাইয়োক্লগে তৌরবু খামজখি। মজৌ অমুম তৌরিউৈদা খুজাকপিনা লাইরেন মৈদিংগু ইবুংঙো তাবিয়ু। ননাই ঐখোইদি ওক অচৌবা হাজুনা খরুং বু থিজুনা তাইজখি। শায়েন শানৈখিসি

নিংদামবা মপারীবু নুংক কাংকৈ-থি লাহু থুত্তা শূনা খিংলৌ পমচোংলকপদা লাইরেন মৈদিংঙুনা পাওমেনখিরে। ইদাইরেমশিং-ন্ত রোইবু ইশানৌ, মৈতৈ লৈমা কোবা নমকেন ঙমবীদা হাইরঙ লাইরেন ইপারী হাওভক লমকমবা চৈকনথেকপা মুয়াম কাদা পাওমেল্লুও ! লাইরেন ঐদি চীংশোং মপুংয়াইদা মানবি চীরেনা কাউরেন লাইখেননা কোরৌ নোংগাগে হায়না নোংহাম্নলোরে। লাইরেন ইচারোন নিংথৌ ইওরোন থূদিং তুবি য়াকাউদা লাইরেন য়ানিনদনা হয়েং লোইবি মরেকাই চীংশোং মপুং তাকনা পনথেংখিও হায়না পাওমেন্নলকয়ে। মৈদিংঙু মদাইরেম অহিং কাবা খোংনা য়াংবগা থুরাই নাহা চোমগাংপামবগা শেনলোই মপা তাউ ২ মাদি খিংলৌ নিংনা তেনা হলয়াইরকলে। লাইরেন মৈদিংঙু ঙবুংখদি চীংশোং লানফম য়াওলে। লাইরেন নিংথৌ মপাচা ৭ মাতা পোইরৈ য়াকাউদা য়াওম য়ানিনদনা লৈকাই পূজকক লাংবন অরোনলুককুমবনু চীংশোং মপুংতাক লনহাং মারাই কানা লানশিঙলৈরে হায়দবরা ?

ঙসি ইমুং অসিদদি চাইবিথো হায়না থাম্নিঙৈদা লাইরেন মৈদিংঙুগী মনাই অচানবা চুম-শো পাম্নবা অকাংজম তোনখৈবনা মতিক মঙম য়েংদনা চীংখীনা মাখগী মরক্তা চঙহনা কাউরেন মনজাউ অনিনা খাইনবগুম হয়েন লাহেংনমকা অকাংজমচা তোনখৈবগী মঙকপু ককথিবনা শেলোই লমদা পানবা থুরাই নাহা চোমগাং পাবগা মাগী মরুপ অহিং কোবা লমজেন য়াংখগা অনিমক্তা নুজেন মশম পাম্নদা লাকপা উরবদা লাইরেন মৈদিংঙুনা পাউমেল্লকই। ইমাই অচানবশা ! মৈদিংঙু ঐগী নাহা মঙম ওইনা লোয়নমকপি মৈতৈ লৈমা লম্লেন ঙবি কৌবিদ হায়বিক। লাইরেন ঐগী ইচা ইকুতো হাউতক লমকা চৈকনথেকপা মশানৌশিংনা মাকা-নয়িবদা পাউমেল্লু। লাইরেন ঐদি চীংশোং থুমং অসিদা কাউরেন অনি চীরেননা মনজাউ অনি থেংনবগুমা খেংনমকখিগনি হয়েন লানজেনবা খোয়কনু মমশ অদিদা থবাই মালেমগনি হায়না লৈহৌরে। লাইরেন ঐগী ইচা ইপু থুদিংনা মৈদিংঙু ঐঙু অকাউবা তৈজনা লমন থুমকুনা হয়েং থুরা লোইবি চীংশোং থুমং অনি তাম্নবা হয়েন লাহেঙমকউ হায়না

মৈদিংঙু তবুংবদি চোইনৌ সনা মীংহৌনগীবুঁ চুনবনে।

নয়োন মৈতৈ লৈশা নোংবাললোন লমকেল ঙমবী-ও তৌনা কৌয়ে। মপাম হুয়েন লাম্লিগিদি তাংখুন থাম্বি মলৈমাবি য়ারেন খোংকান চীবিবু চীংমুং নোংথাং কুপকুম মমোম কাংওইম্নবু তিংয়ি মাংসোকলমদা ব়ুই পৌতোংলোন উহক শেংকম-শা খুরোই লিতাংশাংনা লিবেন-পকাফন য়ুতিং মতাংতোয় থোনকম মনারেক থারাম লামথাননা লমলেন কৌপরু কংলৈ চাপুংকৈদা অহোং লালু তৈনা স্থংপা চন্নু, মৈতৈ লৈমা নোংবাললোন অঙৌবা চন্নু হাওরে অৱাং লাইনা পাংবরম লমফেন মাইবিলৌদা খোমহানবনে। লমফেন মাইবি-লৌ-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো? লমফেল খুবীগা লমফেল হনবিগা থানলৈ লৌকুমবদা লমফেন হনবিনা চোমখুবী লিকলাই মানা থাংনা ফেনলবদি পোনবি চীংঙুরেন ব়ুরেন শাতাংববু হৈরাউয়ে। লমফেন খুবী

পাউদম্নও হায়না থারক্লে। মৈদিংঙুগী মনাই অচানবা অহিং কাবা লমজেল য়াংবগা খুমাই নাহা চোমগাং পাম্বগা শেলোই মরূপ অনিদি মৈদিংঙুগী বাবু অকাউবা লৈতনা পুক্লিং তপ্না ঊঙনা হল্লকখি। অহুম তৌরিঙৈদা লাইরেন মৈদিংঙু তবুংবদি চীংশোংগী লানফমদা .থবাই মাঙখি। অহুনা লাইরেন মৈদিংঙুনা নিংথৌপী মচা মশূ তরেৎমক্তা মৈতৈ পোইরৈ লমদা অকাউবা লৈতনা লৈথিবনা, লৈকাইগী মাঁয়ায়া থৌদোক বাথোক অমদা পুল্লপ হোৎনা তৌবঙুম হুয়েন লানহৌনহনা চীংশোং খুজং তাক্না লনহাং খুনকম কায়নবা লানশিংনখি হায়নৈদো। মৈদিংঙু তবুংবগী মিংথোনবু কুদোংলবা সনাওম মিংহন অসি চুনবনি।

নথেল (নবেক্কৌ) মৈতৈ লৈমগী মিংলেন্দি নোংবাললোন (অঙোম চন্নু) লমফেনঙখি হায়না মিঙ্গোই। মৈতৈ লৈমা অসিগী মপাম অঙোমনা হুয়েন লান্দাবদি তাংখুন থাম্বগী খুল্লাকপি য়ারেন খোংফান-চীবিবু চীংমুং অশুকপদা নোংথাং মানা কুপকুয়া নিংথিবী, মচান্নুপী কাংওইম্নবু খুজংগী মুমোংদা উহগী পৌ লোন্দুনা অহকপা ঊদা শেঙ্গম শানা থবা খুরোই লিগী মতাং অশাংবনা অতিঙবা মুগী থরুংদা তোয়না তোৎনা থরুবদা অয়াবনা মুগী নিশা ফংহনা লেকথনরবদা

কোংয়াং মচৈশূনা ফেল্লবদি থিংলৌ ল্লোকয়া তাংপু কেনক্লুরৌয়ে অঙ্কু নোংগীবু লমফেন মাইবি—লৌও তৌনা কৌয়ে। মানবি পিরৈ-তবা কাউরেন খোম থাক্লবনা লোইনু থুম্পাল লেকনা খোংথংল্লাই সনা লৌথুমখোং ওইনম শামুকথোকপু নাতৈননা লোইখি লমফেন মপুংয়াইদা সনা খোমহানথবদি হুয়েম লাম্লিগিদি অশাউ লান্মীংনাই চেকোং সানোংববু কায়ন হুনবি নোংপাললোন কৌবা লমফেন ঙমবি সনা লিনকোইগী।

লমলেন কৌক্রগী কংলৈ তাপুংফৈদা মীয়াম চঙনা মু-শুংবগী মমোম মৈতৈ লৈমা নোংবাললোন অঙোম চমুনি। মৈতৈ লৈমা অঙোম চমু নোংবাললোন্দি অবাং মাইকৈদা লৈবা লন্ফেল মাইবিলৌদা খোমহানখিবনি। লন্ফেল মাইবিলৌ কৌখিবদি করিদগীনো? লমফেল খুবিগা লমফেল হনবিগা অনিনা লৌকুখদা লমফেল হনবীনা চোম্না নাথাং য়াম্লা, চৌংগী উজাউ থাংনা শাংনা চাউবগু য়াম্বুখি। লমফেল খুবীনা কোংনা থাবু য়ানবদি তেকপি ওক্রী ময়া-মকুপু হেন্না খোইনা থৌনা য়াম্বেকখি। মুমিং অতুদগী লমফেল মাইবি-লৌ হায়না কৌখি। কাউরেন মন্নাউ মচা মপি লৈতবা, মপিগী মজোম থকপা কংদবনা নৌনা খোমখাইরবনা থুমগী থুমখোং লেকপবু থুমখোংনি হায়না থংখিবা সনা লৌথুমখোং শামুক য়াম্না লৈবা লমু তুংওইনহুনা লোইবি লমফেল খুঙংয়াইদা হুয়েন লাম্নাবদি খুঙংগী লান্দা থৌবা হুয়েন মমিং চৎপা চেকোং শানোংববু লানঙবী নোংবাললোন লন্ফেলঙখি কৌবিগী পেংলবা সনা গর্ভক্লংগী॥

৩২। মৈদিংঙু পুনশিবা।

নম্বু মৈদিংঙু চৈকন থেকপানুয়াম ফাবা-ও তৌনা কৌয়ে। মৈদিংঙু চৈকন থেকপা কৌদরিঙৈদদি মৈদিংঙু পুনশিব-ও তৌনা কৌয়ে লাইরেন মৈদিংঙু পুনশিবদি হাওরে থানা পাংবরম কেগে থাকারাবা মচিং-চীন মকারাবা ঙায়োককোন মোইরাং মুংপিরাচা চামলৌ লাথাকোনবু নাতৈননা ঙামৈ লেংকাই-চীং খেখেরেক লৈপুংমান মোইরাং কামুতাক্তা খৌশাবনে। মোইরাং কামুতাক-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো। ময়িম কেগে ব্রাহায়না মোইরাং তেংথাননা শোইশেল্লময়ে। অহুনোংগীবু মোইরাং কামুতাক-ও তৌনা কৌয়ে। খেখেরেক লৈপুংমাল কেগে মুংপিরাচা লাথাকোন মোইরাং কামুতাক্তা লাইরেন মৈদিংঙুনা খৌশাথবদি হুয়েল

৩২। মৈদিংঙু পুনশিবা।

(খৃঃ ১৪০৪—১৪৩২)

নপু (নবুধৌ) মৈদিংঙুগী মিংলেন্দি চৈকন থেকপা মুয়াম ফাবা হায়না মিঙ্গৌই। মৈদিংঙু চৈকন থেকপা কৌদরিঙৈদদি লাইরেন মৈদিংঙু পুনসিবা কৌই! লাইরেন মৈদিংঙু পুনসিবনা থা মাইকৈদা লৈবা কেগে থাগারাবগী চিংজিল মকারাবগী ঙায়োক্কোন মোইরাং মুংবিরা-চাশিংগী লফু-লতং থাবা মফম্বু তুংগুই-নরগা লৈবা ঙামৈ লেংকাইচীং খেগ্রেক লৈপুংমান মোইরাং কামুতাক্তা লান্নাথি। মোইরাং কামুতাক কৌথিবদি করিদগীনো? মোইরাংগী ব্রাহৈদা কেগে লমগী মীশিংনা হায়নবদি শোয়শেল্লমই হায়নৈ মুমিৎ অহুদগী মোইরাং কামুতাক হায়না কৌই। কেগে মোইরাং লমগী নুংবি অথেংবা য়াম্না লৈবা কামুতাক কৌবা লমদা লাইরেন মৈদিংঙুনা থৌনাবদি লানফম অসিদা কেগে লমগী লুচিংবা লুচিংবি, থুমহিবু

স্নেংগদবা ঃ— মৈদিংঙু পুনশিবগী মথক্তা মৈদিংঙু তবুংবগী মচা ইবুংঙো লাইরেনবনা চহি ৫ নিংথৌ ওই কথাল তোংদবা মরম্না নিংথৌরোল লম্বুবদা মিং চল্লে।

লাননিগীদি কেগে লম্মাবি লম্মাচাউ পুন্নুং ৱানথোংবী কোংয়াং তাংখাপোই লোইন্নু থুমদাংচাইনা ঙানুখা লমপোকপি চেংলৈ য়াংথৌ তাইস্নু হাউচেং য়াংনম্পুন্নু মপু হাউবা য়েনথা লেম্নমপোককী কেগে মোইরাং লাংমাইবি লাংমাইবগা কেগে পরাউ পাংখাইচামবু কায়ন হুদ্রে। তুরি সনা মচুংশেলগী মীংহোংখিয়ে। লাইরেন মৈদিংঙু চৈকনথেকপা তুম্নাম-কাব-ও তৌনা কোয়ে। লাইরেন সনা মচুংসেনদি অত্তুন্নুং মদোমদে। হাওরৈ নোংচুপলা পাংবরম য়াংলৌ মদাইমা পাৎশোই লম্মহন্দা খৌশাবনে। লমলেন পাৎশোই লম্মহন-ও কৌবদি কদোনোংগীনো? কমপোংথেম চন্নু নোংয়াই খুমন লৈমা শাংতিং ঙানরিনা পানা লুমকাংবিনা মৈদিংঙু মমান মচা লাইরেন হোংনেম্ য়োইখুনচাউবু লমওক্লগে য়িস্তাল্লকপবু লাইরেন মনেম্মাচাবু শোয়নরে। মপাম থাংঙা তেংথানা মত্তু কমপোং মীকৌনা সুমিংপু তুরিং-ও, থোক্লবদি পাংলব-ও কৌরে। কমপোংথেম চন্নু নোংয়াই খুমন লৈমা শাতিংঙানবি নারুম কাংবিনা মৈদিংঙু ইনেম্মাচাবু শোয়নরে, তুমিংন্নুং পাংলে হায়না তকলৌ

মপং ওইনবা তুমিংচুম্না কুংনা থোংবিশিংনা থুমদাং চাইনা ঙানখা লমু লোকপিশিংদা চেংলৈ লমগী য়াংথৌতাইগা হাউচেং য়াংনম্পুনা য়েম্বা লেম্নমপোক্কী কেগে মোইরাং লংমাইবি লংমাইবগা কেগে পরাউ পাংখাইজাবগবু লানজমথি। অত্তুনগী লাইরেন মৈদিংঙুগী মন্নিং হোংখিয়ে। লাইরেন মৈদিংঙু চৈকন্ থেকপা তুম্নাম কাবা হায়না কৌখি। মৈদিংঙুগী মতিক য়থৌনাদি অসিনন্নু লোইবা নত্তে। নোংচুপ মাইকৈগী লন্নী মমাদা তাবা পাৎশোয় লম্মহন্দা লায়াখিবনি। লমলেন পাৎশোয় লম্মহন হায়না কৌখিবদি করিদগীনো? কমোংথেম চন্নু নোংয়াই খুমন লৈমা শাংতিং ঙানরি নারুমকাংবিনা মৈদিংঙু লাইনিংথৌ হোংনেম য়োইখুনচাউ (নাউথিংখোং) বু ওক্লগে হায়রুনা তাপ্পকপা মৈদিংঙু লাইনিংথৌগদি শোয়নরে (উনদরে)। মপাম মুমা হায়রুবা কমপোংথেম মীনা কৌনবা থোনকখবদি তুমিংপু তুমিং অহুগা তুমিং থোক্লকপবু পাংলবা হায়না কৌনৈ। কমপোংথেম চন্নু নোংয়াই খুমন লৈমা শাংতিং ঙানবি নারুম কাংবিনা মৈদিংঙু লাইরেন হিনিংথৌ ইনেম ওইগদবগী মচাবু শোয়নরে (উনদরে) তুমিংন্নু

শিরংশোয়া শোনমোইলময়ে। অচুনোংগীবু পাংশ্রোই-ও কৌয়ে। পাংশোই লম্যহনবু নাতৈননা লাইরেন রাকয়ৈ মথুনেং তোংচেং লাংথা-ঙমবা মনলা মিংনাইব ফাববু রাকয়ৈ খোংওইননা কুমবোং ময়াইরমদা হুয়েল লানতাখিয়ে। লাইরেন মৈদিংঙু য়াংলৌ হিথাবা কমপোং কোংশিলহৈবা হাউখোংস্নবু কাইন হুল্লে। লাইরেন থয়াং মথৌমনগীবু মিংওনখিয়ে। লাইরেন মৈদিংঙু য়াংলৌ হিথাবা কুমপোং কোংশিল হৈবা হাউখোংশুবু কায়ন হুল্লে। লাইরেন থয়াং মথৌমনগীবু মিংওনখিয়ে। লাইরেন মৈদিংঙু য়াংলৌ হিথাবা কমপোং কোংশিল-হৈবা হাউখোংশুবু কায়নব-ও কৌনা কৌয়ে। লাইরেন সনা মচুংসেনদি অচুম্নং মদোমদে। হাওরৈ নোংপোকলা পাবরম তাংখুন কাইহোচেংখাইপুং য়োনথৌ ময়াইরম রাঙমলোন চাখা খোংজোমরী সেকমু অরোংফাম্নী ময়ান মুহোং খোংথোং লমদা খৌশাবনে। মোনথৌ ময়ায়লমগী হাওবা চেংখাই-রমও কৌবদি কদৌনোংগীনো ? নয়ুবা চীংখোং পোইরৈতোননা লোইহিবি শিতবা হেমবা নাদববু চীংবুরোই তমবু কেনুনা লাংওল থুনথিরকপদা চীংখোং

পাথলে (মুমিংস্থ খোক্রে) হাম্নহনা ফকশি-শোম্না মচিন্দা পোঙ্গরমই। মুমিং অহুদগী পাংশোয় হায়না কৌনখি। অসিগুম্বা পাংশোয় লমদম অসিবু তুংওইনরগা মৈদিংঙুগী রাকয়ৈ হি খোংনেং নিংথিবা লাংথাঙবা হায়না মিংলোনববু তোংহুনা কমপোং থুজং ময়াইদা লান্দাখি। লাইরেন মৈদিংঙুনা য়াংলৌ হিথাবা কম্পোং কোংশিল হৈবা হাউখোংশুবুম্ন লানঙমখি। মৈদিংঙুগী মতিক মথৌনা অসিগী মরম্না মমিং ওনখিয়ে। ল্যাইরেন মৈদিংঙু য়াংলৌ হিথাবা কম্পোং কোংশিল হৈবা হাউখোংশুবু কায়নবা হায়না কৌনখি। মৈদিংঙু অসিগী মতিক মথৌনাদি অসিনম্ন লোইবা নত্তে। নোংপোক মাইকৈদা লৈবা তাংখুল কয়হৌ চেংখাইপুং য়োম্নৌ থুজং ময়াইরমদা কমথৌ লুচিংবশিংবু অয়াকতনা খৌথওবী রাংঙমলোন চাখা খোংজোম্নী শেকমু অরোং কাখিগী লুহোংখিব। মকমদা লান্দাখি। য়োম্নৌ থুজং লমদা লৈবা হাউবা চেংখাই-রমু কৌবা লৈববু করিদগী কৌশিবগে ? নয়ুথৌ চিংখোং পোইরৈতোম্না লোইহিবি চীংগী করবা মকমদা শিরোই নায়েক্লৈবা অকয়া মচুম লৈরিগদগে

পোইরৈতোনদি তরা চাপুক-লাম ব্রুনবি চকম লোংলে। ময়িম লোইবি মারেমনা তরা চেং মাচংখ্রু হেমব শমখাং লোয়া খাইবিগাময়ে। অহনোংগীবু কায়হৌ চেংখায়পুং মোনখৌ ময়াইরম্-ও তৌনা কৌয়ে। মোনখৌ ময়াইরম কাইহৌ চেংখাইপুংদা লাইরেন মৈদিংগুনা সাইবা পনলেনয়ান কুরাউ পনদাইশৎ চুংলেপ ৬০ চোং কাউরেন যনখাং ১০ লান খংনং লাইতংলেংনা খোশাথবদি কায়হৌ য়াগা চায়্রে। মরান থুমবি মৈমাংচন চৎলম ফনশাংথুম সাইবু মৈতানপকনা পনথেংলে। হুরেল লাননিগীদি তাংখুন কাইহৌ মনিংথৌ মারেম খমদিংববু কায়ন হুল্লে। লাইরেন মৈতেংগু লোইবি কায়হৌভম্বা মারেম খমতাংববু কায়নব-ও তৌনা কৌয়ে! লাইরেন মৈদিংগু মোনথৌ ময়াইরমদা খোশাবা চকলাই হোংখু ঙমবগী তুবি সনা মচুংসেনদি নোংনেম লাইনা পাংবরম লমলোই কৌবা ঈ মরু লোইয়মবা লমথোনপান চোমলাং খিকলোই-পোক্ অখোং খাংশুরকপম নিংঙোনবি কৌবা লাংলোই-ঙমবি হুয়েল লানকা পনফাবি লমলোইভাই। মমা অখোং কায়নমথু

হায়না চৌংগী লম তমগী লম অয়াম্বদা কোয়না চত্তুনা খিরকপদা পোইরৈতোন্দি চাক লাম্মনখিবনা মবুক লেংখৎখি। মতৌ অসি উবদা লোইবি লমদা পানবশিংনা চেং মচং নিংখিববু সম থাংতপ য়োনা খাইবিরকখি। হুমিৎ অহুদগী কায়হৌ চেংখায়পুং মোম্বৌ ময়াইরম হায়না কৌই। মোম্বৌ ময়াইরম কায়হৌ চেংখায়পুংদা লাইরেন মৈদিংঙুনা অঙম অথৌ পুনা চুঙগী ময়েপ ৬০ চোং যনগী ময়েপ ১০ লান্না চোংনা হুয়েন লান্নাবদি কায়হৌ খুঙংদি কায়খরে। মতৌ অসুম তৌবনা লানঙ্গবগী হৌনবি মতুং ইন্না খুঙং মৈ থাজ্জনা মৈতান তাঙ্গোই তানা লাম্বেংখি। লানকম অসিদা তাংখুল কায়হৌ নিংথৌ মারেম খমদিংববু লানঙমখি। লাইরেন মৈদিংঙু লোইবি কায়হৌভম্ব মারেম খমতাংববু কায়নবা হায়না মিজোই। লাইরেন মৈদিংঙুনা মোম্বৌ ময়াইরমদা লান্নাবা চক্লাই হোংখু ঙবগী মতিক মথোনাদি অবাং মাইকৈ নোংনা নেম্বা চৌংগী লম্না য়াংবা লমগী লমলোই কৌবা য়িশিংগী মরু লোইয়ম্বা লমথোনপান চোম য়াম্না হৌবা খিকলোই য়াম্না হৌবা অখোং খাংশুরাকপম নিংঙোন, কৌবা লাংলোই

য়েনবা খলতামবা মহিশিল খমলাং তাউরেম পামবা লাংকোই শাতিক-লম শায়াপান-ও পানবা থোক্লরম খোংচ্রোংবা মপারী চীংচেংনারল পাংগনবানা চীংপন পনশারমববু ঙমলোননবা নোংথৈ পুমনান পোকপ-চীং লিকলাই উচাউ হোবা চীংবু নাতৈননা কোইরেং মপুংয়াইদা হুয়েন লানতাখিয়ে। তুবি থিংকু মথিনাইনা লাইরেন মৈবু রোংনা চুংলেপ ৬০ চোং কাউরেন যনখাং ১০ লান খংনং লাইতংলেংনা পনথেংথবদি কোইরেং য়াকা চাইরে। মরান থুমবি মৈমাংচন হুয়েন য়াইশিংমুৎ চংলম কানশাং-থূম শাইপু মৈতান পকনা পনথেংথরবদি হুয়েন লাননিগিদি চারোইরোং লৈপুনলোং থাংশা উতোং অপোববু কাইন হুনব-ও তোনা কোয়ে। তুবি সনা মচুংসেনদি অহুসুং মদোমদে॥ হাওরৈ নোংপোকলা পাংবরম মারীং কাংওই মচিংশাংদা খোঁশাবনে। মরীংকাংবোই-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো? নয়ুরা চীংখোং পোইরৈতোননা লোইবি শিদব, হেম্বা নাদববু খুনবিরকপদা মরীং পোংবাতানা তাবনা চীংখোং পোইরৈতোনবু কাঙ্‌ন কাঙ্‌ন য়েংলময়ে। অহুনোংগীবু

ঙম্বি হুয়েন লানকা পনফবি লমলোইতাই, মমা হুখোং কায়নমহুনা পোকপি খনতাম্বনা য়েহুরকপি খম্লাং তাউরেম পাম্বা লাঙ্গোই শাতিব-লম শায়াপান, পানবা কৈনা থোক্লবা-লম থাংগ্নি খোংজ্রোংবগী মপারী চিংজেং নারল পাঙ্গনবনা চীংবন পন ওইনা শেম্লম্বা চীংগা হেক থংনবদা লৈবা নোংথৈ, অনানবা খোকপা-চীং লিক্লাই তম্ফা খোকপা উজাউ য়াম্না হোবা চীংবু তুংওইননা তাবা কোইরেং খুঙ্গংদা লান্দাখিয়ে। লাইরেন মৈদিংঙুনা কম্বি কঞ্জাউ থোক্লঃ চুঙলেপ ৬০ চোং যনগী মরেপ ১০ লান্না চোংনা অকল অখৌ য়াউনা লান্নাবদা কোইরেং খুঙ্গং কায়থরে। লানফম অসিদা হুয়েন লাঙ্গং কনখিবনা লানফম মৈরী থোক্লরবগী লানমী য়াম্না শিব-য়াউ অহুগা খুঙ্গং মৈ থাবনা মৈতাল তাঙ্গোই হেক তাবমথৈ য়ান্দাখি। লানফম অসিদা চারোইরোং, লৈপুনলোং, থাংশাবা, বুতোং অপোববু লানঙম্বা হায়না কৌখি। মৈদিংঙুগী মতিক মথৌনাদি অসিনম্থু লোইবা নত্তে। নোংপোক মাইকৈদা লৈবা মরীং কাংঙোই চীংশাংদম্থু লান্দাবনি। মরীং কাংঙোই কৌখিবদি কয়িদগীনো? নবুথৌ চীংখোং পোইরৈতোম্না চীংগী

কাংঙোইও তৌনা কৌয়ে। কাংঙোই মচীংশাং খামবি মৈরিং চীংদা লাইরেন মৈতেংঙ্‌না শায়বা পললেনয়ান ফুরাউ পনদাই-শং চুংলেপ ৬০ চোং কাউরেন মনখাং ১০ লান থংনং লাইতং লেংনা পনথেং-থরবদি কাংঙোই য়াকা চায়রে। হুয়েল লাননিকীদি মরীংববু মচন ম্রাকনা চানা লৈনৌবি তেংনা চানা হেনমোইবি মথংলেন শেনতাং লুখোইবা লৈরাং শাথিববু কায়নং হুনলে। লাইরেন মৈদিংঙ্‌ পুনশিবা চৈকন থেকপা মারিং কাংঙোইমবা তুবি সনা মচুংসেনদি অহুম্নুং মদোমদে। হাওরৈ নোংচুপ খানা পাংবরম কেগে থেংলোপুং ভাঙোই হাওতমথোং সনথোং য়োইতাপুংবু নাতৈননা থৌশাবনে। হুয়েন লাননিগীদি কেগে মোইরাং চাওবা য়াইখুম্নুবু কায়না হুল্লে। লাই-রেন মৈদিংঙ্‌ চৈকন থেকপা মুয়াম ফাবা কেগে মোইরাং চাউবা য়াইখুম্নু কাব-ও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন মৈদিংঙ্‌ চৈকন থেকপা মুয়াম ফাবদি চোয়নৌ সনা মিংহুনগীবু চুনবনে।

লম অকবা কয়বা শিরোই নাইয়োইদবা খুন্দাবা য়াবা কয়বা মফম লৈরিগদগে থিরকপদা মরীং পোংবতা-না তাবশিংনা চীংথোং পোইরৈতোনবু কাঙ্‌ন-কাঙ্‌ন পোইরৈতোনবু য়েংলমই। মুমিং অহুদগী কাংঙোই হায়না কৌনখি। অসিগুম্বা কাংঙোই চীংশাং মৈ হোহুনা মৈদ্রীংহুনা (শঙহুনা) লৈনবা চীংদা লাইরেন মৈদিংঙ্‌না লান্দা থৌবা অকন-অথৌ কয়াগা লোয়নহুনা চুঙগী চুঙলেপ ৬০ চোং মনগী মরেপ ১০ লাম্না চোংনা কহি কন্নাউ থোক্লা লাম্নাবদা কাংঙোই খুজং অহুদি কায়খরে। লানকম অসিদা মরীংবগী মচন মাক্লা চানা লৈনৌবি তেংনাগুম নৌজবিগী মবুংতো শেন্তাং লুখোইবা লৈয়াং শাথিববু লানওয়কখি। লাইরেন মৈদিংঙ্‌ পুনশিবা চৈগন্‌-থেকপা মরিং কাংঙোই ভদগী তুবি মতিক মথৌনাদি অসিনম্নু লোইবা নত্তে। মোইরাং লাইজি পাংবদা লৈবা কেগে থেংলোপুং ভাঙোই হাউতমথোং শম্বোং য়োইদ-পুংবু তুংওই নাতৈনরগা লৈবা লমদা লান্দাখি। লানকম অসিদা কেগে মোইরাং চাউবা য়াইখুম্নুবু লানওয়খি। লাইরেন মৈদিংঙ্‌ চৈকন-থেকপা মুয়াম ফাবা (হুপি য়াম্না ফাবা) কেগে মোইরাং চাউবা য়াইখুম্নু ফাবা হায়না কৌখি। লাইরেন মৈদিংঙ্‌ চৈগন থেকপা মুয়াম

নয়োন মৈতৈ লৈমা য়োইরুমলোন লমবাশু-ও তৌনা কৌয়ে। নোংবাল অরামপামবনা পোকপি খুনবু ঘনয়াং খায়না য়েনবি মপাম হুয়েল লাননিগীদি কেগে মোইরাং লাইচিংখু চীংখু চীংয়াংপবু কংলৈ পুমঙ্কানা পুলাং য়ুকৌনা অহোং য়োইথোন্নবা চম্মু মৈতৈ লৈমা লমবাশুদি হাওরে খানলৈ খুৎচু-শা চৈমায়াং অথৌবা তাংজা লুরেনতোন থবাই মীরাংপান অতিংঙানা খুমুচম নিংঙোনবী লায়োং লাকা থৎপিদা পাউচেনরাই, চাখা শারুং লাইহৎ-চীং শাকোন লানজুমচীঙ্ শারুং কাইতাই চীংগী চাখা শারুং মনিংথৌ ব্রোকথৌ লানমিংনাই তোনবা লোকলোখোং কায়োং লাংথৎ লোচাবু কায়ন হুনবি য়োই-রুম্নোন লমবাশু চাখা শারুং ঙমবি সনা লিনকোইকি॥

ফাবা হায়না মিঙৌবদি ফুদোংলবা সনাগুম মিংহুন অসি চুনবনি।

নবেঙ্কৌ মৈতৈ লৈমগী মিংলেন্দি য়োইরমলোন লম্বাশু (অরাম্বম নিংঙোল লম্বাশু) হায়না মিঙৌই। নোংবান অরাম্পাম্বনা পোকপি খুঙ্গংদু নিংথিনা মীয়োক মীচান তৌনা ৰায়েন্না পানবনা পোকপিগী, লায়াবগী মতিক মথৌনাদি কেগে মোইরাং নিংথৌ লাইচিংখু লোইবি চাংশাং ঙম্না পানববু য়ু থরুং থিন্দুনা থরুং মশাং কয়া-মা পুথোক্লা হরাউ ওয়াম্না মীয়ামদা পিজ-শিথক তৌবগী মচান্নপি মৈতৈ লৈমা লম্বাশু কৌবিদি খা পাংবা মাইকৈদা খোমহানবিনি। কেগে মোইরাং লমগী লোয়াম চাবা-শা চৈময়াং অথৌবগী মকোক, অতিংঙাদা পাইহুনা লৈবা থবাইনা খুনুজম নিংঙোল লায়োং লাকা থৎপিগী মফমদা পাউজেনদা মতমদা চাখা শারুং লাইহৎ-চীং, শগোল লাম্লুম-চীং শারুং কাইতাই-চীংগী চাখা শারুং নিংথৌ তেকপি ওকুম্না অথৌবা লান্দা-ফবা তোনবা লোক-লোখোংগী লাং-হাইহুনা কয়োংহে হাইদঙুনা লৌশেম্বু ঙমজবি অরাম্বম নিংঙোল লম্বাশু চাখা শারুং ঙম্বিগী শেংলবা সনা গর্ভঙুংগী॥

৩৩। মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বা।

নয়ু মৈদিংঙু নিংথৌ-খোমবা-ও হৌনা কৌয়ে। মৈদিংঙু নিংথৌ খোমবা কৌদরিঙৈদি খোইমোম লাইমিংনবা চরাইরোংবা-ও হৌনা কৌয়ে। মৈদিংঙু চরাইরোংবদি হাঙরৈ নোংচুপ থানা পাংবরম লাইজা ঈনা য়াংবা মালেম লয়্না নেমবা-পুং কেগে য়োকচিনচা লৈমায়াই মোইরাং ঙানখাচা খুনকমলেন কেগে অয়াংব লমথাংকোন খোংগাপাক লানচনরাই ঙানবা শিরাই কংচা পুঙলেন নোংজু য়াইয়ে। মপন লোকলৌ থামমেনলোকপম্ চনু পুংলিংরাই তানলোই মরুমবী থমবা ইম্লেন্বম চনু ফিবুন লুদ-থোং ফকলোং নাক্তায়েপ থাংলেন ঙানবা শিরাই কংচা পুংলেন নোংচুয়াইদি কদাইনো হায়না পুংথিরাই

৩৩। মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বা।

(খৃঃ ১৪৩২—১৪৬৭)

নপু (নবুথৌ) মৈদিংঙুগী মিংলেন্দি নিংথৌখোম্বা হায়না মিঙোই। মৈদিংঙুগী মমিংনা নিংথৌখোম্বা কৌদরিঙৈদদি খোইমোম লাইমিংনবা চরাইরোংবা হায়না মিঙোই। মৈদিংঙু চরাইরোংবদি মোইরাং লাইজি পাংবলমদা লাইজা ঈশিংনা য়াম্না হেন্না লৈবা, মালেম লৈপাক অসিনা নেম্বা লম, কেগে মোইরাংগী লম, ওকলেন য়াম্না লৈবা লৈবাক্নী, মোইরাং ঙানখ;চাগী খুনকম কেগে লমগী অয়াংবা শাগৈনা শাইদাংলক্কুনা তাবা খোংকা পাক্তা লানশিনবা মতমদা অরুংবা থাঙনা নাক্তা য়েপ্না চংলকথি। কেগে মোইরাং অসিগী থামেনলোকপম চনুনা পোকপি য়িমলেনবম নিংঙোল নিংথিবী, তালোই মরুম ওইবিনা ফিরুক খুমজুনা লোম্না থুপ্না চংলক্কুনা অথৌবা অরুংবা থাং অজুবু কদাইবাইদা লৈথুবনো হায়না থিরুববু থাংদি ফংজ্রদ্রনা ককচেং কোকচাউবিনা লৈবাক মতুম মচা মচা হোন্দুনা লৈবহুম থেংনরুই। মতম অদুদা লোক্তাক খোঙবান্দা তাবা কেগে লমদা লমদাংবা খুনন মচা অমুতারমশু কৌববু কেগে মোইরাং লম অসিবু ঙাই-শেন ওইনগে

ককচেং লুচাউপিচা লানলেম লুদা থোংনা থৌরে লৈহোনবধু পুংখংবাই কেগে হাওভোনবনা পুংকোইরম নোংয়াই অমুতারমশু হাওচেং নমপোককী লোকতাক পনয়া কোয়ববু লৈমু শেংতাকনা লৈহৌ শেংওই পুংদা লাইরেন মৈদিংঙুনা ময়িম কেগে তেংবানগে মোইরাং ঙাইওইনগে হায়বগী মদাইরেম চকপাঙ্গমবু কোনথাং লাইচাউবা হিথালোনথোং তুমাবা, মচী থুবা তোংয়াইহনবা মথুরেক কামুবা মশিং শিংমাইলোনবা মথুদেং নানৈববু শেনবি তুমু মপুংয়াইদা খোংশানখিয়ে। মদাইরেম কোনথাং লাইচাওবনা শেনবি মপুংয়াইদা খোমহাললিঙে তুবি মরৌ লৌনা হৈনা শংলৌ থৌরাংখিয়ে। ইদাইরেম পোইরৈ অথৌলিচা হেপপাশীং-ও থমনা চয়োমনা তাউথোক খনথাংনখিয়ো! শাতৌ তোনলোংববু লাইরা পামী লৌনা লোকলৌ পরৈননা কেগে মোইরাং শাথি-ও হায়না থৌশিখিয়ে। মদাইরেম অথৌলিচা হেপশীংনা শেনবি তুমু মপুংয়াই ইন্নুংসোইয়াইমাদা শেনবি য়িময়াই থায়না লাক্তারুইয়ে। শেনবি মারৈমাবিবু লুরক কাংদৈথি থৌনাও লোনথোং

হায়বগীদমক মনাই অচানবা চকপা থুঙ্গংগী লম্বু কোনথাং মাইবা হিগী হিরম নিংথিনা থংবগী লোয়নবা তোংয়াইহনবা, মথুরেক কামুবগা তুমু লৈবাক্তা চৎখিয়ে। মনাই কোনথাং লাইচাউবগা শেনবি তুমু লৈবাক্তা মৈদিংঙুনা য়াম্না মরৌ তৌনা থৌরাং অমা তৌথি! পোইরৈ লমগী শাদা লান্দা থোবা ইনাইশিংও! কেগে মোইরাংগী অথোববু থয়া চয়োম্না য়োমগুম্না থম্লিবা শামক ওইরবসু শারেন শাকোক ওইনা য়াম্না চোকশিন্না লোকলৈ পরৈ লৈহনা থম্লিববু থি-ও হায়না থৌদাথি। পোইরৈ লমগী অকল অথৌশিংনা শেনবি কবোগী তুমু কৌবা লমদমদা অহিং অতুমক্তদা কবোগী থুঙ্গং চঙহনা য়ুমথোং থুদিং চঙনা লান্দাখিবদা শেনবি কবোগী মবেম্মা লৈমবু মঙক কক্লা পুরক্লে। মৈদিংঙুগী মনাইশিংহনা অহিং অতুমক্তদা পোইরৈ মাইকৈ পাংলকখি। অসুম্না কবোগী লৈমবু হাংথরে হায়বা পাউ তারহনা কবো শেনবি লমগী তুমগী লান্দাকবা মমিং চৎপশিংনা মথবাই মুংঙাইতবনা মাঙ্খমক্লা বাথোক ওইরকখি। ঐগী লম্বু কোনথাং লাইচাউবা-ও! নংগী পোইরৈ লমগী লৌশিং ফত্তবা মৈতৈ

লেল্লক্লে। মৈদিংঙু মদাইরে মশী দি য়িগুং সোইয়াইমানা মরান ওন্দে-রক্লে। শেনবি মরৈমাবিবু নোংমল্লবগী ময়িম শেনবি তুমু মনিনমাইবনা য়ারোইরকয়ে। ইলমবু কোনখাং লাইচাউবা-ও! খোয়বুং নরৌ চাউবগী নয়িম পোইরৈ মৈতৈ মনিন নাইবনা ইমুং সোইয়াইমদা হুয়েন লান্দায়ে। শেনবি ইরৈমাবিবু লুরক কাংদে থিনা হৈনখিয়ে। লৈকাই পুচারুক লাংবন অরোনলুককুমববু নংঙোন্দা লনশীংগে হায়না সেংগম ঙাকলৌ-মুং পরৈ লানকা শানা য়ারোইরে। কোনখাং লাইচাউবানা মরৌ লৌগা হৈনা পাওখুমলকয়ে। শেনবি ইচিনঙাই! কবো য়িনাউ ঙাইশিংও! নখোইবু ঙাইরখিও। করৌ অসি মুখিংমাবু য়ায়রা নাশানে হুয়েন নরাননে। খোয়মা ইমাই ওল্লোই। য়ামচেং ইনম মুক্লরোই ঐবু থাংলেন কোমশাংনহিগুনো। শেনবি নংখোইগী নপন-খোংদা খোয়মা নায়াই খাইরকপা তরা চাকয়োম খোকক্কমবু মিংয়েং শানখৈরুও। ময়িম কেগে মোইরাংলা নোংয়াই খুমললা অয়িম পোইরৈ মৈতৈরা খংদে। ময়িম কেগে মোইরাংনিগীনি থম্লা চাকয়োমনা

লান্দা থৌবশিংনা অহিংদা লাক্লনা লান্দারবে। শেনবি ঐগী লৈমাবিবু মঙক কক্লনা পুখরে। লৈকাইগী খোংদোক য়াখোক অমদা ঐনা তৌরুবা মতেংগী হৌনবি মীনম্ব তৌরকপা অহুগুম অমদি লাংবন খাদগী হৌনা মরু মরাং ওব্রবা লুক্লা নাম্বা তরবা লৈবঙ্গা নংঙোন্দো লম্বন শিংগনি হায়ক্লনা কোরৌ নোংথৌ য়েংহুনা পুক্লিংচপ মুংনা (শেঙ্গম ঙাকলৌমুংগুয়া) য়াশকখরে। কোনখাং লাইচাউবনা মরৌ তৌহুনা য়াম্না হৈনা শিংনা পাউখুমখিরে। শেনবি কবো লমগী ইচিন ইনাউ ঙাই-শেন্‌শিংও! নখোই অমুক্তদি ঙাইখো। ঙদি কোরো মুখিং অসিদি নংগী অকাবা শাগুবনে, নংগী লান্দা ফারবা বন্দিগুবনে। ইমায় অসি ওয়াই. পুক্লিং হম্বা তৌরোই অহুনা ঐবু নংগী থাংলেন অহুনা হেক ককপনকি ককহৈম্ব। শেনবি নখোয়গী পম্বোংদা লাকপদা নখুমংদা চংলক্লনা খুমং মরামদা লাকপদা মাখোয়না পুরকপা তরা চাকয়োম খোঙ্গা চাখিবা মকয় অমুক্ত য়েংলুশিসি। কেগে মোইরাংগী মীয়া, নোংয়াই খুমন লমগী মীয়া নম্রগা পোইরৈ মৈতৈরা অয়েঙ্গা কনানো খংদরি। কেগে

তাউথোপ থমথাংনা শাতাউ তোললোংবা নারৈনরকঙৈনে। নোংয়াই খুমননিংগী লৈহৌ য়ুতাং থাংবা লানা তরা চারোম য়োমনারকঙৈনে। শেনপি মাপন-খোংনা মিংয়েং শানখৈরুও হায়না পাওমেন-রাগী ময়িম শেনবি তুমুনা মিংয়েং শানপেরুববু থমলা চাকয়োমনা তাউথোপ থনথাং-নাঙময়ে। শেনবি ইলমবু কোনথাং লাইচাউবাও! কোনলোই নতিনমেনবু তৌদা অনা তৌওময়ে। ময়িম কেগে মোইরাংনা লেপ্পা তৌবনারিঙৈনে হায়না চকপা-লনবু কোনথাং লাইচাউববু পরৈ লনসা খোকপিরে। ময়িম শেনবি তুমুনা মৈদিংঙুগী মদাইরেম কোনথাং লাইচাউবা-ও! হয়েং লোইলাম মপুং ওইরকলবদা কেগে ভামন্না মোইরাং থেংমান্নসে। শিংলেন মেন মানবা লৈরাং খোককন অকনববু শিংলেন লৈপান শেংনা থাইনখিয়ে। হয়েং শিংলেন অসিনা খুমু-হুন লৈরাং থাগং শারকলবা নয়িম পোইরৈ মৈতৈসুং হুয়েন লানহৌরকও হায়না খৌশিরকপা রাগী লোইদাম মপুং ওইরকলবদা শিংলেন অতু খুমু-হুন লৈরাং থাগং শারকলবদা ময়িম শেনবি তুমুসুং হুয়েন লালহৌরকলে।

মোইরাংগী মী ওইরগনা থম্নানা য়োম্বা চাকয়োমগী থন্না মতোল লোম্না পাকপা ওইরমগনি। নোংয়াই খুমনগী মী ওইরগনা লৈহৌরানা য়োম্বা চাক-য়োম-লা ওইগনি অদুনা শেনবি নখোইগী পম্বোংদা অমুক্তং মিং-থিনা য়েংলুখি-ও হায়না হায়জরবগী শেনবি তুমুগী মীয়ামদি চত্তুনা য়েংলুববু থন্না চাকয়োম লানা তা-হুনা লৈরববু উন্নরে। শেনবি ঐগী লম্ কোনথাং লাইচাউবা-ও! নংগী নপাউ অদুবু হাযবগুম্নহুনা তৌরমলে। কেগে মোইরাংনা তৌবা ওইরম্লে হায়হুনা চকপা লম্ কোনথাং লাইচাউববু বাশক তৌহুনা হাৎকনি হায়না খৌরাংলম্ববু তোকপিরে। শেনবি কবো তুমুগী মীশিংনা পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌ মৈদিংঙুগী মনাই কোনথাং লাইচাউবা-ও! হয়েং মতম অমদা কেগে মোইরাং লৈবাক অদুদা লান্বাবদা লায়ামিন্নসি মোইরাং লমদা য়োমন্নসি অদুনা লৈরাং নিংথিবা মেনলৈ কৌবা মখোক কনবা লৈবু শেংহুনা থাইনবি। হয়েং লৈরাং অসিনা অনৌবা খুমু মযোল হুনবা মতমদা পোইরৈ মৈতৈ নংমু লালহৌরকও হায়না হান্নবিবা বারম মতুংইন্না মতম ওইরক্লবদা শিংঙেল লৈরাং অদুনা

মৈদিংগু চরাইরোংবা শংলো মথৌরাংগী মদাইরেম য়াইচিং খুন্নাকপ সনা ইলুপ লেনলকপা কোংয়ামবা লৈচোন লাকপা তোনলোংখোমবা অঙোবা হিথা লাংলোই ঙমবা সনা খৌয়েক্না লুপা খৌথাংনবগা লৌপোন মাইওই থিননা খৌশাথবদি কেগে য়িমথৈ-কং মোইরাং পনতোম লোয়্না তুবি থিংকু মথিনাই লাইরেন মৈবু য়োংনা-ময়িম কেগে চাউবা পুঙবু মরান থুমবি মৈমাংচন হুয়েন য়াইশিং মুৎলে। খুয়োন সেকলৌ তুংলৌ ঙাংলৌ ঙাংখা য়োকচিন লাকখোং খোইনাইঙমপু ব্রা লাইচীং য়াউস্থ খুনতোন হীথা চৎলম্ কানশাং মনিল নাইনা পানবা পুঙ থাংঙা লৈকাই ৭ মাবু খারাখেনচংকীন শরিক লাইথন-থুম সাইপু মৈতান পকনা পনথেংলে। হুয়েল লাননিংগীদি কেগে মোইরাং খামবী লৈমা পুকৈরেন লাংম্নুস্থগা কেগে সেনলোইঙাই মোইরাং পাইরৈঙাইবা পুন্নামাস্থ খোম্খৎলকলে। খোয়বা রাশিকাপু খোমবা সনাপোনচেংঙম য়াউস্ত্ররাকপা মচা লৈতাং লাম্বাববু কায়্ন হুনলে। মরান ওন্দেরক্লবদা শেনপি তুমু লাকপা য়িরানচীংবাস্থং কারকয়ে। ময়িম কেগে মোইরাংনা লৈশং

অনৌবা য়েন্নিং চোংহুনা মযোল হুলক্লবদা শেনবি কবোগী মীশিংদি লালহৌরকলে। হায়নখিবা বাগী মতুং ইন্না মৈদিংগু চরাইরোংবন্থ খৌরাং তৌহ্না মচা মনাই শাদা লান্দা হৈশিংবা অকল অথৌ লুচিংবা লৈচোন লাকপা তোলোংখোম্বানচিংবা অঙোবা ফিরালবু বাকয়ৈ খক্তা খান্না লাংলোই ঙম্বা সনা খৌয়েকপা লুপানা খোণাংনবগা লোয়ননা হি য়াই ওইরবা য়েংথাং ওইথাং হাপ্তুনা লান্দাখিবদি ময়িম কেগে মোইরাংগী য়ুম খুদিং চংহ্নুনা খুহক-খুনথা কাউনা মৈদিংগুনা কঙ্গি কঙ্গাউ খোক্লা মতিক মঙম্ উৎনা লান্দাখিবদি হুয়েন লানকম কয়ামদা য়াইবি থবাই যান্না শিরে। খুয়োন শেকলৌ, তুংলৌ, ঙাংলৌ ঙাংখা, ওকচিন, লাকখোং খোইনাইবম্বু, উন্না লাইচীং অতুগা য়াউত্ত খুন্দোননচিংবা লৈকাই ৭ না পুন্না তা-হ্নুনা মুঙাই মরাং কায়না পান্দা লম্ মৈতাল তাদোই তাবমখৈ মৈ থাহ্নুনা লান্দাখি। লানকম অসিদা কেগে লমগী লৈমাখি লৈমা পুকৈরেন লাংম্লুগা কেগে লমগী লুচিংবা মোইরাং লমগী লমজিংবা পুন্নমকপু লান্দা খোমথংখি। খোমবা রশিকাবু লানঙবা য়াউত্ত লাকপগী মচা লৈতাং লাম্বাববু লানয়্রকথিহুনা

খাওমা-হান লৈঙ্গৌ খাউহান্ননা লোইহারায়ে। নিংথৌখোমবা কেগে খোমচিনবা তুবী সনা মচুংসেনদি অঙ্গুসুং মদোমদে। হাওরৈ নোং-পোকপা পাংবরম্ লৈমা লৈনাউ তাবি পাকোন লুখোং-চীং ব্রায়রং উচিমাই অঙ্গা চীংতোমপোক ব্রায়রং নামুন-চীংদা খৌশাবনে। ব্রায়রং নামুন-চীংও কোবদি হৈরেম খুনজান নিংথৌ কাউরেন লৌখিবা মমোম তাংবি শাকবীবু মপন পনথৌ নিংথৌ কাংলেন লৌথিবনা তানলোই মতু-মুল তয়ম মনাই-খোম তাউরেন মীকন তোনবা-ব্রাগীবু হৈরেম মপাচানা শেনবি কাবো লোইচনগে সনা থনকা-ব্রোন লুপা চাংকা চীংগে হায়না শেনবি কবো লোইচনলকপবু হৈরেম মোইনুচা চেংলৈ পনতাই ওনবনা মরান ওন্দেরকপদা লম্ওক্লরে। পাথৌ খুচান-থোমবা-ও হৈরেম কাংলেন থৌবগী মমোম তাঙ্‌বি অসিবু করিগী পরৈ লনকা শারকপনো হায়না পাউমেনববু পাথৌ হৈরেম্ মোইনুচা-ও! মপননা তয়ম মিনাইতোন তানলোই মতু-মুন কাউরেন মকন তোনবা-ব্রাগীবু শেনবি কবো লোইচল্লকয়ে হাইথরবদা তৌইগীদি পাথৌ-ও!

মমুন মাইকৈ পাংলকপদা শেনবি তুমু লাকপা ঈশিং লায়বা লুচীংবসু কারকথি। মসিদা কেগে মোইরাংনা লৈশং খাউ অমা লৈঙ্গৌ খাউদা হাপ্নুনা লোইহারৈরে। মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বা কেগে খোমজিনবা, নিংথৌরেনগী মতিক মথৌনাদি অসিনসু লোইবা নত্তে। নোংপোক মাইকৈ পাংবলমদা লৈমা লৈনাউত্তাবী (পোইরৈতোনবী সুপি) না খুন্দারবা ব্রায়রং উচিমাই অঙ্গা চীংদোমপোক ব্রায়রং নামুনচীং কোঁন্দা লান্দাথিবনি। ব্রায়রং নামুনচীং কৌথিবদি হৈরেম খুঞ্জানগী নিংথৌ কাউরেন লৌথিবগী মচাঙ্গুপি তাঙ্‌বি শাকবীবু নিংথৌ কাংলেন লৌথিবনা তালোই ওইনা মুনুবা তয়ম মনাই ময়াম খোয়্বগী মরমগী হৈরেম খুন্দংগী মপা মচা পুন্নমক্লা হৌরক্লনা শেনবি কবো লমবু লোই চনগে সনা লুপা খোঙ্গে হায়দুনা লোইচন্নকপদা হৈরেম মোইনু-চা চেংলৈ পন্দাই ওন্বনা মখিম মাইকৈ অরকপদা লন্থাংদা ওক্লরে। ইভাউ! খুঞ্জান খোম্বা-ও! হৈরেম কাংলেন থৌবগী মচাঙ্গুপি তাঙ্‌বি অসিবু করিগী কারকপনো হায়না হংলবদা ইভাউ হৈরেম মোইনু-চা! মাগী মপন্না; মনাই য়াম্বা মীনাই মীশন মামগী

ঐপীস্থং নপননা তালোই ইতু-মুন তয়ম ইনাইখোম কাউরেন ইকন তোনববু লৈয়ে হায়না ব্রাইরং কোনখাং মনাসিবু মুলহোয়ে। অহু নোংগীখু ব্রাইরং নামুন-চীং-ও তোনা কোয়ে। ব্রাইরং উচিমাই-ও কৌবদি নযুব্রা চীংখোং পোইরৈতোননা লোইখি শিদবা হেমবা নাদববু খুনথিরকপদা মৈতৈ লৈমা লৈনাও-তাবিনা শানৌ চীংখোং পোইরৈতোন-ও! চীংলেন নাপোম হুইথখিবা অসিবু লব্রাই যুপুং-কোয়, যুনারেককী চীবা মাইশাংববু করম্ মানবনো হায়না শোল্লময়ে। ব্রাইরং উচিমৈ-ও খোননৈয়ে। লৈমা লৈনাউতাবি পাকোন লুখোং-চীং ব্রাইরং নামুন-চীং শেনবি অকলা চীংতোমপোক্ চকপা খুনথৈ নারেংচীংদা শেনবি মনিন নাইবনা লাংকোই পুঙবু লেমনা পোইরৈ য়ুমলক চংগে হায়না তেমশিংববু লাইরেন মৈদিংঙুনা হুয়েন্ লানখোং ৫ খায়না অক্লা চীংতোমপোক্তা খৌশাখবদি অক্লা তেংকোন চায়রে। শেনবি েংচং য়ানলে। হুয়েল লাননিগীদি অক্লা মনিংথৌ য়াংগোই শামু লোইবা

তালোই মতু মুম্না লৌবা, কাউরেন মবনচা অকনববু খোমখিবগী মরমগী শেনবি কবো লমদা লোইচনখি হায়না হায়দবদা অহুম ওইনমক ইতাউ! ঐপীস্থ নপন্না ঐপী তালোই ইতু-মুন তয়ম ইনাই ময়াম খোম কাউরেন ইবনচা ময়াম খোমখিবস্থ লৈরিবনি অহুনা ননাদা শিরিবা লমতান্নরিবা কোনখাং ননাশিহু মুনবা তারে হায়হুনা মুলহোয়ে। অহুদগী ব্রায়রং উচিমাইও কৌখিবদি নযুব্রা চীংখোং পোইরৈতোন্না করম্বা শিরোই মারোইদৌবা অকবা মকম লৈরিগদগে হায়না খুন্দাবা মাবা মকম খিরকপদা মৈতৈ লৈমা লৈনাউতাবিনা ইশানৌ চীংখোং পোইরৈতোন-ও! চীংলেন নাপোম অসিগী চীংমৈ হাইথখিবা অসিবু লবাই লুখোংদা য়ু পুরগা কৈজা শাবদা মমৈ তাথরকপগী মওংবু করমবু অহুম মানবনো হায়না শোল্লমই। অহুদগী ব্রায়রং উচৈমৈ হায়না [illegible]। লৈমা লৈনাউতাবি পাকোন লুখোং-চীং, ব্রায়রং নামুন-চীং শেনবি অক্লা চীংতোমপোক চকপা খুনথৈ নারেং চীংদা শেনবি মনিন [illegible] পানরা পুমা [illegible] [illegible] য়ুমক চংনা [illegible]

চেংচরি চেংচাকং মপাবী খাইবোং মানতং লাকপবু কায়ন হুললে। মৈদিংঙু নিংথৌখোমবা তুবি থয়াং মথৌমনগীবু মিংওনখিবা অক্লা তেংকোন চায়বা চেচবি চেংচাকং খোকচারি খোকচারুং খারিরুং খরাইবোং মানতং লাকপবু কায়ন-হুনবও তৌনা কোয়ে। লাইরেন্ মৈদিংঙু খোকচাবী খোকচারুং ফাব-ও! তুবি সনা মচুং-সেনদি অত্থুং মদোমদে। হাওরৈ নোংপোক খানা পাংবরম্ তারাউ লৌচিংকৈদা খৌশাবনে। তবাউ-লৌচীংফৈ-ও কৌবদি কদৌনোং-গিনো। নম্বুবা চীংখোং পোইবৈতোননা লোইবি শিদবা হেমবা নাদববু চীংবুরোই তমবুকেন্না লাংওল্লকপদা অকম অথম লাইবু লাইথুংলবগী ফুংগা থিকপি ঙমঙানা মথুক-লুগা মথতাংগা নমঙ-ননা তরাউ লৌখাংলময়ে। লোইবি হাওতাবৌ তারাউ লৌচিংকৈদা লাংচিং চিংতোনপোক চীংলেন হিয়াংমান তরাউ পাখংবা মচিংলেনগী লোইবি মরৈমাবি তবাউ কাকোইবিগা মহু নিংথৌ কোন্দে

লাইরেন মৈদিংঙুনা লাঙোং ৫ থায়হনা অক্লা চীংদোমপোক্তা লান্দাখিবদি অক্লা খুঙংদি কায়খরে। শেনবি কবো মচা অয়াম্বু নেংনা য়াম্বুবে। হুয়েন লানফম অসিদা অক্লা খুনগী নিংথৌ য়াঙোই শান য়াম্না লোইহা চেংচারি, চেংচাকংগী মচা খাইরোং মান্দং লাকপবুম্ লানঙমখি। মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বগী মতিক মথৌনা অসিদগী মমিং ওনখিবদি অক্লা তেঙোন চাববা চেংচাবি চেংচাকং খোকচারি খোকচারুং খারিকং খরাইরোং মান্দং লাকপবু লানঙম্বা হাংনা কৌখি। মৈদিংঙু খোকচারি খোকচাকং ফাবা নিংথৌগী মতিক মথৌনাদি অসিনম্থু লোইবা নত্তে। নোংপোক মাইকৈ অমহুং থা পাংব-লমদা লৈবা তরাউ লৌচিংকৈদা লাম্নাখিবনি। অসিগুম্বা লৌচিংকৈগী লমবু তরাউ লৌচিংকৈ কৌখিবদি করিদগীনো? নবুথৌ চীংখোং পোইরৈতোম্না চীংগী তমগী করম্বা অফবা শিরোই নারোইদোবা মফম লৈরিগদগে হায়না মথং মথং লাকপদা অরুম লাইনানা নারবা অমা হুন্দাদা মৈ হোত্থনা খুকউদা থদাং শোত্থনা অনাববু থাংলমই। লোইবি হাউত্তা-রো তরাউ লৌচিংকৈদা লাংজিং চীংদোমপোক চীংলেন হিয়াং মানবা তরাউ পাখংবনা তাবা চীংগী খুম্লাকপি

শাংদিং লাংমৈববু কায়ন হুনলে। লাইরেন মৈদিংঙু নিংথৌখোমবা লোইবি তারাউ ঙমবদি চোয়নৌ সনা মিংহুনগীবু চুনবনে।

নয়োন মৈতৈ লৈমা নোংবাললোন লিনথোইঙমবী-ও তৌন কৌয়ে। অঙৌবা তুরেল থাংমা নিংথৌ নোংপোক কাসোমবা লমমিং মনাউ শেনখু ফাবনাপোকপি নোংবাললোন লুচাউবি, অথাং থাংবাই নময়াই-চীং য়োইখু খোইমোম লাইরেমমা লোইমোম ফৌওইবিনা তুচোং পনলানলম থাংবাই লৌতাং-খম তাংখমলিরাপোক থাংবাই লমহল চংবি মকাইরেন্দ সনা খোমহনবনে। থাংবাই লৌতাংখম তাংখম লিরাপোক-ও কৌবদি কদৌনোংগীনা। লোইমোম ফৌওইবিনা কোংয়াং মচৈশুখু মানলেম-লয়দা য়ুংলমববু লোকলৌ শোইরেন-হুন লাংলেন রাপান ফারে। অহুনোংগীবু তাংখম লিরাপোক-ও কৌয়ে। থাংবাই নময়াইচীং-ও কৌবদি লোইমোম ফৌওইবিনা য়োইময়াই তাউদনবা কোরৌ নোংশা-মৈদা মনম মথা য়াইজরম্‌য়ে। অহুনোংগীবু অথাং থাংবাই নময়াই-চীং-ও

তরাউ কাগোইবিগা মৌপা নিংথৌ কোন্দে শাংদিং লাংমৈববু লান্দা মাইথিবা পিথি। লাইরেন মৈদিংঙু নিংথৌখোম্বা লোইবি তরাউঙবা হায়না মিঙ্গৌবদি কদোংলবা সনাগুম মিংহুন অসি চুনবনি।

নবেঙ্কৌ মৈতৈ লৈমগী মিংদি নোংবাললোন লিঙ্গোইঙবী হায়না মিঙ্গৌই। ইম্ফাল তুরেলগী নোংপোক থংবা থাংমদা তাবা অঙোম নিংথৌ নোংপোক কাসোম্বা লম্মিং মনাউ শেনখুফাবনা পোকচখি অঙোম য়েক্তা পোকপি অহনবিনি। অথাং থাংবাই লমগী ময়াইদা লৈব-চীংদা (চঙাঙ্গৈ নখোল লৈথ্রাম লমশাং পাংশোইনচিংবগী অথাং থংবা লমগী ময়াইদা লৈব-চীং) দা খোইমোম কৌওইবি লাইরেম্বনা তু-খোং চোংনা লাল্লবা পল থাংবাই লমগী-লৌ তাংখম লিরাপোক থাংবাই লমদমদা লাইরেমনা খোংদাথি। থাংবাই-লৌ তাংখম লিরাপোক কৌথিবদি কৱিদগীনো? ফৌওইবি লাইরেম্বগী কোংয়াং চৈশুবু মালেম লৈবাক্তা য়ুংলববু মনৌ উশোই চোংহনা রাপল ফারে। হুমিং অহুদগী তাংখম লিরাপোক হায়না কৌথি। থাংবাই নময়াই-চীং কৌথিবদি

থোনখৈয়ে। থাংবাই লৌতাংখম তাংখম লিরাপোক্, অবাং থাংবাই নময়াইচীংবু নাতৈননা চংবি মকাইরেন কয়্খুচাগা-তৈ, কয়্রেন হাপচা হাপপা কয়্দা য়োইবু শলাই ৫ মা মোইরৈ হাথৈবদা লৌতাংখুন তাংখুন মচীংলমগী তুশেন মনিন নাইথনা মোইরৈ কয়্চোইববু ফাগে খাংগুম হাখৈববু খোমগে হায়না হুয়েল্ লানহৌরকপদা য়োইবু মৈতৈলৈমা মাকোই পাউনিংশিংবিনা লাইরেন মশাবিগী চেংলৌ শকপানথোং পুমুং লেপপানথোংবু শোন্ভমখিয়ে। শমলাং চকো-লয়্ মকমারৈ বুনকোই-থোং লাবা শমজিন নাওরোয়থোংবু নোংথৌরাংবা শঙশানা নাশি পুমাইলেম সনা কোনফমতাউ লুকোই সল্লাই-য়েৎ শাংতিং মনিংথমবু য়োকয়া তেমচিন শানা লাইরেন মশাবীগী চেংলৌ শকপানথোংবু লৈরাইরে। য়োইবু চারনতা য়োইহে খোংফাং লেংবি পুন্নমাস্তুং শমচীল নাউরোই থোংনা শাংতিং লাললৈ থেমলে। মদাইরেম তাংখুন তুশেল-মনিল নাইবদি চুমপুল লাল্লেথেম হুইরোং লুকা-চীন লাইথোং হুই-য়োমবা তিমেন ঙানোই চোংনা পোইরৈ হাথৈফমবু য়িনতাল্লকয়ে।

কৌওইবি লাইরৈমনা য়োইমরাই তাউদনবগী (হুমিৎকী) মৈশাবু নোংশাদা মনম্ মথ' য়াইজরমই। হুমিৎ অদুদগী অবাং থাংবাই নময়াই-চীং হায়না খোন্নথি। থাংবাই লৌতাংখম তাংখম লিবাপোক অবাং থাংবাই নময়াই চীংবু তুং-ওই নাতৈ থন্নগা ফৌগৈ অচৌবা শাববু শলাই ৫ গী মী হুপ্পা চঙদুনা কয়দা ফৌ হাপচববু লৌতাংখুন তাংখুন মচীংলমগী তুশেন নিঙাই চাউবশিংনা মোইরৈ কয়চোইববু ফাগে বাংগুম হাথৈববু খোমগে হায়দুনা হুয়েন লালহৌরকপদা মৈতৈ লৈমা পায়মা লৌশিং খোইবিনা মবুংঙোগী চেংলৌ শকপানথোং পুমুং লেপপাথোংবু মান্না ফিশেৎ লৈতেং শেমখিরে। শম্লাং চগো লয় লবাই লেমফুদা শম্লাং অদু লয়থত্তুনা নাদা নাশি পুঙমাই নিংথিববু য়াদুনা কোকয়েৎ তোলোক হাপ্তুনা চৈরৈ নমথাং ইন্নফিবু ওকী ময়া তেমজিন শাবনা মৈদিংগু লাইরেন মশাবীগী মশক মতম মান্নবা তৌরে। কোতুং মকুংগী ইবেম্মশিং লোয়নবি পুন্নমকমু শমজি লবাইদা থোংদুনা শাকি লানফি শেৎলে। মদাইরেম তাংখুন তুশেন হাউ নিংঙাই চাউবশিংদি হাউফি লানফি শেত্তুনা চয়োম

য়োইবু মাকোই পাউনিংশিংবিদি ব্রনবি লাইনিংশিংনা পাউমেনখিয়ে। ইদাইরেম তুশেল মনিল নাইবশিং-ও। নংখোইদি লাইরেন ঐনা শেনবি অল্লা থেংলুবদি থৌরে তেংপাংলদে হুয়েল লালুমবিরদে অঙ্গুম হাইথরকপদা তাংখুন তুশেন মনিল নাইবদি লোইবি মঙাইরোই মশেনবু লোয়া বা তায়খিয়ে। লাইরেন মৈদিংঙুনা শেনবি অল্লা থেংখিবদি মরান ওন্দেরক্করিবা খাচিকয়ে। চংবি মকাইরেন্দদুম ব্রাইথুংঙমরে হায়না মানবি খুতপা পুরুমলবদা ইদাইরেম লোইবি তুশেল মনিল নাইবশিং-ও! নংখোইবু লাইরেন ঐগী ব্রাংলৈ অয়াকপা হাওদে অথুমববু লৈয়ে। ব্রাংলৈ য়ুপিং থকখিও হায়না য়োইবু-চাদা য়োইহে খোংকাং লেংবিশিংনা ব্রাংলৈ পাকতক্ল হাওদে ফাকেন্ননা ব্রাংলৈ য়ুপিং থকলে। লোইবি তুশেল মনিল নাইবদি য়ুপা তোনওমনা হাওদে কোক্তা কানা তাংখুল লানয়াম থায়ে পামেল কৈখোং লুরোইমাগা হুয়েন লানপুমমাগা থৌরি ঙংকোয় হুক্লা তাংখুন লানয়াম থারে। তুসেল লানয়াম ফারে। হুয়েল লাননিগীদি তাংখুল তুসেল মনিংথৌ

চেংঙেল পুনা য়োমহনা খুত্তা টিমেন টাবাক পায়না ইকা ঙাওম থেরাং-থাং ঙানোইনা চোংবগুম্না পোইরৈ লমদা হুয়েল লান্দারক্লে। মতম অসিদা ইবেম্মা লৌশিং চাউবি মৈতৈ লৈমগি মপুক্তা থংনিং নিংশিংলক্কুনা হায়রকখি। ইনাইশিং অচানবা! তুশেল লান্দা থোবশিং। নংখোইদি মৈদিংঙু ঐনা অল্লা খুঙং লান্দাক্লবু তেংবাংলদে হায়না হায়রবদা তাংখুল মনিল নাইবশিংদি মখোয় মশেল বা তায়খি। লাইরেন মৈদিংঙুনা কবো শেনবি অল্লা লমদা লান্দাখি হায়বহুদি হল্লকুমলেদনা। নিংথৌগী শঙাইদহুম থুংলবলে খুরুমসে হায়রনা মকোক লোয়া খুরুমবদা মৈতৈ লৈমা নিংথোইঙবীনা ইনাইশিং অচানবশা! নখোইবু মৈদিংঙু ঐগী ব্রাংলৈ অয়াকপা হাউদে অথুববু লৈয়ে। ব্রাংলৈ অয়াকপা হাউদে অথুববু থকখো হায়রবদা নিংথৌশেনবা শারিবা য়োইহে খোংকাং লেংবিশিংনা তুশেল মনাইশিং পুন্নমক্তা হিরাক মনা অয়াকপা নোইশিল্লবা য়ুবু থাংদোক্কুনা ঙবমথৈ পিথকলে। লোইবি তুশেন চীংদা তাথা তাংখুল মরৌ তৌবশিংদি য়ুগী ময়াইনা কোক্তা কাখিহনা তাংখুল অয়াখা

হেনপুরীংবা লানথোয়াংবু কায়ন হুললে। অহনোংগীবু নোংবাললোন্ লিনথোইঙমবী হুয়েন পুরিংবা ফাবি-ও তৌনা কৌয়ে। নোংবাললোন্ লিম্থোইঙমবীনা খোমহনবদি অহুম্মুং মদোমদে। হাওরে নোংপোকলা পাংবরম নোংবাল যনয়াম্বিনা কাউরেল যনথি-থেল শেনলোই মপিথেলদা হুয়েন লান্দা-নবা থৌকা পোৎলানবি তাইতন শুনা-চীংদা সনা খোমহানবি তাইতন শুনা-চীং-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো? নয়ুব্রা চীংখোং পোইরৈতোন লৈমা লৈনাউ তাবি চেন্নবনা লোইবি শিদববু হেমবা নাদববু খুনথিরকপদা চৈরে অয়িন-তাম মাললৌ অশেৎ-ব্রাৎলবগী ইয়োং কোতিং-থাং শূনা লংলৌ-থিনা চৈরে ময়িন-ফিবু শারময়ে, শুনা-চীং-ও কৌয়ে। তাইতন-ও কৌবদি চৈরে মরাক-চাম মাল্লৌ ফিপাল্‌গুমবা ফিবু তাইনা মেননা থারময়ে, তাইতন-ও থোননৈয়ে। মৈতৈরৈমা নোংবাললোন লিনথোইঙমবী তাইতন শুনা-চীংদা মোইরে লম্য়েংহৌবিনা লহান ইয়ুব্রা চীংখোং পোইরৈতোননা লোইবি শিদববু খুনথিরকপদা শাবি মৈতৈরৈমা লৈমা লৈনাউ তাবিনা

ঙাউহনা তাহনা লৈরে। মতম অসিদা ফৌগেগী কয়থোং খুদিংদা তাংখুলশিংগী মঙক্তা থৌরী হক্ক্না পুম্নমকপু পুন্দুনা ফাহনা থমথি। লানকম অসিদা তাংখুল তুশেন নিংথৌ হেনপুরিংবা কোৌবা লান্দা থৌববু লানঙমথি। হুনিং অসিদগী নোংবাললোন লিংথোইঙম্বি হুয়েন পুরিংবা ফাবি হায়না মিঙ্গৌথি। নোংবাললোন লিংথোইঙম্বিনা মতিক মথৌনা উৎথিবদি অসিনম্থু লোইবা নত্তে। নোংপোক মাইকৈদা নোংবাল যনয়াম লোইবনা কাউরেল যনথিথিবা খেল শেলোই মপিথেল কোৌবা লমদা হুয়েন লান্দা-নবা থৌগা পোৎলানবি তাইতন শূনা-চীংদম্থু সনা খোমহানবিবনি। তাইতন শূনা-চীং কৌথিবদি করিদগীনো? নবুথৌ চীংখোং পোইরৈতোন, লৈমা লৈনাউতাবিবু কোইচেন-চেম্নবনা চীংগী করম্বা শিরোই নারোইদৌবা তমগী করম্বা অনা অয়েক ফংলোইদৌবধু লৈরিগবনো হায়না খুন্দাখা য়াবা থিরকপদা শেৎন ইম্নবা ফিনা লৈতরবগী ইয়োং কোংতিং (শাংতিং)-থাং শুনা লংলম থিনা চৈরে ইম্নফিবু শারমগে। শুনা-চীংও কৌই। তাইতন-ও কৌথিবদি করিদগীনো? চৈরে মরাক

ইয়োং কোংতিং থাংনা চৈরৈ ফিশারময়ে হায়রে য়োইবু ঐস্থু ইয়োং কোংতিং থাংনা চৈরৈ ফিকোই লেনলময়ে অহ্নোংগীবু তাইতন শুনা চীংদা পোইরৈ লময়েংহৌবি ইয়োং কোংতিং থাংনা চৈরৈ ফিকোই লেনববু তানফংবি হুয়েল লাননিগীদি লোইবি তাইতন মনিংথৌ তাংখুন হাউতোনবা তেবাস্থুং মাথামচীং মিংনাইবধু কায়ন-হুনবি তাইতন শুনাচীংগী য়াউরৌ শহুং ফাবী হুয়েন্ লানগী কুংফাবি লোইদাম থামিং হোংবি হাওতোনবা তেবাস্থুং লোইদাম থামিংনববু মিংথোংবি চকমোম মৈমিং হোংফবি পুপাল লমলোক মৈবু থাবা সনা মৈবু মিংথোংবি নোংবাললোন মিংথোইঙমবীনা সনা খোমহানবিবদি ঙ হুস্থুং মদোমদে। মোংবা হিয়াংলমদা খোমহানবনে। মোংবা হিয়াংলম-ও কৌবদি কদোনোংগীনো? লাইরেন ঙাংঙোই য়োইমোংবনা ৱাকয়ে মথুনেৎ মরাং উকৃ-হন হিয়ান নাপাথোংনা তাওখংবদা ৱুনাউ খোংচা-শম ঔরি লিয়াই নোপ্পা হোইশোল্লকপবু য়োইময়াই তাউদনবা মতাং তেন্লবগী হয়েং কৌবা মনোং শোয়রবগা অনৌবা ঔরি লিয়াই

অপিকপা ইবেম্মশিংগী ফিবলঙবা ফিনা তাইছুনা মেয়া থারমরে হারবগী তাইতন হায়না থোম্নথি। মৈতৈ লৈমা নোংবাল্লোন লিথোইঙবীনা তাইতন শূনা চীংদা ইয়োং শাংতিং ফিশাববু মোইরৈ লময়েংহৌবিনা মমাংঙৈ ইবুধৌ চীংথোং পোইরৈতোয়া চীংগী লম অকবা শিরোই নারোইদবা করথা মকম লৌরগদগে খুন্দাগে হায়না থিরকপদা মৈতৈ লৈমা, লৈমা লৈনাউতাবিনা ইয়োং কোংতিং থাংনা চৈরৈ ফিবু শারমই হায়। য়োইবু ঐস্থু ইয়োং কোংতিং থাংনা চৈরৈ ফিগোই শাহ্লা লেল্লময়ে। মুমিৎ অহ্নদগী তাইতন শূনা-চীংদা পোইরৈ লময়েংহৌবি ইয়োং কোতিং থাংনা চৈরৈ ফিকোই লেনববু থংজবিনা লায়াবদি লোইবি তাইতন নিংথৌ তাংখুল হাউতোনবা তেবস্থুং মথামচীং মমিং চৎপবু য়ানঙম্রকপি তাইতন শূনা চীংগী য়াউরৌ শাহুং কাবি হুয়েন লানগী কুংফাবি লোইদাম থাজঙম মিংনাইববু মমিং থোনবি চকমোম মৈমিং হোংফবি পুপাল লমলোক মৈবু থাবা মিংলেনগী মমৈদা সনা হায়না মিংথোনবি নোংবাললোল লিনথোইঙবীনা লায়াবদি অপিনম্ব লোইবা নত্তে। মোংবা

লোম্লগে হায়না হুল্লাম্লম্ময়ে। হয়েং কৌবা মনোং শোয়্রবগা অনৌবা ঔরি লিয়াই নোপকে হায়না য়িনতান-খিববু ব্রাকয়ৈ মথুনেৎতি থৌহ্ নুংব ওইঙময়ে। অহুনোংগীবু মোংবা হিয়াংলম-ও তৌনা কৌয়ে। য়োইবু মৈতৈ লৈমনা কানম মপুংয়াইদা সনা খোমহানথবদি হুয়েল লাননিগীদি কাকি মনিংথৌ তেচন্বি তেচন্ববু কায়ন হুল্লে। মৈতৈ-রৈমা নোংবাললোন মিংথোইঙমবীনা সনা খোমহানবিবদি অহুম্ংং মদোমদে। হাওরৈ নোংপোক লাইনা পাংবরম কাপুই য়াংলা মপুং-য়াইদা সনা খোমহানবদি হুয়েল লাননিগীদি কাপুই য়াংলা মনিংথৌ হুয়েল যণথৌবি যণথৌববু কায়না হুল্লে। য়োইবু মৈতৈরৈমনা সনা খোমহানবদি অহুম্ং মদোমদে। হাওরৈ খানা পাংবরম কুমফি লৈশোকপুং খোংয়াং মপুংয়াইগী কুমফি তানা তানা পানবা পুংদা সনা খোমহান্থবদি হুয়েল লাননিগীদি লোইবি খোংয়াং মনিংথৌ মাকু শায়াপান মরীংববু কায়না হুল্লে। মৈতৈরৈমা নোংবাললোন লিনথোইঙমবীনা, লাইরেন মশাবী মৈদিংঙু নিংথৌখোমবানা, শেনবি

হিয়াংলমদহ্ লাম্নাবনি। মোংবা হিয়াংলম হায়না কৌবদি করিদগীনো? লাইরেন ঙাঙোই য়োইমোংবনা (তাউখিংমাংগী ময়াম্বনা) মাগী ব্রাকয়ৈ হিগী মওং লাক্লা হিগী হিনুং তোংগে হিবান চুম্না নাপ য়েংনা শেম্নবা পুরকপদা উ মচা মশ্ অয়াম্ববু তকখায়হনা খোংজি থাংনা হোই লাউনা চিংলকপবু হুমিং তাগদৌরবগী হয়েং নোং ঙাল্লগা খোংজি লাক্লা চিংলগে হায়না হন্দোক্লময়ে। হয়েং নোং ঙাল্লগা অমুক হন্না লীরী খোংজি পাম্না চিংগে হায়না চৎখিববু বাকয়ৈ মথুনেৎতি থৌহ্ নুঙ ওল্লময়ে। হুমিং অহুদগী মোংবা হিয়াংলম হায়না কৌখি। লৈমশিংগী মবেম্মা নৈতৈ লৈমনা কনম্ কৌবা খুনগী খুনয়াইদা লাম্নাবদি লানক্ম অসিদা কাকি নিংথৌ তেচনবি তেচনববু লানঙমখি। মৈতৈ লৈমা নোংবাললোন লিন্থোইঙখিনা হুয়েন লাম্নাবদি অসিনহুং লোইদে। নোংপোক মাইকৈ পাংবলমগী কবুই য়াংলা মপুংয়াইদহ্ লাম্নাবদি লানক্ম অহুদা কবুই য়াংলা নিংথৌগী যনশেনবি যনশেনববু লানঙমখি। মৈতৈ হুপিশিংগী মবেম্না মৈতৈ লৈমনা মতিক মথৌনা উংখিবদি অসিনহু

অক্লা ঙম্নবদা সনা মমৈ ৱায়্না সনা খোমহানবদি অহুস্নুং মদোমদে। হাওরৈ খানা পাংবরম হেমবা কাচক লাংথা-চা অতেংবা, ৱাংলেন পুংতমৱাইগী লাংথা মনিংথৌ মারা মিংনাইববু কায়না হুললে। মৈতৈরৈমা নোংবাললোন মিংথোইঙম্বীনা খোমহানবদি অহুস্নুং মদোমদে। হাওরৈ নোংচুপ্ খানা পাংবরম খারম খোইরোই মপুংয়াইদা সনা খোমহানবদি হুয়েন লুহুপ্পধু কায়না হুললে। মৈতৈরৈমা লিন্থোইঙমবীনা সনা খোমহানবদি অহুশুং মদোমদে। হাওরৈ নোংপোকলা পাংবরম শেনবি মতমপাক কবো তমলৌরেন ৱাইসি নমতোংপাল খাকারা লৈপুংমাল ৱাইরি চীংচিল-মাল খারী মতমপাকী চাউফা-সমচাই লানথোয়াংবু কায়ন হুল্লে। মৈতৈরৈমা নোংপাললোন লিন্থাই-ঙমবীনা লাইরেন মশাবী খোইমোম লাইমিংনবা তুবি চরাইরোংবদা মচেং কাইরৈ য়েলহৌদনা চোয়নৌ সনা খোমহানবদি অহুস্নুং মদোমদে। হাওরৈ নোংচুপ খানা পাংবরম ফেনচি নোংলুম-লম কেগে লোকতাক ৱাংবরেনদা সনা খোমহনবদি হুয়েল লাননিগীদি কেগে মোইরাং

লোইবা নত্তে। খা মাইকৈদা লৈবা খোংয়াং কুমফি কৈশোবপুংদা কুমফি ক্রুপা তাবা খুন্দস্থ লান্দাথি। লানফম অসিদা লোইবি খোংমং ংনগী নিংথৌ মকু শায়াপাল মরীংববু লানঙমখি। মৈতৈ লৈমা নোংবাল্লোন লিথোই-ঙম্বীনা মকুংঙো মৈদিংঙু লাইরেন নিংথৌখোম্বনা শেনবি অক্ল লাম্নাক্লববু ঙম্নকপদা মকুংঙোগী মতুং ইম্না হুয়েন অমুক লাম্নাবদি অসিনস্থ লোইথিদে। খা মাই-কৈদা লৈরা লাংথা নিংথৌ মারা হায়না ফিংচৎপনা খুঙ্গা হৌনা ৱাংলেন পুংজাউ থিম্না লালহৌববু মৈতৈ লৈমনা অকল অথৌ পুম্বা পুনা কহি কঙ্গাউ থোক্লা লাম্নাবদা লানঙমখি। মৈতৈ লৈমা নোংবাললোন লিথোইঙম্বীনা লাম্নাবদি অসিনস্থ লোইবা নত্তে। খা নোংচুপ মাইকৈগী খারম খোইরোই কৌবা লমদা লাম্নাবদি লানফম অহুদা লুহুপ্পবুস্থ লানঙমখি। মৈতৈ লৈমা লিথোই-ঙম্বীনা হুয়েন লাম্নাথিবসি অসিনস্থ অমুক লোইখিবা নত্তে। নোংপোক মাইকৈ-রোমদা লৈবা শেনবি কবোগী তমপাক কবোশিংনা লৌ-উনবা অকবা মফম ৱাইশি নমজোংপান খাকয়া লৈপুংমাল ৱাইরী কৌবা চৌংগী চীংজিন্দা লাম্নাবদা

হাওমুরা হাওতোনববু কায়ন হুললে। মৈতৈরৈমা লিন্‌থোইঙমবী থাংৱাই লৌতাংথম লিৱাপোক্তা থোমহানবী তাইতন সুনা চীংদা ৱাইরং লময়েং-হৌবি ৱাইরা শাসুং ফাবি হুয়েল লানবুংফাবি অঙোবা নোংপোক কাসোমবা-চসু নোংবাললোন লিনথোইঙমবী সনা লিনকোইকী॥

৩৪। মৈদিংঙু শেনবি কিয়ামবা।

নয়ু মৈদিংঙু শেনবি কিয়ামবা-ও তৌনা কৌয়ে। মৈদিংঙু শেনবি কিয়ামবা কৌদরিঙৈদি মৈদিংঙু থাংৱাই নিংথৌবা-ও তৌনা কৌয়ে। অৱাং থাংৱাই লৌতাংথম লিৱাপোক্তা নাউয়ি ফাবিদি হাওরৈ নোংপোকলা পাংবরম শেনবি লৌথেংয়াং থেয়াংচাঙৌ-লোক্তা থৌশাবনে। থেংয়াং চাঙৌরোক-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো?

থারী মতমপাক্তা পানবা চাউফা শমচাই কৌবা লান্দা থৌববু লানঙমখি। মৈতৈ লৈমা নোংবাললোন লিম্থোইঙম্বিনা কংলৈ নিংথৌ মবুংঙো থোইবুম লাইগুম মিংথানবা তুবি নিংথৌথোম্বগী মফমদা মশানৌসিনা হুয়েন লান্দারুবা খুদিংগী পাউদমজববু অসিনসু লোইবা নত্তে। নোংচুপ মাইকৈদা লৈবা কোরৌ থক্কী অমংবা নোংগী হৌরকফম ওইবা কেগে লোক্তাক হাংবরেনগী লমদা হুয়েন লান্নাখিবদি মোইরাংগী হাউমুরা হাউতোনবা কৌববুসু লানঙমখি। মৈতৈ লৈমা লিম্থোইঙবী থাংৱাই লমগী তাংথম লিৱাপোক্তা অতুগা তাইতন শূনা-চীংদা ৱাইরং লম্বহনগী লমদমবু লময়েংবি ৱায়রা শাসুং ফাবি সুংথিল লানবুং হৌরুকপবুসু ফাবা ঙম্বী অঙোম শাগৈগী মিংথানবি নোংবাললোন লিম্থোইঙম্বীগী শেংলবা সনা গর্ভসুংগী।

৩৪। মৈদিংঙু শেনবি কিয়াম্বা।

(খৃঃ ১৪৬৭—১৫০৮)

নমুথৌ মৈদিংঙুগী মিংলেন্দি শেনবি কিয়াম্বা হায়না মিঙৌই। মৈদিংঙু অদিনা শেনবি কিয়াম্বা হায়না কৌদ্রিঙৈদদি মৈদিংঙু থাংৱাই নিংথৌবা হায়না কৌনৈ। অৱাং মাইকৈদা লৈবা থাংৱাই লমগী লৌতাংথম লিৱা-পোক্তা মশাগী মাউডা লৈনবগী মশানৌ অমা ফাখিবদি নোংপোক মাইকৈ পাংবরম শেনবি লৌথেংয়াং থেংয়াং চাঙৌলোক্তা লান্নাখিবনি। থেংয়াং

নয়ুব্রা চীংখোং পোইরৈতোননা শেনবি শিদবা কবো নাদক্কু খুনথিরকপদা চকপা কৈখোং হাওপাখং শীংচং লেংদা খোংনা পামেন তংখাই লৌবদা পাওহংখিয়ে। মৈবি তাংগোই পাইবা মৈখু নোংথক কাবা অসিবু করি মৈনো ? ময়িম হেমচেং চকপা ফুহিকমৈ চক্ক তাংশোই মৈরা ? লোইমোম য়াথিন-মৈ ফুথিৎ নোংফাই মৈরা হায়না পাওহংবদু হোইদা চীংখোং পোইবৈতোন ও ! অয়িম চকপা ফুহিক মৈবু নত্তে। চকপা খানপোক লৈমা ফানলৌওমবি মপারী সাফংলাবু খারা খুৎ য়োম্বনা নোংমল্লে অত্থুগী চকপা মীয়িক হেমচেং মীরৌ মৈনে হায়না পাওখুমখিয়ে। চীংখোং পোইবৈতোননা ইশাবি মৈতৈ রৈমা-ও ! চকপা মীয়িক লাই হেমচেং মাবৌলানবু কনা কনানো ? হৈরাং অশংলাই তাউজিং অমুন্ লাইবু তাননাকানে থেংনা কোইনা চৎলকপদা শমু মথুৎতোনবু য়াংলে। অত্থুনোংগীবু থেংয়া কৌববু কিয়াং-ও কৌয়ে। নয়ুব্রা চীংখোং পোইবৈতোন য়াংলৈ তাউবা মহুইচাবু তরা চাদুম হুননা থাকলময়ে। তরা চাকস্থ ঙৌতুম ঙৌনা

চাঙৌলোক কৌথিবদি করিদগীনো ? নবুধৌ চীংখোং পোইরৈতোন্না শেনবি লমদম অসিদা করম্বা শিরোই নারোইদোবা অকবা লম লৈন্নিপ্রগে হায়না খুন্দাবা য়াবা মকম থিরকপদা চকপা কৈখোং হাউপাখংনা শিঙজং লেংবান্দা খোংহুনা চৎলগা পামেল উবু তংখাই তানা থাম্নরিঙৌদা হংজখি। মৈবি তাঙ্গোই পাইরিবা মৈখুনা অবাংব অতিয়াদা কান্নিবা অসিবু করি তৌবগী মৈনো ? চকপা খুঙংগী চকুবু মৈ ঈক্করগীদা নত্রগা চক্কখোক মৈ থাথিবগীরা চক্ক ফুদিং থাবগী মৈরা হায়না হংলুববু হোইদা চীংখোং পোইরৈতোন-ও ! মৈ অসিদি চকপা খুঙংগী চক্কু ঈকপা মৈ নত্তে। চকপা খুঙংগী খানপোক লৈমা ফানলৌওবিগী মচানিপা সাফুংলা কৌববু ফোপ্ খারা মথক্তগী [illegible] শিরে মরম অত্থুদগী। চকপা খুঙংগী হৌনবি মী পোথলোইবগী অমুদি। মীলৌবগী মৈনে হায়না খুমকখি। চীংখোং পোইরৈতোন্না ইশাবী মৈদৈ রৈনা ! চকপা খুঙংগী মীবু মৈদা ঈক্করিবা, মৈদা লৌনরিবা অসিবু কনা, কনানো ওইরিগবনো ? হয়রাং অশংব চাবা তাউজিং অমুনবা হয়বু চাগনবা লাইনা

তারময়ে। অহনোংগীবু তাউবা হুইথাক-চীং কিয়াং চা-ঙৌরোক থোরৈয়ে। তেকপি মরোকচাসুং থাকলময়ে কিয়াং রোকথা-থেন-ও কৌয়ে। শেনবি লোথেংয়াং কয়াং-চাঙৌরোক তাউবা হুইথাক-চীং তেকপি রোকথাক-থেন কিয়াং নিংথৌ মুমসিনলোং লৌথিবা লমলোইতাবু ঙমথংননা ক্যাং মপুংয়াইদা তুবি মৈনা-রোং লাইরেন থিংকু মথিনাইনা পনথেংথবদি সেন-সারি লাইখন-থুম থারা থেমচংকীন কোনলোই শঙ্কাই থুমলে। হুয়েল লাননিগীদি শেনবি কিয়াং মরৈমাবি হকুম-লানমিং নাইবা মুক্তু-চমু সনা লাংমৈরেমবী (লৈশাং) চীনফুরোন হাওরোকও চাংকোম মারৈমাবি ক্যাং নিংথৌ চাউসেংবা খমলান থৌখম লানথৌয়াং সনা য়াইচু সাইবুবধু কায়ন হুললে। শেনবি লিরারৈ কাপো চোমংলৈ মাংথং মোংতাংলৈগী য়াংকোই মরামবী তেপিফাবিবু লাংগোই চংনা রুল্লে। মৈদিংগু থাংরাই নিংথৌবা লৈমা কাবা-ও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন মৈদিংগু শেনবি লোইনেমবা ক্যাং চাইবা তুবি সনা মচুংশেনদি অহুসুং মদোমদে। হাওরৈ লাইনা পাংবরম অরাং মাখান

তারগনি। ময়া নক্লা কোইনা চংসি হায়না চংলকপদা মথোঙ য়াঙনা থুনা চংখি। হুমিং অহুদগী থেংবা হায়না কৌনখিববু মীয়ায়া কিয়াং হায়না কৌনৈ। মবুথৌ চীংথোং পোইরৈতোং। মাগী হুইবু তড়া চতুম হয়া থাকলমই। তড়া চাক অহুমু ইঙৌ ঙৌনা তারমই। হুমিং অহুদগী তাউবা হুইথাক-চীং কিয়াং চাঙৌরোক হায়না থোরৈ। তেকপি ওকসু থাক্লমই হায়বগী কিয়াং ওকথাথেন হায়নসু কৌনৈ। শেনবি লোথেংয়াং কিয়াং চাঙৌরোক তাউবা হুইথাক-চীং তেকপি ওকথাক্-থেন কিয়াং নিংথৌ মুমশিনলোং লৌথিখনা লমলোইদা খুনাম-খুনগী জোঙ্গবা কিয়াং কৌবা থুজংগী ময়াইদা মৈদিংগুনা কষ্টি-কপ্লাউনা লান্দা-নিবদি অরল' মধুম পূর্মক মূলগা মহুম কাউবা থুদেক্তুনা লানঙমখি। লানফম অসিদা শেনবি কিয়াংগী লৈমাখি হুয়েন লানকম থুদিংদা মিংচংপা অথোবা জুহুগী 'মচাহুগী. সনা লাংমৈরেবী লৈশাংথেম নিংঙোলগা হাউরোকও চাংকোনগী খোমাখিগা' কিয়াং নিংথৌ চাউসেংবা থম্লান থৌথম লান্দা থৌবা সনা য়াইচু লাইবুবু লানঙরে।' শেনবি লমদা হৌবা লিবা-গী মর্পাল, কবো লমগী চোমং

লাইকাপুং-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো ? য়োইক্লমলোয় খোয়নৌ নোংবাল চন্থ মাতা ৬ মানা কয়ৌ নোংগারকপদা খোয়নৌ মতা লৈয়া য়াংলৌ অতাউবিনা কোননা খোটমোম লাই অপিশাকুম কারকয়ে। খোয়নৌ মতা ৫ মানা খুপাক লাইখন শানা য়েংলময়ে। অহুনোংগীবু অবাং মাখান লাইকাপুং-ও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন মৈদিংঙুনা অবাং মাখান লাইকাপুদা শায়বা পললেন-য়ান কুয়াউ পনদাইশৎ চুংলেপ ৬০ চোং কাউরেন যনখাং ১০ লান খংনং লাইতং লেংনা পনথেংথবদি মাখান য়াকা চায়রে। হুয়েল লাননিংগীদি লোইবি মখান মনিংথৌ লাইথাং হুইয়োম শাবা চৌংশাং ওমলোই চৎপা অচন লানথৌয়াংবু কায়ন হুরে। তুবি থয়াং মথোমনগীবু মীংওনথিয়ে। লাইরেন মৈদিংঙু মাখান ওমবা অচনবা কাবা ও তৌনা কৌয়ে। তুবি চুংশেন ময়ানহৌদি অহুস্থং মদ্যোমদে। হাওরৈ নোংচুপলা পাংবরম অমচী নোংমাইকোন তাংখুন লৈহৌপোক কাবুই মানথক মচন মুংলাংতাউবি হাউহু লাশংহু শাকবীনা তয়া চাথংদনা নোংমনয়াইদা খৌশাবনে। লমলেম মদাইমা কাবুই মানথক

লৈ মাংখং মোংতাং খুন্দা শাৎপা লৈগী মচু মানবা (কক্রং অহিংবা মচু মানবা) শগোল ময়াদি পুক্লিংতপ্নি (অতেবি) বু উরকখি। অহুগা মৈদিংঙু থাংয়াই নিংথোবা লৈমা ফাবা হায়না মিজৌনৈ। লাইরেন মৈদিংঙু শেনবি লোইনেবা কিয়াং চায়বা নিংথৌগী মতিক মথৌনাদি অসিনম্থ লোইবা নত্তে। অয়াং মাইকৈদা লৈব, মাখান লাইকা-পুঙ হায়না কৌনরিবহু করিদগীনো য়োইক্লময়োন (অরাঘম নত্রগা লাইরেজম নিংতোল) গী চায়বী অতোম য়েকওইবি মতা ৬ মক্লা কোয়ৌ নোঙারকপা মতমদা মতা ১ বু কোম্নুনা পিশক পিয়া নোজারকরি। মতা ৫ মক্লা মাহুবু খুবাক লাইথন শানা খন্দুনা য়েংলমই হুমিং অহুদগী অবাং মাখান লাইকা-পূঙ হায়না কৌনখি। লাইরেন মৈদিংঙুনা অবাং মাখান লাইকা-পূঙদা অকল অগৌ পুহুনা থেজোয়োনবু চোংহুনা চুঙগী চুঙলেপ ৬০ চোং কাউরেন যনগী মযুং ১০ মায়া চোংনা কহি কুজাউ য়োনা নান্দাবনি মাখান খুনবু কাযখি। লানকম অসিদা লোইবি মাখান নিংথৌ লাইথাংনা মপা য়োয়া লৈবা চীংশাং পুবা লানতবা অচন কৌবা লান্দা থৌবু লানওমখি। হিয়ম্

মচন মুংলাংতাউবিনা তন্না চাথংদনা নোংমনন্নাইদা খোঁশাবনে। লমলেন কবুই মানথক মচন মুংলাংতাউবি তন্নাচাথংদনা নোংমনন্নাই-ও কৌখদি কদোনোংগীনো ? হাওনু লাশংগু শাকবীনা লোইবি থাকুপ মপুংঘ্নাইদা তন্না চান্নানলুবকী মন্নান ওন্দেরকপদা লমলেন লোনলোই ইয়েবিনা লাইক্লা মখি নাইওঘগী লাইঙ্গ ইন্নান ওমদরে। তন্না চাথং লম হাওশম ঙাইখাংননা নোংমল্লে। লৈহৌ য়ুতাউ থাংব-লা তাংখুন লৈহৌপোকস্নুং পোকওময়ে। অহুনোংগীবু কবুই মানথক মচন মুংলাং তাওবিনা নোংমন্নাই তাংখুন লৈহৌপোক মুংনাংতাউবি নোংমনন্নাইদা লাইরেন মপান্নী পোইরৈ নিংথৌহনবা মৈদিংঙুচা নোংথোনবগা অঙৌবা লোইচাঙঘগা লাইরেন থিংকু মথিনাইনা থোঁথামথিয়ে। মন্নিম থোংনাং মনিল নাইবা লাংকোই পুংবুলেমবধু অমচি লানয়াম থান্নে। থোংনাং-কিয়ামবা অথৌবনা অমচি কাইধু তোংনা খাংলময়ে। অহুনোংগীবু

অসিদগী মৈদিংঙুগী মতিকগী মিংওনখি। লাইরেন মৈদিংঙু মাথান-ওব অচনবা কাবা হায়না কৌনখি। মৈদিংঙু মাগী মতিক্তি অসিনমু লোইবা নত্তে। নোং-চুপ মাইকৈদা লৈবা অমচি নোংমাইকোন তাংখুন লৈহৌপোক কবুই মাহকী মচন মুংলাংতাউবি হাওমু লাশংমু শাকবিনা তন্না চাক চাদনা (চন্না হেন্দুনা) শিথিবা মকমদা লান্নাখি। অসিগুম্বা কবুই মাহকী মচন মুংলাংতাউবিনা চাক চাদনা শিথিবা মকমদা লান্নাখিবনি। অসিগুম্বা কবুই মাহকী মচন মুপি মুংলাংতাউবিনা চাক চাদনা শিথিবা লমু তন্না চাথেংনা নোংমনবাই হায়না কৌখিবদি কন্নিদ-গীনো ? হাউমু লাংশংমু শাকবিনা থাকুপ কৌবা চীংগী লমদা তন্না চাকপু চন্না খানগে হায়বগী মমুম মাইকৈ পাংনা লাকপদা লোনলোই লমদা চেনবা ইরৈবী ফুরেলগী ঊশিংনা চাউন্নবগী ঊশিং লানবা ওমখিদে অহুদগী তন্না চাকপু চাবা কংদনা মপুক লান্না হাউন্নী শমু মোন-খাংনহুনা ঙাইবদগী অহুম শিখি। মকম অহুমা লৈহৌ-ন্না কৌবা মুগী মুখা থানবা-লাবু তাংখুন লৈহৌ-পোক হায়না কৌবমু হৌরকখি। মুসিং অহুদগী কবুই মাহকী মচন মুংলাং-তাউবিনা শিখিবা তাংখুন লৈহৌপোক মুংলাংথবিনা শিবা মকমদা মৈদিংঙুগী মচানিশা পোইরৈ লমগী নিংথৌহনবা মৈদিংঙু মচা নোংথোনবগা অঙৌম

কামবা লানকাইরোক-ও হায়দবরা। হুয়েল লাননিগিদি অমচি হুংলাই-কোনগী থোংনাং কামবা লানচিংবগা চুপরাচা অথৌবগা হুংমা চেংবা, তৈমা চেংবা কাননৈ অয়াংবধু কায়ন হুগলে। অহুনোংগীধু লাইরেন মৈদিংগু শেনবি কিয়ামবা অমচি লানথাবা থোংনাং কামবা লানচিংবগা চুপরাচা অথৌবগা হুংমা চেংবা, তৈমা চেংবা কাননৈ অচংববু কায়না-হুনবও তৌনা মিংথোনখিয়ে। তুবি মরানহৌদি অহুমুং মদোমদে। হাওরৈ নোংপোক লাইনা পাংবরম খোঙ্গিমোম লাইয়িংথৌ চীংখোং পুথিবনা তামলোই শুয়িনবা চীংবু নাতৈননা লাইরেন মৈবু-ল্লোং থংনং লাইতংলেংনা পনথেংথবদি চাপুং য়াকা চায়রে। হুয়েল লাননিগীদি কারেংথম্ মাইপাকপবু কায়ন হুল্লে। তুবি থয়াং মথোমনগীবু লাইরেন মৈদিংগু লোইবী চাপুং ওমবা কারেংথম মাইপাকপা কাব-ও তৌনা কৌয়ে। তুবি সনা মচুংশেনদি অহুমুং মদোমদে। হাওরৈ অয়াং

নিংথৌ লোইচা ওবগা অনিমক্না মৈদিংগুবু পুক্লিং চিংননা থামজখি। ময়াং কাছারগী শগোলতোংবা লানমীশিংনা অমচিদা লাম্মী য়াম্না থারক্কুনা লৈরে। কাৱা কৌবা ময়াং কাছার মচা অথৌবনা অমচিদা কাই তোংহুনা থাওনা লৈরমলে। হুমিং অহুদগী কাৱা লানকাইরোক হায়না কৌখিদবরা? লামকম অসিদা অমচি কৌবা খুলগী হুংলাই কোনগী ময়াং কাৱা লাক্লিংবগা যুবরাজ অথৌবগা, হুংমা চেংবা, তৈমা চেংবা, কাননৈ অয়াংবা কৌবশিংবু লানওমখি। হুমিং অহুদগী লাইরেন মৈদিংগু শেনবি কিয়াবা অমচি লাহাবা থোংনাং কাৱা লানচিংবগা যুবরাজ অথৌবগা হুংমা চেংবা, তৈমা চেংবা কাননৈ অচওবু লানওবা হায়না মিংহোংখিয়ে। মৈদিংগুগী মথৌনাদি অসিনমু লোইবা নত্তে। নোংপোক মাইকৈরোমদা থোইয়ুম লাইয়িংথৌ চীংখোং পুথিবনা হুপিয়ুমদা লৈখিবা (য়াওওং ইনবা) চীংবু তুংওই নাতৈনয়গা মৈদিংগুনা ক্লহি কনাউ লোক্লা হুরেন লান্দাখিবদি চাপুং কৌবা খুনবু কায়খি। লামকম অসিদা কারেংথম মাইপাক কৌববু লানওমখি। মৈদিংগু মহাকী মথৌনাসিগী মওশনা লাইরেন মৈদিংগু লোইবি চাপুং ওবা কারেংথম মাইপাকপবু কাওবা হায়না কৌরখি। মৈদিংগুগী মতিক মথৌনাদি অসিনমু লোইখিবে। অয়াং মাইকৈরোমদা

লাইনম পাংবরম অমুলোইদামবনা শমু খোংবু ফংনা হাওরা মুয়ুম য়াই-শংলিবু লোইচনবরম লোইবি চীংশোং মপুংয়াইদা লাইরেন মৈদিংঙুনা তুবি থিংহু মথিনাই লাইরেন মৈবু য়োংনা থংনং লাইতংলেংনা খোশাথরদি হয়েল লাননিংগীদি তাউবা কোব। হুইমিংনবা সেবাং কৌনৈ-মিংনবা মেনলৈ ফেনচারেমবা হোংখু লাকপা লাশোং তাউবগা চীংশোং মরেমাবি হাওনু তাংজা শমফবীবু কায়না হুললে। লাইরেন সনা-মচুংশেনদি অছুম্নং মদোমদে। হাওরৈ নোংপোকলা পাংবরম মালেম লোতাই চীংমুংশি থরাই লম্বহন তাউজিং হৈপুম মনা ১০ চীনুমরাই তাংখুন মচিপুংদা লাইরেন মৈদিংঙুনা চুংলেপ ৬০ চোং কাউরেন যনথাং ১০ লান শায়বা পনলেন-য়ান কুরাউ পনদাই-শং থংনং লাইতংলেংনা পনথেংথবদি তাংখুন লোতাই য়াকা চায়রে। হুয়েল লাননিগীদি মেন্দে মনিংথৌ কোনদে যনথিল লাংমাইপুংবু কায়না হুললে। লাইরেন মৈদিংঙু শেনবি কিয়ামবদি চোইনৌ সনা মিংহুনগীবু চূনবনে।

লৈবা অমু লোইদাবা কোবনা মথোংনা চত্তুনা হাউরা ময়ুমা য়াইশংলিবু লোই হাবা চীংশোং কোবা খুন্দা মৈদিংঙুনা কম্বি কল্লাউ খোক্লা লাইরেন মপুক হুংথ্রাইতনা হুয়েন লান্দাথিবদি লানকম অসিদা মীপুম তিংনা শক থঙলবা হুইগা মেলৈ লৈয়া কেয়া থেংপা হোংখু লাকপগা চীংশোং খুনগী লৈমাবি হ্নাওনু তাংজা শমফবিগা মথোয় ও মকপু লানঙ্গকথি। মৈদিংঙুগী মতিক মথৌনাদি অসিনমু লোইবা নত্তে। নোংপোক মাইকৈ পাংবলমদা লৈবা মালেম লোতাই চীংমুংশি থরাই লম্বহন তাউজিং হৈরাং মপুম অচৌবা অমনা তরা চা-নবা মতমগী তাংখুন মচিপুংদা লাইরেন মৈদিংঙুনা চুঙগী মরেপ ৬০ চোং যনগী যনলেপ ১০ লাম্না চোংনা শাদা লান্দা থৌবশিংগা লোয়ননা লাইরেন কম্বি কল্লাউ খোক্লা হুয়েন লান্দাথিবদি তাংখুন লোতাই খুন্দি কায়থরে। লানকম অসিদা মেন্দে মনিংথৌ কোন্দে যম্থিল লাংমায়পুঙবু লানঙমথি। লাইরেন মৈদিংঙু শেনবি কিয়াবদি কুদোংলবা সনাগুম মিংহুন অসি চূনবনি।

নবেক্নৌ মৈতৈ লৈমগী মিংলেন্দি থয়োইয়োন শেনবুং লোকপি (খুমন নিংগোল) হায়না মিলৌই। খুমন নিংথৌ থিংকোনখুবনা লৈতাং লাহাবা খুয়োন থবা

নয়োন মৈতৈরৈমা খয়োইরোন সেনপুং লোকপি-ও তৌনা কৌয়ে। অতোন নোংয়াই খুমন নিংথৌ থিংকোন খুবনা লৈতং লাম্বাবা খুয়োন খমবা হুইথৌববু কায়না হুনবনা য়েনবি। মপাম হুয়েল লাননিংদি শেনবি মুংথোং মনিংথৌ সনা হোংববু কায়নহুনবা অহোং য়োইখোম্বব-চন্নু খয়োইরোন সেনবুং লোকপিদি কবো মদাইমা পনলু লৈময়াইদা সনা খোমহনবা, সসেন মদাইমধু পনলু লৈময়াই-ও কৌবদি কদোনোংগীনো? নমুব্বা চীংথোং পোইরৈতোনগী মৈতৈলৈমা লৈনাউভাবিগী শেনবি শিদবা কবো নাদববু খুনথিরকপদা মপারী পামুবা মযোম মুংওনবীবু খাইনরকপগীদমক পন্না পন্ন কপ্লময়ে, পনলু-ও থোননৈয়ে। পনলু লৈময়াইদা য়োইধু মৈতৈরৈমা খয়োইরোন সেনবুংলোকপি সনা লিনকোইগী।

হুইথৌগুম অথৌববু লানওয়কপনা পোকচবিনি। মপাম খুমন লয়া শাদা-লান্দা থৌনাবদি শেনবি মুংথোং নিংথৌ সনাহোংব কৌববু লানওমহুনা মীয়াম তিন্না কৈথেল কাওয়া কাহনথিবগী মযোম, খয়োইরোন সেনবুং লোকপি কৌবিদি কবো লমগী পনলু কৌবা লমদা লাম্নাহনখিবনি। সসেন কৌবা লম পনলু লৈময়াই হায়না কৌনখিবদি কম্নিদগীনো? নমুব্বা চীংথোং পোইরৈতোনগী মৈতৈ লৈমা লৈনাউভাবিগী অনিনা শেনবি লমদম অসিদা শিরোই নারোইদবা কবুবা খুলাবা য়াবা মকম লৈরিপদগে হায়না থিরকপদা মচানিপা পাম্লজয়বা মচামুপি মুংওজরবীবু কায়নরবগীদমক মপারী মযোম্ পন্না পন্না কপ্লমই মুমিং অহুনগী পনলু হায়না থোয়্রখি। পনলু লৈময়াইদা লৈমশিংগী মপু ওইবি মৈতৈ লৈমা খয়োইরোন সেনবুং লোকপিগী শেংলবা সনা গর্ভমুংগী॥

৩৫। মৈদিংঙু চীংখোং লমগাইঙমবা।

নমু মৈদিংঙু চীংখোং লমগাইঙম্বা তৌনা কৌয়ে। মৈদিংঙু চীংখোং লমগাইঙম্বা কৌদরিঙৈদি নোংপোক সনা লোবা চোইনৌ সনা খমপামব-গু তৌনা কৌয়ে। মৈদিংঙু নোংপোক সনা লোবা চোইনৌ সনা খমপামব-গু কৌবদি কদৌনোংগীনো? শেনবি প্রমদাংসাং লমঙংশিদা লাইরেন মৈদিংঙুনা তোকমু লৈতম-কেন মানলেম লৈকম-লৌ লৈমু মখোং হাংনা সনা চাংগা চিংনা লোরময়ে। ময়িম শেনবি মীকৌনা কেগে তেংথাননা মংবুদি পাইও কৌয়ে। সনাবুদি খমগু কৌয়ে। অছুনোংগীবু মৈদিংঙু পরাউ হিথাবা খমলৈ মীথুংকোনগী পোৎথোককা শব্রা মীথুরোনগী পোংথোক্কা সনা চাংগা-চিং রুপা খনগা ওননা সনা পোৎতমববু খম-স্না লোইনেনবা নোংপোক সনা তোবা চোইনৌ সনা খমপামবা-গু তৌনা কৌয়ে। লাইরেন মৈদিংঙু

৩৫। মৈদিংঙু চীংখোং লমগাইঙম্বা।

(খৃঃ ১৫১২—১৫২৩)

নমুখৌ মৈদিংঙুগী মিংলেন্দি চীংখোং লমগাইঙম্বা হায়না মিংগৈ। মৈদিংঙু অসিগী মিংলেন্না চীংখোং লমগাইঙম্বা হায়না কৌনাদ্রিঙৈদদি নোংপোক সনা লোবা চোইনৌ সনা খমপাম্বা হায়না কৌই। মৈদিংঙুসিবু নোংপোক সনা লোবা চোইনৌ সনা খমপাম্বা হায়না কৌনথিবদি করিদগীনো? শেনবি লমগী লমদাং অশাংবা য়েংবদা মুংশিবা লমদা লাইরেন মৈদিংঙুনা খুত্তা য়োংপাক পায়দুনা লৈথাক তোরগা সনা তান্দুনা সনা লোরমই। শেনবি কবেদা লৈবশিংনা কবোগী মীনা হায়নবা রাইংদা মংনু পাই কৌই। সনাবু খম হায়না কৌই। মুমিং অছুদগী মৈদিংঙু পরাউ হিথাবা খমলৈ মীথুংকোন (মী য়াম্না তাদবা লম) দা থোকপা পোৎক, সনা চাং চিংবা লুপানা চাং ওইনা ওন্নদুনা সনা পোৎ লোৎ শেমবু খমম্না লোইনেমবা নোংপোক সনা তোবা চোয়নৌ সনা খম্পাম্বা হায়না কৌনখি। লাইরেম মৈদিংঙু নোংপোক সনা তৌবনা খা

নোংপোক সনা তৌবনা হাউরৈ খানা পাংবরম খোইয়ুম লাইনিংথৌ য়াংবরেন খানা চাউবনা তানলোই মরুমবি অনান খুনথক-চমু মারাইপুং খুনমোন-চমু লোইবি থাকুপ-চমু মারেম থায়াই-চমু তানলোই লুমলেন ৫ মাদা মুয়িনবা-চীং লোইবী লমকাং মপুংয়াইদা খৌশাবনে। লমকাং মপুংয়াইদা তুবি থিংকু মথিনাই লাইরেন মৈবু-য়োৎ চুংলেপ ৬০ চোং কাউরেন যনথাং ১০ লান্ থংনং লাইতংলেংনা খৌশাবদি লোইবি লমকাং য়াগ চায়রে। হেমবা মপুং তাক্লে। হুয়েল লান-নিগীদি লমকাং হৌসি ঙমচিংবা সনারিক চংনিং লাংমৈরেমবু কায়ন হুল্লে। তুবি সনা মচুংসেনদি অচুম্বুং মদোমদে। হাউরৈ খানা পাংবরম নোংবান ফাইরৌচামবনা মহৌ লোইকারম্ লোইবী চীংবু-থাং হেমবা চোংদাই-য়ান নমু পোংদিনপুং হেমবা মীশিনপুংধু নাতৈননা খারম তুম্বুক মপুংয়াইদা তুবি থিংকু মথিনাই লাইরেন মৈবু য়োৎনা শায়বা পল-লেনয়ান কুরাউ পনদাই-শৎ তাপুং চীংয়াই-খায় থংনং লাইতং লেংনা পনথেংথবদি খারম তুপ্পুক য়াকা চায়রে। হুয়েল লাননিগীদি তুলাই

মাইকৈরোমদা লৈবা খোইয়ুম লাইনিংথৌ য়াংবরেন খানা চাউবনা মাগী মতালোই অনান খুনথক-চমু, মরাইপুং খুন্দোল-চমু, লোইবি থাকুপ-চমু, মারেম থায়াই-চমু তালোই ৫ মকী মুমদা য়াউৎং ইনব-চীং লোইবি লমগাং কৌব লমদা লান্দাখি। লমগাং কৌবা খুজংদা মৈদিংঙুনা কম্বি কজাউ খোক্লা চুঙগী চুঙলেপ ৬০ চোং কাউরেন যনথাং ১০ লান্না চোংনা লান্দাবদা লমগাং খুজংদি কায়থরে। মী কনা অমা লৈতরে। লানকম অসিদা লমগাং খুজংগী লুচিংবা হৌসিঙমচিংবগা সন্নরিক চংনিং লাংমৈরেম্বীগবু লানঙম্নকখি মৈদিংঙুগী মতিক মথৌনাদি অসিনমুং লোইখিবা নত্তে। থা পাংবা মাইকৈরোমদা লৈবা নোংবান ফাইরৌজাবা কৌবন মহৌ লোইকাবা লমদা লোইবি চীংবু-থাঙ হেমবা চোঙদাই য়ান্নবা নমু মীশিং কৌনবা-পুং মী শিন্দোক শিজিন তৌনবা লম্বু তুংওইনবগা লৈবা খারম তুম্বুক কৌবা খুজংয়াইদা মৈদিংঙুনা কম্বি কজাউ খোক্লা অকল অথৌ পুনা লান্দাখিবদি খারম তুম্বুক খুজংদি কায়খি। লানকম অসিদা তুলাই কুপ্পা লোন অমা থংবা মরুম লাইপাউ তাউবিদু লানঙমখি। সনা শেনমু নাই মীপোৎ অমবু লোক্লকই।

কুপপা লোনমা থংবা মরুম লাইপাউ তাউবিবু কায়ন হুল্লে। সনা শেমস্নুং নাইমবু লোকুলকয়ে। কা লোংজুম্ চিনলেন হৈস্নুং লোয় চল্লে তুবি সনা মচুংসেনবু মিংওনখিয়ে। লাইরেন মৈদিংঙু খারম তুস্নুক ঙমবা মথংলেন তুলাই কুপপা লোনমা থংবা মরুমবি লাইরেন লাইপাও তাওবিবু কায়ন হুনব-ও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন সনা মচুংশেনদি অস্নুং মদোমদে! হাওরে খানা পাংবরম চুমবা কৈকোংথেন চমপা ঙাতোইলোক হাওকু লৈমা লোইনাইতাবিনা খারম লোইচন্-লম সেনলোন থরাইপুং খারোন খুস্নুংছে কোইরেং লাইরুম লোনদা খোশাবনে। চুমবা কৈকোংথেন চমপা ঙাতোইলোক-ও কৌবদি কদোনোংগীনো? কেগে মোইরাং নিংথৌ সোংলেন লানথাবা মমোম ইব্রাংলোনদা মপন পনথৌ নিংথৌ সোংলেন লানথাবনা ঙাতোই থোপমা-হন চমপা ফুরেনতৈ ব্রাংলুংলোন শমফাবিবু চামলৌ খয়োম-শানা থোনব্রোংখিববু লোইবি মথংলেন শাচুং নিংথৌ খমলাংবগা ইরোক লাইচম্মদা লমওক্লরে। মথংলেন লোইবি শাচুং নিংথৌবনা পাওমেনখিয়ে।

হিরম অসিদগী মৈদিংঙুগা মিংওনখি। লাইরেন মৈদিংঙু খারম তুশুক্-ঙম্ মথংলেন তুলাই কুপ্পা লোনমা থংব মরুমবি লাইরেন লাইপাউ তাউবিবু লানঙ্গকপা হায়না মিংওনখি। মৈদিংঙুগী মতিক মথৌনাদি অসিনস্নুং লোইখিদে। খা পাংবা মাইকৈদা লৈবা চুমবা কৈকোংথেন চমপা ঙাতোইলোক হাউকু লৈমা লোইনাই তাবিনা খারম লোইচনব-লম সেনলোন থরাইপুং খারোন খুস্নুংছে কোইরেং লাইরুম লোন্দা লান্দাখিবনি। চুমবা কৈকোংথেন চমপা ঙাতোইরোক হায়না কৌখিবদি করিদগীনো? কেগে মোইরাং নিংথৌ সোংলেন লাম্থাবগী মচানুপি ইবেন্নবু মপাবুং সোংলেন লাম্বনা লোইবি চীংদা পানবা শাচুং নিংথৌ খন্নাংবদা খাজবদা ঙাখা ঙাচিং ঙাকুপ থোপ অমা হান চমপা থরুং অমা থম্না হাপ্পুনা ব্রাংলুংলোন শমফবিবু লৈরাং খয়োম শানা খাজ-ব্রোঙ্গবদা মথংলেন শাচুং নিংথৌ খন্নাংগা চীংগী ঈশিং চেংবা লোক অমদা ওক্লরে। মথংলেন লোইবি শাচুং নিংথৌবনা পাউমেনখি। ইশানৌ মোইরাং নিংথৌ মমোম নিংথিবী-ও। নপাবুং নিংথৌ সোংলেন লাম্বনা থৌজাল লনকুবিরিডৈদা কোরৌ অভিয়াবু

ইশানৌ ইরাংলোন অহেনবী-ও। নপন পনথৌ নিংথৌ লোথবগী লানথাবনা য়াইতম পানরিঙেনে হায়না কোয়ৌ নোংশোন্না য়ুরেম লৈশোননা চুম্নমলম্লে। ময়িম কেগে ভেংথাননা মোইরাং মীকোন্না ভাখাবুদি ভাতোই-ও কৌয়ে। খাচমপুদি চমপা-ও কৌরে। মনিম খারমনা ভাচিংবুদি কৈকোং-ও কৌয়ে। অহুনোংগীবু চুমপা কৈকোং-খেন চমপা ভাতোইরোক-ও খোননৈয়ে। সেনলোন খরাইপুং কৌবদি নয়ুবা চীংখোং পোইরৈতোননা চীখুরোই লাংওয়ুকপদা মপারি খাইনা-য়াম মযোম তোকনা হকলবগী মাসৈবা খাবা লাংথংচানা খুনুং পাওতাকয়ে। রাংলেন পুং হৌয়ে। য়াইখোং শাহুনয়ে। সুমাই কংশিয়ে। হাওশি মংথিনয়ে। য়াইখো নানম শকয়ে। অহুনোংগীবু লোইবি খুমুংশৈ-ও ভেন কৌয়ে। থ য়োন ও কে বদি নয়ুবা চীংখোং পোইবৈতোননা মামং মাথানবু য়োলসনয়ে। খানয়োন-ও কৌবনু অশৈ তাকা থিবনা খারোন-ও খোননৈয়ে। কোইরেং লাইরুমলোন-ও কৌবদি চীংখোং পোইরৈতোননা লোইবি মপাচা হেমবা ময়েন লুনা

য়েংহুনা মালেম পৃথিবীবু য়েংনা শরি শোন্না রাচুম্নময়ে। কেগে মোইরাংগী মীনা হায়নবদি ভাখাবু ভাতোই কৌই। খাচমবু চমবা হায়না কৌই। খা মাইকৈগী মীশিংনা ভাচিংবু কৈকোং হায়না কৌই। মুমিং অসিদগী চুবা কৈকোংখেল চমবা ভাতোইলোক হায়না থিংখোরৈ। শেনলোন খয়ারপুং হায়না কৌনশিবদি নবুখৌ চিংখোং পোইরৈতোন্না চীংদুরোই (চিংমী) শাহুনা লাকপদা মপারী ময়াম খাইনরবা মযোম ময়াবু হুন্দোরম্নবদা মাসৈবা খাবা লাংথংচানা খুনং খুদিংদা পাউথাং লাউখি। রাংলেন পুংজাউ থিনখি। মীয়াম ভিন্দুনা তুমাং কান্দোক্তুনা আশংবা মংথিনবতুম (অদি লোথংপতুম) মীয়াম চংনা ভেংথারোন ওইনা ঊচৈ শকয়ে। মুমিং অহুদগী লোইবি খুমুংচৈ হায়না কৌনখি। থারোন হায়না কৌনখিবদি নয়ুবা (নবুথৌ অহানবা) চীংখোং পোইরৈতোন্না লোংচৈগী মমল মখা লৌনা পোং য়োন্নময়ে। অহুদগী থানরোন হায়না কৌনখিবনু তাওম তাদওম তোবশিংনা থারোন হায়না কৌনখি। কোইরেং লাইরুমলোন কৌখিবদি চীংখোং পোইরৈতোন্না লোইবি চীংদা লৈয়েৌবা মপা মচা মরি-মতা

উগনে হায়না লয়্না লানা চৎলময়ে। কোইরেং লাইরুমলোন-ও কৌয়ে। লমম্লেন চুমপা কৈকোংথেন্ চমপা ঙাতোইরোক হাউকুলৈম্না লোইনাইতাবিনা লংম্নুং খোংগাতিংনা তুম্নুং লংলামনা খারম লোইচন্লম মন্থু হাওমুবা লোইনেন্লম্ হাওতোনবা লোইকেল্লম শেনলোই খারাইপুং থারোন খুন্নুংশৈ লোইবি কোইরেং মপুংয়াইদা তুবি থিংকু মথিনাই লাইরেন মৈবু-ব্রোৎ খংনং লাইতংলেংনা পনথেংথবদি কোইরেং য়াগা চায়্রে। হুয়েন্ লাননিগীদি লোইবি কোইরেং মনিংথৌ নোংলু লানথোয়াংগী মপারী লাইরুবা মমোম য়োৎথাবী থাংথাবনু কায়ন হুল্লে। লাইরেন মৈদিংঙু লোইবী কোইরেং ঙমবা কোইরেং নিংথৌ মপারী লাইরুবা মমোম য়োৎথাবী থাংথাবা কাবাও কৌয়ে। তুবি মরাংওনদি অহুম্নুং মদোমদে। হাওরৈ নোংপোকলা পাংবরম শন্ফু নিংথৌ লিনতেংবা-চম্নু পাউহংচীং খোইবু নিংথৌ চেংঙাবা চম্নু পাওথুন-ব্রাই শনফু লাম্লুমচীং খোইবু মপুংয়াইদা খৌশাবনে। শনফু নিংথৌ লিনতেংবা-চম্নু পাওথুমরাই-ও কৌবদি কদোনোংগীনো ?

মরুপ মপাংশিংনা উথিগনি হায়বগী লয়্থোক্না কোইনা লুম্না চৎলমই হায়বগী কোইরেং লাইরুমলোন হায়না কৌনথি। লমলেন চুম্বা কৈকোংথেন চম্বা ঙাতোই লোক্নী হাউকু লৈম্বা লোইনাই তাবিনা লংশুং খোংদা তিংনা তুম্নুং লংলা অমনা থা লমদা লোই চন্নবা লম মৌপ্না হাউম্নবনা লোইনেনবা লম হাউতোনবনা লোইথোকা লম শেলোই খারাইপুং থারোন খুম্নুংছ লোইবি কোইরেং খুনংয়াইদা মৈদিংঙুনা কম্বি কম্বাউনা অকল অথৌশিং পুন্থনা লান্দাবদি কোইরেং খুনংদি কায়থরে। লানফম অসিদা লোইবি কোইরেংগী নিংথৌ নোংলু কৌবা লান্দা থৌবগা মচানিপা লাইরুবা অমদি মচাম্নুপি য়োৎথাবি থাংথাবনু লানঙমথি। লাইরেন মৈদিংঙু লোইবি কোইরেংঙবা কোইরেং নিংথৌ মচানিপা লাইরুবগী মচাম্নুপি য়োৎথাবি থাংথাব কাবা হায়না মিলৌথি। মৈদিংঙুগী মথোংগাংদি অসিনম্নু লোইখিদে। নোংপোক মাইকৈদা লৈবা শনফু নিংথৌ লিনতেংবগী মচাম্নুপিনা পাউহংখিবা-চীং খোইবু নিংথৌ চেংঙাবগী মচাম্নুপিনা পাউথুমবা মতমগী শনফু লাম্লুমচীংথদা লাবা খোইবু খুনংদা লান্দাথি। শনফু নিংথৌ লিংতেংবগী

শনকু নিংথৌ লিনতেংবা চন্নুনা খোইবু নিংথৌ চেংগাবা চন্নু-ও। নপাম খোইবুন্নাং হেম্না মচীংশাং কংলৈ মগুম্মাংদা ইন্দুংমনা লোংপোক পুন্না গানবদি য়োইময়াই তাউদনবা কোয়ৌ নোংশাবু করি নংলুকানো য়িপাম খোইবু পূন্না হুপ্পা অঙৌবা চেংলৈ শিথোং লানহামপাংতা খোইবু পাংলৌ কুমলিয়ে। অহু নোংগীবু শায়েন শানৈবা য়াংলৈ যুনৈবদা য়িপন্ খোইবু য়াংলেনবা তরেং মশেনচা য়াইওইবনা গানবনে হায়না পাউথুমখিয়ে। অহু-নোংগীবু সনকু নিংথৌ লিনতেংবাচ-ন্নু খোইবু নিংথৌ চেংগাবা-চন্নু পাওতাকচীং-ও তৌনা কৌয়ে। শনকু নারুমচীং খাইবু মচীংশাংদা লাইরেন মৈদিংগু্না তুবি থিংকু মথিনাই লাইরেন মৈবু য়োং থংনং লাইতং লেংনা পনথেংথবদি খোইবু খাংচেন চায়রে। মরান থুমবি মৈমাংচন হুয়েল য়াইশিং মুংলে। হুয়েল লাননিংগীদি মগান য়োকলাবা কুমমৈ সোলবা হুয়েল শাকপ্‌পধু কায়ন হুললে। তুবি চুংশেল মারানয়োনগী খোইবু খাংচেন চায়বা য়াউরৌ

মচান্নুপিনা খোইবু নিংথৌ চেংগাবগী মচান্নুপি-ও! নপাম খোইবু য়ায়েল চুথা চীংশাংদা শানবা মুমগী গুম্মাংদা হুমিদাং ওইরবস্থ অহিং অহুমদি নোংপোক মাইকৈ হুপ্পা গানবদি য়োই ময়াই তাউজনবা কোয়োহনবা হুমিংকী নোংশাবু করিগী থোক্লবনো? ইপাম খোইবু পূন্না চঙহুনা অঙৌবা চেংলৈ শিথোং লাহাবনা শংকোং লানহামপাং কৌবা মাগী পাত্তা কৃয়ি। হুমিং অহুদগী শায়েন শানৈনা য়াংলৈ যুবু থিত্তু্না লৈরবদা ইপন পন্থৌ খোইবু য়াংলেনবা মহাকী তরেং শেনগী ময়াই মশেঙ্কা গামবনি হায়না পাউথুমখি। হুমিং অহুদগী শনকু নিংথৌ লিজেংবগী মচান্নুপি খোইবু নিংথৌ চেংগাবগী মচা ইবেমগী পাউতাক-চীং হায়না কৌনখি। শনকু নারুমচীং খোইবু চীংশাংদা লাইরেন মৈদিংগু্না কহি কজাউ থোক্লা অকল অথৌ পুনা হয়েন লাম্দাথিবদি খোইবু খাংচেন থুজংদি লাম্দা মাইথিবা কংহুনা কায়নয়ে। মৈ থারবগী ময়ুন মকৈ পূবা মাগুবগা লোয়নন মাইবি থবাই মাগুনথিবস্থ ময়াথনি। লানকম অগিদা মৈশোনবা কৌবা অমা মউ মগান চাউরবা ওক লায়কুবা হয়েন শাকপ্পু লানজখি। মৈদিংগু মাগী মজিঙ্গী খোইবু

ওক্লাবগুম মৈ শোনবা হুয়েল শাকাপপবু কাবা-ও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন সনা মচুংসেনদি অহুম্ব্রুং মদোমদে। হাওরৈ নোংপোকদা পাংবরম খারী মতমপাক শেনবী মকোন-তোং কোন্‌তোং লাচেমপুং-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো। চীংখোং পোইরৈতোম্না চীংবুরোই তমবু কেননা লাংওলুলকপদা মরিম শেনবি কবোনা লাবু তোন-ও কৌয়ে। মৈতৈ-লৈমা লৈনাউতাবিগা তাংলা মায়োনবু চামলৌ লায়াক-শেৎ চামলৌ লানা চেন্নরকয়ে। কোনতোং লাচেনপুং-ও তৌনা কৌয়ে। তুমু-ও কৌবদি মরিম শেনবী কবোনা মুতুম মুনা য়েংলময়ে। তুমু-ও কৌয়ে। খারী মতমপাক তোংলোং লম্নাপাক শেনবী মপুংয়াইদা খোশাথবদি হুয়েল লাননিংগীদি থৌমন লানথৌম্নাংবু কায়্‌না হুললে। সনা নমচেৎ সনা লমথাংস্নুং লোকলকয়ে। অহুনোংগীবু লাইরেন মৈদিংঙু শেনবী তুমু ওমবা হুয়েল থৌমলকাবা সনা নমথাং সনা নমচেৎ লাকপা-ও তৌনা কৌয়ে। লাইরেনমৈদিংঙু চীংখোং লমগাইঙমবা নোংপোক সনা তৌবদি চোইনৌ সনা মিংহুনগীবু চুনবনে।

খাংচেন চায়বা য়াউরৌ ওক্লাবগুম মৈশোনবা হুয়েল শাকপ্পবু কাবা হায়না কৌনখি। মৈদিংঙুগী মতিক মথৌনাদি অসিনসু লোইবা নত্তে। নোংপোক মাইকৈ পাংব-লমদা লৈবা খারী তমপাকী শেনবি মকোন্তোং কোন্দোং লাচেমপুং কৌনরিবহুসু করিবগীনো? চীংখোং পোইরৈতোম্না চীংদা লৈবা মীওই ওইনা লাকপদ্রা শেনবী কবোদা লৈবশিংনা লা-বু তোন হায়না কৌই। মৈতৈ লৈমা লৈনাউ-তাখিগা তাংলাময়োনবু চাম্লৌ লায়াক-শেৎনা চামলৌ লানা চেন্নরকয়ে। কোন্দোং লাচেন্‌-পুং হায়না কৌনৈয়ে। তুমু হায়না কৌখিবদি কবোদা লৈবা মীশিংনা ইয়ু মুনা য়েংলমই হায়বগী তুমু কৌই। খারী তমপাকী তোংলোং লমপাকী শেনবি মপুংয়াইদা লায়াবদি লানফম অসিগী থৌমন্‌ লাম্থৌরাংবু লান্নাবদা লানওখি। সনা নমচেৎ নমথাংনতিংবমু লোক্লকই। মুমিৎ অহুনগী লাইরেন মৈদিংঙু শেনবি তুমু ওবা হুয়েল থৌমন কাবা সনা নমচেৎ সনা নমথাং লোকপা হায়না কৌনখি। লাইরেন মৈদিংঙু চীংখোং লমগাইঙবা নোংপোক সনা তৌবা হায়না মিলোথবি কঙ্গ্লাংলবা সনাগুম মিংহুন অসি চুনবনি।

নয়োন মৈতৈলৈমা নোংপাললোন চাখা খোংচেমপী তৌনা কৌরে। মৈতৈলৈমা অঙৌবা তুরেল য়াংমা নিংথৌ কংলা কানখোম তৈনা থাবা অঙৌবা চম্থু মপাম হুয়েল লাননিঙ্গীদি হাউবা উনা-ওবা তেরা হিয়াংগৈ য়ুচীং খোইয়ুচা শেকমোম অয়াংচা য়াকচীং য়াচাপুংগা লাইচা থুমবি লন্‌চনবা লৈহৌ লমচল্লক্‌পবু লাল্‌ ৫ কোকসোক্‌ননা অহোং মীয়ামবা চম্থু থংদা নোংবাললোন হাওরে নোংপোক-লা পাংথরম থাবা লৌতাং-খুন তাংখুন ময়াইরম কলহৌ চেংথাই-পুংদা সনা খোমহানবনে। থাবা লৌতাং খুন-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো ? নয়ু য়া চীংখোং পোইরৈতোননা লোইবি শিদবা হেমবা নাদবধু খুনথিরকপদা লোইবি ময়িমনাক হেমবা মশাইকোন্‌দা য়াংগোইবদা নয়ুরা চীংখোং পোইরৈতোননা ময়িম লোইবি মারেম অসিদি মখোই মরিন করম্‌ থাবনো হায়রময়ে। অহুনোংগীধু থাবা লৌতাংখুন তাংখুন মচিরম্‌-ও তৌনা কৌয়ে। কায়হৌ চেং-থাইপুংদা সনা খোমহানথবদি হুয়েল লাননিগীদি তাংখুন কায়হৌ

নবেন্থৌ মৈতৈ লৈমা অঙোম য়েকওইবিগী মিংলেন্দি চাখা খোংজোম্বী হায়না মিজৌবনি। মৈতৈ লৈমা ইবেমদি তুরেল য়াংমদা ভাবা অঙোম নিংথৌ কংলাদা কান্‌ মথোন নাইনা থাবা অঙৌবা থাংবাই খুঙ্গাওবগী মচাহুপি অঙোম চম্থুনি। মৈতৈলমগী মপাম অঙোম্‌গী হুয়েন লানকম কয়াদদি হাউব উনাউবা তেরা হিয়াঙৈ য়ুচিং খোয়ুম-চা শেকমোম অয়াং-চা য়াকচিং য়াচা পুঙাইচা থুমথোককনবু খোপ্পা লৈবনা অনৌবা লম তাগে (খোপকে) হায়না লাকপশিংবু মকোক ৫ গুনা কক্তুনা মীয়াম তিন্না কৈথেনগুয়া তিনবদা মকোকশিংবু য়ানথিবগী নিংঙোননি। নোংখাললোনবা নোংপোক য়াইকৈদা লৈবা থাবা লৌতাংখুন তাংখুন খুজংয়াইগী কায়হৌ চেংথাইপুংদা লান্নাথিবনি। থাবা লৌতাংখুন কৌথিবদি করদগীনো ? নবুথৌ চীংখোং পোইরৈতোয়া চীংমী অমহুং অমগী শিরোই নারোইদৌবা করবা মকদা খুঙ্গাবা য়াবা লৈরিগদগী হায়দুনা থিরকলদা চীংদা লৈবশিংগী মযুম চীংমীশিংগী মশাইকোন্দা মারেপ্পবদা নবুথৌ চীংখোং পোইরৈতোয়া চীংদা লৈবা মীওইশিং অসিন করমবু অহুকী মচিক মরিন

মনিংথৌ লিকলাই ঙংলিনববু কায়না হুনবি-ও তৌনা কৌয়ে। মৈতৈ লৈমা চাখা খোংচোম্বী হাওকপ্ লমচাওবী ঙাংচেং লমলেমবী চোইলৌ সনা লিকলাই-লোকপী হুয়েন নিংথৌবা কাবি সনা লিনকোয়্গী।

৩৬। মৈদিংগু শেনবী কবোমবা

নয়ু মৈদিংগু শেনবী কবোমবা-ও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন মৈদিংগু শেনবী কবোমবদি লাইরেন নাম্না মখুৎতে চেংকোই কুকু মীরোন থোক-ভরিউদা পলেম মমা য়োইবু মৈতৈলৈমা চাকলাই তাংখোমবীনা কৈরা তানদা খোংনা তুবি ফমমোই মিংকা লাইরেন কালাং মৈদোং-ফবনে। লাইরেন মৈদিংগু শেনবী কবোমবনা অচাউ লেপফারা শাংসু লম্ঙম্লা কাংকৈ লোনচা মাফান্লকপা মেনচুম লাই মাছমলক পাখং ঙরাংমৈ খাংনৌবা লেপ্তমচোং শাংবা লেপতমলবদা হাওরে

খাবনো হায়রমরে। ভুমিং অহুদগী খাবা লৌভাংখুন তাংখুন মচিরম হায়না কৌখি।— কায়হৌ চেংখায়পুংদা লান্দাংবদি লাংথম ভংগী ভাংখুন কায়হৌ নিংথৌ লিক্লাই ঙক্তা শিববু লানজেবি হায়না কৌখি। মৈতৈ লৈমা চাখা খোংজোম্বী হাউকপ লমজাউবি ঙাংচেং লমলেম্বিদি কুদোংলবা সনা লিক্লাই লৌকপি হুয়েন লান্দা নিংথৌবা কাবিগী শেংলবা সনা গর্ভপুংগী।

৩৬। মৈদিংগু শেনবী কবোমবা।

(খৃঃ ১৫২৫—১৫৪২)

নবুথৌ মৈদিংগুগী সনা মিংলেন্দি শেনবী কবোম্বা হায়না মিজৌই। লাইরেন মৈদিংগু শেনবী কবোম্বদি মৈদিংগুনা অঙাং ওইনা য়ায় পিক্লিউ অখোংবা চাকপু ময় ময় কুক কুক হায়না ইক্লিউ য়াবা খোনকম খোক্লা য়া ঙাংখোকপা ভরবিউরা পলেম মমা ইংবম য়োইবু য়োইহৈ মুপিশিংগী মবেম্মা মৈতৈ লৈমা চাক্লাই তাংখোম্বীনা মঙম্পাক্তা পয় পম্না কংলা কৰালদা ফমথৌ অঙবশিংগা লোয়ননা কৰালদা তোংলকপা মৈদিংগুনি। লাইরেন মৈদিংগু শেনবি কবোম্বনা চাউরক শাংলরবা কাংকৈ শায়বা খরা খরা ঙারবা পাখং

N.B. মৈদিংগু কবোম্বগী মথক্তা মৈদিংগু লমকাইঙবগী মচা ইবুংঙো লোইবন-কাবনা চহি ১ লৈবাক ঙাকপগী থবক পুখি। কৰালদি তোংখিদে।

নোংপোকলা পাংবরম শেনবী শংশঙ্ লম্বাপাক লালু মপুংয়াইদা খৌশা-বনে। শেনবী শিদলৈবু খুনথিরকপদা ময়িম শেনবী লমখোইবগা চীংখোং পোইরৈত্তোন্‌গা কোয়ৌ নোংথিল পোপোপ্‌পু শংশঙ ওক্লয়ে। অতু-নোংগীবু শংশঙ-ও ত্তোনা কৌয়ে। শংশঙ লম্বাপাক পললু মপুংয়াইদা লাইরেন মৈদিংঙুনা খৌশাবদি পললু মপুংয়াইদি চায়রে। হয়েন লাননিংগীদি শেনত্তা পাইচৌকোং লানমিংনাইবদু কায়না হুললে। লাংগোই ময়ামবী কৈথেল লোকপীস্নুং কায়কয়ে। তুবি সনা মচুং-শেনগীবু মীংখোনখিয়ে। লাইরেন মৈদিংঙ্ শেনবী কাবোমবা পললু লালয়াম থাবা শেনত্তা পাইচৌকোং লানমিংনাইববু কায়না হুনব-ও ত্তোনা কৌয়ে। লাইরেন সনা মচুংশেনদি অত্তুস্নুং মদোমদে। হাওরৈ খানা পাংবরম লমলেন লোনলোই লৈমত্তাকত্তা খৌশাবনে। লোনলোই লৈমাত্তাক-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো ? হোইত্তোম চহু লাংহৈবী অশেম

মচা বাইবাই কায়কপা খ্বাংদা চেংলপ ত্তোনা নিংথিরকপা মত্তমদা নোংপোক মাইকৈ পাংবলমগী শেনবী শংশঙ্ লমপাক্তা ত্তাবা পললু কৌবা খুঙংয়াইদা লায়াখি। মফম অসিবু মমাংঙৈদা মবুখৌ পোয়িত্তোননা করম্বা শিব-নাবা কোকপা ছিদাকপু লৈখিগদগে হায়না থিরকপদা কবো শেনবী লমগী লমহেনব-শিংগা কোয়ৌ হুংথিল পোবোপ্তা মাইয়োক্লনা উনখি। হুমিং অতুনগী শংশঙ্ হায়না কৌনখিবা মফমনি। অসিগুম্বা শংশঙ্ লমপাকী পললু কৌবা খুঙংদা লাইরেন মৈদিংঙুনা লায়াবদি পান্নু খুনদি কায়হুনা চেয়খি। শেন্দা পাইচৌকোং কৌবা লান্দা মমিংচংপা অমবুম লানঙ্ঙকখি। লাংগোই ময়াম্বা কৈথেল লোকপি কৌবা শগোল অমবুম কায়কই। মৈদিংঙ্ অসিগী মত্তিক মথৌনা অসিগী মৈদিংঙুবু মমিং ওনখিয়ে। লাইরেন মৈদিংঙ্ শেনবী কবোবা পললু লানয়াম থাবা শেনদা পাইচৌকোং লানমিং নাইববু লানঙবা হায়না মিলৌই। মৈদিংঙ্-শিগী মত্তিক মথৌনাদি অসিনমু লোইবা নত্তে। খা মাইকৈয়োমদা লৈবা লৈমত্তাক কৌবা লোইলমদা লায়াখি। লোনলোই লৈমত্তাক হায়না কৌবখিবদি করিদগীনো ? হোইবোম চহু মিংথিবী লাং শাবা হৈথি লাংগী মৈলগী, শুনা নাকোম কাঙবা হৈবী নম্নগা হোইদোম চহু নিংথিবী ত্তাইবং খুদিংদা লাংথাকহৈবী শেমজ

খোইনা নাকোয় কাংবি অশা খোইনা চেংলৌ মিংখোইবীনা ইহু হোইদোম শেনবা নাহানা নোংমনবা চীংদি কদায়নো হায়না পাওজুংবা লমবু থারাউ চৈশু অমনবা খোইরি খোম্বা নিংতোলশুচানা পাও-খুমখিয়ে। ইমোম হোইভোম-চমু লাংহে খোইবি-ও! নহু হোইভোম শেনবা নাহানা নোংমনবা চীংদি লোইবি চাপং লাকখিন্লম্ চাপং নিংখৌ হাওভারেং লানমিংনাই কাক লানলোই মপুং ফাবা হেমবা কাইরম-খেল লোইবি শিকৌ-চীংদি অসিনে হায়না শমু খুংপু খিলনা তাকলম্যে। অহু নোংগীবু লোনলোই লৈমতাক-ও তৌনা কৌয়ে। লোনলোই লৈমতাকতা খৌশাথবদি ভখেন পন্চোম লানকারক্পা চামবীয়াচা শেনওইবা তোন্লোং পুংয়ৈবা হচাকং শেন্লী য়ৈববু কায়ন হুললে। তুবি সনা মচুং-শেনগীবু মিংওনখিয়ে। লাইরেন মৈদিংঙুনা লোনলোই লৈমতাকতা খৌ-শাবনে। ভখেল পনচোম লানকা মাংবা চামবি য়াইসেল য়ৈবা তোনলোং পুং য়ৈবা হচাকং লোনলেপ্পবু কায়ন হুলব-ও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন

শাক্সবদা কক্সমনখিবদগী মমিং চংপিনা নৌপ্া হোইদোম শেন্বা নহানা শিখিবা চীংচুবু কদায়নো হায়হনা হংখিবা লমু থারাউ চৈশু অমনবা খোইরিখোম্বগী নিংতোলহু মচানা পাউখুমখি। ইমোম ইবেম্মা হোইদোম চমু লাংহে খোইবি! নৌপ্া হোইদোম শেনবা নাহানা শিখিবা চীংদি লোইবি চাপং লাকখিল্লম চাপং নিংখৌ হাউভারেং লান্দা মমিং চংপা ক্াকী মথৌশুম অরাক কবা হেম্বা কাইরম-খেল লোইবি শিকৌ চীংদি অসিনি হায়হনা শমু মখুং খিন্না তাকুমই। মুমিং অহুগী লোনলোই লৈমতাক হায়না কৌনখি। অসিগুম্বা লোনলোই লৈমতাক্তা লান্দাবদি ভখেন নিংখৌ পনচোমগী লানগারকপা চামবিয়াচা শেন য়ৈবা, পুঙ য়ৈবা হচাকং শেন্‌য়ৈববু লামঙমখি। অসিগুম্বা মৈদিংঙুগী মভিক্তগী মমিং ওনখি। লাইরেন্ মৈদিংঙুনা লোনলোই লৈমতাক্তা লান্নাখিরনি। অহুগী ভখেন পনচোম লানগা মাঙবা চাম্বি য়াই-শেল য়ৈবা তোনলোং পুঙয়ৈবা হচাকং লোনলেপপবু লানঙবা হায়না কৌই। মৈদিংঙুগী মভিক্ত অসিনমু লোইবা নত্তে। লোংপোক মাইরৈগী থাগা ভাইনবা লম লমজেল মাউরেংপাই লেংপাই লমহুল শমুম লোনবা-চীং (শমজেং লোনবা চীং)

সন্না মচুং-শেনদি অত্থুং মদোমদে। হাওরে নোংপোক খানা পাংথরম লমলেন নাউরেংপাই লেংপাই লমমাহল শমপুম লোনবা-চীং মহুই পোনবা-মম হাম্মে ভাংকম্‌লম কোনসোই লৌভাই-খেন্দা খোশাবনে। লমলেন নাওরেংপাই লেংপাই লম্মাহন কোনসোই লৌভাইথেন-ও কৌবদি কানোনোংগীনো। কেগে মোইরাং কাইমু য়িমকা-পামবনা শেনবি উভোই মপুং য়াইদা লাংগোই শান্তিকলুঙে মরান ওন্দেরকপদা কেগে য়িমলক চংলকৃপনা চৈরে ফিচেল্লঙে খুয়োন শমু নাওশাথিবা অনলোই মরুমবী থমকোই থারাং চপুনা থংলেন শমু নাওশা থিববু লমওক্লগে য়িম্ভালকপবু ঙানবা থাংলৌকোইগা লমওক্লরে। হে ইছু নিংথৌ ঙানবা থাংলৌ-কোইও! থংলেন শমু নাউশা থিববু শেনবি ব্রুভোই মপু-য়াইদা লাংগোই শান্তিকমন্নবু মরান

মহুই পোন্‌বলম উয়ানবগী হাংমৈ ভোনকম্ তাবা লম, কোম্না উশোই চোংবা লৌতাই খেন্দা লাম্নাখিবনি। লমলেন নাউরেংপাই লেংপাই লম্মহল কোনসোই লৌভাইথেন হায়না কৌথিবদি করিদগীনো? কেগে মোইরাং কাইমু কৌবা য়িমগা পামনা শেনবি উভোই কৌবা থুজংদা লাজোই শগোলগী মস্তিক্কক্তঙগী মমম মাইকৈ পাংনা হল্লকপদা কেগে ইল্লক চংলকপদা চৈরে মাগী ইন্নফিবু চেন্নঙেদা খুয়োন শমু নাউ-শা থিবগী মবেল্লা মরুমি থমকোই থারাং চল্লুনা মবুংঙো শমু নাশা থিববু ওক্লগে (উনগে) হায়না ভায়রকপবু ঙানবা থাংলৌকোয়গা উনখি। হে ইছু নিংথৌ ঙানবা থাংলৌকোয়! ইথংলেন শমু নাউশাথিববু শেনবি উভোই থুজংয়াইদা লাজোই শগোল মস্তিক্কথিববু ময়িম লোমদা হনখ্রবা হায়না হংবু হোইদা ইবেম্মা! লোইবুনাই থমকোই থারাং চম্ভু ও! মবুংঙো খুয়োন শমু নাউশা থিবদি শেনবি উভোই মপুংয়াইদা লৈবা কবো নিংথিবীগী ময়িমদা য়া-নত্তুনা পলহৌরে হায়না হায়রবদা থমকোই থারাং চহুনা ইছু নিংথৌ ঙানবা থাংলৌকোই-ও! ঐগী ইথংলেন খুয়োন শমু নাউশা থিবধু কবো হুরাই-তান্না করিগী পলহম্নগবনো? মথোইবা লাজোইগা মস্তিক্কময়ঙৈনি হায়না কানমু য়িমকা পামগী লেংখান্দা পামনা কোম্নুনা থমোই হীরা বন্না কপ্পই। কোনেগী মীরা হায়নবা মোইরাংগী মীনা শোরবদি লেংবানবু নাউ কৌই। হুরিং

ওন্দেরকপরা হায়না পাওহংব্বু হোইদা ইমোম য়োইবুনাই খমকোই খান্নাং চম্থু-ও নথংলেন্ খুয়োন শমু নাউশা থিবদি শেনবী য়ু্তোই মপুংয়াইদা কবো সুরাই তাংনা ওমবনহৌরে হায়থরকপদা খমকোই খান্নাং চংনা ইহু নিংথৌ ওানবা থাংলোকোই-ও! ইথংলেন খুয়োন শমু মাওশা থিবগু কবো সুরাইতাংনা করিগী ওমবললুগবনো, নংথোইনা লাংগাই শান্তিকনরমবা নরিৎেনে হায়না কায়মু য়িমকা পামবগী পায়না কোনন' কনবু মুংবু শিনা কপলময়ে। কেপে তেংথাননা মোইরাং মীকোননা লেংবানবুদি নাউ-ও কৌয়ে। অহুনোংগীবু লমলেন নাউরেং-পাই লেংপাই লম্মহল কনসোই লৌতাইথেন-ও তৌনা কৌয়ে। লমলেন নাউরেংপাই লেংপাই লম্মহল কনসোই লৌতাইথেন মহুই পোনবায়ম হামৈতাংকম্ লম শমপুম লোনবা-চৗংদা তুবি মৈনা য়োংনা থৌশাথবদি হুয়েল লাননিগীদি চাথা শমপুম্ মনিংথৌ কোনচন্ লান্চুংবগু কায়ন হুললে। লাইরেন সনা মচুংশেনগীবু মীংয়োনখিয়ে। লাইরেন মৈদিংঙু চাথা শমপুম ওমবা হুয়েল লাননিগীদি কোনচন লানচুং কাবা-ও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন মৈদিংঙুগী সনা মচুংশেনদী অহুমুং মদোমদে। হাওরে

অহুদগী লমলেন নাউরেংপায় লেংপাই লম্মহল কনসোই লৌতাইথেন হায়না কৌনখি। লমলেন নাউরেংপাই লেংপাই লম্মহল কনসোই লৌতাইথেন মহুই পোন্বলম্ হামৈ তাংকম্ লম শমজেং লোনবা-চৗংদা মৈদিংঙুনা কহি থোক্না লান্নাবদি লানকম অসিগী চাথা লমপুমগী নিংথৌ কোনচন লানচুংববু লানওমখি। মৈদিংঙুগী মন্তিক মথৌনা অসিদগী মিংওন্খিয়ে। লাইরেন মৈদিংঙু চাথা শমুম ওবা লানকমদা কোনচন লানচুং কাবা হায়না মিঙৌখি। মৈদিংঙুগী মন্তিক মথৌনাদি অসিনমু লোইবা নত্তে। থা নোংপোক পাংবলমদা লৈবা শাদৈ-চৗংগী মোনশাং খুঙংয়াইদা লান্নাখিবনি! নোংপোক শাদৈ-চৗং কৌখিবরি করিগীনো? চৗংথোং পোইরৈতোননা চৗংবী ওইনা লাকপদা লোইখি চৗংগী অওব কাহনা য়োগদবা মকম য়োগে তারকপদা চৗংগুংদা হৌবা শাদৈ-লাবু লোইখি চৗংশাং নাকপাক অমা থন্না হোয়বই। হুনিং অহুদগী লোং-

নোংপোক থানা পাংবরম নোংপোক শারৈ-চীং মোনশাং মপুংয়াইদা খৌশাবনে। নোংপোক শারৈ চীং-ও কৌবদি কদৌনোংশীনো ? চীংখোং পোইরৈতোননা চীংবুরোই লাংওয়কপদা চীংকা-ডম্ য়োপোক তানলকপদা চীংচুং শারৈ লাবু চীংশাং নাকপক থলনা পানুডময়ে। অদুনোংশীবু নোংপোক শারৈ চীং-ও তৌনা কৌয়ে। মোনশাংও কৌবদি নমুরা চীংখোং পোইরৈতোননা লোইবি শিদবা হেমবা নাদববু খুনখিরকপদা থৌদ্ুনুং অশাংববু লৈডময়ে। শুংশাং-ও কৌববু অশে তাকা খিবনা মোনশাং-ও খোননৈয়ে। লোইবি মোনশাং মপুংয়াইদা লাইরেন মৈদিংঙুনা তুবি মৈবু-রোং থিংকু মখি নাইনা চুংলেপ ৬০ চোং কাউরেন যনখাং ১০ লান খংনং লাইতংলেংনা খৌশাথবদি মোনশাং য়াগা চায়রে। হুয়েল লাননিগীদি মোনশাং মমিংথৌ হুয়েল কোনলোই পিকোইববু কায়ন হুললে। তুবি থয়াং মথৌমনগীবু মিংওনখিয়ে। লাইরেন মৈদিংঙু লোইবি মোনশাং ডমবা হুয়েল্ য়েংওইবি য়েংওইবা কাবা-ও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন মৈদিংঙু লোইবি মোনশাং ডমবা শেনবী কাবোমবদি চোয়নৌ সনা মীংছনগীবু চুনবনে।

পোক শারৈ-চীং হায়না কৌনখি। মোনশাং হায়না কৌনখিবদি নবুথৌ চীংখোং পোইরৈতোয়া শিয়োই নারোইদৌবা করবা খুদাবা য়াবা মকম লৈরিপদগে খিরকপদা থৌদ্ নুঙ অশাঙবা অমা লৈরমই। মাদুবু মুঙশাঙ হায়না কৌনববু তা-ডম তা-দডম তৌবাসিনা মোনশাং হায়না মিংথোননৈ। লোইবি মোনশাং খুদংয়াইদা লাইরেন মৈদিংঙুনা কম্ছি কয়াউ থোক্লা চুঙগী যরেপ ৬০ চোং কাউরেন যনলেপ ১০ লায়া চোংনা অকন-অথৌ পুক্রনা লাম্মাখিবদি মোনশাং খুদংদি কায়থয়ে। লানকম অসিদা মোনশাং নিংথৌ হুয়েল কোনলোই পিকোইববু লানডমখি। ছিরমসিদগী মৈদিংঙুগী মমিং হোংখি। লাইরেন মৈদিংঙু লোইবি মোনশাং ঙবা হুয়েন য়েংওইবি য়েংওইবা কাবা হায়না কৌখি। লাইরেন মৈদিংঙু লোইবি মোনশাং ঙবা শেনবি কবোম্বা হায়না মিজোবদি কুলাংলবা সনাগুম মিংহন অসি চুনবনি।

নয়োন মৈতৈ লৈমা নোংবানলোন হাওচোং ওমবী-ও ত্তৌনা কৌরে। নোংবানলোন-ও কৌবা চন্থ কংলা ফানখোন তন্না খাবানা য়েনবি, শেনবী কিয়াং মনিংথৌ যুমশিলোং হাওখিবনু কায়ন ছনবনা পোকপি। নোংবানলোন মরামবিদি হাওরৈ লাইনা পাংবরম থিংবা লাইকা-চীং মাখেক বাপৈ-খেন মারাম খৌবি সুংলাম কৈশি-চীংদা সনা খোমহানবনে। মারাম খৌবি সুংলাম্ কৈশি-চীংও. কৌরদি কদৌনোংগীনো? নয়ুম্বা চীংখোং পোইরৈত্তোননা লোইবি শিৰবা হেমবা নাদবধু খুনথিরকপদা লাইজা ইরাল্লকপদা খৌছ সুংনা থিসবধু পা-না চেনথিরে। থিংবা-ও কৌরে। খৌছ সুংবু লাম্না কাথিরদা পানবা কৈশুং শিঙমরে। মারাম খৌবি সুংলাম কৈশি-চীংও ত্তৌনা কৌরে। মাখেক বাপৈখেন-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো? লাংলেন কোংয়াং বা পুরমরে। মাখেক বাপৈখেনদা খোমহানখবদি হুয়েন লাননিংগীদি মারাম নিংথৌ লাংপোম মীংনাইববু কায়ন হল্লে। নোংবান-লোন মারামবীনা সনা খোমহানবদি অহুসুং মদোমদে। হাওরৈ

নবেম্ভৌ মৈতৈ লৈমগী মমিংদি মৈতৈ লৈবা অঙোম য়েকওইবি নোংবা-নলোন হাউচোংওথি হায়না মিঙৌই। কবো শেনবি কিয়াং নিংথৌ মুমশিললোংবু লানওবা নোংবান খাবানা পোকচবি অঙোম য়েকওইবি ময়ামবিদি কৌক্ত মাইকৈ পাংবলমদা লৈবা থিঙ্বা কৌবা লাইমায়না কায়বা চীংগী মাখেক বা-পৈথেন্ ময়াম খৌবি নুংলাম চীংদ' লাম্নাখিবনি। ময়াম খৌবি নুংলাম কৈশি চীং হায়না কৌথিবদি করিদগীনো? নযুখৌ চীংখোং পোইরৈত্তোননা লোইবি চীজী কময শিয়োই নায়োইদৌবা খুন্দাবা য়াবা মকম লৈরিগদগে হায়না থিরকপদা লাইজ ঈশিং ঊচেলবু লাল্লকপদা নুংনা থিংহুনা লৈরিবা পনবু পাহুনা চেঙমই। মকম অহুবু থিংবা হায়না কৌনৈ। থিংলিবা নুং অহুবু লাম্হুনা কাখংলকপদা পানবা কৈ অমমু শিন্হুনা লৈরমই। ময়ান খৌবি নুংলাম কৈশি-চীং হায়না কৌনৈ। মাখেক বাপৈখেন হায়না কৌনবদি করিদগীনো? কোংয়াং বাবু পুরমই হায়বগী মাখেক বাপৈখেন কৌবদা লান্দাখিবদি লানফম অসিগী মারাম নিংথৌ লাংপোম কৌবা লান্দা হৈবা মমিং চৎপবু লানওখি। অঙোম চন্থ নোংবানলোন

নোংচুপ-লা পাংবরম কাবুই হাওচোং নুংমু-চীংদা সনা খোমহানবনি। কাবুই হাওচোং নুংমু-চীংও কৌবদি কদোনোংগীনো ? কাবুই হাওচোং চাশিলহৈবা হেমবা আরোন কৌব-না শারেন শানৈ-হৌ ৱাংলৈ য়ুনা হৌনা খৌঙ নুংবু চিংনা চেংজা নুংবু খিল্লময়ে। লোইবী মপাচা হেমব ময়েললুবুম্নং মাইথংলময়ে। অছুনোংগীবু কাবুই হাওচোং নুংপু-চীংও ভৌনা কৌয়ে। কাবুই হাওচোং আতন্লম্ খৌঙ নুংকোন চীংদা সনা খোমহানখবদি হুয়েল লাননিগীদি হাওচোং লৈমা কৈরেন থানবী মোমনু হৈরাং মচা য়ানবী তাউজীং মরু পন্না লোইদাম থাবু কারবী কাবুই হাওচোং ঙমবীনা হুয়েল লানবুম ৫ মাবু লংথরকয়ে। হাওরং-ও খোন্নৈয়ে। পলেম পিবুকল্লুংগী মপারী শারেন কৈমিংনবা মারা-মবু লানখোয়াংসু শাংলকয়ে। অছুনোংগীবু হাওরাং মীপোক-ও ভৌনা কৌয়ে। মৈতৈ লৈমা নোংবাললোন হাওচোং ঙমবী কাবুই হাওচোং আতনলমদা সনা খোমহানবদি হাউচোং লৈমা কৈরেন থানবী

মারাখীনা লায়াখিবদি অসিনসু লোইবা নত্তে। হাউরৈ (মাইকৈ) নোংচুপ মাইকৈ পাংবলমগী কবুই হাউচোং নুংমু চীংদা লায়াখিবনি। কবুই হাউচোং নুংমু-চীং হায়না কৌবদি করিদগীনো ? কবুই হাওচোং চাশিল-হৈবা হেমা অরোন কৌবনা শা থোংহুনা য়ু মায়া পিথক্না মীয়াম হোৎনা খৌঙ নুংজাউ চিংলগা চেং হয়বগুম মতোল ৱাংবা নুংবু থিল্লমই। চীংদা পান্বা মপা মচা শাগৈ নাত্তে অমাখসু শকথঙ মাইথঙনরমই। হুমিং অছুদগী কবুই হাওচোং নুংপু-চীং হায়না কৌনৈ। অসিগুবা কবুই হাওচোং অতন্লম্ খৌঙ নুংকোনচীংদা লায়াখিবদি লানকম অসিগী হাওচোং লৈমা কৈরেন থানবিনা মথংলেনগী চারা মরুবু খোয়রিজ মিহুন লাংহুনা লোইদাম থাবুম ওরবিনা লানলোই (লাম্মী) ৫ থকপু লংথরকই। অছুদগী হাওরং হায়না মিংথোয়খি। অসিগুম্বি পলেম মরাগী মপুরুগী শা-মক ওইরবসু কৈঙম মিংথোনবা মাবা হয়েল লাম্বা খোংদব অভাং অমবু পোল্লকই। হুরিং অছুদগী হাওরং মীপোক হায়না কৌনৈ। মৈতৈ লৈমা নোংবাললোন হাওচোংঙমীনা কবুই হাওচোং অতনুলমদা সনা খোংহানুলা

য়ুপারী য়োম্ময়া লানথোয়াংগা থান্না লানবুম ৬ য়া কায়না হুনবী সনা লিনকোইগী ॥

৩৭। মৈদিংঙু কায়নৌ চালামবা।

মমু মৈদিংঙু কায়নৌ চালামবা-ও ভৌনা কৌয়ে। মৈদিংঙু কোয়ৌ নোংখিনচাইবদি হাওয়ে নোংপোকলা পাংবরম লমলেন কাইনা য়ি-মরু হেমবা য়াবা-চীং লোকথাই ফানতোং-চীংদা থৌশাবনে। লমলেন কাইন য়ি-মরু য়াবা য়েনথোংখোনগী খুনথিনবা মরমথৈ-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো? লংমাই নিংথৌ কায়নৌ চীংথৈরাকপনা ইপারী পুয়াবা নংবু পারীতা অনিগীদি লাংবন উয়ুং শিঙজঙ সুক সুকমু তোনতাংবা অসিবু পায়মা ননিংশানা কামথাই-ও ইমোম পুরিবী নংসুং ইদোমদে। অনীগিদি থৌহু হুপ্ মিবা চেংজা তুনানবা অসিবু পায়মা নিংশানা কামথায়-ও হায়খিয়ে। মমোম পুরিবীনা থৌহু

লায়বদি হাউচোং লৈমা কৈরেন থানবিগী মচা ইবুংতো ওমা কৌবা লান্না থৌবগা থানা শানলোই ৬ মকপু লানঙবীগী শেংলবা সনা গর্ভমুংগী।

৩৭। মৈদিংঙু কায়নৌ চালামবা
(খৃঃ ১৫৪৫—১৫৬২)

মবুথৌ মৈদিংঙুগী মমিংদি কায়নৌ চলাম্বা হায়না মিলোই। মবুথৌ অসিনা কায়নৌ চলাম্বা কৌনরিঙৈদা কোয়ৌ নোংখিল চাইবা হায়না কৌনরিঙৈদদি নোংপোক থাইকৈ পাংবলমদা লৈবা লমলেন কাইন য়ি-মরু হেম্বা য়াবা-চীং লোকথাই ফানতোং-চীংদা লায়রাখি। লমলেন কাইন য়ি-মরু য়াবা য়েনথোং-খোনগী খুনথিনবা লমথৈ হায়না কৌবদি করিনগীনো? লংমাই নিংথৌ কায়নৌ চীংথৈ লাকপনা ইপারী পুয়াবা নঙগী ঐনা পোকচবা অনিগুম্বা ইচাগু নত্তে অদুবা লাংবন থাব শাথিবা উয়ুং পারীগী শিংজঙনা শাবা শূক মতোল তাঙবা অসি নঙগী নিংশা শোয়দনা কায়রোকও। ইমোম পুরিবী নংসু নদোম পোকপনি হায়দে, চেংতৌ তানা কৌ, তন্নরিবা খুথল নুং মতু নানবা অসিবু

হুপমিবা চেংজা তুনানবু পায়মা মীনিংশানা কামখাইববু খোঁহু মরাই-হৌ সুংলেন মরাই খায়না কেনখায়রে। অতৌবা লংমাই নিংথৌ কায়নৌ চীংথৈ লাকপনা ইমোম পুরীবা নংদি ইমোমতা অমা হকলে ইপারী পুরাবা নংদি পাহিতা অমা নংতে হায়না খেংকোইখিরে। মপারীনা চিংলেন নোংথৌ-থিকুম মীকপয়ে। ঐ অসিদো করিগী লাইপকনো ওঙ্খোকয়েদা। পলেম পিবৈতা পনখৌ পারৈতবা হায়-খদো ঐ ওইরবোইয়ে। হে ইমোম ইবেম্মা নংদি পলেম পনথৌ মারুমপানবু পালংহৌতেনে। নহু নিংথৌ ঐবু হে ইমোম-ও। নওনা সুংশি করম য়েংগবনো হায়না মচেম মশক য়েংনা খুদাং পিকম তৈনা কপয়ে। পুরিবীনা মহু নিংথৌগি য়াব্রা মপাউ তাবদা সুংশি খোয়জি হুয়া পায়না মহু নিংথৌ কৈবাতানদা-খোং তাংজা মশম নাননা মীকপয়ে। অনিমাদি মমোম পুরিবীনা থুংচেং পায়না

নওগী নিংশানা কামথায়-ও হায়খি। মমোম পুরিবীনা চেংতৌ তা-নবা ও-নবা নুংগী শুখল অনানবু পায়মা নিংশানা কামথাইবদা নুং অহু মরাই হৌনা মায় চংনা কেন্না খায়রে। অতৌবা লমাই নিংথৌ কায়নৌ চীংথৈ লাকপনা ইমোম ইবেম্মা পুরিবী নওদি অখন্না পোক্লবহু অচৌবা ওইয়ে। অদুগা ইপাবি পুরাবা নওদি ইচা অংংবা নত্তরে হায়হুনা ইংহৌকখরে। অদুগা মপারী পুরাবনা লোইবি চীংথক্তা মংবগা তংবগা মান্নবা নোংঙাম্না মপি তানা থংকপ কপচখি। ঐগী লাইবক অসিবু করি লাইবকনো ওংহৌকপনিদকো। মমা লৈজদবা মপা লৈতরবা মচা হায়বহু ঐ ওইরবাই। হে ইচেম ইবেম্মা নওদি পলেম পন্থৌ মরুম থুপ্পা পালংহৌখো। নহু নিংথৌ ঐবু ইচেম নওনা সুংশি হায়হুনহু করম্মা য়েংহুনবু লৈগবনো হায়হুনা মচেমগী মশক য়েংহুনা খুদাং-দা মপি তয়হুনা কপখি। মচেম পুরিবীনা মহু নিংথৌ মৌপাগী মন্না তাবদা খমোই শোক্না মহু নিংথৌবু মতম্পাক্তা পমহুনা মকোক্তা মশম নাপুনা কপচখি। অদুগা মচেম পুরিবীনা মথুং খুদাং পায়না হায়খি। ইহু নিংথৌ অপিকপা পুরাবা! নওদি চাক

N. B. মৈদিংঙু চলাম্বগী মখক্তা তাংজাবনা চহি ৩ লৈবাক চাকখি, কর্দাল তোংদবা মরম্না লপুবদা কিং চনদমদে।

হায়খিয়ে। ইহু নিংথৌ পুরাবা অপিশা। নংদি চাফু ছিললাংশৌচা হৈয়রোই। য়িরান খোয়ডৌ রোংচ-হৈররোই হায়না তবা-চেং মচং য়াংলৈ তাউবা হুইয়া মানবা তেক্তববু মছু নিংথৌ লংমাই পুরাবগী চৈরৈ ফিচি হোংলাতোন্দা কি য়োমবিখিয়ে। লংমাই নিংথৌ পুবাবনা লমলেম লোকখাই ফানতোং চীংবু য়িনৃতানখিবদা উকাক্ খুনাল থানা তরা চেং হৈথখিরববু রাবা নিংথৌ চেংচাবনা য়েচরে। থিংলৌ অমরক নিঙ্না তেরকয়ে মমোম পুবীবীদা হুংশি হিবহাইনবা পাউমেল্লেয়ে। হে ইমোম নংনা .তরা চেং মচংবু নছু নিংথৌ ঐগীদমকপু চৈরৈ ফিচি হোংলাতোন্না কি য়োমবদি রুকাক্ খুনাল-থিবা কোন খুরোরবগী চৈরৈ ফিচি থোক্না তবা-চেংবু হৈথোকলে। রাবা নিংথৌ চেংচাবনা য়াওচরে হায়থবদা মমোম পুরীবীনা ইহু নিংথৌ লাংমাই পুরাবা-ও! মরী লাংখু লাংতমগুনো লিরেন তাংমা-লাংখু লাংতমগুনো। ফুবা তোংকনলাং লফুৎ ফমচিংলাং

ইনশাং খোংহুনা চাবস্থ হৈহৈরোই। করমনো হায়হুনা তরা চেং মচং নিংথিবা তাউবা হুইগী মরা মানবা তেক্তবা চেংবু মছু নিংথৌ লংমাই পুবাবগী চৈরৈ ফিগী ফিদোন্দা কিশিন্দুনা যোমবিখি। লংমাই নিংথৌ পুরাবনা লোকথাই কান্দোং-চীংদা চংথিবদা লুক্রাক তাহুনা লৈবদা নেংলুবদগী নাম্বুহুনা য়োম্নবপা তরাগী চেং মচংবু হৈথোরবদা রাবা কৌবা উচেক নিংথৌ অমনা চেং অহুবু খুন্দুনা চাথোকখি মাহুদা মথবাই হুংতাইহনা অমুক হন্নবখ। অহুগা মচেম পুমিবীদা মথবাই শোক্না পাউমেন্নবা হায়জখি। হে ইচেম ইবেম্মা! নহাক্না তরা চেং মচং নিংথিববু নপুবা ঐগীদমকনি হায়হুনা ঐগী চৈরৈ ফিগী ফিদোন্দা কিশিন্দুনা য়োম্বিবদি লুক্রাক অমদা নেংলুহুনা নাম্বুবদগী থোং খুমোনহুনা চৈরৈ ফি কিশিবু নাম্বোকখিবনা তরাগী চেং মচং অহুবু হৈথোকথরে। রাবা নিংথৌ চেং চাবনা চাথোকথরে হায়না হায়জরুবা মচেম পুমিবীনা ইহু নিংথৌ লংমাই পুরাবা-ও! অহুদি মরী শাংনা পানুবা লাংদি শেমগুনো লীনা শাবা হাইগৎ লাংঙ্গু শেমলুগনু। শদন্ লাং ওইনা থাক্না হেক হেক কুজিনবা অরাকপ-শিংবু কৈনা থিংবা লাং অমা শাহুনা লাং থাক্ও হায়না থৌদাখি। অহুগা

শন্লম্ কৈখিং-লাংবু লাংভমলুম্রো হায়না থৌভিকখিয়ে। অনৌবা তরা-চেং মচংবু চৈরৈ ফিচিডোনদাকি য়োমপিখিয়ে। লংমাই পুরাবনা উকাক খুনাম থানা অনৌবা অমারক তরা চেঙ হৈথোকলবদা য়াবা নিংথৌ চেংচাবানা য়োচরববু মোম্ন্ শাংদিং নামি-লাং মুরা থোংলী থুপ্কীলাংবু লাংথাকলে। য়াবা মতিন হৌবা শিনহৈ-লাং মুরা থোংলি থুপ্কী-লাংনা য়াবা নিংথৌ চেংচাবদু হৈরোরে। লংমাই পুরাবানা শমু খুৎতা পায়না অশাঙ চৈরোইননা হায়খিয়ে। য়াবা নিংথৌ চোংচাবা-ও ! অসি কোয়ৌ মুমিৎতা তাংজ নরুভোন চেক্লা মশাদোন পোনবী নখুদোনগদি ঐ চাগে চেক্লা নশা পুম্নমাদি ইমোম পুরিবীদা লমওক্লগে হায়খিয়ে। য়াবা নিংথৌ চেংচাবানা পাউখুম-লকয়ে। লংমাই নাহা পুরাবা-ও ! য়াবা য়িখুতোন কায়রৈ ইশাতোম তাংজা ইরুভোনমু নং করি থংকখনো ? চেক্লা য়িহকশাংগু নমোম পুরিবীদা কদৌবা লম্ওক্নরুবনো। ঐখুত্তম থুমনাউ ইখুৎতোন্ পুনুশা

জরাগী চেং মচং অনৌবা অমমুক থৌরাংহুনা মাগী ইম্নফিগী মতোন্দা কিশি কিহুনা য়োমবিথি। লংমাই পুরাবনা অমুক নুক্রাক অমদা হাপ্পুনা চেং অহু হৈদোক্লগা থম্নবদা য়াবা চেংচাবনা য়োরকপদা লাং অহুনা খু-নবা মুজা মচেমশিংনা ফিশাবাগী লং নূরা ওইবিশিংগী শিজিন্নবা থুপকি লাংনা লাং থাকখি। য়াবা নিংথৌ চেং-চাবনা চেং অহু উবদা চাজিংমনবদগী মতিন চোবনা চাগে চংলকপদ মুজা ওইবিশিংগী লংনা তাহুনা শেবা থুপ্কি লাংবু য়ায়া হৈনা শিংনা থাল্লীবহুদা য়াবা নিংথৌ চেংচাবদি থুরুয়ে। লংমাই পুরাবনা মখুত্তা য়াবা চোংচাবহুবু পায়হুনা হায়খি। য়াবা নিংথৌ চেং-চাবা ! ওসি কোয়ৌ মুমিৎ অসিদা নংগী নকোক অহুগা পাইনবা নশাহুগা মথোং অহুগদি ঐনা চাগনি অহুগা চেক্লা নঙগী নহা অহুদি ইচেম ইবেমা পুরিবীদা লম থোক্লবগী মুমদা হল্লকগা পুশি-জুনা পিবা হৌনবা পোৎকুম পিথোককে হায়না হায়খি। য়া অসি তাবদা য়াবা নিংথৌ চেংচাবনা থুরকই। লংমাই লমগী মথোক কায়কপা পুরাবা ! য়াবা ঐগী ইথোঙ্, ইশা অহুগা ইকোকপু নঙনা করিগী চাগদৌরিবনো ? চেক্লা ঐগী ইশাখুনা মচেমদা করিগী লমওক্লগদৌরিবনো ? ঐদু নঙনা ইথোঙ্ ইশা থুদেককে হায়রিবদো

লেনবাউ মিশা তেকপিদুনো মচেং কাইরে পোম্বাই লাকপীদুনো। মাবা ঐনা খোংমা-রকতা নমুম মোংবা য়িমদাংশাংবু য়িমথু মনিল নাইবা তানলোই মথিনাই লুমলেন মাহোং য়াম্বধু লনকুবিগে। মাবা খোংমা-রক্তা কাউরেন থণলোইবা তয়ম নায়্শীবা সোইথোং ওাচংবধু লন্কুবিগে হায়না লন্কুবিথীয়ে। অচুনোংগীধু লমলেন কাইন ম্রি-মরু হেমবাচীং উকাক থুনাল-চীং মাবা য়েন্খোংখোনগী খুমখিনবা চীং-ও তৌনা কৌয়ে। লমলেন কাইন-ঈমরু লাখাই কানলোং-চীংদা তাবুং চীংয়াই থায়না খোশাথবদি হুয়েন লাননিগীদি মোইবা চীং-নিংথৌ অথিং লানকাইবা মাইরা চুরুবা হুয়েনবু চাংমাং কাকু মানথোয়াংবু কায়্‌ন হল্লে। তুবী থয়াং মথোমনগীধু মিংওনখিয়ে। লাইরেন মৈদিংগু কায়নৌ চালামবা লাখাই য়িমচং মানবা হুয়েন কাকু কাবা-ও তৌনা কৌয়ে। তুবী সনা মচুংশেন লাইরেন চুংশেন মরানহৌদি অহুমুং মদোমদে। হাওরে নোংচুপ-লা পাংবরম খোংনাং মচেংমা ময়াং শদাইমা হৈরাং লুনা থুমবা তাউজিং চানা হোঙ্‌বা

থুদেকপিগনু অরাবা হকনা পিবিগনু। বাবা ঐনা অমুক্তং হেক খোংবদা নওগী নমুম নিংখিবা চাউনা শাংনা শাবা বাঙাংবদা মনিল খোকপা অহুগা নতালোই নিংখিবীবু মশীঙ য়ায়ববু থৌজানবিগে। বাবা ঐনা অমুক হেক খোংবদা কাউরেন থন য়ায়া লোইহনা তয়ম মীনাই য়ায়া থমহনা থৌশীবা মাবা অহুগা লয়ক ইরক্তা শোয় কাপ্পা লুথুবদা লেমলৈ তা য়ায়া চঙগদববু থৌজানবিগে হায়না হায়নবগী থৌজানবিখি। তুমিং অসিদগী লমলেন কাইন-ম্রি-মরু হেবা-চীং উকাক থুনাল-চীং বাবা য়েনখোংখোনগী থুনতাবা-চীং হায়না কৌই। লমলেন কাইন-ম্রি-মরু লাখাই কান্দোং-চীংদা তাপুং চীংযাই থায়হনা লায়খিবদি লানকম অসিদা মোইবা থুনগী চীংনিংথৌ অথিং কৌবা হুয়েন লানবু কায়হন্‌বা লুবা থাম্বা তেনখিনা হুয়েন লান্দা তোয়না শিজিন্নবা মপু মখোয়াং কাক্ কৌবা লাম্দা থৌবধু লানঙমখি। মৈদিংগুগী মতিক মথৌনাসিদগী মমিংহু ওনখি। লাইরেন মৈদিংগু কায়নৌ চালাবা লাখাই য়িমজং মানবা হুয়েন কাকু কাবা হায়না থিজোখি। মৈদিংগুগী মতিক মথৌমদি অনিরম লোইবা নত্তে।

লৈতাং থরো মামবা কা চিনকন-হৈ লোংচুমবা পালিন্নাই কাখুই। চোংঙা লমলানবা মোংমনবাইদা খৌশাথবদি হুয়েল লাননিঙ্গীদি খোংনাং রসকুন কাকনববু কায়ন ছল্লে। লাংগোই মায়ামবী লোংথৌকাবীস্থ লোকুলকুয়ে। তুবী থয়াং মথৌমনগীবু মীংগুন-খিয়ে। মৈদিংঙু থোংনাং ময়ামবা থোংনাং রসকুন কাকনবা কাবা-ও তৌনা মীংহোংখিয়ে। তুবি মরান-হৌদি অঙ্কুসুং মদোমদে। হাওরৈ খানা পাংথরম ঙাংঙোই য়োইমোংবনা মোংবা য়োইকেনবা-রম কাকলেন লানদাবরম সৌপোন থোংকন্‌বরম হেমবা রাইফুং মচীংশাং তোনবী ময়িময়াইদা লাইরেন মৈদিংঙুনা তুবী থিংকু মথিনাই লাইরেন মৈখু-রোং শাইবা পনলেন-য়ান কুয়াত্ত পনদাই-শং চুংলেপ ৬০ চোং কাউরেন যনথাং ১০ লান্ থংনং লাইতংলেংন খৌশাথবদি তোনবী য়াকা চায়রে। হুয়েল লাননিগীদি হচাকং তরেৎ শেনতান শিববু কায়ন হুললে। তুবী থয়াং মথৌমনগীবু মিংথোংখিয়ে। লাইরেন মৈদিংঙু খারম তোনবী গুমবা হচাকং তরেৎ

নোংচুপ মাইকৈ পাংথলমগী থোংনাং লৈবাক মচেৎ অমদা ময়াংনা তাবা লমদা হয়্‌রাং য়াম্না লৈবা চা-নবা তাউজিং হৈল্লাংনা হোঙবা লম লৈতাং পান্তা শাংপা থবোগী লেমক্ মানবা, চাবদা চিন্দা অকনবা মরোং চুম্না পানবা কা য়াম্না হোবা লম কবুই চোংঙা লম্লানবনা শিথিবা খুন্দা লানাবদি লানকম অসিদা থোংনাং লমগী রস্কুন্ কা য়াম্না থাববু লানগুমথি। লাঙ্গোই ময়াবী থোংজেন য়াঙবিস্থ লোকলকই। মৈদিংঙুগী মতিক মথৌনাসিদগী মমিং গুনখিয়ে। মৈদিংঙু থোংনাং ময়াথা থোংনাং রস্কুন্ কা থাববু কাবা হায়না মিংহোংখি। মৈদিংঙুগী মতিক মথৌনাদি অসিনস্থ লোইথা নত্তে। খা মাইকৈদা মৈদিংঙু খুইয়োই তোম্পোকী মচা ইবুংঙো য়োইমোংবনা ময়ুম পুখা কনবিরা লম কাকলেন মীচাবনা লান্দাবা সৌবোন থোংকন্‌ব-লম হেবা রাইফুং চাংশাঙ্গা প্লামবা তোনবী কৌবগী ময়ুমদা লাইরেন মৈদিংঙুনা তুবি কহি কপ্পাউনা হুয়েল লাননগী অকন্ অথৌ পুক্কুনা চুঙগী চুংলেপ ৬০ চোং যনগী মরেপ ১০ লায়া চোঙ্গা লানাবদি তোনবী কৌবদি সাকাংখিয়ে। লানকম অসিদা হচাকং কৌবা তরেৎ শেন্দ্রানজবু

শেনভানখিবরু কায়ন হনবা-ও তৌনা কৌরে। শাইরেন সনা ফচুং শেনদি অহুমুং মদোমদে। হাওরৈ খানা পাংবরম .চীরু খুনলেনলয় লোইবী চীরু মপুংয়াইদা খোশাবনে। হুয়েল লাননিংগীদি অবেংপু থুংকংবু কায়না হুরে। চীরু মরুমপু চৈরৈ লেংদোনয়ান হাওমন তোকসোন পুনা খারম লোইচন খোবা মৈদিংঙু কায়নৌ চালাম্বা লাখাই যুমচং য়ানবদি চোইনৌ সনা মীংছনগীবু চুনবনে।

নয়োন মৈতৈ লৈমা নোংবাললোন কৌবা লমফেন-ঙমবী-ও তৌনা কৌরে। মৈতৈবেমা নোংবাললোন অঙৌবা ল্যাংলোই ঙমবা মযোমলোন অঙৌবা চনু মপাম হুয়েল লাননিগীদি খাবম তুশেন মনিংখৌ লাংকাচকপা লাংকা শেনবা তাংমৈকুপপা তাংমৈশেনববু মপাম অঙৌবা মশুঙ্গাংদা অহোং পুংফা-নবা-চনু থংদা নোংবাললোন মৈতৈরেমদি হাওরৈ লাইনা পাংববম অরাং শাম্নবা লম্‌কেন্‌থক্‌ লম-কেনখুবী লোকুমলম লমফেল হনবী লৌতা-রাই কোংযাং মচেশ্‌না লানঙমখি। মৈদিংঙুগী মতিক অসিদগী মিংথোনখি। লাইরেন মৈদিংঙু খারম তোনবী ঙবা হচাকং তরেৎ শেন্দানঙববু লানঙবা হায়না মিঙৌখি। মৈদিংঙুগী মতিক মখৌনাদি অসিনমু লোইবা নত্তে। খা মাইকৈদা লৈবা খারম চীরু খুলেন্দা চীরু খুরুং ময়াইদা লায়াখি। লানকম অসিদা অরেংপু থুংকংবু লানঙমখি। চীরু খুনগী খুল্লাকপিবু চৈরৈ ফিনা লেংদোন্দা য়াম্না হাউমন তোকশোন পুত্থনা খারম অসিবু লোইচনবা মৈদিংঙু কায়নৌ চালাম্বা লাখাই য়ুমচং ঙবা হায়না মিঙৌবদি ফুদোংলবা সনাগুম মিংছন অসি চুনবনি॥

নবেঙ্খৌ মৈতৈ লৈমা নোংবাললোনগী মিংলেন্দি কৌবা লমফেন-ঙবি হায়না মিঙৌই। মৈতৈ লৈমা নোংবাললোন অসিদি অঙৌবা লাংলোই ঙবগী মচা ইবেমনি। মৈতৈ লৈমগী মপাম নোংবাললোন অঙৌবা লাংলোই ঙবনা লান্দাখিবদি খা মাইকৈদা লৈবা তুশেন খুজংদা লান্দারবনা তুশেন নিংথৌ-লাংগা, চকপলাংগা, শেনবা তাংমৈকুম তাংমৈ শেনববু কারকুনা নোংবাল মখিব মৌরগা মীয়াম চঙনা য়েংনহম্নবগী মচা ইবেন্মা নোংবাললোন মৈতৈ লৈমাদি কৌরু মাইকৈরোমগী অয়াংবা শখি উয়াম হৌবা লমবু কনবগী মথক্তা ফম্ফেম

ওক্লেন লাবা খাক্লানববু কা-নয়াই লমকেন মাইহি-রৌ, সনা লৌথ মু-খোং ওইনম শামুকথোক লমকেন মপুংয়াইদা সনা খোমহানথরদি হুয়েল লাননিঙ্গীদি লাংকা চীংনিংথৌ খুবোম য়াইশি-লোন য়াইনম্ মশীং -শুনবা খুদাং য়াইচাউ খুবা চীংথারাউ পানবা তুথানববু কায়্রন হুনবনে। য়োইবু মৈতৈলৈমাদি সনা খোমহানগীধু নিংখোংথিরে। মৈতৈরৈমা কৌবা লমকেন ওমবী লাংকা চীংনিংথৌ খুবোম য়াইশি লোনববু কায়নহুনবী-ও তৌনা কৌয়ে। মৈতৈলৈমা নোংবাললোন কৌবা লমকেন ওমবী সনা লিনকোইগী।

৩৮। মৈদিংঙু শেনবী মুংয়ামবা।

নয়ু মৈদিংঙু শেনবী মুংয়ামবা-ও তৌনা কৌয়ে। মৈদিংঙু শেনবী মুংয়ামবা কৌদরিঙৈদি থাংবাই নিংথৌ কিয়ামবা-ও তৌনা কৌয়ে।

খুবীনা লৌকুম্ববা লমফেল হনবীনা লৌতারবা মতমদা মাগী চৈশূনা লমওক অচৌবা ময়া কাউরববু কাখিবা লম, লমফেল মাইবিরৌ সনা লৌথুমখোং ওইনম শামুক য়ায়া থোকপা লমফেল কৌবা খুদংমাইদা লায়াবদি লানকম অসিদা লাংগা চীংনিংথৌ খুবোমদা মাইশিলোনবা খুদাংদম্ য়াইনম্ মশীঙ শুনা শীবা চীংদা লৈবা পানবা কৈনা তুংইনবগুম শাখিববু লানওকই। মশক মতৌ নিংথিবী মৈতৈ লৈমদি মকম অসিদা লায়াকবগীদমক মমিং থোনবিখি। মৈতৈ লৈমা কৌবা লমফেল ওবী লাংগা চীংনিংথৌ খুবোম য়াইশি লোনববু লানঙবী হায়না মিজোই। মৈতৈ লৈমা নোংবাললোন লমফেল ওবীগী শেংবা সনা গর্ভনুংগী॥

৩৮। মৈদিংঙু শেনবী মুংয়ামবা।

(খৃঃ ১৫৩২—১৫৩৭)

মরুথৌ মৈদিংঙুগী মমিংদি শেনবি মুংয়াম্বা হায়না মিজোই। মৈদিংঙু অসিনা লোকবি মুংয়াম্বা হায়না কৌদ্রিঙৈদি থাংবাই নিংথৌ কিয়াম্বা হায়না

কৌয়ে। মৈদিংঙু থাংবাই নিংথৌ কিয়াম্বদি হাউরে নোংপোক-লম পাংবরম শেনবী লাক্র-চীং কবো খোইমোম লাইমৈ-চীং কাম্পরৈ লমন্নুংশি শেনবী মুংখোংলৈ কবো মুংয়াংলয়্ নোংপোকচাদানা কৈরেন থৌবা মথুরোন মদাইরেম চকপা তেদে কৌবনা ঙাওইবা মরমখে মুংখোং মুংয়াংলয়দা খৌশাবনে। মুংখোং মুংয়াং-লয়্ কামপারে লমন্নুংশি নোংপোকচাদানা কৈরেন মথুরোন-ও কৌবদি কয়ো-নোংগীনো ? মহৌ ঋাংবী শুনবানা শেনবী য়িনথি খনলোয়লোই ভরেং-শেনবাল্‌লোই তুন্নুং লাংবনলোই চোইনৌ সনা কোনবাল্‌লোই, হোই হায়বদা মহৌঋাংবি শুনবনা কায়রৈ ময়েন্‌চাবু পুংলেন ১ তানফংয়ে। মরিম্ শেনবী ঋাহায়না কাবো তেংথানা কায়রৈ ময়েনচাবু কৈ-ও কৌয়ে। মহৌ-ঋাংবী শুম্‌বানা চাম্থ চাদনা পুংলেন ১ তানফংলে। অতু নোংগীবু নোংপোক চাদনা কৈরেন হৌবা মথুরোন ও তৌনা কৌয়ে। শেনবী লাইরু-চীং কাবো খোইমোম লাইমৈ-চীং কামপরৈ লমন্নুংশি চকপা তেদে কৌবনা ঋারোইবা মরমখে শেনবী

মিঙ্গৌনৈ। মৈদিংঙু থাংবাই নিংথৌ কিয়াম্বা নোংপোক মাইকৈ পাংদা লৈবা কবো লমগী শেনবি লারুচীং কবো খোইমোম লাইমৈ-চীং কাম্বৈ লমদমদা শেনবি মুংখোং কৌবা লম কবো মুংয়াং কৌবা লম নোংপোক মাইকৈদা লৈবশিংনা কাইরেন হৌবা মরমদা মনাই চকপা তেদে কৌবনা শাউথিবগী লমদম মুংখোং মুংয়াং লমদা লান্নাথি। মুংখোং মুংয়াংলয়্ কাম্বৈ লমন্নুংশি নোংপোক-চাদানা কাইরেন হৌবা মথুরোন হায়না কৌনথিবদি করিদগীনো ? মহৌ ঋাংবি শুম্বনা শেনবি কবো লমগী ইংথি থলোংলোই তরেৎ শেনপানলোই তুন্নুং লাংনম্ নাই চোয়নৌ সনা কোন্-পাল্‌লোই হোই লাউবদা মহৌঋাংবি শুম্বনা কায়রৈ ময়েন চাবু য়াম্না লোইবা পুং অমবু ফংজখিয়ে। ময়িম শেনবিনা হায়নবা কবোগী মীনা তেংথানবদি য়েনবু কৈ হায়না কৌনৈয়ে। মহৌ ঋাংবী শুম্বনা চাম্থ চাদনা য়েন লোইজবদা পুঙ অমা ফারকলে। মুমিৎ অতুদগী নোংপোক চাদনা কৈরেন হৌবা মথুরোন হায়না মিঙ্গৌই। শেনবি লাইরুচীং কবো খোইমোম লাইমৈ-চীং কাম্বৈ লমন্নুংশিদা চকপা তেদে কৌবনা ঋাথোকখিবা লমদম শেনবি মুংখোংলয়্

মুংখোংলৈ কাবো মুংয়াং-লয়দা খোশাথবদি মুংয়াং য়াকা চাইরে। শেনবী শারিক লাইথন থুমলে। থারা শেনচং কিরে। হুরেল লানিংগীদি সনা কোনমিংনবা লাইতোংথম্ লানথৌ-য়াংবু কায়ন হুল্লে। সনা য়েমনা শাংবুং লোকলগায়ে। লাকয়া, ফারা, সেয়া, বুত্তি পেনা তারি অথৌবসুং কায়ন হুললে। কবো পোংলেন খোমলে। লাংগোই শাচা লোনরে পাংকং পাউশা লোকলে। শেনবী নিংথৌখোম্ ১০০ সুং থানুং লানথৌয়াং অক্লা মিংনাইবসুং কায়ন হুল্লকলে। লাইরেন মৈদিংগু শেনবী মুংয়ামবা য়িংথি কায়-চোংনা কাবো পোকনথোমবা লোইখোম লাইমৈ-চৌংগী শেনবী নিংথৌ ১০০ ফাবা-ও তেংনা কৌবা মৈদিংগু শেনবী মুংয়ামবা লাইরেন সনা মচুংশেনদি অহুমসুং মখায়রে। হাউরৈ লাইনা পাংবরম লানহাং মপুয়াইদা খোশাথবনে। লানহৌ থুনলেনয়াই থিংকুর মশাইকোন-ও কৌবদি কদোনোংগীনো? মরিম লোয়বি মারেমনা হাউরা মুমুন য়াইশংলাবু ময়ুম খোইশাকপা য়াংগোন পুকৈ লোইবু কবো মুংয়াংনয়দা লান্নাবনি ময়াং থুম্বি কায়নরে। কবো শেনবি লমদা তাবশিংদা লৈকম চাকম হুংনা মখিং মমাং থঙদন লৈরে। লানকম অসিদা সনা কোনমিংনবা লাইতোংথম কৌবা লাবা থৌবা লানগমখি। অহুগা সনানা শাবা য়েনবা মানবসু লোক্লকই। লাকয়া, ফারা, সেয়া, উত্তি, পেনা তারিনচিংবা লান্দা থৌবসু লানজ্রকখি। কবোদা লৈরে মী অচৌবা মকোক ওইবশিংবু লোম্লকই। অহুগা লাম্বোই শগোল অমসুং লানপাউ চংনবা-মীসু থারকই। কবো শেনবি লমগী মখিং চংপা লুচিংবা ১০০ সু থাদুং কৌবা লাবা থৌবা অক্লাগী মখিং চংপসু লানগুরকলে। লাইরেন মৈদিংগু শেনবি মুংয়ামবা নিংথি তুংনদা য়াংনা লায়া লান্নাবনা কবোগী মী, লুচিংশিংবু খোবা খোইমাম লাইমৈচোংদা পানবা পুক্নং ১০০গী নিংথৌ ১০০ ফাবা হায়না মিংলৌখি। লাইরেন মৈদিংগু শেনবী মুংয়ামবগী মচিক মথৌবাদি অসিনমক লোইবা নত্তে। কৌক্র মাইকৈদা লৈবা লানহাং কৌবা পুনসু লায়াখিবনি। লানহৌ পুক্নগী ময়াইদা লৈবা থিংকুগী লৈরকপসু থিংকু মশাইকোন হায়না কৌখিবনি কৈরিগীনো? চৌংদা পানখশিংনা

লোইকারমনে। অহুনোংগীদু থিংকুরুক্কু য়াংক্রুক মশাই কোন-ও ঙৌনা কৌয়ে। তরেংপুং ঙাইপুং-ও কৌবদি য়াংক্রমলোন খোয়নৌ নোংপোক-চম্ন কোনৌ খোংচোনমুবী মঙা ও মানা কোরৌ নোংগারকপদা কৌবা চাংলোন নাপোমনাদা মমানমেচা হাওখু ভাওহুইরেং, চাহুই রোকরানবা ও মাধু ঙাইরময়ে। অঙাইপুং-ও খোননৈয়ে। সোনপুং মানপুং কৌবদি কদৌনোংগীনো? য়োইক্রম-লোন খোয়নৌ নোংবাল চপু মঙা ও মানা কোরৌ নোংগারকপদা খোয়নৌ য়িঙাশিং-ও! নমান ইমান মচাবু লাক্করে। ইতা ইখোইদি করম মানুনবনো হায়না শোল্লনয়ে। সোনপুং মানপুং-ও ঙৌনা কৌয়ে। মরোক তাংনা মপুংয়াইদা চাংশোং অচৎপুং লানহাং থুনকং ১০ ভাবা পুঙদা মঙান কারোং খুংখুন্ ভান্না চাংশোং মপুংয়াইদা লাইরেন মৈদিংঙনা শাম্বা পনলেন য়ান্না কুরাউ পনদাই-শৎ চুংলেপ ৬০ চোং কাউরেন ষনথাং ১০ লান্ খংনং লাইতংলেংনা পনথেংথরবদি লেবী তাংকোই-পাই মৈথু নোংথক-কা

চাংদা হোৎবা য়াই অশংবা মরাং কেপুনা অমদি কৌগে চেংগেবু লোই ওইনা হাহুনা পিবা লমনি অহুদগী থি কুং য়াংক্লুক মশাইকোন হায়না কৌনখি। তরেংপুং ঙাইপুং হায়না কৌনখিবনি নোংপোক মাইকৈদা থোকপা মথোক কারকপি লাইগী শাইওন ওইবি নিংখিবী থোংজোম হুবী ও না অহিংগী মতমদা কোরৌ অয়াংবদা অহুম অমুন কাখৎপকপা চাঙ্গী নাপোম অনদা মমাম্মচা ওকপুরোই তাউহইরেং কৌবা থবানমিচাক ও মকপু ঙাইরবা লমদা মপানি অহুনা মপা অসিবু ঙাইনপুং খোৱে। শোনপুং মানপুং কৌখিবদি কাধিদগীনো? য়োইক্রম-লোন খোয়নৌ মঙা চাম্নবি নোংবালনোন ও মঙা কোরৌথক্তা নোঙ্গারকপদা ইতা চাম্নবিশা! নমান ইমানমচাশিংবু লাক্করে। ইতা ঐখোইগী থোদৌ অসিবু করমহু অহুক য়াম্না মামগনো হায়না শোল্লনই অহুদগী শোনপুং মানপুং হায়না কৌৱে। মথোক ঙাইকং লমদমদা চিংলাংদা লোইহাবা লানহাং কৌবা থুনং ১০ ভাবা লমদা লাইরেন মৈদিংঙনা থোংইরু মৈতৈ পাশা থৌবা অকল অথৌ মরাম পুহুনা কাউরেল থনগী মরেপ ১০ চোংহুনা চুঙী মরেপ ৬০ চোংবা ঙমা

শাইপু মৈতান-পক্ চংলম কানশাং-থুম তাপুং চীংশাই-খায় লানহাং য়াকা চায়রে। লোইবী মপুং তাকপ্লে হেমবা পামতান্নরে। মরান থুমবী মৈমাংচন হুয়েল য়াইশিং মুংলে। নম্ মৈদিংঙু তবুংবা চীং-শোং লানকা-মাংবা-নোংগী পোইরি রাকউদনা লৈকাই পুজরুক লাংবন অওন্নুক চেংপুম্ মনাউতোন থোংনাং মাইতেকপা য়েনরুক্ শেনবী কবো তাইপোং লৌথিবা মন্নালুককুমববু লন্‌শিং তাললে। হুয়েল লাননিকীদি তপা কৌথাবা লানহাং শারোনবা তাপুং লানমিং নাইবা লাইজা য়িদা কুমনা লোংখোনবি লোংখোনপা-ও। মারাম নিংথৌ তামনারোং হেমপা পুনলানবা থংকন নিংথৌ শারাপং লানথৌয়াংবু সুক ফোংকা থিফবাগা লানহাং চমুরা পুন্নামাসুং কায়না হুললে। লাইরেন মৈদিংঙু শেনবী মুংয়ামবা লনহাং মৈমুৎ তন্‌বা হুয়েল কোরিলোং কাবা-ও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন সনা

মমাংনৈঙগী হৌথিবা নিংথৌঙ্গা মরোলগী লম, শিংনবগীদমক লান্দাগিবদি তাপুং খুঙ্গংবু মৈ থারবদা মৈরৌনা অতিয়াদা রাংনা কাখৎলক মৈথুনা লোংথক অসি ইমম হেক মঘমথৈ লান্দারবদা তাপুং খুঙ্গংদি ময়াই থায়না লানহাং খুঙ্গংদি কায়খরে। চীংসিদা পানবশিংদি মাঙ্‌না তাকুবগী মশক ওইরক্‌না চীঙ্গী মীশিংবু কোয়তান তাম্লখি। লানফম অসিদা চীংমী অয়াবগী য়ুম মৈ পাপিবনা মথরাই মাঙবনা মনীঙ হেনখি। মনুথৌ লাইরেন মৈদিংঙু তবুংবনা চীংশোং লান্দা মাইথিবা কংথিবা অতুগী রাকমু কাউবা লৈতবদগী লৈকাই লৈকাইগী মী-থা কৌথতুনা ময়াংগী লমদা শাবা খুমুঙী পয়া নাম্মা তাদবা অতুগুম্বনা য়াম্না তোয়না শিজিন্নবদগী মম্বরক্তনা শিজিন্নবা য়াবতুনা মাঙথরক্লবা অতুগুম্না লম্মন শিংথি। লানফম অসিদা লৌউবা তপা কৌবা লানহাংদা য়ুমদাংবা (লৌতাংবা) তাপুং হায়না মমিং থঙনবা অতুগা ঈশিংদা কুমতুনা লোং থোনবি লোং থোনবা, মরাম নিংথৌ তায়ারোং কৌবা খুল্লালকপা থজান নিংথৌ শারাপং কৌবা লান্দা থৌবসু সুক ফোংকা থিফবাগা লানহাং নিংথৌ কোরিলোং কৌবা অথৌবসু অতুগা লানহাং খুনগী মুপিশিং পুন্নমকপুম্‌ লানওব্রকখি। মসিদগী লাইরেন মৈদিংঙু শেনবি মুংয়ামা লানহাং খুনবু মৈ থাবা লানফমদা কোরিলোংবু কাবা হায়না

মচুংশেনদি অচুম্লুং মদোমনে। হাওরে নোংপোকল্লা পাংবরম মংশা লমন্নুংশি তুহাং লম্মহনদা খৌশাবনে। মংশা লমন্নুংশি-ও কৌবদি কদোনোংগীনো ? নয়ুব্রা চীংখোং পোইরৈতোনগা মৈতৈরৈমা, লৈমা লৈনাউতাবীগা শেনবী শিদবা কবো নাদবধু খুনখিরকপদা কোরৌ চীনহুম চীন্ ব্রাংবন মংহুম মংলকলে। অচুনোংগীবু মংশা-ও তৌনা কৌয়ে। তুহাং লমন্নুংশি-ও কৌবদি মৈদিংঙু লোইনাই খুমমোমবা মমান তোংচেং ইব্রান ফাবিচা খনলাং মোইচা ঙমবগা ব্রাংথৈ ফৈই-তরেংবা মমান য়ুথুম নানৈ ফাবিচা লাংগোই শায়ারুক্না হুনখুরু-বিচাগা খুরাই ব্রাইরং চাগা শেনলোই মপাতাউ ও মাগা পোং লান-লুমঙৈদা তাইপোং লানকারকপনা শেনলোই মপাতাউ ও মাবু শেনবী ব্রোকস্নুমনোংদা নোংথোইরে। পাথৌশিং-ও। য়িথোইবু মৈদিংঙু লোইনাই খুমোমবনা লৈকাই পুজরুকপু লনশিংবিগে হায়রবদি নোং-শাংলে। শরি ব্রাবু ওইরে হায়না শোল্লমুয়ে। অচুনোংগীবু শেনবী

মিঙ্গৌনৈ। মৈদিংঙুগী মত্রিক মথৌনাদি অসিনস্থ লোইবা নত্তে। নোংপোক মাইকৈদা লৈবা মংশা কৌবা য়েংবদা পুক্রিং মুংশিবা লমগী তুহাং কৌবা লম্মহন্দা লাম্নাখি। মংশা নন্নুংশি হায়না কৌখিবদি করিদগীনো ? নবুধো চীংখোং পোইরৈত্তোনগা মথংলন লৈমা লৈনাউতাবিগা কবো অসিগী করম্বা মফমদা অফবা শিরোই নারোইদোবা খুন্দাবা য়াবা লম লৈরিগদগে থিরকপদা অব্রাংবা কোরৌ থক্কী অমংবা নোংনা য়াম্না শূক্রা মংলকলে। মুমিৎ অচুদগী মংশা হায়না কৌনৈ; তুহাং লমন্নুংশি হায়না কৌখিবদি মৈদিংঙু লোইনাই খুমোম্বাগী মমান তোংচেং ইব্রান ফাবিগী মচা ইবেম্মা খমলাং মোইচা ঙম্বগা ব্রাংথৈ ফৈত্রেংবা মমান য়ুথুম নানৈ ফাবিগী মচা লাঙ্গোই শায়ারুক্কা হুনখুবিচাগা খুরাই ব্রায়রংচাগা শেলোই মরূপ ও মক্কা পোংগী লান লুম্লিঙৈদা তাইপোং মনিল নাইবা হুয়েন লানগায়কপনা শেলোই মরূপ ও মকপু কবো শেনবি লমগী ওকওমনোংদা লাঙ্গোই চনখি। পাথৌশিংও ! ঐথোইদি মৈদিংঙু লোইনাই খুমোম্বনা লৈকাই লৈকাইগী পুজরুক পিবিহুনা লনকোকপিগে হায়বগী ব্রাফমদি মতম কুইরবনি। ব্রাগী মচুং ইম্না অচুক ব্রাশকথিবা হায়বচু ওইরমাল্লে হায়না শোল্লমই। মুমিৎ অচুদগী

লমতাংশাং কবো শরীপান-ও থোননৈয়ে। লৈরাং অতিংঙাবু ওইরে। পাথৌ য়িখোই ৩ মাদি হাংলে তুহাংলে কৌয়ে। লাইরেন মৈদিংঙুনা মংশা লমনুংশি তুহাং লম্মহন কবো শরীপান্দা থৌশাবনে, খান্না খেনচংকীনলে। শরিক লাইথন থুয়া পনথেংলে। হুয়েন লাননিংগীদি শেনবী মংশা মনিংথৌ কানচম লানমিংনাই খেনচোং লানথৌয়াংবু কায়ন হুললে। লাইরেন মৈদিংঙু শেনবী মুংয়ামবা-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো? হুরা কারে শেনকোই তোংলে, লাইরেন্ মৈদিংঙু শেনবী মুংয়াম্বা মংশা ঙমবা কানচম লানমিংনাই খেনচোং লানথৌয়াংবু কায়ন হুনব-ও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন মৈদিংঙু শেনবী মংশা ঙমবা সনা মুংয়ামনদি অহুম্পুং মদোমদে। অরাং লাইনা পাংবরম লোইবী শামাখুন মপুংয়াইদা খৌশাবনে। শামাখুন মপুংয়াই-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো? ঐদি লোইবি শামাখুনচানে হায়না পাউতাক্-নরম্‌য়ে। অহুনোংগীবু হেমবা তাতাউচীং লোইবী শামাখুন মপুংয়াইদা

শেনবি লমদাংশাং কবো শরীপান হায়না মিংথোনখি। অতিয়াদা শাৎকম থোক্তবা লমদা নৈ শাৎপঙম অরেব্বা ওইরে। পাথৌ ঐখোই ৩ মক্তি হাঙলে হায়খিবদগী তুহাংলে হায়না কৌনাখ। লাইরেন মৈদিংঙুনা অসিগুম্বা মংশা লমুংশি তুহাং লম্মহন কবো শরীপান্দা লান্নাখিবনি। মতুদা লমদম অসিগী লানফমদা হুয়েন লাঙ্গুংবা অয়াম্বা মাংথিবা ফংখি। লানফম অসিদা শেনবি মংশা নিংথৌ কানচম্ কৌবা লান্দা মমিং চংপা খেনচোং কৌবা লান্দা থোববু লানঙমখি। লাইরেন মৈদিংঙু শেনবি মুংয়াম্বা হায়না কৌথিবদি করিদগীনো? মৈদিংঙুনা মংশা লম্ লানঙম্নকপদা কানচম্ কৌবা লান্দা মমিং চৎপগা খেনচোং কৌবা লান্দা থোবগা লানঙম্নকপদা লম অহুগী হুপি নাহা অয়াম্বনা মৈদিংঙুবু মখুংঙোনি হায়না সেবা তৌরকপদগী মৈদিংঙু মুংয়াম্বা মংশা ঙম্বা হায়না মিংথোনখি। লাইরেন মৈদিংঙু শেনবি মংশা ঙম্বগী মতিক মথৌনাদি অসিনমু লোইবা নত্তে। অরাং মাইরৈদা লৈবা শামা খুনগী খুদক্কম্ লান্নাখি। শামা খুন কৌথিবদি করিদগীনো? করি খুন্নো হংনবদা ঐদি লোইবি চীংদা পানবা শামা খুন মচানে হায়না পাউতাক্লখি। হুমিং অহুদগী হেম্বা তাতাউ-চীং লোইবী

তুবী থিংকু মথিনাই লাইরেন মৈবু-রোং থংনং লাইতং লেংনা পনথেংথবদি কোইরেং য়াকা চায়রে। মরনি থুমবী মৈমাংচন হুয়েল য়াইশিং মুংলে। হুয়েল লাননিংগীদি কোইরেং মনিংথৌ থাংশা উতোং অতোৌবধু কায়ন হুয়েল। তুবী মনা মতু শেনগীবু মিংওনখিয়ে। মৈদিংঙু লোইবী শামা খুনঙমবা থাংশা উতোং অতোৌববু কায়না হুনব-ও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন মনা মতুংশেন তুবী চুংলেন মরান-হৌদি অহুমুং মাদোমদে। নোংনেম লাইনা পাংবরম লৌপোন মনা মচীংলেন মাথান মপুংয়াইদা। লাইরেন মৈদিংঙুনা তুবী থিংকু মথিনাইনা লাইরেন মৈবু রোং থংনং লাইতং লেংনা পৌশাথবদি হুয়েল লাননিগিদি লোইবী মাথান মনিংথৌ মৈচাম্ লানথোয়াংসু লাংপন চীংশাং থোইথিবা হুয়েল চামাইঙাং অথোৌববু কায়ন হুললে। তুবী থায়া নথৌমনগীবু মিংওনখিয়ে। লোইবী মাথান ঙমবা মাইঙাং লানথোয়াংবু মাইচম অথোৌববু কায়ন হুনব-ও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন মরানহৌদি

শামা খুঙংয়াই হায়না কৌনখি। লাইরেন মৈদিংঙুনা হেক্তা তাতাউ-চীং লোইবি শামা খুনগী ময়াইদা মৈদিংঙুনা কম্থি কপাউ থোক্লা পোইরৈ মৈতৈগী অকন অথোৌশিং পুহুনা হুয়েন লান্দাক্লবদি কোইরেং খুঙংদি কায়হুনা চেন্নে। হাউয়ুম অয়াম্বা মৈ থাহুনা থরাই শিনরে। লানকম অসিদা কোইরেং খুংংগী খুল্লাকপা (নিংথৌ) থাংশা উতোং অতোৌববু লানঙমখি। মৈদিংঙুগী মতিক মথৌনাদগী মিংওনখি। মৈদিংঙু লোইবি শামা খুনবু ঙম্বা থাংশা উতোং অতোৌববু লানঙম্বা হায়না কৌনখি। মৈদিংঙুগী মতিক মথৌনাদি অসিনমু লোইদা নত্তে। অবাং মাইকৈদা লৈবা কোয়ৌ অয়াংবদগী নোংনা তাবা হানবা মাইকৈদা লৈবা লোইবি মাথান খুঙংয়াইদা মৈদিংঙুনা কম্থি কপ্পাউ থোক্লা অকন অথোৌ ময়াম পুহুনা লায়াবদা মাথান নিংথৌ মৈচাম লান্দা থোৌবগা লাংবন থাদা চীংশাং অকোয়বা চত্নুনা থোইথিবা চামাইঙাং কৌবা লান্দা থোৌবধুমু লানঙমখি। হিয়ম অসিদগী মৈদিংঙুগী মমিং ওনখি। লোইবী মথান ঙম্বা মাইঙাং লান্দা থোৌববু অহুগা মাইচম কৌবা লান্দা থোৌনবুমু লানঙম্বা হায়না কৌনখি। মৈদিংঙুগী মতিক্তি অসিনমু লোইখিবা নত্তে। থা পাংবা মাইকৈদোমদা নহুথৌ চিংথোং

অতুম্মুং মদোমদে। হাওরৈ খানা পাাবরম নয়ুৱা চীংখোং পোইরৈ-তোননা লাংওনবা-লম ঙাংঙোই য়োইমো-ব-না মপুম্ হাওয়াম ইয়াক ১০০ তাবা লোইবিবু লোইচনব-সম্ তোনসেন মপুংয়াইদা খোশাবনে। লোইবী মদাইমাবু তোনসেন-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো? নয়ুৱা চীংখোং পোইরৈতোননা লাংওল্লকপদা ইতৈরেনা লৈনাউতাবি-ও! শাবি ইপিংঙানা লোইবী শিদবা হেমবা নাদববু খুনথিবদি হেমবা মদাইমা অসিদি কয়ম শোনবনো হায়না শোল্লময়ে। অহু নোংগীবু তোনসেন্-ও কৌয়ে। তোনসেন্ মপুংয়াইদা লাইরেন মৈদিংঙ্না তুবী থিংকু মথিনাই লাইরেন মৈবুৱোং খংনং লাইতং লোংনা পঙ্গেংথরবদি তোনসেন য়াকা চায়্রে। হুয়েল লাননিগীদি তোনসেন মনিংথৌ নাশিরোইববু কায়্ন হুন্লে। লাইরেন সনা মচুংশেনবু লোইবী তোনসেন ঙমধ হুয়েল থাংশা তোনঙাইবগা তোনসেন মনিংথৌ নাশিরোইববু কায়্না হুনব-ও তৌনা কৌয়ে। তুবী সনা মচুংশেনদি অতুম্মুং মদোমদে। হাওরৈ নোংপোক-লা পাংবরম লোইবী হাও-

---

পোইরৈতোল্লা খুম্বোরকপা লম মৈদিংঙ্চা ঙাংঙোই য়োইমোংবনা হাউয়ুম য়িয়াক ১০০ তাবা লমু লোইচনলবা তোনশেন কৌবা খুঙংয়াইদা লায়াখি। লোইবি লমগী তোনশেন খুঙংবু তোনশেন হায়না কৌথিবদি করিদগীনো? নবুধৌ চীংখোং পোইরৈ-তোল্লা খুম্বোক্লকপদা ইবেম্মা! লৈমা লৈনাউতাবি-ও! ঐথোই অনিনা লোইবি চীংগী অমদি তমগী করম্বা শিরোই নারোইদৌবা খুন্দাবা য়াবা মকম লৈরিগদগে থিরকপদা লমদম অসিদি করম্ববু অম্বক শোনবনো শোল্লময়ে। হুমিং অহুদগী তোনশেন হায়না কৌথি। অসিগুম্বা তোনশেন খুঙংয়াইদা লাইরেন মৈদিংঙ্না মতিক মথৌনা উৎনা কদ্বি কগ্গাউ থোক্লা অকন অথৌ লানমী ময়াম পুক্না লান্দাবদা তোনশেন খুন্দি কায়থরে। লানকম অসিদা তোনশেন নিংথৌ নাশিলোইবু লানঙমখি। মৈদিংঙ্গী মতিক অসিদগী লোইবি তোনশেন ঙবা থাংশা তোন-ঙাইবগা তোনশেন নিংথৌ নাশিরোইবগা অনিমকপু লানঙ্গকপা হায়না মিজোখি। মৈদিংঙ্গী মতিক অসিনম্ব লোইবা নত্তে। নোংপোক মাইকৈ পাংবলমগী লোইবি হাউমরোন ময়োন খুঙংয়াইদা লায়াখি। লোইবি হাউমরোন ময়োন মপুংয়াই

মায়োম ময়োম মপুংয়াইদা খৌশাবনে। লোইবী হাওমায়োন ময়োন মপুংয়াই কৌবদি কদোনোংগীনো ? নয়ুব্রা চীংখোং পোইরৈভোননা চীংবুরোই লাংওন্‌লক্‌পদা ভমা চাকপুক লাম্‌লবগী মৈতৈ লৈমা লৈনাউভাবীগা মামোইথাপ্‌ মামোইরেংবু য়োল্‌লময়ে। অতুনোংগীবু মায়োন খুনলেনলৈ-ও কৌয়ে। লাইরেন মৈদিংঙুনা লোইবী মপুংয়াইদা চুংলেপ ৬০ চোং কাউরেন মনথাং ১০ লান খংমং লাইতং লেংনা খৌশাথবদি হুয়েল লাননিগিদি ময়োন মরুখী লাল্লুববু কায়ন হুললে। তুবী শংলৌ মথৌরাং লাইরেন য়েনলাং মওমতমগী লাইরেন মৈদিংঙু লোইবী ময়োন ঙমবা হুয়েল মরুমবী লাল্লুমবা কাবা-ও তৌলা কৌয়ে। লাইরেন সনা মচুংশেনদি অতুম্বুং মদোমদে। হাওরৈ নোংপোকলা পাংবরম্‌ য়াইরং অয়েমবা থেনবু নাতৈননা চকপা মশাইকোন চীয়োং থায়োই মপুংয়াইদা লাইরেন মৈদিংঙুনা খংনং লাইতং লেংনা খৌশাথবদি হুয়েল লাননিগীদি পুংপুন মনিংথৌ কনোংসা, থায়োই মনিংথৌ ময়োং য়াংলৈ অথৌববু কায়ন হুললে।

কৌথিবদি কব্রিদগীনো ? নবুথৌ চীংখোং পোইরৈত্তোম্না চীংমী শাত্থনা খুঙ্গোয়কপদা চাক লাম্লনবদগী মৈতৈ লৈমা কৈনাউভাবিগা মোইথাপ য়োল্লমই হুমিং অতুদগী ময়োন খুনলেন্-লম্ হায়না কৌথি। মৈদিংঙুনা চীংশাং অসিগী খুজংয়াইদা চুঙগী ময়েপ ৬০ চোং কাউরেন মনগী মনয়াং ১০ লাম্না চোংরা অকন-অথৌ পুনা লামাবদি লানক্ম অসিগী ময়োন খুনগী মরুবী লাল্লুববু লানঙাকথি। মৈদিংঙুগী লৌশিং লৌমাংনা, মথৌরাংনা লানঙম মাইপাক কংলবা অসিদগী মৈদিংঙু লোইবি ময়োন-ঙবা হুয়েন মরুবী লাল্লুববু কাবা হায়না মিত্তোই। মৈদিংঙুগী মতিক মথৌনাদি অসিনম্ লোইবা নত্তে। নোংপোক মাইকেয়োমদা লৈবা য়ায়রং অরেম্বা থেনবু তুংওইনবগা লৈবা চকপা মশাইকোনগী চিয়োং থায়োই কৌবা খুজংয়াইদা মৈদিংঙুনা অকন অথৌ পুত্থনা লাম্নাবদি লানকম অসিদা পুংপুন নিংথৌ কনোংশা, থায়োই নিংথৌ ময়োং কৌবা লাল্লা থৌববু লানঙমথি। লাইরেন মৈদিংঙুবু চকপা পুংপুন ঙবা হুয়েন লাল্লা থৌবা কোন্থবা ময়োং য়াংলৈ লাল্লা থৌববু লানঙবা হায়না কৌথি। মৈদিংঙুগী মথৌনাদি অসিনম্ লোইবা নত্তে।

লাইরেন মৈদিংগু চকপা পুংপুল ওমবা হুয়েল কোনসনবা মায়োং য়াংলৈ লানথোয়াংবু কায়ন হনব-ও তৌরা কৌয়ে। লাইরেন ময়াং-হোদি অহুস্নুং মদোমদে। হাওরৈ থানা থাংবরম চংবী লাকোন কাইবু নাতৈননা লায়ান মশাইকোন তোনপুং য়াইমাবা ময়িমকমদা খৌশাবনে। চংবী লাকোন কাই-ও কোবদি কদোনোংগীনো? নয়ুরা চীংথোং-পোইরৈত্তোননা চীংখুরোই লাংওয়কপদা চীংলেন নাপোম মাদা চংবি-লাশং কোয়রে। পুস্নুং লারাকশেং চামলো লাকোন-শানা য়োল্লমরে। অহুনোংগীবু চংবী লাকোন-কাইও তৌনা কৌয়ে। লমলেন চংবী লাকোনকাই লায়ান মশাইকোন তোনবুং য়াইমবা ময়িমকমদা খৌশাবদি হুয়েল লাননিংগীদি তোনপুং নিংথৌ য়ানলোং খোংদৌববু কায়ন হললে। লাইরেন মৈদিংগু তোনপুং ওমবা য়ানলোং খোংদৌবা কাবা-ও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন মৈদিংগু তোনপুং ওমবা য়ানলোং খোংদৌ কাবা তুবী সনা মচুংশেনদি অহুস্নুং মদোমদে। হাওরৈ থানা পাংবরম লমলেন লাইজা ইতু-য়াই তুয়াই মস্নুংশিদা খৌশাবদি মালং

থা মাইকৈরোমদা লৈবা চংবি লাকোনকাই কৌবা লমবু তুংওইনরগা লৈবা লায়ানগী মথুক্কং তোনবুং য়াইমবগী ময়িমদা লাল্লাখিবনি। চংবি লাকোনকাই কৌখিবদি করিদগীনো? নবুথৌ চীংথোং পোইরৈত্তোল্লা চীংমী ওইনা থুহোক্লকপদা লোইবী চীংগী নাপোম অমদা চংবি লাশং হৈকাথরে (হেকলে)। অহুগা লম-শিং অহুবু লারাক শেৎতুনা কোল্লগা য়োল্লমই। অমিৎ অহুগী চংবি লাকোন-কাই হায়না কৌনখি। অসিগুম্বা চংবি লাকোনকাইগী লায়ানগী লৈকম তোনবুং য়াইমবগী ময়ুমদা লাল্লাবদি লানকম অঙ্গম তোনবুং নিংথৌ য়ানলোং খোংদৌবা কৌববু লানগথি। লাইরেন মৈদিংগু তোনবুংগুম্বা য়ানলোং খোংদৌবা কাবা হায়না কৌনখি। লাইরেন মৈদিংগু তোনবুংগুম্বা য়ানলোং খোংদৌবা কাবগী মতিক মথৌনাদি অসিনমু লোইবা নত্তে। থা পাংবা মাইকৈরোমদা লৈবা তুয়াই কৌগা লমদা লাল্লাখিবদি মালং লোংশিংথবা হুকপা মাইকৈদা মচিন ওইবা লমদা লাকপারকপা হয়োম লহুগা নবান্ কৌবা লাক মিংচৎপবু লাল্লেখি। লাইরেন মৈদিংগু পাখংবাই নিংথৌ মুযাবা খোংনাং (কাহাব) মাইকৈবু ওই-

মথোংচিনগী হুসোম লানকাবক্পা নয়ান লানমিংববু কায়ন হুললে। লাইরেনমৈদিংগু থাংবাই নিংথৌ মুংয়ামবা থোংনাং তথেনগুম্বা নয়ান ফাবা মমিং হনগী চূনব-ও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন মৈদিংগু থাংবাই নিংথৌ মুংয়ামবা থোংনাং তথেমবাদি চোইনৌ সনা মীংহনগী চূনবনে॥

নয়োন মৈতৈ লৈমা কায়নৌ চাংপোমবী-ও তৌনা কৌয়ে। অঙৌবা তুরেল য়াংমা নিংথৌ কংলা ফানথোন তানা থাবনা য়েনবি মমান নিংথৌ কায়নৌ চালামবা সনা মমিং লেমবু মীংথোং-ফাবী অঙৌবা চম্বু কায়নৌ চাংপোমবী হুয়েল অনাল ফাবী থারোই নিংথৌ মারোং য়াই অথোববু চেক্পন্ য়ুমকোয়নাবা-চম্বু নপাম অঙৌবা পুরেরোমবা য়িমদাং শাংবু শাইরোনবী থংদা নোংবাললোন অঙৌবা চম্বু কায়নৌ চাংপোমবী তাংখুন থামবি হুইহংবা ময়ুম য়াশংববু হুয়েল মরৌরেং অথোববু মারোং চৈতম তানুনা মরান মুহোংখোংদাং ফবী তাংখুন লানয়ামথাবী হাওরে নোংপোক পাংবরম শেনবী লাইমা-তোন থাগী চকলৈঙান লেংলেং কংলাতোংগী খুনম্বুং পোকলোনমাথৈগী

তথেন ওবা নয়ান্ ফাবা হায়না কোলোয় মিংথোনববু চূনবা হায়না মিঙৌই। লাইরেন মৈদিংগু থাংবাই নিংথৌ মুংযাম্বা থোংনাং তথেম্বা হায়না মিঙৌবদি ক্ষুদোংলবঃ সনাগুম মিংহন অসি চূনবনি।

নর্বেঙ্কৌ মৈতৈ লৈমগী মিংলেন্দি কায়নৌ চাংপোম্বী হায়না মিঙৌই। অঙোম নিংথৌনা খুলিংহনা খুন্দাবা ইম্ফাল তুরেলগী নোংপোক থংবদা কংলাগী ফান মথোল নাইবা সিংহাসন থাবগুম্না খাবদা পানবা নিংথোনা য়েহয়কপি মমাক ইবুংঙো মৈদিংগু কায়নৌ চালাম্বগী সনা মিংলেন লৌনা মিংথোনবি অঙোম চম্বু নোংবাললোন কায়নৌ চাংপোম্বীদি হুয়েন লান্দা অনাল লাংফাবী থারমগী লোই নিংথৌ মরোংয়াই কোবা লান্দা থৌববু চেকপম্না য়ুম্বু কোয়না য়াজিন্নুনা খুম্বগী মচাম্বপি মপাম্ নোংবাল অঙোমগী পুরেরোম্বগী শন্দাই অঙৌবদা পোকচবী নোংবাললোন কায়নৌ চাংপোম্বী কৌবিদি লোইবি চীংদা পান্বা তাংখুলগী য়ুমদা শমু-লান্ য়াকুপা, ঙারবা থম্বা হুইবু চৈ পায়হনা তান্নদা তাউবা হুইনু মথোং য়াঙনা চেনয়গুম মখিদ্ পোইরৈ লমদা লাক্পাদা শমু

মাঙৈননা নোংপোক থাগী কৈথেন থনবী থাগী থুনলেম মাইকৈ সনা খোমহানবী হুয়েল লাননিগিদি চৌফা মুংলোংকাখি-ও ঙৌনা কৌয়ে। য়োইবু মৈতৈরৈমনা সনা খোমহানবদি অহুংং মদোমদে। নোংপোক ঙমথংনা কতাং মপুংয়াইদা সনা খোমহানথবদি হুয়েল লাননিগীদি শেনবী কাতাং মনিংথৌ চীংচারোং লানথিংনাইবদু কায়ন হুললে। মৈতৈরৈমা, লৈমা নোংবাললোন কায়নৌ চাংপোমবীনা সনা খোমহানবদি অহুংং মদোমদে। হাওরে নোংপোক থানা পাংবরম চাখা মোনশাং মপুংয়াইদা সনা খোমহানথবদি হুয়েল লাম্নীগীদি চাখা মোনশাং মনিংথৌ হুয়েল শাকাপ্‌পবু কায়না হুললে। য়োইবু মৈতৈরৈমনা ইহুংমাদা খোমলেন তুমকন্দনা সনা খোমহানথবদি অহুংং মদোমদে। হাওরে নোংপোক-না পাংবরম মৈদিংঙু শেনবী কিয়ামবাগা পোং নিংথৌ চৌফা খিথোমবাগা থাম্নী চোইথৈনবা মরমথে শেনবী লৌথেং-য়াং থেংয়াং মপুং-য়াইদা সনা খোমহানথবদি হুয়েল লাননিগিদি চৌথে লানথৌয়াংবু

খোংথাং নিংথিবীনা তাংথুন লানয়াম ভনজখিনি। নোংপোক মাইকৈয়োমদা লৈবা শেনবি কবো নমগী লোইবি লাইমতোন্দা তাবা থাগী চকলৈতান্‌ লেংলেং কংলাতোংগী থুহুং পোকলোন নমথৈবু তুংওই নাঙৈনরগা লৈবা নোংপোক থাগীগী কৈথেন থনবি কৌবা থাগীগী থুহুং মথাইদা লায়াহনা নন-থুম পোং-চে সনা লুপানচিংববু খোমহনবিনি। লানকম অসিদা চৌকা মুংলোং কাথি হায়না মিঙ্গৌনখি। মৈতৈ লৈমনা হয়েন লাজংহুনা লানকম থুহিং পোং খোথদি অসিনহু লোইখিবা নত্তে। নোংপোক মাইকৈদা মেক থংনবদা লৈবা কদাং কৌবা থুহংমাইদা লায়াবদি লানকম অসিদা কদাং নিংথৌ চিংচরোং কৌবা লান্দা মখিং চংশবু লানজকখি। মৈতৈ লৈমা অতোম মেকওইবি কায়নৌ চাংপোখীনা হয়েন লান্দা পোং-চৈ লহুম খোথদি অসিনহু লোইবা নত্তে। মৈরম মাইকৈয়োমদা লৈরম চাখা মোনশাং থুহংদা হয়েন লায়াখিবী লানকম অহুনা চাখা মোনশাং নিংথৌ হয়েন শাকাপবু লানুজকখি। মৈতৈ লৈবাকী মকেয়া লৈবা পুরগী মুচিংবীনা অহিং অমা ইহুম তুমদনা লাজক ম অহুনা পোং-চৈ সনা লুপা খোমহুবদি অসিনহু লোইবা নত্তে। নোংপোক মাইকৈ পাংবদা লৈবা অমদা মৈদিংঙু শেনবী

কায়ন হললে। মৈতৈরৈমা শেনবী কিয়ামবন লাইরেন মশাকীগী সনা লাংচে যায়না সনা খোমহানবদি শেনবী শোংশোক মপুংয়াইদা সনা খোমহানবদি হয়েন লাননিংগীদি শোংশোক মনিংখৌ লানশোই লানখৌয়াংবু কায়ন হললে। সনা খোমহানমনগীবু মীংওনখিয়ে। নয়োন মৈতৈরৈমা শেনবী শোংশোক ওমবী লাসোই ফাবি-ও তৌনা কৌরে। য়োইবু মৈতৈরৈমনা সনা খোমহানবদি অচুম্বুং মদোমদে। লোইবি ইতোক খুনলেনলয়দা সনা খোমহানথবদি হয়েল লাননিংগীদি কুয়াং লানখৌয়াংবু কায়ন হললে। য়োইবু মৈতৈরৈমনা সনা খোমহানথবদি অচুম্বুং মদোমদে হাওরে নোংপোক-লা পাংবরম শেনবী মদাইমা চাংতাই লাম্মাহন মুমু মপুংয়াইদা সনা খোমহানথবদি হয়েল লাননিংগীদি শেনবী মুমু মনিংখৌ লাচেপ্ লানখৌয়াংবু কায়ন হললে। য়োইবু মৈতৈরৈমা মুমু ওমবী লাচেপ্ লানখৌয়াংবু কায়ন-হলবিনা সনা খোমহানবদি অচুম্বুং মদোমদে। হাওরে খানা পাংবরম অতান

কিয়ামথা পোং নিংখৌ চৌকা থিখোবগা লময়েন্নবা লমথৈগী লৌথেংয়াং খেংয়াং কৌবা খুদংদা লায়াবদা লানকম অচুম্বা চৌথে কৌবা লাম্দা খৌবু লানওয়কথি। লানকম অসিদা শেনবী কিয়ামবগী মতাংলোই মৈতৈ লৈমনা মশাবী মৈদিংগুগী হৈনা মতুংইয়া লায়াক্নবগী পোংচে খোয়্বা অমদি শেনবী শোংশোক খুদংমাইদম্ সনা লূপা খোয়্বগী শোংশোক নিংখৌ লাখৌয়াং কৌবা লাম্দা খৌবু লানওমথি অহয়া খৌবা কনা লানগী মতুংইয়া পোং-চৈ খোবা য়াউক্লবদগী মনিং অমা থোনখি। নবেক্নৌ মৈতৈ লৈমা শেনবী শোংশোকওদি লাশোই কাবি হায়না খিখৌথি। মৈতৈ লৈমনা লায়াখিবদি অসিনম্বুং লোইবা নত্তে। লোইবি চীংদ পানবা ইতোক খুয়াঙৌ কুয়াং লাখৌয়াং লানওমথি। মৈতৈ লৈমনা লায়াখিবদি অসিনম্ লোইবা নত্তে। নোংপোক মাইকৈয়োমগী শেনবী কবোগী লমদা লৈবা চাংলাই কৌবা অরিবা খুদংগী মুম্ কৌবা খুদংদা লায়াখিবনি। লানকম অসিদা শেনবী মুম্ খুনগী নিংখৌ লাচেপ কৌবা লাম্দা খৌবু লানওমথি। য়োইবু (মখোক-কাবীগী মপু ওইবী) মৈতৈ লৈমা মুম্ ওদি লাচেপ কৌবা লাম্দা খৌবু লানওবিনা লায়াবদি অসিনম্ লোইবা নত্তে। খা মাইকৈয়োমদা লৈবা অতান

]মপুংৱাইদা সনা খোমহানবনে। অতান খুনলেনলম-ও কৌথবদি কদৌনোংগীলো ? নমুৱা চীংখোং পোইৱৈজোমনা মৈতৈৱৈমা লৈমা -লৈনাউভাবীবু পুনা চীংবুৱোই তমবু কেননা লাংওলকপদা থৌচু ইশং থাংবদা শমু শথুৎতোনধু নাম্বোক্‌লময়ে। অচুনোংবীবু খুনাল কৌৱবু পোইৱৈ-তাক্যাখিবনা অনাল-ও তোনা কৌৱে। অনাল খুনথক্‌ তানা তাবা খুনথা মনিল নাইবনা পানবা কুমদা য়োইমৌ য়োইবু মৈতৈৱৈমনা সনা খোমহানথবদি হয়েল লাননিঙ্গীদি লোইবী অনান মনিংথৌ খোকচু লানচুংবনু কায়ন হয়ে। য়োইবু মৈতৈৱৈমনা সনা খোমহানবদি অচুম্বং মদোমদে! হেমবা মদাইমা তাপুং তানা তাব্বু ওমলোন নাতৈননা হুংখেন চামিলৌবু ওমথংননা মাৱৈবী খুনতোম চীংদা .সনা খোমহানবী হেমচেং চকপা-য়িদা থৌদোংবী মাৱেম পোংচাই-য়িদা তেনশিংবী লোইবী মরৈপুংবু ওমবী হয়েন শিনপুকাবী মৈতৈৱৈমা থংদা নোংবান-লোন কায়নৌ চাংপোমবী খোংনাং মৱাং তেকা নৱান লামথৌয়াংধু লাংবন নৌৱৈ থাওনা লৈহৌ হিকা-নবি

কৌবা খুদংবা লায়াখি। অতান খুনলেন-লম্ কৌথিবদি করিদলীনো ? নথুথৌ চীংখোং পোইৱৈজোয়া মৈতৈ লৈমা, লৈমা লৈনাউতাবিবু পুৱদা। চীংবী লান্নুনা লাকপদা, নুং ইশং থাংবা অবা নেৎলুবদা খুদোল নাম্বোকখি। চুমিং অচুবী খুনাল ময়ৌম্বা হাইহেসিবু পোইৱৈ লমদা তাবশিংনা অনাল হায়না কৌনে। অনাল খুদুম্বা তাবা খুনথা মৱাঙ হোৌগনবনা পানবা কুমদা, মৈতৈ লৈমন লায়াখিরমদি ৱারুক্ম অসিদা লোইবী অনাল নিংথৌ খোকচু লানচুংবু লানওমখি। মৈতৈ লৈমন্না লায়াহুনা সনা লুপা খোমখিবদি অসিনমু য়োইবা নত্তে। তাপুং খুনা তাবা চীংবী তুংওইনবা হুংখেন চামিলোপা থংননা, লৈৱা খুন্দোনচাংদা লায়ুবা চত্না খুনা লায়াবি মাৱেম পোংচাই-য়িদা লানশিংবি য়োইবি মৈৱেপুংবু ওমবী হয়েন, মান্দা দৌৱাং থৌগীন কবী মৈতৈ লৈৱা নোংবানলোন কায়নৌ চাংপোমবী খোংনাং মৱাং তেকা নৱান কৌবা লাম্দা থৌবনু লাংবন্দু য়াদা নৌ পায়দনা পোইৱৈ নাইকে দাকওদি পোইৱৈ মৈতৈ লমগী শিন্নাকপদা, ৱায়ুম

পোইরে শিনথোই শকপি য়ারেন পনচু-থাবী মৈতৈশৈমা কায়নৌ চাংপোম্বী, সনা শিনকোইগী ॥

৩৯। মৈদিংঙু খাগেম্বা।

নত্থু মৈদিংঙু শেনবী খাগেম্বা ত্তৌনা কোয়ে। শেনবী খাগেম্বা কৌদয়িত্তেদি মৈদিংঙু সনা হিহোনহুন পোইরে নিংথৌহল-ও ত্তৌনা কোয়ে। মাইরেন মৈদিংঙু শেনবী খাগেম্বা সনা মচুংশেনদি হাওরে নোংপোকলা পাংবরম ত্তাউদনবনা থেনচোংবলম খাগী মীহিংচা শেনবী মীহোংবা য়াইশি থোংমাংবা মপুংয়াইদা থোশাবনে। শেনবী মীহোংচা রুবো মীহিংচা-ও কৌবদি কদৌনোংগানো? মমুম খাগী নিংথৌনচিংনা শারেন ইচুম শাম্নুং শারেন হোংনা চায়ুয়ে। কোয়ৌ হুমিংমাদি নযু পোংহিংচাম্নুং হোংনা চায়য়ে। অহুনোংগীবু শেনবী মীহোংচা খাগী মীহিংচা য়াইশী থোংমাংবা মমুমনাক-ও ত্তৌনা কোয়ে। মাইরেন

য়াথং চুথি মৈতৈ লৈমা কায়নৌ চাংপোম্বীগী শেংলবা সনা গর্ভজ্ঞানী ॥

৩৯। মৈদিংঙু খাগেম্বা

(খৃঃ ১৫৯৭—১৬৫২)

মমুখো মৈদিংঙুগী মিংলেন্দি শেনবি খাগেম্বা হায়না মিলোই। শেনবি খাগেম্বা হায়না কৌম্রিরৈজেবি মৈদিংঙু সনা হিহোন্‌হন্ পোইরৈ নিংথৌহন্ হায়না মিলোই। মাইরেন মৈদিংঙু শেনবি খাগেম্বগী মভিক মওংদি লোংপোক মাইকৈ পাংবজনগী কোজোহনবা চুমিংনা হেক থোক্লকপদা। মতাম মৈবা লনগী খাগী লনগী মী হিংবা জাবা মীয়াম লৈবশিংনগী মী হোংনা হোংনা চংনবা লনদা লামাথিবনি। শেনবি মীহোংচা কথো মীহোংচা হায়না কৌনথিবদি করিদগীনো? খাগী লনগী নিংথৌবশিংবনা অচৌবা শাগী ঈ মু বশাম্ন ত্তোক্লনা চাই! লোংমদি নযু মী ওইবদু হিংনা চাদ্রে। চুমিং অহুনগী শেনবী মিহোংচা খাগী মীহিংচা

মৈদিংঙুনা থাগী থুনলৈম্লয়রা চুংলেপ ৬০ চেং কাউরেন বৰথাং ১০ লান থংনং লাইতংলেংনা থৌশাথবদি চৌকা হোংদৈ লানথোয়াংবু কায়না হুললে। অহুনোংগীবু মৈদিংঙু শেনবী থাগেমবা চৌকা হোংদৈ ফাবা-ও তৌনা কৌয়ে। মৈদিংঙু শেনবী থাগেমবা লাইরেন সনা মচুংশেনদি অহুসুং মদোম্মদে। শেনবী ষ্লিম-লৈকাই কবো ভমলৈকাইবু শেনর্দ-বনে। চকপা অংকো-ষ্নি ষ্নিংথি ষ্নিরংচাউদা থৌশাবনে। ষ্নিংথি-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো? শেনবী ষ্লাহায়না কবো ভেংথানা মোনবুদি য়েং-ও কৌয়ে। পাংকা মনিংথৌগী মোনলাং-মা ভাইথাং য়াইওইববু তোংচেং থান্না পনথকী লোইবী চীংগী কাকৃলেলনা ষ্লাইথোকখিয়ে। লাইজা ইরেনপুং চকপা অংকো-ষ্নিদা ভারে। মদাইরেম থোংবান য়াংশানম ষ্লাওরৌ শানম্বনা থিথংলুইয়ে। অহুনোংগীবু ষ্লিংথি-ও থোননৈয়ে। লাইরেন মৈদিংঙুনা ষ্লিংথি লাইজা ইরেনপুংদা তুবী থিংকু মথিনাই লাইরেন মৈবু ষ্লোংনা ভাইপোং লানয়াম থারে। শেনবী নেংচং য়াললে। কাবো চঙনা

থাইশি থোংমাংবা ময়ুয়াক হায়না কৌনৈ। লাইরেন মৈদিংঙুনা থাগী থুনং অচৌবদা চুঙগী চুংলেপ ৬০ চোং কাউরেন থনগী থনলেপ ১০ লাম্না পোইদ্রে অথৌবা কয়াগা লোয়ননা লান্নাবদি চৌকা হোংদৈ কৌবা লান্দা থৌববু লানঙমখি। ঙুরিং অহুদগী লাইরেন মৈদিংঙুবু শেনবি থাগেবা চৌকা হোংদৈ ফাবা হায়না কৌনখি। মৈদিংঙু শেনবি থাগেবগী মতিক মথৌনাদি অসিনমু লাইবা নত্তে। কবো লমগী ভমশাক ভাবা য়ুমলাল লৈমকুহু অচান থীরাম নাইদনা শেনবদি। চকপা অজো চীংগী ঊচেনবা নিংথি কৌবা ফুরেলগী ঊলংমশান্দা ভাবশিনা দানাখি। নিংথি (ষ্নিংথি) হায়না কৌবদি করিদগীনো? কথোগী মীনা হায়নবা শেনবি লমগী মীনা ভাংনবদি মোনবু য়েং হায়না কৌনৈ পাংকা নিংথৌগী থাঙনম্বিবা য়োম অমবু লোইবি চীংদা লৈরা কাকয়েন অমনা চেনখ্রাকখি। অহুগা চকপা অজো চীংগী ঊচেন ওইবা ঊশিংয়াইদা ভাখি। মহু থনাই থোংথান্ য়াংশানম য়াউরৌ নম্না শাকা ভনা শিনথবা থংজখি। ঙুরিং অহুদগী নিংথি-হায়না কৌনখি। লাইরেন মৈদিংঙু শেনবী থাগেমবা

খোমলে। হুয়েন লাননিংগীদি শীংমিৎ লাংকম কৌবা লাচেপ লানথোয়াংবু কায়ন হুললে। লাংগোই মরামব-সুং লোকলকয়ে। তাইপোং তায়াংলৈ নোংমিং মোংনালৈগী চাউকোং লানথোয়াংবু কায়ন হুললে। লাইরেন মৈদিংঙু শেনবী খাগেমবা কৌবদি কদৌনোংগীনো? মুরা কারে সেনাকোই তোংলে, মৈদিংঙু তাইপোমবা হুয়েন চাউকোং ফাব-ও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন সনা মচুংসেনদি অহুসুং মদোমদে। নোংপোক ঙমথংনা শেনবী লৈকাই য়েললুমনবা মৈদিংঙু থাংঙ্গাই নিংথৌ কৌয়ামবা মমোন তমপা ৱাঙমলোন অয়াংফাবীনা মরান মুহোং খোংতোংলম ৱাঙমলোন অয়াংফাবী তেনৱাই সেনবী লৌথেংয়াং কিয়াং মপুংয়াইদা তুবী থিংকু মথিনাই লাইরেন মৈবু ৱোংনা খৌশাথবদি শারিক লাইখন-থুম খারা খেনচংকিন মরান লোনকা থুমনা মারান লানকা তাকলে। হুয়েন লাননিংগীদি কিয়াং নিংথৌ চৌশেং লানথোয়াংবু কাইন হুললকয়ে। লৈমা চৌসোইসুং ফারকয়ে। ফুরা লাইশাবসুং লোকলকয়ে। মুরাউ থাংয়ৈনরে মানশে ৱাইথা য়াননা মোংয়োং

নিংথি তুরেলগী লাইঙ্গা ঈশিংগী ঈৱেনৱাইদা কহি কঙ্গাউ খোক্লা পোঙদ তোংবা লানমী ময়াম থাথি। হুয়েন লানফম অহুদা শেনবি তমদা তাবশিংবু শাথিনা শোকহনখি অহুগা কবো ময়ামবু চঙনা খোয়কই। লানফম অসিদা শীংমিং লাংকম কৌবগা লাচেপ কৌবা লান্দা থৌবগনু লানঙমকখি। লাঙ্গোই শগোল মরাথা কৌবা অমসু লোক্লকই। তাইপোং তায়াংলৈ নোংমিং মোংনা-লৈগী চাউকোং কৌবা লান্দা থৌববুসু লানঙমকখি। লাইরেন মৈদিংঙু শেনবি খাগেম্বা কৌথিবদি কন্নিদগীনো? লানফম অসিদা শেনবি লমগী নিংথৌশিংনা মৈদিংঙুগী মকমদা খোগন নিংথিনা তৌজরবগী মৈদিংঙু তাইপোম্বা হুয়েন চাউকোং ফাবা হায়না মিজোই। মৈদিংঙুগী মতিক মথৌনাদি অসিনসু লোইবা নত্তে। নোংপোক মাইকৈগী হেক থংনবা শেনবি কবো লৈকাইগী হুমলোন্নবা লমদা মৈদিংঙু থাংঙ্গাই নিংথৌ কিয়াম্বগী মমোন তমফা ৱাঙমলোন অয়াংফাবিনা মুহোংথিবা মকমদা ৱাঙমলোন অয়াংফাবিনা তেং-থিবা শেনবি লৌথেংয়াং কিয়াং কৌবা থুমথাইবা মৈদিংঙুনা কহি কঙ্গাউ খোক্লা পোইরে লান্দা থৌরশিংগা

য়াইহনবা থামুং লানমিংমাইরক্ কায়ন হুললে। লাইরেন মৈদিংঙু শেনবী খাগেমবনা খেংয়াং য়িঙৌরোকভা খৌশাবা লৈমা চৌশোই কাবা-ও তৌনা কৌয়ে। তুবী ময়ানহৌদি অহুম্নং মদোমদে। হাওরে নোংচুপলা পাংবরমগী খোংনাং চীন্‌লম্ খাতৌ-তোম্বা য়ানা তৌতোং ওইবনা য়াংওম তমদা তারকঙৌ লমলেন মদাইমা খুরোই হাওরা লম-লাংতোংদা মায়িম খোংনাং মনিম নাইবদি লাংগোই মাইফাংশা পানেল লেপ্‌তম-য়ুং ক্লোংয়াং খাইপোক-লৌ পেরে শানৈ খোং কাললা পু তোং য়ৈনা ময়াং তেংগোন লিংলে। লাইরেন মৈদিংঙু শেনবী খাগেমবনা লমলেন খোইচু চুম তৌবুন লম্মহন হাউরমতোন লৌখিবনা খাংয়ান্‌লম্ মচি হৌরম হনবা লুতু-য়াইনে। তৌবুন লম্মহন-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো ? খুয়োন খমরা হুইখোবনা য়াউরো শায়াবদা মাললৌ কোকখোং ফিবু মানলং অয়াংবনা হুমখোকখিয়ে। চৈরৈ তুংইন্নরকপদা নোংয়াই থিংকোন খুবা লৈতাঙদা তাঙমবনা তৌরেন খংপক্ লৌনা শমু তুংদা লয়্‌না পুলুলময়ে। অহুনোংগীবু তাউপুন-ও তৌনা কৌয়ে।

লোঙনবা লান্দাখিবদি কিয়াং লমগী য়ুম পূবা থুমেক্‌কুনা খুনং অহু ময়োন ময়ান তাকখি। লানকম অসিদা কিয়াং নিংথৌ চৌশং কৌবা লান্দা খৌবন্ লানঙম্নকই। লৈমা চৌশোই কৌবিম্ন কারকই। ফুরা লাইশং শাবা অমম্ন লোক্লকই (কারকই)। লানমী পুম্নমক্না পুংমু হুনা তিন্দুনা খাং পায়হুনা য়ায়রে। লানকম অহুদা মানশৈ লমদা কয়া লাম্বেংনবন্ থামুং কৌবা লান্দা মমিংচংপবু লানঙমখি। লাইরেন মৈদিংঙু শেনবি খাগেম্বা খেংয়াং ইঙৌরোক্তা খৌশাবা লৈমা চৌশোই কাবা হায়না কৌনখি। মৈদিংঙুগী মতিক্তি অসিকম্ন লোইবা নত্তে। নোংচুপ মাইকৈ পাংবলমগী খোংনাং ময়াং চিমলম খাতৌ তোম্বা য়ানা তৌতোং ওইবনা পোইরৈ লমগী অপাক লমদা তারকঙৌ লমলেন খুরোই হাউরা লমাংদোংদা ময়াং খোংনাং লয়হেনবশিংনা লাম্বারকপদি লাকোই লগোন মাইকং শাশিংখু উচুক কয়া মুংহনা কোংয়াং বাবু অংগাই তাবা খারহুনা লানলং শাকলা পেরে শানৈ খোংবা কালা (ময়াং) পুং নৈবশিংনা য়ৈরনা ময়াং তেংগোন লিংলে। লাইরেন মৈদিংঙু শেনবি খাগেম্বনা লমলেন খোইচুমোন তৌবুন

ভাউরেন খোইচুমান-ও কৌবদি কদৌমোংগীনো ? কেগে থংচিং লিল্লা-হনগা নুরাং খাঙ্গং খোইমুচাগা নোংবান থাংতেক্ লৌশাকপাগা ওাইতে লৌশংথক্তা থাংয়ি লিহৈঙাক লোইমোম্ লিহৈ শঙ্বদা নোংবাল থাংতেক খোইমুচাগী কোংয়াং য়াতারী তারী লেংবা মল্লাকথংদবা ইপাম য়াওই চীনপাল তারী-খোং নোংখোন-য়োক য়াক ভৌরেন লিথা-য়াং খামবী মৈখোং ৬ হুৎনা তাউথং য়াকববু কেগে লিল্লা থংবীহননা মোইরাং মাপল্-লমদা তোয়রুবা য়াগী ওাইতে লৌশং থক্তা য়ারোংনখিয়ে। থাংতেক খোইগুচানা পাখৌ লিল্লা থংপিহন-ও নংনা কেগে নপললমদা তোয়ন-রুবগী ভৌরেন খাংতপ পোপলে হায়না ওইববু কেগে লিল্লা থংপিহননা পাখৌ নোংবাল থাংতেক কাংব নাউচা-ও কেগে ইপল লমদদি ভৌরেন খাংতপ পোপ্লকয়ে হায়না য়াকনখিয়ে। পাখৌ-ও। ভৌইকিদি খোইমোম লাইনা মরী চুমশানা পারী পুরি-খোই মেনতে মেনবা:খোই হাওপা মেত্তাংখোই চামাই ওাংপানখোই মরাই খুন-ঙমখোই থাংশা লাংকান্খোই ককন্না তানপনখোই থোংলেনতাইবী

কোবা লমদা হাউরমতোন লৌথিবনা থাংনা য়ানখিব-লম হৌরম হনবা কৌবনা শিখিবা লমদা বাইথুংখি। ভৌবুন লম্মহন হায়না কৌথিবদি করিদগীনো ? খুয়োন থদা হুইখোবনা য়াউরো শাদানবদা মকোক্তা থনবা কিবু মাদং মুংশিং কয়া শিংপদা চুমদোকখি। কিগী মতুং ইমররকপদা খুমনগী থিংকোন খুবগী লম লৈতাংপাক্তা তারথনা তৌ পাবী ফক্কুনা তুংওইনন লয় হুনা পুল্লমই মুমিৎ অতুদগী ভৌবুন হায়না কৌনখি। ভাউরেন খোইচুমান হায়নম কৌথিবদি করিদগীনো ? কেগে থংজিং লিবাহনগা নুবাং খাম্নং খোইমুচাগা নোংবান থাংতেক লৌঙাকপগা ওাইতে লৌকোনগী লৌশঙ্ মথক্তা কৌনা মপাল পোয়ক্কুনা মহৈ ওইরক্লবু শঙহুনা ওাক্কুনা লৈবদা নোংবাল থাংতেক্চাগী বানা শাবা মৈনা মথুল ও হুংপা বাঁক্লনা চিনবাক্না থমহুনা খোংবা খোজেননা নোং খোংবগী মতৌওয়া খোংবা খোজেনবু তাবনা খোইরাংগী লিবা থংখিহননা মপাম লমদা চংনুবগী মরমদগী ওাইতে লৌশং মথক্তা য়া ওইনা (লেমখি) অওক অখোং ওাংনখি। থাংতেক খোইমুচানা মরল লিবা থংবিহনবা মতম কেগে লপা মপুগী লমদা চংনুবগী

লাংথাপান খোইপু থামব ঙৈরগা খুনা খোইবু তোঙোং হীকনা চুমনরময়ে। অহনোংগীবু খোইচুপান-ও কৌবা পোইরৈ তাংথোকনা খোইচুপান-ও থোননৈয়ে। হাওরম তোনয়াংবা কায়বা থাংয়ানলম লিক্লাই তারোং পারোংকোন-ও কৌবদি কদোংনোংগীনো ? নোংমাই হাওরম হনবনা লিক্লাং মথুংচংবু থাবাক ঙাংলিননা থমকোই হেক্ক কোনলোই ঙাম্নরুপকী ময়ান ওন্দেরকপদা মশানৌ তৌতোন লৌথিবনা খোয়মা নারোন্দা থাংলেন মথুৎশুনা মচী হাউমহনবু থাপাক লিকশিরমদা য়ানহংলে। লিক্লাং চোইনা কেলথনা লিকলেং তংলে। অহগী নোংমাই হাওতোন অতোন য়াংবা কাইবা থাংয়ানলম-ও থোননৈয়ে। নোংমাই হাওরম হনবা লুতুরাই হাওরম নিংকোই য়াইমাবা মীকপয়ি লিক্লাই তারোং থাংকেন-ও তৌনা কৌয়ে। লমলেন খোইচু চুম তৌপুল লমহন হাওরমতোন লৌথিবা থাংয়ানলম্ হাওরমহন্ লুতুরাই হাওরম নিঙকোই য়াইমাবা মিকপ্‌লম্ লিকলাই তারোং পারেংকেন্দা তুবি থিংকু মথিনাই লাইরেন মৈবু রোংনা খৌশাথবদি থোংনাং

থাশা অসি থোংবনি হায়রবদা কেগে লিবা থংবিহননা মরুপ নোংবাল থাংতে কাংবগী মচা-ও! কেগে ইপা ইপুগী লমদদি তৌনা শাবা তৌদ্রিবু থোংনদে হায়হনা থাফম অহ কনজথি। মরুপ! তৌবমক্তি চীংগু খোইয়ুম লাইনা মরী শমথবা পারী পুরি মেন্দে মেননাং, হাউবা মেন্দাং, চামায় ঙাংপান, মরাই খুনজম, থাংশা লাংফান, ককবা তানপন, থোংলেন তাইবি পাংথাবানচিংবা লমদা লৈবা খোই পুরমক মৈ থাবগী মৈথু খুহল্লগা খোইজু তোলোং চুরবনি। মুমিং অহদগী খোইচুপান হায়না কৌবা পোইথ লমদা লৈবশিংনা খোইচুবান হায়বা মিংথোনথি। হাউরম তোনয়াংবা কায়বা থাংয়ান লম লিক্লাই তারোং পারোংকোন হায়না কৌনথিবদি করিদগীনো? নোংমাই হাউরম হনবনা হৈক্ক লিক পরেং নিংথিবা ঙক্ক শিংনবু শিজিন্নুনা অমুক্দা হন্নকপদা মনাউ তৌতোন লৌথিবনা লোমা মাগী থাংনা মরাক হাউরমহনব। থবাক লিকশিরমদা য়ানথখি। হৈক লিক্লাং পরেং তংনা চোইনা অখি। অহদগী নোংমাই হাউতোন অতোন য়াংবা কায়বা থাংয়ানলম হায়না মিংথোনখি। নোংমাই

ঙে কোন কায়রে। ময়াং তেংকোন চায়রে। হয়েন লাননিগীদি খেঙনাহ মায়াংতেককারা-চা অথোবা ময়াং তয়মত্তাউ মপারী ফেনলে-ত্তাক্ত সবা লাংকা চপসিপাকা ৩ মাপু কায়ন হুল্লে। থোংনাং ফাফংপা ময়াং ব্রাশকপা মাইকাতাউ অথোববু ফারোয়ে। ময়াং তাংখোংসাং মাংতা হেনপা চোইনৌ সনা মেংসেন তোপ্পা চৈরে নিংথৌ ফি খাউওননববু হায়রোএ। ভব্ররাচা লমচিংবা লোংমাসা অথোবা লাংমাই লাংচাউ ১১ থেংপা পুহান ঙংলিনাবনা সোইরেন কুমবী নমঙাননা খাংঙমববু লুরক কাংতৈ-থি খৌনাউ লোনথোং লেনলে। কেগে ওক্করেনগী খাকারাচা অচানববু ফারোএ। খুয়োল মেনুনমত্তাকৃকী থোপ্ থিখোংববু হাইরোয়ে। খোইনাই তাইবীরৌগী কালা পুংতোইয়েববু কায়ন হুললে। লৈমা পিথোইনবী মারামখেগী তানদে ফিশাববু কারোয়ে। ফুনফৈ লমনামুংগী কুমার ফুশাববু হৈরাউয়ে। খোইচৌ তৌপুন তৌরাংলাগী শিংনা লান ৩ অথোববু ফারোয়ে। তিয়ান তেনসুবাসুং কায়ন হুললে। কেগে নিংথৌখোংগী

হাউরমহনবনা তুবা মতমদা হাউরম নিঙ্গোয় য়াইমবনা কপখিব-লম লিক্লাই তারোং পরেং কেন্দা মৈদিংগুনা কখি কপ্পাউ থোক্ক লাম্নারবদা থোংনাং (ময়াং) গী তেঙ্গোন কায়খি। ময়াং তোঙ্গান তুখি। লানকম অসিদা থোংনাং ময়াং তেকারা-চা অথোবগী মনাই ময়াংতাউগী মচানিপা ফেনমৈতাউ কৌবা সনা হকথং ওইবনচিংবা ৩ মকপু লানঙ্গকখি। ময়াং কাথাবা ময়াং ব্রাথাবা মাইকাতাউ কৌবা অথোবশুম ফারকই। ময়াংগী নিংথৌ মনাই লিক্লাই মিংশেন তোপ্পা কিনা থাউওন কুরিং ওইনা লিংপবু হাংখি। ভবরাজা কৌবা লানগী লমজিংবা লোংমাসা কৌবা অথোবা লানগী কিরাল ১১ থেংপা পুহান্না ওক্ক শিবনা শোয়রেনদা তাহনা খাংজবববু মকোক্তা কাংদেম্না থারগা মঙক ককখি। কেগে লমগী ওক্করেনগী খাগরাচা কৌবা মনাই অচানবু ফাখি। খুয়োল মেমতাকী পেরে থোপখি থোংববুম হাংখি। খোইনাই তাইবিলোগী কালা পুংতোই মৈবু লামঙকখি। লৈমা পিথোইবগী লমদা ময়াং ফিশাবা কাংবু অনম ফারকই। চক্ শারগী ময়দা লৈয়া চক্ শাবা কাজুম ফারকই।

থোংনাং পেরে থোংবা লোকলাউ হৈয়েনতুগী ময়াং তোমান মৈবাগা হাউরা লমলাংতোংগী থোংনাং লোংমৈ কাম্বু কারোয়ে। থোংজাউ লাইরোকলেনগী থোবা ফিত্তবু হৈরোয়ে। লোনলোই য়িমমাথেংগী থোংনাং তাউকিয়া ফুরা লমওনববু কায়োয়ে। কেগে ভাংথা চাগী ময়াং পাউহনপা শিনদাবা অপিশা সনা পুক্তা য়েম্লপু কারোয়ে। লোনলোই লৈরকী শরিকতাউ অথোবধু হায়রোয়ে। হাওরা অতোসিগী থোংনাং পুংমাইতাউ অথোববু হাইরোয়ে। য়াউরো সনা পানগী ময়াং কাপে শাববু কারোয়ে। লাইজা তুরাংলোক য়াথায়েক লানচাংববু কারোয়ে। হাওরা লাইচাউথেনগী পুয়াং লমচিংববু কারোয়ে। থোংথোক ভাপুরুমচাংগী ভবনা লানচিংববু কায়ন হুললোয়ে। অমচি ফুংলাইকোনগী ময়াং হুলাই তোংবা ১৫ লোক্লকয়ে। লোনলোই লৈমাতাক্কী লাংগোই শগোল তোংববু ১৫ কারোয়ে। হাউকে শনুকা পনগী লাংগোই থিকারা-চেংগা পত্রা-চেংগা শামু ৩ লোকলোয়ে। থাংজেন মথুংস্থু লোকস্থুং লাকাবা থাংলেন চৈকন থেকপা সনা

থোইচো তোবুন কৌবা তোনা বাংনা হোবা লমদগীস্থু লানমী ৩ থক কায়কই। মোইরাংগী মস্থুং চনবা লম নিংথৌথোংদস্থু থোংনাং পেরে থোংবা অস্থুপা লোক্লৌ হৈয়েনতুগী ময়াং পুং মমাই অপাকপা মৈবগা লম্লাংদোংদা লৈবা ময়াং নোংমৈকাম্লা শিংবুস্থু কায়কই। থোংজাউ লাইরোকলেন্দা লৈবা ফিপুম্লা দোবিশিংথুস্থু কায়কই। মরোল থয়্নবা লৈবাক লোম্বা লম থোংনা ময়াং লমগী তাউকিয়া কৌবা ফুরা শাববুস্থু কায়কই। মোইরাং লম ভাংথ লবাইদা লৈবা ময়াং লানপাউ চৎনবা শিন্দাবা কৌবা মপুক্তা সনা য়েম্লবুস্থু কায়কই। লোনলোই লৈবাকী শরিকতাউ কৌবা অথোববুস্থু হাৎলকই। হাউরা অতোসিগী ময়াং লমজিংবা লাম্দা থোববুস্থু হাৎলকই। শা তা মতাউরা সমাক্ল শাবা শাচা; ময়াং শাউ শাববুস্থু কায়কই। তুরাং লোককী য়াথায়েক কৌবা লাকিংববুস্থু কায়কই। হাউরা লাইচাউথেনগী পুংরা কৌবা লমজিংববুস্থু কায়কই। ভাপ্রম চাংলেনবা লাকিংবা অনা কৌববুস্থু পাম্ভাকখি। অমচি হুলোইকোনগী ময়াং হেলাই তোংবা ১৫ স্থু কায়কই। লোনলোই লৈমতাকী লাংগোইতোংবা ১৫স্থু কায়কই।

কৈরেখেন ও খোইবা খাংনা পায়া শিংগু ৎ য়ানকুম খোংনাং কময়ায়রে। মাইরেন য়াকয়ে মথুনেৎ নিংথৌলোকপা পুংলেন খোইবা হিনা হৌয়েন হিথাবা লাংগোই শাচারোকপা লোইয়াপান খোংজাউ তেলহৈবা মৈদিংগু শেনবী খাগেমবা খোংনাং ময়ায়বা তুবি সনা মচুংশেনগী মীংখোংবদি খোংনাং কময়ান্নবা ময়াং খোংকেন খৌবা লাংগোই শাচা-রোকপা মাইকাভাউ অথৌববু কায়্ন হুনব-ও তৌনা কৌরে। মৈদিংগু শেনবী খাগেমবা খোংনাং ময়ামবা সনা মচুংশেনদি অতুম্বুং মদোমদে। হাওরে নোংপোক-লা পাংবরম মরীং খুনবীরোক খুনবি মৈয়েং-চীং তাওছইরেং অহনবগী লাংগোই মথুংনেংনা লুতু-চীং হাওবা পুদাংবা চাংকাই-রোক পানবা কৈরান-য়িম্ব থংব-রম মরিং খুনবী মৈয়েংচীংদা খোশাবনে। লহাননোং হয়িঙৈদগী খাই নোংচেংবম পিবা য়েকমা হাওতংলা নমু পোং-ভারা-চা অতনবনা য়োইময়াই তাওতনবা মশাবী তাওছইরেং অহন্বধু নাউরা খোইচুতেন হংঙোই তাউকাপ্লি কাসন-য়োংকাপ্ তেন্না তাউছইরেং অহনবধু চৈপী

হাউকৈ শন্কাপনগী লাঙ্গোই থিকারাচেংগা পত্রাচেংগা লোয়ননা শামু ও মু কারকই। খুংগু খাংশাং লোকমুংদা নোংখাং কুপকুবা খাংলেন মকন লৈবা কৈখেল ও খোইরক্কবা খাংনা শিগুড্ৎ য়ানবগুম ময়াংশিংগা য়ায়থি। মৈদিংগুগী খোংনেৎ হি নিংথৌলোকপা কোবা পুংলেন খোইবা হিনা হৌয়েন্না হি থাহনা লাঙ্গোই শাচা লোকপা লোইয়াপানগী খোংজাউ তেলাইবা মৈদিংগু, শেনবী খাগেম্বা খোংনাং ময়াম্বা লাইনিংথৌগী মতিক মগুন্দগী মমিং খোনখিবদি খোংনাং কময়ায়বা ময়াং খোংকেন-খৌবা লাঙ্গোই শাগা-লোকপা মাইকাভাউ কোবা লাঙ্গা খৌবু লানগুবা হায়না কৌনথি। মৈদিংগু শেনবি খাগেম্বা খোংনাং ময়াম্বগী মতিক মথৌনাদি অশিনমু লোইবা নত্তে। নোংপোক মাইকৈ পাংবলমদা লৈবা মরীং খুনবিরোককী মৈয়েং-চীং কোবা তাউছইরেং অহনবগী লাঙ্গোই মথুনেৎ শগোলনা তুখিবা-চীং হাউবা পুথাংবা চাংকাই-লোক পানবা (কৈ) কৈনা লানবা ঈশিং লৈবা লোক, মরীং খুনথি মৈয়েংচীংদা নাম্বাখি। খাইনা মমাংউ খাই নোংচেংবম পিবা য়েকবা হাউতংলা নমু পোংভারা-চা

য়োমলে। লাংকোই থম্নুং থিংনা তেনপাল্লবগী মবাঁং খুনপীরোক্লা লুহুরবগীবু লাংগোই তাংক্লা লুবেনতোনগা খ্বাই নোংচে বম পিবামা হায়রা মতেনচাগাবু হনবিরকও হায়ববু হলল্লাইশিবক ৩পা ল্লার্গী লাইরেন মৈদিংঙুনা . তাউহুইরেং অহনবগীদমক লৈকাই পুজ্রককপু লনশিংগে হায়বগীধু মরীং মপুংয়াইদা লোইদাম থাবু-শি লাংহৈগুম--ওন হাওশি মতাংকা মানশং মানা পক্লা তুবী থিংকু মথিনাই লাইরেন মৈবু-ল্লোৎ শায়বা পনলেন-য়ান কুরাউ পানদাই-শৎ থংনং লাইতং-লেংনা পনথেংথবদি মরীং খুনবী য়াকা চায়রে। মরান থুমনী মৈশাচেন হুয়েল য়াইশিং মুৎলে। আকা খুনকং ৬ চায় অকুম খুনকং ৬ চায়বনা খৌশাখবদি হুয়েল লাননিগীদি মরিং মনিংখৌ লোকতোনবা আমো শংলৈ মচা মোইথিং লানথোয়াং মরিং আমো কাইবা তোনবা হল্লাই থাবা করোংলাং অথোব্বু কায়ন হললে। যনতং নারেং-চিং সেনচাউ নমদা পোনা মনাই ২ লোই, খুনবী ৩ লোইবু লোইচন্‌লবদা তাউহুইরেং অহন্‌বগী লৈকাই পুজরুকপু চেননা তাননা লনশিংবা

অজন্‌বনা মৈদিংঙুগী মগ্নাগুং তাউহুইরেং অহনবু নোপ নোপ লাউনা বানা শাবা তেম্না মশাবী তাউহুইরেং অহনবু তেম্না কাপ্তুনা পালশি। শগোল অহুদা তেম্না পাল্লবদা শগোল অহুম্ থম্নুং থিংনা পানখিবা মরম্না মরীং খুনবিরোক্লা তুখিবগী বারম্বু শগোল মকোকা মহাকী তেন অহুগা হনবিরকলো হায়বধু হল্লক্তবগী মৈদিংঙুনা মগ্নাভুং তাউহুইরেং অহনবগীদবক লম্মন শিংগে থম্নুনা মরীং খুজংদা থাশিনা মমথরকপওম মৈদিংঙুনা কহি কল্লাউ থোক্লা অওম অথৌ লাম্না লৌবশিংগা লোয়ননা লাম্দাখিহুনা মরীং খুজং কায়খি। খুজং মৈ থাহুনা অয়াম্বু রপল্লাই লৌথি। লানগারকপা খুজং ৬ লানকুম্নকপা খুজং ৬ পুম্নু লানওমহুনা মন্নাখিবদা লানকম অসিদা মরীং নিংথৌ লোক্তোনবা অমোগা শংলৈমচা মোইথিং কোবা লাম্না থৌবগা মরীং আমো কাইবা তোনবা হল্লাই থাবা করোংলাং কোবা অথৌবধুন্ লানওমখি। যতং নারেং থাংবু চিং শেনজাউ নমদা পোক্লা মনাই ২ লোইননা খুনবি ৩ লোইবা লম্বু লোই চম্নবদা তাউহুইরেং অহনবগী লম্মন থুমবা চেম্না চেম্না তাম্ন তাম্নহুনা লম্মন শিংবা মৈদিংঙু লৌনশি

মৈদিংঙু শেনবী খাগেমবা মরীং খুনবী ওমব-ও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন মৈদিংঙু শেনবী খাগেমবা তুবী মরানহৌদি অত্থুং মদোমদে। হাওরে নোংপোক-লা পাংবরম খাবা লৌতাংখুন তাংখুন মচিরম য়িতোক খুনলেন্লয়দা খৌশাবনে। হুয়েন লাননিগীদি চাখা য়িতোক মনিংথৌ খমচোং অথোববু কায়ন হুললে। তুবী সনা মচুংশেনগিবু মীংহোং খয়ে। চাখা য়িতোক-ওম্বা হুয়েল খমচোংফাবা-ও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন সনা মচুংশেনদি অত্থুং মদোমদে। অরাং লাইনা পাংবরম মারাম থৌবি মুংলাং কৈশি-চীং মাখেক য়াপিথেল শনপাল লোইয়া কেনবা-রৌ হেমবা শনপান-লৌদা তুবী মরাং-হৌনা মুঙ্বী য়াশৌ নেংনা খৌশাথবদি হুয়েল লাননিগীদি মরাম নিংথৌ ককলেনথৌ অথোববু কায়ন হুললে। লাইবেম মৈদিংঙু হেমবা শন্পানলৌদা তেনশিংবা মাখেক য়াপেথেল্দা থৌদোংবা হুয়েন ককলেনথৌ ফাবা-ও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন সনা মচুংশেনদি অত্থুং মদোমদে। লোইবী ওমথংনা হামকৌ চীংলুখুম কাশন মপুংয়াই হাওবা লাংবা-কোই

খাগেবা মরাং খুনবি-ওবা হায়না কৌনখি। লাইরেন মৈদিংঙু শেনবি খাগেম্বগী মতিক্কি অসিনম্থু লোইবা নত্তে। নোংপোক মাইকৈ পাংবলমগী খাবা লৌতাংখুন তাংখুন মচিরম ইতোক খুরাউদা লান্নাখি। লানকম অসিদা চাখা ইতোক নিংথৌ খমচোং কৌবা অথোববু লানওমখি। মৈদিংঙু অসিগী মথৌনা অসিদগী মমিং হোংখি। চাখা ইতোক-ওবা হুয়েন খমচোং ফাবা হায়না কৌনখি। মৈদিংঙুগী মতিক্কি অসিনম্থু লোইবা নত্তে। অবাং মাইকৈরোমগী মরাম থৌরি হুংলাং কৈশি চীং মাখেক য়াপিথেল শনপাল লোইয়া কেনব-লৌ হেবা শনপান-লৌদম্থু মৈদিংঙুনা কহি কল্লাউ থোক্লা মুংবী য়াশৌ (শনজেং লোনবা চীংগী নুং) দা নেত্থুনা লাগাখিবদি লানকম অত্থুগী মরাম নিংথৌ ককলেনথৌ কৌবা অথোববু লানওম্খি। লাইরেন মৈদিংঙুনা শনপান লৌদা লম্মন শিংগে নিঙনা মাখেক য়াপেথেল্দা তোংশিল্লুনা লাগাখিবনা লান অহুদা ককলেন থৌফাবা হায়না কৌনখি। মৈদিংঙু অসিগী মতিক মথৌনাদি অসিনম্থু লোইবা নত্তে। মাখেক য়াপেথেল্দা থংনবা হামকৌ চীংগী লুখুম ওইবদা তাবা কাশন কৌরা

চৈরে কাশন-ফিথমবা শিংলেন ম্নাইপন য়াইচিনবনা মকুথবা লাখেং-ভাইদা শিংলেন ম্নাইপনয়াই কোক্তা চীনববু শায়বা পনলিংপদা তাবৌরে। মকু আইবী মনিংথৌনা লুবক কা তৈ-থি খৌনাউ লোনখোং লেরে। অছুনৌংগীবু হাওবাকোই লাননংচীং-ও তৌনা কৌয়ে। হাওবা লাংবাকোই নৌংমনচা বু নাতৈননা হামকৌ মপুং-য়াইদা খৌশাথবদি হুয়েল লাননিগীদি লোইবী হামকৌ মনিংথৌ হুয়েল লমশাংবু অথৌববু কায়ন হুরে। তুবী থয়াং মথে মনগী মিংওনখিয়ে। লাইরেন হামকৌ কাষণ ভমবদি অহুস্নুং মদোমদে। হাওবৈ নোং-চুপ-লা পাংবরম তখেল মালং মথোংচিনদা লোইবী কাষনতাং মাল-লেম অংকোতাং লাইজা ইতুথু তুথু মতমপাক্রা। তুবী মথিনাই লাই-রেন মৈবু রোংনা খৌশাথবদি হুযেল লাননিগীদি তখেন মোসোম লানচিংবা চাপিয়া লানথোয়াং তরুংখন লানথৌযা, কানাই-পা অথৌ-ববু কায়ন হুনব-ও তৌনা কৌযে। লাইবেন মৈদিংঙু শেনবী খাগেম্বা তোংদোই লমনুংশিগী চাথা শমপুম তেলাইহ শকপা চতে লমতাক

থুঙংদা ম্নাইপন্না নিংথিনা হৌরবা চৈরে কিদা মচু শংবগুম্না উরবা মকু থবা লাখেংভাইদা ম্নাইবু লৈ চিনবগুম্না কোক্তা চিনববু শাই বি তিনখং লক্রা জিৎলকপদা তাহৌরে। মকু আইবি নিংথৌনা মকোক্তা থাহুনা মগুক ককখি। মুম্নিং অছদগী হাউবকোই লান্নং-চীং হায়না কৌখি। হাউবা লাংবকোইনা শিথিবা চীংবু তুংওইনরগা লৈবা হামকৌ কৌবা থুঙংদা লান্দাখিবদি লানকম অছদা হামকৌগী নিংথৌ হয়েল লমশাংবু কৌবা অথৌববু লানঙমখি। মৈদিংঙুগী মতিক মথৌনা অসিদগীমু মমিং ওনখি। লাইরেন হামকৌ কাষন তবদি অসিনমু লোইবা নত্তে। নোংচুপ মাইকৈ পাংবলমগী তখেল মাইকৈ তুংশিং হ্নককম ওইবা লমগী লোইবি কাবনতাং মালেম অংকোতাং লাইজ ইতুথু তুথু কৌবা তমপাক্তা মৌদংঙুবা কছি কথাউ খোক্রা লান্নাখিবদি লানকম অশিংগী তখেন মোশোন লানজিংবা চাপিয়া লান্দা থৌবা তরুংখন কৌবা লান্দা থৌবা কানাইবা কৌবা অথৌববু লানঙবা হায়না কৌনখি। লাইরেন মৈদিংঙু শেনবী খাগেম্বদি তোংদোই লমনুংশিগী চাথা শমপুম তেংদৈহৈশকপা চেৎথে লমতাক তাববা,

তানবা, কাথুলন লাহুমনবা মারাং খোংকাউ কনবা লাইরেন মৈদিংঙু খোংনাং চৈকন-থেকপা তুবী মবানহৌদি অঙুম্বং মদোমদে। হাওরৈ লাইনা পাংবরম লিকলি লমনক্ক ইকৌ লমমুংশি ইচাই লমনামুং ইথোইলোক য়িহাংলা-ও কৌবদি কদোনোংগীনো। চীংশোং নিংথৌ নিঙ্গুম নিস্তামববু পোইরৈ তমদা-তা য়াংঙম তমদা কুমখিবগু অকাঙচম তোনখৈবা মপারীনা মপন পনথৌ নিংথৌগী লৈকাই পুচাক্কপু লনশিংঙমলে। লাংপন উয়ুংশুক শুকমু তোনতাংবনা হুয়াই অহোংকৈদা চৈপিংবগী মরান ওন্দেরকতরে। তানলোই মরুমবী অপুং মচন থেমবিনা য়িথংলেনবু অরাং লাকবরা লাক্করে। লহান লাকবরা লাক্করে হুমিং শিংথাববু হাংলে য়িহাংলা-ও কৌয়ে। হুমিং শিংথাববু থোইরে, ইথোই-রোক-ও থোননৈয়ে। লোকলম য়িননা চংলকপদা মনম মথা চাইরময়ে। ইচাই লমমুংশিও তোনা কৌয়ে। খোয়মা নারোম্মুংদা লিংনা লিংনা চংখিয়ে। লিংলিলম-মরু থোননৈয়ে। পিরেম থকুমদনা মথংলেনবু কৌনা কৌনা চংখিরে।

কাংহাই হুংশিং হুয়বা মারাং খোঙ্গাউ কনবা লাইয়েন মৈদিংঙু খোংনাং চৈকনথেকপা নিংথৌগী মতিক মথৌনাদি অসিনমু লোইবা নত্তে। অরাং মাইকৈরোমদা লৈবা পুরুম লিকলি লমগী মরু ইকৌ কৌবা লমুংশি ইচাই লমামুংগী ইথোইলোক, ইহাংলা হাযনা কৌখিবদি করিদগীনো? চীংশোং নিংথৌ নিঙ্গুম নিস্তাবনা মৈতৈ লৈবাক্কী তমদা কুমকপবু অকাঙজম তোনখৈবা কৌবনা মৈদিংঙু নিংথৌরেনগীদমক উশিং থৌওইদবা উংখিববু লম্বন শিঙে হায়না লায়াখি। লান অহুদা তোনখৈবদি উয়ুংনা শাবা মতোন তাংবা অমুবা (লিরবা) শুক্লা থাবদগী মথবাই মাংখিহুনা মযুমদা হুমকপা ওমখিদে। তোনখৈবগী হুপি অরুংগী মচন খেম্বিনা হা ইথংলেন নঙবু ওরাং লাকবরা লাক্কেদো লহান লাকুম্বগা লাক্করে হায়রুনা হুমিং মশীং শিঙথাজববু হাওলে হায়রবগী ইহাংলা হায়রা কৌনখি। হুমিং মশীং অমুম শীঙথাজবদা থোইরে (হুমিং কুইরে) হায়রবগী ইথোইরোক হায়না থোননৈ। লোক্লম মতুংইন্না অরুম লাক্কুনা মথংলেনবু য়িরকপদা মনম মথা চাওখ্রাই, হায়রগী, ইচাই লমুংশি হায়না কৌই।

ইকৌ লমন্নুংশি-ও তৌনা কৌরে। লমলেন লিংলি লমমরু ইকৌ লমন্নুংশি লমনামুং-ও ইথোইরোক ইহাংলাবু নাতৈনবা মপাউ মপুংয়াইদা লাইরেন মৈদিংঙুনা তুবী থিংকু মখিনাইনা লাইরেন মৈবু য়োংনা সায়বা পনলেনয়ান কুয়াউ পনদাই শংবা চুংলেপ ৬০ চোং কাউরেম যনথাং ১০ লান থংনং লাইতং লেংনা থৌশাথবদি মপাউ য়াকা চায়রে। মরান থুমবী মৈমাং চললে। হুয়েল য়াইশিং মুংলে। হুয়েল লাননিগীদি লোইবী মপাউ মনিংথৌ মারোং চুংশুবা তিমেন তাশুবা থুনমি লানথোয়াংবু কায়না হুরে। লাইরেন মৈদিংঙু ইকৌ তেলহৈবা লিনয়াই পাচুমবা মপাউ য়িমচং য়ানবা মচী খোইমোম লাইয়িংথৌ চীংলেন নোংতাই নিংথৌগা কোয়ৌ শোয়নাদনা কোনলোই মিংথোংকাবা লাইয়িংথৌ নোংথোয়েন শেনবী থাগেমবাদি চোয়নৌ সনা মিংহুনগীধু চুনবনে॥

নয়োন মৈতৈলৈমা থংদা কৌববোন খোইনাই সেনহোংবম চনু কৌবয়োন তাইপোমবী-ও তৌনা কৌয়ে। মৈতৈ লৈমা তাইপোমবী

লাং উরীনচিংবা নাপি-শিংলক্পা লোয়া লিংনা লিংনা চংথি হায়বগী লিংলি মরু হায়না থোয়থি। অমুয়া মপি কংদনা মকুংঙোবু কোনা কোনা চংশি হায়বগী ইকৌ লয়ুংশি হায়না কোথি। লমলেন লিংলি লমরু ইকৌ লয়ুংশি লয়ামুং ইথোইলোক ইহাংলাবু তুংওই নাতৈনবগা লোইবি মপাউ খুঙংয়াইদা লাইয়েন মৈদিংঙুনা সনা পুক্লিং কম্বি কয়াউ থোক্লা অঙম অংথৌ পুনা থুংশু থুংলাই শুনা পুহুনা মতিক মঙম উংনা চুঙগী চুঙলেপ ৬০ চোং যনগী মরেপ ১০ লায়া চোংনা হুয়েন লাম্লাথিবদি মপাউ খুঙংদি কায়হুনা চেনথি। মপাউ খুঙং মৈ থাথি। লানকম অসিদা মপাউগী নিংথৌগা মরোং চুঙশুবা টিমেন টা পায়বা মপাউগী লান্দা থৌবশিংবু লানঙমথি। লাইয়েন মৈদিংঙু ইকৌ তেলহৈবা লিনয়াই (ইরিল) লমদা লান্দাবদা লানঙবা (শাম্বদা চুগা) মপাউ য়িমজংয়ানবা মচী (মকোক) ওইবা খোইমোম লাইয়িংথৌ চীংলেন নোংতাই নিংথৌগা চাংয়ানা সনা মিংলেন থোনবদা শোয়নদবা লাইয়িংথৌ নোংথৌয়েন শেনবি থাগেমবগী সনা মিংলেম্বি কুমোংলবা সনাশুম মিংহুন অসি চুনবনি॥

: নয়োন্নো মৈতৈ লৈমগী মিংলেম্বি থংদা কৌবয়োন খোইনাই সেনহোংবম চনু

কৌদরিঙৈদি শেনবী কাপোমবী-ও তৌনা কৌরে। থংদা কৌবয়োন কোয়ৌ মপীতোন য়াংপন থিংলৌ নিকৃপবু থৌথাম নিংথৌ চন্দু-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো? লাইরেন ঙাংঙোই য়োইমোংবনা মচন মৈদু লৈতবয় মেনন্দু লৈয়ে চীনহা য়াগী চীংগু নিংথৌ সরারেননা য়াটবি কলহৌ নিকলে। কোয়ৌ খাকতুম খাক য়াংবন লাউহুম লাউরকলবগী লাইজা য়িনা ঙমলে। কোয়ৌ চীনহুম-চীন য়াংবন মংহুম মংলকৃলবগী লাইরেন ঙাঙোই য়োইমোংবনা মোংবী চীংদাইরেমবু য়িনভাইডে কৌবা অঙাং-ঙাগা লমওক্করে। কৌবা অঙাং-ঙানা কোয়ৌ মপিতোনবু ঐ থৌথামগে হায়না কৈগুম থৌনা ঙাংলেন ঙাংচাও মপান য়াননা কাউরেন ঘনথৌ-থি তেকপী য়োকথৌ-থি কাইরৈ য়েনথৌ-থি য়াংলৈ তাউবা হুইথৌ-থিবু লৈনা-খোম চকমোম খামবী মৈগা-খুনা কোয়ৌ মপিতোনবু থৌথামখিয়ে। য়াংবন থিংলৌ নিকৃপবু থৌতিং নিংথৌ চন্দু-ও তৌনা কৌয়ে। ময়ু কৌবা অঙাং-ঙানা অয়াং থাংয়াই নোংশাথম য়াংক্রম চাকলিকপোক শনতং খাংচেং-চীং লমলেন

কৌবয়োন (মোইরাং য়েকওইবি খোকচোম নিংঙোল) তাইপোখী (তাইপোং ঙখি) হায়না মিঙ্গোই। মৈতৈ লৈমা তাইপোখীগী মিং অসি কৌদরিঙৈদদি শেনবি কবোখী হায়না মিঙ্গোই। থংদা কৌবয়োন কৌবা কোয়ৌথকী নোংনা কয়া চুরবমু খাখা ঙখা নিংথৌগী মচা ইবেম্মা হায়না কৌথিবদি করিদগীনো? মমাংডে (হরিচকী মতমদা) লাইরেন য়োইমোংবনা মচন মৈদু লৈমা কৌথি অমা ইরৈ লৈতনা লৈ হাযনা ওইদবা য়া ঙাংলুবদগী খোইমুম চীংগু লাইগী নিংথৌ সরারেম্মা মথবাই জুংঙাইথিদে। ময়ম অসিদগী কোয়ৌ অতিয়া অসিদা অঙকপা কংনা নোংনা খাক লাউহুনা নোং তাহন্নবদা অঙকপা কংনা ঈশিং চাওহনথি। মতৌ অমুয়া নোংথি নোংমং তৌহুনা অঙকপা কংলবদা লাইরেন ঙাংঙোই য়োইমোংবনা মোংবী চীংদাই লমদা চৎপদা কৌবা অঙাংঙাগী লমীদা ওক্লখি। কৌবা অঙাংঙানা কোয়ৌথকী তারক্লিবা নোং অসি ঐ থামগে হায়হুনা পামবা কৈগী মতৌঙম থৌনা কনা ঙাংলেন ঙাংজাউ মপান য়াহত্নুনা কাউরেন ঘনগী মথিনে ওকী মথিনে য়েনগী য়েছিনে হুইগী হুইথিনে কোইথি থিহুনা বৈ

হুমিংপুংদা লেমলৈ হুণ্ডবা য়ানচেং কিন্নবদি শায়েন য়েংজাপায় তাউরিন্নু লিনহৈ-চীং অচুমবদি শমু ওইদা পায়না য়ুকোখবু য়োইময়াই তাউদনুবা লাংগোই শমাই ওননা লেপপিরমম্রে। অহানোংগীবু য়োইময়াই তাউদন-বধু কোবা মচীংলেন, চীংলেন থোন ৭ তা তাউজিং লিহৈ-চীন অচীনবগী লেমলৈ ঙাম্রিং চুগুবা য়ানচে কিন্নবগী শমু খুংতা শূনা য়ুকো নিংথৌ চন্নু লমলেন হুমিংপুং থাংবাই নোংশাখাম য়াংকম চাকলিকপোকপু অহৈনবা লোইয়া তমলোন য়িন্না কেগে খুনকুমবা মোইরাং খুনতাবা কেগে কৈয়াপানা য়মলা হুমাই মাইরাং হৌনা য়োইচান নিংথৌ চন্নু মোইরাং চাখোংচামবনা ফুংগা থিকপি মফমহোং য়িমবী চাউরা মপান ফুকনা চায়বি নিংথৌ চন্নু মপাম হুয়েল লাননিংগীদি শিংলেন খোইকনবা লমপান খোই-থিবা চকথা মানথাচা লানগু মীনামুং লেরা মীয়ানচানবু চংলম কাল্লাং থাবা চন্নু মৈতৈরৈমা শেনবী কপোমবিনা হাউরে নোংপোকলা পাংবরম মাকলং থমলাপোক তাইপোং মপুংয়াইদা সনা খোমহানবনা শেনবী মদাইমাবু মাকলং থমলা পোক-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো? মম্রিম

থায়গা মৈথু কাহন্নুনা কোয়া থকী চুথয়কপা নোংবু থামথি। অম্রা কোয়ো অবাংবা নোংথোথকী মতিক কাউবা নমথবা ভবী মচায়ুপি হায়না খৌনৈ। অম্রা মবুথৌ, কৌবা অঙাংঙানা অয়াং থাংবাই নোংশাখম য়াংকম চাকলিকপোক শত্তং থাংচে-চীং, লময়লেন হুমিংপুং (কৌব্রু চীং) দা লেমলৈ ঙাম্রু কাংবা নোংগী ঈথীরুস্থু ভত্তবা লমদা, শাগী শায়েন অথা য়েত্তা পায়হুনা নিংথিজবা লিনহৈ-চীং কোবা হুয়য়াংবু ওইদা পায়হুনা কোয়োহনবা হুমিংপু থুননা কৌবনা য়োইময়াই তাউদলেবা কোয়োহনবনা মাগী লাজোই শগোল অম্নু হেন্দোকপু মমু মমাই ওনশিন্নুনা লেপ্লিরমই। হুমিং অসিগী য়োইময়াই তাউদনবু কৌব্রু চীংলেন মতোন ৭ লোতবদা তাউজিং লিহৈ-চীন অচিনবগী লেমলৈ ঙাম্রিং হুতবা য়ানচেং কিন্নবগী খুত্তা পায়হুনা য়ুকোজথিবা নিংথৌগী মচা ইবেম্মা লময়লেন হুমিংপুং থাংবাই নোংশাখম য়াংকম চাকলিকপোক হায়না হৈথোয়না লমগী [illegible] চত্তনা হুমথয়কপদা কেগে মোইরাং লয়া খুনাবা কেগে কৈয়াপানা মমিং [illegible] য়োইচান নিংথৌ চন্নু মোইরাং চাংখোংচামনা মন্নু য়োকনা

শেন্‌বী মীকৌন কাবো তেংথানা য়িশিংখুদি নম্-ও হৈং-বু মাক-ও কৌয়ে। মাক তাউজীং হৈপুমমবু লাইজা ইপাকথক্তা লংনা তাউথরকয়ে। অহনোংগীবু মাকলং তাউজীং হৈতাউয়ি-ও তৌনা কৌয়ে। মচেংবনা পললি-রাই মচেং পাউতাবা শান্না লোনথংবা পোনবী লোনতৈবা হাওনিং শান্নৈমা পাউতোংম্বু-শাকবী মমোম শংকারী লোঙাকপীনা ওইখি-চেক চেন্না লোনথংবিনা শন্নিক লাইখন থক্তা পাউচেনবা মখুরোনবু ন্নাতৈননা মাকলং থমলা-পোক লাঙাং কোন্দাইরোকপু ঙমলোম্না শেনবী তাইপোং মপুংয়াইদা সনা খোমহানথবদি হুয়েল লাননিগীদি চৌকা মিংনাইববু কায়না হল্লে। সনা খোমহানমনুগীবু মিংহোংখিয়ে। শেনবী কবো তাইপোংঙমবী হুয়েল চৌকা মিংনইবা-ফাবি-ও তৌনা কৌয়ে। মৈতৈরৈমা তাইপোমবীনা সনা খোমহানবদি অহুম্লুং মদোমদে। হাওরে নোংচুপ খানা পাংবরম হাউন্দু পাউতোংম্বু লৌথিবিনা মত্থ নিংখৌ চোথে পাথংববু লানকৌ-চীং শমবুম মতৈ ঙাইবু হুনল্লানচীং-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো? হাউম্বু পাউতোংম্বু লৌথিবী মপারী শেংতবি মমোম

মপুং কানা মখুম-মকৈ লিশ্‌হুন রেংহুরকপা নিংখৌগী মচা হিবেম্বগী মপাম্না হুয়েল লান্নাথিবদি চীংয়া অমন্না কোয়না খোইথিবা কাংবু মীনামুং ওইবা অতোপ্পা মীশিংবু হৌন-লমচং তাকপিবা মৈতৈ লৈমনি। মৈতৈ লৈবা শেনবি কবোবীনা নোংপোক মাইকৈ পাংবলমগী মাকলং থমলাপোক তাইপোং খুঙংদা লান্নাশিবীনি। লমদম অসিবু মাকলং থন্নাপোক কৌথিবদি করিদগীনো? কবোগী মীনা হায়নবা, কৌনবদি ঈশিংবু নম্, হৈবু মাক্ হায়না কৌনৈ। মাক-তাউজিং হৈপুমবু লাইজ ঈপাকথক্তা ইরং লংনা তাউথরকই। হুমিং অহুমগী মাকলং তাউজিং হৈতাউ-রি হায়না কৌখি। উচেক রায়াগী মরোল থঙবা হাঐনিং শান্নৈবা পাউতোংম্বু শাকবিগী মচা হিবেম্বা শংকারি লোঙাকপিনা ওইখিবা উচেক, চেন্না ওইরবমু তাইবং মীরোল থঙবিনা পাবেল উশাদা তোংহুনা পাউচেনবা লমবু হুংওইনরগা লৈবা মাকলং থমলাপোক লাঙাং কোন্দাইলোক্তা থংনদা লৈবা শেনবি তাইপোং খুঙংয়াইদা লান্নাথিবদি চৌকা কৌবা লাখা মনিং হুনপথু লানজককখি। অমুয়া লানঙমখিবগী মনিং হোংখি। শেনবি

কুইদবিনা থৌহু নিংতুমববু নমদা-পো পানবি নিংশাকপুম্বু পমনা ইহু নিংথৌ চোথে পাথংব-ও ঐনা সেনেমসি হাইজৈস্থং লেনেম্বু নক্-ও। ঐনা থাংলে হায়রৈদি সেরাংলক-ও হায়না শমপুম মাতৌ ঙাইবুদি হন্লানয়ে মহু চোথে পাথংববু লানকৌয়ে। অহুনোংগীবু শমপুম মতৌ ঙাইবু হনলান-চীং মহু চোথে পাথংববু লানকৌচীং-ও তৌবা কৌয়ে। য়োইবু মৈতৈরেমানা শমপুম মপুংয়াইদা সনা খোমহানথবদি অহুম্থং মদোমদে। হাওরৈ নোংপোক থানা পাংবরম লৌংখোং লৈমা নৌয়ানবু নাতৈননা লোইবি পুংচাই মপুংয়াইদা সনা খোমহানবদি হুয়েল লাননিগীদি মকে পুংচাই লানথৌয়াংবু কায়না হুরে। সনা খোমহানমনগীবু মিংওনখিয়ে। লোইবি পুংচাই লানথাবী মকে পুংচাই ফাবি-ও তৌনা কৌয়ে। য়োইবু মৈতৈরেমনা সনা খোমহান-থবদি অহুম্থং মদোমদে। হাওরৈ নোংপোকলা পাংবরম ওইবা তোংদোইপুং লাথাম থামরন ঙাথিবনা ওইবা ইচিললুদা লেমলৈ ঙাতা-য়াই চেক্রাং লয়ুম-য়াই থাকী লময়াংশাং ওইবা থোংলেন লম্বুবদা

কবো তাইপোংঙবি হুকেল চৌকা লান্দা নমিং লৈরববু কা-ঙবী হায়না মিং হোংখি। মৈতৈ লৈমা তাইপোংঙবিনা লায়াখিবদি অসিমহু লোইবা নত্তে। নোংচুপ মাইকৈ পাংকলমদা হাউরু পাউতোংহু লৌথিবী কৌবি মচানিশাহু হুপীহু পোক্তবিনা লুং মচা মচা মনীং তুমশিংবু মনজম্বা 'পোয়পা হাউপান মনীং পাক্পবু মথাদা পমহুনা ইকুঙো ইহু নিংথৌ চোথে 'পাথংবা'। ঐনা লানকম অসিবু লেমথরসি হায়না হেক হায়রকপদা লেমথপদবনি অহুগা লান অসি তৌনরো হায়না হেক হায়রকপদা তৌগদবনি হায়রগা শমুম মতৌ ঙাইওইববু থায়কখি। অহুগা লোপ্‌। চোথে পাথংববু লানকৌখি। হুনিং অহুগী শমুম মতৌ ঙাইবু হন্লানচীং-মহু চোথে পাথংবা লানকৌচীং হায়না কৌনখি'। মৈতৈ লৈমবা অসিগুবা শমুম থুলহৌ লাম্লাহুনা পোৎ-চৈ খোমখিবদি অসিমহু লোইখিবা নত্তে।: নোংপোক মাইকৈ পাংকলমদা লৈবা লোইথোং লৈমা কৌয়াংলগী লমু হুংওইনবগা।' লৈবা লোইবি পুংচাই 'কৌবা থুলংদা লায়াখিবদি, 'লাবুক'-অহুনা মকে-'পুংচাই কৌবা 'লাবা খৌম্বু লানঙখিখি।

সনা খোমহানবদি হুয়েল লানমিগীদি ঔগ্রা নিংখৌ ওমবরা-চা অখৌববু কাক্লদ হুয়ে। মৈতৈলৈমা ভাইপোমবী ঔগ্রা খোংলেন লানথাবিনা সনা খোমহানবদি অহুম্লুং মদোমদে। হাওরৈ অগ্রাং লাইনা পাংবরম অতৌবা লান্দাম্বুং সনা খোম্না পামেন উয়োন লৈবু শীংলেন লৈপুন শানা চোমত্তিক্লৈয়ে। লোইবি থিংবা মপুংয়াইদা সনা খোমহানথবদি হুয়েল লাননিগীদি চয়াংচোংকাবীনা সনা খোমহানবদি অহুম্লুং মদোমদে। হাওরৈ নোংপোক-লা পাংবরম নাক্লম খুনলেনলয়দা সনা খোমহানবনে। লোইবি মদাইমবু নাক্লম-ও কৌবদি কদৌ-নোংগীনো? নম্নুবা চীংখোং পোইরৈতোনগা মৈতৈরৈমা লৈনাউ-ভাবিগা লোইবি শিদবা হেমবা নাদব। খুনথিরকপদা ময়িম লোইবি মায়েমনা হেমবা মঙাইরোইবু লুম্না লুম্না লৈঙম্বু লমওক্লয়ে। চীংখোং পোইরৈতোননা অক্লম অথম লাইবু লাইথুংলে। অহুনোংগীবু নাক্লম-ও তোনা কৌয়ে। নাক্লম খুনবি-চীং তবাউ মচীংলেন সাংচোই মপুংয়াইদা সনা খোমহানথবদি হুয়েল লাননিগীদি নাকম মনিংথৌ

লানকম অসিদগী মখিং ওনখি। লোইবি পুংজাই লাম্বাবী মকে পুংজাই কাখি হায়না মিজৌখি। মৈতৈ লৈমনা অস্ম্না লাম্নাখিবদি অসিনম্বু লোইবা নত্তে। নোংপোক মাইকৈরোমদা লৈবা অম্না তেংদোইপুংগী লাথাম কৌবা থামমন ভাথিবনা ঔবাগী ঊশিং চেনবা মক, তুরেলদা ঙা কা-নবা থিজবা মতমদা চেক্রাং লৈবাক, থাগী লমনা শাংবা ঔবাগী লমথৈ মকদা লাম্নাখিবদি লানকম অডগী ঔবা নিংথৌ ওবাম্না-চা কৌবা লান্দা খৌববু লানঙম্নকখি। মৈতৈ লৈমা ভাইপোবী ঔবা খোংলেন লাম্বাবীনা হুয়েল লাম্নাখিবদি অসিনম্বু লোইবা নত্তে। অবাং মাইকৈরোমদা অঙোমগা লাঙেংনবদম্বু সনা লুপা খোবগা লোয়ননা পামেল উগা শাংপা শম্বিরৈঙবনা লৈরাং চথুন শেনহুনা থাত্তেখি। লোইবি থিংবা খুনং-মাইগী লানকম অহুদা চয়াং চোংকাবি হায়না মিংজৌরগা লাম্নাখিবদি অসিনম্বু লোইবা নত্তে। নোংপোক মাইকৈ পাংবদা লৈবা নাক্লম খুনেন্দা লাম্নাখিবনি অসিগুম্বা লোইবিবু নাক্লম হায়না কৌথিবদি করিদগীনো? মংখৌ চীংখোং পোইরৈতোনগা মজালোই লৈনাউ ভাবিগা অনিদক্লা চীংগী

হয়েন শাহোংববু কায়না হয়ে। য়োইবু মৈতৈরৈমদি সনা খোম-হানমনগীবু মিংওনখিয়ে। নাকুম লানথাবী হয়েন শাহোংবা কারী-ও তৌনা কৌয়ে। য়োইবু মৈতৈরৈমনা সনা খোমহানবদি অহনুং মদোমদে। হাওরে থানা পাংবরম তুইখাং অহনবগা তোনপুং থাইনবা লৌশেন অতোনবগা মখোই ও মানা হেমবা লমজেনবা মরমখে থারম তুইখোং মচিনলেনদা সনা খোমহানথবদি হয়েন লাননিংগিদি তোনপুং মনিংথৌ হয়েন খুনথিনবগু কায়্না হললে। য়োইবু মৈতৈ-রৈমা থারম তুইখাংওমবি হয়েন খুনতিনবী কাবি-ও তৌনা কৌয়ে। য়োইবু মৈতৈরৈমা শেনবি তাইপোমবিনা সনা খোমহানবদি অহনুং মদোমদে। হাওরে নোংপোকলা পাংবরম মুংখান মপুংয়াইদা সনা খোমহানবদি হয়েন লাননিংগিদি মুংখান মনিংথৌ সারৈলাকপবু কায়না হললে। য়োইবু মৈতৈরৈমা লোইবি মাখান ওমবি হয়েন সারৈ লাকপা কাবিনা সনা খোমহানবদি অহনুং মদোমদে। হাওরে নোংপোকলা পাংবরম শেনবি তমদা-তা কবো তমদা-কুম কবো শামবা

করবা শিরোই নারোইদোবা খুলাবা মাবা মকম থিরকপদা লোইবি চীংসিদা পানবশিংনা মতাই ওইনা লাক্লিবা পোইরৈতোন মতৈ মনাউবু লুমহনা লুমহনা লৈরববু লমথাংদা ওক্লখি। চীংখোং পোইরৈতোনবি অরম লাইলৌ তৌহনা নারকখি। হুমিং অহুমগী নাকুম হায়না কৌনখি। অসিগুম্বা নাকুম খুনথি-চীং ভরাউ মচীংলেনগী শাংচোই কৌবা খুনয়াইদা লাম্লাখিবদি লানকুম অহুমগী নাকুম নিংথৌ হয়েন লাকংবা শাহোংববু লানজমখি। মৈতৈ লৈমনা অহুমা লাম্লাখিবগী মরমা মমিং ওনখি। নাকুম লাথাবী হয়েন শাহোংবা-কারি হায়না কৌনখি। মৈতৈ লৈমনা লাম্লাখিবদি অসিনমু অমুক লোইবা নত্তে। থা মাই-রৈরোমবা লৈবা তুইখাং অহনবগা তোনপুং থাইনবগা লৌশেন অতোনবগা থাংগোই ও মহা থাগী মাগী খম অরবা মমগী থারম তুইখাং মচিনদা লাম্লাখিবদি লানকুম অহুমগী তোনপুং নিংথৌ হয়েন লাকপা খুনতিনবমু লানজমখি। মৈতৈ-লৈমমু থা থাইবৈবা লৈবা তুইখাং-গী হয়েন খুনতিনবী কাবী হায়না কৌনখি। মৈতৈ লৈমা শেনবী তাইপোমবীনা লাম্লাখিবদি অসিনমু লোইবা নত্তে। নোংপোক

লাইরবা খুনখীন-চীং পাংকা খুনলৈমা শোংসোক মপুং-য়াই-ও কৌবদি কপোনোংগীনো ? কবো শামবা লাইরবনা পাংকা কৈথেললেনদা কামবা চোংথাই য়োমনা নোইনু মচেংমগী য়াওরো শানমবা খোংবান য়াংশানম পাংয়াই লুকাইবা খোংবান ঙারোকপা শানমধা ঙাইহৌবু তিক্লকয়ে। কোয়ো ভুমিংমাদি শানমবা কৈথেললেনগী কামবা চোংথাই য়োয়া মোইনু মচেংমাগীনা মপন নোংবাল য়োরেংবিচা চীংয়াইথু য়োংনাউবু খোন্লকয়ে। কোয়ো ভুমিংমাদি সেকমু কৈথেললেনগী কামবা চোংথাই য়োয়া নোইনু মচেংমাগী লোইবি চীংকাকয়েনথু তিক্লকয়ে। কোয়ো ভুমিংমাদি মদাইয়েম য়াওয়ো শানমথনা লাইজা ঈয়োনথুংগী লেমলৈ তোংপোন য়াইয়োদা য়াইথুংলৈয়ে। মদাইরেম চীংয়াইথু য়োংনাউনা পামেন উত্তোন্থক্কী হৈয়াং পোংতম পুনা য়াইথুংলৈয়ে। মদাইরেম লোইবি-চীং কাকয়েননা কংলৈ মীওমাংগী থুমনাউ পুয়া-চেন য়েয়াউ পুয়া পুনা য়াইথুংলৈয়ে। কোয়ো ভুমিংমাদি মদাইরেম লোইবি চীং-কাকয়েননা কাবে। পাংকা

মাইকৈ পাংখলমদা লৈবা ভুংখান খুনংয়াইবা লায়াখিবদি লানকম অহুম ভুংখান নিংথৌ শাহৈলাকপবু লানঙমথি। মরম অহুনা মৈতৈ লৈবা ভুংখান-ডথি হয়েন লাম্বা শাহৈ-লাকপবু কাবিনা হয়েন লায়াখিবদি অসিনহ লোইবা নত্তে। লোংপোক মাইকৈ পাংবলমগী শেনথি তমদা তাবা কবোনা তকনা কুয়া পুন্নাবা হৌজবা, কবো শাবা লাইরবনা খুন্নাবা হৌলোকচবা শম্ শোংশোক মপুংয়াই হায়না কৌনথিবদি কয়িনগীনো ? কবো শাবা লাইরবনা পাংকা কৈথেয়েন্দা কান্বা কৌবা শাবু খুন মচেং অমগা ওয়নবগীদমক শনবা কৌবা খোংবান্দা লৈবা তাম্ন মচাবা পাংয়াইদা খুনা লম্নু মকাইবা শাপা, ওমসি হায়না তিক্রময়ে। ভুমিং অমমদি শনবা কৈথেয়েনগী কাবা চোংথাই য়োম্নুনা খুন মচেং অমা কংলগা মাহুনা য়োংনাউ মচা অমগবু ওয়কয়ে। কোয়ো ভুমিং অমদনা শেকনু কৈথেয়েনগী কাবা চোংথাই য়োমা খুমচেং ১ পা চীংদা লৈবা কাকয়েন ১ পা তিক্লকই। কোয়ো ভুমিং অমমদি মদাইরেম মাউয়ো শনবনা ঈশিংদা ভুমনা ঙা ভুকোক থন্না পুরকয়ে। অহুগা মদাইরেম য়োংনাউ অহুনা উপী উত্তোহক্তা

মনিংথৌগী মোনলাং-মা ঙাইথাং য়াইওইথবু শরিক মাইথন্নবগী য়াইথোকখিরে। চকপা অংকো-য়িদা কেনথরে। শামবা লাইরবা মহাইরেম য়াউরো শনম্বনা লাইজা ঈরোম্নুংগী মিনথংলকলে। মোমলাং থাদা কোননা য়াইথুংলেরে। অহনোংগীবু পাংকা মনিংথৌনা ময়োম শেনবি লাংকমজুবু মললা মশীং থীনা কাউচানারে। করম্বা শামবা লাইরবদি ময়াক লারকনি-স্ত্র মথোং থোংনি-কাংনা তরুম নাইশিরে। শীংচা কোনখিললে। অহনোংগীবু করো শামবা লাইরবা খুনথিনপুং পাংকা নয়্-ময়াই-ও তৌনা কৌরে। শোংসুক-ও কৌবদি ছুয়িংবা নম্থম্ সনাম্নিগা মাকুপং তাউচিং হৈজৌরিগা লাইজা য়িচীন অনিমাবু শোক্লখে। শেনবি মীকৌনা করো তেংথান্না য়িখিংথুদি নম-ও কৌরে। লাইজ য়িচিন অনি তিজবু শোং-ও কৌরে। অহনোংগীবু শোংশুক খুনলেন নয়্-ও তৌনা কৌরে। পাংকা খুনলেন-নয়্ শোংশুবা মপুংয়াইদা সনা থোমহানখবদি হুয়েন থমকুম লামথোয়াংবু কায়েন হুলখে। য়োইথু মৈতৈলেমাদি সনা থোমহান্নবগীবু

* কাহ্না বিংথিবা হয়রাংবু মশোং কানা পুহ্না পুংলরে। অহুগা মহাইরেম লোইবি চৌংগী কাকয়েম্না মীগী মগুমাংদা কোবা থুম পুরমকপু চেরগা য়েরাই পুরমকপু পুহ্না পুংলরে। লোংথদি লোইবি চৌংগী কাকয়েম্না করো পাংকা নিংথৌগী থাঙনরিবা মোন অমবু চেন্নুনা অতিয়া থকা পুরকখি। চকপা অঙোমিদা য়ানখি। শামবা লাইরবগী মহাইরেম য়াউরো শনবনা ঈশিং মহুতগী থিগৎলুই। অহুগা মোন অহুবু মথাদা থম্না কোহন্না পুংলরে। হুমিং অহুগী পাংকা নিংথৌনা মহা ইকোম্বা শেনবি লাংকমজুবু অমসুং অহুন মশীং য়াম্না পিহ্না থাজখি। করো শাম্না লাইরবদি মহাইরেম শনবনো শিরে হায়না থনকগী লাও লেমহুনা থমলে। হুমিং অহুগী করো শাম্না লাইরবা খুনথিনপুং পাংকা নয়্-ময়াই হায়না কৌনখি। শোংশুক হায়না কৌনখিবদি হুমিংবু নমথম সনা মিগা মাকুপং তাউথিং হয়খাউ-মিগা লাইজ য়িচীন অনিরকপু তিজরকে। শেনবি করম্বাগী থাশিংবা হায়র-শোক্লবদি ঈশিংবু নম্ কৌই। লাইজা য়িচীন ২ তিজবু শোং হায়না কৌই। হুমিং অহুগী শোংশুক খুনলেন-নয়্ হায়না

লেনবি-শোংঙক ওমবি হয়েন থমকুম কাথি মৈতৈরৈমা কৌবরোন তাইপোমবি মাকলং লানথাবী সনা লিনকোইগী ॥

৪০। মৈদিংঙু খুনজাউবা।

নয়ু মৈদিংঙু পোইরৈ খুনচাউবা-ও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন মৈদিংঙু থংতা-খোইনাইবা সেনহোংবমসুং পোইরৈ খুনচাউবদি হাউরে নোংপোক-তা পাংবরম চকপা অংকো-স্নি স্নিনথি ইয়াচাউ চোইকৌ সনা পোকপা-স্নি শেনবী নমচেংকোন স্নিনথি সেনলোইস্নিদা কবো কাংপংশাদা লাইরেন মৈদিংঙুনা তুবী থিংকু মথিনাই লাইরেন মৈথু-ম্রোং থংনং লাইতংলেংনা খোশাথবদি ঔম্না তেংকোন-চায়রে স্নিনথি লানয়াম থারে থামরম নমথম তাপ্লে। হুয়েল লাম্নিগীদি চৌকা-মংত্র লানথোয়াংবু কাবা-ও তৌনা কৌয়ে। তুবি মরানহৌদি

কৌই। অসিগুবা পাংকা খুনলেন-লয় শোঙশূক খুংংমাইদা লাম্নাথিবদি থমকুম কৌবা লাম্না খৌববু লানগুরকথি৭ মৈতৈ লৈকমা অস্নয়া লান্দাথিবা মরমদগী লেনবি শোংসূক ওবি হয়েন থমকুন কাবি হায়না কৌই। মৈতৈ লৈমা কৌবরোন তাইপোবী মাকলং ম্রাম্বাবীগী শেংলবা সনা গর্ভসুংগী ॥

৪০। মৈদিংঙু খুজাওবা।

(খৃঃ ১৬৫২—১৬৬৬)

মসুবৌ মৈদিংঙুগী কিংলেনি পোইরৈ খুজাউবা হায়না ফিরোই। মৈদিংঙু থংতা খোইনাইবা সেনহোংবা পোইরৈ খুজাউবদা নোংপোক মাইকৈরোমদা মৈবা চকপা অলো-স্নি সনা মতুপ য়াউবা ঈশিং চেনবা ইংথি স্নিয়াচাউগী শেনবি নমচেংকোন স্নিংথি শেনলোই-স্নিনী কবো কাপংশাদা মৈদিংঙুনা মদাই-রেন লান্দা খৌবশিংগা লোয়ননা লায়াবদি ঔবা তেংকোন কায়ছনা চেনথি। চিংথি নবরা লামী মরাম থাথি, থামরন লমু তাকথাইথি। লানকম অস্নিয়া

অহুম্নুং মকোমদে। হাওরে লাইনা পাংবরম মরাম খুনচেন-[illegible] চীংখোং পোইরৈত্তোরা লাংওয়া চীংবুরোই লেম-দুম্ লিনকোইরকী খমনুং খোংঙাইবা রায়েন চুমবনা পোকপী লৈমা লাইহনগুনা রাইকোইরম মরাম থোবী হুংলাং কৈশি-চীংদা তুবি মৈরু-রোং লাইরেন খিংহু মথিনাইনা খোশাথরদি হুয়েন লাননিংদি খিংবা লোইচনবা মারেম লোইহাইবা কাপোং লানথোয়াং কাবা-ও ভৌনা কৌরে। তুবি মরামহৌদি অহুম্নুং মদোমদে। হাওরে থানা পাংবরম মখো কাইপোক-চীং লোইবি লোইতমচীং-ও কোবদি কদোনোংগীনো? তমপা রাংঙমলোন খাবি লেংনাউ মোমবিনা মপন লাইরেন তাউরোইনাইবু মুকো-দৈ হনবা-হনুমাবু লুকথুংনবগী নাহাপ্পবী পুন্নামাবু লিনকোন লাইকাম্ লাইথুংলে। তমপা কোয়ো নোংমাইহনবী খুয়োন কোইতং-লোবিনা খিংলো নিঙ্না তেনা মপম লাইরেন তাউরোইনাইবু অনৌবা হননা য়ুকোথববু হনবা লুকথুংনববু লুককা থুংলে। হয় লুকখোকতবযু লুকথোক্লবগী নাহাপ্পবী পুন্নামম্নুং লিনকাম লাইকাম

চোকা মংত্রা কোবা লান্দা থৌরম্ কামকই হারবগী চোকা মংত্রা লাখোযাংবু কাবা হায়না মিদোই। মৈদিংঙুগী মতিক মথোনাদি অশিনম্ লোইবা মত্তে। অথাং মাইকৈদা লৈবা মরাম পুনংদা চীংখোং পোইরৈত্তোরা চীংমী ওইহনা লাক্লগা চীংবু-রোই লেমহুনুগী মচা খমহুং খোংঙাইবা কোবা রায়েন চুমনা পোকচবা লৈনা লাইহনহুনা রাইকোইবা লম মরাম থোবী হুংনাং কৈশি-চীংদা মৈদিংঙুনা কদি কয়াউ থোক্না লানাথিবদি লানকম অহুনা খিংবা লমু লোইচনবা মারেম লোই হাইবা কাপোং কৌকা লান্দা থৌরম্ কাবা হায়না মিদোদি। মৈদিং-ঙুগী মতিক মথোনাদি অশিনম্ লোইবা মত্তে। [illegible] মাইকৈরোরদা লৈনা মহৌ কাইপোক-চীং লোইবী [illegible] লানাথিবা মহো [illegible]-চীং লোইবি [illegible]-চীং হায়না কৌখিবদি করিকনীনো? তমপা রাংঙমলোন খাবী লেংনাউ [illegible] মপা লাইরেন তাউরোইনাইবু চাকলোইনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] বাহয়বি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] নোংমাইহনবি [illegible] কোইতং লোবিনা

লাইবু পুন্না লাইকোরে। তমপা কোয়ৌ নোংমাইহনবী লাইরেন হুনিংশিংগী খুমচান বানুমিংশিংবীনা খিকমা লাক্লা খিকপদি বাইবা শাবাই কানা খিকখরে। খিকমা লাকনা খিকপদি হনবা হনুমানু খিকখরে। হনবা হনুমানা পোকমা-লকনা পোকপম্নুং পোকচুম পোক্লকয়ে। অহনোংগীবু মহৌ কাইপোক-চীংও তৌনা কৌরে। লোইবি নোইতম-চীংও কৌবদি মপন লাইরেন তাউরোইনাইগা তমপা খাবি লেংনাউ মোমবিগা নোই খুৎতেক নোইমা লাংবু নোইতমগুদা য়োংমু য়োংশেন শাবি লৈরাং খুপিং খুপাই পিংশিং লাউশং য়ু্পোং খারোই পুন্নতিন পিথেৎ পিথাং শীওচং বাখায় য়াউনা নোয়না ওমতমহোৎবনু মৈনা বাই তাংনা শমনা শাবি নোংদা চীংখন য়াংনা নোইতম্বু তানলোই মরুমবীনা ঙাইনোকনৈরে। মরুমবীনা নোয়ইগুদি মপায়ীনা ঙাইনোকনৈয়ে। অহনোংগীবু মহৌ কাইপোক-চীং-ও নোইবি নোইতম-চীং শাবি ঙাইনোকচীং-ও তৌনা কৌয়ে। তমপা খাবি লেংনাউ মোমবিনা মাপন লাইরেন তাউরোইনাইবু

মপুরিং ঈঙনা অয়ুক হয়! মশাবু চাকংকোয়নবদা তয়া চাকুথংদবনু থংলে। হম্নবগী নুকখোক্তবনু খোক্লে হায়রগী নহাহুবো পুন্নমক অহু লিনকাম লাইকাম লাইবা মপুক কংবনু কোকচখি। মতৌ অম্নয়া কোয়ৌ নোংমাইহনবি কৌবি বাখল চঙখোনবি খুনজাবু খোঙবিনা পুন্নমকী মপুক কাহনা হুংঙাই ময়াং কায়না পায়রে। অহয়া য়াইবি মবাও হোৌনা মতম হুংশাংনা পায়কপনা অহল মতম ওইনা কুইনা কুইনা পুনশিনয়কই অহনগা মথং ময়াং মীয়োল কয়া পোকখয়কই। অহনগী মহৌ কাইখোক-চাং হায়না কৌনখি। লোইবি নোইতমচাং হায়না কৌনখিবদি কয়িদগীনো? মকুথো লাইরেন তাউ-রোইনাইদা তমকা খাবি লেংনাউ খোবিগা হকচাং নয়না নোয়না খুথেক অশোই শানা হয়াউ মখোইনায়ডো মীহাং মীপুন চিহি কায়াখা হয়ান চিহি পোথলাক চৈয়াক অঙাং হুবী হুপি নাহা মথোক কাবা কাবি পুন্নমক জিলুনা পাগী পুগী মতুংইনা শীওজং বাখায়নবা য়োং থাও য়াউনা নোয়না নোয়না হয়াউ মখোই কোনবনু কাউনথ্যবহ নিংশিংনহনা উৎলবগী

মুকোঙীদ্ কোনে খুৎচুম মাইবা শিনাই মৈগা শকপনা লাইকরচীঙ্ য়োংবু ময়োংলেন-চীং. শাবি লৈরাং-চীং হুরোক পাইবং-চীং মচৌ: অমইহুই-চীংদা লাইরেন মৈবু য়োংনা খংনং লাইক্তংলেনা পনথেংথবদি মহো মাকা চাম্ররে। মরান থুমবি মৈমাংচন হয়েল মাইশিং খুখম পনথেংথবদি হয়েল লাননিংগীদি লেংচোং লানথোরাংবু কারন হুলনে। ফুবি থমাং মথৌমনগীবু মিংওনখিয়ে। মৈদিংগু লোইবি মহোংঙমবা লেংচোং কাবা-ও তৌনা কৌরে। ফুবি মরানহৌদি অহুমুং মদোমরে। হাওরে লাইনা পাংবম লোইবি মথনমা থোংনাং ময়াংথাং খুনংলেন নর্দা থৌশাবনে। থোংনাং ময়াংথাং খুনলেন লয়্-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো? মম্নিম থোংনাং নিন-নাই ময়াং তানা তাং-না মাইপং চীংমা-গুনগী পোইরে তমদা-তা য়াংওম তমদা কুমগে হায়না হয়েল. লালহৌরকঙৌ মম্নিম লোইবি তানা তাবা কোইরে মনিদ নাইবনা মাংলৌ লমচাউ-খিং হেমবা লানবু-ফা পামমেন লমবী থোং-কাপ মাননা খাংলমরে। অহুনোংগীবু লোইবি ময়াংথাং-ও তৌনা

মতৌবু মশাবী লোংদা চিংথমমাংনা অগোই খুৎথেক উংনা হনাউ মথোই উংঙৌদা তালোই মকখীনা লোক্লখি। মকখীনা লোঙৈদি মচানিশানা লোকচখি। হুনিং অহুনগী মহো কাইথোক চীং লোইবি লোইতম-চীং শাবী ওইনোব-চীং হায়না কৌখি। অমশা খাবি লেংনাউ মোখিনা মপাদুং লাইরেন তাঙরোইনাইবু চাককৌ মুকোঙখিবা-চীং কোনে খুৎচুম মাইবা শিনাইমৈগা শকপনা লাইকনখিবা-চীং য়োংবু য়োংশেন মাম্না লৈবা-চীং শাবি লৈরাং-চীং হুরোক পাইবং কৌবা শাবা লৈবা-চীং মহেং লাইহুই-চীংদা মৈদিংগুনা কখি কমাউ থোক্না লায়াখিবদি মহো খুমংদি কায়খি। খুমং শর্মাসিবু মৈ খাংনা অমাবা মীশিংগী মথথাই মাংলমবদা লানকক. অহুনগী মানখিংবা লেংচোং কৌনা লাম্না থৌবু লানহনখি। মৈদিংগু অসিগী মতিক মথৌকাসিনগী মনিং ওনখি। মৈদিংগু লোইবি মহোংঙমবা লেংচোং কানা হায়না কৌখি। মৈদিংগুগী মতিক্তি অসিনম্ লোইবা নত্তে। অমাং কৌক মাইকৈয়োমদা মৈথা লোইখি চীংনা অমদা থোংনাং ময়াংবা খাংনানা মৈদিম খুমংবা লায়াখিবদি। থোংনাং ময়াংথাং খুনলেন্-নর্ হায়না

[illegible] লোইদি মরামথাং পুনলেক-[illegible] লাইরেন মৈফিরেং.না, [illegible] [illegible] লাইরেন মৈফুরোং পুনলেপ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লাইরেনলোনা থৌশাথবদি [illegible] [illegible] চায়াংচোং [illegible] কায়না হয়ে। লাইরেন মৈফিরেং লোইদি মরাংথাং [illegible] হৌরেন চায়াংচোং কাবা লাক্লা ইত্তৌরোক্তা থৌশালা কোইরেং [illegible] [illegible] ফুদি লনা মচুংলেনদি [illegible] মলোমরে। [illegible] লোংপোক-না পাংকদ রাইরং মপাইমা [illegible] মনপ্‌ পি রাইরং থোং- লেনবা তাকৈন অমেন নিংতোনমু-চানা থোরকরগাই পাখি থোইতোম [illegible] থোংতাকৃগাই শেনবি করো লৈহৌ কৌবনা মাদং [illegible] [illegible] পী.লেন লৈথংগাই রাইরং কোইচাংশাং-ও কৌবদি কলোমোংগীলো? মৈতৈরেমা মোংথাললোন শিনথোইতমবীনা চাংশা নাপোম [illegible] কোয়না কোয়না চৎলমরে। অহুনোংগীবু রাইরং কোইচাংশাং-ও

হায়না কৌখি। মৈদিংঙু লাইনিংথৌ অসিগী মকহৈদি অসিনমু লোইবা নত্তে। তাপাং চীংদমু লায়াখি। লোইবি হাউতাবা তাপং মচাংলেন হায়না কৌবদি করিদগীনো ? য়োইক্লমলোন খোয়নৌ অঙোম চমু মতা ৬ মক্লা কোয়ৌ নোঙ্গারকপদা ইতা ৬ মক্‌। ঐখোইগী ইপা পহৌমু নখোইগী নপা পহৌমু উদয়ে। নখোই ঐখোইগী ইমাগ্মচা (ইকুগী মচা) পাথং ৬ মকমু লাক্তয়ে। ঐখোই নখোইগী পলেম নমা ইমামু থাইনয়ে। কোয়ৌ থক্তী চীংঙু মখোয়গী খোংজিন য়াংবন মখোইগী মরাকচীনসুং মাইকৈ কদোমদবু লৈরিগবনো হায়না পাংনা পাংনা কপ্লমই। হুমিৎ অহুমগী তাপাং চীং-মাতোন হায়না কৌনখি। লোইবি হাউতাপাং তাপাং থুকংয়াইদা মৈদিংঙুনা কহি কপ্লাউ খোক্লা তাপাং চীংমাই থায়হুনা লায়াখিবদি লানকম অহুমী লোইবি তাপাং নিংথৌ, শজিকুয়া চোইনৌ সনানা পনথাবগুয়া শিবা হুয়েন লান্দা থৌবা চীংচরোংবু লান্দা ভাখি। মৈদিংঙুগী মতিক অসিদগী মমিং থোনখিবদি মৈদিংঙু লোইবি তাপাং লাম্থাবা হুয়েন চীংচরোং কাবা হায়না খোয়খি। মৈদিংঙুগী মতিক মথৌনাদি অসিনমু লোইবা নত্তে। খা মাইকৈ পাংথলম মবুথৌ লাইরেন মৈদিংঙুগী

লোইকেনবা কাকলেন লানথাবা সৌপোন খোংকন্‌বরম তুবি মহিখেনবু নাতৈননা তুংবি ঙমথংনা তিংঙৌ খোংমি তাংদা চীংশাং নাকপাক ইমা হাওমন শিংলৈ থাবা হয়েন লমতরেং লানথোয়াংবু কায়না হল্লে। তুবি চুংশেন ময়ানহৌদি অহুস্থং মরোমদে। হাওরৈ নোংচুপ-লা পাংবরম খোংনাং লাইচিংলেনবু নাতৈননা খুনদা-পুং খোই-মোম কোনথু লৈমনা লমকনয়াই মাইবং চীংমাঙনদা তরা চায়োম তানা খুনতা-পুংদা খৌশাখবদি ময়াং রসকোন্ খুনফমবা শিংতাপোং নয়ান অখোৌববু কায়না হল্লে। তুবি সনা মচুংশেনগী মিংওনখিয়ে। লাইরেন মৈদিংঙু খোংনাং রসকোন য়িমচং-য়ানবা শিংতাপোং নায়ন কাবা মোইবুং পোংতমলোই লিককোন থাঙচাউলোই খা য়াচুলোইবু লোইচনব তৌনা কৌয়ে। লাইরেন সনা মচুংশেনদি অহুস্থং মদোমদে। হাওরৈ থানা পাংবরম মমা লৈহুং পিয়াইহুচা খুনবি তুংখোংচীংগী লমাহৌরকপদা চাখা থাংহন অহনবা মশানৌনা লাওনবা-লম খৌহু মু তেক-চীং খোংনাং হংশেন মনিন নাইবনা হয়েন

মচা ইবুংঙো য়োইমোংবনা মোংবা লোইচনখিবা কাকলেন মীচাববু শানঙমখিবা সৌপোন খোংকন্‌ব-লমবু মৈদিংঙুনা তুংওই নাতৈনবগা লৈবা নুঙশী অঙখনা মথং মথং লোয়না লৈবা তিংখৌ নাপিনা নাহই লোয়না লৈবা চীংশাং নাকপাক মতুংইন্না পামদা হৌবা শিং-বু থাবা লমতরেং কৌবা লাল খৌবু লানঙমখি। নোংচুপ মাইকৈ পাংখলমদা লৈবা খোংনাং তাইচিংলেনবু তুংওইনবগা খুন্দাবা চীঙু খোই-মোম কোনথুলৈমনা লম কয়বা মাইবং চীংগী অঙবদা তরা চাকয়োমদনা খুন্দাবা-পুংদা লায়ামদি ময়াং য়সকোয়া খুনাবা শিংতাপোং নয়ান অখোমবু লানঙমখি। মৈদিংঙুগী মতিক মখোনাসিদগী মমিং ওনখি। লাইরেন মৈদিংঙু খোংনাং রস-কোন য়িমচং-য়ানবা শিংতাপোং নয়ান-কাবা মোইবুং পোংতম লোই, লিককোন থাউচাউ-লোই কা য়াচু-লোইবু লোইচনবা অহুম হাযনা কৌনখি। মৈদিংঙুগী মতিক মখোনাদি অসিনমু লোইবা নত্তে। খা মাইকৈ পাংখলমদা লমহুং পিয়াইহুগী মচানা খুনবা তুংখোং চীং ওইনা লমহৌরকপদা চাখা থাংহন অহনবগী মতালোইনা লাংওনখিবা খৌহু তুংতেক-চাং কৌবা খোংনাং তখেন লালহৌ পাখনা হয়েন লানকাখ-লম হেবো বাইহু-চাং পায়বা কৈরেন খুদিচানা লাইজা ঊশিংবু থকপকন

লানকাবম হেমবা রাজপু-চীং কৈরেন কুমবিচানা লাইবা ইরোলরম ৱোমখি ফুয়োংরিবু নাতৈনেনা থৌহু লুংতেক-চীংদা লাইরেন মৈদিংঙুনা তুখি মৈনা-ৱোং লাইরেন থিংবু মথিনাই থবনং লাইতাংলেংনা থৌশাবদি হুয়েন. লাননিগীদি লোইবি হুংতেক মারৈম্বরি হাওনু ভাংয়েকনু শাকাবিগা মথংলেন লুংকালেংবা লামথৌয়াংগা লোইবি চংনা বাইবা তাংচেং পাথংবা লোইবি ময়িমকমগী লোইবি হাওয়াম পৈবা ঔরি লিয়াই লোপ্পা তানমা স্থইসোনবা পায়েল হোইচিংবা লোইবি থানচেনবা হুয়েন হুংশন লাইবা ঔরি লিয়াইগী মারেম থাবা লানশোনবা তলা থোংতোন লংবা কোংপু লানঙা নোং-য়িনবা অথৌবদু কায়না হুয়ে। মৈদিংঙু লোইবি তুয়োংঙম-ও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন সনা মচুংশেনদি অহুমুং মদোমদে। লোইবি মাথনমা থারম থুচুং তানা তাবা চীংশাং নাপোমমাদা হেমবা থাংচেন ৫ শাবা চিংলেন নাপোম থাইথা য়াম্বদা থুন্দাবা মৈরাউ তানা-তবা চীংশাং নাকপাকমা তানা থুনথিবা চীংলেন নাপোমমাদা পোৎলান মনিললনাই

খোঝি তুয়োং-থিবু তুংওইনয়গা লৈবা থৌহু হুংতেক-চীংদা মৈদিংঙুনা কহি কয়াউ থোক্না মপুক থোয়রাংনা লালোই অঙবা ময়াম পুন্থনা হুয়েন লায়াবদি লোইবি হুংতেক লৈমাবী হাউহু ভাংয়েকহু শাকাবিগা মপুরোইবা হুংকালেংবা কৌবা লান্মা থৌবগনু লানঙয়া লোইবি তানা তাবশিংবু চঙনা ফাবা তাংজেং পাথংবা লোইবি ময়িমকমগী লোইবি হাউয়াম পৈহুনহু ঔরি লিয়াই য়াৎপা তায়া শোইশেনবা, পায়েন উজাউ চিংবদা হোই লাউনা চিংবা লোইবি থান্-চেনবা হুয়েন হুংশন লাই-বাগা ঔরি লিয়াইগী মরেম থবা লান্দা-শোনবা, তলা উথোং শেংবা কোংপু লানঙা মোংয়িনবা অথৌববু লানঙমখি। অসিদগী মৈদিংঙু লোইবি তুয়োং-ঙবা হায়না মিঙৌথি। মৈদিংঙুগী মতিক মথৌনাদি অসিনহু লোইবা মত্তে। থা পাংবা য়াইকৈগী চীংলোন মথন অমদা তাবা থুৎচুং থুয়া তাবা চীংশাং নাপোমদা লোয়্রম মঙা কাংবা চীংলেন নাপোম থাইথ-য়াম্বগী চীংশাং নাকপাক অমা মৈরাউশিংনা থুন্দাবা নাকপাক অমদনা থুনথিবা চীংলেন নাপোম অমদনা পোৎলান্ মনিল বাইনা শানবা চীংশাং লময়া কংবা থোইগী থোইহিজম থুয়া থুবু থক্না ভাউনৈবা-পুং কোয়্রাং

চাংশাং খোইমু-থকনা তাইনৈবা-পুং লাংগন কোংয়াং থাবয়ব শীরৌ-তোনয়াংপুন মালেম লৈকোইয়ুংনা খোইমোম লাইপাউ হেমবা-পুংদা তুবি য়াপুয়েক লাইরেন নোংবু-কাই লাংথা ময়াঙ্ হৌ তয়েং শেনকাংয়ে মাংখাং মনিল-মাই পেরে শানৈ-খোং কোয়তান শেনথিং-তোয় মোইবুং শিংকো-খোং কায়ল্ পুংতোং-য়ৈ খুপাক তাপুং-খু পায়া নোংমৈকাপ লোকলেন মঙাল নাইনা পনথেংথবদি হেমবা য়িমচং য়ানলে। হুয়েন লাননিংগীদি মশেনলীংববু কায়ন-হুয়ে। মৈয়াউ য়াইহুইনয়ে। হুয়েন কোংতানববু কায়না হুয়ে। পোংলান থাংয়ৈনয়ে। লেংকাতাং খোংয়িববু কায়না হুয়ে। থুমনাউ তুকুমববু চঙ্না লোকলে। লাইরেন থয়াং মখোমনগীবু মিংওনখিয়ে। মৈদিংঙু থারম খুচুং ঙমবা মৈয়াউ য়াইহুইনবা হুয়েন কোংতান-ফাবা পোংলম থাংয়ৈনবা লেংকাতাং খো.য়ি-বাফাবা মাশেম য়িমচংয়ানবা হুয়েন শেনলিংপু ফাবা-ওতৌনা কোয়ে। লাইরেন মৈদিংঙু লোইহবি মাশেম-ঙম্বা সনা মচুংশেনদি অহুমুং মদোমদে। হাওরে থানা পাংবয়ম হৈয়াং নানৌ-চীং কেগে চীংমৈবা কান-য়ম

বা পাম্বৌ য়ায়া থাবা লম, শিনৌ লশিং পাখাংগী মতোয়া পুন্নুনা মালেম লয়দা ঘুংনা খোইয়ুম লাইগী লাইপাউ থংনা পানবাপুংদা মৈদিংঙুনা অহিং লেঙ্না নোংথাং কাইহুনা মীয়াম য়পূক ইয়াং হোনা শেনগী শেনকুং য়ৈহুনা মাজং থিনবগী খোয়েল থোয়া পেরে শানৈ খোংহুনা কোর্তাল তোয়না খিঙহুনা মোইবুং শিংকা-নচিংবা খোং, ওই-য়েং কায়ল লায়া তিংবা পুংবু য়ৈহুনা খুপাক খুহুনা নোংমৈ কাপ্পুনা লোকী লোক্লেন্দা মঙাল মাতক উৎনা লায়াবদি থুনলক চংনা লায়ারে। লানকম অসিদা মশেন লীংববু লানঙমলে। মৈয়াউ থুংংদি থাঙবা ঙমশিন্নকয়ে। হুয়েন লানচিংবা কোংতানববু লানঙমলে। পোংলমসু থাংগা থাংগা য়ৈনয়ে। লেংকাতাং খোংয়িববুসু লানঙমলে। য়েয়াউ মচা ফাবগুম্বা চঙ্না তায়হুনা কায়ে। লাইরেন মৈদিংঙুগী মতিক মখোনাসিদগী কিংখোন হোংখি। মৈদিংঙু থারম খুচুং-ঙবা মৈয়াউ য়াইহুইনবা হুয়েন কোংতান-ফাবা পোংলম থাংয়ৈনবা লেংকাতাং খোংয়িবা ফাবা মালেম য়িমচং-য়ানবা হুয়েন শেনলিংবু ফাবা হায়না কোনখি। লাইরেন মৈদিংঙু লোইহবি মাশেমঙম্বগী মতিক মখোনাদি অসিনসু লোইবা নত্তে।

মোইরাং লাইমৈবা তাররম তাংখুরা চীংজোমপোক কেগে হুইপাজাক ফুমনা নাহুইকোন মোইরাং অয়াংবা ননখাংকোনগী লাংগোই খোইশা য়াশায়া অপানবা লাংগোই খুনেৎ-শা নুয়াংববু কেগে হেনুকামবা মর-মখৈদা লাইরেন য়াকয়ে মখুনেৎ চাকুংজবা য়াকয়ৈ হুংচেংবা তোংচেং হিথাংকববু য়াকয়ে খোংওইনা তুবি খোকথৈ নমনু মখুংখুনা লাংগোই চুবাওৈতং কেননা খিনখুরে। লাইরেন য়ায়রা খোংহৌখোনদি অহুম্বং মলোমদে। হাওরে লোংপোকলা পাংবরম খৌবাল য়াইরিপোক কাচেং লৌখৌপানগী খারী লৌখেংকোইদা। মংশা লমলেন-ইন মরীং য়িমরাই খায়না হেমথা মচিশোয়দা চাকতাবা পবন থাংখোকপা কাঙ্গিচায়া য়াপানববু খুমনাউগুম চংনা লাকনা লাংকোই ২ চংনা য়ুনবা নিংথৌ-রেন তুবি চরাইরোংবগী য়ায়রা খোংহৌ-খোনদি অহুম্বং মলোমদে। খোইমোম চাখাবা উয়োককোনগী পানবা কৈচেংলাং ক্রাং সরাইখৌ পামেন উকাববু তুবি য়ায়রা মরীথাং কাচেং তাংখু তাহললি লৈমুং হিকাপ-য়াইকাপলি খুমাং লেংগা তমন-লি য়েংদ-হৈবা চেকচিন-লি

খা পাংবা মাইরৈয়োমদা লৈবা হয়মাং পাখৌজা লৌনা হোবা-চীং কেগে চীংখাইবনা কা-নরম মোইরাং লাইমৈবনা তাররম তাংখুরা কৌবা চীংগী চীং-দোন্দা কেগে হুইশা-তাকুয়া নাহুই কোয়া মোইরাং অয়াংবা ননখাংকোনগী লাজোই শগোল য়াইশা য়াশানরা লাজোই খুনেৎ শা নুয়াংববু কেগে হেনুকাবগী মরমখৈদা মৈদিংগুগী য়াকয়ে মখুনেৎ চাতুংজবা য়াকয়ে হি খোয়্লাবু তোংনা হিথাং-কথবু য়াকয়ে হিদা তোংনা মৈদিংগুগী চিংখেন খুংখু অতনা লাজোই শগোল অহুগী মচুখাদা কেন্না খিনখুরে। মৈদিংগুগী মতিকতি অসিনমু লোইবা নত্তে। লোংপোক মাইকৈ পাংথরম খৌবাল য়াইরিশোক কাচেং লৌখৌপানগী খারী লৌরেনকোইনা মংশা লমলেন ইন্না মরীং খুদং মরাই খায়না চাক্তাবা, পবন থাংখোকপা কাঙ্গিচায়া য়াপানববু য়েরাউ মচা তানবগুম চংনা লাকপা, লাজোই শগোল অনি চংনা উনবা নিংথৌরেন মৈদিংগু তুবি চরাইরোংবগী মতিকী লানহৌদি অসিনমু লোইনা নত্তে। খোইমোম চীংগু চাখাবগী উয়োককোনদা লৈবা পানবা কৈচেং-লাং ক্রাং সরাইখৌ (পেখৌ) উকা কাবু মৈদিংগুগী য়াররা মীরং মরীপানবা ক্রাং কাপ্লা পায়রা খৌনী

তোন্দা হৈবা কোইথ-লি চাখা কৈরেনশোকনা-লিনা রায়রা পানচুম খোইনা কাপ্‌থবা নোংয়াই খোয়বা তেনহৈবা অতোন হাউবা অথৌবা রাংগোন মুকাপ-লি কোংয়াং মরাচা তুবি রায়রা মরিখাং পানবা কৈকাপ-লিনা তেলহৈবা লাল্লোই পানজুমবা পানবা শাতা কৈরেন ফাবা লাইবেন সনা মচুংশেনদি অতুম্বুং মদোমদে। হাওরৈ খানা পাংবরম তুসুক মনিল নাইবা মালনৈ নোংথৈচুপ্‌ হেমবা খাংচেন-শাবালোইবি তুইথিংপুং হেমবা তুইনা-চঙ্‌ লোইবি তুইমাঙ লাইজা ঈশিংখোং ৩ থকপা হেমবা তুইনা-চঙ্‌ লমবীম্বুং ৩ চৎপা পুংদা খৌশাবা কোরৌ মুমিৎ চুপতনা লাইরেন থাংলেন মখুৎম্বু খুরেন য়াইফু মনমফু য়াংনম শিংমীৎলোন লাইরেন সনা মনাশি লিকলাই সনা মনায়ানবু তাউখ লময়ে। অতুনোংগীবু মৈদিংঙু তুবি চরাইরোংবা সনা চুংশেনকোন-ও হেমবা মুংফানলোক কাচেং থাংশা খুল লোইবি সেক্‌কু-চীং খারম কোনহৈ-চীংও খোননৈ-য়ে লাইরেন মৈদিংঙু লোইবি তুইশানঙমবদা খৌশাবা উপা

লম্বুং হীকাপ মাইকাপ-গী থুনাং তম্বদা পানকবা মরী মিৎয়েং নাউশুমদনা তেন্দম-লবম্বু মপানবা চাখা কৈরেন শোক্লা-লীনা বায়রা তেম্বৈ পাল্লা কাপ্পদা খোইনা কাপথ-ওবা নোংয়াই খোয়ব তেলহৈবা অতোন হাউবা অথোবা রাঙ্গোন মুকাপলি কোংয়াং মরা-চা তুবি বায়রা মরাখাংনা পানবা কৈরেন্দা কাপ্পব-লীনা শোয়কদবগী তেলহৈবা হায়না ওয়েল লাল্লোই খুদিংদা পান্দবদা পাঞ্জবা পানবা কৈরেন শাদানবদা কৈরেন মাবু মফাবা মৈদিংঙু লাইরেন অসিগী মতিক মথৌনাদি অসিনম্বু লোইবা নত্তে। হউৈরৈ খা মাইকৈ পাংবরমদা লৈবা তুশুক খুঙ্গং মনিল নাইবনা পানবা খানলৈ লৌউবনা লোইবী লমগী তুই ঈশিংবু থিংবা পুঙ্‌ হেবা তুইনা চঙবা লোইবী চৌংগী লোকমাংদা তাবা ঈশিং খোং ৩ বু থকপা হেবা তুইনা চঙ্‌লবম্বু লবী ৩ চৎপা পুঙদা লান্নাবা কোরৌ মুমিৎ চুপ্পা মৈদিংঙুনা মাগী থাঙলেন মথুৎম্বু খুরের য়াইফু মনমফু য়াংনম শিঙমিৎ লানবা মৈদিংঙু নিংথৌরেনগী নাম্না লিক্লাইগুম্না লংনা সনা য়ানববু খঙ্‌লময়ে। মুমিৎ অতুদগী মৈদিংঙু তুবি চরাইরোংবা সনা চুংশেনকোন, হেবা মুংফানলোক কাচেং থাংশাখুল

লুখুম য়িমচৈ-শৌ নমপোক মরোন-হু হুনতৈ য়াঙ্বি মরিন-থং য়িমবি থিংবা মপানলোই মরান থুমবি মৈমাংচন মৈবি ভাংগোই-পাই মৈথু নোংদা-কা চংলম ফানশাং-থুম শায়পু মৈতান-পক খংনং লাইতংলেংনা চুংলেপ ৬০ চোং কাউরেন ষণধাং ১০ লাননা পন-থেংথবদি তুস্থক য়াকা চায়রে। হুয়েন শাননিগীনি খারম তুস্থক মনিংথৌ হেমবা খাংচেন ৭ মাদা মদোম য়াত্তেমবা হিগোককুম পাললৌইনা খাংনৌবা উঁহি নোংচং লৈনা পানহেনবা মরেম লৈচোং লানথোয়াংগা মক্লমবি শীংসেন লাংমিং নারি হৈশোক লায়োমহুবু লাই-রেন থাংসেন মথুংশু য়েনলৈ মৈয়াবী য়াংখু য়েকতৈবনা ওইক্রে শম-গা-খোম য়েংতারৈ থাংগা-হাই থৌনাউ লোনথোং লেনলে। মারেম লৈচোং লানথৌয়াংবু কায়না হুল্লে। লোইবি মপারীবু থুংতা—মু মমোম থাদা পমনা লোইবি হাথৈকমবু য়িরোক লাইচম লাননা পনথেংকনবা লাইরেন মৈমিংঙু লোইবি তুস্থক- ওম্বা খারম কোনহৈ-চীংদা খৌশাবা মারেম লৈচোং লানথৌয়াংবু কায়না হুনবা মৈদিংঙু

লোইবী শেক্কু-চীং খারম কোনহৈ-চীং হায়না মিংথোননৈ। লাইরেন মৈদিংঙু লোইবী তুইশান ওথদা লাম্নাবা উপা লুখুম য়িমজৈ-শৌনা নমপোক মরোল হুনা হুমতৈ য়াঙবী মরীন-থংনা মুবী থিংবা মথুঙংবু মৈ থাহ্না মৈথুনা কোরৌ নোংমদোন কানা মৈতাল ভাজোই পাইনা লানগী হৌনবি মতুং ইপ্পা অঙম অথৌ পুনা চুঙগী চুঙলেপ ৬০ চোং মনগী মনলেপ ১০ লাম্না চোংনা লাম্নাবদি তুস্থক খুজংদি কায়খি। লানকম অসিদা তুস্থক মনিংথৌ হেম্বা খাংচেন ৭ মক্তা মথম্লভনা য়ায়েনবা মতিক মথৌনা লৈনা মশক মতৌ নিংথিনা পানবা লৈমাবা লম্নচোং লান্দা থৌবগা মভালোই শিংলেন লাংমিং নারি হৈশোক লায়োম্বু লাইরেন মৈদিংঙুগী খুৎশু থাঙলেন য়েনলৈ মৈয়াবী য়াংখু য়েক্তেবনা হাইগত্তুনা ওয়না মশম থোয়-পায় য়েৎনা খাংলেন হাইগৎনা থৌনাউ চরমদা ককখি। মালেম লৈচোং চীংদা পানবশিংনা মচাশিংবু খুৎশয়না পুবা মমোথু মথাদা পম্না লানজেল্লবস্থ ঈশিং লৈবা লোকপু লাম্না লাহেং ভানবা লাইরেন মৈদিংঙু লোইবী তুস্থক ওম্বা খারম কোনহৈ চীংদা লাম্নাবা, মালেম লৈ-চোং লাম্বা থৌববু লানওম্বা মৈদিংঙু তুবি চরাইরোংবা থোইমোম লাইওম মিংথোম্না

তুবি চয়াইরোংবা খোইমোম লাইমিংথোংবু শাইওনবা শেনবি তেখাউ লানথাবা হুয়েন লোনলোই থাকব-ও ভৌনা কৌয়ে। তুবি চয়াইরোংবদি চোয়নৌ সনা মিংহুনগীবু চুনবনে॥

নয়োন মৈভৈরৈমা খয়োইরোন কোরৌ নোংথিলচায়বি মাকক লোইখোমবি-ও ভৌনা কৌয়ে। হেমবা লাংতে লোইখোমবা মালেম থারম লোইচনবি শনতং নারেংচৌং শেনচাউ নমদা-পো মেননাং ভনবা-চিরৈচিংনা লোইয়া নিংথৌচনু মপাম লমলেন মদাইমা উচিরা খোইতোংপান হুইখৌ খোংতেন লাকপিচা মরান পামেন উতুমকোন নোংথিল থাংলা অকংবনা তেকশোললৌ লেমলৈ শারোংখোইবি অকংবনা চামলৌ লুকপানথক্তী চোংথরাই নিংভোল মিংলাউচনু খ্বা য়োংহরৌ হাওশিয়াং অরাই খুনবুচনু খোংলৈ তাবি খোংভৌরাই খুনচান মেননুলৈমা মেনলোং লৈখামফাবি-চনু খোয়মা লাংয়েন যনবু হাওথাংকোক লৈমানবা শনচিং-লম হেঙাইবা শনচোলপাল পুক্তৈবি খাইচাশোয় নোংয়াই হোংনেমচম নিংঙোনবি

শাইওনবা শেনবি তেখাউ লাথবা হুয়েন লোনলোই থা-ক্তব-ও হায়না মিঙ্গৌনৈ। মৈদিংগু তুবি চয়াইরোংবা হায়না মিঙ্গৌবদি ফদোংলবা সনাগুম মিংহুন অসি চুনবনি।

নবেঙ্কৌ মৈতৈ লৈমা খুমন য়েকওইবিগী মিংলেন্দি কোরৌ নোংথিল চায়বি মাকক্ লোইখোম্বী হায়না মিঙ্গৌই। থা মাইকৈরোমদা লৈবা লাংতে লোইবু লোই-চনবীনি। থা মাইকৈরোমদা লৈবা লোইগী চীংয়াদা তাবা শন্দং নারেং-চৌংদা লায়াবা মপাম নিংথৌনা শেল থুম খোয়া হামেংনচিংবা কয়ামা চিংলক্তুনা পাল্লকপা উচিরা খোইদোমপাল কৌবা লম মখোং নেম হুইথৌশিংনা য়াতাবা লম নোংথিলদনা থাঙলা অকংবনা থম্না লৈবলম লেমলৈ শরোং খোইবিনা মরাঙ কায়না লৈবলম, হাউশিয়াং অরাইখুনগী মপু ওইবগী মমোমনি। অসিগুবা লাইজ ঈশিংনা খোইবা খোংগী মপান্দা তাবা হৈরেম খুগ্নান নিংভোল মেহু লৈমা মেনলোং লৈখাম ফাবি নিংঙোলনি। লমদম অসিদা চনিঙ লৈভাক্ম খুনবানগে হায়না হাউথাংখোক লাইমানবগা লোয়ননা খুন্দারকপা লমাজংবা অরৈ লৈভ থাইনা লৈরকপা নোংমাই

য়াওসোমবম লৈমা খানলৈ ময়োলেন থিংকে.ন মুপীরাচা য়েংবদম চিতাইখোম হাওচেং লাংমাইনুনা ওইরম চিতাইখোম হাওচেং লাংমাইনুনা ওইরম চিতাইখোম নোংয়াই খুমন লৈমনা ময়াদা লাংনা খোমবা ইনলেন-খান হুমাই খোকশাং শূনা পোনবি উরোং কায়ামলোদা খানলৈ লৌতারাই অ.তান লাইসুচা কোংয়াং মচৈশুনা লাংলেন য়াপান কাবরম উচিন্না খোইতোনপানবু পুন্না চন্না অশৈনবা-চমু মপাম হুয়েন লাননিগীদি লোইবি চরাই মনিংথৌ অমোবদি মোইমিংলে লাইচুনৈয়ে। চেংকোই মনিংথৌ য়াব্রা লোনখংবা চেং-কোই লৌয়ামববু উরেপ চাখিন্নখিয়ে। তাইপোং নিংথৌ চকমোম মাইমিংনবা হুয়েন কৈখম ভৌবমু লাকখা কোনয়াননৈয়ে। খুনবি নোংলৈশংনা ফৈথিংনা লৈখাম তরৈ য়াননা হেনমোইবা-চমু খয়োইরোন কোরৌ নোংথিন চায়বিনা খোমহানবদি মাকক লুহাংগী লুহাং খুনলেন লয়দা সনা খোমহানবি লাইঙ্গা সমুদ্র য়িরিয়াচাউগী পুহাল খাউচাও লোকপি-ও তৌনা কোয়ে। য়োইবু মৈতৈলৈমনা সনা খোমহানবদি

হোংনেমজম নিংগোন য়াউশোবম লৈমাগী লৌকমদা য়েংওইননা মতাই খোয়া পানবা হাউচেং লংমাইনুনা ওইরমগী চিদাই খোন্না ভাকহল্লগা নোংয়াই খুমন লৈমনা ময়ায়দা লৈরগা নিংথিজবা ঈন্না খন্দুনা হুমাই মখোক অশাংবা পামনা চেক্লা শরোম কাবনা লৌদা লৌতাবদা অতোন লাইশু-চাগী রাগী চৈশু খারবদা রাপান কানা হৌরকলম, উচিন্না খোইতোনপান পুন্নমকপু লোইচন্দুনা মীয়ান্না অকন অথৌ ভেংথানবগী নিং-ভোজনি। অসিগুম্বা নবেক্কৌ অসিগী মপান্না লান্নথিবদি লোইবি চীংদা পানবা চরাই নিংথৌ অমোবা কৌবমু মনাই ওইনা শিজিন্নৈ। চেংকোইগী নিংথৌ খুমন মরোন খণ্ডবা চেংকোই লৌয়াম্বমু নিংথৌশেনবা ওইনা থয়ৈ। তাইপোং নিংথৌ চকমোম মাইমিংনবা হুয়েন কৈগাক থিওঙ্ববুমু শিজিন্নবনে। খুঙ্গং অসিদা নোংলৈশং-না কৈনা থিংহুনা লৈখাম তরৈ য়ান্দুনা চনিঙ লয়তানা পানবগী মমোম খুমন য়েকওইবি কোরৌ নোংথিন চায়বিনা সনা খোঙলেঙনা মাকক্ লুহাং খুঙ্গদা খোঙলেঙবদি সমুদ্র-গুম্বা ঈশিং অচৌবদা লৈবা লিক্লাই পোহাল খোনবদা খাউজাউ থন্না লোকপি হান্না থিজৌই। নবেক্কৌ মৈতৈলৈমনা অঙ্গুন্না সনা খোঙলেংবদি অসিনমু লোইখা নত্তে।

অহুম্সুং মদোমদে। হাওরৈ খানা পাংবরম লোইবি অনাল মপুংয়াই চৗংখোং পোইরৈতোনগা লৈমা লৈনাউতাবিগা লোইবি শিদবা হেমবা নাদববু খুনথিব-রম অনাল মপুংয়াইদা সনা খোমহানবদি ছয়েন লান-নিংগীদি মারেম লমপুং অথৌববু কায়না হুল্লে। য়োইবু মৈতৈলৈমনা সনা খোমহানবদি অহুম্সুং মদোমদে। হাওরৈ নোংপোক-লা পাংবরম চকপা সেকমু মপুংয়াই নানদা মচিংশাংদা সনা খোমহানথবদি হুয়েন লাননিংগীদি থামুং লাসোং লানথৌয়াংবু কায়না হুল্লে। য়োইবু মৈতৈ লৈমা সনা খোমহানমনগীবু মিংওনখিয়ে। নান্দা সেকমু-ঙম্বা থামুং লাসেং ফাবি-ও তৌনা কোয়ে। য়োইবু মৈতৈলৈমনা সনা খোমহান-বদি অহুম্সুং মদোমদে। শেনবি মাখনগা কবো মদাইমা মুংয়োং খুন-লেনলয়দা সনা হোমহানবদি অহুম্সুং মদোমদে। হুয়েন লাননিংগীদি থামুং লানথৌয়াংবু কায়না হুল্লে। মৈতৈলৈমা খয়োইরোন মাকক লোইখোমবিনা সনা খোমহানবদি অহুম্সুং মদোমদে। হাওরৈ লাইনা পাংবরম লানহাং মপুংয়াইদা সনা খোমহানবদি অহুম্সুং মদোমদে।

খা মাইকৈ পাংবলমগী অনাল কোবা খুঙ্গংদা চৌংখোং পোইরৈতোনগা লৈমা লৈনাউতাবিগা অনিনা শিরোই নারোইদৌবা খুন্দাবা য়াবা মফম থিরকপদা অনাল খুঙ্গংদা খুন্দাখিবা লমদা খোঙলেঙহুনা হুয়েন মাংওইনখিবদা লমদম অতুগী মপু অথৌববু লানঙমখি। মৈতৈলৈমনা সনা খোঙলেঙবদি অসিনমু লোইবা নত্তে। নোংপোক মাইকৈ পাংবলমদা তাবা চকপা সেকমু খুঙ্গংগী লান্দা চৗংশাংদমু খোঙ-লেঙখি। মফম অতুদমু হুয়েন মাঙওইনরবদা থামুং লাশাং কোয়া লান্দা পৌবমুমু লানঙমখি। অস্থুমা মৈতৈ লৈমনা সনা খোঙলেঙহুনা পোকখিবা খৌদোকপী মমিং ওনখি। লান্দা শেকমু ঙম্বা থামুং লাশেং ফাবি হায়না কৌনখি। মৈতৈ লৈমনা সনা খোঙলেঙহুনা লামাবদি অসিনমুং লোইবা নত্তে। শেনবি কবো লমগী মুংয়োং কোবা খুঙ্গংদমু খোঙলেঙখিবদি অসিনমু লোইবা নত্তে। লানফম অতুদা হুয়েন লানশোরুহুনা থামুং কোবা লান্দা খোবমুমু লানঙমখি। মৈতৈ লৈমা খুমন য়েকওইবি মাকক লোইখোম্বিনা অস্থুমা খোঙলেঙবদি অসিনমু লোইদে। অমাং মাইকৈ পাংবলমদা লৈবা লনহাং কোবা খুঙ্গংদমু খোঙলেঙখিবহুদনা লোইবা

হাওরৈ লাইনা পাংবরম লানহাং মপুংয়াইদা সনা খোমহানবদি হুয়েন লাননিংগীদি মারেম লানমিংনববু কায়না হুল্লে। য়োইবু মৈতৈলৈমনা সনা খোমহানবদি অহুম্বুং মদোমদে। হাওরৈ খানা পাংবরম লমলেন মদাইমা মহৌ ফাইবোকচীংবু নাতৈননা লোনতাই মপুংয়াইদা সনা খোমহানবদি হুয়েন লাননিংগীদি লোনতাই মনিংথৌ মুংকারেং অপৌববু কায়না হুল্লে। য়োইবু মৈতৈলৈমনা সনা খোমহানথবদি অহুম্বুং মদোমদে। হাওরৈ খানা পাংবরম নয়ুরা চীংখোং পোইরৈতোনগা লাইরেন ঙাংঙোই য়োইমোংবগা লমওরুবা মরমথৈ তুমবি ইরাংকোন য়াকেন মতমপাক মুং-লেপ পোৎমাললৌ য়ামপে শুংতোংবাই খোইমোম লাইয়িংথৌ মমা রাংনু-রৈমা খোংচোম ফাবিচা হেমবা রাংতোংচীং খোইমোম লাইচৎ-য়ি হেমচং চকপ-য়ি মালেম চাপং-য়ি শুংখেন চামিলৌ পোংচাই য়িনামুংবু তাননা খনবা খোইমোম পিগুম কনবা চীংঙু খোংকৈ চাউবা মখুরোনবু নাতৈননা লোইবি সাকং মপুংয়াইদা সনা খোমহানথবদি হুয়েন লাননিংগীদি সাকং মনিংথৌ হুয়েন লমকাংববু কায়না হুল্লে। য়োইবু সনা খোমহানমনগীবু মিংওনখিয়ে।

নত্তে। অবাং মাইকৈদা লৈবা লনহাং খুঙংয়াইদা লাম্লাখিবদি লানকম অহুগী মারেম কৌবা লান্দা মনিংচৎপবুসু লানঙম্লকখি। মৈতৈলৈমনা অসুম্না সনা খোঙলেঙবদি অসিনসু লোইবা নত্তে। খা মাইকৈ পাংবলম লমলেন মহৌ ফাইবোক চীঙ্গী তা-ইনবা লোন্দাই কৌবা খুঙংদা লাম্লারুবগী লানকমদা লোন্দাই নিংথৌ মুংকারেং কৌবা অথৌববু লানঙমখি। মৈতৈ লৈমানা সনা খোঙলেঙবদি অসিনসু লোইবা নত্তে। খা মাইকৈ পাংবলমদা নবুথৌ চীংখোং পোইরৈতোনগা লাইরেন ঙাংঙোই য়োই-মোংবগা ওরুখিবা লম, তুম্বি লোকী ঈশিংনা খুম্বা, য়াকেন তম্পাক ওইবা, নুংবী অচৌবনা লেপ্লা নুঙবী নুংয়াই পৈনা তোংলবদা চীংঙু খোইয়ুম লাইয়িংথৌগী মমা ইবেম্মা রাংনুঈথাই লৈমগী মতিক্তগী লাইজ ঈশিংদগী খিঙৎলকপা রাংতোং-চীং, খোইমোম ঈশিংনা চেনবা-লম, হেমচং চকপা লমদা চেনবা ঈশিং, মালেম চাপং-য়ি শুংখেন চামি লৌ পোংচাই য়িনামুং খনবা চীংঙু খোইয়ুম লাইগী পিগুম কনবা চীংঙু মাগী খোংদৈ চাউবা চীংলোনবু তুংওইননা লৈবা লোইবি সাকং খুঙংয়ামদা সনা খোঙ-লেঙবদি লানকম অহুগী সাকং নিংথৌ হুয়েন লমকাংববু লানঙমকখি। লানকম অসিদগী

লোইবি সাকংঙমবি হুয়েন লমকাপুং ফাবি-ও তৌনা কৌয়ে। য়োইবু মৈতৈলৈমনা সনা খোমহানবদি অহনুং মদোমদে। হাওরে লাইনা পাংবরম শেনবি তাইচিংলেন কবো শারেন তেখাউলয়দা সন। খোমহানথবদি হুয়েন লাননিংগীদি তুমুরৈ অথৌববু কায়না হুল্লে। য়োইবু মৈতৈলৈমা থংদা খয়োইরোন লোইয়মবা-চম্নু কোরৌ নোংখিল-চায়বি হুয়েন তুমুরৈ ফাবি মাকক লোইখোমবি সনা লিনকোইগি ॥০॥০॥

৪৩। পামহৈবা।

নয়ু মৈদিংগু নোংপোক ব্রাইরং পামহৈবা থোংনাং ময়ামব-ও তৌনা কৌয়ে। মৈদিংগু থোনাং ময়ামববু নোংপোক ব্রাইরং পামহৈবা কৌবদি কদৌনোংগীনো? নয়ু খোইমোম লাইহিংথৌ থোংনাং লিশিং চাইবা মশানওনবু য়োইবু মৈতৈ লৈমা থংদা নোংবাললোন লোইবি থিংবা-ঙমবিনা নাকলু ফিয়াননা খাংখা মিহুনবনু য়াওব্রা মশিং-শু লোইদাম থাবু

মৈতৈ লৈমাবু মশিং হোংখি। লোইবি সাকংঙবী হুয়েন লমকাপুংফাবি হায়না মিয়ৌখি। মৈতৈলৈমনা সনা খোঙলেঙবদি অসিনম্নু লোইবা নত্তে। অরাং মা কৈ পাংবলমগী শেনবি তাইচিংলেন কবো শারেন তেখাউলয়দা খোঙলেঙনুবগী লানকমদা তুমুরৈ কৌবা অথৌববু লানঙমখি। য়োইবু মৈতৈ লৈমা থংদা খয়োইরান লোই-য়বা-চম্নু কোরৌ নোংখিল চায়বি, হুয়েন তুমুরৈ ফাবি মাকক্ লোইখোবীগী শেংলবা শিরোয়্ংগী ॥

৪৩। মৈদিংগু পামহৈবা

(খৃঃ ১৭০৯-১৭৪৮)

নবুখৌ মৈদিংগুগী মিংলেন্দি নোংপোক ব্রাইরং পামহৈবা থোংনাং ময়াম্বা হায়না মিয়ৌই। মৈদিংগু থোংনাং ময়াম্ববু নোংপোক ব্রায়রং পামহৈবা কৌবদি কয়িদগীনো? নবুখৌ খোইমোম লাইহিংথৌ থোংনাং লিশিং চাইবগী শাইওন্না মৈতৈ লৈমা থংদা নোংবালোন্ লোইবি থিংবাঙবীনা পুক্রুং সনা হব্রক মেপ্পা গর্ভ পুরববু লোইদাম থাশিং গুরবম্নু বাক্লোন শঙলেন চঙনা সন। লাইহুইবরা লাইহুইদে। মৈতৈ-

ফারববু মোংবা শারোং লপয়ানকাদা নাউপেংলকপরা নাউপেংলক্কে। মোংবা শমজি লোইয়াম্ফমদা নাউপেংও হায়ববু নাউপেংলক্কে। য়োইবু মৈতৈলৈমাদি য়াওরা মচিন থেবিদে। কোনখাং মচিন থৈবিদরবগী য়োইবু মৈতৈলৈমাদি কোরৌ ঙমলোইনখিরে। মশাবী লাইরেন শেনবি কাবোমবদি তানথোং লমমৈখম্ লেমথোং পনদোন লোমবগী অরাংহনবা ক্রথোংদা থৈখৎখিরে। য়োইবু মৈতৈলৈমা লোইবি থিংবা ঙমবিদি শাচু় য়ুতৈগান থমথুং য়াইশিংনুংদা তোংচেং কুম্হি চল্লববু খোইমোম মশানগনগী পলেম পিবুক মুংগী থাংলেন হায়ববু কোরৌনোংবু-ঙান মালেম লয়রোন ফাউনা চোংখৎখিয়ে। অহু নোংগীবু মৈদিংঙু মচা পামহৈবা থোনাং লিশিং চাইব-ও তৌনা কৌয়ে। নয়ু খোইমোম লাইয়িংথৌ মৈদিংঙু মচা পামহৈবা সনা মমিংলেনবু তাঙ্না শমনা মিংথোং ফাবা মৈদিংঙু নোংপোক রায়রং পামহৈবা-ও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন মৈদিংঙু নোংপোক রায়রং পামহৈবদি হাওরৈ খানা পাংবরম চুমপা কৈকোংথেন চমপা ঙাতোইরোক থৈতা

লৈমদি মতৌ অসুম লাইহুইদরবগী কোরৌ অঙানবা মপুবু লাইনিংজখিয়ে। মশাবী লাইরেন মৈদিংঙু শেনবি কবোম্বনা পুনশি মতম লোইবগা লোয়ননা কোরৌ থোঙ্গা তানখি। মতৌ অসুম তৌনা য়োইবু মৈতৈ লৈমা থংদা নোংবাল্লোন থিংবা ঙম্বিদি চীংঙু লাইগী মফমদা পুরুম ঈড়াং থোনিজবদগী চীংঙু লাইগী নোংদম শাইরোন কংহুনা বাঙ্গোয়্ংদা মপারী ওইনা শাংচখি। মুমিৎ অহুদগী মৈদিংঙু মচা পামহৈবা থোংনাং লিশিং চাইবা খোইমোম লাইয়িংথৌনা শাইরোনবা মৈদিংঙুগী মমিংবু চুননা নোংপোক রায়রং পামহৈবা হায়না থোল্লবা নিংথৌনি. লাইরেন মৈদিংঙু নোংপোক রায়রং পামহৈবদি থা পাংবা মাইকৈরোমদা লৈবা চুম্পা কৈকোংথেন চম্পা ঙাতোইলোক্তা লৈবা পৈতা থুমা তাবগী থা পাংবদা লৈবা শাচুং কৌবা খুঙংদা লামাখি। লোইবি শাচুংপুং হায়না কোনখিবদি করিদগীনো? মবুথৌ চীংখোং পোইরেত্তোমা চীংমী ওইনা চীংগী লমদম অসিবু করম্না শিরোই নারোইদোবা খুন্দাবা য়াবা মফম লৈরিগদগে হায়না থিরকপদা লোইবি শাচুং খুনগী নিংথৌ শাচং লংমাইলেম্বনা পানু, হরাই, শিংখা শিং অথুবা থারিথৈদা পামজোঁদা ওরুরে। থাবনথৈদ

ময়িমনাকপু. নাত্তৈননা থারম শাচুং মপুংয়াইদা খোঁশাবনে। লোইবি শাচুংপুং-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো? নয়ুব্রা চৌংখোং পোইরৈতোন্না লোইবি শিদবা হেমবা নাদবধু লৈরিগবরা হায়না চৌংবুরোই তমধু-কেননা খুনথিরকপদা লোয়বি শাচুং মনিংথৌ শাচং লংমাইরেম্বনা পানফক পানক্কোই-লৌ শিংখা সিংথুম লৌবু লৌতাওম্বদা সমওক্করে। হয়িঙৈ পাথৌ কৌবদি ইচুম্না কোয়ে। হে য়িচুমনা-ও! নংদি কনানো পাওহংববু ইচুমমা-ও ঐদি শাচুং নিংথৌ শাচং লংমাইরেম-বনে! য়িচুমমা-ও নংদি কনানো হায়না পাউহংববু ইচুমমা-ও! ঐদি চৌংখোং পোইরৈতোননে। লোইবি শিদববু খুনথিবনে। তৌই-গীদি শাচুং নিংথৌ শাচং লংমাইরেমবা নংনা পানফক পানক্কোই-লৌ শিংখা শিংথুমলৌবু লৌতামন্নবা অসিদি শান্নুরা শাৎপরা য়োম-লোইরা য়োমতাংলা পাউহংবব য়োমলোইতত্তি নত্তে। শান্ন শাৎপা-মে পারী তেংকোক লিব্রাইনে। য়িমোম য়িনলুম নাউশংনে। তৌই-গীদি য়িচুমমা-ও! ঐদি য়িপারী থাইন-য়াম য়িমোম তোকনা হক্সবগীবু

ইতাউ (মরুপ) হায়বা ৱাহৈবু ইচুমমা হায়না হায়নৈ। অদুনা হে ইচুম্মা! নওবু কনানো হায়না হংবদা ইচুম্মা! ঐদি শাচুং নিংথৌ শাচং লংমাইলেম্বনি। ইচুম্মা! নংদি কনানো হায়না অমুক হংলক্কবদা ইচুম্মা! ঐদি চৌংখোং পোইরৈতোননি। লোইবি চৌং-সিদা খুন্দাবা য়াবা শিরোই নারোইদোবা মফম থিরকপনি। অদুবু শাচুং নিংথৌ শাচং লংমাইলেম্বা নওনা নওগী পান শিংখা শিংথুম থাকম লৌদা লৌতামিন্নরিবা অসিবু নহাক্কী মুপীরা নত্রগা নমোমলা হায়না হংবদা ইতালোইদি নত্তে। শাচুং ঐগী ইমোম শাৎপিনে। ইপারী মমাম শাৎখিবগী মমৈনে। ইমোম ওইবা মুন্দরিবী নাবা মতম ওইবিনি। অদুম ওইনমক ইচুম্মা-ও! ঐদি ইপারী ইমোম কয়ামা থাইনখিবা মরম্মা হংবনি। অদুবু চৌংখোং পোইরৈতোন-ও! নওগী নপারীগী মখিংবু কয়ি কৌবনো হায়না হংলবদা হোয়দা ইচুম্মা! ঐগী ইপারী অমদি চাথা খোংহনবা কোই হায়না হায়রবদা নওগী নকমদা মরম অদুদগী ৱাফম অসি হংরনি। ইপারী অমদি কাওদোন লৈনাউবা কোই। মাগী মথা অমসু পান্নাউ শিংনাউ তাওখনি। ইচুম্মা! ইমোম অমগী মখিংনা হুইয়াই কোংচিংমু শাফবি হায়না কোই। মরম অদুদগী ইচুম্মা

পাউহংবনে। তৌইগীদি চীংখোং পোইরৈতোন-ও! নপারী কোনলোই মমিংথোংদি করি কৌবনো পাউহংববু হোয়দা য়িপারী অমদি চাখা খোংহনবা কৌয়ে হায়থরবদা নংদি অহুগীবু সুকহোং সোইহোংবনে। ইপারী অমদি কাঙতোন লৈনাউবা কৌয়ে। হোয়দা নংদি অহুগীবু সুকনাউ সোইনাউবনে হায়থরবদা মিচুমমা-ও ইমোম অমদি খায়োই মুরাহন ছইয়াই কোংটিংনু শাকবী কৌ'য়। হোয়দা ইচুমমা-ও! নংদি অহুগীবু শুকহন সোইহনবনে হায়না পাউথুমথবদা শাচং লংমাইরেমবনা পাউহংলকয়ে। চীংখোং পোইরৈতোনও! নমাইবদি করি কৌবনো? য়িমাইবদি খিকনম ফোইনমবা কৌয়ে। নংদি অহুগীবু শুকনম সোইনমবনে। নামাইবদি করিনো য়াংকেননে পাওথুমখিয়ে। নংদি অহুগীবু শুককেন সোইকেনবনে। নখিংকাইদি করিনো উপন্-নে। নংদি অহুগীবু শুকপন সোইপনবনে হায়না পাউথুমলবদা তৌই-গীদি শাচুং নিংথৌ সাচংলংমাইরেমব-ও! নমাইবদি করিকৌবনো পাউহংববু হোয়দা য়িমাইবদি থোংনাং কাইপায়াং কৌয়ে। ঐদি

(মরূপ) নউগী নক্মদা পাউহংবনি হায়রবদা শাচং লংমাইলেম্বনা অনুক হংলকই। চীংখোং পোইরৈতোন-ও! নঙ্গী নমাইবদি করি কৌবগে? ঐগী ইমাইবদি খিকম ফোইনবা কৌই। অহুদি নঙদি মরম অহুদগী শুকম শোয়নবনিদনা। নমাইবদি করিনো? য়াংগেয়ে হায়না খুমখি। অহুদি নঙদি,শুককেন শোইকেনবনিদনা অহুগী নখিংকাইদি করিনো হংবদা উপয়ে খুয়ে অহুনা শুকপন শোইপনবনে হায়না পাউ-থুমবদা অহুম ওইনমক শাচুং নিংথৌ শাচং লংমাইলেম্বা-ও! নংগী নমাইবদি করি কৌবগে হংলবদা ইমাইবদি থোংনাং কায়বয়াং কৌই। ঐদি মরম অহুবগী শুক ই শোইকাইবনি। নমাইবদি করি কৌবগে? ইমাইবদি উতংনে। ঐদি অহুগী শুকং শোইজংবনে। নমাইয়েংবদি করি কৌবগে? তাউজিং হয়্মিয়ামনে। মরম অহুনা ইপারী ইমোম মনীং য়াবনে হায়না পাউথুমলবদা অহুদি ইচুমা! নমাই-বগা ইমাইবগা নখিংকাইগা ইখিংকাইগা নমাইবগা ইমাইবগা শিন্নরসি হায়না শিন্নখি। মুমিং অহুনগী লোইবি শাচুং-পুং-ও হায়না কৌখি। অসিগুম্বা লোইবি শাচুংপুংদা লাইরেন মৈদিংঙূনা করি কয়াউ থোক্না মদাইরেম হংরেন লাহোৌবা কমানা তুংইরা

অহুগীবু স্বককাই সোইকাইবনে। নমাইবদি করি কৌবনো য়িমাই-বদি উত্তংনে। ঐদি অহুগীবু শুকতং সোইতংপনে নমাইয়েংদি করি কৌবনো তাউজিং হৈমিয়ামনে। ঐদি অহুগীবু শুকয়ামবনে পাউথুমথবদা তৌইগীদি য়িচুমমা-ও নামাইবগা য়িমাইবগা নথিং-কাইগা য়িথিংকাইগা নমাইবগা ইমাইবগা শিন্নসে হায়না শিন্নরমরে। অহুনোংগীবু লোইবি শাচুংপুং-ও তৌনা কৌয়ে। লোইবি সাচুংপুংদা লাইরেন মৈদিংঙুনা থিংকু মথিনাই লাইরেন মৈবুঙোৎ খংনং লাইতং লেংনা খৌশাথবদি থারম শাচুং য়াকা চায়রে। মরান থুমবি মৈমাংচন হুয়েন য়াইশিং মুংলে। মৈবি তাংগোইপাই মৈথু নোংলোনকা চংলম ফানশাংথুম শাইপু মৈতান পকলে। হুয়েন লাননিগিদি শাচুং নিংথৌ সেনকুপলেন ·লানথৌয়াংবু মদাইরেম মুংয়াং রাহেংবনা থমং টারোন মাইপায়না নোংহামলবদা লাইরেন মৈদিংঙুনা থাঙলেন মথুৎশু য়াংথু য়েকতৈবনা লূরক কাংদৈথি খৌনাউ লোনথোং লেনলে। মদাইরেম মুংয়াং রাহেংবনা থমং টারোন মাইপাচামনগী হুয়েল য়াইশিং মকম

লান্নাবদি খা মাইকৈগী শাচুং খুঙ্গং অহু কায়খি। খুঙ্গং অসি মৈ থাহুনা মৈথুনা নোংদোন অসি মন্না কাহুনা তাঙ্গোই তানা চাকপগা লোয়ননা লানবুম কন্না মথধোই মাঙাখ। লানকম অসিদা সাচুং নিংথৌ শেনকুপলেন কোবা লান্দা থৌববু মৈদিংঙগী মদাইরেম মুংয়াং রাহেংবা কৌবনা হকথং টা পায়হুনা থরাই শিবা য়ানা থিল্লবদা মৈদিংঙুনা থাঙলেন মথুৎশু নিংথিবা মচুথৌ মিয়েন য়েকপনা হাইহৎতুনা মঙক ককথি। মনাই মুংয়াং রাহেংবনা হকথং টাবু পায়হুনা মাই-য়োক্লজবগী মরমদগী লানকমদগী থরাই কলহোই। মতৌ অসুম তৌনা মৈদিং-ঙুনা শাচুং খুঙ্গং অসিদা অহিং য়ারেক্তুনা অনৌবা অদুক লালহোবদা লোইবি শাচুং লমগী লেমাবী (খুম্লাকপি) লৈরাংগী মমিং লোনা মিংথোনবি লৈশোক লৈয়োমু কৌবিগা মৌপা নিংথৌ খোংকন মেলৈ নাদা শিববু অহিং অমদা থুৎশু থাঙলেন রাংনা হাইনা পূঙগী পূঙলোন থোকপগুম থুবাক থুনা তান য়েনা হরাউ মথোই কানা থুনলিংঙবদা মমিং লৈবগা, হুং ন লা দহু চং বি া কোনকাইগী লৌশেম থুনলানবা ঙখু কৌবা লান্দা থৌবগা, পোৎশান কুশা থুনগী লৌশেন চরানলবা লোইবি

কানলৌয়ে। লাইরেন মৈদিংঙুনা শাচুং মপুংম্নাই তুবি য়াকারেকনা অনৌবা থৌতোংহৌরবদি লোইবি শাচুং মরৈমাবি শীংলেন লৈমিংনবী লৈসোক লৈয়োমমুগা মচু নিংথৌ থোংকন নাশি-নবা ইপুং শোয়াই-মাদা হেমবা খাংচেনমাদা য়াংলেন থাংয়েননা অশৈ থৌশকপা খুপাক তাপুং ফুনা নোয়না ওমতম হৌবা মালেম লৈশা লিংবা লানমিং-মাইবা চংবি লাকোনফাইগী লৌশেন খুলাল্লবা ওমপু লানথৌয়াংগা পোৎলানফশা থুনগী লৌশেন চরানলবা লোইবি য়িমপিলেং অথৌবগা হুয়েন লানবুম ৫ মাবু কায়না হুল্লে। তুবি থয়াং মথৌমনগী লাইরেন মৈদিংঙু থোংনাং ময়ামবা হেমবা উরাংলোক্তা থৌদোংবা লৌশেন অতোনবা মিয়্নিমনাক্তা তেনশিংবা লোইবি শাচং-ওম্বা হুয়েন শেনকুপলেম ফাবা-ও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন সনা মচুংশেনদি অহুস্নুং মদোমদে। হাওরৈ নোংপোক-লা পাংবরম নয়ুব্রা চীংথোং পোইরৈতোননা লাং-ওনবলম ময়োন মচিংশাং লোইবি হাওমায়োন মায়োন মপুংয়াইদগু নাতৈননা অতুন খুনলেন লয় লোইবি খুৎলৈ মপুংয়াইদা থৌশাথবদি

য়িমবিলেং কৌবা অথৌবনচিংবা লালবুম ৫ মকপু লানঙ্গকথি। মৈদিংঙুগী মতিক মথৌনাসিগী লাইরেন মৈদিংঙু থোংনাং ময়াম্বা হেম্বা উরাংলোক্তা থৌদোংবা, লৌ-শেন অতোনবগী ময়িম্নাক্তা তেনশিংবা লোইবি শাচং-ওম্বা হুয়েন শেনকুপলেন-ফাবা হায়না কৌথি। মৈদিংঙু অসিগী মতিক মথৌনাদি অসিনমু লোইবা নত্তে। নোং-পোক মাইকৈদা নবুথৌ চীংথোং পোইরৈতোম্না চীংমী ওইহুনা লৈরুবা ময়োন কৌবা চীংশাংগী খুজং লাল্লগা লৈবা অতুন কৌবা খুলেনগী খুৎলৈ কৌবা খুঙ্গংদা লাম্নাথিবদি খুৎলৈ নিংথৌ শাচুংলেং কৌবা লান্দথৌবনচিংনা লাম্মী ১০ মকপু লানঙ্গকথি। মৈদিংঙুগী মতিক মথৌনাদি অসিনমু লোইবা নত্তে। থা নোংপোক পাংবা মাই-কৈদা লৈবা হুংথান কৌবা খুন্দা লাম্নাথিবদি হুংথান নিংথৌ মতিক মঙম লৈবা মমাই মশম্না য়োয়া লৈবা শউনগী লুহুপ উপ্পা লমদম অহুগী লৈঙাকপবু লানঙমথি। লাই-রেন মৈদিংঙুগী মতিক মঙম মথৌনাদি অসিনমু লোইবা নত্তে। নোংপোক মাইকৈ পাংখলমদা লৈবা বাবা-চীংবু তুংওইরগা লৈবা তোমজিং কৌবা চিংশাংবুমু তুংওই-নমগা লৈবা লম্নাইবুমু হেন্দোক্লগা লৈবা লোংঙাপোক কৌবা খুঙ্গংদা লাম্নাথিবদি

লোইবি খুৎলৈ মনিংথৌ শাচুংলেং অথৌবনা-চিংনা হুয়েন লানবুম ১০ মাবু কায়না হুল্লে। তুবি সনা মচুংশেনদি অহুস্নুং মদোমদে। হাওরৈ নোংপোক খানা পাংবরম লোইবি মাখনমা হেমবা মদাইমা ঙুংখান মপুংয়াইদা খৌশাথবদি হুয়েন লাননিগীদি ঙুংখান মচেং মনিংথৌ পাইপু নাকলোই শেনবা শউন লুহুপ্পবা মালেম শারৈ লাকপবু কায়না হুল্লে। লাইরেন সনা মচুংশেন তুবি চুংশেন মরানহৌদি অহুস্নুং মদোমদে। হাওরৈ নোংপোকলা পাংবরম হেমবা রাবা-চীংবু নাতৈননা তোমচীং মচিংশাংবু নাতৈননা লমলাই মপুংয়াইবু নাতৈননা কোরৌ লোংঙা-পোক মপুংয়াইদা খৌশাথবদি হুয়েন লাননিগীদি তরাস্নু লানথোয়াংবু কায়না হুল্লে। তুবি মরানহৌদি অহুস্নুং মদোমদে। হাউরৈ খানা পাংবরমবু য়িতিং ঙাইতংকা-চন্নু শাইওনচীং কোন্দে খুৎচুম মাইবা লাইকনচীং মহৌ ফাইবোক-চীংদা খৌশাবদি হুয়েন লাননিগীদি মারেম ঙানথকৈয়েংবু কায়না হুল্লে। লাইরেন সনা মচুংশেন তুবি মরানহৌদি অহুস্নুং মদোমদে। হাউরৈ নোংপোকলা পাংবরম শেনবি লিরু মপুংয়াই

লানফম অহুদা তরাশ্ কোবা লান্দা থৌববু লানঙমখি। মৈদিংঙুগী মতিক মঙমদি অসিনস্নু লোইখিদে। খা মাইকৈয়োমদা লৈবা য়িতি ঙাতংকা চন্নুনা শাইওনখিবা চীং মহৌ ফাইবোক কৌবা-চীংদা লাম্নাবদি লানফম অতুদা মারেম ঙান্থ-কৈয়েং কৌববু লানঙম্নকখি। মৈদিংঙুগী মতিক মথৌনানা মরাঙ হৌনা লাম্নাখিবদি অসিনস্নু লোইবা নত্তে। নোংপোক মাইকৈ পাংবরমগী শেনবি লিরু কৌশা লমগী ফোংদা হিঙাইফমদা পোইরৈ মৈদিংঙুচা য়োইরেনবা চীংঙু মতিক লৈবগা লৈমা চীনফু তথেম্বিগা লোয়ননা ঔরা মাইয়োক মাখি। লানফম অহুদা ঔরাগী লুচিংবা লোং-কিমু কোবা অথৌববু লানঙমখি। অহুগা ঔরাগী ফোংতু হিঙাইবি হিঙাইবগা লানবুম ওইনা ফারকখি। হুমিৎ অহুদগী মবুথৌ চীংঙু থোইহুম লাইরিংথোগী মথৌ-আন্দগী লানগী লানথাং লৌনা লীরু কোবা তুরেলগী ঈচিন্দা থৌনাবা থামরন চেকাই তমখিবা ঔরাগী লোংকিমু কোবা লান্দা থৌববু লানঙমবা হায়না কৌনখিবা অসিনস্নু লোইবা নত্তে। মৈদিংঙুগী মতিক মথৌনাগী থৌরাং অসিদগী থামরন মনিল নাইবগী মনাই ফোংতু হিঙাইব থামরন চেকাই তমখিবা লোংকিমু অথৌববু ফারবগী থামরন

কোংদা হিঙাইফমদা খোইমোম লাইয়িংথৌ মৈদিংঙুমচা য়োইরেনবা চীংঙু ভাইবং থায়বগা খোয়মোম চীংখোং নাক্কেগী য়োইবু চীনকু তথেমবিগা হুয়েন লাললোইননা অন্না লানয়াম থারে। হুয়েন লান্নি-গীদি অরা লোংকিমু অথৌবধু কায়না হুল্লে। ফোংতু হিঙাইগী হি-ঙাইববু লোকুলকৃয়ে। অহুনোংগীবু ময়ু খোইয়ুম লাইনিংথৌ চীংঙু মরনকৃগীবু হুয়েন লানথাং লৌনা লীন্ন য়িচিন্দা খোশাবা থামরন্ চেকাই মীরোংখন অন্না লোংকীমু অথৌববু কায়না হুনব-ও তৌনা কৌয়ে, অহুসুং মদোমদে। লাইরেন মরানহৌদি মন্নিম থামরন মনিল নাইবনা মদাইরেম ফোংতু হিঙাইবা থামরন চেকাই মীরোংখন লোংকিমু অথৌবধু ফারৌবগী থামরন ব্লাকাউদনা হুয়েন লান্তারকয়ে। লাইরেন মৈদিংঙুনা হাউরৈ নোংপোক্লা পাংবরম শেনবী লৌমল্লাং খোকেপ লৌপানথোংদা হুয়েন লান্দাখিয়ে। খোকেপ লৌপানথোং-ও কৌবদি কদোনোংগীনো? শেনবি ব্রাহৈনা কবো তেংথাননা থোংবু তিথু-ও কৌয়ে। অকনববু তিকেন-ও কৌয়ে। অহুনোংগীবু তিকেন-ও

লম্না অকাউবা লৈতবদগী লান্তারকলে। লাইরেন মৈদিংঙুনা নোংপোক মাইকৈ পাং-বলম শেনবি লৌমল্লাং খোকেপ লৌপাম্বোংদা লান্দাখি। খোকেপ লৌপাম্বোং হায়না কৌনখিবদি করিদগীনো? শেনবি কবো লমগী মীনা হায়নবদি থোংবু তিথু হায়না কৌই। অকনববু টিকেন হায়না হায়নৈ। হুনিৎ অহুদগী টিকেন হায়না হায়-নববু পোইরৈ লমগী অছেবশিংনা খোকেন হায়না কৌনৈ। খোকেপ লৌপাম্বোং কৌবা লমসিদা মৈদিংঙুনা কছি কম্লাউ থোক্লা মা পুক্লিং মুংঙাইতনা লান্নারবদা থামরন তেঙ্গোন তম্বা কায়খি। ঔবা পুন্নমক তান্ন-তান্নহুনা য়ায়খি। কবো কো-ন্নুংগী নাকন্দা লৈবা চৌকোং কৌবা অচৌবা উমংদা কবো নিংথৌনা শাবা ফুরা নিং-থিবা সনা হৎপবু লোইচনখি। থাবী লেংনাউ মোখী কৌবনা পামেল উংাম য়োকপা উমংদা থবা শগোল ১০ সু লোক্লকই। থুমন য়ুমদাবা (লান্দা চেনশিন্নহুনা লৈখিবা) লাংত্রা কৌবা লমগী লাকবাই ক্রাফু কৌবা শান্দা থৌববু লানঙমখি। শেনবি পোংনিংথৌগী মচা মনাই কয়াসু শিখি। মাক্লং থম্নাপোক্পী রাক্তং ১০০০ সু থোন্নকই। মাক্লং বাংমদগী নোংমৈ ২০০ সু লোক্লকই। শেনবি কৌথৈভোনগী

কৌববু পোইরৈতা ফাথিবনা থোকেন-ও তৌনা কৌয়ে। থোকেপ লোপানথোংদা লাইরেন মৈদিংঙুনা তুবি থিংকু মথিনাই লাইরেন নৈবু ওৎনা খৌশাথবদি খামরন্ তেংকোন ১০ চায়রে। অন্না পামতায়রে। চৌফোং উমংলেন শেনবি নিংথৌপনগী লকয়াংদা মিংসনা লৈত্রেং চিনববু কায়না হুল্লে। খাবী লেংনাউ মোমবি তলা উয়োককোনগী লাংগোই শগোন ১০ লোকল্লোয়ে। খুমন অচনবা লাংত্রা চাক্তাব্রাইগী অন্না লাকব্রাই ক্রফ্ অথৌববু কায়না হুল্লে। শেনবি পোংনোংচা সনা মুকতু তুম্পবু হৈরাউয়ে। মাকলং থল্লাপোক্কী রানতং ১০০০ খোমলৌয়ে। মাকলং য়িরাংমাগী নোংমৈ ২০০ লোক্লকয়ে। শেনবি লৌথৈতোনগী খাগী করাংচি থাংচু য়েকতৈববু লোকলোয়ে। তুবি থয়াং মথৌমনগীবু লাইরেন মৈদিংঙু খোকেপ্ লাম্বাবা তারাং তেব্বা ফাবা-ও তৌনা কৌয়ে। তুবি সনা মচুংশেনদি অতুস্নুং মদোমদে। হাউরৈ নোংপোকলা পাংবরম লাইরেন মৈদিংঙু থোংনাং ময়ামবনা তুবি রাকয়ৈ মথুনেৎ রাকয়ৈ খোংজোমবা তোংচেং শেনকোই

খাগী করাংজি ফিগা থাংশাং নিংথিবা ময়েক হাংপ্লন্থ লোক্লকই। মৈদিংঙুগী মতিক মথৌনাসিদগী লাইরেন মৈদিংঙু খোকেপ লাম্বাবা তারাং তেবা ফাবা হায়না মিজৌনৈ। মৈদিংঙুগী মতিক্তি অসিনম্থ লোইবা দত্তে। নোংপোক মাইকৈরোমদা মৈদিংঙু থোংনাং মায়াম্বনা লাইরেন মাগী রাকয়ৈ হি খোংজোম্বা তোংচেং শেনকোয় লোকপা হায়না মিংথোনববু পুজুনা মাকলং তুরেনগী ঈরম মতুংইন্না লাক্লগা নিংথি তুরেনগী তোৱৈনা তোপ্তোপ্না তাহনবা মুরাং কৌব খুঙ্গংদা লান্দাখি। মুরাং হায়না কৌথিবদি করিদগীনো? নবুধৌ চীংথোং পোইরৈতোন্না করবাগী লমদম অসিদা করম্বা শিরোই নারোইদৌবা খুন্দাবা য়াবা মক্কম লৈরিগদগে হায়না থিরকপদা শেনবি মীয়াম্না ইরাউ রাউনা কবো মীশিংনা ইমু মুনা লৈরমই। হুমিৎ অতুলগী মুরাং হায়না কৌনথি। অতোপ্পা রাকমদা মুরাং হায়না অমুক থোম্রথিবদি শেনবি কবো পোং নিংথৌ চৌক্তা থিথোববু মনাই কিয়াং নমপেৎ কৌবা অথৌবনা চীংজাউ থোইরেন্না চয়োম শানা পাইশিল্লকপওম হুরেন লাঞ্জংলক্লবদা কিয়াং লমগী থমপাং লমদম অসিবু লাম্নামিন্নসি হায়না হুরেল

লোকপবু ৱাকয়ৈ খোংওইননা মাকলং লাইজ ৱিরময়িন নিংথি ভোরৈ কৃমা তোমতোম ময়িয়াক মুৱাং মশাইকোন্দা হুয়েন লান্দাখিয়ে। মুৱাং-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো ? নয়ুৱা চীংখোং পোইরৈতোয়া শেনবি শিদবা কবো নাদববু খুনথিরকপদা শেনবি ৱাউহুম ৱাউ কবো মুহুম মুমা লৈঙময়ে। অহুনোংগীবু মুৱাং-ও কৌয়ে। মুৱাং খোন্-মরকতি শেনবি পোংনিংথৌ চৌফা খিকখোমববু মদাইরেম কিয়াং নমপেৎ অথোবনা খোয়ফ্ তুগুমববু মচিন-তুম শায়বা তুগুম ময়া শারক্লবগী কিয়াং থেং-মন্না খমপাৎ ঙামম্নসে হায়না হুয়েন লানপাউ চেল্লবগী মুৱাউচাবু তাবনা শেনবি ইনিংথৌ চৌফা খিকখোমবা-ও! নদাইরেম ইখোইদি শেনবি ইরানথোংদা খোয়মা ইমায় ওন্দনা হুয়েন লানথোং ঙাকচগে হায়না পাউথুমখিয়ে। ময়িম শেনবি ৱাহৈনা কবো তেংথাননা লৈপাক খুন্দা ফববু মু-ও কৌয়ে। পাউগুম মরাং কায়ববুদি ৱাউ-ও কৌয়ে। অহুনোংগীবু মুৱাউ-ও তৌনা কৌয়ে। মুৱাউ খুনলেনলয়দা খোঁশাথ-বদি মুৱাউ য়াকা চায়রে। মরান থুমবি মৈমাংচন থারা খেনচং-কিন

লানবাউ চেল্লক্লবদা মুৱাউ লমদা তাবনা শেনবি ইনিংথৌ! চৌফা খি খোম্-ও! নদাইরেম ওইবা ঐখোইদি শেনবি ঐখোইগী ইরমসিদা ইমায় ওন্দনা লানফম লাম্হোং ঙাকচগে হায়না থুমজখি। কবো লমগী মীশিংনা হায়নবদি লৈবাক খুন্দা-ফববু মু-হায়না কৌনৈ। ৱাহৈ পাউথুম মরাঙ কায়বকুনা ৱাউ হায়না কৌনৈ। মুমিৎ অহুদগী মুৱাউ হায়না কৌনৈ। অসিগুম্বা মুৱাউ কৌবা খুল্লাউসিদা লান্দাবদা মুৱাউ খুজং কায়খি। মুৱাউ খুজং পুম্বা মৈ থাড়ুনা তাক্লা লান্দাখিবনি। লানফম অসিদা তখেন চামৈ লান্দা খোঁববু লানঙমখি। শেনবি কবোনা তাবা লৈকাই নমশি খোংনম-চীং মরক্তা তাবা মুৱাং খুল্লা অহুগা লাচংতোং মুপেং কৌবশিংনা তাবা নমশি কৌবা লোইচেৎ ৫ মক্তা মায়ক খুজং ৭ মক্তা মুৱাউ খুজংগী লৈকাই ৬ মক্তা পুন্না খুজং ১৭ মকপু কোয়তান তারহুনা থাঙগী লানথেংনবদা নমশি খুনলেনগী লাশেং খমকুম কৌবা লান্দা খৌবগা মানলক লমগী লংখি থামুং কৌবা লান্দা খৌবগবু লানঙমকখি। লোইবি লোইহাউবি ১০০০ গা খোয়া সনাগী উপুম্ব লোক্লকই। লাইরেন

শন্নিক লাইশন্-থুম মরান লানকা-ভাক মরোন লোনকা-থুগ্না পনথেং-লে। হুয়েন লান্নিঙ্গীদি ভখেন চামৈ লানথোয়াংবু কায়না হুল্লে। শেনবি য়িমলৈকাই কবো তমলৈকাই নমশি খোংনম-চিংমরক মুয়াং-চাবু তাবা শেনবি লাংচংতোং মুপেং তানা তাবা নমশি লোইচেৎ মঙামা মান্লক খুনগং ৭ মা মুয়াউ খুন-লৈকাই ৬ মা শেনবি খুনগং ১৭ মাবু শেনবি পামতান্নবা কবো থাংয়েননা খৌশাথবদি হুয়েন লান্নিঙ্গীদি নমশি খুনলেন-লমগী লাশেং থমকুম লানথোয়াংগা মান্লক লম্ময়াইগী লংয়ি থামুং লানথোয়াংবু কায়না হুল্লে। লোইমু লোইবি হাউ ১০০০ খোমনা সনা উপু লোকলে। লাইরেন মৈদিংঙুনা অয়াং লায়না পাংবরম শেনবি তুয়া-ইন্ কবো চীংলম কানা পনথেংবদি হুয়নিং য়াগা চায়রে। মোংপরাং য়াগা চায়রে। তমলেন তেংকোন লোমলে। শেনবি য়িম্লৈকাইবু হাঙ্দনা কবো তন্নৈ-কাইবু শেনদনা শেনবি লানয়াম ফারে। নোংপোক লানকা মাঙ্লে। লাইরেন সনা মচুংশেনগী শেনবি নমমেন ঙমবা ফুরা লাইচাউ লোকপা থমুং আইপেৎ

মৈদিংঙুনা অবাং মাইকৈ পাংবসমগী শেনবি তুয়া মতুংইন্না কবো তাবা চীং-লোমদা কানা হুয়েন লাম্বেংথবদা হয়্নিঙ কৌবা খুঙ্গংমু কায়খি। মোংপরাং খুনমু কায়খি। তমলেন তেঙ্গোনমু মাঙ-তাকখি। শেনবি কবো লমগী লৈকাই হাঙদনা কবো য়ুমক খুংনা লাম্মী থাখি। মতুংদা নোংপোক মাইকৈগী লাম্মী অয়াবা শিখি। অসিগুম্বা মৈদিংঙুগী মতিক মথোনা অসিদগী শেনবি নমমেন-ঙম্বা ফুরা লাইচাউ লোকপা থামুং আইপেৎ কৌবা লান্দা থৌববু লানঙম্বা হায়না মিংথোনখি। মৈদিংঙুগী মথৌনাদি অসিনমু লোইবা নত্তে। নোংপোক মাইকৈদা লৈবা চান্দা খুনলেননমু লান্দাখি। চান্দা খুনলেন-লম্ হান্না কৌথিবদি করিদগীনো? শেনবি কবো লমগী মীনা হায়ন-কৌনবদি তোংচেং থারা পনশাববু চান্ হায়না কৌই। নিংথি ফুরেল মতুংইন্না পরেং শানা কুংনা থুন্দাইয়ে। অতুনা চান্দা খুনলেন-লম হায়না মিংলৌনৈ। লাইরেন মৈদিংঙুনা অঙোম চাং শমতুনা চান্দা খুঙ্গংদা কম্বি-কন্দাউ থোক্না পোইহৈ লাম্বা থৌবশিংগা লোয়ননা শাক্তি লানকি মতিক চানা শেত্তুনা চুঙ্গী চুঙলেপ ৬০ চোং যগগী যগলেপ ১০

লানখৌয়াংবু কায়না হুনবা মিংথোংখিয়ে। লাইরেন সনা মচুং-শেনদি অহুম্সুং মদোমদে। হাওরৈ নোংপোক লাবু চান্দা খুনলেন লয়্দা খোশাবনে। চান্দা খুনলেন্ লয়্ও কৌবদি কদৌনোংগীনো। ময়িম শেনবি ন্নাহৈনা কবো ভেংথাননা তোংচেংখায়া পনশাববুদি চান্-ও কৌয়ে। য়িংথি লাইজা ভুয়া-ইন খারা খেনচং হেম্না খুম্তা-ইয়ে। অহুনোংগীবু চান্দা খুনলেন লয়্ও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন মৈদিংঙুনা অংকো চীয়াই শম্না চান্দা মপুয়োইদা তুবি থিংকু মথি-নাই লাইরেন মৈবু ওৎনা কাংঙচম থোঙজাউ হাংনা শেকচুপ পন্তাই য়াম্না লানক্ক মরোল-হু চংলেপ ৬০ চোং কাউরেন ষনথাং ১০ লান খংনংলাইতং লেংনা খোশাথবদি চান্দা য়াকা চায়রে। মরান থুমবি মৈমাংচন হুয়েন য়াইশিং মুং মৈবি তাংগোই-পাই মৈথু নোং-লেনকা খারা খেনচং কিম্না পনথেথরে। হুয়েন লাম্নিগীদি নোংপোক নমবা মুরাবি কবো চান্দা লৈমা তগফা খুৎফাং লোইবিগা কাঙচম থোঙজাউ ঙাকপা লায়েপ্ লান্মিংনাইগী লাশক কাচেং থাংশাবগা।

লাম্না খোশানা লান্দাবদা চান্দা খুজং থুগাইখি। খুজং মৈ থাহুনা লানমী অয়াম্বা থরাই মাঙহন্দুনা মৈগী মৈথুনা নোংদোন্দা কা তাজোই পাইহুনা মুনলেং পরেং তাববু তক্না লান্দাখি। লানকম অসিদগী নোংপোক নম্বা মুরাবি কৌবা চান্দা লৈমা তমফা খুৎফাং-লোইবিগা কাংঙম থোঙজাউ ঙাকপা লায়েপ কৌবা লান্দা মমিং চৎপগা লাশক কাচেং কৌবা থাংশাবগা লাম্নী ৪ মকপু লানঙমখি। মৈদিংঙুগী মতিক অসি-দগী মমিং ওনখি। লাইরেন মৈদিংঙু শেনবি চান্দা-ঙম্বা নোংপোক নম্বা মুরাবি কবো চান্দা খজংগী লৈমা তফা খুৎফাং লোইবিবু লানঙম্বা হায়না কৌনখি। মৈদিংঙু অসিগী মতিক মথোনাদি অসিনম্সু লোইবা নত্তে। নোংপোক মাইকৈ পাংবলমদা মৈদিংঙু থোংনাং মমাম্বনা থায়না মবুধৌশিংনা পানখিবদা লমদম অসি য়োনা কুমজা কয়ানা লাঙ্গং ওয়রমদে। অহুনা মৈদিংঙুনা অমুক হন্না মতিক উৎনা শোংশুক লমস্সু লোই চন্দুনা থামরন লমবু লান্দাগে হায়না ক্রানম থৌথুবা ৭ না ঙাই-নবা লোকী ঈশিংনা তারকপা মংশা লোথেংকোই নোংবাল চকপ্রথম খেনবু তুংওই-নরগা হুয়েন লান্দাখি। অসিওম্বা মকবু তরেৎ নমথৌচাং হায়না কৌখিবদি

হুয়েন লানবুম মাবু কারনা হুল্লে। লাইরেন থন্নাং মথৌমনগীবু মিংওনখিয়ে। লাইরেন মৈদিংগু শেন্‌বি চান্দা ওমবা নোংপোক নমবা শুরাবী কবো চান্দারৈমা তমফা খুৎফাং লোইবিবু কায়না হুনব-ও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন সনা মচুংশেন তুবি মরান-হৌদি অহুম্নুং মদোমদে। হাওরে নোংপোক্লা পাংবরম লাইরেন মৈদিংগু থোংনাং ময়ামবনা লহান ইমু নিংথৌচা ইমাংগীনা চুপ্তলোং মপানচুম খেয়ে টাচিন কায়না পনথেংঙমদববু লাংহৈ কুমশিংগুনা পনথেং ঙমদ-রিয়ে। অনৌবা য়াইবি কলহো-নীক শোংশুক মপাল ফ্রুক পন-থেংগে হায়না ক্রানম থৌচিং ৭ ঙাইরৌ-য়ি মংশা লৌথেংকোই নোংপাল চকপ্রমবম থেনবু নাতৈননা হুয়েন লান্তাখিয়ে। তরেৎ নমথৌ-চীং-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো? খুমন কাচেংথু শাথিবা তালোই মরুম অমনবি হাউহু শামনমু শাথিবিনা ক্রাং নম্‌থৌ চিনখুবা ৭ মাদা লাইজ য়িকাহন্না কেগাম হৈকাশোই খুমলাং ময়োন শৎনা য়োইময়াই তাউদনবদা তাইজখিয়ে। য়োই ময়াই লাইরেল তাউদনবা-ও? কোরৌ

করিদগীনো? কাচংথু কমথিবগী মতালোই খাইনরি হাউহু শামমু শাথিবীনা ক্রাং নমথৌ চিনখুবা ৭ মক্তা লাইজা ঈশিং হয়াহুনা হয়রাং শোইনা চাবদা শিজিন্নবা কেগান্না খুমহি নিংথিবু শোক্লা কল্লগা। কোরৌহনবা হুমিংকী মফমদা থৌজিনখি। হে কোরৌহনবা য়োইময়াই তাউদন্‌ব-ও! নঙবু কৈদৌবগে নোংমত্তদি ঐগী ইপু-রোইবা ওইজগে হায়রবদা য়োইমাই প্রাউদনবনা হাউহু শামমু শাকবী নঙদি খুমন কাচেংথু শাথিবগী মুশীনি। অহুগুম্বা অকুৎপা লমদা বৌবা লৌহোন, মীনা কোয়খি-বগী মথাকথা, শাবন অতোঙবদা হোবা লৈরাং, মীনা হেক্তোবখুলা মথাক, মীনা নম্নখুবা লৈরাংগুম্বি নঙবু করি তৌনরগদগে হায়রুনা মখুৎনা কংমা-ঙাথু-থেংথুননা বারী শাহুনা লংনখি, মাহুদা হাউহু শামমুনা পাউখুমজখি। য়োইময়াই তাউদনবা নংদি কয়া ফববু নত্তে। নোংপোক মাইকৈরোমদগী লাক্লুনা খুন্দারবা চকপগী মশক্তুম মাল্লি। নমাইস্থ ইপাক পাকই। তাংবা মানবা মরম্না তাইহুম তাইবনা লোইবি চাংমাইদা হোবা শহু রাংগেন্নচিংবা নাপী শীঙবী অমদি লোক খুদিংবু নঙনা তাইবনা মহেল্লে। অহুন

তবোপপবু নোংমতবু ইমান্ মচা শাসে হায়না পাউথেমবগু য়োইমম্নাই তাউদনবনা হাউজু শামনমু শাক্ষবী-ও নংদি খুমন কাচেংথু শাখিবমী তানলোই মরুম অমনবি লোহোন চাইজি মীরোমন শাবন্ লৈরি মীহেক-খ্রাক লাংনা লুককোই নম্নমল্ হাকুম কোনবি মীচিন-থাক লৈরাং অমমবি নংথুদি কদোনকো, থুংনা ইনথেংনা কোয়না ৱারৎনখিয়ে। হাউজু শামনমুনা পাউথুমখিয়ে। য়োইময়াই তাউদনবা নংমু ক্রাকবা মস্তে। নোপোক নকাইদগী লমহৌরকপবু চকপা মানয়ে। পাকতুম পাকয় তাংবা মানয়ে তাইতুম তাইয়ে। শত্রু চিংলাইঙান, থৌবি লোকমাই হেনয়ে। মাই কতৌনকো হায়না পাউমেম্নরময়ে অহ্নোংগীবু ৭ ঙাই-রোয়ি ক্রাং নমথৌ-চীংও তৌনা কোয়ে। শেনবি মাখন্-মাবু নোংবান্ চকপা লমথেন-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো ? নোংবান চকপালমবু সনা পোনচেং শানা সনা লিকথানা শেনবি মপুংয়াইদগী লাংগোই শাক্তিকলুববু মরান ওন্দেরকপদা শেনবি মতমপাকী হাউরৈ নোংচুপলা পাংবরম লোইবি মচিং কারকপদা হেমবা মাখন্মাদা লাংগোই নিংথি

কদৌরুগবনো হায়না পাউমেন্নজরম্মী। হুমিৎ অহ্নদগী তরেৎ ঙাইরৌ-রি ক্রাং নম-থৌ-চীং হায়না কৌনখি। শেনবি মখন অমদা তাবা নোংবাল চকপা লমথেন-ও হায়না কৌনখিবদি করিদগীনো ? নোংবাল চকপা লম্ধু সনা পোনচেং শানা সনা লিকথানা শেনবী থুজং লমদগী শগোল অম লৈরুরগা মহুমদা হল্লকপদা কবো তম্পাকী নোংচুপ থংবা মাইকৈরোমগী লোইবি চীংশাং কারকপদা লোক অমদা মাগী লাংগোই নিংথিবা তবোপ তংবাপ্পু শিরে। নোংবাল চকপা লম্ধু সনা পোনচেং শানা লিক-থানা তাংখুল মনিল নাইবা চীংদা পানবশিং ও! ঐগী লাঙ্গোই নিংথিবা তবোপবু শিরে। নখোই চাজবো হায়না হায়রবদা লোইমি চীঙ্গা পানবশিং শারেন শাধু চাম্না পাম্বশিংনা থুনা য়াওনা চেৎথিহনা থাঙ্গলন থুত্তা পায়হনা লাঙ্গোই শা অহুবু চা-নবা শা অরেনববু হোনজবিগি ইঙদা লোইবি চীংদা পানবা তাংখুন কাংবু অমনা চেংপোল পুনা মরাও হোৗরিংও মপুংকিং হহনা লাঙ্গোই শগোল অমা অনুক নোনা মমল তিক-কমদে। কবো লবদগী লাঙ্গোই মখোও পিকপবু অমুক পুহনা মোংবা মযুম তানা হল-কপদা তাংখুন মনিল নাইবা মীয়ারা লোইবি মশারি হুংশিবগীদমক লম্বিদা লেজা

নোংমন্নবদা নোংবাল চক্পা-রমবু সনা পোনচেং শানা লিকথানা তাংখুল মনিল-নাই লোইবি তানা তাবশিংও! লাংগোই লিংথি তবোপবু নোংমল্লে শারেন শাচানাখিও হাইরবদা লোইবি শারেন শাপামবশিংনা অচেন খংলৈ ম্নাং থাংলেন খুত্তা শূনা লাংগোই শাবু চাবা শারেন হোনজখিরিঙৈ লোইবি মপারি তাংখুল মারাহৌবু চেং-পোন পুরিতু থিংলৌনিঙনা তেনা লাংগোই ১ রক শাতিক্লরুইয়ে। শেনবি মপুংম্নাইদগী লাংগোই খোংচেংববু পুনা মরান ওন্দেরকপদা তাংখুন মনিল্ নাইবনা লোইবি মপারী পামুবগীদমকপু ম্নাংলৌ লম-খাংমা খোয়মা নারোম্নুংদা ঙাইখম ঙাইবদা নোংবান চকপরমবুগা লমওক্লরে। লোইবি কাচকহৌ হেমবা মনিল নাইনা থাতাথিখিয়ে। নোংবাল চকপরমবু সনা পোনচেং শানা লিকথা-ও! নংনা লোইথি ইপারীবু চেংপোন পুরিতুনা লাংকোই শাতিক্লরকপগী কারোং খুংখুমগে হায়থরবদা নোংবাল চকপা লমবুনা লয়্না নিঙনা পাণ্ডখুমখিয়ে। তাংখুন মনিন নাই হেমবা তানা তাবশিংও। ঐবু করোং খুংখুম-

---

থুল্লুনা লৈরগা ঙাইরিঙৈদা নোংবাল চক্পা-লম্‌গা লমওক্লথি। লোইবি থক্তা পানবশিংনা মপুক মুংঙাইতনা তাথি তাওইথি। নোংবাল চক্পা লম্ নিংথৌঙাই নিংথৌ হকথংও! মঙ্না লোইবি লমদা পাঙবা ইচাবু চেংপোন পুনা লাংকোই শগোলবু মতিক্লরবগী লমন খুমগে হায়রবদা নোংবাল চক্পা লম্না হৈনঃ শিংনা বাথল তৌরগা খুমকথি। হে তাংখুল মনিল নাইবা হেবা তানা তাবশিংও! ঐবু মথোইনা লমন খুমগে হায়বসি খুমগনু হায়না মাগী খুংখু থাঙশাং পায়হনা তুমন্নৌ নাকুপ্নি হৌবা লমদা পামেল উজাউ কৈনা কক্তুনা থাজিন্নিবা লমথৈবু মতম কুইনা নথোই লোইহা ওইনজোও মোইপোৎ লৌজোও হায়না হায়রময়ে। মুন্নিং অহনগী নোংবাল চক্পা লমথেন হায়না কৌথি। মৈদিংগুনা অসিগুম্বা চক্পা লমবুগী থেম, শেনবি শোংশোক থুজংদা লাম্নাথিবদি শোংশোক লমদি কায়হনু চেনখি। লানকন অহনগী লাঞ্জিংবা চৌমু কৌবা লান্দা থৌবমু মুমিং তাবশুব তাম্নিং-মখি। মৈদিংগুনা হৌবিবা মুমিং কম্নানিবকপগী মমাংদা মমাই অচানবশিংদা লোম্ন-বদা হজরন লাম্দা থৌনা লাম্নীশিংনা থাঙনেন থুংখু পায়হনা থাগী মমাংদি থাঙ্লা

ঙনো হায়না থংলেন মখুৎশূনা তুমনৌ নাকুপপবু পামেন উকৈ কক-না খোয়্মা লাংথম তোয়বা মালেম চীপুং পৈবা অসি মরমবু লাংহৈ কুমশিং য়াম্না লাংপল করোং পোৎখোমজৌ-ও হায়রময়ে। অচু-নোংগীবু নোংবান্ চকপলমথেন-ও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন মৈদিং-ঙ্না নোংবান চকপরমবু থেনবু শেনবি শোংশোক মপুংয়াইদা খোশা-থবদি শোংশোক য়াকা চায়রে। পাংকা মপান লোয়্রে। পাইচন য়িমমিং লাকপা চৌমু লানথোয়াংদি কোরৌ ঙমলোইনখিয়ে।

লহানোং য়িমমিংলাকপা সনা লৈত্রেং চিননা হেনমোইবা থাঙলেন য়োয়াউ ফান্বা খাকি ফরাংচিনা সনা শাপোৎ মঙান্ নাইবা লাংগোই খোংওইননা পে, চোঙ্লেন্ খানবা লাথম লানমিং নাইবগা মপারী লাথম তনবা মথোকলকপগা তম্বা মীরোংখন থৌমাল কোংকোই অথৌবানচিংনা নাহা মুবী হন্নুহনবা খাক্তনা পুংকারি কিয়োংফমদা পানচাং লাইলিক তম্বগা শেনবি পুম্না হুপ্না নোংপোক সনা কোনগারমদা কাউরেন যনকু হোইকুম শোংশূক চঙ্না খোম্লে লাইরেন মৈদিংঙু খোংনাং

পে চোঙ্ খান্দুনা মপারী লাথম তনবা নাহা মশা ইনথৎলকপগা অমদি হুয়েন লান্দা থৌবা তমথিবশিঙ্গা নাহা মুবী হন্নুবা হন্নুবী চিথদনা পুঙত্রি লাইনিঙফমগী পনচাং লাইরিক তম্বগা লোয়ননা হুমিৎনা থোক্লকপা নোংপোক মাইকৈরোমদা লান্দাখিবদি লানকম অচুগী লানমী অয়াম্বা যন যঙ্ হোইবগুম্না শোংশূক লমগী লানমী অয়াম্ববু চঙ্না খোম্লকখি। লানকম অসিদগী মৈদিংঙু খোংনাং ময়াম্ববু সনা মিংলেন তমখিয়ে। মৈদিংঙু শেনবি শোংশোক ঙবনা থৌনাম কোজোন অথৌববু লানঙম্লকখি। নোংমৈ ১০০০ লোকপা তুম্নিংবা তুরেনগী যাংমা নোংপোক পাংবলমগী মুম্নু-খোংজাউ ঙাকপা শোঙ শেম্না লৈবা তমথিবশিংবু লানঙব-ও হায়না মিক্তৌনৈ। মৈদিংঙুগী মতিক মথৌনাদি অসিনমু লোইবা নত্তে। খা নোংচুপ পাংবা মাইকৈরোমদা লৈবা উদয় নগর কৌবা চীংদোমপোক্তী খোংনাং (ময়াং) তখেন নিংথৌ ধর্ম মনিক্রা কৌবনা ইদাইরেম অচানবা সত্রাজিৎ নারন অথৌবা লানজিংবা নঙবু লাউও। লহান খোং-নাং ঐগী তখেন লানমী মীয়াম থাদুনা খা-লমদা লমগী লম্বাল থোবা চৎপদা পোইরৈ মৈতৈশিংনা যোলাই লেং য়াম্বৎখিবা হুম্নিত্তা ঐগী লাজোই শগোল য়াইশবু মূনথিবগী

ময়ামবদি তুবি সনা মচুংশেনগীবু মিংওনখিয়ে। মৈদিংঙু শেনবি শোংশোক ওমবা থৌনাম কোংগোন অথৌববু কায়না ছল্লে। নোংমৈ ১,০০০ লোকপা তুয়িংবা নমথম্ সনায়িগী নোংপোক পাংকা লানথাবা মুহু খোংচাউত্তাকপা শোংখৈ মীরোংখমবু কায়না-হনব-ও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন সনা মচুংশেনদি অহুম্মুং মদোমদে। হাওরে নোংচুপ খানা পাংবরম উতোয়নগর চীংদোমপোক্কী থোংনাং তখেন মনিংথৌ থর্ম্ম মনিক্রা চোয়নৌ সনা রাপি হায়বনা ইদাইরেম সত্রচিং নারল লানচিংবা নংবু লাউ-ও। লাহাননোং থোংনাং ঐগী তখেল মনিল্ নাইবনা খারম লমপান থৌরুঙৈ ময়িম পোইরৈ মৈতৈনা হুলাই লেংবু য়ানথেক-নোং লাংগোই মোইশাবু মুসলৌরা রাংলেন পুংমাই য়ানফংনোংগীবু লৈবনে। লাইরিক ভাগবোৎরাগী তেথাউ ঙাইওইনগে হায়ঙৈদমুং থোংনাং তখেন ঐবু য়াংলৌ লমথাং পোৎথিন্লোইবু ওইনগে হাইঙৈগীধু রাকাউদরিয়ে। পোইরৈ তমদা তানা পনথেংলু-ও হায়না থৌশিরকয়ে। তখেল লালোই মপুংফানা হুয়েল লানহোরকলিঙৈ ঔরা তোংদোই

অমদি রাংলেন পুংমায় য়াম্থৎখিবগী বাকমহু লৈরি ! অহুগা ভাগবত কৌবা পুরান লাইরিক্কীদমক ঙাই ওইনসি হায়হুনা থোংনাং তখেন নিংথৌ ঐবু পোৎচৈ থিলহনখিরগা মাইখিবা পিরক্থিবগী বাকমহু লৈরি ! অহুনা পোইরৈ মৈতৈ লমদা লান্দাক্তও হায়না থৌশীরকপনি (থৌদারকপনি) ! অস্থুরা তখেন লানমী মপুংফানা লালহোরক্লঙৈদা ঔরা তোংদোই নিংথৌবু অঙম অথৌপুম্বনা কোয়শিন্না ফম্লিঙৈদা মংত্র নিংথৌনা ইয়াম্বা মংত্র কেংতু ওম-ও ! পোইরৈ মৈতৈ লান্দা মমিং চৎপশিংনা ঐখোইগী লম শোংশোক থুন্দা শোংশোক মচাশিংবু কাউরন যঙ্ হোইবগুন হোইহুনা খোমথে ! অহুগা মচা ইথেমা তমফা রাওমলোনহু লৈমা পিগনি হায়জিন্নহুনা ইনাইশিং পোংতোংহুনা হিথক্তা ঙাইবা ঙাইবি পুন্নমকপু নিংথি তুরেন্দা হি লাপ্পবগীদমক থাখিবনি। ইবুধৌ মুংয়োং মংত্র নিংথৌগী বাকৈ নিংথিবা ফোংতু সনা হিহু শীওজংনা য়াম্ফেক্লগা থাম্বী মৈ থাখিবগী বাকথ্ খামরন ঐখোয়না কাউদরি। অহুনা পোইরৈ মৈতৈলমদা লান্দাক্তও হায়হুনা থৌদাখিবগী লমলেন চাপী লোক্লাউপুংদা লাঙ্গোই মাইকংশাবু লানগী শগোল অয়াম্বু উগী উচুক য়ুংহুনা থামরন তেঙ্গোন শাহুনা লৈরবদা মৈদিংঙুনা

নিংথৌবু খমনৈ কোইষ্কমবা সচক মিগ্র মংত্র মিংথৌমা ইশাখি মংত্র কেংত্নু-ওরও ! মম্নিম পোইরৈ মৈতৈ মনিল্ নাইবনা ইরোয় শোংখোক তানা তাবনু কাউরেন বনকু হোইগুম্ খোমখিয়ে। মযোম্ তমক্ষা ব্লাংঙেমলোনবুম্নং মরান মুহোং খোংথোংবিগে হায়শিন্নলা ইদাইরেম কোংত্নু হিঙাইবি হিঙাইবা পুম্নামাক্নুং মিংখি হিরাম খা-নখিয়ে। ইয়ু মুংয়োং মংত্র নিংথৌগী ব্লাকয়ৈ হিরাংচান কোংত্নু সনা হিম্নুং শিঙচং লৈতোয়চননা খামবী মৈথানোংগীবু খামম্নন ব্লাকাউদরিয়ে। পোইরৈ তমদা তানা পনথেংনুও হায়না থৌশীব্রাগীবু লমলেন চৌপী লোকলাউপুংদা লাংকোই মাইকংশা পামেল্ লেপতম-মুং খামরন তেংকোন্ লেপলবদা লাইরেন মৈদিংগুনা হাউরৈ নোংপোকলা পাংবরম য়োই ময়াই তাউদনবা মশাবি তাউহুইরেং অহনবগী লাংকোই মথুনেৎনা কোয়ৌ নোংলানপানগী পাইথব্রাই ব্লাংচিং লোকচাউ-য়ি-চৌপী লোকলাউপুং চাখা শারুংকম কাকোন নোংদমম্নিবু নাতৈননা চৌপী লোকলাউয়িদা হুয়েল লানদাখিয়ে। ব্লাংচিং-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো ? খ্বাই নোংচেংপম পিবা ম্নেকমা

নোংপোক মাইকৈ পাংবলমদা, থাম্নগী মবুধৌ মৈদিংগু তাউদনবগী ময়াম্বা তাউহুই-রেং অহনবগী শগোলনা ইম্ফাল কংলৈ পুঙমযোম্নগী চেনথ্রগা ব্রাংজিং লোকচাউ-য়ি চৌপী লোক্লাউপুং চাথা শারুংকম কাকোন নোংদম-ম্নিবু তুংওইনরগা লৈবা চৌপী লোক্লাউ-য়ি কৌবা মকমদা হয়েন লান্দাখি। ব্রাংজিং হায়না কৌবদি করিদগীনো ? খ্বাই নোংজেংবম পিবা ম্নেকমা হাউতংলা নমু পোংবচা-চা অতনবনা মৈতৈ নিংথৌগী ময়াম্বা তাউহুইরেং অহনবগী লাঙ্গোই থোংনেৎ শা শগোলবু মাগী তেম্না কাপ্তুনা পাম্নবদা কংলৈ ইম্ফাল লমগী খা মাইকৈমোমদা ব্রাংবা চাউনা চেম্নরকথি। মুমিৎ অহুমগী ব্রাংজিং হায়না কৌনখি। অসিগুম্বা ব্রাংজিং লোকচাউ-য়িদা মৈদিংগুনা কহি কপ্পাউ থোক্লা শারেন শানিংথৌ নোংশাগী মতৌগুম্না খুৎশ থাঙলেন হাইহুনা পকম্না চুলোই মাইওইবনা থবাক ওানকম হকচাং পুম্বা কুপ্পা মৈদিংগুনা টিমেন নিং-খিকা মুংশিৎ কোইরেং টাবু পায়হুনা খোশাহুনা হয়েন লাম্নাবদা থামরন অয়াম্বা মাই-খিবা কংলে ওবা পুম্না কারথরে। মানকম অসিদা ব্রাংজিং লোকচাউ-য়িগী ওবা কেংত্নু-চা থামরন চৌতাপ কৌবা নাম্নিংবনা, থাগী করার্ধব কংলহুনা সনা, নুপাগী অকম্ন

হাওকংলা বন্ পোঙ্খারাচা অতম্বনা য়োইময়াই ভাউরনবা তাউহইরেং অহনবগী লাংগোই মথুৎলেংপু লাংগোই থক্সুং থিৎনা য়াক্সা তেনপাম্বগী কোয়বো লোংলানপানগী য়াংনা চঙ্উনা ভারকয়ে। অহুলোংগীবু য়াংচিং-ও খোয়রেয়ে। য়াংচিং লোকচাউ-দিদা লাইরেন মৈদিংঙুনা তুবি থিংকু মথিনাই লাইরেন লোংশা খেয়াং থাংনা গনন্তা চুংগোই য়াইওইববু চুওলেন থাক্লপ-হৌ তুবি চিমেন মথুংশ্ মুংশিং কোয়ক্লেং টাবু মালেম লম্কাউ তুনা খোশাথবদি থামরুন নেংচং য়াক্লে। অৱা নেংচং য়াললে। হুরেন লাননি-গীদি য়াংচিং লোকচাউয়িগী ঔৱা কেংমুচা থামরন্ চৌতাপ্ লানচিংবা থাকি করাংচিনা পুন্নুং লমঙান নাইবা সনা য়েপকাং তুপপবু কায়্না হুক্লে। চা-খা শারুংথেনগী নোংমৈ ১,০০০ লোকলোয়ে। শিকোং লোনয়াম-পাংকী ভরুং থাংওববু হৈরোয়ে। নাউদা নাউরংকোনগী চুংগোই লিশিং খোমলোয়ে। খোয়মা লংচাকপোককী লাংগোই শাপোং ভাইবু লোকলোয়ে। কাকোন নোংদময়িগী হংস উতি লানথোয়াংবু হৈরোএ। থামরন চৌংকারমগী শেনবি তারুং থাঙ্বু থাঙ্লেন চুমবুন শান্না খোমলোয়ে। লেমলৈ ঙারাউ থেনগী শেনবি কাম্রাংচা অম্রাং থাংশূববু কায়না হুনলোয়ে। চীপী লোকপাউপুংগী চোয়নৌ সনা ফিপুন লিশিং

ফংলববুসু লানঙ্রেকখি। চাখা শারুংথেনগী লানফমদা নোংমৈ ১০০০ সু লোক্লকই। শিকোং লোনয়ামপাংকী ভরুং কোবা থাংশাববু মথক্লাই লোয়কখি। নাউদা নাউ-রংকোনগী চুঙ্গোই ১০০০ (লিশিং) সু খোয়্রকই। শগোল শাপোংকী ভারসু লোক্লকই। কাকোন নোংদম তুরেনগী হংসউতি কোবা লান্দা থোববু লানঙমখি। থামরন চৌঙ্গা লম্বীগী শেনবি তারুং থাঙশাংসু চবুন শেয়া পুন্দুনা খোমলকই। লেমলৈ ঙারাউথেনগী শেনবি কাম্রুংচা অম্রাং কোবা থাঙজকবুসু লানঙ্রেকই। চীপী লোকপাউপুংগী লমদগীসু সনা ফিগে মপুন পুনবা লিশিং অমা খোয়্রকই। চাখা শারুংথেনগী মখিং চাঙ্গ্যাকমদসু ঙাঙগী লোনাই ১৫ লোক্লকই। মখিং পোংথরোমসু টা ১৫ লোক্লমই। য়াংশিং লোকখুমদা শেনবি কবো ভারেঙচা চৌথাপ কোবা লাঞ্জিংবা থাগী করাংজিনা শগোল শাবক্কী। য়াগা কমকমববুসু কায়লই।

খোমলোয়ে! চাখা শারুংথেল মরীং চীংগারমগী ঔব্রা হুলাই ১৫ লোক-লোয়ে। মরীং পোংবরোগী টিমেন তাপুন ৫ লোকলোয়ে। মরীং পোংবরোগী টিমেন ১৫ লোকলোয়ে। ব্রাংচিং লোকলুথুমগী শেনবি তারেংচা চাউথাপ্ লানচিংবা থাকি ক্ষরাংচিনা পুম্নুং মগান নাইনা লাংগোই শাগোন তোংববু ফারোয়ে। মরীং থানলৈ য়িথৈ-খোংগী লাকব্রাই ক্রাফ্ হুলাই তোংববু কায়না হুললোয়ে। খোইপু চিংকারমগী সনা য়েপকাং লিশিং খোমলোয়ে! হেমবা ব্রাবাচীংগী ব্রাবা ১০ মচাকফু কোরিফ্ নানৈববু ১০০০ খোমলোয়ে। হেমবা ব্রাবা চীংগী লাংকোই লেপু খোংবা থামরন তেংগোন চায়বনচিংনা শামু ৩০ লোকলোয়ে। লাইরেন শেনবি থাগেমবা পলেম য়াইগী ঔব্রা তেংকোন্ মাংকী কেংতু ঙস্বা মথংগী লাকয়ান্দা মিং সনা লৈত্রেং চিনববু কায়না হুললোয়ে। তুবি থয়াং মথৌমনগী মিংওনখিয়ে।

লাইরেন মৈদিংঙু থোংনাং ময়ামবা খোয়বু চীংলাইপাক্তা তেনশীং-বা লোইবি থোংনাং পন্দা থৌতোংবা ঔব্রা চৌতাপ্ লানচিংবা নন্দ-ক্রাথাং অথৌবধু কায়না হুনব-ও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন মৈদিংঙুগী সনা মচুংশেনদি অহুস্নুং মদোমদে। লাইরেন মৈদিংঙু নোংপোক

মরিং থুনগী লোফম পু-নবা ঈথৈ খোংগী লানফনদা ক্রাফ, কৌবা হুলাই তোংববুস্থ লানঙম্নকই। খোইবু চীংগী কা-নবা লম্বীদা শোক্লবা লানকমদা সনা মপাক লিশিং অমা খোম্নকই। ব্রাবা-চীংগী ব্রাবা তরানা চাবা ওকপা কোরিফ, অমন্বা ১০০০ স্থ খোম্নকই। ব্রাবা চীঙী লানকমদা শগোল লাম্মীনচিংবগা লোয়ননা শামু ৩০ স্থ লোক্লমই। শেনবি থাগেম্বগী মহাকথক্তা ঔবা তেঙোন শোক্লবদা য়াউথিবা কেংতু ঙম্বাগী মদাইয়েম অচানববুস্থ গানঙম্নকখি। মৈদিংঙুগী মতিক অসিদগী সনা মিং-লেনস্ন হোংখি।

লাইয়েন মৈদিংঙু থোংনাং ময়াম্ববু, খোয়বু চীংগী চীংমায়দা লনশিঙবা ময়াং মাইকৈগী লোইবি চীংগী চীংথক্তা লানফম্বা ঔবা চৌতাপ লাঞ্জিংবা নন্দ-ক্রথাং কৌবা অথৌববু লানঙম্বা হায়না মিজৌনৈ। মৈদিংঙুগী মতিক মথৌনাদি অসিনস্নুং লোইব নত্তে। লাইয়েন মৈদিংঙু নোংপোক ঘাম্নরং পামহৈবদি থা নোংচুপ পাংবলম্মদা

রাইরং পামহৈবদি হাওরৈ নোংচুপ থানা পাংবরম কেগে চাউবাপুং মোইরাং শাংবা-য়াই, ঙাইতে লৌকোন্নুং থমবান নোংশায়রৌদা খৌ-শাবনে। কেগে ঙাইতে পন-মরু চেকাই লৈয়াথৌ মুংনন খুবীপোক সনা পুনথোংবা লৈমাই থমবান নোংশালৌ-ও কৌবদি কদৌনোংগী-নো। চীংগু নোংথৌ সরারেনগী মমোম লাইরেম্মা ৭ মানা ইরাং পুমকা-লোন লাইজা শানদেংবধু চোইনৌ সনা য়োইথমবানগুময়ে। অহুনোংগীবু থমবান নোংশারৌ-ও তৌনা কোয়ে। মুংনন খুবীপোক-ও কৌয়ে।

ঙাইতে লৌকোন্নুং-ও কৌবদি খোইমোম লাইরেম্মা ৭ মানা চেকাই লৈয়াথৌনা থোহু মুংবু ওইনা খুনিং খুয়া ননববু কোক্লে। অহুনোংগীধু চেকাই লৈয়াথৌ মুংনন্ খুপী পোক-ও কৌয়ে। ঙাইতে লৌকোন্নুংও কৌবদি নিংথৌ মুংয়াং চাউবনা কেগে চীংয়াই কোই-রেনয়িদা লোকলেন্ নিনহুম্ নিনবা অসিবু করিনো হায়না মিৎয়েং

লৈবা কেগে চাউব-পুং মোইরাং শাংনা তাবা লম ঙাইতে লৌকোন্নুং থম্বাল নোংশা লৌদা লান্নাখিবনি। কেগে ঙাইতে পনমরু চেগাই লৈয়াথৌ নুংনন খুবীপোক সনাবুন থোংবা লয়মায় থম্বাল নোংশালৌ হায়না কৌখিবদি করিদগীনো? লাইনিংথৌ সরারেনগী মচাইবেম্মা লাইরেম্মা ৭ মক্না (ইরাং পুমকারোন্দা) ঈশিংনা রাংবা লমদা ঊরুজবা নিংথিজরবা থম্বাল লৈরাং ইনথংলকপগুমখি। মুমিৎ অহুদগী থম্বাল নোংশালৌ অহুগা নুংনন খুবীপোক হায়না কৌনখি। ঙাইতে লৌকোন্নং কৌখিবদি করিদগীনো? খোইমোম লাইরেম্মা ৭ মক্না চেগাই ময়া অপাবা অথৌবনা নুংগী মহুৎ শিন্দুনা নুংগুমা খুনিং খুয়া ননববু কোকখি। মুমিৎ অহুদগী চেগাই লৈয়াথৌ নুংনন খুবীপোক হায়না কৌখি।

ঙাইতে লৌকোনন্নুং কৌখিবদি নিংথৌ মুংয়াংচাউবনা থাংজিং চীংজাউগী লোক অচৌবগী ঈশিংদা চীংগু সরারেনগী মচা ইবেম্মা ৭ মক্না ঈরুরিডৈদা ইরুং লংনা ঙান্না উরুলবু করিনো হায়না থাপ্না য়েংলকপদা লাইরেম্মা ৭ মকী ফিনা লৈবা উবদগী ফি পুন্নমক পুহুনা লাকখি। নিংথৌ মুংয়াং চাউবনা লাইরেম্মা ৭ মকী ফিবু ইথুংদা পুশিন্দুনা খোং লোন্দুনা লৈথোকখি। লাইরেম্মা ৭ মক্না মাথোয়গী ফি অহু পিয়ু হায়দুনা মুংয়াং

শাক্তখেরবদা খোইমোম লাইরেম্বা ৭ মানা লাইজা পান্না-মবা শাক্তেক্-ওকববু তেংনৌ নিংথিৎলবগী খোইমোম লাইরেম্বা ৭ মাকী য়োইবু চৈরে কিক্লুং য়িনমা জাররকয়ে। নিংথৌ মুংয়াং চাউবনা থোংলেম পোক্লোম্ ওমরে। খোইমোম লাইরেম্বা ৭ মানা চৈরে ফিরিন্ ফিবু শি-ও হায়মা কংকৈ মণ্ডবাংদা ভাইরকয়ে। ভাইতে-ও কোয়ে। টীঙ্ নোংথৌ ময়ারেন মমোম সনা খোম্মলোনবু নিংথৌ মুংয়াং চাউবা ময়ান্নাইবা কোক্লোয়ে। অক্লুবোংবীবু ভাইতে লোকোয়ুং-ও তৌনা কোয়ে।

কেগে শীথ্রো কাক্তাবু নাক্তেননা ভাইতে লোকোয়ুংদা থোংনাং তথেন তেংগোন্ মিংলে। লাইরেন মৈথিঙ্ থোংনাং ময়াম্বা পোনবী গড়্ড় লাক্তানবা চীংলাই শাক্ নবদি তুবি থিংবু মথিনাই লাইরেন মৈবু-য়োং থিক্লাই চিমেন মথুল্ যুংশিং কোইরেং টাবু টাজিন মৈরি থোক্লা থৌশাবদি তথেন তেংগোম চায়রে। থোংনাং লানয়াম থারে। হুয়েল লাননিগীদি তথেন-পনচময়াই অথোবা থেনত্রা থাংনপ্ ননা সনা কুন্দর নাশিনববু কায়না হুয়ে। ভাইতে লোকোয়ুংগী রামজংগী য়াই-ওইবা ৩ মানাচিংনা নোংমৈ লিশিং খোমলোয়ে। থুয়োন থাংলৌ

চাউবগী তমাংদা ভাইহনা নৈথি। হুমিং অক্লুগী ভাইতে হায়বা কৌনথি। অক্লুবা চীংঙ্ নোংথৌ ময়ারেনগী মচা ইবেম্বা অহতোববীদি কিথৌ মুংয়াং চাউবগী মহুমদা অহুম মৈথি। হুমিং অক্লুগী ভাইতে লোকোয়ুং হায়না কোনথি।

মোইরাংগী শীথ্রা কাক্তাবু তুংওইনবগা লৈবা ভাইতে লোকোয়ুংদা ময়াং তথেনগী তেজোন লিংথি। মতৌ অসি উবদা মৈথিঙ্ থোংনাং ময়াথদি চেক্লা ওইরবর গড়্ড়না চীংলাই উরগা অকনবা শাক্, পিবওয়া, মৈথিঙ্না কহি কক্লাউ থোক্লা নিংথৌরেলগী খুংগ্ চিমেন টানা টাজিন মৈরী থোক্লা থৌশাবা তথেন লানমীগী তেজোন কায়থি। অক্লুবা তথেন লানমী অয়াবা থাব থাদোকথ। কাককর অদিদা তথেন পাকময়াই কৌবা অথোবগী থেন্না থাংনথ কিপা মনাম শিবা সনাগী কুন্দর নাইনগা কোয়না থানজরুকথি। ভাইতে লোকোয়ুং শাক্লা রামজংগী মানথিংবা ৩ মরুচিংবগা থোরনমা নোংমৈ লিশিং অমহ থোক্লাই। থুয়োন থাংলৌ কৌরা

লমহুংশিনী খোংনাং জগ নারান তখেন পঞ্চমরাই রাশকপাপু হৈরৌরে। রাংথা লমহুংশিগী খোংনাং থাংলেন্ মথুংশু কাপাক থাংতোন কোনবা সনা চাকরানবহু থাংলেন চুমপুন শানা খোমলৌরে। কেগে লৌরাইলৌ তাউথোং লৌরেনবগী বীর ভীম অথৌববু কারৌরে।

লাইকা লমহুংশিগী লোইরাং থাঙমৈকোনগী জিমেন টাশাং খোমলৌরে। কেনচি নোংছমলম কাপুই ম্লিংথি শারেং চীংগী লক্ষী-প্রসাং নারন অথৌবা ওক্রেম তোমচং কাউশুবহু লুরক কাংদৈ থিনা খৌনাউ লোনথোং লেনলৌরে। লমলেন মৈকাথি কেগে হিয়াংতুমগি চুংগোই ১০০ খোমলৌরে। থুয়োন্ থুংপিপোক লৌরায়ানগী খোংনাং দশম্ লানচিংবা আলি অথৌববু কায়না হুরে। কেগে থুনুংপোক মোইরাং থুনথৈরেনগী লোটবি তুইথাং লানচিংবা শুনচাংতা লমচিংবগু কারৌরে। কেগে চীংমৈবা কানারম মোইরাং লাইমৈবা তায়রমগী লোইমু চীহং মাইবা তখেল লিরুং মথুংশুবু ১,০০০ খোমলৌরে।

লমহুংশিগী খোংনাং জগ নারান অথৌবা তখেন পঞ্চমরাইগী দমক রাশকপাসু লানজরুনা কারকথি। রাংথা লমহুংশিগী খোংনাং থাংলেন থুংশু কবাকথাড, মতোন কোনবা সবানা হাজং মৈবসু থাংগী চকুন শানা পুখুনা খোরকই। কেগে লৌরাইলৌ তাউথোং লৌরেনবগী বীর ভীম নারায়ন কৌবা অথৌবকুন কারকই।

লাইকা লমহুংশিগী মোইরাং থাংমৈকোনগী লানকথদা টা অশাংবা কয়ামসু খোরকই। কেনচি লোংহয়মগী কবুই রিংথি শারেংচীংগী লক্ষী প্রসাদ নারাইন কৌবা অথৌবা ওক্রেম তোমচং কুকবুন মণ্ডক করকথি। লমলেন মৈকাথি কেগে হিয়াংতুমগী লানকথদা চুখোই ১০০ সু খোরকই। থুয়োন থুংপিপোকী লৌরায়ানগী দশম লানচিংবা আলি কৌবা অথৌবকুন ধারকথি। কেগে থুনুংপোক মোইরাং থুনথেরেনগী লোইথি চাংদা লাকিবা শুনচাংতা কৌবকুন কারকই। মোইরাং লমগী মাপিংদা চীংগা কায়না চংলক লইদা পুখা তখেনা লানথীশিংগী থুমন লীরং ১০০০ সু খোরকই। মোইরাং লমগী খোইলাইহম শাগেনা পুখানা উরুমপোকী উথাপুখনা তেলোং ১০০ খোরকই। মোইরাং লৌরেনগী মাথোঙলোইদা লাকিবা কীর্তি নারায়ন কৌবা লৈরাপা তেকবাপ হৈবকুন কারকই। কাকচাংদা লাকিবা বিচার সাহেপ কৌবা

খোইনাই উয়ুমপোক য়োমপু উথাপুংগী তেনদোং ১০০ খোমলৌয়ে। মোইরাং লৌরেনবা কেগে মারোংলৌগী ক্রিতি নারায়োন্ খায়রা তেলহৈববু ফারৌয়ে। শিংচা কাকতাগী বিচ্যার সাইয়েপ অথৌববু ফারৌয়ে। লমলেন য়োংমু শারমচৌংগী হুলাই ১৫ লোকলৌয়ে। কেগে মাশেমলোককী থোংনাং নোংমৈকাপ্পা প্রতাপ নারান অথৌববু হৈরৌয়ে। কেগে তুরেললুগী খাংলেন তোমান-পুংবু লোকলৌয়ে। লমলেন্ য়োংয়ামলোককী লাংথা পুংয়ৈববু ফারৌয়ে। লোকহৌ অচনবদগী লোইবি খাংকেনচা হুয়েন তুইকারেং অথৌববু কায়না হুললৌয়ে। থোংনাং তথেনপনগী ৭ সেনপুং ৫ মা লোকলৌয়ে। লমলেন তোরপুংগী লোইবি মুংকাচা হুয়েন পিশিনলাইবধু ফারৌয়ে। খুমু মাইরেনবা ময়িমফমগী লোইবি তয়োন লানচিংবা নংসনলাই অথৌববু কায়না হুল্লে। লমলেন সদরা লোককী থোংনাং কোপালা অথৌবা সনা পুক্তা য়েপ্পবু হৈরৌয়ে। কাংওই চৌংগারমগী মোগোন নোংমৈকাপ্পা চাংকা লানচিংববু কায়না হুললৌয়ে। তাকুপ্ থানিং

অথৌববুস্থ ফারকই। য়োংমু শারমচৌংদস্থ হুলাই ১৫ লোক্লকই। মোইরাংগী মা-শেমলোক্তা ময়াং নোংমৈকাপ্পা প্রতাপ নারান কৌবা অথৌববু হাৎলম্মী। মোইরাং তুরেললুগী মাইকৈদা পুবা পুণ্ডজাউস্থ লোক্লকই। মোইরাং মাইকৈগী য়োংয়াম লৈবা লোক্তা পুবা তথেল মচা পুংয়ৈবস্থ ফারকই। লোক্লুং অস্থকপা লৈবা চাংজাউথক্তা পানবা তুইকারেং কৌবা অথৌববুস্থ লানঙম্নকই। ময়াং তেঙ্গোল শাবা তথেলপনগী তরেৎ শেনবুং ৫ স্থ লোক্লকই। মোইরাং লমগী তোর্বুংদা শোক্লপ্পা লানফমদা থোংনাং মহুৎ শিনবা লাম্মী কয়াবুস্থ ফারকই। মাইরেম য়িমফমদা লোইবি তয়োন লমগী লাঙ্গিংবা নংসনলাই কৌবা অথৌববু লানঙম্নকথি। সদর লোকী থোংনাং গোপাল কৌবা অথৌবা সনা মপাক্লা মপুক্তা লৈতেংববুস্থ হাৎলমথি। কাংওই চীজারমগী পাওল নোংমৈ কাপ্পা চাংকা কৌবা লাঙ্গিংববুস্থ লানঙম্নকথি। নাপি-শীওনাং য়ায়া হৌবা চৌংগী লমদা চৌং লাম্মী কয়ামাস্থ ফারকই। নিংশোং মৌবিলোকী থোংনাং খেত্রা ফি নিংথিবা থ্বাংয়েৎ ওইবনা অচুগা ফরাংজি ফিবুম ১০০০ স্থ খোম-লকই। উত্রালোকী লানফমদা নামৈদা য়েপ্পবা ছড়ি ১০০০ স্থ লোক্লকই। পুরুম

লোনবা চৗংগী লোইবি থংকা চেপচা হুয়েন চীংকা-পাক অথৌববু ফারৌএ। নিংশোং মৌপিরোককী থোংনাং খেনত্রা খাংনপ-ফি পুন্নুং ফরাংজিবু চৈরৈ ফিপুম ১০০০ খোমলৌয়ে। লমলেন উত্রালোককী ছোরী নামৈথাংবু ১০০০ লোকলৌয়ে। পুরুম্ তাইপিরোককী তখেন্ মালাসিংহ মিংনাইববু হৈরৌয়ে। ব্রাগী খেকব্রাই পুংগী তখেন ছুলাই তোংবা হুয়েল পনচমরাই অথৌববু কায়না হুললৌয়ে। তুবি থয়াং মথৌমন্ লাইরেন চুংশেন মরানওনগিবু লাইরেন মৈদিংঙু থোংনাং ময়ামবা নোংপোক ব্রায়রং পামহৈবা কেগে থমপান্ নোংশারৌ সনাপুন-থোংবা লয়মায়াইদা খৌশাবা থোংনাং তখেন লানয়ামথাবা হুয়েন পনচমরাই ফাবা-ও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন সনা মচুংশেনদি অহুম্নুং মদোমদে। হাওরৈ নোংপোকলা পাংবরম লেংলেন লম্মচুম ব্রাইরং তাপং-য়ি খাখোং য়িমা শিনবু নাতৈননা খৌশাবনে। লাই-রেন মৈদিংঙুনা মদাইরেম লোইবি চীংবুরোইবা হেমবা তমবু থনবা পুন্নমাবু পোইরৈ সনাপুংদা লাল্লুপ লেংশিন্নবা খৌগন্নবা ব্রাগী লোইবি চীংবু লোইবনা ব্রাতাথিথিয়ে। হাওরৈ নোংপোক-লা পাংবরম চাখা তাংখুন মনিল নাইবনা তেংলৈ লৌশি-খোং লেংলেন

তাইবিলোক্কী তখেল মাসাসিং কৌবা মমিং চৎপবু হাৎলমই। ব্রাপি থেকচাইপুংগী তখেল দোলাই তোংবা পঞ্চমরাই কৌবা অথৌববু লানগ্নকই। মৈদিংঙুগী মতিক মথৌনা অসিদগী মৈদিংঙু থোংনাং ময়াম্বা নোংপোক ব্রাইরং পামহৈবা, কেগে থম্বাল নোংশারৌ সনাপুন থোংবা লয়মরায়দা খৌশাবা থোংনাং তখেন লানয়ামথাবা হুয়েন পঞ্চমরাই ফাবা হায়না নিঙ্গৌনৈ। মৈদিংঙুগী মতিক মথৌনাদি অসিনমু লোইবা নত্তে। নোংপোক মাইকৈ পাংবলম লেংলেন লম্মচুম ব্রায়রং তাপংয়ি খাখোং-য়িমা-শিনবু হেন্দোক্লগমু লায়াখি। মৈদিংঙুনা চীংদা পানবা তমদা পানবা মনাইশিং পুন্নমকপু পোইরৈ মৈতৈ কংলা কোম্নুংদা লোইশং পু-নবা লাল্লুপ থৌগা পুগদবনি হায়বগী মরমদগী চীংদা পানবমখৈদি মপুক তাখিখি। অহুনা নোংপোক পাংবলমগী চাখা তাংখুন লমকেৎপা তেংলৈ লৌশিখোং লেংলেন লম্মচুমগী চীংমী পুন্নমক্রা

লম্মচুমদ্রু রাইরং থরাই কেনকদা তেংদৈ পনদাই থনকদা মোইরুচাদ্রু তানকদনা হেমবা চীংশাং খোকলোই হৌনা পনথেংরাগী লাইরেন মৈদিংগু থোংনাং ময়ামবনা তুবি. কলহৌনিক লাইরেন থাংশা পারেনা থৌশাথবদি হয়েন লাননিংগীদি চাথা ইতোক লুচিংবা লোইবি উয়ুংদা অথৌবদু কায়না হল্লে। লেংলেন খুনলক অচনবদা চাথা ইতোক খুনৌ মন্নিন্ নাইবগী ইমচিনলেং অথৌবদু কায়রোয়ে। থাখোং য়িমাশিন্দা খোইরুপোক খুনলেন লম্‌দগী লোইবি সনা পুমলেং অথৌহবু কায়না হল্লে। লাইরেন মৈদিংগু লেংলেন লম্মচুমবা থোদোংবা রাইরং থারাই য়িন্না তেনশিংবা হয়েন উয়ুংলেন কাবা-ও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন মৈদিংগু লেংলেন লানথাবা সনা মচুংশেনদি অহুসুং মদোমদে। হাওরৈ নোংপোক-লা পাংবরম মরিং খুনবিরোক চাথা য়াবিরোক খুনবী ময়েংচৌং হাউবা পুতাংবা চাংকাইরোক অমো থোইকাইবা লিরোলোক তাউহইবং অহনবা লাংকোই মথুংনেংনা লুতুরাই নোংয়াই য়েংমনৌদা অতোন্ খোংলেন্ কোইচানা পামেন উথিরেক রাকয়ে তোনরাবা তোংচেং থৌয়িবা থোক্লরম পানবা কৈথৌ-য়ি কৈরেন মুংনাংয়িবু থাংবা লম্

নাহা অহল থাক্তনা চীংশাং হৌহুনা লান্দারকপগী মরমদগী মৈদিংগু থোংনাং ময়াঙনা কহি কল্লাউ থোক্লা খুংশূ থাওশাং পায়হুনা লায়াখিবদা লানকম অহুগী চাথা ইতোক লুচিংবা লোইবি উয়ুংলেং কোথা অথৌবদু লানওয়কখি। লেং-লেন খুলক কুংনা মী তাবনা চাথা ইতোক খুনৌনা লালহৌ মনিল নাইবগী লাঞ্জিংবা ইমচিনলেং কোবা অথৌবদু কারকই। থাথোং য়িমাশিন্দা লৈবা খোইরুপোক খুনলেনগী পুমলেং কোবা অথৌবদুম্ন কারকই। লাইরেন মৈদিংগু লেংলেন লম্‌চুমদা লায়াবা রাম্‌রং থরাই-রিদা তেনশিংবা হয়েন লাঞ্জবা উয়ুংলেং কোবদু কাবা হায়না কৌনখি। মৈদিংগু লেংলেন লাহাবগী মতিক মথৌনাদি অশিনম্ন লোইবা নত্তে। নোংপোক মাইকৈ পাংবদা লৈবা মরিং খুনবিরোক চাথা য়াবিরোক খুনবি ময়েংচৌং হাউবা পুতাংবা চাংকাইলোক অমো থোইকাইবা লিরোলোক হায়না কণ্ডলবা মকুথৌ তাউহইবং অহনবগী লাঙোই শগোল খুনেং শানা তুথিবদা খুনং মেজা নাউরাবা অতোন খোজলেন কোয়চানা পামেন উবু থিবালোক কাকদৈ হি নিংথিবা

খুনবি মরেং-চীং হেমবা কয়োংথেন লমলোংচাবু তাবা মচি মপুংয়াইদা খৌশাবনে।

হেমবা করোংথেন-ও কৌবদি কদৌনোংগীনো ? নয়ুরা চীংখোং পোইরৈতোননা পোইরৈ শিদববু খুনথিরকপদা মৈতৈরৈমা লৈনাউ-তাখিমা অন্না হকনা চোক্লবগী লোংনা কানা হিপলময়ে। অঙুমোংগীবু হেমবা করোংথেম-ও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন মৈদিংঙুনা তুবি থিংকু মথিনাই লাইরেন মৈবু-ৱোৎ খুনবি চীংদা-কা মরীং মৈমুৎতনা কোনলোই শংকাই শানা শনথেংথবদি মরীং হুলাই লেংবুলোই শেমচাউ নমবালোই মেনলাং তনবা চিরাইলোই শত্তং নারেং লোইবু লৌইচন্-নরকয়ে। হুয়েন লাননিগিদি খুনবু নোংচেং খুনলাকপা মৈরোং য়াইশুববু কায়না হুল্লে। লাইরেন মৈদিংঙু করোংথেন্ য়িমচংয়ানবা লমলোং পামতান্নবা মরীং খুনবী ভমবা মৈরোং য়াইশুববু কায়না হুনবা-ও তৌনা কৌয়ে। তুবি সনা মচুংশেনদি অঙুস্তুং মদোমদে। হাওরৈ থানা পাংবরম নয়ু-রা চীংখোং পোইরৈতোননা লাংঙনব-লম মৈতৈরৈমা

পুংথোক্পল-লম, পানবা কৈবু থোৗখবা ঈ.শংনা তাবলম কৈরেন হুংনাংয়ি হায়না থঙনবা খুঙংদস্থ লান্দাখি।

হেম্বা করোংথেন হায়না কৌখিবদি করিদগীনো ? মবুথৌ চীংখোং পোইরৈতোন্না পোইরৈ মৈতৈগী লমদম অসিবু শিরোই নারোইদোবা করঘা খুন্দাবা য়াবা মকম লৈরিগদগে হায়না মৈতৈলমা লৈনাউভাবিগা লোয়ননা মকম থিরকপদা লৈমা লৈনাউ তাখিনা বামনথিবদগী মশা চোকথথিত্রনা লোংনা ময়া কাত্রনা হিপ্লমই। হুমিৎ অত্রদগী হেম্বা করোংথেন হায়না কৌনখি। লাইরেন মৈদিংঙুনা অসিগুম্বা খুঙংদা কম্বি কঙ্গাও থোক্লা সনা পুক্লিং অশাউবগা লোয়ননা খুনবি-চীংদা কাপত্তুনা মরিং খুন্দা মৈরিঙহ্রনা শঙ্গাই লৈকম শাহ্রনা হুয়েন লান্দাথিবদি মরিং খুননী দোলাই লেং অহুংগা তরেৎ শেনপান-লোই অমস্থং হামেং ওইনা লোইহাবা, শন্দং ওইনা পোই-হাবা পূন্নমকপু লোই চন্নকই ! লানকম অসিদা মোংচেং খুল্লাকপা মৈরোং যাইশুবধু-স্থ লানঙ্গকখি। মৈদিংঙুবু থোংকম অসিদা করোংথেন য়িমচংয়ামবা লমলোং পামত্তান্নবা মরিং খুনবি ঙম্বা মৈরোং যাইশুববু লানঙম্বা হায়না কৌনখি। মৈদিংঙুগী

লৈনাওভাবিবু ৱা ওইবা মরমথৈ হেমবা কাইরম-চীং লোইবি শীকৌ-পুং কোইরেং লুংথোন চীংবু নাভৈননা সাইরেম মপুংয়াইদা তুবি খিংকু মথিনাইনা লাইরেন মৈবু-রোৎ চুংলেপ ৬০ চোং কাউরেন শনথাং ১০ লান থংনং লাইতংলেংনা খোশাথবদি হুয়েন লাননিগিদি সাইরেম নিংথৌ সনারেং লানথৌয়াংবু কায়না হুল্লে। লাইরেন মৈদিংঙু সাইরেম ওম্বা লুংসাই পামতান্না চুরুপথুন রাইহুইননা হুয়েন সনারেং ফাবা-ও তৌনা লৌয়ে। তুবি মরানহৌদি অহুমুং মদোমদে। হাওরৈ নোংচুপ খানা পাংবরম থোংনাং মঙাইতাং কা য়াচুম্নি তুয়াই য়িরিকলাই রাকালোক লাইঙ্গা য়িরম ৩ তিনবা থোংনাং কা ফানচম য়িবু কান্না চোংনা চাইদু থাংয়েননা লাংলোং মপুংয়াইদা খৌশাথবদি হুয়েল লাননিগিদি থোংনাং কাপ্রা। খুনকমবা মরাংকাং অথোবগা হুয়েন লারোংপ্রম তথেন মুশিকলাই অথৌববু কায়না হুল্লে। লাংলোং মপুং-তাকলে। নাহামুবী হমু হনবা পুন্নবামুং লাংলোংচঙনা থোমলে। লাইরেন মৈদিংঙু থোংনাং তথেন খোমবা লাংলোং লমতাক তানবা

মতিক মথৌনাদি অসিনমু লোইবা নত্তে। থা মাইকৈ পাংবা লমদা নংথৌ চীংখোং পোইরৈতোন্না চীংমী শাহনা লৈবলম মৈতৈলৈমা লৈনাউভাবিবু শাউথিবা হেম্বা কাইরমচীং লোইবি শীকৌ-পুং কোইরেং ফুংথোনচীংবু হেন্দোক্লগা লৈবা শাইরেম খুরুংয়াইদা মৈদিংঙুনা কম্বিকল্লাউ থোক্লা মথবাই ফুংঙাইতবগা লোয়ননা চুঙমী চুঙলেপ ৬০ চোং মথংমী মথংলেপ ১০ লান্না চোংনা লাম্বা থৌবা লানলোই হুপ্রা লাম্বাথিবদা লানকম অতুবা শাইরেম নিংথৌ সনারেং কৌবা লাম্বা থৌবু লানগ্রকখি! থোংকম অসিদা মৈদিংঙুবু শাইরেম ওম্বা ফুংসাই পামতান্না চুরুপ খুনবু অরাবা পিবা সনারেংফাবা হায়না কৌনখি।

মৈদিংঙুগী মতিকি অসিনমু লোইবা নত্তে। থা নোংচুপ পাংবলমগী থোংনাং মঙাইতাং কৌবা কা চাবা ওইবা মহুতুয়া চাওনা ঈশিং চেনবা। তুয়াই ঈয়িরিক্লাইগী রাকালোকী ঈশিং ঈরম ৩ তিনবা থোংনাং কা কানচা ঈশিংগী ঈরমবু লাল্লগা লালোং কৌবা খুরংদা লারাখিবদি লানকম অতুদা থোংনাং কাপ্রা। খুনকম্বা মরিংফাং কৌবা অথৌবগা লালোংগী তথেন মুশিক্লাই কৌবা লাম্বা থৌবগবু

হুয়েন গুকমুরাই কাবা-ও ভৌনা কৌয়ে। তুবি সনা মচুংশেনদি অহুম্মুং মদোমদে। হাওরৈ নোংপোক পাংবরম খ্রিথি কাননা-চোং লোইজরি চীংজাউ-শম লাইঙ্গ খ্রিপান তানা তাবা মেতু মপুংয়াইদা খৌশাথবদি হুয়েন লাননিংথৌদি ঔৱা চেকাই মীরোংখন ওাস্াম লান-থৌ-য়াংবু কায়না হুল্লে। মেতু চঙ্না খোমলে। লাংগোই মেতুরামনা চিংবা শামু ৪ খোমলে। পুহান খাউচাউ লোকলে। লাইরেন মৈদিংঙুনা পিয়োংসোই য়াই হুইনা য়াকতু থাংয়েননা মাকাং য়িম-লৈকাইগী অলীমা মিংনাইবা সনা কোনফু লোইববু কায়না হুল্লে। মৈদিংঙু নোংপোক য়াইরং পামহৈববু লাংলোংচঙ্না খোম্বা হুয়েন মুগুকরাই কাবা-ও কৌবদি কদৌনকো মুরা কারে শেনখোই তোং-লে। লাইরেন মৈদিংঙু মেতু চঙ্না খোম্বা অলিমা অথৌববু কায়্না হুনবা-ও ভৌনা কৌয়ে। লাইরেন সনা মচুংশেনদি অহুম্মুং মদো-মদে। লাংহৈকুমলেপতা লোইদাম থাকাউদনা তুবি থিংলৌ নিঙ্না-ডে লাইরেন নোংশা খুমাই হুননা হাওরৈ নোংপোক-লা পাংবরম

লানঙয়কথি। লালোং খুনসু পুমতাক তাকথি। নাহা অহুল থাক্কনা লাংলোং পুম্বা হিংনা খোয়কই। অহুনা মৈদিংঙুবু খোংনাং তখেনখোম্বা লাংলোং লমতাক তানবা হুয়েন গুকমুরাই কাবা হায়না মিঙ্গৌই। মৈদিংঙুগী মতিক্কি অসিনসু লোইবা নত্তে। নোংপোক মাইকৈদা লৈবা নিংথি তুরেল য়াংমগী লোইজরি চীংজাউ শরগা লৈবা ঈশিং মপান্দা তাবা মেতু খুঙ্গংদা লায়াখিবদি লানকম অহুদা ঔৱা চেকাই মীরোংখন ওাশ্রাম কৌবা লান্দা খৌবৃ লানঙয়কথি। মেতু খুনগী মী অয়াবা হিংন, খোয়কই। লাঙ্গোই মেতুরায়চিংবা শামু ৪ সু খোমলকই। পোহালসু খাউজাউ অমা লোক্লকই। মৈদিংঙুনা পিয়োংসোইগা য়াকতগা লায়াহুনা মাকাং কৌবা লৈকাইগী অলিমা কৌবা মাংচৎপগী সনা কোনক্ লোইববুসু লান-ঙয়কথি। মৈদিংঙু নোংপোক য়ায়রং পামহৈববু লাংলোং চঙ্না খোম্বা হুয়েন মুগুক-লাই কাবা হায়না মিঙ্গৌখিবদি তুপি নাহা থাক্কনা পুয়মক্লা মকোক নোঙ্গবনি। পুয়মকপুসু খোয়কপনি। অহুনা লাইরেন মৈদিংঙু মেতু চঙ্ন খোম্বা অলিমা অথৌববু লানঙবা হায়না কৌনৈ। মৈদিংঙুগী মতিক্কি অসিনসু লোইবা নত্তে।

মিংথি য়িরানথৌ নমথম্ কান্না-চোং নমশি য়িয়াই থায়না থামরন তাপ্রাং মপুংয়াইদা খৌগাথবদি ঔরা ভেংকোন ৯ চায়রে। কোম্বুং লানকা মাংলে। শানপোক লমলাই তাংগী ঔরা পামতাম্নরে। লাংগোই শামু ৬ লোক্লে। শগোল ১০০ খোমলে। নোংমৈ ১০০০ লোকলে। তাপ্রাং বাহইনরে। হুয়েন লাননিগিদি নন্দক্রথাং অথৌববু কায়না হুল্লে। তুবি থয়াং মথৌমনগী মিংহোংখিয়ে। ঔরা থোঙলেন লমম্থৈ প্রেথর কুয়োমপোক হয়াই তংকন নারোম য়ামবা মাথুরোনদা খৌতোংবা ফুরা তাংকা লানমিংনাই সনা মুকত্রু ফুপপবু কায়না হনবা-ও তৌনা কৌয়ে। তুবি সনা মচুংশ্রেনদি অত্তুম্রুং মরোমদে। হাওরৈ নোংপোক-লা পাংবরম ঔরা থোংলেন লম্মৈথে সনা মহয়্পান রুপা মপান শাব-পুং ঔরা শোইপ্রেং পেকোলা মরৈকাই ভারা মপানশাং-শ্যাংশি মপুংয়াইবু ন্যাতৈননা ঐরাবতি লাইজা য়িপান তানা ঔরা তোংদোই নিংথৌগী সনা থোঙ্লেন্ ঙমথংননা চেক্রাং মপুংয়াইদা খৌশাথরদি হুয়েন লাননিগিদি য়াংলেক্রখোং অথৌববু কায়না হুল্লে। কো.মোদা লাইকম

চহি কুমজানা তত্তবঙম লোইদাম থান' তত্তবঙম অকাউবা লৈত্তনা মৈদিংঙুনা পুক্নিং তপথনা শারেন নোংশানা মথোং গুমাং হনবগুয়া নোংপোক মাইকৈ পাংবলমগী নিংথি তুরেন লায়া নমথম খুনবু হেন্নগা নমশি ঔয়াম থায়না লৈবা থামরন তাপ্রাং খুদংদম্ লায়াখিরদি ঔরা তেঙ্গোল ৯ কায়খি। কোম্বুংম্ মাঙ তাকখি। ঔবা মচা শয়াম্বা তামা-তামহুনা লায়াখি। লাঙ্গোই শামু ৬ লোক্লকই, শগোল ১০০ খোমকই। নোংমৈ ১০০০ মু লোক্লকই। তাপ্রাং খুনদি মরাম চায়খি। লানফম অসিদা নন্দক্রথাং কৌবা অথৌববু লানঙমকখি। মৈদিংঙুগী মথৌনাগী থৌরাং অসিদগী মখিং হোংখি। ঔরা থোঙলেন লমখৈগী পেথর কুয়োমপোক হমাই তংকন্ নারোমম্বাবা মথুরোনদা খৌতোংবা কুয়া তাংকা লান্দা মখিং চংপা সনা মুকত্রু তুপবু লানঙমা হায়না কৌনখি। মৈদিংঙুগী মতিক্কি অসিনম্ লোইবা নত্তে। নোংপোক মাইকৈ পাংবলমগী ঔরা লমগী লমখৈ ওইবা সনা রুপা য়ায়া হোঙ্না কংবলম ঔরা শোইপ্রেং পেগোদা লৈকাই ভায়া মপানশা শ্যাংশি খুদংথাইত্র হেন্দোক্লগা লৈবা ঈরাবতি তুরেল মপাম্বা তাবা ঔরা তোংদোই নিংথৌগী লৈবাক্তা লোমবা চেক্রাং কৌবা খুদংদা লায়াবদি

চায়রে। চেক্রাং মপুং স্তাকলে। শাংখু-শাংলা চীংগোল ল্লোয়া ভুকলেন লানম্নিয় চণ্ডলে। সনা চুন্নাই খোয়লে। ক্রুা লাইজাউ লোকলে। ওঈা ময়য় মুৎলে। চেক্রাং সরনুনচিংয়া কুরা তাংকা লানমিংনাইবয় কায়না হুল্লে। ভুবি চুংশেন মারানওনবী মিংওনখিয়ে। মৈরিংগু খোংনাং ময়ামবা ওঈা চেকোং লানথাবা কুরা তাংকা কাবা-ও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন মনা মচুংশেনদি অহুম্ভং মদোয়নে। হাওরৈ নোংচুপ লাইনা পাংবরম কাপুই লোংপু মচিংগেন অমচি মুংলাইকোন্ তাংখুল লৈহৌপোকপু নাতৈননা কাবুই মানগক মচন্ মুংনাংডাউবি, তরা চাকথানবিনা নোংমনবা ময়মখৈবু নাতৈনন্না লোইরি চারোই চাকোংলোং মপুংয়াইদা লাইরেন মৈরিংগুনা লোইরি চীংদা কানা পনথোংবদি ময়িম লোইবি মারেমনা চংবি লাপান কুকুন্না পনশাভম্বু লাইরেন মৈরিংগুনা চংবি লকু রনবু কাননা চোংনা শাইবা পনলেনুয়ার কুরাউ পনতাই-খং খংনং লাইতংথেংনা খৌশাথবদি মরান থুমবি মৈমাংচন হুয়েন যাইশিং মুৎলে। হুয়েন লানলিগিহি

লানকম অহুগী মাংলে ক্রথাং কৌবা অথৌবরু শানওয়কথি। অতুগা কোংয়োদা লাইরুমস্থ থুগাইখি। চেক্রাং খুনয় মাঙতাকথি। শাংখু শাংলা চীংগোল লোয়া চতুনা ভুকলেন লমদা শাগংখি। সনা লোলাই থোয়কই। কুরা মহুংদা লৈরা লাইজাউম্থ লোক্রকই। ওঈা পুম্বা মরাই হাইগং ডমদনা মাংতাকৃপ্নি। চেক্রাং সরন-চিংবা কুরাতাংকা কৌবা লান্দা মখিংচৎপর লানওমখি। অহুনা মৈরিংগুগী ময়োলা অসিনগী মপ্নিং হোংখি। মৈরিংগু খোংনাং ময়াম্বা ওঈা চেকোং লমহাবা কুরাজাংকা কাবা হায়না থিগৌই, মৈরিংগুগী মতিক মথৌয়াদি অসিরম্থ লোইয়া নম্রে। নোং-চুপ মাইকৈরোমদা লৈবা কবুই শোংবু চীংঙ্গাড় অমচি মুংলাইকোন তাংখুল লহোপোক কৌবা খুনবু হেন্দোক্লগা কবুই মারুক মচন মুংনাং ডাউরি, তরা চারানপিনা শিথিবা লমদমবু হেন্দোক্লগা লোইবি চারোই চাকোংলোং কৌবা খুরুংদা মৈরিংগুনা লোইবি চীংদা কানা লান্নাবদি চীংদা পানবপ্নিন' চংবী লকু কুকুনা পন শাভুনা খিংয়াল মৈরিংগুনা চংবী লকু বনবু লাংথোকনা হৌনবী ঈড়াং পুনস্নগা অতর অথৌ লান্না থৌবশিংগা লোয়ননা লান্নাবদা চারোইচাকোংলোং খুরুং মৈ থাহুনা অমাবা মরাই

লোইবি চারাইলোং লুচিংবা মালেম মকোকলাক অথৌববু কায়না হুন্নে। লাইরেন মৈদিংঙু থোংনাং ময়ামবা লোইবি চাকোৎলোং য়িমচংয়ানবা হুয়েন মকোকলাক কাবা-ও ভৌনা কৌরে। তুবি সনা মচুংশেনদি অহুম্নুং মদোমদে! হাওরে নোংপোকলা পাংবরমগী ঔন্না মংত্র নিংথৌনা য়াথং অনোনবনা পাউমেল্লকয়ে। পোইরে মৈতৈ নিংথৌ সনা চাংভোন লেপকুমবা-ও থায়্না লাহাননোং নম্নিম পোইরে মৈতৈ নিংথৌরেন খুদিংম্নুং অয়িম খামরম নিংথৌরোন খুদিংম্নুং সনা লৈপাক ২ মাবু লৈপাক অমা ওইনা পোইরে নংবু ঙাইওইনা খামরন শেনচংননা ঔন্না ইঙাইরেন চাননবনে। সমদ ভুচা ন্নাহোম্ননা ঔন্না অথাপ্পা খামরম অতামবনে হায়গুনো। নমোম তমপা ন্নাঙমলোন্ অন্নাং কোরৌ নোংলৈমগুমবীবু মন্নান লুহোং থোংথোং-পিরকও। লাইরেন নংস্নু তুবি সনা থোংলেংবিরকও। খামরন ঐম্নুং নমোম তমপা ন্নাংঙমলোন্ খামরন লুহোং থোংথোংলকপিবু মন্নোকঙমগে। লাইরেন থম্নাং নথৌমন তাইকং শাইওন্ মৈঙমবা

শিনথি। অহুগা লানকম অহুদা লোইবি চরোই চাকোৎলোংগী লুচিংবা মকোক্লাক কৌবা অথৌববু লানঙ্গ্রথি। মৈদিংঙু থোংনাং ময়াম্বা লোইবি চাকোংলোংদা লাম্নাবা লানকমগী মকোক্লাকপু কাবা হায়না থিগৌনথি। মৈদিংঙুগী মতিক মথৌনাদি অসিনম্নু লোইবা নত্তে। নোংপোক মাইকৈ পাংবলমগী ঔবা মংত্র নিংথৌনা য়াম্না পাওমেল্লকথি। হে পোইরে মৈতৈ নিংথৌ! সনা চৌংগী মতোম্দা লেপকুম্বা নিংথৌ-ও! থাইনা মমাংঙৈদগী নঙগী পোইরে মৈতৈগী নিংথৌরেন খুদিংদম্নু খামরন ঐগী নিংথৌরোল খুদিংম্নু সনা লৈবাক অনিমকসি অমত্তা ওইহনা পোইরে নঙগা ঙাই-শেন ওইনা খামরন ঐগী শেম্না লোইহা পিহনা ঔবা ঐথোইগা ঙাইওই-নম্নকপনি। সনদা-ভুচা ন্নাহোম্ননা (ঙাইশেন মম্না ওইনরকপনি থম্না) ঔবা ঐথোইবু লম থাপ্লে খামরন ঐথোইগা লম লাপ্লে হায়নম্নু হায়বিগম্নু। নমোম ইবেম্মা তমকা ন্নাঙমলোন অন্নাং কোরৌ নোংলৈমাগুম্বী ইবেমবু লুহোং লুতিন তম্না পিবিরকউ। অহুগা মৈদিংঙু লাইরেন নহাকম্নু সনা থোংলেংবিরকউ। খামরন ঐম্নু নমোম ইবেম্মা তমকা ন্নাঙমলোন, খামরন ঐঙোম্দা লুহোংবিরগদৌববু ওকচরমগে

সণ্ডাইসেন শাকুবনবু খামরন ঐঙোন্দা পাতাং থৌরাই মেনগুন্না মেন্নকে। য়িসোই থুয়া-সৌগুন্না চীংথোং পুথি তম্নবশিংনা য়াম্বা তুকুপ চুংনা শোংকীনহ্নো হায়না পুনেমজরকপা ৱাগীদু লাইয়েন মৈদিংগু থোংনাং ময়াম্বা তাংজা লিলা থৌগুমবনা খারমন পুনেমথোনগিবু কোয়ৌ চিংহৈ কাপ্ ৱাংবন্ নোংহৈ থাগুম থৌতোংখিয়ে। মৈদিংগু থোংনাং ময়ামবা খোইমোম লাইরম মেনদা উনবি পুকনিং মক্তবা লানকম খামবি মৈশা লাংগুমবদা কোয়ৌ নোংশিঙচংগুমবা নমু পুকনিং অনোনবশিংবু পায়ী লাংকোন তমকুম থৌচান তাইহেন নাইদবা লাইরেন নোং পাখং অতেংবনা নিঙখন্খিয়ে। ঔৱা সনা লৈবাক্তা শুংশি অৱা নংলবগী খামরন মংত্র নিংথৌনা কোনলোই মতিনমেন য়াখং অনোনবনা পাউমেন্নকপা অসিবু ইঙাই ভাইনোং শংতানে। খামরন মংত্র নিংথৌনা শেনবি কনতৌ য়োৎকুম সুংকন্না ওন্নবসুং লাইরেন ঐকী শমু খুংথুম চন্না পনখেংলমগে। পুক্রিং অকিবা য়াখং অচুম্ববু ওইওন্নবদি ইমোম তমপা ৱাঙমলোনবু মরান

লাইয়েন নঙগী নক্তিক নথোনানা থোইমুম লাইগী শাইবোন তৌবা মৈগুন্না শণ্ডাইশেন্না কন্না পাইথবগুন্না খামরন ঐঙোন্দা ইপা ইপু হাক্তকী চৎনরকপা মথৌ মেনগুন্না মেন্নগে। তুংদা হোৎরকপা অনৌবা অঙাংশিংনা হৌখিবা মপা মপুগী ৱারী তম্নবশিংনা হেক ভাবদা অকি তুজুং পোক্লহৌসম্নু অহুম হায়না খুন্নমজরক্লবদা মৈদিংগু থোংনাং ময়াম্বা তাংজা লিলা থৌগুবনা খামরন নম্না খুন্নমজরকপা পাউদমথোনগীদমক ৱাখল তিংনা অচুম্বা ৱাকম খন্নুনা লৈখি। মৈদিংগু থোংনাং ময়ামবদি অচুম্বা ৱাখলদা মক্তবা লানকমদা খাবী মৈশা লাংলবদসু কোয়ৌ থকী নোংমৈ শীঙজংগুবা মপুক নোজন্নবশিংবুসু মপারীগুম লাজোন্নবা, থৌজাল লনকুবীবদা অরাং অহেন নাইদবা লাইয়েন মৈদিংগু নোংপাখং অতেংবনা ৱাখল তৌখি। ঔৱা সনা লৈবাক্তা শুংশি অৱা নংলবগী খামরন মংত্র নিংথৌনা অনোনবা ৱাহৈনা ভাই-শেন ওইনসি হায়বসিবু য়েংখিবা ভাই। খামরন মংত্র নিংথৌনা মপুক মরীন চুমদনা য়োৎকুম কন্না লৈরম্নবসু মৈদিংগু ঐগী ইখা খানা লোইচন্নবগে। অতুপা মপুক শেংনা কিবদক ওইদুনা অচুম্বা না হায়রবা ওইরম্নবদি ইমোম তমকা ৱাঙমলোনবু

নুহোং পিরমগে হায়না মমোম ভমপা ব্রাংভমলোন্. সৈত্য-মালা চেংলৌ-শককোই হেনবিবু মাংওইননা পোইরৈ অথৌলিচা হেনপা পুম্নমানা ওঙ্গা ভমদা ভানা লাইরেন সমা মথোংথাগীবু থাময়ন মমিল নাইবনা ওঙ্গা পোৎথাং-থিন ছুলাই লেংভম শুঙ্গা ইরাবতি লাইজ ব্রাংমা লান্ ওঙ্গা কোমথুং চঙ্না লাইরেন মৈদিংঙ্না ওঙ্গা তোংদোই নিংথৌগা চোয়মৌ সমা ফমবান ফমমন্না মমোম ভমপা ব্রাংভমলোন সৈত্য মালা অস্ত্র কাইথেনথানবি লাইজা সমুদ্র ইয়া-চাউ জাহাজ ললোনমন পাংভম শাংকু হিথাংফমগী পুহাল-থাউচাউ লোকপীবু মরান নুহোং খোংখোংলবদা লাইরেন মৈদিংঙু ময়ামবনা থিংলৌ নিঙ্না তেনা হলগ্লাইরকপদা ব্লাইরং লমথাংমদা লাইরেন লমভন ব্লারেকফমদা ওঙ্গা তোংদোই নিংথৌ থমিয়ন লৈপাক মপানা খোংপাক-থুতোন্ শেমনা ব্রাইমচরকয়ে। ইমান পোইরৈ মৈতৈ নিংথৌ ! চীংঙু নোংথৌ সোয়ারেনগুমবা-ও। ইয়োম্ন লোইশিয়েন। কোংয়াং ব্রাশা শৌকুমবা কোই মনিননাইবদা লাইরেন পানকন্ নতিক উংনা তুবি য়াইদা খোইনা হলগ্লাইখিয়ে। লাইরেন

নুহোংবিরমগে হান্না মমোম ইবেম্মা ব্রাভমলোন সত্যমালা শকহেনবিবু মাং থানা পোইরৈ মৈতৈ অথৌবা পুম্নমক্কা লোয়ননা ওবা! লৈবাক ভানা লাক্লবদা মৈদিংঙুগী মথোংথাদা থাময়ন মনিলনাইবনা ওবাগী পোৎথাং থিম্ দোলাই লেং পুম্নমকপু ওক-চহনা ইরাবতি তুরেল ব্রাংমা লায়া ওবা কোপুং চঙ্ছনা মৈদিংঙুগা ওবা তোংদোই নিংথৌগা সনাগী সিংহাসন অমতা কম্মিয়রগা মমোম ইবেম্মা ভমকা ব্রাভমলোন সত্যমালা অমর কৈথেল থানবিবু ঈশিং ঈপাক অচৌবদা পাংভল মীয়ামা ললোম্নবা জাহাজগী হিথাংফম ওইবা শাংকু কোবা মফমদা মমোম ভমকা পোহাগ থাউজাউ লোকপিবু নুহোংবিরগা মৈদিংঙু খোংনাং ময়াম্বনা সনা পুক্লিং ঈভনা হন্নকলে। ব্রায়রং লমথাং, মৈদিংঙুনা অহিং লমদম্নুনা লেকথিবা মফমদা ওবা তোংদোই নিংথৌ থামৈন লৈবাকী মপি মপা ওইবমা মথোং মথুং লোৎশিন্না থুরুমজহনা হায়জরকই। পোইরৈ মৈতৈ ইবু নিংথৌ ! চীংঙু নোংথৌ সবারেনগুম্ব-ও। লোয়নজবদা ইপি ইপা ওইনা মকোক ওইবি-ও। কোই কোবা কাঙ্গপনা লালহৌ মনিল নাইনা লায়ীনা কোংয়াং ব্রাশা মচা শৌগুম্না থায়া থোমজিনক্লিবা অসিবু মৈদিংঙু নঙগী

থয়াং মথৌমনবু ঔব্রা লৈপাক পুন্নমানা খানলে লৌকোই ইনকুম্ খান-লৌগে হায়না হুয়েল লাননেকলবা রাগী লাইরেন মৈদিংঙুদি তুবি নোংশা খেরাংথাংনা লাইরেন থিংলৌ নিঙ্না তেনা ঐরাবতি রাংমালান্ নোংপোক লমচাউইননা বোই মানিংনাইববু থমথেংননা খোংফেন লানশোক মাইয়োক য়ানা লাংগোই খোংথইননা খৌশাথবদি তারেং য়াকা চায়রে। কোই পামতান্নরে। হুয়েল লাল্লিগিদি চৌতাপ লানমিংনাই সোইতোং লমখনববু কায়না হুল্লে। কোই লাল্লু অয়াবদি ভরংত্রা, মংত্র, নিংথৌদা হুইপিরময়ে হায়দবরা। তুবি থয়াং মথৌ-মনগীবু মিংওনখিয়ে। লাইরেন মৈদিংঙু খোংনাং ময়ামবা নোংপোক চকলাই ছান্দা তেনশিংবা য়োইবা তাংলাইছান্দা খৌদোংবা নোংপোক মোইতরেং ভমবা কোংদাগা লানমিংনাইববু কায়না হুনব-ও তৌনা কৌয়ে। লাইরেন মৈদিংঙু খোংনাং ময়ামবা তুবি মহি হিনা মেংবা লাইরেন ময়াই য়াইনা ফাবা রাইরা শাশিং-গু হুয়েন লানশিং মফম ফবা নোংচুপ নোংপোক কোয়বা খারৌ লাইরৌ লাননা লাইরেন অব্রা

নতিক নগুণ উৎপিরম্নগা পোইরৈ লমদা হর্নাশখো হায়ভরবদা মৈদিংঙুনা লাইরেন-পাঙল মতিক মথৌনা উৎনা ময়থা’দগী হল্লকখি। মৈদিংঙুগী মতিক অসিদগী ঔবা লৈবাক পুন্নমক্তা, লৌখোইবদা ফনপোৎ থুলং অহৈনা তুংইনবগুম ইল্লগে হায়না লায়েকচবা মরমদগী মৈদিংঙুদি শারেন নোংশা অথৌবগুম সনা পুক্রিং ঈভনা ইরাবতি তুরেল বাংমালাল্লা লমজাউ মতুং ইল্লা লাক্কুনা কোই লালহৌ মনিল মাইবশিঙ্গা হাবথেংননা মাইয়োক য়াডনা লাঙ্গোই শগোলথক্তা লাঙ্গংখিবদি তারেং থুঙ্গং কায়-থরে। কোই লালহৌবশিংবু কোইতান তান্নরে। লানকম অসিদা চৌতাপ কৌবা লান্দা মমিং চৎপগা শোইতোং কৌবা লমগী মপুগা লানঙ্গকখি। কোইগী লানমী-শিংগী মকোক অককপা অয়াবদি ভরংত্রা মংত্র নিংথৌদা কল্লক পেল্লা পিথোক্লময়ে। মতৌ অসিদগী মৈদিংঙুগী মমিং ওনখি। লাইরেন মৈদিংঙু খোংনাং ময়াম্বা নোং-পোক চক্লাই-ভান্দা তেনশিংবা, য়োইবা তাংলাইভান্দা থৌদোংবা, নোংপোক মোই-তারেং-ভবা, কোংমুদা লানহৌ মমিংচৎপবু লানক্লবা হায়না কৌনখি। লাইরেন মৈ-দিংঙু খোংনাং ময়াম্বদি তুবি লাইরেন য়াইপুবগুম্না চানখিহৈবা মতিক উৎকে

থৌতোংমনগী লমচি-মবু হাঙদা ৱাইচি-মবু শেনদবা তুবি হেরা মিংচৎপা কোলায় মমিং চাউবা মানলং য়াইবি কাউকুমবনা হাওরৈ নোংপোকলা পাংবরমদা লমলেন ৱাইরং অরেম্বা-থেন তেংলৈ লৈতানপোক চাখা শনলুংকম খোইধু চীংকারম ৱাংচিং লোকচাউ-ম্রি চীপী লোক্লাউপুঃ হৈরোক অচন্‌বা লেংখু লম্মাপাক লেংলেন্ লম্মাচুমবু নাতৈনবা চাক্তারবা, খাংবা মুহকপা। লুপিনৱাই খুমন নাউশুম হকচাউচা লুখোকলম্ মরোই হাওরা শ্রু তোংচা অতে ঙারাশু ২ মানা য়াম্বা খুমন নাউশুম হকচাউচা-ও করম পঙনা শিরবনো হায়না মীকপৱাই লেংলেন্ তাপংয়িদা লাইজা ইয়োংলবা লাংগোই থাংকোকপা শামু য়াপনবা লমশা থোইখোইববু থৌপান য়াইরিপোক তলা উয়োককোন্দা কোরৌ নোংখিল পোপোপ্‌পু মালেম্ লিরু য়াফাক-লো মৈরি পন-ওইনা পামেন শোংচি নাতৈলোন লাংগোই মশিং ১০০ শুনা শামু কোনলোন থোইবা তুবি ৱাইরা মরীখঙ্ লাংকোই কোনলোন-লি শামু পন্‌চন্-লি তাংখুন পনশিং অথোবা ফান-লিনা তেন হৈবা তুবি ৱায়রা মতেনচা খোইধু খুনঙমতেন মোরামপা ফান-তেন্ তেনবি

উংওখঙ্গুম্রা নোংপোক নোংচুপ খারৌ লাইরৌ খুংনা শা লান্দা অবা অনা থঙদনা খুরক হাঙদনা লান্নাবদা সনা মিংলেন শনবা, মালংবনা মাইকৈ শিন্না খুংনা হৱঙুম কোলোয় মমিং চাউনা চৎপনা নোংপোক মাইকৈ পাংবলমগী ৱাম্নরং অরেম্ব-থেন তেংলৈ লৈতানপোক চাখা মনলুংকম, খোইঝু-চাংগী চীঙা লম্বীদা লৈবা ৱাংজিং লোকচাউ-ৱি চাপা লোক্লাউপুং হৈয়োকঅ চনবা লেংপু লম্মপাক লেংলেন লম্মচুমবু হেন্দোক্লগা খুমন নাউশুম হকচাউচানা থাংখা মুংহকপগী মহৎ শিন্না শিক্লনা লৈবলমদা, মাগী মকপ হাউরা মুংদোংচা, অতেঙারাপ্ অনিমক্ক', য়াম্বা খুমন নাউশুম হকচাউচা-ও! করমবু অহূপ পঙনা শিরবানা হায়দুনা কপখিবা মতমদা লেংলেন তাপং তুরেলদা লাঙ্গোই শামু থাংকোকপা শামু লমশা য়াপনবা খ্বাইদগী থোইদোক হেন্দোকপবু থৌবাল য়াইরিপাক্তা উংথাককোন্দা নোংখিল পোবোপ্তু। শামু মশিং চাম্বাবু ফারগা কোর থানা য়াইরা নিংথিবনা লিকা-নহুনা থবা শামুনা নাম্বোক্লক্তনা লাইজ ঈশিংদা শামহুনা হৈনবগা, বৈদিংঙগী ৱায়া তেনবা মথে। লৈরবা খোইবু খুনবু ঙবা তেন,

য়াইণ্ডইবনা লাংগোই তা জা লুরেনহোন্দা রায়্‌রা পানচুম থোইবা তুবি লাংকোই মখুনেং লাকখোং শেনহোংববু লাংগোই শয়াং থক্তা তুবি টিমেন মখুংশুবু খুংপাক তিনলাইমেন্ টিমেন্ হুংসোই লয়না কেনখিববু লাংগোই নাপোম্ অহোম্বদা টিমেন টাকোন থুমনা লাংকোই পামচুম থোইবা নোংপোক সনা কোনকারমদা লাংকোই শায়াম ফাবা পুংবু তানফংবা নোংথৌরেন থোংনাং ময়ামবগী রায়্‌রা খোকহৌ খোনদি অঙ্কুস্থুং মদোমদে হাওরৈ লাইনা পাংবরম য়াম্না লমদম্‌-থি য়িতম চংথোকপান নাহুই নারেংবম চমুগা নোংবান ঙাখাবম্ নিংঙোনবি লুরাং মেনলৈজম হনজবিগা ২ মানা লেমলৈ ঙাংারাই নিংথৌ ফৌরায়াং লাইকোকস্ত লান্দা-শোয়্ তাংখুন হুইচা নিংথৌবা য়িতম শোয়শেনবা ফান-শোয়দা লাইরেন মৈদিংঙুনা থিংলৌ কাউ তমথাবন্ ওঙলেন লাবা খারোনববু তুবি লাংগোই মখুনেং য়াইশা গুংচানবা রাজবলহোব লুরাংবনা লাংকোই শয়াং তেক্লা নর্মলিঙৈ তুবি খোকথৈনমবু মখুংশুবু নমব্ হুংসোন লয়না থিংলৌ নর্মলি-তুনা ফারৌশা-নচিংনা য়াওরৌ শায়াম-ফাবা লাইরেন রায়্‌রা খোংহৌখোনদি অঙ্কুস্থুং

মোরাম্বা ফান-তেন হি য়াইওইবনা মৈদিংঙুগী লাঙ্গোই শমুগী মকোক্তা তোংলগা বাম্নদা শোয়ফদনা পানঙবা মৈদিংঙুগী খুনেং শামু মথক্তা সনা খুংস্থ টাবু গুবাক তিলাংমেন্না টিমেন টাংু হুনখিবদা লাঙ্গোই শামুগী নাকথং অহোম্বদা টাজিন থয়া পাল্লবগা নোংপোক ম ইকৈরোমদা শামু তানবদা শামু শায়াম ফংবা নোংথৌরেন থোংনাং ময়াম্বগী রায়রা তেনবী পায়না লালহৌবদি অসিনস্থু লোইবা নত্তে। অরাং মাহৈকৈ পাংবলমগী য়াম্না লমদম-থি ইতম চথোকপান্দা মারেংবম চমুগা নোংবাল ঙাখাবম নিঙোল লুরাং মেলৈজম হঞ্জবি অনিনা লেমকৈ ঙাচং ফারিঙৈদা নিংথৌ ফৌরায়াং লাইকোকশুনা লান্দারবা শোয়, তাংখুল হুই-চা নিংথৌ ইতম শোয়বু শেন্নবৰু ফাখিবা শোয়ফমদা মৈদিংঙুনা লাঙ্গোই খুনেং রাজবলহোপ অচানববু তোংদুনা লমওক তান্নবদা লাঙ্গোই শানুনা উমং রামং নমতুনা মৈদিংঙুনা খুংশু নমবু পায়জুম শাদানবদা শায়াম ফাবদি অসিনস্থু লোইবা নত্তে। অস্থম্না শাদান লান্দাবদা লমগী মচি অমফাউবা হাঙদ-শেন্দবমথৈ শাদানথি অমদি লান্দাবা য়াবা মফমদনা লান্দাখি।

মদোমদে। লমচি-মবু হাঙদবনে। য়াইচি-মবু শেনদবনে। লাংগোই মোইশা য়াপু ১০০০ উনবা রোকলেন লাবা খারোনবগী মশীং থিঙম-দবা নোংথৌরেন থোংনাং ময়াম্বা নোংপোক য়াইরুং পামহৈবা তুবি মংখাংথিনবু মালেম লম্বু নিংপা ঙিকলাই মখায়ামবু কোয়ৌ নোংবু ফংবা পোনবি পড়ুরু, চেকনিংথৌ লিলা ১০০০ য়াই হুইনবা তুবি হিথোকপা লাইরেন ফিংকৌবঃ ১০০ মাবু চাকচেন্নবা চেককুমবা লাইরেন মৈদিংঙু থোংনাং ময়াম্ব য়োইবা তাংলৈঙানবা খোমোংবা ঐরাবতি লাইজা য়িপান ভানা চেক্রাং লয়ুম-য়াইদা খোমহনবা চৈরৈ কিরান য়ুংনা লমচন্ থৌবা নোংপোক কোইতরেং ঙমবা কোংমুদাগা লানমিংনাই চোইনৌ সনা লৈঙইনববু কায়না হুনবা-ও ভোনা মিংহোংথি.য়। লাইরেন্ মৈদিংঙ নোংপোক য়াইরং পামহৈবা থোংনাং ময়াম্বদি চোইনৌ সনা মিংহুনশিবু চুনবনে ॥

নয়োন মৈতৈ লৈমা ইরাংলোন্ চাখা ময়াং লোইখোমবী পামেন উয়োনজুংগি শিংলেন লৈকা পোককুমবী মপাম্ কেপে চাউবা-পুং

অহুমা গাঙ্গোই মোইশা ময়া ১০০০ অহুম। ওংকুন লাবা ময়া কাউরবসু মশীঙ থিবা ঙমদবমথৈ কা-ঙবা, নিংথৌরেন থোংনাং ময়াম্বা নোংপোক বাইরং পামহৈবনা সনা-মথোঙ অংক খীনবনা মালেম লম্পাক নাকপা, নিংথৌরেন মাশী মঙনবা পড়ুরু কোবা উচেক নিংথৌনা লিলা ১০০০ বু খুংলাক অমনা চেনবা অহুমা লাইরেন হি-য়াই পুয়বা মতিক লৈবা ১০০ মকম্ চেনবা ঙমঙা মৈদিংঙুনা লম্থক লম্বা থোম্না মিংচংপা, মৈদিংঙু থোংনাং ময়াম্ব য়োইবা তাংলৈঙবা খোমোংবা ইরাবতি তুরেল মপাল তাবা চেক্রাং কোবা লমদা লাম্রাহুনা চৈরৈ কিরান য়ুংনা লমহনবা, নোংপোক কোইতরেং-ঙমা কোংমুদা লানকমদা, লাইঙম মনিং চংচবগু লানঙমা হায়না সনা মিংলেন হোংখিরে। লাইরেন মৈদিংঙু নোংপোক বাইরং পামহৈবা থোংনাং ময়াম্বদি ফুদোং-লবা সনাঙম মিংহুন অসি চুনবনি ॥

নবেঙ্গো মৈতৈলৈমগী মিংলেন্দি ইরাংলোন (মোইরাং চম্) চাবা ময়াং লোইখোবী পামেন উংয়োল মখুংগী শিংচেন লৈরাং শাংকুম্বা হায়না মিঙ্গোই; মৈতৈ লমগী

মোইরাং শাংবা-য়াই লাই ৭ য়াংতৈ-খা নিংথৌ খোইরি হৈবা খুন্দাগ্লাই খোঙ্লেন হৈয়িংখোইচা চাইপি-পুং মেননাং তনবা তুরেংকাই মানবি খুচুম কেন্দবনা মোইরাং কংলৈ লমওক-পুং কেগে ওকচিনবা লৈম-য়াই গুাংখা চাখুন খৈরেন থাংগুা লৈকোইকোং কেগে পারেন-না কোইবা-পুং মোইরাং পারেননা গুাকৃপরম হনবা কোকচাউ হমু লৈথান্না খয়োন লিকতাকপি লিকতাকপা কোংশিবি কোংশিবা নমতাংবি নমতাংবা থিংনাংখু থিংনাংহন নাউরিখু নাউরিহল পাথৌ পুথৌ খুনা কোইবা পুংবু অশৈনবা-চমু গুানবা শিরাই কংচা পুংলেন নোংচুয়াই মপন্লোন লোকলৌ খামেন্ লোকপম্ চমুনা পুং-লিংব্রাই তানলোই মরুমবি খমবা য়িমলেনবম চমুনা ফিবুন লুদা থোংনা ফক্লোং নাক্তা য়েপনা থংলেন গুানবা শিরাই কংচা পুংলেন নোংজুয়াইদি কদাইনো হায়না পুংথিরাই ময়িম হুয়েন লাননিগিদি নোংয়াই অমুতারমসু হাওচেং নমপোক চৈথংগী লোকতাক পনয়া কোয়্বা কমপোং মৈরা চাউকুমবব্ লৈমু শেংথাক্লা লৈহৌ শেংওইনবা পুংবু অছৈনবা-চমু ময়ু লোইনাই গুাংতোই অনাল-ওয়া হুয়েল লাননিগিদি লমলেন মদাইমা

মপাম মোইরাংদা কেগেনা চাউবাপুং মোইবাংবা শাংনা কুইনা পানবপুংদা চীংগু শাইওন ৭ থোকপ-লম, নিংথৌ খোয়রি হৈবনা খুন্দাবদা হয়িংখোইনা তৌবগুম মচা মনাউ শেনবা পুং, হাযেং মথনচিংবা যুমশানা মশীং বাত্তনা লৈবা পুং কেগে ওকচিনচা লয়্ময়াই গুাংথাচাবা খুন্দোনবা লম থাংগুা লয়কোয়কোং কেগে লমগী মপা মপু অথোইবনা গুাকপলম, হনবা কোকচাউ হমু লৈথায়া খয়োন লিক-তাকপি লিক্তাকপা, কোংশিবি কোংশিবা, লমদাংবি অমদাংবা, থিংনাংখু থিংনাংহন, নাউরিখু নাউরিহল অমদি মরুপ মপাং পুরমক্লা তিন্না কুংনা কোয়বা পুংদা মতিক ছৈথানবগী মমোম্নি। মৈতৈ লৈমগী মপম্থৌদি খামেনলোকপম চমুনা পোকখরকপা মতালোইদি খবা য়িমলেম্বম নিঙোলনা ফক্লোং নাক্তা য়েপ্তনা ফিবুল লুদা থোংলগা মশাবীবু থিরক্তনা মুথানথিবগী মপাম লয়া হুয়েন লান্দা থৌনাথিবগী রাকমদি নোংয়াই অমুতারমহু লৌবা হাউচেং নমপোক্তী লোক্তাক পনয়াদা কোয়বা থাংগুা কম্পোংনা মৈরা চাউনা থানগুবা লয়্মুরোয়া (মোইরাংনা) শকথওনবা লয়হৌরোমা (কংলৈলমগী)

নোংচুপ কোংয়াংফাই ফাই তমপাক কৈরালাং ফাইজুংশি ঙারাখা খোংথিনলোক থায়াবা য়াকেনলোক হেমবা চাউরোন-চীং লোইখি য়িহালোক মালেম লানপুম-চীং নশানৌ খাইচেম্ অতোনবনা মশাখী খোংফাং অহনববু য়েনয়োক হাওনু তোমসোন লাংমাইনু শাংদে ঙাইনুখী লানকৌচীং মুমিৎ মোইতারোক লোইতাম থাত'রোক মৈদিংঙু কোংয়াম্বা সনা চুংশেন কোন্দা খোশাবা লাংগোই মুহেনলা-ফাবা হাওরে নোংচুপলা পাংবরম নয়ুরা চীংথোং পোইরেতোননা লোইবি শিদবা হেমবা মাদববু থুনথিবারম লোইবি অনাল খুনলেন-লয়্দা খোশাবা হুয়েল য়েকচমপু লানথোয়াংবু কায়না হুনবা চনু তয়োন মৈতৈরেমা ইরাংলোন কেগে মোইরামবা চনু লোইবি ময়োন-ঙমবি হুয়েল শাচুংলেং ফাবিনা সনা খোমহানবদি হাওরে নোংপোকলা পাংবরম শেনবি নাতৈননা কবো ঙমলোম্বনা লোইবি লোংকাপাই মপুংয়াইদা সনা খোমহামথবদি হুয়েল লাননিঙ্গিদি লোইবি লোংফাই মনিংথৌ

ছৈথানরবা য়োইরাং লমদা ছৈথানরবগী মযোমনি। মদুথো লোইনাই ঙাতোই অনাল-ঙবগী লান্দাদি নোংচুপ কোংয়াংফাই ফাই তমপাক লয়্ংশি কোয়োহনবনা তাব'লম. অচৌবা চীংজাউনুংদগী লাইজ ঈশিং হাথ-লম মালেম লানপুম-চীংদা খাইচেম অতোনবনা ময়াম্বা খোংফাং অহনববু য়েনলোক (মুমিং, থা অনিনা শিন্নফম ওইবা-লোক) হাউনু তোমশোন লংমাইনু শাংদে ঙাইনুবিনা লানকৌ-চীং মুমিৎনা তাংবা-লোক লোইদাম থাজনা তাখিবা-লোক্তা মৈদিংঙু কোংয়াম্বনা মতিক উংশিবা মকমদা লয়াবা, লাঙ্গোই শামু মুহেন্নাবু ফাবা মক্তম, নোংচুপ পাংবলমদা নবুথৌ চীংথোং পোইরেতোয়া শিরোই নারোইদোবা থুন্দাবা য়াবা লোইবি অনাল থুলেন্দা থুন্দাবা-লমদা হুয়েন লায়াখিবদা য়েকচমপু কৌবা লান্দা থৌববু লানঙমখিবগী মঙোম নংেঙ্কৌ মৈতৈলৈমা ইরাংলোন কেগে মোইরাম্বা চনু, লোইবি ময়োন থুনবু ঙাখি হুয়েন লান্দা শাচুংলেং ফাবিনি। মৈতৈ লৈমনা খোনাথিবদি নোংপোক মাইকৈ পাংবলমগী শেনবি থুজং লায়্গা কবো লমগী তাইনবদা লৈবা লোইবি লোক্কাপাই কৌবা থুজংদা খোনাথিবদি লানকম অতুগী লোইবি লোংকাই নিংথৌ থোইবি লোংকাই নিংথৌ লোইবি লমগী

মালেম কোনমাইলেং লানথোম্বাংবু কায়না হুন্নে। নয়োন মৈতৈ লৈমা ইবাংলোন্ কেগে মোইরাং নিংথৌ চন্থু চাখা মরীং লোইখোমবি লোইবি ময়োন-ওম্বী হুয়েন সাইচুংলেংফাবী লিনকোইগি ॥

মমাহ ওই-নবা হুয়েন লান্দা থৌবনু লানওমখি। নবেক্কো মৈতৈলৈমা ইবাংলোন কেগে মোইরাং নিংথৌগী মযোম চাখা মরীং লোইখোবী, লোইবি মযোন-ওম্বী হুয়েন শাইচুং-লেং ফাবীগী শেংলবা শিযোয়ুংগী॥

হঙক্কনিংবা :—খৃঃ ১৭৪৮—১৭৫৩ কাওবগী চহি ৫ গী মতম অসিদদি মজাইবুংডো চিত্শাই, ভরতশাই অনিনা চহি ৪ অমসুং ১ অসি মথং মথং নিংথৌ ওই। কথাগদি তোংখিদে অহুনা লম্বুবদা চল্লমদে।

অহানবা শরুক লোইরবা।

